মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙগী চাংদম-পাদম

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙগী
চাংদম-পাদম

লাইরিকসিগী মরমদা

১) লাইরিক্কী মমিং ঃ- মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙগী
চাংদম পাদম

২) লাইরিক ইবা ঃ- বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা
ব্রহ্মপুর, থাঙ্গাপাৎ মপাল
ইম্ফাল-৭৯৫০০১, মণিপুর

৩) লাইরিক ফোঙবা ঃ- বি: কুকুরবিন শর্ম্মা

৪) লাইরিক ফোঙবা মতম ঃ- জনুৱারী, ২০১২ ইং

৫) লাইরিক্কী হক ঃ- অইবা অমসুং অফোঙবা

৬) লাইরিক্কী মমল ঃ- লুপা ৩০০/-

৭) লাইরিক ফংফম
১) Royal Book House,
Keishampat Junction
২) Rajesh Book Stall
Governor Road, Imphal.
৩) অইবগী ময়ূম
৪) অফোঙবগী ময়ূম

৮) লাইরিক নম্ফম ঃ- অরূবা প্রিন্টর্স,
পাউনা বজার, ইম্ফাল।

লাহ্লোকচবা

"মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙগী চাংদম-পাদম" হায়বা লাইরিক অসি মালেমসিদা লৈরিবা ধর্ম্ম অচৌবা, হায়বদি, মীশীঙ য়াম্না চৎনবা অমসুং অপীকপা, হায়বদি মীশীঙ য়ামদনা চৎন-ইন্নরিবা পুম্নমক্তা লৈনরিবা লাইনীঙলোনগী মান্নবা মচাক-মরনশিংদু পৃথিবীগী লৈমায়গী মী লাখ কুন (মণিপুরগী মপান'লৈপাকশিংদা লৈবশিং থারগা) লোম খক্তনা চৎনরিবা "মৈতৈ লাইনীঙ" হায়বসিগীসু লৈ হায়বদু উৎচনীঙবগী ৱাখল্দা ইজখিবনি; খুদম ওইনা মৈতৈনা "অমাইবা" হায়বদু হিন্দুনা "পুরোহিত/পৌরোহিত নৎত্রগা পুরিৎ", ঈঙ্গ্লেজিদনা 'প্রিস্ত (Priest); গ্রীকনা "প্রেস্বাইতেরোস (Presbyteros)", রোমনা 'প্রেস্বাইতর (Presbytor)", বর্মীজ/ব্রাম্মানা "বুঙ্গ্যি (Wungye)"-- হায়বনি, চপ মান্নবা পোত্তা/মীদা মরোন তোংঙান্নবগী তোপ্পা-মান্নদবা ওইনা উবনি, লাইজ/ঈশিং, পানি, জল, ৱাতরনচিংবা হায়নবদুগুম্বনি। পুক্নীঙ ৱাখলগী শান্তি ফংনবা, খুন্নাই/সমাজদা নৎত্রগা য়ুমথং-য়ুমলোন্ননা লৈমিন্নরিবা মী অনি/ময়ামগী মরক্তা চান্ন-চন্নিনা নৎত্রগা খৎন-য়েক্নদ, য়েংথী-কল্লক-মীহৌনদনা লৈমিন্ননবা মীওইবনাশেম্না ৱায়েলগী পরমবু "লাইনীঙ/ধর্ম্ম" কৌবনি, মফম-মতম, ঈশিং-নোংশীৎকী, হিংননবা/হিংবগী পুন্সি মতৌ খেন্নবদগী খরমখৈ শেমদোক্নরবসু, খুদম ওইনা মাগী মাগী ধর্ম্মগী নামুংবা/নামুংশানচিংবা লৈনরবসু মচি নৎত্রগা মরূদদি মান্নবা ৱাখলগী ঈচেল, ৱাখল্লোন অসিনচিংবা লৈরবনি। মরম অসিনা মৈতৈ লাইনীঙ/ধর্ম্ম হায়বসিসু অতৈ জাতিশিংগী ধর্ম্মশিংগুম মীওইবগী লমচৎ ঙাক্নবা, শাজৎ শেম্নবা, পুক্নীঙ ঈংনবা অসিনচিংবগী পরম য়াৎলিবা নিয়ম পরেংনি।

মৈতৈ লাইনীঙগী কুয়োম অমসুং নাউয়োমশিং চীঙমী অমসুং তম্মীগী য়ান্নবা মচৎ মনাৎ লৈরুরিবসি জাতিসিনা লৈরিবা লমদমসিগী লম্মিৎ-তূমিৎ, ঈশিং-নোংশীৎ, মালেম লৈমায়গী অতোং-অকুৎ, অসিনচিংবগী মখা পোন্দুনা ওইজরকখিবনি। অদুবু মৈতৈ লাইনীঙবু ইতিহাসকী মতম তাংকক কয়াদা মশাগী মনুংগী পোখোক্না মচু শঙখি অমসুং মপান লৈপাক্কী ধর্ম্মগী নোংশীৎ কয়ানা মচু শিথহনখি, অমুকসু মরাক চামগদবদগী ময়েক লাহনখি, হায়বসিদি ইতিহাসনা লেপ্তুনা লৈজরবনি। ঐখোয়দা মথৌ তারিবদি ঐখোয়গী ঈপোৎসিগী মশক খঙবদুনি, মগুণ উবদুনি। মরম অদুনা খঙজ-থেংনজরুবা খরদং ময়ামদা লাহ্লোকচবসিদা, অশোয়-অরান তাকপীরকউ, অৱাৎ-অপা হাপ্পী-হুইবীরকউ, লানদবা ঙমদবা মীওইবনিনা লাল্লবসু ঙাকপীয়ু, চুমথোকপীরকউ। ঙসিমকসিদগী লাইরিকসি খ্বাইগী মফমদা লাহ্লোকচরি, লৌবীয়ু, লাইরিক্কী মমল থিবিগনু, ঈপোৎকী মমল লেপ্পীয়ু।

বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মা

মৈতৈ লাইনীঙ, হিন্দু লাইনীঙগী চাংদম-পাদম

"মৈতৈ" হায়বা মী কাংলুপ অসি, মখোয়গী মশাগী লাইনীঙলোন অমসুং লাইনীঙ-তীন্নীঙগী লমদাংদা মিৎয়েং থমদুনা মখোয়গী হৌরকফম থিররকপদা হৌজিক্কী শক্তাক-শকখঙনবগী খোঙফমদা ফংলিবদি খৃষ্ট মমাঙগী কুমশীঙ ২৫০ রোমগী মতমদা হৌজিক্কী রিপব্লিক ওফ চাইনাগী লমদমশিংদা হাইনা-হুম্না পাল্লম্বা মোঙ্গোইলোইড মী কাংলুপ অচৌবগী মী ফুরুপ অচৌবা টাই (The Tai) হায়বদুগী জাতি কাংলুপ অমনি। অদুবু মখোয়না থায়নগী অমসুং মমাঙঙৈগী ইতিহাসকী মতম তাংককশিংদা নোংপোক মায়কৈ অমদি নোংচুপ মায়কৈগী মীওইশিংগী লল্লোন-পোৎশিন্নফম অমসুং নোংফাই-চাক্তাফম ওইরম্বা খা-নোংপোক এসিয়া অমসুং খা এসিয়া অনিগী অৱাং-নোংপোক্কী ঙমখৈ চীদাই অমসুং অৱাং-নোংচুপকী লমখৈ লাংদাইফমদা লৈবা মরাক চপ্পা লমশাং পরিং অমগী ময়াঈ ওইরপ্লা লৈবা লমতুপ অমদা খুন্দা-লৈতারিবা জাতি অমা ওইবনা খা-নোংপোক এসিয়াগী মীওইসু ওই, খা এসিয়াগী মীওইসু ওই। খৃঃ ১৮৯১ ফাওবদা মনীঙ-মখা তম্বা, মশা মতোমতনা লৈঙাক-ৱায়েন থৌদা তৌজবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমসুং মদুগী মীখা থাদবা প্রজা ওইরকখিবা মৈতৈ জাতিসি খৃঃ ১৭০০ কী মমাঙদদি মমায় নোংপোক ওল্লি অমসুং চহিসিগী মতুংদনা মমায় নোংচুপ ওল্লকখি।

মৈতৈশিংগী মরৈবাক-মরমদমসি, য়ুমলোন-য়ুমথংনবা অমসুং শকখঙ-মায়খঙনবা অনকপা অমদি অরাপ্পগী জাতি কয়ামরুম্না মখল মখা অয়াম্বা মমিংশিং থোন্দুনা খঙনৈ। মখোয়দুদা মরু ওইরিবা লৈপাকসিগী মমিংসি খৃঃ ১৮১০ রোমগী মমাঙদদি "মেখলীদেশ" মসিদগী শেমদোক শাদোকপশিং, মেকলে, মেক্লে, মেখলে, মিক্লী, অসিনচিংবা অমসুং "কথে" মসিদগী থৈথ-থৈদোক্লকপশিং, কতে, কাসে,অসিনচিংবগা মরৈপাক মনুংগী মীওইশিংনা থোঞ্জ-কৌজবা মমিংশিং, পোইরৈ, মৈতৈ লৈপাক/মৈত্রবাক, অসিনচিংবনি।

অদুবু মৈতৈশিংগী মরৈবাকসি খৃঃ ১৮১৭-১৮ গী অদৱাইদগী ''মণিপুর' হায়বা মমিংসি থোন্দুনা খ্বাইনা পাম্লবা মমিং ওইনা চৎনরক্লে হায়বসি সার ৱালটর হমিলটোন (Sir Walter Hamilton) না খৃঃ ১৮২০ দা বৃটিশ ঈষ্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী সুপ্রীম কাউন্সিল [Supreme Council of British East India Company] দা থাগৎ-লানখৎখিবা ''ডি রিপোর্ট ওন মুনিপুর, ১৮২০ (The Report on Munipoor, 1820) অসি (N.N.A., 1983, 172-74) না খুদম-চাংদম ওইরি। হায়রিবা মমিং-মিংথোল 'মণিপুর' হায়বসিনা অহানবদা খঙনরম্লিবসি মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী নুঙগোইবীগা তাইপোংথোঙগা অনিগী মনুংদা লৈবা লম মচেৎ অদু খক্তনি। হায়রিবসিদগী লম-মচেৎসিগা নক্লবা নিংথৌকোন অমসুং লৈম-নিংথৌকোনগী অপুনবা নিংথেমকোনগী লমকন ফাওবা শন্দোক্লক্কুনা খঙনরকখি। মথংদা কংলা কোনুংলেনগী লমখৈ মনুংগী লমদম পুম্লমক ফাওবা পাকথোক্কুনা খঙন-কৌনরকপসি খৃঃ ১৮৯১ ফাওবা চত্থরকখি অমসুং মদুনা ইম্ফাল কংলৈগী লৈকোক-লৈকায় মরিমকপুসু কোনশিন্দুনা খঙনরকখি। মমৈথংদা বৃটিশনা মৈত্রবাক মণিপুরবু মখোয়গী এসিয়াটিক কোলোনিয়েল এম্পয়ার (Asiatic Colonial Empire) দা য়োৎশিন্দুনা মখোয়না লৈপাক পানবা মতম (খৃঃ ১৮৯১-১৯৪৭) গী অঙনবা মতম তাংকক্তা নিংথৌ পাল্লম্বা লৈপাকসিগী তম্পাক্কী শরুক অমদি খর অমুক থেংথরক্লগা চীঙ-তমগী অপুনবা লমদম পুম্লমকসিবু খঙনরকখি। অসুম্লা খৃঃ ১৯৪৭ গী আগষ্ট ১৫ দা বৃটিশনা থাদোক্লক্সবদগী মনীঙ-মখা তম্বা অমুক হঞ্জিঞ্জরবা লৈপাকসিবু খৃঃ ১৯৪৯ গী ওক্তোবর তারিক ১৫ দা অপুনবা ভারতবর্ষদা তীনশিন-লৌশিন্দুনা পুনশিল্লগা ঙসিগী ভারত সংবিধান (Constitution of India) না শক্তাক্লিবা মণিপুর অসি থোক্লকখি।

মথৌ চঙলক্লদবা ঙমখৈ লেপ্লশিংঃ-

লাইনীঙলোনগী ৱাফমশিং খন্ন-নৈনবদা মথৌ চঙলক্কদবা লাইনীঙলোনগী ৱাহন্দোক, খঙনবী অমসুং হায়নবীগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনশিং পুবা ৱাহৈ খর মাঙদা থমদুনা লাইনীঙ্-তীন্নীঙগী খোঙফমদা চঙশিনবগী মথৌ তাবনা পোৎচঙশিংসিগী অফংবা খর মখাদা থমজরিঃ-

7. Fideism, a reactionary doctrine that seeks to subordinate science to religion and to use scientific knowledge for defending religious dogma. F. is based on the assertion that science gives only knowledge of phenomena, facts, secondary (physical) causes and cannot disclose the primary (supernatural) causes, or explain the deeper sources of being.........The aim of fideist's teaching on the limits of knowledge is also deprive science of its broad philosophical and methodological significance. They maintain that religion alone provides the true explanation of how and for what purpose the universe exists, and gives meaning and purpose to human life, while science merely provides some means to achieve the desired aim. F. is the ideological basis of the alliance between bourgeois philosophy and theology. [Ibid, 145].

লাইনীঙলোনগী ওইনা পুনরিবা/লৈনরিবা থাজবা, নীঙন-লৌনবা, য়ান-পুনরিবনচিংবগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনশিংসিদা হৌজিক্কী মতমগী সোসিওলোজিষ্ট/কলচরেলিষ্ট (Sociologist/Culturalist) শিং অমসুং/ নৎত্রগা এন্থ্রোপোলোজিষ্ট/আর্কিওলোজিষ্ট (Anthropologist/ Archaeologist) শিংনা রিলিজন, কল্ট, ইজম (Ism), অমসুং ক্রীড (Creed) হায়দুনা মখল-মথেল কয়ামুক খায়দোক্লুনা মখোয়গী লম্বী য়াত্তুনা থম্মী। মখোয়বু মখল-মথেল নাইহল্লিবসি লাইনীঙলোন্দুনা পুরি-চেল্লিবা/ শাগোন্নরিবা অফবা মতীক-মগুণ, অফ-ফত্তবা মশক খঙহন্নবগী অমসুং লাইনীঙগী পরম-পরীং, লাইশোন-তীনশোন, লোনচৎ-খুদা, চৎনবা ৱাখুন, লাইনীঙ-লীক্লম্নচিংবগী ৱাখুন-লীখুন অমদি পোরম-পোমিৎকী মতীক ময়াইশিং অমসুং লাইনীঙলোন অমা ওইবগী মথৌ তাবা পোৎচঙ-পোৎচাকশিংগী অফ-ফত্ত, ৱাৎপা-হেনবা অসিনচিংবগী থাক অমসুং চাংদা মশক লেপ্তুনা কাংখুল-ফৈদোম য়াৎলিবনি। মখোয়সিগী অরায়বা খুদম খর পনবা তারবদি – য়াইবী/ থৱাইনা হন্না হন্না পোকপা-শিবগী ৱাখল্লোন্দা নৎত্রগা থৱাইনা পোকপা-শিবগী মচৈ অমগী অকোয়বদা কোয়না চত্তুনা লৈবগী ৱাখলদা থাজবা থম্বা, মালেমসিগী

পোৎলমশিংদা নীঙবা লাইনীঙ (Animism), থৱাই-মিরাংপান নৎত্ৰগা অহিংবা/অচঙবগী ময়াইদা থাজবা লাইনীঙ (Spiritism/Spiritualism), অপোকপা লাৎপা/নীঙবা লাইনীঙ (Ancestor/Fore-father worship cult), বেদগী লাইনীঙ পরম (Vedic Religion), ভাগবত ধৰ্ম্ম (Bhagavata Religion), অসিনচিংবনি।

ধৰ্ম্ম/লাইনীঙলোন হায়বসি অমসুং মথক্তা থমজখ্রিবশিংসি লমচৎ-শাজৎ চুন্না চৎপা, ৱাখল-পুক্নীঙ ৱারকপা, ৱাখল-খুৎখন চুন্না খনবা অমসুং ৱাখল ফবা, হায়বনচিংবা থম্মোই, ৱাখল অমসুং পুক্নীঙগী অফবা অমসুং য়াইফবা পুরক্লবগী লমদাংগী পল্লোন্নুংদা তারিবা লীচৎ-শাজৎকী পরমশিংনি। মখোয়সিনা পান্দমলিবদি মালেম-তাইবংপানসিদা চাক্তামিন্নরিবা থৱাই পানবা অমসু পান্দবশিংদা অমাঙ-অতা থোকহন্নবা তৌদবা, মখোয়গী পুক্নীঙ-ৱাখল/থম্মোই শোকহন্দবা, মখোয়বু অৱাবা তাননবা শীল্লুদবা-তৌরুদবা, খৎনবা হৌরুদবা, অসিনচিংবনি। পান্দমসিনা অমুক পান্দমলিবদি মালেম-তাইবংপানসিদা অমগা অমগা য়েংথিনদবা অমসুং য়েংশিন্নদনা পুন্না হিংমিন্নবা অমসুং হিংমিন্নবদুদা ঈংনা চীক্না পানমিন্নদুনা লৈপাক মরা তপ্না চাওখৎ-খোঙথাংদা থাংজিনমিন্নবা হায়বসিনি। লাইনীঙলোনগী লমদাংসিদদি মালেম লৈমা ঈমাগী পুক্কৈনুংদা লৈরিবা থৱাই পান্দবা, থৱাই পাল্লগা মরোন্দি থোক্তবা পান্বী-শিংবীনচিংবা অমদি মরোন্দি থোক্লগা মীওইবগদি লোন খঙনদবা শা-ঙা, উচেক-ৱায়ানচিংবা অসি মীওইবগী চীঞ্জাক্কী, য়ুম-কৈ শানবগী অমসুং অতৈ হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং শেম-শাননবগী পনখৈ মনুংদা তারবা ফাওবদসু মথৌ চঙলিবা অদুদগী হেন্দোক্না ককথৎ-য়াম্বুবা, হাত্তোক-ফাদোকপনচিংবা তৌনদে, মরমদি মখোয়সু মালেম-লৈমা ঈমাগী মচা ঙাক্তনি।

মৈতৈ লাইনীঙলোন

মৈতৈ লাইনীঙলোন হায়রিবসি মালেম পৃথিবীসিগী লৈমায়গী অৱাংগী লেটিচুড ২৩.৮৩° দগী ২৫.৭৮° অমসুং নোংপোক্কী লোঙ্গিচুড ৯৩.০৩° দগী ৯৪.৭৮° ফাওবনা কোন্দুনা স্ক্যার কিলোমিটর ২২,৩২৭ কী লমকন হৌজিক-হৌজিক কল্লিবা, মমাঙঙৈদা মসিদগী হেন্না পাক-চাওনা মতমদুগী মৈতৈ নিংথৌদুগী মপাম্বোম মপাঙ্গলগী মখা পোন্না শন্দোক্লম্বা লমদমসিদা খৃষ্টগী

1. Faith: recognition of something as true without proof. Blind in the supernatural (God, angels, devils etc.) is a part of any religion (q.v). In this sense there is no difference between F. and superstition (q.v.) Religious F. stands at the opposite pole to knowledge. Nevertheless many idealist philosophers try to reconcile F. with knowledge or to pass it off as knowledge (See Fi-deism). In its usual connotation F. means conviction of the truth of scientific hypothesis and suppositions, which at the moment cannot be proved either in theory or by experiment [I.F., 1984, 141].

2. Ethos: the totality of the distinctive ways of living that separate one group from another, especially its values. Ethos also denotes the emotional quality possessed by socially patterned behaviour [E.B.T., 1991, 191 & S. N.M., 1989, 126].

3. Theology: The elaborated corpus of religious ideas of a community [Ibid, 310].

4. Cult: Cult refers to the ritual observances that are involved in the worship of particular supernatural persons oã objects or their symbolic representations [Ibid, 90].

5. Religion:- A system of beliefs and practices found in every culture, that formalized the conception of the relation between man and his environment. It helps to explain difficult and seemingly inexplicable events. Religion embodies the idea of a supernatural power and of personified supernatural forces. Ceremonies, rituals, and observances are used to communicate with the supernatural, with certain persons believed to have great access. Religion

organizes a group's members in a condition of soldarity and gives a broad base to social interaction, being a symbolic statement of the social order. Religion suggests a system of authority which enables one to know what is right. It permits imagination to express itself [E.B.T., 1991, 451].

6. Religion, a specific form of social consciousness whose characteristic feature is a fantastic reflection in people's mind of external forces, denominating over them, a reflection in which earthly forces assume unearthly forms. Marxism Lenvism considers R. a historically transient phenomenon of social consciousness and shows the main factors that determine its existence at different stages of society's development. The appearance of R. in primitive society was conditioned by man's impotence in face of the forces of nature because of low level of the productive forces. The existance of R. in antagonistic class societies may be traced to class oppression, unfair social relations, the poverty and rightless status of the masses, which breed despair and a sense of hopelessness thus turning the people's hope to supernatural forces. By giving people false bearings and placing the solution of the vital problems of being in the other world, R. strengthens and perpetuates man's dependence on external forces and dooms him to passiveness, holding down his creative potentials... A. scientific analysis or R. rests on the premise that it is a complex social phenomenon, a system of specific ideas, feelings and religious rites and in a class society also of institutions that bring together professional clergymen [I.F., 1984, 157-58].

অহানবা কুমশীঙ চাগী মতমদগী নিংথৌ পানবা লৈপাক লীংখত্তুনা পাল্লক্লবা মীওইশিং অমসুং মখোয়গী চাদা-নাউদানা মতমগী ঈচেন্দা শাগোন্নরকখিবা অমসুং শাগোন্নরিবা শকউদবা মহৌশা লাইরেম্বীগী ময়াইশিং অমসুং মপা-মপুশিংগী মফমদা থাজবা থমদুনা খুরুম-খাজঙবা, ঈরাৎ-থৌনীবা, লৈশি-লৈথোনবা, অসিনচিংবগী পরিং-পথাপকী মচৎ মনাৎ অদুনি।

মৈতৈ-লাইনীঙলোনগী মায়থোঙশিংগী পুৱারী

মৈতৈ (ৱাংঙম/নিংথৌজা য়েক) শিং অমসুং মৈতৈ কাংলুপ, পুনশিল্লবা য়েক ৭ অমসুং/নৎত্রগা শল্লাই ৯ (Unified and consolidated 7 clans and/or 9 subclans and their dominions) গী মীওইশিংদা মৈতৈ [বোড়োগী ৱাহৈ, মৈ "হায়বদি মী" অমসুং সিনো-টিবেটান/সিনো-টাই/চাইনীজ মরোনগী খৃষ্টমাঙ্ কুমশিঙ ২৫০০ রোমদগী ২৫০ ফাওবাদ চাইনাদা পাল্লম্বা মখোয়গী মী কাংলুপ/জাতি খঙনবা ৱাহৈ "টাই" হায়বদি, টাই জাতি অমদি অনিসি পুল্লগা "মৈটাই" হায়বদি, 'মেন ওব দি টাই" (Man of the Tai)] নৎত্রগা মণিপুরী [মণিপুরদা লৈবা মী, অকক্লবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা য়েক ৭, শল্লাই ৯গী মীওইশিং (Inhabitants/Residents of Manipur, particularly the native occupants of the country belonging to the 7 clans or 9 subclans)] হায়বা জাতিগী ওইবা মমিং (National Denomination) অসি পীবীরম্লিবা মপা-মপুশিংদু মণিপুর ইতিহাসকী তাংকক কয়াদা ধৰ্ম্ম তোংঙান-তোংঙানবা মীওই কয়াগা উন্ন-থেংনখিরম্মী অমসুং ৱারী-ৱাতাই শানখিরম্মী। মখোয়গী মরৈপাকসিনা নোংপোক্লমদগী লাকপশিংনা চাওখৎপগী মঙালদগী তাম্লবা, চাওখত্তবগী লৈকংলাগী লমদমসিদা লৈকংলা-লমকোয়-লমচৎপশিং ওইনা নোংলেন-নোংফাইফম অমসুং চাক্তা-ঈতাফম ওইবা অমসুং লাহ্নে-লাঞ্জেনবশিংগী চঙজ-লৈজফম ওইবা অসিননি। মখোয়গী মপা-মপুশিংদুনা থেংনখিবা তোংঙান-তোঙানবা লাইনীঙলোন, লাইনীঙ পরমনচিংবা ইনবা/চৎপা মীওইশিং, মীশকশিং অমসুং লাইনীঙ মশক্কী মায়কৈদা চাওরাকপা মিৎয়েং থল্লকপদা তারিবা মমিশিংদিঃ- (১) টাওয়িষ্ট [Taoist] হায়বা য়াঙ (Yang) অমসুং য়িন (Yin) কৌবা তাইবংপানগী শকউদবা নুপা ওইবগী মতৌগী মতীক (Masculine Force) অমসুং নুপী ওইবীগী মতৌগী

মতীক (Feminine power) অনিগী তেংবানবদা য়াৎলিবা লম্বী ([Tao(path)] দা পুক্লীঙ চুম্না থাজবগী লাইনীঙ চৎপশিং, (২) কনফুসিয়ানিষ্ট (Confucianist, derived from Confucius, the dialectic derivation of Kung fu-tzu) হায়বা মশাগী মরাইবক মশানা শেমজগদবনি, শকউদবা তেংবানবগী ময়াই লৈদুনসু মিৎনা উবা ময়াইগী মপাঙ্গলসু থোকহন্নবা মীওইবগী শূ-নোম্বগী থবক-থনা পাঙথোকপগী অমসুং হুমাংমনগী মতীক্তা থাজবা থম্বগী লাইনীঙলোন ইনবশিং অমসুং মখোয়গী, মীওইবনা মখোয়বু পোকপী-শাৎপীরকপশিংবু মতম পুম্নমক্তা ঈকাই খুম্নগদবনি অমদি ঈকাই খুম্নবদু মপাগী মায়কৈদনা হেন্না হকচীন্না ৱাখল থমগদবনি হায়বা লাইনীঙলোনসিগী মখা শমথরকপা লাইনীঙ-তীন্নীঙদা পুক্লীঙ লৈতানা ৱাখল থম্লবশিং, (৩) আর্য্য/হিন্দু বেদ ৩ অমসুং ৪গী ধর্ম্ম চৎপা, তপস্যা (Ascetic meditation), যজ্ঞ (Sacrifices), পূজা ([Worship]) অমসুং সেবা [Service] অমদি সঙ্কীর্ত্তন [Devotional chorus prayer song] হায়বা লাইনীঙ পরমশিং; বেদ, শাস্ত্র, শ্রুতি, পুরাণ, মহাকাব্যনচিংবনা পীরিবশিং ইল্লিবশিং, (৪) বৌদ্ধিক সন্যাসী/পুংগ্রি [Buddhist monks] হায়বা মীওইবগী মপোক্তা পোক্কুনা অরান-খুবম/নির্ব্বান ফংখিবা গৌতমী পুত্র সিধার্থ/গৌতম বুদ্ধ ([Humanly born, Goutamee's son Sidhartha/Gautama, the Enlighten One or the Buddha]) অমসুং মীওইপোক্তা পোকপীরমদনা অরান-খুবম শাগোন্নখ্রবা বোদ্ধিষ্টবা [Humanly unborn Buddhisttawa/ Buddhsttava or the Enlighten one] নত্রগা মীওইনা পোকখিবা অমসুং পোকখিদবা বুদ্ধদেব অনিমক্তা নৎত্রগা অনিগী মনুংগী অমদা থাজবা থমদুনা 'বুদ্ধং শরনম গচছামি:না লাইশোন ওইবশিং, (৫) মহম্মদন/ইস্লাম [Mahammadan/Islam] হায়বা হজরত মহম্মদগী মতুং ইন্দুনা কুরান/ কোরান [Kooran/Koran/Quaran (The Old Testament)] গী লাইনীঙ পাউতাক্কী ধর্ম্ম ইনবশিং অমসুং মথক্কীশিংসিদগী থাক নেমথবা খুনুং ঈরাৎ-লাইনীঙশিং, অশিবগী থৱাইশিংগুম্বা লাইশিংদা খুরুম-খাজঙবশিং; নুঙ-উনচিংবা লাৎপশিং, অসিনচিংবনি। মরম অসিনা হৌজিক্কী মৈতৈশিংসিগী মপা-মপুশিংদুগী কোকশিংদুনা মখল-মখা অয়াম্বা লাইনীঙলোনগী লীচৎ-শাজৎশিং, লীক্লম-লীকখুনশিং অমসুং মচৎ-মনাৎশিংনা থন্না হাপচিনখি অমসুং

ৱাখলবু ধর্ম্মশিংসিগী মনুংদগী অমতদা খক পীথোক-লাছোকখিদে। মখোয়না মখোয়গী লমদমসিদা খুল হোংলকখিবা মপা-মপুশিংদুনা লু-তোংদা পুরক্তুনা মখোয়গী শীংলী-নাউরী অমসুং তীঙলী-পাফন্দা য়াওরিবা লাইনীঙলোন্দুদা অদুম্মক নপ্তুনা লৈরম্মী। অদুবু মখোয়গী লাইনীঙ মচৎ-মনাত্তুগা চাননা খৃঃ ১৬০০ কী অদুৱাইদা হৌদোক্লকপা মৈত্রবাক্কীদা/মৈতৈগীদা ওইবা লীচৎ(শিং)দুদদি পুক্নীঙ থমদবা ঙমখিদে। অদুগা হায়রিবসিগী মতুং চহি চামরোমগী মতম মৈতৈ-লৈমগী লাইবক্তা তন্নকপা নোংদম্মা মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোনগী, খুন্নাইলোনগী অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোনগী লমদাংশিদা শোন্থরক্তুনা মৈত্রবাক্কী ফিভম-ফিরেপ কন্ননবা অমসুং মমান-মমান্নবা মীরৈবাকচাশিংবু লাম্বা পানবা অমসুং লৈঙাক্লোনগী সেবোতী কাওনবা ঙম্মনবগীদমক্তা মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংব (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) না লাইনীঙলোনগী লানওংদা অনৌবা হিন্দু শাক্ত ধর্ম্ম [Hindu Sakta Religion] দা লাইমিং লৌদুনা (চৈ:কু: ১৯৮৯, ৬৮ অমসুং ও:ভ:ম: ১৯৭২, ৪৭) অহানবা ওইনা হিন্দু লাইনীঙলোনগী অকোয়বী লমকন্নুংদা চঙবা হৌখি। অসুম্না মমায় নোংপোক ওল্লম্বা মৈতৈনা নোংচুপ ওল্লকখি।

মালেমসিদা লাইনীঙলোন্না লীখোক্লকপা অমসুং মীওইবগী পুৱারীদা শন্দোক্লকপা

মীওইবা হায়বা মখোঙ অনিনা লেপখত্তুনা চৎপা, য়াঙলেন শরূ পানবশিংগী মরক্তগী মমাগী মখোম থক্তুনা চাওরকপা থৱাইপানবসিনা থোক্লকপা মতুং চহি লাখ ৬,৮০,০০০ রোমগী মতমদদি লাইনীঙলোনগী ৱাখল অসিগী মচেৎ অমতা মশাদা পক্লমদে। মখোয়না শাদান্দুনা অফং-অফংবা শা হাত্তুনা চারগা হিংননবগী লমদাং অসিখক্তংবু মরু ওইবা পুন্সিগী লম্বী ওইনা লৈবগুম তৌরম্মী। অদুবু মখোয়না তান্নদুনা হাৎলবা নৎত্রগা ফাদুনা পুরক্লগা হাৎলগা মচীঞ্জাক ওইনগদৌরিবা অশিবা শাদুগী মশাদুদা অহিংবা শাগী মশাদুগা অনিসিগী খেন্নবসি খঙলক্লম্মী। হায়রিবসিদগী অচঙবগী ময়াই অমসুং অচঙবা/অহিংবগী তৌবা ঙম্বা মতীক-ময়াইগী লাইনীঙগী ৱাখলদা থোং থাবা হৌরকখি। অসুম্না থৱাইগী থাজবা অমসুং অচঙ-অহিংবগী ময়াইনা শা-ঙাগী অমসুং মীওইবগী মশাদা/মহকচাংদা লৈ হায়বা খঙলকখিবসি ঙসিদগী চহি ৭০,০০০ দগীনা

৩০,০০০ রোম ফাওবগী মতমদা মীওইবা জাতি অপুন্নবগী মহুৎ শিনবা নৎত্রগা মপা-মপু ওইবা মী ফুরুপ মৌষ্টেরিয়ান ([Mousterian]) হায়বা নিয়েণ্ডরথেল মেন [Neanderthal Man (C.200,000-30,000 B.P)] গী মীশিংদুগী মতমদনি (R.D.A., 1974, 19)। হায়রিবা নিয়েণ্ডরথেল মেনশিংসি হোমো সিপিয়েন্স [Homo sapiens (C.75,50,000-30000 B.P)], হায়বদি "অশিংবা মী (Wise Man) [মথক্কীসিদা, ১৯] হায়বসিগী চাদা-নাউদানি নৎত্রগা মশানি।

লাইনীঙলোনগী নৎত্রগা অচঙ-অশিগী লমদাংদা তশেংনা খঙলদুনা অহিংবা থৱাইগী নৎত্রগা লেঙলি-চৎলিবদা হকচাং/মশাদা য়াওরিবা অচঙবগী ময়াইগী থাজবা অসি মৌষ্টেরিয়ানশিংনা মখোয়গী মচীঞ্জাক্কীদমক্তা ফারবা অহিংবা শা অমসুং চাননবা হাৎলবা শা অনিদুগী মশাশিংগী ফিভম, মওং-মতৌনচিংবদগী পোক্লকপনি হায়বসি মথক্তা পঞ্জস্রে। হায়রিবা অচঙবা অমসুং অশিবা মশাশিংগী শেন্নবগী লমদাংসিদা মখোয়না উৎলম্লিবা খুদম-চাংদমদি- মখোয়না মখোয়গী মীশিংগী অশিবা মশা(শিং) বু তুংলমচৎকী পুন্সি অমগীদমক লাইশোন-তীনশোন তৌবগুম্না ফুল্লম্বা অসিনি [মথক্কীসিদা ১৯]। মরম অসিনা মৌষ্টেরিয়ানশিং অসিনা লাইনীঙ-লীচৎ হৌদোকখিবা মী কাংলুপ্নি হায়বসি খ্বাইনা য়ানৈ।

মতমগী খোঙথাংসিনা অউঙবা কাংখোঙগুম ঙরাংদগী ঙসি, ঙসিদগী হয়েং, হয়েংদগী হংচিৎ, অসিনচিংবদা অহাঙবা অমসুং অহোবা মচেৎ অমত্তা লৈহন্দনা চথরকপসিদা অশিংবা মী, হোমো সেপিয়েন্সনা হৈ-শিংবা মী, হোমো সেপিয়েন্স সেপিয়েন্স [Intelligent Man (Homo sapiens sapiens)] পুথোক্লম্লগা মখোয়না হৌখিবগী ঈপাক্তা লুপশিন্দুনা মাঙখি। হোমো সেপিয়েন্স সেপিয়েন্সসি ঙসিদগী চহি ৩০,০০০গী মমাঙদা থোক্লকখি অমসুং মখোয়না ঙসিদগী চহি ২৫,০০০ দগী ২০,০০০ লোমগী মতম অদুৱাইদা নীয়েনত্রোপিক মেন [Neantropic man] হায়না কৌবসি ওল্লক্তুনা ঐখোয়গী প্লানেটসিদা অহিংবা মীগী চার ওইনা পাল্লকখি। নীয়েনত্রোপিক মেনশিং অসিনা মখোয়গী মচীঞ্জাক থিবদা মালেম পৃথিবীসি লৈমায় থুংনা কোয়চৎ চৎলকপদা চীঙ, পাৎ, তুরেন, সাগর, মহাসাগরনচিংবনা থিংবা ঙমখিদে। অদুনা মখোয়বু য়ুরোপ্তা লৈরগা ক্রোমেগ্নোন [Cromagnon], চাইনাদা লৈরগা নিও-চৌকৌতিয়েন

মেন [Neo-choukoutien Man], জাভাদা লৈরগা জাভা মেন [Java Man] অসিনচিংবা মমিংশিং থোন্নরকখি। অসুম্না য়ুমলেপ-য়ুম্নাইদনা কোয়না চৎপা মীওইশিংগুম মৌষ্টেরিয়ানশিংনা মচা-মশূ ওইবশিংদা খুৎশিন্নরম্বা মচৎ-মনাত্তু মখোয়গী তীঙলী অমসুং য়াঙলীদা পুদুনা মালেমসিগী লমচী-লমতুপ খুদিংমক্তা থুংলখি। নীয়েনত্রোপিক মেনশিংদা মখোয়না থাদোক্তুনা পুরকপা পুক্লীঙ-ৱাখল চুমহন্নবগী অমসুং লাইনীঙ লন্বীরোমদা চঙশিন্নবগী অফবা ৱাখল্লোন্দু মফম অমদগী অমদা অমসুং লমচী অমদগী লমতুপ অমদা শন্দোক্তুনা মীওইবগী লাইনীঙলোনগী চারা-মপান অদু মালেমসিগী মফম খুদিংমক্তা থারমখি অমসুং হৌহল্লমখি।

মীওইবা জাতিসিগী মনুংদা নীয়েনত্রোপিকমেনশিংসিগী মচা-মশু ওইনা অচৌবা জাতি কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোক্লকখি। মখোয়দুদিঃ- (১) ককেসস চীঙজাও মথক্কী অমসুং মনাক্কী খুন্দারোই, ককেসোই [the Caucasoid], (২) ককেসোইড অমসুং মোঙ্গোলিয়ান অনিগী চাদা-নাউদা ওইবা মোঙ্গোলোইদ [The Mongoloid] (৩) অষ্ট্রেলিয়া অমসুং মাগী অকোয়বা লমদমশিংগী খুন্দারোই, অষ্ট্রেলোইড [Australoid] অমসুং (৪) আফ্রিকা মহাদেশকী অহানবা মীওইশিং, মখোয়গী কুচু মুবদগী অমুবা [Negro, Spanish Word, derived from Latin words-nigernigra, nigrum, meaning black (A.M.M.; 1974, 883)] জাতি কৌনবদগী লৌদুনা মিংথোনবা নেগ্রোইড [Negroid], অসিনি [R.D.A., 1974, 21]। মখোয়সি ঙসিদগী চহি ১২,০০০ রোমগী মমাঙদা হৈ-শিংবা মীশিংগী চাদা-নাউদাগী লাইনীঙলোন থাজবা অমসুং লাইনীঙ-লীচৎকী লীপুন্না পুল্লবা নীয়েনত্রোপীক মেনশিংগী ধারা-নালা ওইনা মালেমসিদা খোঙদারকখিবনি।

মতুং তারকপা, মীওইবগী চাওখৎ-খোঙথাংগী পরীংদা লৌউ-শীঙউবা অমসুং য়ুমশা-শায়োকপগী লমদাংশিংদা ঈংখোল অমসুং শফম লীংখৎলকপগী মচৎ-মনাৎসি থোক্লকখি। অসুম্না ঈংখোল-শফমশিংসিনা মরা চেৎনা লৈরক-হিংলক্লবা তাঞ্জাদুদা ঙসিদগী চহী ৩,৫০০ দগী ৩০০০ লোম ফাওবগী মতমসিদা ঈংখোল/শফম [Farm] খরদি লাইনীঙ-লীচৎকী

ব্রাখল্লোনগী অরেপ্পা য়ুম্ফম ওইবা হৌরকখি [মথক্কীসিদা, ৩০]। অসিগুম্বা ঙ্গংখোল/শফম নৎত্রগা ফার্মশিংসি লাইনীঙ-লীচৎকী মরু হুনফম ফেদোম/ কাংখুন ওইনা ওইহল্লকুম্মী।

অমরোমদা থাক ব্রাংখৎলক্লবা লাইনীঙশিং (Classic religions) গী ধর্ম্মগী মপাউ পুবা, ধর্ম্ম শব্দোক্লবা লম-লম কোয়না চৎপা মীওইশিং কয়ানা মালেম নৈমায়সিগী মীওইবনা খুন্দা লৈতারিবা মফমশিং থুংনা ঙসিদগী চহি ২২০০ দগী ২০০০ রোমগী মতমসিদা মাগী মাগী লাইনীঙলোনগী লাইবাউ, পাউত্তাক, লাই ব্রায়েন, পাউরৌনচিংবা অতোপ্পশিংদা শব্দোক্লবা কোয়না চৎনবা হৌরকখি। হায়রিবা মতমসিদা মীওইবগী শূ-নোম্বগী ব্রাখল্লোন্দা শাগৎপা, মালেমসিগী মীপুম খুদিংমক্কী ওইবা থায়নগী লমচৎ-শাজৎ অমসুং লাইনীঙ ব্রাখল্লোনগী ফম্বাকথক্তা কঙফু-জু (Master Kung-fu) না শব্দোক্লম্বা লাইনীঙ-পরমদুদা য়চু শংথ্রবা মৈতৈগী মপা-মপুশিংদুসু, চাইনাগী অচৌবা চেকপল (The Great Wall of China) শানবা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লংফৈদা লৈবা নৎত্রগনা থব্রাই মাঙবা হায়বা অনিসিদগী মশাবু কঞ্জনবগীদমক্তা মখোয়গী লাইরৈপাক, মরৈপাক্তু থাদোক্তুনা লমদমসিদা খুনহোংলকখিবনি। মখোয়গী টাই নিংথৌরেনশিংগী লৈঙাক লোয়খিবা, চ'ইনশিং (Ch'ins) না মখোয়গী চীন/চাইনীজ লৈপাক লীংখৎলকপগী শাফু কল্লবা লৈঙাক্লোনগী চৈথাদুদগী নাম্থোক্তুনা লাক্লনবা হোৎনবদা মখোয়গী মপানথোংগী ওইবা মরন-মথুম, মনাৎকী মপোৎ-মচৈনচিংবা পুম্নমক মৎপীথ্রবসু মখোয়গী থম্মোই অমসুং কোক্কী থোপ্তা পুরকপা মরন্দুদি মাঙদবনা মদুগী-চারাদু মখোয়না খুন্দারবা মফমসিদা থারম্বনি।

মৈতৈ-লাইনীঙলোনগী মায়থোঙশিং/শক্তমশিং

মৈতৈগী মশাগী ওইবা হৌরকঙৈগী লাইনীঙ নৎত্রগা লাইনীঙলোনগী থাজ' মনাৎ অদুদি মখোয়গী মপা-মপুশিংনা গ্রীগোরীগী কুম্বারোলগী কুমশীঙ হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈপাকসিদা পুরকখ্রে, হায়বদু মমাঙদা হন্না হন্না পঞ্জখ্রে। হায়রিবা লাইনীঙ-মনাৎসি অপোকপা লাৎপা/খুরুম্বা লাইনীঙ [Ancestor/ Fore-father worships cult] নি। হায়রিবা অপোকপা লাৎপগী লাইনীঙসি কুঙফু-জুগী লাইনীঙ-লীচৎকী মরু ওইবা ব্রাখুন মরিগী মনুংদগী অনিশুবা

ৱাখুন্দুগী লীখুন-কাংলোন্দগী হৌরকখিবনি অমসুং মসিগী মমাঙদা অপোকপা লাৎপগী, মপা-মপু ঈরাৎ-থেল্লাৎপগী, পারোন-পুরোন্দা হৈ-লৈ কৎপা নৎত্রগা খুরুম-খাজঙজবনচিংবগী লাইনীঙলোনগী/ৱাখল্লোনগী লমদাং অমত্তা লৈতে। হায়রিবা অনিশুবা ৱাখুনসিগী মতাংদা পীবীরলিবদিঃ-

This second principle lays great emphasis on such virtues as loyalty, good faith and respect for the parents, particularly for the father [ibid. 171]...

অসিনি। মথক্কী ৱাফমসিদা নুপানা য়ুমগী য়ুম্বুরেন ওইবা অমসুং নুপানা লৈপাক-খুন্নাই পানবগী ৱাখলদু ফোংদোক্লি।

মপা-মপু লাৎপা নৎত্রগা পুজা তৌবগী লাইনীঙ-লীচৎসি হিন্দুগী তেংবানবগী চাইগোয়নুংদসু ময়েক লানা লৈবা উই। মসি হৌজিক ফাওবগী থিজিন-হুমজিনবগী থাকসিগী ওইনদি মনাৎসিনা হিন্দু লাইনীঙলোনগী মনুংদা লৈরিবসি হিন্দু মহাকাব্য "রামায়ন" ইবগী মতম, চাওরাক্লা খৃষ্টগী কুমশীঙ চা ১০/১১শুবগী অদুৱাইদনি। মসি, হিন্দু ধর্ম্মগী জগৎ মনুংসিদা হৌজিক ফাওবদসু চৎনরিবা মনাৎ অমনি অমসুং মসিগী খুদম-চাংদম পীবা তারবদি চহিগী ওইনা হিন্দুগী তর্পণ কৎনরিবা অসিনি। হায়রিবা হিন্দুগী বসরিক তর্পন (Annual TARPAN i.e. yearly offering of food or edible things which are represented by floral produces) মহালয়া (The new moon day of Asvina/Langban) না লোয়শিনবসি মৈতৈ হিন্দুশিংনা মখোয়গী অপোকপা লাৎপগী লাইনীঙসি লৈন-লৈনমকসু লাংবন থাগী ১৬নি পানবদগী থাশি ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি চুপ্পা পাংথোকই। তর্পন কৎপগী যযুর/সাম বৈদিনচিংবগী লাইশোন কয়ামরুম লৈবশিংগী মনুংদা খ্বাইনা পান্নুনা চৎনরিবসি রাম-তর্পনগী লাইশোনসিনি। মসিগী মরোন্দুদিঃ-

ওঁ আ ব্রহ্মভুবনাল্লোকা দেবর্ষিপিতৃ মানবা ঃ।
তৃপ্যন্ত পিতরঃ সর্ব্বে মাতৃমাতা মহাদয়ঃ ॥
অতীত কুলকোটী নাং সপ্তদ্বীপনিবাসিনাম।
ময়াদত্তেন তোয়েন তৃপ্যন্ত ভবন ত্রয়ম॥

অসিনি। মসিগী ৱাহন্দোক্লাঃ-

"তাইবংপানবগী মপুদগীনা জগৎসিগী লোক পুম্নমক্তা লৈবীরিবা লাই, ঋষি, মীওইবা পুম্নমক্কী লৈখিদ্রবা মপা-মপুশিং পুম্নমক, ঐখোয়বুসু পোকপীরম্বা ঈপা-ঈপুশিং, ঈমা-ঈবেন-ঈবেম্ঘৌশিং অমসুং অপোকপগী ঈমাগী মায়কৈরোমগী অহল্লমনশিং পুম্নমক্কা লোইননা মালেমসিগী দ্বীপ তরেৎমক অমদি জগৎসিগী মরোল অহুম্মক্তা লৈবিখ্রবা হৌখ্রবা শাগে কোটী-কোটীশিং পুম্নমক্কুনা ঐনা কৎচরিবা ঈশিং অসি ফংবীরগা অপেনবা ওইবীরসনু"।

অসিনি। মসিদা তেংবানবা অমসুং মালেম অপুম্বগী ওইনা শেমদোক-শাদোক্লবা মওং-মতৌগীনি। হায়রিবা তর্পনসিগী মরূদি অপোকপা মপা অমসুং অপোকপী মমাদা লৈ অমসুং হায়জরিবসিগী চাংদম-প্রমান্দিঃ-

(১) পিতা ধর্ম্ম, পিতা স্বর্গ, পিতাহি পরমং তপ:।
পিতরি পৃতি মাপননে প্রিয়ন্তে সর্ব্ব দেবতা॥

ৱাহন্দোকঃ- ঈপানা ধর্ম্মনি, ঈপানা স্বর্গনি অমসুং ঈপানা অচেৎপা লাইনীঙগা লোইননা ঈশ্বরবু নীঙজবদুগীসু হৌরকফম মরূনি। ঈপানবু পেনবীরবদি লাই পুম্নমকসু পেনবী-চানবীরবনি।

(২) জননী জন্মভুমি চঃ স্বর্গাদপি গরিয়শিঃ॥
অপোকপী ঈমা অমসুং পোক্লফম লমদম ঈমানা স্বর্গদগীসু হেন্না ৱাংই।

(৩) স্বর্গ দৃচতরো পিতাঃ

ৱাহন্দোক:-

কোরৌ নোংনা ৱাংবরা, পঙ্খৌ ঈপানা মৱাংই;
মালেম লৈনা লুম্বরা, পলেম ঈমানা মরুমই॥

অসিশিংসিনি। মখোয়সি কঙ-ফু-জুগী মীওইবগী, পাঙ্গলনা শৃ-নোম্বগী পাউতাক-পাউজেল মরিদুগী অনিশুবদুগী মরেংবান্দা তোংলিবনি। অদুগা হিন্দু ক্ষেত্রিয়শিংনা ৱাশকপদসু মপারোমদগী পুরোন তরেৎ, মমারোমদগী পুরোন তরেৎ, পুরোন ১৪ সিদা সাক্ষী থমদুনা ৱাশক্লরিবনি অমসুং মসি অপোকপা-অপোকপীবু ঈকাই খুম্নবা উৎপগী অমসুং থম্বগী মওং-মতৌনি।

মৈতৈশিংসিনা, মখোয়না মপা-মপুশিংগী ফংফম থোকপা মরন-মথুম ওইনা ফংজহৌরবা লাইনীঙ-মনাৎ অদু চৎপা মীওই কাংলুপ ওইবনিনা মখোয়গী মপা-মপুশিং অমসুং মমা-মবেনশিংগী মফমদা অহকপা অমসুং অচেৎপা

নোল্লুকপা, খুরুম-খাজঙজবা, ঈকাই খুম্নবা অমসুং মমা-মপা নীঙজবসি লৈ অমসুং অকক-অখন্ননা মপাগী মায়কৈদা হেন্না নকশিন-কনশিন্না অমদি লূমবা হেঞ্জিন্না খঞ্জ-নীঙজবগী ৱাখল থম্মী। অদুগা মখোয়না য়ুম্লাক-শাগৈগী ওইবা অপোকপা-অপোকপীশিং অমসুং পুকোক পুরেনবা-পুরেনবীশিংগী খুবম য়াদুনা মখোয়গী ৱাখন্না শাগত্তুনা/ওইহল্লক্কুনা থোক্লকপা লাইশিং [Abstract deities] গা চপ মান্ননা লাৎলি। মৈতৈগী উমং লাই [Sylvan/Forest/Wood or Arbour (Arbor)/bower/grove diety] শিংসিগী মরক্তা ৱাখন্না শেন্বা লাইশিং, খুদম ওইনা, অতিয়া শিদবা, অশিবা, নোংথাঙলৈমা, কৌব্রু,অসিনচিংবা, খর য়াওরবসু অয়াম্বদি মীওইবা ওইনা লৈরম্বা মীওইশিং অমসুং মৈতৈগী মপা-মপু ওইবা মীশিংনা অয়াম্বনি। মখোয়গী মবুধৌ-মবেম্ধৌশিং, অকন-অথৌশিং অমসুং নুংশি শেৎন-কায়নঙমদনা খায়নখিবা, মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবশিংবু মখোয়গী তৌবীমন কাউদনবা অমসুং নুংশিখিবগী মতৌদু হোংদনবা লাইগী শীঙদা চনহন্দুনা মখোয়বু ঈরাৎনবা থৌরাং শেম-শাদুনা শাগৈ লাই কয়ামরুমসিওইহল্লকখিবনি।

মৈতৈশিংনা মখোয়গী মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙসিনা মখোয়গী লেপ্পবা হোংফদ্রবা লাইনীঙ-লীচৎ ওইদুনসু মখোয়না মহৌশাগী ওইবা মতীক ময়াইশিংদগী হেন্দোক-থোইদোকপা মহী-ময়াই অমসুং মঙম-মতীক পুই/চেল্লি হায়না লৌনবা নুঙ, উ, ধাতু/কোন্নচিংববু খুরুম-খাজঙদুনা লাৎপা অমসুং চীঙ, পাৎ, তুরেল, উমং-ৱামং, লবুক, লম্ফাংনচিংবদা লৈরিবা, মখোয়বু কোল্লি-শেল্লিবা অমসুং য়াথোক-চাক্তারিবা লম পুবা-কোনবা লাইশিংবু থাদোকপা থৌশাদবা নৎত্রগা/ অমসুং শীঙনবদি ঙম্লমদে। অকোনবগী লাইনীঙ পরমলোনসি টিবেটানগী অরিবা/ অনৌবা বোন [Old/New Bon (all probability once referred to conjuring of gods by magic formulas)] লাইনীঙলোন্না ৱায়েন-ৱাতেম্বগী তুখুন্দা লৈবনি। অসিদসু নত্তনা লাও-জু [Lao-tzu/Lao-tse] গী টাওইজম [Taoism, the moral/ethical science of path] গী মশক নাইদবা তেংবানগী ময়াইনা মখোঙ য়েৎ-ওয় নাইনা পা ওই অমসুং পী ওইবগী মশক মমিংদা য়াঙ অমসুং য়িন কৌদুনা পোৎপা কায়দবা মহৌশা লাইরেম্বীগী লোনচত্তা য়ুমদাংলিবা লাইনীঙলোনগী পাউতাকশিংসু হুন্দোকপা ঙমদে।

কঙ-ফু-জুগী লাইনীঙ-শাজৎকী লাইবাউ [Classic] শিংদা যুম্ফম ওইদুনা অহিংবা হকচাংগী পাঙ্গল, শূ-নোম্বগী তৌবা ঙম্বগী মতীক, মীওইবগী ৱাখলগী মতীক-ময়াইনা থোকহল্লকপা থৌওং, পোথোক্লচিংবদা থাজবা থমদুনা মীওইবনা মী ওইনা পাল্লিবা লাইনীঙসিদা নত্তনা মী ওইনা পোকখিবা অমসুং পোকখিদবা বুদ্ধ অমসুং বুদ্ধিষ্টবাগী অঙৌবা অমসুং অমুবা মচুশিংনা ময়ুং-মফেন অমসুং খুৎহৎ-লংফেন ওইরবা হিনায়না অমসুং মহায়না বৌদ্ধ ধর্ম্ম; "একং ইশ্বরং [EKAM ISHVARAM (There is only one God)" হায়বা বৈদিক লাই-পাউতাকসিদা চেৎনা থাজবা ঙম্না লাইয়াম লাৎপগী অমখক্তদা লোয়শিনবা (Vedic polytheistic monotheism) লাইনীঙ; মালেমসিগী লাইনীঙলোন খুদিংমক্তা ফুমজিন-পকশিন্দুনা য়াওরবা অমম্বা অমসুং অঙানবগী ওইনা মমায় অনি পানবগী ৱায়েন অমসুং কাংলোন্দা পরীং-পরম য়াৎলবা অমসুং পাফন মিতম উৎলবা পোমিৎ অমসুং ৱাখুন্না মপাঙ্গল পীদুনা মথৌনা লৈনা চৎলিবা তন্ত্রগী লাইনীঙলোন (Belief in the forceful formulaic and diagramic applications of the black and white arts of tantric stereographic norms, embeding and penetrating in all the religions, cults, etc.) অমসুং মোংফমদগী হৌগৎহনখ্রবা অমসুং অমুক হন্না হৌগৎলকখিগনি হায়না পীরম্বা পাউতাকসিদা চেৎনা পুক্লীঙ-হকচাং কথোক্লিবা ইস্লামিজম অমসুং খৃষ্টানিটি [Islamism and Christianity] অনীমক [অনিসিদা অকোনবগী খৃষ্টানীটিসি, যীসু খৃষ্টগী ৱাহৈ অমা ফাওবা নিয়ু টেষ্টামেন্ট (New Testament) তা য়াওদে, পাউল (Paul, the deceptive bretrayer in among the 12 Apostles of Lord Jesus Christ) না খৃষ্ট শাদুনা পঙহায়দা হায়জিনবনিনা ধর্ম্মসিগী মমিংসি পাউলিজম (PAULISM) হায়না মমিং হোংদোক্কদবনি হায়বা ৱারম পীরি (ত.শ.শ., 2003, VI)] সিবুসু খত্তোক-খথনবগী ৱাফম লৈতে।

মথক্কী হায়জখ্রিবা শরেপ ফারবা লাইনীঙলোনশিং, লাইনীঙ-তীন্নঙশিং অসিদা নত্তনা মতম-মতমগী, মতাং-মতাংগী, থৌরম-ৱারমগী, লৈঙাক্লোন/খুন্নাইলোনগী খুজীন-থৌরাংগী, থৌরাং-থৌশীনগী অমসুং ফিভম-ফিরেপকী ওইনা লৌশিল্লুবা, হৌদোক্লকপা অমসুং লীংখৎলকপা নৎত্রগা শেমগৎলকপা লাইনীঙলোনশিং, মরুওইনা, এনিমিজম, স্পিরিটিজম

(Spiritism), স্পিরিচুয়েলিজম (Spiritualism), নচিংবসি লম-তুগী, অরাপ-অনক্কী, শক-চু, জাতি-বিজাতিগী, অসিনচিংবগী খেন্নবা থমদনা লৌশিল্লুবা অমসুং শন্দোক্লুবনিনা মখোয়সি মণিপুরগী লৈমায়সিদা অদুমক পক্লুনা লৈরম্মী। মরম অসিনা মৈতৈগী/মণিপুরীশিংগী লাইনীঙগী মমায়-মায়থোঙশিংসি মখাগী অসিগুম্না কায়াৎ য়াখোকপা য়াইঃ-

(ক) হিন্দু ধর্ম্মগী মমাঙগী থাক নৎত্রগা মৈতৈ মশাগী লাইনীঙলোনগী ওইবা শক্তম, অমসুং

(খ) হিন্দু ওইরবা মতমগী থাক নৎত্রগা লাইনীঙ ফুরুপ-কাংলুপ নাইরবা মতমগী শক্তম

মৈতৈগী লাইনীঙ-লীচৎকী ওইবা থাক/শক্তম অনিমকসি মণিপুর ইতিহাসকী মচীনঙৈগী মতম তাংকক্কী মতুংদগীদি ঈরোইননা চৎমিন্নবগী তোৎশিন-য়ানশিন্নবগী মশক অমা ওইনা লৈ অমসুং মসিনা থাক অনিসিদা অমগা অমগা পুথোক-পুশিন তৌনবা, চঙথোক-চঙশিন্নবগী য়ান্ন-তোৎনরবা লাইনীঙলোন, মনাৎ, মচৎ, লোনচৎ, লীচৎ, শাজৎ, মতৌ, অমসুং ফিরেপ অমা অমসুং মদুদগী চৎনরকপা পরীংগী ফিভম অমসুং শকফম ময়েক লানা উবা ফংই। খুদম ওইনা, হিন্দু ধর্ম্ম চৎলবমক্তদসু হেড-হর্ন্টিং (Head hunting) গী থাজবসি মাঙদনা নুঙগোইবী লাললু (Head of War Captive) চনবা [চৈ:কু: ১৯৮৯, ১১৯, ২৯২, etc.] অসিনি।

ক) হিন্দু ধর্ম্মগী মমাঙগী থাক নৎত্রগা মৈতৈ মশাগী লাইনীঙলোনগী ওইবা শক্তম

থেংনা ইরকপা মৈতৈগী লাইনীঙলোনগী, লাইনীঙ-লীচৎকী, লাইনীঙ-পরম-খুদাগী, ঈরাৎলোলগী, ৱাঙউলোনগী অমসুং লাইনীঙ-তীন্নীঙগী লমদাংসিদা তেংবাং-লাইরিক, শৌগৎ-পমখৎ-লাইরিক, লমতাক-ৱাহন-লাইরিকশিংনচিংবনা মৈত্রবাক্তা কল্ট (Cult) নৎত্রগা কল্টিক্কী থাক্তগী হেন্না ৱাংখৎপা রিলিজন (Religion) গী থাক য়ৌরবা/হেন্দোক্লবা লাইনীঙ নৎত্রগা লাইনীঙ-লীচৎ অমা লৈরে হায়না লৌবসি নৎত্রগা লৈহন্নবগী লাইনীঙ-নাৎকী ৱাখল পরীং থারবসু মখোয় হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মায় পাক্ত্রি। মরমদি

মখোয়গী ওইবা লাইনীঙগী/লাইনীঙলোনগী পাউতাক য়াওবা নৎত্রগা লাইনীঙ-লীচৎকী লাইপাউ-পাউজেনগী ওইবা লাইরিক অমত্তা লৈত্রি। অদুনা খমলাং পুৰারী, লৈশেমলোন, খমনুং ইঙাল-লৈশাবা, খুনুং ঈরাৎলোন্নচিংবা লাইরিকশিংদা য়াওরিবা মচাক-মথুমশিং অসিনদি কল্টকী ফিরেপ অমসুং থাকসিদগী হেন্না কাখৎপা/পুখৎপা ঙমদে মরমদি, মখোয়শিংসিদা য়াওরিবা মচাক-মরনশিংসিদি ঈরাৎ-থৌনিগী পোৎচঙ-পোৎলমশিং অমসুং লাইশোন-তীনশোনশিং ঙাক্তনি [S.N.M., 1989, 90]। অদুগা খ্বাইনা মরুওইবা পুমচুম চুম্লবা অমসুং পুন্নমক্কী ওইনা চৎনরবা ৱারোলশিংনি হায়না য়ানরিবা/লৌনরিবা চৈথারোল কুম্বাবা [Royal Chronicle and Annals] অমসুং মসিদগী শেমদোক-শাদোক্তুনা তেংবাং লাইরিক ওইহল্লিবা "নিংথৌরোল লম্বুব [History of armed expenditions and subtentive activities, achievements, abilities, etc. of Meitei monarchs and queens] দা অসিগুম্বা লাইনীঙ লোনচৎনচিংবগা মরী লৈনবা/শম্নবা, লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী ওইনা মথৌ তাবা পোৎচঙশিং অমসং মখোয়গী তেংবাং-পোৎচাকশিংগী মরমদা পনদে/য়াওদে হায়বা য়াই। মখোয়শিংসিদা লাইনীঙ-তীন্নীঙ, লাইনীঙ-লমচৎ অমসুং লাইনীঙলোনগী লমদাংদা মীওইবগী অফবা ৱাখল, খ্বাই-মীয়ামগী ওইবা পুক্নীঙ-ৱাখল ফহন্নবগী পরীং অমসুং ৱাখল-লৌশিং ফগৎহন্নবগী হিরমদা ঈরীক কোঙ্গোলগুম খীক্লল্লিবা খরদি, ঈরাৎ-থৌনী তৌবা, লাইফম/লাইকংলা লীংখৎপা, লাইশঙ/লাইবুঙ শাবা, লাইগী-কোললু, কোনমায়, কোনফম-মূর্ত্তি হৈবা, শাবা, অমসুং শেন্বা, লাইশক-লাইচৎ তাকপা, অসিনচিংবা খক্তনি। মরম অসিনা, লাইনীঙগী/লাইনীঙলোনগী থাক, চাংদম, ফিভম অমসুং ফিরেপ্পচিংবা লেপ্পা/পুথোকপগী মতাংদা খুৎ থাবদা অরুবা ওইনা থোকই।

মৈতৈশিংসি লাইয়াম লাৎপা/নীঙবা মী কাংলুপ [Polytheistic people] নি অমসুং মখোয়না মীওইবনা তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা থবকশিং তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গল, ময়াই নৎত্রগা মহী-ময়াই পুবা/চেনবা পোৎশকশিং/পোৎলমশিং, মখোয়দা মমিৎ থকহনবা, থুপহনবা অমসুং থলহনবা মহৌশা লাইরেম্বী থৌরম-থৌদৌশিং, থৌওং-থৌদোকশিং, অসিনচিংবা অমসুং শকউদবা ময়াই [Unseen energy] শিংগী মতীক-মঙমগী ফোঙদোক্লকপা,

শক উৎলকপা অমসুং উহল্লকপা মওং-মতৌশিংবু হেক্তমক ঈরাৎ-থৌনী তৌরম্মী। মসিগী মরমদি, মখোয়না তেংবানবা মপুনা পীবিরকপা অচংবগী ময়াই, মখোয়না "য়াইবী থবাই" [Soul, the partial energy of the Supernatural powers/forces] কৌবা মহৌশা লাইরেম্বীগী মতীক-ময়াইগী মচাকসিদা অচেৎপা/অহকপা থাজবা থম্মী। মখোয় মৈতৈশিংনা তেংবানবগী খঙঙম-উঙমদ্রবা ময়াইসিনা মশামক্কী শক্লোন ওহোক্তুনা অচঙবগী/অহিংবগী ময়াইসি থোকহল্লকখি/পুথোক্লকখি অমসুং অচঙবগী ময়াইসি, মখোয়না মীওইবগী তৌবা অমসুং খঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রবা লাই; খ, অতিয়া/অহাংবদা ময়ুম, য়ুম ওইবা খয়ুম/খোয়ম হায়বসিদা মখোয় মশানা খঙনা/খঙদনা মশক হোংহল্লকখি/ওহোক্লকখি। অদুনা তেংবানবগী অহাংবা মফম খুদিংমক / পুম্নমক শীনবা থুংনা লৈরিবা অহাংবা মাল্লং/নোংমদোনসিবু ৱায়েল-থৌদারিবা তাইবংপানবগী শকউদবা ময়াই নৎত্রগা মশক-মওং নাইদবা/লৈতবা ময়াইদুবু মশক মমিং পান্দুনা মৈতৈশিংনা "অতিয়া গুরু শিদবা [The immortal Preceptor, symbolized/signified by the space/air or Sky]" হায়না কৌদুনা মখোয়গী লাইনীঙলোনগী লাইশিংগী হৌরকফম মরু/লেস্ফু ওইহল্লি।

মালেম-তাইবংপানবগী নোংশেম-লৈশেমঙৈদগী খঙনরক্লবা তেংবানবগী নৎত্রগা তাইবংপানবগী মপুগী মতীক-ময়াই অসিনা মালেমসিদা লৈরিবা সাইন্টিসশিংনা খঙলিবা মালেমসিগী, সৌরজগৎ [Solar system] সিদগী অমসুং জগৎ [Universe] সিগী লৈরি-ফংলিবা ময়াইশিং পুম্নমক, ময়াইশিংবু থোকহল্লিবা মতীক-মপাঙ্গলশিং পুম্নমক অমুক ময়াইশিংবু নৌনা শকওল্লহল্লিবা মহী-ময়াইশিং পুম্নমক অমসুং ময়াইশিংগী তুংনফম পুম্নমকসি পোক্লকখি। মখোয়সিনা ময়াইশিংসিবু লৌশিল্লিবা, শীজিন্নরিবা অমসুং পীথোক্লিবা তেংবানবা-জগৎসিগী মচাকশিং ওইবা পোৎলমশিংসি থোকহল্লকখি অমসুং পুথোক্লকখি। অদুগা তেংবানবগী মপুনা ময়াইশিংসি মশক-মশা উবা ময়াইগী মওং-মতৌ মানবা মঙানগী মশক অসিদা অয়াম্বা মতম অমসুং মওং-মতৌদা থাদোক-পীথোক্লকই অমসুং মদু থবাই পানবশিংনা অয়াম্বা মতমদা ফংই অমসুং লৌনৈ। পান্বীশিং অমসুং পান্বীগুম্বা হম্বা থাক্কী শা-ঙাশিং খরদি

নুমিৎকী মণ্ডাল, নুংশাসিদগী তেংবানগী ময়াই [Universal/Solar energy] হুকথেংননা লৌশিল্লগা মখোয়না হিংবদা মথৌ চঙবা/লৈবা অচঙবগী মতীক-ময়াইদুনা ওহোক্নুনা শীজিন্নরগা হিংবা ঙমই। মসিগীদমক মখোয়গী মশাগী হকচাং কয়াৎশিং, মরু ওইনা, পাম্বীশিংগী মনাশিংদা ক্লোরোফিল [Chlorophyll] য়াওবা শরুকশিং পানবদগীনি অদুবু অৱাংবা থাক্কী শা-ঙাশিং অসিদদি অদুগুম্বা কয়াৎশিং পান্দবনা পাম্বীশিংনা তৌবদুগুম্না তৌবা ঙমদে। মরম অদুনা কংফালগী শাশিংসিনা মখোয় মশাবু অহিং-অচঙবগী ফিভম-ফিরেপ্তা থম্নবগীদমক্তা অদুদা চঙগদবা ময়াই/ঈনর্জী অদু ফংননবগীদমক্তা/লৌননবগীদমক্তা পাম্বীশিংগী মথক্তা/মতেংদা হিংননবগী পাম্বৈসিদা লৈ। করিগুম্বদা/তত্তনা পাম্বীগী মতেংদগী হিংবা শা-ঙাশিংদগী চাননবা চীঞ্জাক লৌদুনা/ফংদুনা মীওইবনা হিংনরি। অসুম্না থৱাই-পানবশিংনা চীঞ্জাক চাবা/লৌশিনবসি অহিংবা হকচাংবু অচঙবা ওইনা য়োকখৎনবগী/থাক্কৎনবগী লম্বী লমদাং ওইহল্লকই।

তেংপানবগী মপুনা মহাক্কী অনীঙবা অমসুং অপাম্বগী মতুংইন্না ঈনর্জীবু মাঙহনবসু ঙমদবা অমসুং শেমলু-শারুবসু ঙমদবা, অদুম্নদি ওইরগা মহাক্কী শক্তম-শকওং অমদগী-অতোপ্পা অমদা মশক-মওং হোংদোকখিবদি ময়াবা মচৎ-মনাৎকী পোৎলম-মথেল অমা ওইনা শেম-শারকখি অদুবু মীওইবগী হকচাংদা অকক্লবা মতম খরগী ওইনা মাগী-মাগী মপুন্সিগী মতমগী ওইনা শাগোন্নরিবা নৎত্রগা থৱাই পানবা শা-ঙানচিংবদা য়াওরিবা অহিংবা/অচঙবগী ময়াই [Energy of vitality or Vital energy] অসিদি তেংবানবসিগী পুম্নমক ঙম্লবা মপুদুনা মীওইবদা/থৱাই পানবদা খুদোল তম্বীরকপা ময়াইনি। মরমদি তেংবানবা মপুগী ময়াইগী মচেৎ/মশক্কী শক্লোন লৌদুনা ফোংদোক্লিবা সৌরজগৎকী ময়াই [Solar energy, a part or part and partial of cosmic energy] অসিগী হেক মথংদা লৈরিবা, ঈনর্জীশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না চয়েৎ-খোইয়েৎনা অমসুং /নৎত্রগা মচেৎ/মশক কয়ামরুম্না শারবা ঈনর্জীগী মখলনি।

মথক্কী ৱায়েন-ৱাখুনসিদগী মখা শমথরক্লিবা ৱাতেম-ৱারেপ্তি মপা-মপু ওইবশিংবু নৎত্রগা মখোয়গী য়াইবী-মথৱাইবু খোয়ুম লাইরক্তা চনহনবা/

তীনহনবা হায়বসি য়াইবী থৱাই [Primary energy of living matter or astral substance] বু লাই ওইনা ওহ্লোকপগী পরীং-পথাপ্তনি। মরম অসিনদি লাৎপা/নীঙবা লাইনীঙগী লাইশিং অসি য়াইবী/থৱাইগী শক্লোন হোংদোক্লকপগী শক্তমশিংনি অমসুং থৱাই/য়াইবী-মিরাংপান [Astral body] গী লাংওন শক্লোন মশেন্নি। মখোয়সিদি চারি-থাক্লিবা চীঞ্জাক্কী মতীক-ময়াইনা লূ-তোংগী অতেকপা/অচঙবা হকচাং অমা শাগত্তুনা অহিংবা মী/মীওইবা অমা ওইনা চৎলম-লৈরম্বা মীশকশিংদগী থোক্লকপা/থোকহল্লকপা অচঙবা-অহিংবগী ময়াইগী মমিনি। মরম অসিনা মখোয়গী মপা-মপুশিংবু ঈকাই খুম্নবগী থাক্তা লাই ওইনা ওহ্লোক্তুনা লাৎন-খুরুম্নরিবনি।

মৈতৈশিংসু মালেমসিগী মমান্নবা মী-কাংলুপ/ফুরুপ অতৈশিংনা তৌবগুম মহৌশা লাইরেন্বীগী নোংশীৎ-নোংহুম, কোরৌ নোংনাংপানগী খাক-লাউবা, মালেম লৈমায় নীক্লা যুহাহাবা, মশাগী মহৌশাগী ৱায়েন্দগী কায়না অঙৈং-অশা, নোংজু-নোংশানচিংবগী ফিভম ওনবা-হোংবা, নোংমৈ শীঙজঙ তাবা, অসিনচিংবা প্রকৃতিগী উপদ্রপশিং [Natural Calamities] সিদসু য়াম্না চেৎনা থাজবা থম্মী অমসুং লৈ। মখোয়না হায়রিবা মহৌশাগী ওহ্লোকপা হেন্দোক থোইদোকপা শক্লোনশিংসি মালেম লৈমায়থকসিদা তেংবান-মপু, তৌঙমদ্রবা লৈত্রবা মহাক্কী নৎত্রগা লৈশেম-নোংশেম্বা ঙম্বা তেংবানবগী ময়াইগী মহুৎ শীন্দুনা মথৌ থৌবুবা [Agent] ওইরিবা/ওইরিবশিংদুনা মা-মানা পুরি-পাল্লিবা হিরমশিংগী থৌদোক-থৌদৌশিংদা তেংবান-মপুগী য়ানীঙদবা/য়াদবা অমসুং মহুৎ শীনবা থৌবুবশিংদুগী অশাও-খোঙৈশাওনবা [Warth] শিংদগী থোকহল্লকপনি/থোক্লক্লিবনি হায়না লৌই। হায়রিবা মহৌশাগী থায়নগীগা/মশাগীগা মান্নদবা শক্লোনশিংসিনা মখোয়দা লাইনা-তীন্নাগী লাইচৎ [Epedemic], শিবা-নাবা, লৌ-শীৎপা, তীন তাবা অমসুং মহৈ-মরোঙ চুমদবা, ফৌথোক/ফৌরোক ফত্তবা, মিপাইনীঙাই ওইরবা চহিগী, থাগীনচিংবা ঈশিং-নোংশীৎকী ফিভম, নোং কাংবা, ঈচাও থোকপা, লাইবক-নোংদম থীবা লৈপাক-খ্বাইগী থৌদোক-ৱাথোক, শাথোক-লাহ্লোক্লচিংবা কয়া থোকহল্লি হায়না চেৎনা থাজনৈ।

খুন্নাই/লৈপাক অমা পানবগী ওইনা অসিগুম্লবা খুদোং থীরবা অমসুং ফত্তবা মহৌশাগী অমসুং খুন্নাই মচাশিংগী থৌদোক-ৱাথোক্লচিংবসিবু তাইশিনবা, উকন শেম-শাবা, লাকশিনবা, থিংবা, থাদোকহনবা, হায়বশিংসিদগী অমা তৌহনবা হায়বসি খুন্নাই মচাশিং, লৈপাক-খ্বাই অমসুং খুন্নাইদু হিংহন্নবগী লৌখৎফম থোক্লবা থৌশীল-থৌরাংনি। অদুগা মথক্তসু হায়জখ্রে, মৈতৈশিংনা মখোয়না খনবা অমসুং লৌবগী মতুংইন্না অসিগুম্বা খুদোংথীবা, খুদোংথীনীঙাই ওইবা নৎত্রগা লাইবক থীবগী থৌদোক-থৌদৌদু মখোয়না শকউদ্রবা অফবা/ফত্তবা লাই/চীঙ্ঙু/খোইয়ুম নৎত্রগা লাই-হিংচা/তম্নলাই/লাইফত্তবা অমনা/খরনা থোকহল্লক্লিবনি, হায়বসিনি। হায়রিবা খুদোংথীবা নৎত্রগা লাইবক থীবা মহৌশাগী, ফত্ত-লাইগী, খুৎশেমগী অমসুং/নৎত্রগা লাই-তীনগী/লাইওই-তীনওইবশিংগী অশাওবদগী/য়ানীঙদবদগী থোকহল্লক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক, শাথোক-লান্থোক্লচিংবগী থৌওং-থৌদৌশিংদুদগী ঙাকথোক-কন্থোক্লবগী, উকল-পাম্বে পীনবা, মতেং-তেংবাং নীননবা অমসুং কুবী-পীবীনবগীদমক্তা মখোয়না ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্না শেমগৎপা পুক্লীঙ-ৱাখলগী পরীংদদা লৈবা লাইনুপা অমসুং লাইনুপী খর, মহৌশা লাইরেম্বীগী মিৎনা উরিবা মওং-মতৌশিংবু মীওইবগী মশক-মতৌদা শকপানহন্দুনা মখোয়গী ৱাখল খনবা ঙম্বা অমসুং ৱাখন্না লাম্বা ফংবগী থাক্তা শাগত্তুনা থোকহল্লকখি। হায়রিবা লাইশিংসিগী খুদম- চাংদম খরদং পীবা তারবদি - নোংথাঙলৈমা [Goddess or Presiding deity of Lightning], অতিয়া গুরুশিদবা [Immortal Preceptiorial Spacious Sky], নোংশাবা [God of celestial creation or Leonine divinity] লাই কশা [Presiding deity of human fate] অসিনচিংবনি। মৈতৈগী ৱাখলগী পরীংদদা লৈবা লাই [Abstract god/goddess] শিং অসি অফবা অমসুং ফত্তবগী মহী-ময়াই, মতীক-মঙম্নচিংবা অনিমক্কী পুন্না অমসুং অনিমক্তি পুরগা তোংঙান-তোংঙান্না চেনবা, অফবগী মহী-ময়াইনচিংবখক্তমক পুবা অমসুং ফত্তবগী মতীক-মঙম্নচিংবদমক লৈবা লাইশিং ওইনা লৈ। হায়রিবশিংসি ওইদুনসু মখোয় অসি ফত্তবা লাইশিংগী কাংলুপ্তা চন্দে। অদুবু পোৎশেম-লাংশেমগী [Black art/tantra] চবান চাবা লাইশিংগী মনুংদসু চন্দে। অদুবু মৈতৈগী লাই,

লাইয়িংথৌ সনামহীদি শক্লোন মখন শুনা পুবনিনা মহাক্কী শক্লোন্দা লৈপাক-নিংথৌগী লাই, লৈপাক খ্বাইগী ওইবা উমং লাই, উমংলাই লাইবুঙশিংগী লাইবংথৌ মাপনগী অচৌবা অমসুং মচাগী শক্লোন অনি, য়ুমলাই, লাইয়িংথৌ শন্থোঙ মরিবা/অপানবা অমসুং লৈরক-শাথৌবা, খোংবান লাংয়ানবা (অপোইবা) হায়দুনা অফবা অমসুং ফত্তবগী শক্লোন ২মক লৈ।

লাইয়াম লাৎপা/নীঙবা মৈতৈনা মখোয়গী ব্রাখলগী পরীংদদা লৈবা লাইশিং, মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙগী পরীংদা লৈরিবা লাইশিং, অমসুং মীওইবগী অফবা/য়াইফবা পীবীরিবা মীওইবগী তৌবা ঙম্বগী ব্রাংদা লৈশ্রবা থাক্কী মশকশিংবু খয়ুম/খোয়ুম/খোইয়ুম, খ (সংস্কৃত) নোংদোন/নোংথক/অতিয়া নৎত্রগা মালং/খমকোন/খমগোন/অহাঙবা; য়ুম (মৈতৈ/মণিপুরী) = লৈফম/নোংলেনশঙ/চাক্তা-য়াতাফম/মন্থুম; হায়বদি নোংথক্তা/অতিয়াদা ময়ুম ওইবা (One whose houses is in the Sky/air or who houses in the space) খোইমোম [Feminine male deity or masculine Female divinity], লাই, [Deity (God or goddess or supernatural being] লাইয়িংথৌ/লাইনিংথৌ [King of Gods and goddesses], লাইরৈমা/লাইরেম্মা [Queen of gods and goddesses], লাইরেম্বী [Goddess or superior goddess]. অমসুং চীঙঙ্কু [Lord of hill (s)/mountain(s) or Master of gods (in Tai)] হায়বা মিংথোন-মিংহুনশিংসিগী পনগোয়নুংদা থম্মী। মৈতৈনা ব্রাখলগী পরীংদদা লৈবা লাইশিং [Abstract/imaginary deities] অমসুং মপা-মপুনা ওইবা লাইশিংসি শেমগৎলকপসিগী অহানবা থাক্কী খুৎশেম-খুৎশাদু চৈথারোল কুম্বাবদা ইদুনা য়াওরি। (চৈ:কু: ২০০৫, ৩, ৬, ৩০)।

হিন্দু ধর্ম্ম লৌদ্রিঁবগী মৈতৈ লাইনীঙশিং

মৈতৈগী পুকোক পুরেন ওইবা মপা-মপুশিং অমসুং মখোয়গী মচা-মশু, চাদা-নাউদা/ধারা-নালা ওইনা মণিপুর ইতিহাসকী অঙনবা মতমগী তাংককশিংদা লৈরম্বা পারোন-পুরোন পরেংগী মপা-মপুশিং অদু মখোয়গী মতমদুগী চৎলি-ওইরিবা লৈঙাকলোনগী/রাজনিতিগী, খুন্নাইলোনগী/সমাজনিতিগী, শেন্দান-শেনচৎলোনগী, /অর্থনীতিগী অমসুং লাইনীঙলোনগী/

ধর্ম্মনিতিগী মচৎ-লোনচৎ, মনাৎ-পরম, শাজৎ-লমচৎ, চৎলম-লুপতীন, অসিনচিংবগী হিরম-লমদাংশিংদা চাং অমসুং থাক মান্ননা পুদুনা মখোয় মশাবু হিংহঞ্জনবা অমসুং মখোয়গী খুঙ্গং, খুঙ্গং-খুন্নাই অমদি লৈকায়-লৈরীংবু মুৎহন্দনবা; মখোয় মশাবু, মখোয়গী খুন্নাইবু, মখোয়গী লমকন-লমদমবু অমসুং মরন-মথুমশিংবু কঞ্জ-ঙাকচনবা অমদি মতমদুদা হিংলম-লৈরম্বা মী কাংলুপ মচা অমসুং অচৌবশিং, য়েক-শল্লাইশিং অমদি পুরুপ-ফুরুপশিংগা য়ানবা পুরকপা, মখোয় মশেন পুনশিন-তীনশিন্নদুনা চান্না-চিন্নদা হিংমিন-লৈমিন্নবগী থৌশীল-থৌরাংশিং তৌবা, ব্রাখল লংজীন পুথোকপা,শাথেং-লাছেংনবা, চায়না-খোঙফেন্নবা, অসিনচিংবদা মতম য়াম্না শাংনা পন্সি লানফম মায়য়ো-ক্লদুনা লৈরকখি। লমদমসিদা য়ৌরক্লিংঙৈগী মমাঙদসু চী'ন/চাইনীজ নিংথৌরেন শিহ্-ব্রাং-টি (খৃঃ মাঙ: ২৪৯-১০), চাইনাগী নেপোলিয়ন [Napoleon of China] অমসুং চাইনীজ এম্পয়ারবু টাইশিং য়ৈথুনা লীংখৎখিবা [P.G, 1968, 33] গী য়াথংনা চাইনীজ গ্রেটব্রাল শাবা য়াওবা নৎত্রগা শিবা হায়বসিদগী নাছোক্তুনা চেল্লকপা, মখোয়গী মীশিংনা ফংহন্দবা হোৎনবা; শকখঙনদবা উমং-ব্রামং, লৈকূৎ-লৈরায়নচিংবদা থব্রাই হিংননবা লাক্লবা অমসুং য়ুমলীং-খুল্লীংদবা লাঞ্জেল্লকপা মীওইশিংগী পুন্সি পুদুনা য়ুনান [Yunnan], মথক থংবা ব্রাম্মা [Upper Mramma/Burma/Myanmar] নচিংবগী লমদমশিং লাল্লকখিবনি।

মথক্কী মরমশিংসিনা মৈতৈগী পুকোক-পুরেনশিংদু মখোয়গী শীংলী অমসুং ঈদা চঙখ্রবা মপা মপু নীঙবা লাইনীঙগী মপা-মপুশিংবু খুরুম-খাজঙগনি হায়বসি নত্তনা মখোয়গী হৌরক-নাউশুমফমগী মথায়-থায়নগী অরিবা ফজরবা চৎলম, লাইনীঙ-লোনচৎকী পরীং-পথাপ্পচিংবা কয়াদু কাউখ্রে। মরম অসিনা মখোয়না চীঙজাও, চীঙ-মচা অমসুং চীঙদুম কয়ানা চীঙলোন-পল্লোন্না কোয়শিল্লবা, মহৌশা লাইরেম্বীনা শেম্বীরবা লানবনগুম্বগী মনুংসিদা লৈরিবা চীক্লবা অমসুং মতোম্তা তোপ্পা তোখায় তাজরবা লমদমসিদা "টাই" হায়বা মিংথোন-য়ুম্নাম/শাগৈ [মথক্কীসিদা, ৫-৭], মখোয়দগী শন্দোক্লকপা চাদা নাউদাগী মী কাংলুপকী মিংলেম-মিংফমসিদা উফম ওইদুনা মখোয় অনৌবা শক্তম অমা শাগৎনবা লাক্ল-হোৎনরকখিবনি অমসুং মদু মায় পাক্লকখিবনি।

মখোয়না মখোয়গী অনৌবা শক্তাক-শক্তম শেমগৎ-শাগৎলকপগী পরীংসিদা মণিপুর ইতিহাসকী থেংখাং তাংকক কয়াদা অনৌবা চঙলকপা মচৎ-মনাৎশিং অমসুং লাইনীঙ-পরমশিংবু তরাম্না তৌবগী মশক উত্তুনা লৌশিল্লি, মখোয়দুবু কোনশিল্লি, য়োক্কুনা থম্মী অমসুং চৎনহল্লকই। অসুম্না ইতিহাসকী মতমগী তাংককশিং লেল্লকপসি, মৈতৈগী পারোন-পুরোন পরেংগী মপা-মপুশিংদুনা মখোয় মশাগী ওইবা অমসুং মরমদম-মরৈপাকসিগী লৈহাউদা হৌরকপা অতৈশিংগীগা মান্নদবা লাইশক-লাইয়াৎকী লাইনীঙ অমা খৃষ্টকী কুমশীঙ চা তরামাথোয়-তরানিথোয়গী মতমদা হৌরক্লিবা ফাওবা (চৈ:কু: ১৯৮৯, ৯) দি চখরকখি। হায়জরিবা ৱাফমসিদা চৈথারোল কুম্বাবনা থল্লিবা ৱাফমদিঃ-

শকাব্দ ৯৯৬ (খৃঃ ১০৭৪) তা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা নিংথৌ ওইএ। মহাকথক্তা লাইগা মীগা লাল্লুপ কারম্বদগী মীনা লাকচদুনা লাইগী মখৈ মাঙখরে। মীদনা শিলহৌএ। ... মহাকথক্তা ঙা থোকউ থোকপা, শা থোকউ থোকপা ফান অমা লৈয়ে, পীয়ো হায়বদা পীদদুনা মবাই অঙোম নিংথৌবু লান শোক্লহল্লুইএ। সেক্তা ঙমএ। ... অদুগী মখৈ ওগ্রী হৌএ। (মথক্কীসিদা, ৯)।

অসিশিংসিনি। অসুম্না উরিবু উনৌনা পুন্দুনা অমসুং অরিববু অনৌবনা মহুৎ/মফম শিন্দুনা চৎন-ইন্নরকপগী ৱায়েল-কাংলোনসি হৌজিক্কী মতম অসি ফাওবদসু লেপ্তুনা চখরি। মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌদ্রি-চৎত্রিঙৈগী মতমদা মখোয়গী লাইনীঙ-মনাৎকী ঐতিহাসিক পরীংদা মখোয়না মপা-মপুশিংদগী মচা-মশূ ওইবগী ফংফম থোক্কুনা ফংহৌরবা অমসুং/নৎত্রগা মখোয়না মতমগী খোঙলৈদা নৌনা হৌদোক্কুনা/পুথোক্কুনা চৎনরকপা অমসুং য়োকখৎ-শেমগৎলকপা লাইনীঙ-লীচৎ/পরম খরগী অফংবা/খঙজবা ৱারোল খর মখাদা থমজরি।

(১) অপোকপা লাৎপা/নীঙবা লাইনীঙ

মৈতৈগী অপোকপা লাৎপা/নীঙবা লাইনীঙ ([Ancestor/Fore-father worship Cult/Reverence/Adoration of the persons who reproduced]) হায়না মখোয়গী অনৌবা মরোম্দা মিংথোনবা অসিনা মৈতৈ জাতিসিগী খ্বাইদগী হেন্না লীরবা, মরু ওইরবা অমসুং হৌজিক ফাওবদসু হিংলিবা লাইনীঙনি। মসি, মথক্তসু হায়জগ্রে, মৈতৈনা মখোয়বু পোকপী-শাৎপীরকপা অহল-লম্মন নৎত্রগা মপা-মপুশিং অদুবু ঈকাই খুম্নবা, তৌবীমল খঙবা উৎপা

অমসুং নোল্লুক্লা খূরুম-খাজঙবগী লাইনীঙনি। লাইনীঙ-লীচৎসি গ্রীগোরিয়ান কুস্বারোন হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুর/ইস্ফাল তুরেন অমসুং মসিগী মশা-মরেংশিং অমসুং ঈতীন-ঈনোৎলবা তুরেনশিংনা কোনবা তম্পাক লমদমসিদা লৈরক্লে।

মৈতৈনা অপোকপা নীঙবা নৎত্রগা মপালাৎ-মপুলাৎপগী লাইনীঙসি মরল্লাই মীওই অমগী, খরগী অমসুং লৈপাক-খ্বাইগী ওইবা থাক অহুমসিগী ওইনা মখোয়গী খুঙ্গং/কংলৈ খুন্নাইসিদা চৎনদুনা লাকখি। অদুবু মসি মরোন অহুমগী থাক্তা- (১) ফুঙ্গা অপোকপা [Ancestor(s) of a household] (২) শাগৈ পোকপা/অপোকপা [Progenitor and progenitress of a Family/surname] (৩) শল্লাই/য়েক-শল্লাই পোকপা/অপোকপা [Progenitor and progenitress of a subclan/clan] হায়দুনা লাৎনৈ। অহানবসি নত্তনা অতৈ অকোনবগী অনিসিগীদি অপোকপা-অপোকপী/ঈবুধৌ-ঈবেন্থৌগী খুবম লাইফম য়াদুনা, লাইশঙ-শঙলেন শাদুনা অমসুং অপোকপা-অপোকপীগী কোল-লূ/কোনমাঙ্গী (কোম্মায়) হৈদুনা য়োৎকী খল্লোং, লাইগী লাইথাঙ, লাইগী তানচিংবা শাদুনা থম্লগা লাৎলি।

মৈতৈ লৈপাক মণিপুরসিদা হৌজিক্কী মতমসিদা নিংথৌজা য়েক্কী য়ুম্নাক ১২১, নিংথেমচা ময়ুমগী য়ুম্নাক/শাগৈ ১০, অঙোমগী য়ুম্নাক ৬২, চেংলৈ/শরাং লৈশাংথেমগী য়ুম্নাক ৫০, মোইরাং খ্বাংগী য়ুম্নাক ৭, ঙানবগী য়ুম্নাক ১৬, খাবগী য়ুম্নাক ৩, খুমুজমগী/খুমুকচমগী য়ুম্নাক ২, মোইরাং ঈৰাংগী ৪০ অমসুং কৌবগী য়ুম্নাক ৯, লুৱাংগী য়ুম্নাক ৪২ অমদি খুমনগী য়ুম্নাক ১০২ লৈবসিনা পুল্লগা য়ুম্নাক/শাগৈ ৪৬৪ লৈ। অদুগা মৈতৈ খুন্নাইদা তীল্লকখিবা নোংচুপ হারম [The Westerns] অমসুং নোংপোকহারম [The Easterns] গী য়ুম্নাকশিং (বামোন অমসুং পাঙলগী য়ুম্নাক য়াওদনা) পুন্না ৪৭৩ নি) [ব:ক:শ: ১৯৯৭, ৯৯-১১৬...] মখোয়গী অপোকপগী খুবম য়াদবা/থমদবা/লৈতবা ঈরাৎ থৌনিগী থৌরমদি অদুম পাংথোকপসু য়াওরিবনি। অদুগা য়ুম্নাক ৯৩৬ অসি য়েক তরেৎকী মনুংদা য়েক-শল্লাই পোকপা পুকোক তরেৎকী মখাদা লৈরিবনি। হায়রিবা পুকোক তরেৎসিদিঃ-

অ) নিংথৌজা - নোংদা লাইরেন পাখংবা,
আ) লুৱাং - হোঙনেম, লুৱাং নিংথৌ পুঙ্গিবা,
ই) অঙোম - অঙৌ, পুরৈরোম্বা
ঈ) খুমন - লুংবা অহনবা,
উ) চেংলৈ/শরাং -লৈশাংথেম - নুঙঙৌ য়ুমথংবা
ক্ষ) খাবা-ঙানবা - খাবা/ঙানবা লৈচীক চীক্লিবা, অমসুং
ঋ) মোইরাং - ঙাংনিংশিং অতেংবা নৎত্রগা ঙাংহুনথোক

অসিশিংসিনি। মখোয়সিগী মাগী মাগী ঈরাৎ-থৌনীদা, অপোকপা খুরুম্বদা তোংঙান-তোংঙানবা হৈ-লৈনচিংবগী পোৎকৎ-পোৎচংশিং লৈ। অদুবু মখোয়সি মৈতৈগী লুহোঙ-খোঙদোংবগী অপোক-অশাৎ থাবগী মতাংদদি/ মতমদদি কয়া শীজিন্নদবগুম উজৈ।

এম্সেষ্টর ৱোর্শিপতা মালেমসিগী লাইনীঙলোনগী অখঙ-অহৈশিংনা থল্লিবা মিৎয়েংঃ- এম্সেষ্টর ৱোর্শিপ, অপোকপা লাৎপগী-লাইনীঙসিদা অন্তর্জাতিগী/জগৎকী লাইনীঙলোনশিংগী অখঙ-অহৈ ওইরবশিংগী ৱাখললোনগী পোমিৎ কাঙবশিং অমসুং মরন্নাই-মথৌদাং/মশীঞ্জা ওইনা নৈনরিবা অমসুং থিজিল-হুমজিল্লিবশিং [Universal/international theological thinkers and professors] না থল্লিবা মিৎয়েংদদিঃ-

মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙ হায়বসি চাইনাগী খৃষ্ট মমাঙ চহি ৫৫০ রোমগী মতমদা লাও-জু [Lao-tzu] অমসুং গৌতম বুদ্ধ [Gautama, the Buddha (enlightened one)] গা থংমুন-নাউমুন ওইনা হৌমিন-কামিন্নরকপা কঙ-ফু-জু (Kung-Fu-tzu) না হৌদোক্লম্বা নৎত্রগা লাই-পাউতাক ওইনা থল্লম্বা অরংবা পাউজেল মরিগী অনিশুবা ৱায়েন-ৱাখুন্দুগী মখা শমথরকপা অমসুং মদুদগী ৱাখল-ফিদম লৌদুনা মীওইবগী পুক্নীঙ-ৱাখল ফহন্নবা অমসুং অতোপ্পগী অকায়বা/অমাঙ তৌদনবা থল্লম্বা ৱাখল্লোনদুদগী শত্তোক-লৌথোক্লকপা লাইনীঙনি, হায়বসিনি। থংমুন-নাউমুন হৌমিন্নরকপা তথাগতা [Master/Teacher] সিদ্ধার্থগী অহিংসা পরম ধর্ম্ম [Nonviolence

is the topmost religion] দগী তোপ্পা চাইনাগী মচীন-মনাউ লাউ-জু (মাষ্টর/ টিচর লাও) গী শকউদবা তেংবানবা মপুগী মতীক্লা মালেম তাইবংপান্দগী হেন্দোক্কুনা জগৎ পুম্নমকপু ৱায়েল্লিবনি [Unseen cosmic force/power of the Almighty, the Lord of universe is presiding and ruling all over the univere more than the earth or human world] হায়বসিদগীসু থৈদোকপা, "তেংবানবগী মপু অমদি লৈ, অদুবু মীওইবনা মশাগী মরাইবক শেমজবদা তাইবং মপুগী থৌজাল ঙাইদুনা লৈগদবা নত্তে, মহাক্লা পীবীরকপা মীওইবগী হকচাং মনুংদা থুপ্লীবা পাঙ্গল অসি পুথোক্কুনা ঈশাগী ঈরাইবক শেমজগদবনি' হায়বা ৱাখল্লোনসিগী পরীংদা তারিবা, মশাগী মরাইবক শেমজরিবা মী অদুনা মহাকপু মালেম তাইবংপানসিদা পুথোকপীরক্লিবা অপোকপা-অপোকপী অনিমকপু ঈকাই খুম্নবা, লুনা নীঙবনচিংবা পাংথোক্কুনা পোকপী-শাৎপীরকপা অমসুং য়োকপী-থাকপীদুনা পাঙ্গল চাওননবা শেন্নী-শাবীরকপগী তৌবীমল খঙবা উৎকদবনি অমদি লমন শীংফম থোকপদু শীংগদবনি, হায়বসিগী কাংখুল-পোমিংকী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোম্নি।

লাঞ্জেন্নবদগী পুন্সি অমসুং মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙগী মরাইবক নোংদমঃ- অন্তর্জাতিগী লাইনীঙলোনগী অখঙ-অহৈশিংগী মিৎয়েংদগী থক্তোক্লকপা মঙান্দা মপা-মপু নীঙবা লাইনীঙসিবু থম্মোইদা য়োমদুনা পুরিবা সিনো-টাই [Sino-Tai, the Chinese Tai-s] শিংসি মখোয়গী মরাইবক্কী নোংদম্মা মখোয়গী পোক্লফম লমদম, টাইশিংগী নাউশুমফম [The Tai cradle] দগী থাপ্লা পুথোকখিবনি হায়বসিনি মমাঙগী মতমদদি টাইশিংগী নাউশুমফমসিদগী নোংচুপলোমদা চৎখিবনা "টিবেটান", খা-নোংপোক্লোমদা চৎখিবনা 'চাইনিজ' অমসুং খারোমদা চৎখিবনা "ইন্দো চাইনাগী মীশিংগী মপা-মপুশিং ওইখিবনি [R.R.S. 1985, 13]। মফমসি মোঙ্গোলোইডকী নাউশুমফম [Mongoloid cradle], হো-ৱাং-হো নৎত্রগা য়েল্লো রিভর [Ho-wang-Ho/Huang-Ho or Yellow river] অমসুং য়াংসি-কিয়াং রিভর [Yangtze Kiang river] অনিগী মরক্কী লমদমসিগী শঙ্গোঙ পাংবা মতায়/ কচীন্দা লৈবা মফম্নি। মসিদগী খা-নোংপোক্লোমদা শাইদাংখিবনা থাই [Thai], লাউটিয়ান [Laotian] অমদি খারোমদা অমসুং খা-নোংচুপ ওইরপ্পদা শাইদাংলবনা শান [Shan] হায়না খঙনখি। অসুম্না হায়রিবা খাগী মীশিংসিনা

থাপ্না খুঙ্কোক-খুনহোংখিবদা মপা-মপু নীঙবা লাইনীঙসি পুদুনা অৰাংথংবা, নোংপোক থংবা, খা-থংবা অমসুং খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী খেন্ন-খেন্নরবা তোংঙান-তোংঙানবা লৈপাকশিংদা চৎনখি। অদুগা অতৈশিংনসু টাই জাতিগী কাংলুপ/ফুরুপশিং- লাই [Lai], মুঙ [Mung] পোই [Poi/Pai, Payi, etc.], খা [Kha] নচিংবগী মীওই ওইবশিংনা কাংবু/খুৎ মচা মচা ওইনা, ফুঙ্গা ওইনা নৎত্রগা নাইতোম ওইনা, লাঞ্জেনবগী মওং-মতৌদা খুনহোংলকখিবা মখোয়গী মপা-মপুশিং অদুগী খুত্থাংদা লাইনীঙসি ফংখিরম্মী।

মৈতৈগী মপা-মপুশিংসিনা চাওখৎপগী শনম-মীনম তাদ্রবা মফমসিদা মশাগী মপুন্সি কন্ননবা অমসুং চি'ন/চাইনীজগী নিংথৌরেন শিহ্-ৰাং-টিগী মীওৎ-মীনৈদা হল্লেঙদ্রবা মখুত্তগী খুবামনুংদগী নাঙ্কোক্কুনা চেল্লকপা নৎত্রগা হায়রিবসিদগী নাঙ্কোক্কুনা অৰাংথংবা ম্যাঙ্মারগী মচী/লমচী অমদা শাথুপফম-শাইদাংফম লৌদুনা লৈরুরগা খুনুং-লৈবাক্কী ওইরবা মণিপুর তম্পাক্কী লমদমসিদা খুঙ্কোকখিবসিগী পরীংদা মখোয়না মণিপুরদা নৎত্রগা অৰাংথংবা ম্যাঙ্মারদা লৈরিঙৈগী মতম, চাইনীজ নিংথৌরেলসিনা মঙান নাইনা পাল্লিঙৈগী মতমসিদদি টাই জাতি, মখোয়গী মনাৎ অমসুং লাইরিক-লাইশু, মখোয়গী মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙ, লাইনীঙলোন অমসুং মসিগা মরী লৈনবা/নক্নবা লাইরিক অমসুং মীওইশিং অমসুং টাইশিংবু অমসুং/নৎত্রগা মখোয়গী মচৎ-মনাৎপু শৌগৎলুবা মীশিংগী মরাইবক কোলুনা চপখায়বগা মান্নবা খুদোংথিবদু নিংথৌরেল শিহ্-ৰাং-টিগী মখুত্তগী ফংলম্মী। মখোয়গী মরাইবক থীবগী মরমসিদা পীবীরল্লিবা ৰারোল অমদিঃ-

Shih-Wang-Ti ..... In 214 B.C. he issued orders to seize and destroy all classical books, particularly those of Confucius, except the books on agriculture, medicine and the divining art. He did not spare the books containing ideas in support of feudalism. Huge stacks of books so seized were burnt away. To avert the penalty of death the book sellers throughout the whole empire closed their shops and burnt their books. The emperor also caused four hundred and sixty men of letters to be buried alive probably because they had

remonstrated with him on his mad act of destruction of the valuable ancient writings. He even punished his own son Hu-Su with imprisonment for expressing disapproval of his measures. [P.G., 1968, 37].

অসিনি। মথক্কীসিদগী খঙলে, হায়রিবা চাইনীজ নিংথৌরেনসিনা টাইশিংবু হায়নীঙঙাই লৈতবা মখে তুক্কচৈ। অদুগা মহাক্লা টাইশিংদা পীরিবা নৎত্রগা মথক্তা নহুরিবা অহকপা থবক্কী ৱাফম অমনা,

The emperor ordered the Tai-s to work with the nonstop manual labour(s) for the construction of the Great Wall of China or to meet their Gods [Derived from F.K., 1985, 94]. অসিনি। হায়রিবসিদগী টাইশিংনা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা মায়কৈ-শল্লাই খঙদনা চেন্নবা হৌরকখিবনি। খরনা নিংথৌরেনগী চৈরাক্লা হাৎখ্রে, খরনা চাইনাগী চেকপন-নুঙপন অচৌবা মখোঙদা নুঙ-চেক্রা নন্দুনা শিখ্রে অমসুং অয়াম্বনা য়ুন-নানদা, য়ুন-নানদগী অৱাংথংবা ম্যান্মারদা অমসুং অৱাং থংবা ম্যান্মারদগী থাইলেণ্ডনচিংবা নোংপোক্কী লৈপাকশিংদা অমদি মখারোমদা ময়াঙ্গ থংবা ম্যান্মারগী লমশিং ফাওবদা হাইথরক্তুনা চীঙদা তোংবা চীঙমী ওইনা টাইশিংনা হিংননবা পুন্সিগী লানফম মায়োক্লদুনা মখোয়গী জাতিগী মশক্কী মহুৎ শিনবা ওইদুনা ঙসি ফাওবদা লেপ্লি।

নিংথৌরেন শিহ-ৱাং-টিনা খৃষ্ট মমাঙগী কুমশীঙ ২১০ দা লৈখিদ্রবদসু টাইশিংগী মথক্তা মহাক্লা থোনগৎলম্বা থবক্কী পোৎলুমদুদি থাবা নৎত্রগা লৌথোকপীবা লৈত্রি। নিংথৌরেনসিগী মহুৎ শিন্দুনা নিংথৌরেনগী তাংবন্দা ফমহৌবা মহাক্কী মচা-মশূ, চাদা-নাউদাশিংনসু হায়রিবা চাইনীজ গ্রেট ৱাল শাবগী য়াথংদু মতম চুপ্পদা চৎনগদবাওইনা খৃস্টগী কুমশীঙ চা অনি [200 A.D.] ফাওবা অদুম্মক থমখি। মসিনা টাইশিংনা মথক্তা পীখিবা য়ুমহোং-খুনহোংবগী লাঞ্জেন-খোঙচৎসিদা অদুম চত্থরম্মী।

মৈতৈগী মপা-মপু নীঙবা লাইনীঙগী মরাইবকঃ- মৈতৈগী পুকোক্কী পুরোন খর অমসুং মখোয়গী চাদা-নাওদা ওইবা পারেন-পুরোনগী পরীং-পরেংদা লৈরিবা মীওইশিংদুনা তত্তনা ওল্লি-হোংলিবা মতমগী খোঙকাপ অমসুং খোঙথাংগী অহোবা-অহাঙবশিংদু মেনখত্তুনা ইতিহাসকী মীওইশিংগী মমিং

পরেংদা য়াওরবসু/চনখৎলবসু মখোয়না চীঙলক-মাল্লক্কী লমদমসিদা লৈররবা মতম অমসুং চাদা-নাউদা শন্দোক্কুনা শূথাংগী পল্লোন খর নৎত্রগা কয়া চৎলক্লবা মতমদসু মখোয়গী অরিবগী, থায়নগী অমসুং থায়না মমাঙঙৈগী লাইনীঙশিং, মনাৎশিং, মনাৎশিংদুগী মচৎশিং, ৱায়েন-ৱাখুনশিং অমসুং লাইনীঙ-মনাৎকী কাঙলোন, খুদা, পরম্নচিংবদু নীঙশীংবদা লাম্বা ফংলমদে। মরমদি মখোয়না মখোয়গী ওরিজিনেল কলচর অদুগী শৌগৎলিবা নৎত্রগা/অমসুং য়োকখৎলিবা মীশক-মীওইশিংগা শোক্র-শম্নবা, ৱারী-ৱাতাইনচিংবা শান্নবা অমসুং ঈ-পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। অমুক অমরোমদা চাইনীজ এম্পয়ারদা ফাওবদা খৃষ্ট কুমশীঙ চা ৪/৫ শুবগী মতম অদুৱাইদদি মরূ ফংনা মুথৎখ্রবা মনাৎ অমসুং লাইনীঙ-লীচৎকুম্বগী মচৎ-মতৌদা লৈরবনি। মরমদি মনাৎসিগী অমসুং লাইনীঙ মচৎসিগী মচি-মচং য়াওরিবা লাইরিকশিং, অখন্ননা-অপান্নবা ওঝা কঙ-ফুগী মিৎ থকহল্লবা ৱায়েল লাইরিকশিং, লাইনীঙলোনগী পুক্নীঙ-ৱাখনবু তুংশিনহন্নবা ৱারম-ৱারোলশিং, খুন্নাইলোন অমসুং মচৎ-মনাৎলোনগী অপূনবা লীচিং পীদুনা লীংজেন মান্নবগী শক্তম শাগৎকদবা ৱাখুন-পোমিৎশিং, লমচৎ-শাজৎকী অমসুং চৎলম-লুপতীনগী খুন্নাই-মচাশিং অমগা অমগা তীন্নবা য়ানবা, পুন্না হিংমিন্নবগী লীপুন্না পুন্ননবা অমসুং অচৌ-পীশক, লায়র-ঈন্নাক-খুনবা, য়ুম্বানবা অমসুং লম্বোইবা কল্লক-য়েংথীনদনা, নুংশিননা লৈমিন্নবা য়াননবগী থকশী-খাশীগী লাইরিক-লাইশুশিং পুম্নমক তুম্না মৈদা নিংথৌরেন শিহ্-ৱাং-টি (খৃঃ মাঙ ২৪৯-১০) না থাদোকখিবসিদগীনি। হায়রিবা অসিগী লমদাংদা অখঙ-অহে় অমনা থন্বীরম্বা ৱাফমদিঃ-

The Tai, who had been a cultured people, being of the princely rank in early times, were in possession of a rich heritage of art and literature at the time of Shih-Wang-Ti, but the man of letters among the Tai and their literary works were so completely destroyed in this wild act of prosecution that from that time the Tai in the empire became almost an illiterate race through lack of books and teachers. In a few decades following this tragic event these descendants of the once highest class of nobility degenerated into being Hill Tribes [Twelve such tribes are mentioned, nine Lai-s and

three Miao-s. The Lai-s are found also among the southern Chin tribes of the Chin Hills between Assam and Burma...] or rather many of them got merged with the Hill Tribes live in the inaccessible mountainous regions. Those who took shelter in the highlands of Sze-Chuans, Yun-nan and Kwei-chow called themselves Tai or Chai to this day. As men of the wild country they became known as barbarians.

[P.G. 1968, 37]

অসিনি। অদুবু খা-নোংপোক এসিয়াগী লমদম খরদা চায়থোকখিবা টাই জাতিগী মীওইশিংনদি মখোয়গী মপা-মপু অমসুং মমা-মবেনশিংদা লাইনীঙ-লীচৎকী ওইনা নোল্লুক্না চঙজবা অমসুং খুরুম-খাজঙজদুনা ঈরাৎ-থৌনীজবগী ৱাখল্লোন অমসুং থৌদৌ-থৌরমসিদি খক থাদোক্তে অমসুং মীরায়দে।

মথক্কী মপা-মপু নীঙবা, ঈকাই খুম্নবা, খুরুম-খাজঙবগী ৱাখনসিনা মৈতৈশিংনা মখোয়গী মবুধৌ পুরেন পুকোক, পারোন-পুরোনগী মপা-মপুশিং অমসুং মখোয়বু মথক-মখা নাইনা পোকপী-শাৎপীরকপা মপা-মপুগী পুরোন অহুম, মঙা অমসুং তরেৎ খক থৌশাদবা অমসুং মখোয়বু ঈরাৎ-থৌনী তৌজবগী থৌরম থৌপাংবা অমসুং মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙসিবু থাদোক-হুন্দোকখিনবগী মথৌনা লৈতে। হায়রিবা লাইনীঙ মনাৎসি মখোয়গী মপা-মপুশিংদুনা লাইনীঙ-কাংলোন, ঈরাৎলোন-পরম, লাইথৌ-খুদানচিংবগী মরমদা করিসু পীবীরমদনা লাইনীঙ অসিখক্তা মখোয়গী মীরোন অমদগী মীরোন অমদা হকথেং-খুৎথেংননা পীবীরম্বসিনা অনৌবা মতমগী মীওইশিং, মতমদুদা ওইরম্বা খৃষ্টগী ১৬-১৭ শুবা মতমগী মীশিংদুনা মখোয়খক্তগী ওইবা কাংলোন-পরীংদা শেমজ-শাজবা য়াবমখৈ থৌরাং তৌদুনা থম্বীরম্মী। অসুম্না অরিবনা অনৌবগী শক্লোন লৌরক্লবা লাইনীঙসিদা নৌনা অপোকপা লাৎপা অমসুং খুরুম্বা হায়বা মমিংশিংসি পীদুনা মৈতৈ-লাইনীঙ পরমগী পরীং-পরেংদা পুথোক্লকখিবনি।

হায়রিবা মপা-মপু/অপোকপা লাৎপা লাইনীঙ-লোনচৎসিনা পান্দম্লিবদি মতম অমদা অহিংবা-অচঙবা ওইনা ঙসি হিংলিবা ঐখোয়সিগুম মালেম তাইবংপানসিদা চৎলম-লৈরম্লবা মহাক্কী শক্তাক্লবা/শকখঙহন্ননবা, মহাক্কী চারদগী চাদা-নাউদা ওইনা লৈহৌরিবশিংসিগী হৌরকফম-মরূ, মীওই

মখল, কাংলুপ-ফুরুপ অমসুং হৌরক-শাৎলকফম খঙহন্নবা; পুকোক্কী, পারী-পুরীগী, য়ুম্নাক-শাগৈ/য়েক-শল্লাইগী য়ুমলেপ চারা থম্ন-লৈহন্নবা, জাতি, কাংলুপ, ফুরুপ, শাগৈ অমসুং/নৎত্রগা ফুঙ্গাগী শক্তাকপা অমসুং মখোয়গী খুৎকী মীওইবগী মশক [Specimen/specis] মুৎহন্দনা থম্নবা, ঐতিহাসিক বৃত্তি [Historical existance/course/conduct] উৎনবা অমসুং ঈশাগী ঈশক ঈশানা খঙজদুনা সমাজনিতি অমসুং ধর্ম্মনিতি ঙাক্লনবনি।

মচৎ-মান্নবশিং [Similarities]

লাইনীঙ-লীচৎসিগী হিন্দুদা অমসুং মৈতৈদা লৈরিবা মচৎ অমসুং মনাৎকী মান্নবশিংগী হিরমদা চাংদম্নগদৌরিবসিদা মৈতৈগীদি মৈতৈ ওইজরবসু 'হিন্দু কনানো' হায়বসিদা অপাইবা উচেক্কী মমিত্তা উবা মওং-মতৌশিংদুগী মশক অদু থম্বগী মখৌ তাবদু লৌখৎচরি।

"সিন্ধু তুরেন্না চেনবা অমসুং কোনবা লমদমসিদা ঙসিদগী চহি ৩০০০ লোমগী মমাঙদা আর্য্য [Aarjya/Aaryya, অদুবু মরোন-মরৈ ফাইবা য়ুরোপীয়ানশিংনা অরিয়ান (Aryan)] শিংনা দ্রাবির [Dravir] শিংবু তুম্না হাত্তুনা ময়ুম-মকৈ মুলহৌরগা, মখোয়না য়ুমলীং-কৈরীংদনা শগোন হোয়দুনা শজীক ফবা লম-লমশিংদা কোয়না চত্তুনা শগোন থাকপগী পুন্সি অমসুং ময়ুম কাইদোংফম নাইদবগী পুন্সি মরেন্দুনা থাদোক্তুনা য়ুমলীং-কৈরীংবা অমসু খুঙ্গং/উমং-ব্রামংগী খুন্নাইদা পানবগী মপুন্সিদু হৌদোক্তুনা খুন্দাখি। মফমসিদা মখোয়না ঋগ বেদ [Rig Veda] ফংখি/পুথোকখি অমসুং মফমসিদগী নোংপোক্লোমদা মখোয়গী খুন্দা-লৈতাবগী লমখৈসি শন্দোক্লকখি। মখোয়না শন্দোক্লক্লিবা ঙমখৈসি খৃষ্ট কুমশীঙ মঙাশুবগী ঋগ বেদগী মতম তাংককসিদা প্রয়াগ/কাশি/বেনারস/এল্লাহবাদকী লমখৈসি কুমশীঙ চাসিদা য়ৌখি। অদুবু মমাঙগী মতমশিংদা পার্শিয়ান/ইরান্নিয়ানশিংনা সিন্ধু তুরেনবু "হিন্দু" অমসুং মদুগী মতম্মাক্তা খুন্দাবশিংবু "হিন্দু/হিন্দ" হায়না খঙনরম্মী [B.N.L., 1988-89, 1-2] মরম অসিনা সিন্ধু/হিন্দু তুরেন্না চেনবা লমদম (মথক্কীসিদা, ২) অমসুং লমদমসিগী মীশিংবু খঙনরম্মী। অদুবু ইন্দিয়ান হিষ্টোরিগী ময়াই থংবা মতমগী মুসলমালশিংনা হিন্দ নৎত্রগা হিন্দুবু তোয়না ভারতবর্ষদা লৈরিবা মীশিংবু খঙনরকপসিদগী ভারতবর্ষগী মচৎ-মনাৎ চৎপা/ইনবা মীওইশিং, মুস্লিম অমসুং

খৃষ্টান নত্তবা লমদমসিদা হৌরকপা অমসুং লমদমসিগী মীশিংনা হৌদোক-পুথোক ধর্ম্ম/লাইনীঙ চৎপা মীশিংবু হিন্দু হায়না খঙনখি।

হিন্দুশিং অসিদি আর্য্যশিংগী মচা-মশূ/চাদা-নাউদা ওইবনিনা মখোয়দি কৌকেসোইড [Caucasoid], মীগী জাতি অচৌবগী মনুংদা চল্লি। অদুগা মৈতৈনা মোঙ্গোলোইড [Mongoloid], মী কাংলুপ/জাতি অচৌবগী টাই জাতি-কাংলুপকী মচেৎ-কাংলুপ/ফুরুপশিং,লাই, মুঙ্, পোই/পাই, ব্লেক টাইনচিংবগী মনুংদা চাল্লি। খেন্নপ্লবা জাতি কাংলুপ/ফুরুপ অনিসিগী লাইনীঙলোনগী মনাৎকী মচৎশিংদা মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙ নৎত্রগা লাইনীঙ-লীচৎ পুন্না য়াওমিন্নরি অদুবু মান্নবা অনিসিদি মীগী কাংলুপ-ফুরুপ, লৈরু-ওঙলুরিবা লমদমগী লাপ্পা-নকপা, ঈশিং-নোংশিং, অঈং-অশানচিংবা মান্নদবশিং কয়া লৈদুনসু মান্নদবনা মান্নদবা অমসুং মান্নবনা মান্নবা অনিমক য়াওনরি।

মৈতৈশিংসিদা মালেমসিগী অখঙ-অহৈ পুন্নমক্লা মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙসি মালেমসিগী ওইনা হৌদোকখিবা মীশক্কুগী মরী-মতা নৎত্রগা লাপ্পবা ঈ-মরীগী মরী-মতা নৎত্রগা লাইনীঙ-লীচৎসিবু মশাগী-লাইনীঙ লীচৎ ওইনা চৎপ্রবা মীওইশিংগী ঈ-মরীগী মরী মতাশিংগী চাদা-নাউদা নৎত্রগা মখোয়গী মরী-মতাশিং য়াওরি হায়না খন্নে। হিন্দুশিংদসু লাইনীঙ লম্বীসি মীঙোন্দগী পুরুদুনা, মীনা পীশিল্লক্কুনা নৎত্রগা মশা পাম্না লৌরুদুনা নৎত্রগা/ অমসুং মখোয়গী মরমদমগী মান্নবা মচৎ-মনাৎ ওইনা হৌরক্কুনা চৎন-ইন্নখিবশিংগী চাদা-নাউদাশিং হৌজিক-হৌজিকমক ইন্ন-ঙাক্লরিবশিংসু য়াওরি। মখোয় হিন্দুনা হৌজিক-হৌজিকমক পিতৃ-মাতৃ সপিণ্ড তর্পণ [Death ceremony observed/performed by the descendant(s) with offerings to the bygone persons/personnels, born and alived on the father's soul(s) and/or mother's soul(s)] তৌনরি, মমাঙদসু তৌরকপগী খুদম মহাকাব্যশিংদা য়াওরি। অদুবু মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌরুবদগীদি, হায়বদি পিতৃ-মাতৃ তর্পণদু অনৌবা অমা ওইনা মৈতৈ খুন্নাইদা চাওরাক্লা খৃষ্টগী ১৮শুবা কুমশীঙ চাগী চহি ৮০ গী কাংলুপকী চহিশিংগী মনুংদগী অমদা চঙশিল্লকখি। মৈতৈনা অনৌবা চঙলক্লিবদুবুসু অদুম মরৌশিল্লি, হান্নগীদুসু অদুমক

মঙাকই। অদুবু অনৌবা চঙল্লক্লিবা হিন্দু বৈষ্ণবকী শক্লোনগী তকশিল-ইনশিল্লকপগী মওং-মতৌসিনা লান্দা-লান-তকশিল্লকপগী থৌওং থৌদৌদা হাইজিল্লকপগুম তৌই। অদুম ওইদুনমক মৈতৈনা মমাঙঙৈদগী থাদোক-হুন্দোকফদনা চহি অমত্তা কাংদনা/কান্দনা থৌরম ঙাক্তুনা লাক্লিবা মখোয়গী মমাঙদা নৎত্রগা হন্দক্তা লৈখিদবশিংগী লান্‌ন'থৌরমগী কুমওন্দা অমসুং কুমওনগী লাইথৌ পাংথোকপদুগা মশাগী মশা ওইনা অদুম্মক তীনশিন্নখি নৎত্রগা মশক শকফম ওনমিন্নদুনা "তর্পণ-চাক পীজবা" হায়দুনা লাংবন থাদা চোংথোক্লকখি। মসিদি অরি-অনৌ শীন্নবনি হায়বদি অনৌবদা অরিবা হাপচিনবা নৎত্রগা অরিবদা অনৌবা তোপশিনবনি। অদুগা হিন্দু ধর্ম্ম চৎলবা মৈতৈশিংনদি অনিমকসি মাগী মাগী মতমদুদা অপীবা লাইথৌশিংদু পাংথোক্তুনা অদুম ঙাক্লে।

(২) এনিমিজম [Animism]

এনিমিজমগী লাইনীঙসিগা চানবা মৈতৈলেনগী ৱাহৈ খঙজদবনা ৱাহৈসিমক পুদুনা অদুম শীজিন্নজরে। এনিমিজম হায়বা হিংদবা/চঙদবা পোৎলম/পোৎশকশিংবু অহিংবা/অচঙবা পোৎশক অমসুং মহৌশা লাইরেম্বীগী অহিংবা/অচঙবগী ময়াই য়াওদ্রবা/য়াওররোয়দবা থৌদোকশিংবু অহিং-অচঙবগুম লৌদুনা মথৱাই পালহল্লিবা/পীরিবা অমসুং মখোয়দুবু নীঙলি-লাৎলিবা লাইনীঙ অসিনা মীওইবগী খ্বাইদগী হেন্না লিরবা লাইনীঙশিংগী মনুংদা অমনি। লাইনীঙসি মীওইবা জাতিগী খুন্দা-লৈতাফম্লি হায়দুনা লৈরিবা মালেমসিগী লৈমায়গী লমচী-লমতুপ পুম্নমক্তা য়ৌরমদবা-থুংলুদবা লৈতে। লাইনীঙ-লীচৎসিগী মরমদা পীবীরম্লিবদি মখাগীসিনিঃ-

Animism:- A belief in individual spiritual being and in a future state. Probably originating in the Paleolithic age, such concepts as the Polynesian man and Indian orenda and manitou (qq.v.) represent the spiritual and non personalized quality which is believed by the animist to be present in the universe. It has also been suggested that the concept first arose as a result of the difference between the dead and the living and such phenomena as sleep, trance, and dreams so that each person might be presumed to have a physical life

as well as phantom life, Marelt suggested that there was a level of preanimism in which there was no life phantom distinction. The animist may be regarded as one who carries over to things the attitudes and procedures used to handle people [E.B.T., 1991, 25-26].

এনিমিজমসিনা থিবদা খঙবা ঙমদ্রিবা কুমশিঙ-থাবান (শোক-তারিক/ Year and date) অমদা মৈত্রবাক্কী লমখে লানশিল্লক্কুনা মপা-মপু নীঙবা লাইনীঙ চৎচবা মীওইশিংসিগী ৱাখলগী পল্লোন মনুংদা চঙখিরম্মী। খুনুং তাইবংপানগী হিংননবগী-লশ্বীদা তীঙখং-তুমবৌনা খোঙদাকম লৈত্রবা লৈপুংখোক-লৈয়াখোক, লৈকৃ-লৈরায় ওইরবা অমসুং খুনুং-খুঙ্গং-খুন্নাইদুদা মশাগী মথৱাই কঞ্জনবা লাক্লরিবা মৈতৈগী মপা-মপুশিংগী পারোন-পুরোনগী মীওইশিংদুনা ঈরাক্লরবা মীনা নাপী মকা অমা ফাওবদা লাম্বগুম লাই-থাজবগী ৱাখল্লোন্না পুশিন্দুনা মখোয়গী থোপকী মনুংদা থমজিনখি। মৈত্রবাক্কী পাৱারী-পুৱারীদা মতম তাংকক তাকপা/পীবা, লাইনীঙ-মনাৎশিংগী মরীদা লৈনবা ৱারোল, চৈথারোল কুম্বাবদা খাইদগী ঈহান হানবা থৌদোক ওইনা পল্লম্বসি খৃষ্ট কুমশীঙ চা ১১ দগী ১২ শুবা ফাওবগী মতম তাংকক অমদা পল্লম্মী হায়না পীরিবসি মৈদিংঙু লোইয়ুম্বা/লোইয়াম্বা/লোইয়ম্ব (খৃঃ ১০৭৪-১১২২) গী সনা হাক্তক্তনি। লমদাংসিগী- পীবীরম্লিবা ৱারোলসি মথক্তসু উৎচখ্রে অদুবু লমদাং চাবগী খুদোংচাবা লৌজরগা অমুকসু হন্না উৎচরি, মদুদিঃ-

শকাব্দ ৯৯৬ তা লোইয়ুম্বনা নিংথৌ ওইএ॥ ... ॥ মহাকথক্তা ঙা থোকউ খোকপা, শা থোকউ থোকপা ফান অমা লৈএ, পীয়ো হায়বদা পীদদুনা মবাই অঙোম নিংথৌবু লান শোক্লহল্লুইএ॥ সেক্তা ঙমএ। (চৈ:কু:, ১৯৮৯, ৯)।

অসিনি। মথক্কী হায়রিবা লাই-তীনগী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াইনচিংবগা শাগোন্নবা ফাল অসিদসু নত্তনা মৈদিংঙু লোইয়ম্বসিনা তাইবংপানগী মীওইবনা তৌবা ঙম্বগী ৱাংদা লৈখ্রবা নৎত্রগা পোৎলম-পোৎ-শক্লচিংবগী মশাগী মহৌশাগী লৈফম থোকপা মতীক-ময়াইদগী কা হেন্না হেন্দোকখ্রবা নুঙ অমসু লান্দা-লানখোমপোৎ [War booty] ওইনা ফংলকখি। হায়রিবা নুঙসিদা খুরুম-খাজঙজরবদি অমসুং নুঙ অসিদা তোংলিবা/লৈরিবা লাই অদুনা থৌজানবীরবদি শাদানবা চৎপদা শা য়াম্না ফাবা ফংবা, লান্দাবা

চৎলবসু লানফা য়াম্না ফাবা অমসুং লানখোমপোৎ, লানঙম-খুদোলপোৎ অমসুং লোইপোৎ য়াম্না ফংবা পীবী হায়দুনা চেৎনা থাজনৈ। হায়রিবা মতীক-ময়াই লৈরবা নুঙসি ইম্ফাল তম্পাক্কী অৱাংলোমদালৈবা চীঙমী খুঙ্গং, "তয়োন থাঙতা-পুঙ" হায়বদুদা লান্দাবদগী ফংলকখিবনি। হায়রিবসিগী ৱাপাং ৱারোন্দিঃ-

...তুবী লাইপু লাংনা লাইরেন মরান ওন্দেরকপদা তরা চানীঙখাক, ৱাংলঈ য়ুনীঙখাকনা থৌতোংখিয়ে॥... লাইরেন মৈদিংঙুনা তয়োন থাঙয়েননা, থাঙতাপুঙ ৱাইহুইনরকয়ে॥ হুয়েল লাননিগীদি শমচেৎপী উকাবা; হংয়েংবী হংয়েংবগা; তনবা য়োংহকপা নমু পোংশাবী-পোংশাববু কায়না হল্লে। নুঙলেন য়াই ওইবা, ৱাইরা শায়াই চেনবা, হুয়েন লানয়াই চেনবা, সেনলৈ মানদে য়িহানুঙ, পাইরৈ মান্দে য়িহানুঙ, হুয়েন লানয়াই চেনবা নুঙসু লোকলকয়ে॥ লাইরেন থিংলৌ নীঙনা তেরবদা চেঙচা নুঙ্কোইবীসুং নুঙখীললৈয়ে॥ (ও:ভ: ১৯৬৭, ৮১)॥

অরায়বা হৌজিক্কী লোন্দাদাঃ-

ঈশিং পীনবীরিবা লাইগুম মতীক মগুন লৈরবদুনা মমায় পাক্লা, অথোইবা লাই ওইবদুনা ময়ুমলোমদা হল্লকপদা লান্দাবা লাকপদা পুরকপা লানচাক্কী লান্দারুরবা মতুংদা লেমহৌবা চাক, ময়াই কারবা য়ুগী লেমহৌবা য়ুদুনা পুক্লীঙ থৌগত্তুনা অমুক হন্না লান্দাবগী থবক্তু পায়খৎনবা থৌনা পীরকখি।... ॥ অথোইবা লাইগুল্লবা মৈতৈগী মবুংঙোনা তয়োন খুঙ্গংগী খুঞ্জাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা মখোয়গা থাঙ হাইনদুনা লান শোক্লরগা থাঙ-তাপুঙসু কৌবা মখোয়গী মরমদুবু জয় তৌরকখি। লানগী লানফা ওইনা শমচেৎপী-উকাবা, হংয়েংবী-হংয়েংবা অমসুং য়োংজাও লাবগুল্লবা পোংশাবী-পোংশাবা কৌবা মী, অহুমসিবু মথৱাইগা হকচাংগা কায়নহনখি। মহী-ময়াই চেল্লবা; য়াই ওইবা নুঙ, শা তানবা চৎলবসু শা য়াম্না ফাবা ঙমহন্নবগী মতিক ময়াই চেনবা; লান্দাবা চৎলবসু মীনাই ওইনবা লানফা য়াম্না ফাবা, অখন্নবা লাম্মীবু মায়থীবা পীবা ঙমহন্নবগী মহী-ময়াই পুবা নুঙ, মশেনগী নৎত্রগা মবাইগী মরৈপাক-মরমদমখক্তং খাকপীরল্লগা অতৈবুদি য়ুহা হাবগুম হাহন-নীকহনবা ঙম্বগী মতীক ময়াই চেনবা নুঙ, লানফম খুদিংমক্তা মায় পাকপা পীবা ঙম্বা

নুঙদুসু লানখোমপোৎ ওইনা ফংলকখি। অথোইবা লাইগুম্বদুনা ময়ুমদা হল্লক্তুনা য়ৌরবদা চেঙ মচঙগুম্না ঙৌরবা নুঙগী অকোয়বা, মকোয় ফারবা নুঙদুবু নুঙকোইবী/নুঙ্গোইবী হায়না মিংথোন্দুনা নুঙ খীল্লে।

হায়বসিনি। হায়রিবা অকোয়বী নুঙ খীন্দুনা থমখিবসিনা মমৈদা "নুঙগোইবী লাইরেম্মা" হায়দুনা মৈতৈগী শা-লানগী লাইরেম্বী ওইদুনা চথরকখিগনি (মখাদা নুঙ্গোইবী লাৎপা লাইনীঙগী মতাংসু য়েংবীয়ু) মথক্কী খুদম ওইনা অমা অনিখক্তং উৎচরিবসিদগী হেনবা নুঙ, উ, কোন/ধাতুনচিংবা কয়া লুবাক-তাবুনুংদা হাপ্তুনা লাৎন-নীঙনবগী লমদাংসি শীঙথাদুনা লোয়বা নাইরোয়।

মচৎ-মতৌ মান্নবশিং [Similarities]

এনিমিজম লাইনীঙ মচৎকী নুঙ, উনচিংবা লাৎপা/নীঙবগী মচৎ-মনাৎসি হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী জগৎ মনুংদসু শীঙথাবা ঙমদবা মখৈ লৈ। বিষ্ণুগী শালগ্রাম চক্র, কৃষ্ণগী কৃষ্ণশালগ্রাম চক্রনচিংবসি মশা-মশাগী ৱারী-ৱাতাই, ৱাখোঙ-শীঙবুন্নচিংবা শাগোন্নবা লৈরবা ঙাক্তনি। হায়জরিবসিগী মৈত্রবাক্কী ওইবা ৱারোল অমত্তং মখাদা থমজরিঃ-

...মোইরাং কোইরেংগী কুমদি শক ১৬৬২... ঈঙেন থা, থাঅহল নোংদা পোং-নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইবু নিংথেমগা পোংনিংথৌগা কুচুদা ফম্মিন্নবদা পীএ। (চৈ:কু: ১৯৮৯, ১০২)

ৱাফোং-ৱাফম

পোং নিংথৌ খেখোম্বা (খেক-খোম্বা, মৈতৈনা থোনবা মমিংনি, খেক হায়বদি "হামৈ [চেঙকুপ, ৱাইকুপ-ৱাইরু য়াওদবদুদা য়াংলী ময়াই কাহনবা ঙম্বা পোৎলম য়াওবা উরী, হিন্দুগী সোম/Soma পাম্বীগুম্বদুগী মহী তোৎ-শিন্দুনা কংহল্লগা কবোক পোক্লগা শেম-শাবা মৈতৈ-লাল্লু মপাক মচা(শিং) বু খোম্বা/ঙম্বা/হেনবা মী] হায়বসি মৈদিংঙু ক্যাম্বা (চাও:খৃঃ ১৪৬৭-১৫০৮) গা মতমদুগী ম্যান্মারগী কবো ক্যাং [Kiang in Shan dominion] লান্দাবদা লাল্লোইখিবা [Ally] পোং [Mao-Shan/Tai-Mao people or their country based at present Mogaung town as their capital] নিংথৌদুনি (মথক্কীসিদা, ১৯)। মহাক্কী মমিংসি কেপ্তেন রোবার্ট বোইল্যু

পেম্বরটোননা "SOOHOONGKHUM" হায়না পী [R.B.P, 1998, 113-14] অদুগা পদ্মেশ্বর গোগোইনদি SAO-NGAN-HPA (1432-50 A.D.) হায়না পী [P.G., 1968, 184: মসিদা পেম্পরটোনগী রিফরেন্সসু পল্লি।] শকাব্দ ১৬৬২ নৎত্রগা খৃঃ ১৭৪০ দা পীরিবা পোংনিংথৌসিনা 'মহীপাল' কৌই [চৈ:কু: ১৯৮৯, ১০৪, ১১৪] শান মমিংদা MONGPO [R.B.P, 1998, 115] অমসুং য়াইসি লৌরিবা মৈতৈ নিংথৌসিনা ''ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ মহারাজনি। হায়রিবা য়াই অসিনা মৈত্রবাক্কী/মেক্লেগী/মণিপুরগী বিষ্ণু চক্র ওইরকখি অমসুং মদুগী মথক্তা সনানা মীওইবগী মীওই-মীতৌগী শক্তম হৈজিন্দুনা নৎত্রগা মীওইবগী শাবান মুর্ত্তিগী বিষ্ণু সনানা হৈবদা মদু হাপচিন্দুনা লাৎনরকখি (মসিগী চাংয়েংদি তৌদ্রি)।

নুঙ, উনচিংবা লাৎপগী মান্নবশিংদা-শালগ্রামদা বিষ্ণু চক্র, সুদর্শন চক্র হায়বা শ্রীবিষ্ণুগী খুৎলায়সিগী ময়েক-লাকয়েক্কী মতৌ লৈরবদি/য়াওরবদি মদু বিষ্ণু (চক্র) শালগ্রাম্নি হায়না লৌনৈ, অদুনা চক্র/কাঙখোঙ [Wheel] গী খুদমসিনা বিষ্ণুগী খুদম ওই। অদুগা হায়রিবা নুঙশিংসি মকোয় ওইবা নৎত্রগা অকোয়বা নুঙ মচানা ওইবসিনা মসি শিবগী ফেল্লস [Phallus, ...the penis: the symbol of generation in private religion (C.T.C.D., 1974, 1000)] লাৎপগী মচৎ-মনাৎসিগা মান্নে [V.S.A., 1993-553] অদুবু হিন্দু বৈষ্ণব স্বভাবকী বিষ্ণু চক্র লাৎপগী মচৎ-মনাৎসি শিলা যোনি পূজা [the worship/adoration of stone/pebble or terracotta female genital in the representation of Universal Female Principle as the universal Mother goddess as the cult of Universal Mother Goddess prevailed in the Harappan culture [B.N.L., 1988-89, 46 & 48] অমসুং শৈব [Shaiva (শিবনা পুম্নমক্কী মরূ ওইনা নীঙবা লাইনীঙ ইনবা শিব ধর্ম্ম /Shaivism গী সাধক/aspirant)], শাক্ত/শক্তি [শক্তি (Power or Female deity who is only the goddess of power) নীঙবা লাইনীঙগী সাধক], শৈব-শাক্ত [Shaiva-Shakta], শাক্ত-তন্ত্র [শক্তি লাইনীঙগা তন্ত্র (white and/or black Art(s) to attain salvation) লাইনীঙগা অনিগী য়ান্নবা মচৎকী লাইনীঙ চৎপা সাধক] অসিনচিংবা হিন্দু ধর্ম্মগী বিশ্বপরিকোর [Horizon/Sphere of Hindu

religion] মনুংদা লৈবশিংনা লিঙ্গয়াৎ [Linggayat or Phallus worship (Adoration of male genital in the representation of Lord Shiva)] কী মান্নবা মশক নৎত্রগা মশাগী মশা [Self/equal/similar] ওইনা লাৎন-নীঙনরিবশিংগসু মান্নে। অদুবু হায়রিবা অকোয়বা নুঙ মচা নৎত্রগা নুঙ লাৎপা লাইনীঙগী লমদাংসিদা মৈতৈ হিন্দুশিং নৎত্রগা মণিপুরী বৈষ্ণব ভক্তশিংদদি খ্বাইনা পাম্নবা অমসুং হেন্না মমিং চৎপা/লৈবসি শ্রীবিষ্ণু শালগ্রাম (চক্র) লাৎপা/নীঙবগী লাইনীঙসিনা ওই। হিন্দুগী মন্দির খুদিংমক্তা লাৎলিবা লাইশিংগী মনুংদা শ্রীবিষ্ণুগী, শ্রীকৃষ্ণগী, শ্রীশিবগী, শ্রীশিবাগী [Feminine gender of Shiva i.e. his consort Parvati/Hemavati/Gauri] নৎত্রগা অতৈগী মহুৎ শিনবা শালগ্রাম য়াওজরবসু মীপুম খুদিংমক্কা ময়ুম ময়ুমদা নুমিৎ খুদিংগী ঈরুজরুরগা কারকপদা শুমাঙ ময়ায়দা তুলশী পাম্বী [Holy basin (Ocimum sanctum, Fam, Labiatae)] থাদুনা থন্নীবদুগী মখোঙদা নুঙ মচা অমা থমদুনা শ্রীবিষ্ণুগী অথোইবী চান্নবী বৃন্দারানী অমসুং শ্রীবষ্ণু মশামক্কী মহুৎ শিনবা ওইনা মতম চুপ্পগী লাৎলগা মানসিক পূজা [Mental/spiritual veneration] নুংতিগী কৎচরিবনি। অসুম্না হিন্দু লাইনীঙলোনগীদা নত্তনা হীদাকলোনগী অখন্নবা পাম্বী তুলশী অসি মৈতৈ হিন্দু য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা থাদুনা অয়ুক-নুংথিল অমসুং নুমিদাং-অহিং অনিগী লাংদাই-মতম [সন্ধ্যা/Dusk and dawn] অনিদা ধুপ-দীপ (মেক্রুক-মৈখু অমসুং থাউমৈ-মৈরা) কত্তুনা লাৎচরিবা অসিমকসু এনিমিজমগী অশেংবা মশক অমনি।

নুঙগোয়বী লাইরেম্মবু মহুৎ শিল্লিবা নুঙ অসিনা অকোয়বা নৎত্রগা মকোয় ওইবা/ফাবা নুঙ/নুঙয়াই ওইবা অমসুং অকোয়বা নুঙসিবু অথোইবী লাইরেম্বী অমা ওইনা মহাক্কী নুপা/মপুরোইবা নুঙগোয়বা কৌবা অমগা লোইননা লাই-নুপীগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্দা খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ কী মমাঙদা মৈতৈ-কোনুংগী নিংথেমকোনগী শরুক নিংথৌকোনগী অৱাং-নোংচুপকী কাচীন মনাক্তা লাৎলম্বা অমসুং হৌজিক্তনা কংলা মনুংদা হায়রিবা মফমসি ওইরম্বা মফমদুমক্তা খৃঃ ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭তগী ১৯৪৭ কী আগস্ত ১৪ ফাওবদা বৃটিশকী অমসুং খৃঃ ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দগী খৃঃ ২০০৫ ফাওবনা ভারত সরকারগী রিজার্ব এরিয়াগী মনুংদা লৈরম্বদগী লৌথোক্লবদা হন্না য়েংবীদ্রবা লাইফম অমা ওইনা লৈরিবা মফমসিদা লাৎলিবসিগা খ্বাইদগী হেন্না চানা চুনবা

লাইশক্কী পোৎশকশিংদি শ্রীবষ্ণু শালগ্রাম চক্র [The rounded pebble/stone with/without the circular line engravement/carving/mark as the symbolic wheel/discus of Divine Visnu to be found on the upper/frontal facet/surface of the pebble] অমসুং শাক্ত/শাক্ত-তন্ত্রগী দেবী যোনি [The globular/spherical stone or terracotta piece with/without circular hole at the centre, representing the genital and vaginal passage of goddess, particularly Kalika/Kali/Kamakhya, Tripurasundari, Sharda, etc.] অসিনি।

(৩) অমম-অঙান শাগোন্নরিবা তন্ত্রিক লাইনীঙ

মঙান/অঙানবা/অয়ুক-নুংথিল লৈবা মফমদুদা মমি/অমম্বা/নুমিদাং-অহিং হায়বসি লৈ, মখোয় অনিসি অমগা অমগা ওন্ন-তৈনবা, মতম অমত্তদা পুন্নদি লৈমিন্নদবা অমসুং অমনা অমগী মমাঙদা/মতুংদা লেপ্পবা/ইন্নবা ওইনা চৎলি অমদি মখোয় অনিসিদগী অঙানববু অঙৌবা মচুনা অমসুং অমম্ববু অমুবা মচুনা মশক ফোংদোক্তুনা লাইনীঙ-লোনচৎকী পরমলোন অমসুং লাইনীঙলোনগী পরীং-পথাপ্তা অমদি লাই-তীনগী পাম্বৈ-উকন্না পাঙ্গল লৌশিং তানবা, ওইজ-ওইজথক ফংনবা থৌশীনবা, লন-থুম পৈশিন্নবগী থৌরাংবা অমসুং পোৎশেম-লাংশেম/যাদু তৌবা, শেমজিন-থামায়বনচিংবদা উকন-উপায় ওইনবা, ভুট-প্রেত, হিংচা য়াইতম্বা, লাইমু-লাই-হিংচাবনচিংবগী য়াইতম-য়াইকাপ, য়াইথা-য়াইশেম তৌদুনা শেমজিন-শাজিনবা, লাইচু-লাইচঙবনচিংবদা খুত্থা-খুমাবা অমসুং অঙাক-অকন তৌবা নৎত্রগা অনিমক পাংথোক্লুবা খুজীন-থৌশিনবগী মশক-মশাশিং তাকই।

মথক্কীসিদা খোঙফম-য়ুম্ফম ওইরগা মীওইবগী খুন্নাইদা চৎনরিবা লীচৎ-শাজৎকী মওং-মতৌশিংদা মিৎয়েং থল্লকপদা ব্লেক আর্ট [Black Art/magic] হায়বসি কনাগুম্বা অমদা ফত্তনবা তৌবা নৎত্রগা কনাগুম্বা মী অমনা ফত্তনবা তৌরকপদু ফত্তবগী পাম্বৈ অদুনা নৎত্রগা অতোপ্পা অমনা ঙাকথোকখিবা, কনবা, নৎত্রগা শাফবা/উকন পীবা/ফংহনবা হায়বা মচৎ-মনাৎ নৎত্রগা থৌদৌ-থৌরাংসিদা হ্বাইট আর্ট [White Art/magic] না মীঙোন্দা অফবা পীনবা/ফংহন্নবা থৌশীনবা অমসুং/নৎত্রগা অফবা (নুংশিবীবা, চানবীবা, য়োকখৎপীবা,

অসিনচিংবা) পাম্বেনা মী অমগী/খরগী/ময়ামগী য়াইফনবা, চাওখৎনবা, কন্ননবা, হান্নগীদগী হেনগৎনবা, মায়পাক-মায়জৌনবা, অসিনচিংবা ফংহন্নবা/পীননবা থবক থৌরাং/থৌশীন তৌবীবা নৎত্রগা থবক/থৌরম পাংথোকপীবা হায়বসিনা হৌরকখিবা মতমদুদা খন্নাংননা নৎত্রগা থাংমুন-নাউমুন ওইনা হৌরকখিবনি। হায়রিবশিংসিনা হৌরকখিবগী মতমসিদি হৌখিবগী ঈরোন্নুংদা তাদুনা খঙঙমদবগী লৈরোন্নুংদা চনশিনখ্রে।

মৈতৈশিংনা হায়রিবা মখল অনিমকসিগী থৌরম-থৌদৌ, মতৌ-লাংওন অমসুং লীচৎ-শাজৎসি মখোয়গী মপা-মপুশিংগী পারোন-পুরোনগী মখং-মনাউ নাইনা চখরকপা পরেংগী/পরীংগী মীরোনশিংদু ফাওরক্তুনা মখোয়গী পুকোক(শিং), পুকোক-পুরেন(শিং) দুনা ঙসি মরৈপাক ওইরিবা লমদমসিদা থুংলবা মতমদুদগী ফংখ্রে। অদুবু তন্ত্রিক লাইনীঙ হায়বসিগী পীরন্নিবা ব্রাহ্মোক অমসুং মচৎ-মওংগী ব্রাহ্ন-ব্রাফোংদিঃ-

i) Tantra, ... any of a number of Hindu writings giving religious teaching and ritual instructions (including the use of incatations, diagrams, etc.) [T.C.C.D., 1974, 1379]

ii) Tantra, A religious treatise teaching magical and mystical formularies for the worship of deities or the attainment of Superhuman power. [V.S.A. 1993, 229].

iii) ... In the religious sense Tantra first came to mean "the scriptures by which knowledge is spread [Tanyate vistaryate jnanam arena iti tantram]". In the next stage it was defined as a class of texts which promulgates profound matters concerning to tattva [theory which later came to mean "pure knowledge"] and mantra (practical means which later came to denote "mystic sound") and was therefore looked upon as a technical branch of spiritual knowledge [tanoti vipulanarthan

> tattvamantra saman vitan]. Thus Tantra came to mean the essential of any religious system and subsequently, special doctrines and rituals found only in certain forms of various religious systems. [N.N.B., 1987, 2].

অসিশিংসিনি। অদুনা তন্ত্র হায়বসি মসিনা হৌরকপগী মতমদদি ঈচম-চম্না মীগী অৱাবা কোকহন্নবা লৌশিংগী মঙালগী পাম্বৈ/চৈঙাক অমা ওইরম্বনি অদুবু মমৈদদি মখল-মখা অয়াম্বা খুনুং লাইনীঙশিং [Primitive cults], মচৎকী থাক ৱাংখৎলক্লিবা লাইনীঙশিং [Developing cults], খুদম ওইনা স্পিরিট ৱোর্শিপ-কল্ট [Spirit-worship-cult] অমসুং থাক ৱাংনা কাৱবা লাইনীঙশিং, খুদম ওইনা মহায়না বুদ্ধিজম [Mahayana Buddhism, the teaching of enlighten One runs/drives on great vehicle] গা শম্ন-তোৎনরুবা/শোক্ল-শৌজিন্নখিবদগী মহৌশাগী মখোয়গী মশাদা পক্লুনা লৈরবা লাইৱা-তীনৱা, লাইয়েক-লাইচু, লাইজু-লাইতোংনচিংবা ব্লেক আর্টকী ময়াক কল্লবা মচাক-মথুমশিংদা চুশিনখিবগী ময়েক মচুদু লারক-হেনগৎলকখিবনি।

মৈতৈগী খুনুং লাইনীঙলোনশিংদা লাইৱা-তীনৱা, পোৎশেম-লাংশেম্নচিংবা ব্লেক আর্টকী ওইবা মচাক-মরনশিংসি য়াওজদুনসু অদুক মকা ফোংনা লৈরমদবগুম তৌই। অদুবু খৃঃ ৯০০-১১০০ ৱোমগী মতমগী ম্যান্মারগী পাগান [Pagan, হৌজিক মণ্ডলে/Mandalay ডিভিজনগী মনুংদা লৈ)] গী খজিক্তং লাপ্না অমসুং অনকপগী অকোয়বদা তারিবা লমদমশিংদা অৱা-নিংথৌরেল আ-নাউ-র-হটা মেঙসো [A-naw-ra-hta-meng-tsaw (1017-50 A.D.)] না পানবা মতমসিগী মমাঙদা বুদ্ধিষ্টিক তন্ত্রিসিজম [Buddhistic tantricism] দা য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লবা এরি [Ari] হায়না খঙনবা মী কাঙলুপ অমা লৈরম্মী। মখোয়দুগী মরমদা হায়রিবদিঃ-

i) ... When the Pyu refugees arrived at Pagan, they found Buddhism already there. It has been brought overland from north India and its teachers were called Ari; they were not monks

but a sort of Brahman claiming a magical power – a man they said, could escape the KARMA of any sin, even murder, if he paid them to recite the necessary charm. They had beards, hair four inches long, and robes dyed blue black with indigo, as can be seen in the old paintings of them at the Thayapu temple in Myingyan district. What they taught would be recognised as Buddhism by any recent Burman today, but it was none the less one of the debased forms of Buddhism from Tibet and Nepal. They rode and bred horses, practised boxing, drank spirits and exercised the droits de seineur over all, from chief to commoner. They worshipped snakes and a Buddha who had goddesses as his wives. The naga images, pagodas to-day are a relic of Ari. They kept knowledge to themselves instead of sharing it with people whom they fooled with various tricks. Thus, they would write an order and hide it in a tree and wait till the bark grew over it; then they would say. "In a vision it has been revealed to me that the gods have sent a massage to men and it will be revealed by opening one of those trees. [H., 1954, 13].

ii) ...; and as they were not only simple men and there were no other teachers at pagan, they followed the Ari, Nya-ung-u Sawrahan who was chief of Pagan about 960 (A.D.) especially favoured the Ari, building them Pagodas and making a fine garden in which he set up a great idol of a dragon, (Ibid, 14).

iii) Anawrahta had long waited for a helper; he had him (Shin Arahan, a Talaing monk of Theravadi

4S

> school of southern Buddhism) now and the power of the Aris was broken.... The offerings of strong drink vanished and, finding his livelihood gone, many an Ari turned villager and worked for his bread; some were compelled by the king to become scavengers, others conformed to the new fashion. But the greater men, who had wielded power so long, were not minded to yield without a struggle, and, fearing for Shin Arahan's Life, Anawrahta banished them in numbers many went to the Shan states, brawling with royal guards who conveyed them. Yet they did not die out; although no longer able to impose their yoke others, they lingered here and there, specially at Popa Hill and Thamahti near Pagan, They are mentioned by name as late as 1315 at Sagaing... [Ibid, 19].

অসিশিংসিনি। এরি-লোর্ডশিং অমসুং মখোয়গী পরুৱা (Disciples) অমদি য়ানীঙদুনা মতুং ইনবশিং, থৌনেক্লবা/চঙজরকপা [Client] শিং অদুগী মশীঙ অদুক য়াম্বদু নিংথৌরেন আনরাহ্টানা মখোয়গী মহুম-মকোনশিং থুগায়খিবসিদগী ওইরক্লিবা মখোয়গী তোঙ্গরবা ফিভম/ফিরেপ্তুনা খরদি মরৈপাক থাদোক্কুনা লোন্না চেনখিবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফম্নি। এরিশিংসিগী লৈঙাক্লোনগী ওইবা মগুণগী মতাংদা পল্লম্বদিঃ-

The Mahayana Buddhism of Upper Burma developed in very currupt lines and prevailed right up to the 11th century A.D. The leaders of this cult are shown to have been thirty (30) Ari lords who had some 60,000 pupils. Their centre was Thamahti near Pagan. They were breaded men wore robes dyed blue-black, rode on horses, drank wine, worshipped Naga, the snake god and practised magic. They had the Mahayana canon in Sanskrit... [S.W.O., 1961, 13] ... The Ari lords, it is possible were not merely religious

leaders but some kind of ruling chiefs or at least great landlords as well as like the kings of ancient Sumeria and they combined in their person both priesthood and magisterial power [Ibid, 14].

অসিশিংসিনি। মরম অসিনা অমম-অঙান শাগোন্নরিবা তন্ত্রিক লাইনীঙসিগী অনৌবা ঈনোৎ ওইনা ম্যাগ্মারগী পাগান মনাক্কী থামতিদগী লাঞ্জেন্নরকপা কাংবুশিংনা পীরমগনি হায়বসি চেৎনা থাজজে।

তন্ত্রিক লাইনীঙগী হৌজিক্তা ফংলিবা ৱাহন্দোকঃ-

তন্ত্রিক লাইনীঙসি হৌজিক্কী অনৌবা মতমসিদদি খর হেন্না পাকথোক-চাউথোকহনবগী মিৎয়েংদা থম্বগুম উহল্লি। মসি মালেমসিদা লৈরিবা লাইনীঙলোনশিং, অপীকপা/অনেম্বা অমসুং/নৎত্রগা অচৌবা/অৱাংবা থাক্কী ওইরিবশিংসিদা অমত্তা চংদবা/য়াওদবা লৈতে। তশেংনমক মসি লাইনীঙলোনশিংগী মনুংদা য়াওরিবা পাউতাক পরীং, থৌরম থৌপাংগী পরেং, চঙগদবা পোৎচঙ ওইরিবা পোৎশক, লাইশোন-তীনশোন অসিনচিংবগী অশম্বা, অতেনবা অমসুং খুৎলোইহল্লবা পথাপ অমসুং পাম্বৈননি। খুদম ওইনা, বীজ/মূল্যামন্ত্র [Seed/root word/spell or hymn/incantation/charm, etc. of prayers, praises etc. long poems, stanzas, paras, prose forms, etc.] হৌদোকপসি তন্ত্রিক লাইনীঙসিননি অমসুং হায়রিবসিনা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্ম সম্প্রদায়শিং [Sects] দা কা হেন্না চঙশিন্দুনা লৈ, খুদম ওইনা কৃষ্ণ বীজ মন্ত্র "ক্লীঁ" হায়বসি বালকৃষ্ণ, নন্দরাজ নন্দন নৎত্রগা রাসেশ্বর কৃষ্ণ অমসুং বাসুদেব নৎত্রগা সুদর্শনধারী কৃষ্ণগী লাইনীঙ অহুমসি চৎলিবা কৃষ্ণভক্তশিংনা শীজিন্নে। মরমশিংসিনা তন্ত্রিক লাইনীঙসিগী ৱাহন্দোকসে মখাগী অসুম্না পীবা য়াইঃ-

The Tantric religion is the formulaic and diagramic principles/disciplines of/for aspiring/hankering power(s) and/or attainment/obtainment (obtaintion) on pertainence/retainment of forceful power(s) to rule over the human powers, forces and energies of all kinds. It is the way/path for utilization and holding to evoke/evolve or conjure/invoke

the force(s)/energy (ies)/power(s) behind the sacred name(s), form(s), posture(s), figure(s), symbol(s) etc. of diety(ies)/ god(s), in/under the scientific and artful artificial and/or artistic formulations of the adorable/venerable medium(ia)/ device(s) or any other means which are able to act/bring forth the static/dormant natural/universal unseen/invisible force(s) or the potential/latent solar/cosmic power(s) to be in dynamic/kinetic state(s) for constructive/helpful or destructive/mischievous purose(s)/cause(s) or effect(s)/ result(s).

অনৌবা লীচিংগী অমম-অঙান অনিমক্কী মতীক-ময়াই শাগোন্নরবা তান্ত্রিক লাইনীঙবু মৈত্রবাক্কী লৈহাও-লৈপাকসিগী মৈদিংঙু লোইয়ুম্বা (খৃঃ ১০৭৪-১১২২) না পাল্লিঙৈগী সনা হাক্তকসিদা ইম্ফাল/মণিপুর তম্পাক্কী নোংপোক থংবদা লৈরিবা চীঙলোন-পল্লংলাগী-পল্লোনসি ফাওজিন্দুনা লানশিল্লকখিবা অমসুং ময়োল চোংলকখিবগী মতৌসি উবা ফংজে। হায়জরিবা ৱাফমসিগী ৱাপাং ওইরিবা ঈ-পাউদিঃ-

শকাব্দ ৯৯৬ তা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা নিংথৌ ওইএ। ... অদুগী মখে ওগ্রী শকপা হৌএ॥ ... লোইয়ুম্বনা চহি ৪৮ পাল্লমএ॥ (চৈ:কু: ১৯৮৯, ৯)।

অসিনি। মসিগা মথক্তা পীজখ্রবা এরি ৩০ অমসুং মখোয়গী ছাত্র ৬০,০০০ বু থুগায়খিবা, লোই থাখিবা, অসিনচিংবগী থৌদোক-ৱাথোকশিং অদুগা থানা চানদুনা য়েংবগী মতম-তাঞ্জা ওইরবনি অদুগা "ঔগ্রী" গী লমদাংসিদা, লান্না লমজিংনবা ৱারোল খর মীয়াম্না থেংনবীরবসু "ঔগ্রী লীরোন-শৈ" "ঔগ্রী হঙ্গেন শকপা," ঔগ্রী হঙ্গেল চোংবা", অসিনচিংবসিদা শেমগৎ-শাগৎপগী, মাঙহন-তাকহনবগী অমসুং অমুক হন্না হৌগৎপা/ লানহৌবা ঙমদনবগীনি হায়দুনা খায়দোক্তুনা থম্বীরম্লিবসি করিগীনো হায়বসিদা মিৎয়েং থম্বীবগী মথৌ তাই অমসুং চুমগনি হায়রিবা ৱাফমসিগা মরী লৈনবা খুদম অমা চৈথারোল কুম্বাবদগী লৌখত্তুনা মখাদা থমজরি।

....পুখ্রম্বম পাঙলগী কুম শক ১৭০৮, চন্দ্রাব্দ ৯৯৮... ৱাকচীঙ থা... ২২ নি য়ুমশকৈশদা নিংথেম চীঙথংখোম্বনা খোংজাই নাবা শানএ (১৪৬)।

... ফাইরেন থা নোংমা থাঙজ...॥ ২১নি শগোনশেন্দা... মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বদি তুয়াইদা নুঙসুং য়ুংলমএ।...॥ ২২নি ঈরাইদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা খোংজাই খুনয়াঈদা খৌশাইএ॥ ঔগ্রী শকএ॥ নুঙসু য়ুংলমএ।... (অনিশুবা) ফাইরেন... ৭নি পানবা থাংজা নুমিত্তা মৈদিংঙু চীঙথাংখোম্বনা খোংজাই নারুবা থুংলৈএ (মথক্কীসিদা, ১৪৮)।

ঔগ্রীগী লমদাংসিদা লাইরেন মথেক [Serpentine coiled/ sinuous passage(s) or form(s)] তা চৎপা, পাখংবগী পাফন [Diagramic/mapping feature] গী য়াঙবী শোক্তনা কোয়না লেপ্লব-নচিংবসি মশানা য়াওদুনা লৈরবনি। মরম অসিনা ঔগ্রীসি তন্ত্রিক্কী সোলর/ কোসমিক পাৱার/ফোর্স [Solar/cosmic power/force] কৌথোক্লবা/ থোকহল্লক্লবগী পাম্বৈশিংগী মনুংদা অমনি। ঈশৈ/মন্ত্র শকপা/শোনবা/থীবা [Sound] গা হকচাংগী শাথেক [Body gesture (electronic movement)] কা অপুনবা খোঞ্জেন [choral/chorous sound] দা ফোর্মুলা খরগী মখাদা চৎপনি অমসু হায়রিবশিংসিদি তন্ত্রগী ৱায়েল ঙাক্তনি।

খ্বাইনা খঙনরিবা তান্ত্রিক লাইনীঙগী হৌরকফম মরু [The seed from which Tantric creed germinated]:- খ্বাইনা খঙনরিবা তন্ত্রিক লাইনীঙসি ভারতবর্ষগী মনুংদা মৈত্রবাক মণিপুরদগী থাপ্লবা নোংচুপ লমদমদগী থেংলবদা খৃষ্টগী ৫শুবা কুমশীঙ চাদা হৌরকখিবনি। মসিগী মতোন থোক্তুনা য়েন্নৌ মপান চোংখৎলক্লিবা মরু অদুগী মশক তাক্লিল্লিবা ৱারোলদুদিঃ-

...In the 5th century, the Maukhari chief Anantavarman installed an image of Bhupati (Shiva) and the Devi (Durga) in a cave in the Nagarjuni hill. Some scholars hold the opinion that the rise of Tantric creed in the Gupta period was due to this Devi-worship (B.N.L., 1988-89, 357).

অসিনি। ৱারোলসিদা গুপ্ত পেরিওড হায়না পল্লিবসি গুপ্ত নিংথৌ শাগৈগী নিংথৌ অমসুং নিংথৌরেলশিংনা মগধদেশকী পাটলিপুরত্র (হৌজিক্কী বিহারগীষ্টেট কেপিতেল পাটনাগী মনাক্তা) নৎত্রগা কুসুমপুরদা কোনুং ওইদুনা খৃঃ ৩২০ দগী ৫৫০ ফাওবা পানখিবগী মতমসিবুনি। অদুগা অমনা ’দেবী-

ৱোর্শিপ (Devi-Worship) হায়বসিগী মরমদা পীবিরল্লিবদিঃ-

DEVI-WORSHIP: An important aspect of the religion of the Gupta period was the Devi-worship – the cult of the Mother-goddess which was fed by indigenous and aboriginal beliefs. The worship of Devi under different names penetrated the main bodies of Vaishnava and Saiva sects. Conception of Lakshmi or Sri as Vishnu's wife is a feature of Vaishavism in Gupta period...

Sakti: The energic female principle was personified as goddess Devi or goddess parexcellence. It became a source of power. The Devi aspect was manifested as the motivating energy behind many Hindu god-concepts like Brahma, Mahesvara (Shiva), Vishnu, etc. If Sakti or Devi was associated with Vishnu under the name of Laxmi, she was associated with Shiva under various names and Shiva-Sakti doctrine became popular. Uma, Gauri, Parvati, Annapurna, Lalita, etc. represent the gentle and compassionate aspect which Chamunda, Durga, Kali, Katyayani, Bhairavi, Mahishasurmardini, etc. represent Ugra or terrific form. (ibid, 356-57).

অসিশিংসিনি। অসুম্না গুপ্তগী মতমসিদা হান্ননা, অদিতি, ঊষা, পৃথিবী অমসুং সরস্বতিখক্তমক লৈরম্বদগী লাই নুপীশিংগী মতুং তারকপা বেদশিংগী মতম্নচিংবদা মশীঙ য়ামখৎখিবদুদগী মশীঙ য়ামখৎলকখি অমসুং লাই নুপা-নুপীশিংগী মমা-মপা, মতৈ-মনাউ শেন্বসিসু হৌদোকখি। হায়রিবসিনা তান্ত্রিক লাইনীঙলোনবু চাওথোকপা হেনহল্লকখিবনি।

মচৎ-মতৌ মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী তান্ত্রিক লাইনীঙগা হিন্দু বৈষ্ণবকী তান্ত্রিক লাইনীঙগা অনিসিগী চাংদম্নবদা মান্নবসিদি অদুম্মক য়াওরগনি, মরমদি মথক্তসু হায়জগ্রে, তান্ত্রিক লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোন হায়বসিদি ইন্দিয়াগী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোন খুদিংমক্তা চঙদুনা অমসুং তুংদুনা লৈ। অদুগা হায়রিবসিদগী

হেন্দুনা তন্ত্রিক লাইনীঙসি লম-লমদুনা মমিং অমমম থোন্দুনা, অয়াম্বদদি মমিং হোংদোক্তুনা নোংপোক, মখা অমসুং খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিংদা লৈরিবা লাইনীঙশিংদা মসিগী মচাক-মরনশিং থুপ্না/ফোঙনা লৈ। অদুগা ভারত অসিদি লাইনীঙসিগী হৌফম-শাৎফম লমদমনিনা অকনবা তন্ত্রিক ৱাখল্লোন্না কুঙশিন-মঙশিল্লবা মচৎ-মনাৎকী মফম কয়ামরুম লৈ। অসিগুম্বা মফমশিংদুগী লমকনশিংদুবু ইন্তেন্সিব তান্ত্রিক জোন [Intensive Tantric Zone] শিং থোন্দুনা লৈ। হায়রিবসিগী চাওরাকপা মশক্তিঃ-

(১) বঙ্গদেশ (নোংপোক অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী অপূনবা) না য়ুমলেপ কাইদোঙফম ওইরগা ভারতকী অৱাং-নোংপোক লমদমগী শরুক পূম্নমক, উরিষ্যা অমসুং বিহার, অসাম, মণিপুর, য়াওনা

(২) কাশ্মীরনা য়ুমলেপ কাইদোংফম ওইরগা, জম্মু, পঞ্জাব, হিমাচল প্রদেশ, উত্তর প্রদেশকী অৱাং থংবা শরুকশিং, নেপাল, ভুটান অমসুং সিক্কিম,

(৩) কেরেলানা কাইদোং-য়ুম্ফম ওইরগা ভারতকী খা ঈথং থংবা মতোন কেপ কোমোরিন [Cape Comorin] ফাওবগী লমদমশিং অমসুং সমুদ্র খোঙবানগী লমদমশিং [Coastal lands]।

অসিশিংসিনি। মথক্কীসিদগী খঙলিবদি মৈত্রবাক-মণিপুরসিসু তন্ত্রিক লাইনীঙগী য়াম্না সিন্সিটিভ ওইবা লম [Sensitive area] গী মনুংদা চল্লি। অদুমকপু মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌদ্রিঙৈদদি গৌরিয় (গৌর/বেঙ্গোলগী) বৈষ্ণব ধর্ম্ম [শ্রীবিষ্ণু অমসুং মহাক্কী লাংওন (Incarnation) শিং অমসুং শাওন/শাইওন/শানওন (Manifestation) শিংগী মনুংদগী অমবু নীঙবা/লাৎপা লাইনীঙ] গা মরী শম্নদে। অদুবু শাক্ত-তন্ত্রিক স্বভাব [Belonging to the nature/innate of Sakta-tantric creed] না গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্মদা পীরিবা মচাক-মরনশিংদুগা মৈতৈগী মরৈপাক্তগী হৌজরকপা সনামহী লাইনীঙগগী লমদাংদা য়েংনবদি য়াই। শাক্ত-তন্ত্রদা লাই নুপাশিংদগীদি লাই নুপীশিংনা থাক ৱাংবা য়াম্না হেল্লি, খুদম ওইনা, লাইনীঙ অসিগী লাইরেম্বী কালিকা/কালি/কামাখ্যা অসিগী হেন্না চাউবা

লাই নুপা/নুপী অমত্তা লৈতে [N.N.B., 1987,]। হিন্দু বৈষ্ণবকী খ্বাইদগী চাওবা লাই অহুম [দেবাদি দেব (লাইগী লাই ওইবা)]গী মনুংদগী শিব মহাদেবগী মথক্তা কালিকা/কালি (অকক্পবা মমিংনা, ভদ্রকালি) না নেক্তুনা চৎলিবসিনি। মসিগী ৱাখল্লোনসিনা মৈতৈগী লাইরেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন পাছোইবীদা মহাকপু লুহোংদুনা লৌরম্বা খাবা তরং খোইনুচাগী মমা মনু তেকআ অমসুং মপা খাবা শোকচ্রোবনা মনেম-মকু ওইদুনসু ঈরাৎ-থৌনী তৌরিবদুনি। মসিদা মহাক্কী মপুরোইবা ওইরম্বা খাবা তরং খোইনুচাদুসু ঈরাৎ-থৌনীদুদা মমিং পন্দনা য়াওরিবনি। মথক্কী হায়রিবা ভদ্রকালিগী ৱাখল্লোনসিদগী লৌথোক্তুনা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মদা চঙলিবা মচত্তুদিঃ-

> স্মরগরলখণ্ডং মম শিরসি মণ্ডনং,
> ধেহি পদপল্লবমুদারম্।
> জ্বলতিময়ি দারুনো মদনকদারুনো,
> হরতু তদুপাহিত বিকারম॥৭॥ (প:আ: ১৯৪৭, ১২৪)

অসিনি। মসি হিন্দু বৈষ্ণব কবি জয়দেবনা ইখিবা "গীতগোবিন্দ" কৌবা শৈরেং লাইরিক্তুগী ১০শুবা সর্গঃদুগী ৭শুবা শ্লোক্কি অমসুং শ্লোকসিগী ৱাহন্দোক্লাঃ-

Oh sweetie (Radha)! by putting your delicately fresh floral bud-like soft feet on my head as to be the adornment of my headgear, to let the burning flame/fire of unbearable/unendurable passion be delivered/despatched so as to rescue/relieve me from felling down unconsciously and entangly as affected/inflicted by/with the infuriating strong enthusiasm.

হে চান্নথোইরবী রাধা! নহাক্কী লৈনাগুম থোৎলবী নখোঙ থম্বালদুনা ঐগী ঈকোকথকসিদা থম্বীদুনা ঐগী কোক্কী চূড়াগী লৈতেং ওইহনবীরগা নুংশি-মৈচাক্লা খাঙঙম্লরোয়দবা মৈশাগা লোইননা চাক্লিবসি কোকহনবীরো; নুংশি মৈরিনা চাকশিল্লকপদগী পুঙমদ্রবা হকচাংসিনা ৱাখল-লৌশিং মাঙদুনা লৈমায়থক্তা তাগদবসিদগী নঙগী নখোঙ থম্বালদুনা শোকপীদুনা ঐগী অৱাবা পুম্নমকসি কোকহনবীরো।

অসিনি। ৱারোলসিদা য়াওরিবা "নুংশি-নুংঙোলগী মরী লৈনরিবা নুপা অমনা

মহাক্কী থম্মোইগী খোয়দারোইদুদা চান্নবীদুগী মখোঙনা চান্নবদুগী মকোক্তা থম্মু" হায়রিবসি প্রেমিক-প্রেমিকা [He and She- lovers] অনিদুগী থাক উৎপনি অমসুং মসিগী ৱাখল্লোনসিদি শাক্ত-তন্ত্রগী মমিং মখল-মথেল কয়া লৈরবী তাইবং পোকপী মমা [Mother Goddess] না খ্বাইদগী হেন্না অথোইবী লাই ওইবদুগী ৱাখল্লোন্নি অমসুং পাম্বোইবী খোঙ্গুনদা পীরিবদুগা শক্লোন খর খেন্নরবসু ৱাখল্লোন অমত্তদগী উফম-উচন অনি থোক্লা শাগৎনখিবনি হায়বদা শাফদবা থোক্লোয়।

মৈতৈ খুন্নাইসিনা নুপানা য়ুম পানবা/পুবা খুন্নাই ওইবনিনা নুপা নুপীগী খোঙথাংদা নুপীনা খজিক্তং হেনগৎখিবসি চৎনদে। মরম অসিনা নুপীনা য়ুম্নুরেল ওইবগুম্বগী মওংগী থৌদোক-ৱাথোক/থৌরম-থৌদৌসি হকথেংননা/ফোংনা কয়া উৎনদে। অদুবু হায়রিবসি করিগুম্বা মতমদা নৎত্রগা মরক-মরক্তা থোক্তবদি নত্তে (চৈ:কু: ১৯৮৯, ৪৪১)। অদুগা মান্নবগী চাংদম্নবগী লমদাংসিদা বীজ/মূল্য মন্ত্রগী পরীংদা খর উৎপা তারবদি মখাদা পীরিবা খুদমদমক ওইবা খরসিনিঃ-

মৈতৈগী সীভ ৱার্ড - [Meitei seed word]	হ (গুরু), র [লৈমরেন (লৈশীরেন লৈপুনবী)], স [সনামহী) হিন্দুগী ব্রহ্ম, বিষ্ণু অমসুং মহেশ্বরগী মতীক ময়াই অহুম্মক মঙোম্দা লৈবা], হয়ি (তেংবানবা মপু, ইপা ওইবা লাই), হয়া (তাইবং পানবগী মমা, ঈমা ওইবী লাই) অমসুং মৈতৈ ময়েক্কী ময়েক অমমম্‌গা লাই অমমম্‌গা মান্নবা।
বৈষ্ণবগী শীড ৱার্ড - [Vaisnava seed word]	ওঁ (ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর), গং(গনেশ), শ্রী (লক্ষ্মী), ক্লীঁ (কৃষ্ণ), হ্রীঁ(হর/শিব), দুং(দুর্গা) রং(রাম), অসিনচিংবা।

(৪) স্পিরিট ৱোর্শিপ কল্ট [Spirit Worship Cult]

লাইনীঙ মখল অসিসু মালেমসিগী খ্বাইদগী হেন্না লিরবা লাইনীঙশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং মসি চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা নৎত্রগা খোঙথাং

শোত্থহৌরবা মী-ফুরুপশিংগী খুন্নাইগী কাংলুপ্তা চনবশিংদা হৌজিক ফাওবা চৎনরি। মৈতৈশিংনা মখোয়গী ৱাখল খনবা ঙম্বগী থাক খুদিংমক্তা অমসুং লাইনীঙ-ৱাউঙ-খোঙকাপ [Pace/step of religious philosophy] তা মালেম তাইবংপানবসিদা মালেম লৈমগী মচা ওইদুনা লৈরিবা অচৎপা-চত্তবা, অরেঙবা-লেঙদবা, অপাইবা-পাইদবা অমসুং অউপ্পা-অরোংবা পোৎশক-পোৎলম খুদিংমক্তা/পুম্নমক্তা অচঙ-অহিংবগী মতৌ ওইবা মহী-ময়াই অমমম লোইনরি, লৈ নৎত্রগা য়াওরি হায়না খল্লি অমসুং থাজবা থম্মী। অদুবু মখোয়গী স্পিরিতিজম [Spiritism/Spiritualism (the philosophical doctrine that nothing is real but soul or spirit or the doctrine that spirit has a real existence apart from matter or the interpretation of a varied series of abnormal phenomena as for the most parts caused by spiritual beings acting upon specially sensitive persons or medium] অসিদি মখোয়গী মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙগা তোৎশিন-য়ানশিন্নদুনা লৈ অমসুং হায়রিবা লাইনীঙসিগী ওইবা লাই-তীনগী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী মমিং-মথা লৈতে। অদুগা মালেমসিদা চৎনরিবা লেটিনগী স্পীরিটস [Spiritus (a breath)] নৎত্রগা স্পীরারে [Spirare (to breathe)] হায়বসিদগী ঈঙ্গ্রেজশিংনা পুরগা লোইন্থে ওন্থোক্লগা মখোয়গী মৱাহে ওইরিবা স্পিরিট হায়বা মমিংসিদা চেল্লিবা ৱাহন্দোক্তিঃ-

Spirit: An immaterial nondivine being of fairly independent existent. It may be associated with particular natural feature. There may be many different kinds of spirits, even in one culture. Spirit cannot be perceived directly by senses. The wind, the sun, a disease, may be regarded as having a spirit or being one. Spirits may be linked with fairies, gnomes, and similar figures. The concept of a soul (q.v.) that can be separated from the body is the model for the nonhuman spirit. The spirit helped the growth of advanced religion by facilitating dualistic conception of the material and the immaterial. Usually, there are more spirits

on the earth than human beings. Many spirits in nonliterate religions worked for man or against him and their force could be seen in almost any unusual happening. The notion in some religions that each person enjoys the protection of a guardian angel and faces the snares set by a tempting demon may drive from the belief of spirits. Spirits are sometimes confused with ghost (q.v.) who loiter around their homes. [E.B.T., 1991, 496-97].

অসিনি। লাইনীঙলোনসিনা মৈতৈ খুন্নাইদা ‘‘লাই’’ হায়বা ‘শকউদবা’ অমসুং মশা (হকচাং)য়াওদবা লাইনীঙলোনগী শক্তমদুগী মখাদা চঙদুনা মৈতৈনা লাইয়াম নীঙবগী পুক্নীঙ-ৱাখলনা অচুম-অরান লেপ্পগী অমসুং খ্বাইনা য়ান-চৎনবা ৱাখল-লৌশিংনা পুন্না লেপমিন্নহন্নবগী পনগোয়নুংদুদা লৈ।

স্পিরিট ৱোর্শিপ অসিনা মৈতৈগী অহানবা মচীনঙৈগী থাক্কী লাইনীঙ-লীচৎকী মপানাৎ-মপুনাৎ চত্থরকপগী পরীংদা করম্না, কৈদৌঙৈ অমসুং করিদগী মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙগা পুনশিন-তোৎশিন্নখ্রিবনো হায়বসি হৌজিক্কী থাকসিগী খঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরি। মৈতৈগী মপা-মপু লাৎপগী লাইনীঙসি, তশেংনা হায়রবদা, অচঙ-অহিংবগুম্বগী মহী-ময়াই লাৎপগী লাইনীঙলোনসিনা মচু শঙদুনা তোৎন-য়ানবগী শক্তমদা লেপহল্লিবনি হায়বা য়াই, মরমদি মপা-মপু/অপোকপা লাৎপা লাইনীঙনা ঈরাৎ-থৌনী তৌরিবসি মখোয়গী লৈখিদ্রবা মপা-মপু অমসুং মবেন-মবেন্দৌশিংনা হিংলম্বগী অচঙব-অহিংবগী ময়াই অদুশিংদুনি। লৈখিদ্রবা মপা-মপুশিং অদুনা মালেমসিদা হিংদুনা লৈরম্বগী অচঙবগী ময়াই পীরিবা; অফবা, ধর্ম্ম/পূন্য চেনবা থৌরম-থৌদৌশিং [Virtuous deeds], য়াইফ-থৌরাংগী থৌদাং লৌখিবশিং, মীগী/মীওইবগী কান্ননবা তৌরম্বশিং, অসিনচিংবগী মীওইশিং অয়াম্ববু অচৌবা/অৱাংবা থাক্কী লাইশিং অমসুং মখোয় মৈতৈবু পোকপী-শাৎপীরকপা, য়োকপী-থাকপীরকপা অমদি শেন্বী-শাবীরকপগী ঈকাই খুম্নফম থোকপা মমা-মপাগী মরোনশিংবু মাগী-মাগী থাক্কী লাইশিং ওইনা ওইহন্দুনা কোনবী-শেনবীরিবা, অফবা পীনবীবা লাইশিং ওইনা লাৎলি। অদুগা পুন্সি খোয়রেন য়ৌনা/য়ৌদনা মহৌশাগী শিফম-নাফম থোকপদগী ৱাংমা লান্না খুদোংথিবশিং— মীনা/শানা-ঙানা হাৎপা,

ঈরাক্লদুনা, উদগী তাদুনা, নোংমৈ শীঙজঙনা খায়দুনা, অসিনচিংবদগী খাঙড়ুথক্তা কেমখিবদগী শিফম-নাফম খঙদ্রবা থৱাই-মিরাংপান্দুনা অরান-খুবম/লাননা লম্বেল ফংদদুনা মালেম অমসুং নোংথক্কী মরোল আনিগী মরক্তা লানঙমদ্রবা থৱাই ওইনা কোয়পাই পাইদুনা লৈরবশিংবু তম্নলাই, শরোই, ঙারোই, লাইমু-তীনমু, লাইহিংচা, ভুট-প্রেট, অসিনচিংবা মিংথোন্দুনা মীওইবদা, মীওইবা খুন্নাইদা মীগী মচাক-মরন, মশন-মওক, মহৈ-মরোংনচিংবদা শোকহন-মাঙহনবা ফত্তবা লাইশিং ওইনা খায়দোক্কুনা থম্মী।

মৈতৈনা মখোয়গী লাই ফত্তবা নৎত্রগা মীওইবদা ফত্তবা মহৈ পীবা লাইশিং অসিগী মখা তাথরকপা লমদাংদা মখোয়গী মরক্তগী খরদি মখোয়গী মচীঞ্জাক্লচিংবা ফংননবা অচৌবা উমংলাইশিং, খুদম ওইনা, কৌব্রু, থাংজীং, ৱাংব্রেন, মারজিৎনচিংবা লাইয়িংথৌশিংগী, মতুং ইন্দুনা চৎলি অমসুং মখোয়গা লোইনদুনা লৈ, চৎলি, চৎমিন-লৈমিন্ননবা হোৎনৈ। মরম অসিনা মখোয়দুবু শারোই/শরোই নৎত্রগা শরোই-ঙারোই [Satanic/Hellish companions/ associates or animistic/beastly or unspiritual (unspirited)/ irrational component(s)/part(s) of rationale (rationality/ spiritualism/rationalism as the partner/sharer of the rational/ spiritual constituent(s) of humanly mind or mental faculty(ies)] হায়বা মিংফমসিদা থম্মী। মখোয়সি অরৈবা/লৈতবা থৱাইশিংগী মমি, য়াইবী মিরাংপান [Outer sheath-layer in spider-webbed wrapper of human soul] ঙাক্তনি। অদুগা লাই-হিংচা(বা) [Demonic/ devilish supernatural being] হায়না থোনবা নাইতোম চৎপা মীওইবগী তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা থবকশিং তৌবা হিংচাবা [অসুর (Demon)/ রাক্ষস (Devil)] গী কাংলুপ্তা চনবশিংসু লৈ। মখোয়শিংসিদা হিন্দুগী অফবা ভুটশিং, তাল অমসুং বেটাল, আরবকী নৎত্রগা মহম্মদনশিংগী থৌজাল হৈবা নৎত্রগা হায়বা ইনবা 'জিন' [Jinn/djinn] অমসুং/নৎত্রগা 'খৃষ্টানশিংগী হোলি স্পিরিট/ঘোষ্ট [Holy spirit/Ghost] অমসুং এঞ্জেল (Angel) শিংগুম্বা য়াওবা/লৈবগী খুদম চাংদম ফংদে। মৈতৈগী লাই-ফত্তবশিংসি অয়াম্বনা মখোয়না অপুন্বী শোরেন [Imaginary soul/spirit of children not disposed/ liberated in formal funeral] থোন্দুনা থল্লিবসি হিন্দুগী প্রেত [Image/

shadow of departed soul] শিংগুম্বনি অদুগা অকোনবগীসিগুম্না মখোয় অমমমগী ওইবা মমিং-মথাশিং লৈতে, পুন্না খঙনরিবসিনা লোয়রে।

অনৌবা স্পিরিট ৱোর্শিপকী মশকশিং চঙশিল্লকপাঃ-

মৈত্রবাক্কী লমদমসিদা টিবেট-লৈপাক্কী বোন লাইনীঙ [Tibetan Bon cult/religion (old and new)] গী মচাক-মথুম অমসুং লাইনীঙদুগী ময়ুং-মফেন ওইরিবা লংজা-লংলীশিং পুবা মীওইশিংগী কাংলুপ-ফুরুপ/খুৎ-কাংবু মচা অমসুং অচৌবশিংনা লৈপাকসিগী ইতিহাসকী "প্রী অমসুং প্রোটোহিষ্টোরিক মতমদগী হৌনা ঈনোৎ নাইনা চঙশিল্লকখ্রবনি। অদুবু মখোয়দুনা থোইদোক-হেন্দোক্লা অকনবা শাফু পীবদি ঙম্লদবগুম তৌই। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা মীওইশিংসিনা ঐতিহাসিক যুগ/চক [Historical age] কী খেন্ন-খেন্নরবা মতম-তাংককশিংদা থেংখাং-থেংখাং নাইনা থৌদোক-ৱাথোক্কী মরক্তদা মখোয়না শীঙথানীঙঙাই ওইরবা থৌদোক-ৱাথোক্লা মশক তাকপা মতমগী তাংকক [Epoch making-event] পুথোকপা/ওইহনবা ঙমদ্রবসু কুম্বারোনগী ওল্লিবা কাংখোঙগী খোঙচৎকী খোঙথাং/খোঙকাপ অমদা মমাঙঙৈদগী লৈজরবসু মতমদুদা অমুক নৌথোকহল্লবা মখোয়গী বোন লাইনীঙ মনাৎ অমসুং মচৎকী মচাক-মরনশিংসি পুশিল্লক্কুনা থাখিবনা খৃঃ ৪২৮ গী অদুৱাইদদি মপান শাৎলকখি (চেং:খ: অমসুং ন:ম:স: ১৯৮৯, ১৯-২০) মসিদা পীবীরিবা ৱারোলদিঃ-

পারী করি ৱানো, শানৌ নচিন-ননাওবু খোইয়ুম মিৎয়েং তাংচুম্বনা চুমশুনো।... লমলেন মদাইমা, চেংলৈ অৱাংকোনবু নাতৈননা নয়ু ঙাংঙোই য়োইমোংবা শাথুপফম্বু ঙমলোন্ননা খোইয়ুম লাইগী পাৎ অরুবদা পারী নবিংঙাবু তুবী য়েকয়েংনা লাইরেন য়েক তৈনরু ও, ...ৱাংঙম খুঞ্জা তিন্না য়েকয়েংনববু মশাবী থাংয়ি নাওফং অহনবদি হান্না লাইজা ঈদা কুম্না লুপখিববু খোইয়ুম লাইনা য়াদবগী কোম্বে (কোম্বী) তুগুম্ববু মতু নিক, চরাং নমশাং য়াওন্‌গুম মশক মোৎলে। মশানৌ নাওফোংবদি তুবী ময়েক তিন্না লাইরেন ময়েক লায়ে।.... ॥ অদুনোংগীবু থাংয়ি নাওফং অহনবদি য়েকশোই-পাৎ, মশানৌ নাওফোংবদি য়েকলা-পাৎ-ও তৌনা কৌএ। (মথক্কীসিদা, ১৯-২০)॥

অসিনি। মথক্কী ৱাফমসি ৱাখন্দা থমদুনা মতমদুগী খুন্নাইদুগী লাইনীঙ-লীচত্তা মিৎয়েং থম্লবদি মতমসিদা নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা মহৌশাগী অমসুং/নৎত্রগা খুৎশেমগী লাইশিং (মহৌশাগী/তেংবানবগী শকউদবাময়াইশিংবু মৈতৈনা লাই কৌই) খুদম ওইনা, নোংশাবা অসিনি অমসুং মীগী ৱাখন্না শেম্বা/ওইহন্‌বা লাই(শিং), খুদম ওইনা সনামহী (লাই অশিবা নত্তবা) [Abstract/natural god(s) and artificial or human created god(s)] না লমকোনবা/পুবা নৎত্রগা লমদুদা/পোত্তুদা কাইদোংলিবা/লৈরিবা ৱাখন্না শাজিনবা ময়াই/লাই(শিং) গী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনসি উহল্লকখি অমসুং শন্দোকহল্লকখি। মসিনা মৈত্রবাক্কী চীঙ, পাৎ, তুরেন, উমং-ৱামং, লবুক-লমহাং, উপাল-ৱাপাল, মফম-মফম, লমতুপ-লমতুপনচিংবগী ওইবা লাই অমমম লৈ হায়না লীংখৎলকখি অমসুং হায়রিবসিদগী শমথরক্কুনা য়ুম, ফুঙ্গা, কৈ/কোৎ, থোঙ, থোঙ্গাল, অসিনচিংবসু ঙাকপা, শেনবা, পুবা অমসুং কোনবা লাই অমমম লৈ হায়বা ৱাখল্লোনসিদা পাকথোক-শন্দোক্লকখি।

মৈতৈদা লৈরিবা টিবেতমচাশিংগী বোন লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী নীঙনা-লাৎনা তস্ফম-শঙগী/মহৈ-লোইশঙগী ৱাখল, ৱাখল্লোন, ৱাউঙলোন অমসুং ৱাউঙ-ৱাখল্লোন [Philosophic religious thought] দগী মতৌ তমদুনা, পুদুনা, লৌদুনা, নৎত্রগা য়োকশিন্দুনা শাগোন্নরিবা মনাৎ/মচৎসি মৈতৈ লাইনীঙলোনগী মনুংদা লাইশিংদুগী মমিং-মথা থোন্দনা অমসুং খঙদনা চত্থরকখিবনি। অদুবু মমৈদা লাইদুনা লৈরুরিবা, তোংলুরিবা, তোংলুরি-কাংদোংলুরিবা মফম, চীঙ, পাৎ, তুরেল, উ-ৱা, অসিনচিংবগী মমিং লৌদুনা লাইদুগী মমিং থোন্নরকখিবনি, খুদম ওইনা, কৌব্রু, লাঙ্গোল নিংথৌ, ফৌওইবী, চেঙলৈমা, হিয়াঙথাং লাইরেম্মা, ঈকোপ-নিংথৌ, শম্বোঙ-নিংথৌ, তাম্বোংলৈমা, লেমথোংলৈমা, লোইয়ারাকপা, অসিনচিংবনি। হায়রিবা থৌদৌসি টিবেতসু চপ মান্ননা থোকখিবনি [E.F.(H.H.), 1956, 20-21]।

মৈতৈগী চৈথারোল কুম্বাবদা পল্লিবা কবো [Shans], মখোয়সি খ্বাইদগী ঈহান হান্না কুম্বারোন/ক্রোনিকলসিদা খৃঃ ১২৫০ গী অদুৱাইদা পল্লি (চৈ:কু: ১৯৮৯, ১৪) হায়বসি টাই মী কাংলুপ অচৌবগী চাদা-নাউদা ওইনা টাওয়িজম [TAOISM, the cult/religion founded on the basis of

the path of male and female generative forces by Lao-tzu or Master Lao] নৎত্রগা কনফুসিয়নিজ [CONFUCIANISM, the cult/ religion founded on the fundament/formulation of humanity and human labour toil by Kung-fu-tzu or Master Kung-fu] চৎপা মীওইশিংসিনা অৱাংথংবা বর্মা (Burma)/ম্যান্মার (Myanmar) গী লৈমায়দা লৈরবা মতমদা বৌদ্ধ ধর্ম্ম, ৭/৮ শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাদা লৌখি। মরম অসিনা খৃষ্ট কুমশীঙ চা ১২-১৩ গী মতমসিদা মখোয়গী টাই ওইবগী লাইনীঙলোন অমসুং লাইনীঙগী মচৎ, মনাৎ, লীচৎ-শাজৎ, লোনচৎ-লীক্রম্লচিংবদু বৌদ্ধিক স্বভাব অমসুং লাইনীঙলোনগী ফিজুমদা চুমথোক্লুনা তারকপা ঈরু [Filtrate] নৎত্রগা ফিজমদা পকহৌবা মখাক [Residue] অদুনি।

মথক্তা পঞ্জখিবা টিবেটান বোন লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনবু মৈত্রবাক্কী মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙ, এনিমিজম, স্পীরিট ৱোর্শিপনচিংবগী ফিজুমদা চুম্বদগী তারকপা মৈতৈগী অনৌবা লৈরম্বা অমসুং লৈরমদবা য়াইবী-থৱাইগী মমি নৎত্রগা মিতম-মিরাংপান [Image or shadow of shade of soul/vitality] লাৎপা-লাইনীঙ [Spirit worship creed] অসিনা মৈত্রবাক্তা ম্যান্মারদগী বৌদ্ধ ধর্ম্ম চঙলক্তনবগী পন ওইখি। অদুবু ব্রাম্মা/ম্যান্মা মশাগী লৈহাওদা হৌজরকপা, য়োকচরকপা অমসুং চাওরাকপা নাট লাৎপা লাইনীঙ [Nat Worship] অমসুং মৈতৈগী উমংলাই লাৎপা লাইনীঙ [Sylvan/wood or bower/grove god cult(s)] হায়বা লাইনীঙ লোনচৎ, মনাৎনচিংবা পুন্নমক/অয়াম্বা মানবা অনিসিদি টিবেটান লাইনীঙগী মনাৎ অমসুং মরমচৎনা মচৎকী ঈথিন-ঈনোৎ পীখিবনিনা, হায়বদি মহৌশা লাইরেম্বীগী ওইনা লৈরম্লবা লম-তু, পোৎলম-পোৎশক্লচিংবা অমসুং মীখুৎশেমগী পোৎলম-পোৎশকশিং পুন্নমক্তা মখোয়বু কোনবা, ঙাকপা, শেনবা লাই অমমম লৈ হায়বসিদা নাট অমসুং উমংলাইশিংসিগী মশীঙ য়াম্না লম কোনবা, চীঙ-পাৎ-তুরেলনচিংবগী মপু ওইবা, উ-ৱানচিংবদা কাইদোংফম ময়ুম ওইবা, অসিনচিংবসি য়াওবনিনা মীরৈবাক্কী লাইনীঙ লীচৎশিং, ব্রাম্মা/ম্যান্মারদা বৌদ্ধ ধর্ম্ম অমসুং মৈত্রবাক্তা হিন্দু ধর্ম্মনা লাইনীঙ-লীচৎকী অমসুং লাইনীঙলোনগী ফিরান পায়প্রবদসু খুন্নাই মচাশিংনা থাদোক-হুন্দোকপা ঙমদনা শাগোন্নরকখিবনি।

মচৎ-মতৌ মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈনা এনিমিজম লাইনীঙগী ৱাংমদা স্পিরিট ৱোর্শিপ য়াইবী/থৱাইগুম্বগী ময়াই [Soul-like energy, i.e, Spirit] লাৎপগী পরীংসিদা নুঙ-উনচিংবা লাৎপগী মনাত্তুদা টিবেটান বোনিজমগী অকনবা শাফু পীদুনা অমসুং অকক্ল-অখন্নবা মচাক-মরন পীশিল্লকপনা খা-নোংপোক-এসিয়াগী অতৈ মফমশিংদা তৌবগুম্না ফৌওইবী লাইরেম্মা [The goddess who becomes the paddy by herself or the presiding goddess of paddy/cereal, crops, corns, etc.] লাৎপগী লাইনীঙসি লীংখৎলকখি। হায়রিবা লাইনীঙসিদগী শন্দোক্লরকপনা ১) হৈরৈমা [Goddess of fruits], ২) চেঙলৈমা [Goddess of rice], ৩) ঙারৈমা [Goddess of fish], ৪) থুমলৈমা [Goddess of salt], ৫) কোনলৈমা [Goddess of metal], অসিনচিংবা লাইরেম্মশিং হৌদোক্লকখি। হায়রিবা অসিগুম হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোন্দা চীঙ-নিংথৌ, পর্ব্বত রাজগী মচানুপী পর্ব্বতী/পার্ব্বতী [Consort of Kailashnath (Lord of Kailash Mountain) Shiva], সমুদ্র নিংথৌগী মচানুপী [লক্ষ্মী/শ্রী (Consort of Ksheerodashai (Lord of milky sea/ocean) Bhagavan (Bestower of the fulfilment/satisfaction of devotee/aspirant) Vishnu], অসিনচিংবা হান্ননা পুথোকখিবগী ৱারী-ৱাখোঙ্ লৈ। মৈতৈশিংনা ফৌওইবী লাইরেম্মনা ময়োৎ/মচৈ ওইরগা অচা-অথক্বী, মহৈ-মরোং, মচাক-মথুম পীরিবা লাইরেম্বীশিং, চহি কুমদুবু পুরিবা লাই [Presiding deity of the year] দা, কুমদুগী মমাঙগী কুম পুরম্বা লাই অমসুং কুমদুগী কুমদল্লিবা লাই [Annual presiding deity of summery seasonal monsoon], মখোয়সিবু চহি খুদিংগী ওইনা মহৈ-মরোং মরাং কায়ননবা মতীন-মকাং কন্দনবা [Not having the frequent/severe attack of insects], কুমথী-কুমগাংদনবা [Not to occur/visit/haunt of drought] অমসুং ঈচাও-ঈথুম থোক্তনবা ঈরাৎ থৌনী তৌরম্মী। লাইরেম্বীশিংসি ঈরাৎ-থৌনীবগী মতমগা কুম-পুবা লাইশিং অমসুং কুমদল্লিবা লাইশিংবু ঈরাৎ থৌনিগী মতমগা মান্নদে। মণিপুর ইতিহাসকী ময়ায় ওইবা মতমগী তাঙ্কক্তা কুম-পুবা লাইশিংবু ঈরাৎ-থৌনীবগী থৌরমসি হিয়াঙ্গৈ থা [Nov-Dec] দা তৌই অমসুং থৌরমদুবু হিয়াঙ্গৈ কুম-লাৎপা/শাবা অমসুং থৌরমসি

হি তোংদুনা হিথক্তা ঈরাৎ-থৌনী তৌই হায়দুনা হিয়াঙ্গৈ হিদোংবসু কৌই (চৈ:কু: ১৯৮৯, ২১, ২২, ২৪, ২৫, ২৮, অসিনচিংবা) হায়রিবা লাই নুপা নুপীশিং অসিবু ঈরাৎ-থৌনীরিবসি অফবা লাই স্পিরিটশিংবু লাইনীঙলোনগী পুক্নীঙ তিংনা ঈরাৎ-থৌনিবদুগী পরীং-পরমদা তৌবনি।

মথক্কী হায়রিবা চীঙ, পাৎ, তুরেন্নচিংবা মহৌশা লাইরেম্বীগী থৱাই-পান্দ্রবা মচাশিং অসিদা অচঙ-অহিংবগী ওইবা য়াইবী মিরাংপান [সিপিরিট (Spirit)] অমমম লৈ হায়না লৌনরিবা বোনিজমগী মচৎ/মনাৎসিগুম হিন্দু জগৎকী বৈষ্ণব ধর্ম্মদা নত্তনা শৈব, শাক্তনচিংবদসু হায়রিবা থাজনবীসি অদুম্মক লৈ। খুদম ওইনা, মালেমসি চীঙগী নিংথৌ হিমালয়গী মচানুপী পার্ব্বতি/হিমাবতি (হেমাবতি) না শিব মহাদেবগী শিবা/তাল্লোই ওইরি। গঙ্গা, যমুনা, সরস্বতিনচিংবা তুরেনশিংসু লাই-নুপী/লাইরেম্মা অমমম ওইনা লেপ্লি অমসুং গঙ্গাসু পার্ব্বতিগুম (পার্ব্বতিগীলোন্নবী) শিব ভগবানগী শিবা/তাল্লোইনি। মৈতৈনা উপান-ৱাপান/পাম্বী-শীঙবীশিংদা অচৎ-অপাইবদা লৈবা য়াইবীগী মঙম লৈবা অচঙ-অহিংবগী মশক পুবা [Vital identity afforded by the capability] লাইরেম্বী অমমম লৈহনবা/তোংহনবসিগুম বৈষ্ণব হিন্দু ধর্ম্ম শাখাগী সমপ্রাদায় [Sect] শিংগী মনুংদসু লৈ হায়বসি মথক্তসু পঞ্জখ্রবা তুলশী পাম্বী [Holy basin (Ocimum sanctum, fam, Labiatae)] নি। বৈষ্ণবশিংনা তুলশী মশামকসিবু অথোইবা লাইরেম্বী শ্রীবিষ্ণু ভগবানগী তৎন-থানবা লৈত্রবী খোয়দারোই ওইবসিগী ৱারী-শীঙবুন মরীক চুম্না শাগত্তুনা লৈ। ৱারীসিগী মতুংইন্না পীরিবদিঃ-

তুলশী, অসুরশিংগী কন-থৌরবা নিংথৌরোন শঙ্খাসুরগী পুন্যচেল্লবী, সাতিত্ব ধর্ম্ম [Characteristic creed of chastity/chasteness] না লৈতেংলবী ‟বৃন্দা” গী মহুৎ শিনবীনি। বৃন্দাগী সতিত্বগী মপাঙ্গলনা শঙ্খাসুরবু লাই অমসুং হিংচাবনচিংবগী মরক্তগী কনানসু মায়থিবা পীবা নৎত্রগা লাকচাবা ঙম্লমদে। হিংচাবশিংনা লাইশিংদগী স্বর্গ মুন্দুনা লৌখ্রবদা লাইশিংনা মখোয়না হায়জবদগী শ্রীবষ্ণু ভগবান্না হিংচাবা নিংথৌরেন শঙ্খাসুরবু হাৎননবগীদমক্তা শঙ্খাসুরনা লাই-হিংচবগী লানফমদা চৎখ্রিঙৈদা শ্রীবষ্ণুনা শঙ্খাসুর মশামক শাদুনা (মূর্ত্তি/রূপ লৌদুনা) লাক্লগা বৃন্দাবু ফমুংদা পুশিন্দুনা মহাক্কী সতিত্ব ধর্ম্ম

থুগায়বীখি। মহাক্কী সতিত্ব কায়বা মিকুপসিদা অসুরাধিপতি শঙ্খাসুরবু লানফমদা লাইশীংনা হাৎখি। অশেংবা লুহোংবগী লীপুন থমদনা মিকুপ অমগীদমক/ খরগীদমক্তা মপুন্সি মাঙহনবিখিবী বৃন্দা শ্রীবিষ্ণুগী অথোইবী খোয়দারোই ওইখি অমসুং মহাক্কী মহুৎ শিনবী তুলশী পাম্বীগী মখোঙদা শ্রীবিষ্ণুনা ওইবা নুঙ, শালগ্রাম বিষ্ণু চক্রনা মতম চুপ্পগী শঙ্দুনা লৈখি। সতিত্ব চেৎলবী বৃন্দা দেবী লুহোংদুনা মপুরোইবা ওইখিবা শঙ্খাসুরনা মোইবুং/শঙ্খ [(দক্ষিনবর্ত্ত শঙ্খ (Clockwisely spiralling conch/conch-shell)[ওনখি।

অসিনি। মথক্কী ৱারীসিদগী ৱাখুন-ৱাখোঙ লৌরগা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্ম শাখাগী সম্প্রদায় খুদিংমক্কী শ্রীবিষ্ণু অমসুং/নৎত্রগা শ্রীবিষ্ণুগী মহুৎ শিনবা লাইগী, মূর্ত্তি, পোৎনচিংবগী পূজা তৌবদা বৃন্দাগী মহুৎ শিনবা তুলশী/পত্র/মনা, কান্ত (অকংবা মশা), অসিনচিংবা অমসুং শঙ্খাসুরগী মহুৎ শিনবা শঙ্খ/মোইবুং অনিসি য়াওদবা য়াদে, য়াওনরি। অদুগা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মনাৎ ইনবা [Hindu Vaishnavite Culturalist] শিংনা শ্রীবিষ্ণু অমসুং বৃন্দাবু লুহোং-খোঙদোংবীবগী থৌরমসি মখোয়গী মহুৎ শিনবা পোৎশকশিং শালগ্রাম [Stone/pebble] অমসুং তুলশী পাম্বী [Plant (of holy basin] অনিসিদা পাংথোক্কুনা চহিগী হরাও-কুম্মৈ অমা ওইনা চৎখে [D.D.K., 1971, 116]। মপানগী থৌদৌদুদমক উবা মনুংগী থৌরমগী মশক্তি খঙজদবা অপঙবা/পঙশিন্নবা ব্রিটোন [Briton] শিংনা পাম্বী অমসুং নুঙ/নুঙমচাদা লৈবা স্পিরিট অনিগী লুহোংবসিবু ‘প্লান্ট এণ্ড পেব্বল মেরিয়েজ’’ [Plant and pebble marriage] হায়না থোল্লি।

মৈতৈগী লাইনীঙ-মনাৎসিগী য়ুম্ফমঃ-

মৈতৈনা স্পিরিট ৱোর্শিপতা থাজরিবসিগী মচি-মচং অমসুং ময়োন-মমুৎ ওইরিবা তুখুন-খোংলম অমসুং ৱাখল/ৱাখল্লোনগী পরীংসি মী-মকোক লুরেন-তানবা [Head-hunting] গী ফিদম অমসুং ফিদমলোনগী ৱাউঙ অমদি ৱাউঙলোনগী খুন্নাই-খ্বাইগী ওইনা চৎন-লৈনরিবা লাইনীঙলোনগী পাদম অমসুং ৱাখল্লোনগী ৱাখল-ৱাখোঙদা য়ুম্ফম ওইদুনা কাইদোংবগুম উজে। হায়রিবা নমু মীকোক-লাললু তানবা হায়বসিগী মতোং-মহাউ ওইরিবা ৱাখল্লোনদি য়াইবী থৱাইদি শি’নাইদবা Unfading/immortality of soul] অমসুং মীওইবগী লূ-তোংগী হকচাংসিনা কোরৌ নোংমদোনগী নৎত্রগা নোংনাং/নুংনাং-

কাউখঙকোনগী শমু হকচাং [Astral body] অমদা মী মশামক অদুগী শারেপ/শক্তমদা লাংওন-শকওনখিবা [Transformation/conversion] গী য়ুমলেপ-য়ুম্ফমসিদা কাইদোংবনি। হায়রিবা লাললু-লুরেন তানবসিগী লাইনীঙ-মনাৎ-মচৎকী লীচিংনা কনাগুম্বা মী নৎত্রগা করিগুম্বা শা অমবু লৈপাক্কুগী/খুন্নাইদুগী/লমদমদুগী লৈঙাক-খুনঙাক্কী ৱায়েল-ৱাখুনগী মায়য়োক্তা নৎত্রগা খুন্নাই-লাইনীঙলোনগী/লাইনীঙ পুরিবা লাইয়িংথৌ শিদবদুগী মায়য়োক্তা লঙজবা [Crime against the State/society or/and sin against the god/Almighty] অমত্তা থোক্তনবা /থোক্তবা/ওইদবা/তৌদবগী অয়াবনা পীরবসু অমসুং অসুম্না হাৎলবা মীদুগী অশিবা হকচাং/মশা নৎত্রগা মঙক কক্লবা মকোক অদুনা লুরেন-তাল্লিবা মী মহাক অদুনা শিরবদা মহাক্কী অশিবা মশাগী/হকচাংগী হেক মখামক্তদা থল্লবদি, হাৎপীদুনা অশিবা নংলবা/ফংলবা মী অদুগী মথৱাইনা মী অদুমক অদুম ওইনা মাবু হাৎলিবা মী অদুনা শিরবদা অহাৎপা মীদুগী মথৱাইদুনা মহাক মশামক ওইনা অশিবগী লৈপাক [Netherworld or the land of death] তা চৎপা অমসুং লৈরুবা মতমদা মীনাই ওইনা থৌগল তৌই অমসুং লোইনৈ, হায়না থাজবা থল্লিবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনসিনা সিপিরিট ৱোর্শিপকী কল্ট অসিবুচেৎশিনহনবগা লোইননা য়োকখৎলি (মখাদসু লাকখিগনি)।

স্পিরিট ৱোর্শিপ কল্ট অসিগী থৱাইবু নৎত্রগা য়াইবী-মিরাংপানবু থাজবসিগী মখাদা মৈতৈশিংনা তোয়না লানচাক-থাকপা [To pay/give food to the killed/murdered victim by the head-hunter/Killer (murderer)], লাকথা/নাকথা লনমিং থাবা, য়েনবং হিরোই চনবা [To enter/write/account the name of the latest victim into the list of the killed/murdered persons or animals in the line/course of head-hunting by the aspirant killer/murderer/head-hunter with the celebration/observance or rite and ritual of enrolling the soul/spirit of the victim who had been killed/murdered with offering and giving/paying cooked rice, curries, floral buds, fruits, faunal food, etc. by worshipping the presiding deity/god of the left side frontal room/veranda of the house of the head-hunting aspirant for accompanying and serving him or his soul/spirit in the land of dead after

his dead] (ব:ক:শ; ১৯৯৮, ২৫-৩৩) অসিনচিংবা লাইথৌ থৌরমশিং পাংথোক্লরম্মী।

(৫) চাগোক-কাংথং-শীন্ননবা লাইনীঙ [The fertility cult]

চাগোক-কাংথং শীন্ননবা লাইনীঙ [Fertility cult] হায়বা লাইনীঙ-লীচৎ/মনাৎ অসি মালেমসিগী ওইনা লৈখিবা অমসুং লৈরিবা খুনুং-খুঙ্গং-খুন্নাইশিং অমসুং খুনুং মী-কাংলুপশিং [Primitive communities and tribes] অয়াম্বগী মরক্তা লৈরম্বা/চৎনরম্বা অমসুং ঙাক্লরি-চৎনরিবা ওইনা উবা ফংজে। হায়রিবা লাইনীঙলোন অমসুং লাইনীঙসি থাক ৱাংলবা বৈদিক হিন্দু [Vedic Hindu] শিং, বৈষ্ণব হিন্দু লাইনীঙ/ধর্ম্ম শাখা [Branch] কী লাংজে ময়োৎ ওইরিবা দেবতা/লাই শ্রীবিষ্ণু নীঙবা লাৎপা ফাওবনা ইল্লম্মী। মসি, ঋগ বৈদিক আর্য্যদগী হৌরক্লুনা যজ্ঞ [Jajna (Sacrifice)] তৌদুনা চাগোক্লবা, মচা পোকহনবীনবা অমসুং মচা ধার পানহনবীনবগী থৌরাংসি লৌখৎনৈ। ঋগ বৈদিক যুগ [Rig vedic age] কী মতমদা চৎলম্লিবা যজ্ঞগী মচৎনদিঃ-

There were two types of sacrifices = (1) Sacrifice of the simplest type of (offering of milk, grain, ghee or flesh thrown into the fire by the householder himself) ...(2) Grand sacrifice, especially in connection with the soma cult, relating to Indra. Animal sacrifice were also performed as indicated by the APRI-SUKTAs and horse sacrifice (Asvamedha) was undoubtedly performed... [B.N.L., 1988-89, 96]... The single fire of domestic hearth was the altar at which offerings were presented to gods with prayers. These were morning and evening offerings, the New and Full moon sacrifice and four monthly or seasonal sacrifices. [B.N.L., 1988-89, 118].

In the later vedic age, sacrifice became all important thing in worship. A regular science of sacrifice was evolved and the Samveda and Yajurveda Samhita were compiled for the use of sacrifices: (Ibid, 118).

অসিশিংসিনি। আর্য্যশিংনা/হিন্দুশিংনা ফর্টলিটী কল্ট অসিগী ওইনা চাবোক্লবা নৎত্রগা মচা ফংননবা যজ্ঞ তৌদুনা নুপীদা চাবোক মরু হুন্নবগী থৌরাংদা মশাদা

ময়াই কাহন্নবা, ঈরাং হৌহন্নবা অমসুং ঈখৌ-লাংহন্নবগী মতীক পীবা যজ্ঞগী চরু ([An oblation of rice, barely and pulse boiled for presentation to the gods and the manes (V.S.A., 1993, 204]) পীবীনবা নীজে। মদু যজ্ঞ তৌরিবা নুপাদুগী তাল্লোইদা পীজে অমসুং নুপীদুনা মদু চারগা মচা ফংজে। অদুনদি চরু হায়বসি চাগোক কাথং শিন্ননবা লাইনীঙসিগী ওইবা আর্য্যশিংগী পোৎলম অমনি। মসিনা তৌরিবসি হায়বা তারবদিঃ-

CHARU, and oblation, made by boling rice, barely and pulse for offering to the gods was a fertilizing reagent to be given to the woman (women) by collecting after sacrifice to be eaten by her/them to arise strong sexual interest, desire/aspiration, erotic sense and coputaling/mating enthusiasm to fertilise her ovum/ova with the sperm(s)/ spermatozon (zoa) of her/their husband(s) so as to become pregnant or to conceive a fertlized embryo after having a sweet love-making (sexual intercouse) with her/their husband(s) for their aspiration of child.

অসিনি। মসিদসু নত্তনা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মদা মখল-মখা অয়াম্বা চাগোক কাংথং শীন্ননবা লাইনীঙগী পান্বৈশিং-মখোয়শিংদু অইবা খুৎয়ি লাইরিকশিং ওইনা কাম শাস্ত্র, কাম সুত্র, কোক শাস্ত্রনচিংবা থোন্দুনা লৈরম্বদগী খরমখে অনম-অফোংবা লাইরিক ওইনা ফংলবশিংদা য়াওরি, নৈনরি অমসুং শীঙথারি।

চাগোক-কাংথং শীন্ননবগী লাইনীঙসি মৈতৈ জাতিসিনা মীশিঙ য়াম্লক্তবা মী কাংলূপ ওইরকপনিনা খ্বাইদগী হেন্না মাঙজীন থানা মরু ওইরিবা অমসুং হৈনবা লাইনীঙলোন ওইরবা মখলনি। মরমদি কা হেন্না মীশীঙ য়ামদ্রবা মৈতৈশিংনা মরৈপাক্তা মপান লৈপাক্কী মীশীঙ য়াম্বা কবো [Shan (মখোয়না খ্বাইদগী ঈহান হান্না লান্দারকখিবসি খৃঃ ১২৭০ গী মমাঙ/মতুংগী চহি ৫/৫ গী মতমদনি। চৈ:কু: ১৯৮৯, ১৪)], ময়াং [Dimasa/Kachhari (মখোয়না খ্বাইদগী ঈহান হান্না লান্দারকখিবসি খৃঃ ১৩৩০ গী মমাঙ/মতুংগী চহি ৩/৩ গী মতমদনি। (মথক্কীসিদা, ১৬)], অসিনচিংবনা লান্দারকপদা মরৈবাক ঙাকপগী মায়য়োক য়াদুনা লেপ্পা ঙম্লনবা মীশীঙ য়াম্বা অমসুং/নৎত্রগা য়াম্লবগী মথৌ লৈবন/ তারকপনি। অসিদসু নত্তনা মখোয়না লান্দারকখিবগী লমন খুম্লবা নৎত্রগা

লানখোম, লোইপোৎনচিংবা ফংনবা লন-থুম তানবগী লম্বীদা নৎত্রগা লমখৈ শন্দোক্লবগী/পাকথোক-চাউথোকহন্নবগী লমদাংদা মীরৈপাক লমদমশিং-কবো তম্পাক্তা (মসিদা অহানবা লান্দাখিবসি খৃঃ ১৪৪৩ দনি (মথক্কীসিদা, ১৯), অৱা লৈপাক্তা [অহানবা ওইনা খৃঃ ১৪৬২ দা লানদাখি (মথক্কীসিদা, ২৭)], তখেন্দা [অহানবা ওইনা খৃঃ ১৪৩৩ দা লান্দাখি (মথক্কীসিদা, ২৪)], অসিনচিংবদা লানদানবগী থৌশীন-থৌরাংদসু মেন পাৱার (Man power) অমসুং মিলিটরি ফোর্স [Military force] তা মীশীঙ য়াম্বগী দরকার লৈবশিংসিদগীনি।

মৈতৈনা অমসুং অতৈ খুনুং-খুন্নাইশিংনা ফর্টালিটী কল্টপু মরু ওইবা লাইনীঙ অমা ওইনা মশাগী লাইনীঙলোন অমা লৈনা-লৈনমক চৎনরি-ইন্নরিবসি চাবোক-কাংথং শিন্নবা অমসুং মীশীঙ হেনগৎহন্নবা/য়ামখৎহন্নবা অসিখক্তগী নত্তে, চাগোক (চাবোক নত্তবা) কাংথং-শিনবা হায়বদি অতৈ থৱাই পানবশিং, মচা কোকপা শা-ষণ, মরুম কোকপা উচেক-ৱায়া, ঙা, ঈশিংগী তীন-কাং, পাম্বী-শীঙবীনচিংবা নোংথক-উথক্তা লৈবা, মালেম লৈরোন্নুং, লৈকং-কংফান্দা ওঙবা, মালেম-ঈরোন্নুং-ঈমায়থক্তা ময়ুম ওইবা অমসুং অহুমকসিদা নৎত্রগা অহুমসিগী মনুংদা অনিদা লৈবা-হিংবা ঙস্বশিংসু মশীঙ হেনগৎহন্নবগী ৱাফমসু য়াওরিবনি। হায়রিবা ফর্টালিটী কল্টসিগী পান্দমশিংদা মৈতৈনা মখোয়গী ওইনা লাইনীঙসিগী লাই-তীনশিংবু ঈরাৎ-থৌনী তৌবগী থন্নিবশিংদিঃ-

(১) **মৈতৈ জাতিসিগী**- (i) মীশীঙ হেনগৎহনবা, (ii) মখোয়গী খুন্দা-লৈতাফম চাওথোকহনবা অমসুং খুঙ্গং-খুন, খুননৌ-খুনখু অমসুং খুঞ্জাও-খুনবীগী মশীঙ হেনগৎহনবগা লোইননা খুঙ্গং-খুন্নাই [Communal community], খুঙ্গং-খুঞ্জা/খুন্নাই-খুঞ্জা মশীঙ য়ামখৎহনবা অমসুং (iii) মখোয়গী খুঙ্গংগী, অপুন' খুঙ্গংগী লৈয়াৎকী; পানা লৈয়াৎকী অমসুং অপুনবা লৈপাক্কী ঙমখৈ, মাগী মাগী থাক্কী লমদা চাওথোক-পাকথোকহন্দুনা অমসুং শাংদোক-শন্দোকহন্দুনা অপূনবা লৈপাক্কী লমকনগী লমখৈবু শন্দোক-হেন্দোকহনবনি। মসিবু মৈতৈনা শৈথাবদা "খুঞ্জাও-লৈচাওবা" হায়না হায়।

(২) **মৈতৈগী ওইনা** - (i) মীনা হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং (ইতিহাসকী মতম তাংকক-তাংকক্তুগী ওইনা) মরাং কায়না ফংহন্নবা,

(ii) অকক্লবা চীঞ্জাক্কী পোৎলম ওইবা মখল-মথেলশিং হোঙনা-চাওনা লৈহনবা (iii) অখন্ন-অপান্ননা ফৌ/চেঙ/চাক অমসুং ঙাগী পোৎশকশিংসি হেক্তমক খুৎনা লামথোকখিবদা ফংগদবগী মরাং-কায়বগী মথক্তা মমল হোঙনা ফংহনবা। মখোয়সিবু মৈতৈনা হায়ন-শক্লবদা "চাকহোঙ-ঙাহোঙবা" হায়না হায়নৈ। (iv) মথক্কী চাকহোঙ-ঙাহোঙবসি ফংহনবিনবগীদমক্তা (a) কুমগী লৌরোক মহৈ-মরোং, লোইমোম [ফৌ (Paddy)] ফৌপোৎ য়াম্না কৈকানবা [To store in barn/godown sufficiently], লোইমোম ফৌওইবী লাইরেম্মবু তেকপী ওক-অমুবা [Black pig/hog] নৎত্রগা কাইরৈ য়েন অমুবী [Domestic black cock/hen] না কোরাৎ [Sacrifice of quadruped cattle/ animal] নৎত্রগা মোরাৎ (sacrifice of fowl/bird & egg) তৌদুনা থৌনিগনি, (b) কুমদল্লিবা লাই [(কৌবা/কৌবরেন/কৌব্রু, কৌনু (কৌব্রুগী তাল্লোই), থাংজিং, ৱাংব্রেন, লোইয়ারাকপা, (কৌব্রুগী মমাক নৎত্রগা মারজীংগী মচা) অসিনচিংবা)] বু অফবা ঈশিং-নোংশিৎ, লৌরোক ফগদবা নোংজু-নোংশা অমসুং মনুং-মতম চানা নোংজুনবা থৌনীগনি, (c) হৌখিবা কুম অমসুং চঙলক্লিবা/চৎলিবা কুম পুবা লাই অনিবু- (ক) মকুম-মথা ফবা, (খ) নোংশিৎ নোংহুম কন্দবা, (গ) য়ুহা হাদবা, (ঘ) ঈকং/কুমকাং-কুমনীক থোক্তবা, (ঙ) ঈচাও-ঈথুম লাক্তবা, (চ) মীগী লাইচৎ লাক্তবা, (ছ) য়ুমশা মরাই তাদবা অমসুং (জ) মতীন-মকাং কন্দবা [Haunt/raid of insects and worms on the cultivating fields and domesticated vegetable gardens] নীজদুনা কমলাৎ-কুমশাগদবনি। মখোয়সিনা মহৌশাগী উপদ্রপশিং [Natural calamities] অমসুং মীওইবনা খঙঙমদ্রবা অমসুং তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রবা মওং-মতৌগী খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোক্কনি অমসুং কনগনি হায়বসি চেৎনা পুক্নীঙদা কিশি কিদুনা থম্মী।

(৩) মৈতৈনা মখোয়গী অপুনবা খুন্নাইগী মীকোক-মীশীঙগী শেৎন-ইন্নবা, চান-থক্লবা, তুম্না-হীপ্পবা, লৈন-ওঙনবা, চৎন-পোইনবা, অসিনচিংবগী মী অমনা অয়ুক ফমুংদগী হৌগৎলকপদগী নুমিদাংগী অমুক ফমুং চঙবগী মতম ফাওবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম-পোৎশক পুন্নমকপু মখোয়গী মরৈপাক-মরমদমগী লৌবুক-লমহাং, চীঙ-পাৎ, তুরেন-খোংলেন, চীঙগী খোং অমসুং তমগী খোং, উমং-ৱামংনচিংবদগী লৌ-উদুনা/উদনা থোক্লকপা উপাল-ৱাপাল, পাম্বী-

শীঙবী, নাপী-নারাং অমসুং মনা-মশীংদগী থোক্লক-ফংলকপা পোৎলম-পোৎশকশিং অমসুং য়ুমদা য়োকপা-লোইবা য়ুমশাশিংগী পোত্থোকশিং অমদি উমং-ৱামং, চীঙ-মান, হাপুঙ-মোংশোংনচিংবদা লৈরি-ফংলিবা লমগী-লমশাশিং, পাৎ-তুরেন, কোমপুৎ-লৈপুৎ, তৃ-খোংনচিংবদগী ফংবা ঙানচিংবগী পোত্থোকশিং অসিগা লোইননা মখোয় মশাগী শৃজ-নোমজমন, হুমাংমন-পাঙ্গলমন অমসুং ৱাজমন-খুৎশুমনগী পোত্থোকশিংগনা শীজিন্নবা ৱাত্ত-পাদনা/হেন্দ-পুত্থদনা চাগা-চাদিং চপ মান্ননা থম্লনবগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন থমজে। হায়রিবশিংসিদি মহৌশা লাইরেন্বীগী পুকৈ অমসুং পোত্থোক-চৈথোক্কী মখা পোনবনা লাই থাজজবা মৈতৈনা হেন্না থোকহন্নবগীদমক্তা লৈহাউ কাহন্নবগী অমসুং পোত্থোক হেনগৎহন্নবগী ফর্টালিটী কল্ট অমসুং মখোয়গী লাইনীঙগী লাইশিংগী মফমদা থাজবা অমসুং পীবী-চানবীরক্কনি হায়বগী আশা তৌজৈ/থমজে।

মৈতৈশিংসি অচোৎপা ফৌগী লৌবুক [Wet paddy field] তা লৌউবা লৈপাক্তা লৈবা মীশিংনি অমসুং ফৌ-পাম্বীবু লৌউ-শীঙউবা লমগী/শীনফমগী মীশিংগী খুন্নাই [Agrarians' society of paddy cultivators or cultivation] গী অরৈবা/খুন্দারিবা-খুজিং [Inhabitant-unit] নি। অদুগা মখোয়সি পাম্বীমচাগী মনা-মশীংনা মরুওইবা মচীঞ্জাক ওইনা হিংবদা ঙা চাবা [Vegetarian fish-eater] অমসুং শা-ঙানা মরু ওইবা মচীঞ্জাক ওইনা চাদবদা অহিংবা/অতেকপা মনা-মশীং চাবা [Non-vegetarian of raw vegetable-eater] গী মচীঞ্জাক চাবগী হৈনবী/চৎনবী নৎত্রগা মশাগী মহৌশা ওইবা মচৎ লৈবা [Food habit] মী কাংলুপ অমনি। মখোয়না খ্বাইদগী হেন্না পামজবা/খোয়দাজবা অমসুং হাউনা চাজবা অচম্বা চাক চাক্লুক/পুখম অমগী মথেনসি অথোংবা চাক অমসুং শিঙ/মোরোক থাক্তুনা মিৎশিঙ-নাশিঙহল্লবা ঙা থোংবগী তেঙ্গোৎ-অমগনি [Their most choiced and delighted items of a humble fish-eater Manipuri are the boiled rice and fish flavoured with the acridity of ginger/chilli [red pepper or long chilli (capsicum frutesceros, linn, syn, fam, solanaceae)]। মরম অসিনা মখোয়না মখোয়গী ফর্টালিটী কল্টকী লাইশিং অসিদগী হেন্দোক্তুনা লৈরিবা মখোয়গী লাই পুন্নমক্তা/খুদিংমক্তা চাকহোঙ-

ঙাহোঙবা পীনবীয়ু হায়না চাক/চেঙ/ফৌ অমসুং ঙা হোঙনা-চাওনা (Abundance) ফংনবা নীরিবসিনি। অদুগা য়ুহারাবগী/য়ুহাহাবগী তেল্লবা মতম, মিকুপ খরগী তাঞ্জা অদু ফাওবদা নেম্না, নোঙ্লুকপগী খোঞ্জেন্দা/খোন্থাং "চাক-ঙা, চাক-ঙা নৎত্রগা ঙা-চাক, ঙা-চাক" হায়না হন্না হন্না শোন্দুনা লৈ অমসুং নীজৈ। মসিগী মরমদা হকথেংননা থেংনদুনা থম্নীরম্বা ৱারোল অমদিঃ-

> ...On the occurence of an earthquake, an universal shout of "nga-chak", "fish and rice", "fish and rice" is raised, form a notion that it has an effect of their food, and as a prayer appearently that the supply or fish and rice be not diminished [W.M., 1981, 3].

অসিনি। ৱাফমসিদসু চীঞ্জাক্কী পোখোক হন্থহন্দনবগী ৱারম অদুম পন্দুনা ঙীবীরক্লিবসিনি। মসিসু খন্ন-নৈনরিবা লাইনীংসিগী মচাক অদুম ওইজরি।

মথক্তসু খরদি পঞ্জখ্রে, অদুবু হেন্না ময়েক শেংননবগীদমক্তা খর মকা লাম্না অমুক ৱাফম খরসিসু থমজরি। মৈতৈশিংনা খৃঃ ১৫১০ গী মমাঙ অদুৱাইদগী মখোয়গী নুমিৎ-থাগী খোঙচৎকী কুম্মারোনগী থা [Lunisolar month] হিয়াঙ্গৈগী মনুংসিদা অফবা নুমিৎ অমদা হৌখ্র-লোয়খ্রবা চহি/কুম অমসুং চঙলক্লিবা/চৎলিবা চহি/কুম্মু পুরিবা লাইশিং [presiding deities] বু ফর্টালিটী কল্ট অসিগীদমক্তা ঈরাৎ-থৌনী পাংথোক্লম্মী। লাইথৌ থৌরমসি মৈতৈ নিংথৌনা হিথক্তা তোংদুনা ঈশিং ময়ায়দা ঈরাৎ-থৌনী তৌরম্মী। মরম অসিনা লাইথৌসি, অয়াঙ লমলোইবা [To worship different deities of the kingdom by venturing on boat/board to the various and different shrines at different quarters and corners by the state machineries/funcionaries of brave characters and characteristics who dived and swam into the water in the vicinities of the shrines for/with the worship of the divinities] হায়বসিদগী হৌরকপা নৎত্রগা হায়বসিনা হৌখিবা মাল্লি। অদুগা হিয়াঙ্গৈদা পাংথোক্লিবা ফর্টালিটী কল্টকী লাইথৌ থৌরমসি "হিয়াঙ্গৈ কুমশাবা (চৈ:কু: ১৯৮৯, ২৫), "হিয়াঙ্গৈ কুমলাৎপা" (কুম: অরি: খু:) "হিয়াঙ্গৈ হিদোংবা (চৈ:কু: ১৯৮৯, ২১) অমসুং "হিয়াঙ্গৈ কুমজনবা (কুম: অরি: খু:) হায়দুনা মথং মথং লাকখিবা মাল্লি।

লাইনীঙসিগী মখাদা খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা ওইনা লৌনরিবসি ফৌওইবী লাৎপা [To pay homage to the goddess who turned into the paddy, other cereal corns, crops, etc. as being the presiding deity of these (ফ:ৱা:খ:)] গী লাইথৌসিনি। হায়রিবা লাইথৌসি লৌ তাবদা [At the commencement of tilling of land in April], লৌয়েবদা/লৌরোকপদা [By the time of thrashing the paddy/grains in January] অমসুং কৈ-কাবদা [By the time of storage in godown] পাঙথোকই অমসুং ফৌ-গৌবা (To evoke/ invoke the goddess of paddy to multiply/increase the paddy)] হায়নসু খঙনরে, অদুবু ফৌগৌবগী চপ চাবা ৱাহন্দোক্তি-

ফৌগৌবা (Phaugauba), n. লৌপুক্তগী ফৌ হুখিবনচিংবদা দোষ কোক্লবা লাই খুরুম্বা: a worship on the occasion of one's paddy is stolen from the paddy field, etc. (N.K.S., 1964, 375].

অসিনি। অসুম্না ফর্টালিটী কল্টসিদা ফৌওইবী লাৎপগী লাইথৌ-থৌরমসি মৈতৈগী ওইনদি লাইনীঙ অসিগা থাদোক্লবা য়াদবা ওইনা লৈ।

চাগোক কাংথং শীন্নবা-লাইনীঙসিগী অথোইবা মচাক ওইবা থৌরম অমসু লৈরি। মসি খ্বাইনা খঙনরবা মৈতৈগী উমংলাই/লাই হরাওবা, মমাঙঙৈদা য়াম্না তাঙনা পাঙথোক্লরম্বা (চৈ:কু: ১৯৮৯, ১৯৪, ২৪৪ অসিনচিংবা) হরাউ-কুম্মে থৌ ওইনা চত্থরকখিবসিনি। মৈতৈগী লাই-হরাউবসি মৈতৈগী নুমিৎ-থা খোঙচৎ কুম্বারোনগী কালেন [May-June] অমসুং/নৎত্রেগা ঈঙা [June-July] থা অনিসিদা অশাও/অশা-পাছা/থা [Summer] অমসুং ৱাকচীঙ [Jan-Feb] থাদা নিংথম পাছা (নীংথম-থা) [Winter] হরাউবা হায়না চৎনরকখি। অদুবু খৃ: ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ তা বৃটিশনা মণিপুর লৌখিদুনা পানখ্রবদা চহিসিদগী মুথত্তুনা থিংজিন্দুনা থমখি। অদুবু হায়রিবা লাইথৌ-হরাউ কুম্মেথৌসি খৃঃ ১৮৯৮ গী এপ্রিল ২৭ দা অমুক হিঙ্গৎহন্দুনা চৎনহনখি। হায়জরিবা ৱাফমসিগী ৱাপাংদিঃ-

...সেকমাই লবঙ্গগী কুমশক ১৮২০... কালেন থা... ৬নি য়ুমশকৈশা (এপ্রিল ২৭, ১৮৯৮ ইং) দা মবুধৌ ইবুংঙো মোইরাং নিংথৌনা মৈতৈ লৈপাক্কী

উমংলাই হরাওবা লেপখ্রবসু বড় সাহেপনা হায়দোক্লুনা মমাঙঙৈগী অতৌগুম্না হরাওহল্লে। (মথক্কীসিদা, ৫৩০)।

অসিনি হায়রিবা নুমিৎসিগী মতুংদগীদি ঙসিগী থাবান অসি ফাওবা লেপ্তুনা চথরি।

লাই হরাউবগী থৌরমসিদা খৃঃ ১৯৪০ গী মমাঙদদি ফর্টালিটী হেনগৎহনবা, থৌগৎপা অমসুং ময়াই হাপকৎপা থৌরম-থৌদৌ কয়ামরুম চহিগী লাইথৌ অমসুং হরাউ-কুম্মৈথৌদা য়াওরম্মী। মদুশিংদু লমদুগী/খুঙ্গংদুগী খুঞ্জাশিংনা নুপা-নুপী পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা চাগোক্কী ময়াই কাহল্লবা ঈশৈ-নোংমাইশিংদু খুৎলং ওইনা অৱাই-অখুম তৌদুনা শকপা/শকমিন্নবদা শরুক য়ারম্বনি। অদুবু মদু চাওখৎলকপা মতমগী অকাম্বা/অকাম্পেৎ ওইরক্লুনা লৌথোকখিবনি। হায়রিবশিংসি মীশীঙ হেনগৎহন্নবা খুঞ্জাও-লৈচাওনবগী মরুওইবা মচাক ওইদুনসু অমম্বগী ৱাবু অঙানবদা হায়বা/ঙাংন-শানবা হৌনদে হায়দুনা থাদোকখিবনি। খুদম ওইনা-

"ৱাং খুদেং মায়পাকপী, লাইজ থন্না হাপচিল্লো, পোপ-পোপ শুদোক্লো" হায়বসিনি অমসুং "লাই চূঃনবগী" লাইথৌ থৌরমশিং অমসুং লাইরোয় নুমিৎকী তাংখুল-নুরাবীগী থৌরমশিং হিরমসিদা মরু ওইরিবা ঙাক্তনি।

মচৎ-মতৌ মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী চাগোক-কাংথং শীন্নবা লাইনীঙসিগী হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্ম (ভাগবত/সনাতন ধর্ম্মসু, হায়) গী অসিগুম্বা লাইনীঙলোনগা মান্নবগী লমদাংসি মথক্তা খর পঞ্জখ্রে। হিন্দুশিংগীদি পুম্নমক যজ্ঞ তৌবদা লৈরবনিনা পুম্নমক্কু অকামবা-অথিবগী ৱাফম লৈতনা শুপচিনখ্রে। অদুবু মহাকবি জয়দেবনা ইবীদুনা থম্বীরম্বা বৈষ্ণব হিন্দু সমাজগী "গীত গোবিন্দ" হায়রিবা লাইরিকসিদা য়াওরিবা থৌদোক্কী পরেং অমসুং ৱারী-ৱাতাইগী অৱাই-অখুম [Dialoque] শিংসি মৈতৈ লাই-হরাউবগী লাইবৌ-শৈরোন্দগী হেনবা ঙাক্তনি। খুদম ওইনাঃ-

শ্রীকৃষ্ণনা চন্দ্রাবলি কুঞ্জদা লৈখিবনা নিকুঞ্জবন্দা লেঙলক্রবদা লৈগী শয্যা [Couch/bed of flowers] শেমজদুনা ঙাইরম্বদগী লাকমন্দ্রবদুদা চান্নরবী সখি ললিতা অমসুং বিশাখা থাদুনা শ্রীকৃষ্ণবু থিহল্লকখি। হায়রিবী সখি অনিসিনা

শ্রীকৃষ্ণনা চন্দ্রাবলি কুঞ্জদা নুংঙাইনা চন্দ্রাবলিগা ''প্রেম-লীলা'' শান্নবদু উখি অমসুং হনখিদুনা মবেম্মা শ্রীমতি রাধিকাদা মখোয়না উরকপা পুন্নমক্তু তমখি। অমরোমদা শ্রীকৃষ্ণনা ললিতা-বিশাখা অনিনা লাক্লম্বগী শউমদু ফংখি। চন্দ্রাবলিবু থেমজিন্দুনা থন্নম্নগা হোবে-হোবে নিকুঞ্জবন্দা লাক্তুনা শ্রীমতি রাধিকাগী মনাক্তা চঙলক্তুনা করিসু তৌরুদবা শাদুনা লৌনম পাউথেম ৱাহৈনা রাধগী নুংশিবদা লুপ্লবা প্রেমিক শাদুনা ঙাংলক-শক্লকপদুদা মখোয়দৌ শাওগৎলবী শ্রীমতিনাঃ-

কনাগী লাইবক্তা থিনবা কুমকুম চন্দণনো নথবাক্তা তৈরিবদু

কনাগী চীনবান্দা তৈবা অঙাংবা মচুনো নচীনবান্দা তৈরিবদুনা

কনাগী শারিনো ফেজোম ওইনা শেৎলক্লিবদুনা, লেঙবীগ্রো পামজদ্রে।

(প:অ: ১৯৪৭, ৮৮,১৫৮)

অসিগুম্বা হায়রদুনা লৌনম চাওবদুবু তাহ্লোক্লকখি। ৱাহৈশিংসিগুম্বনা হেক্তমক ইবীরম্বদুগী ৱাখল; নুংগী ঈচেল অমসুং ৱা-মচং অদুখক্তং লৌখৎলগা থমজবনি। মসিগী মখা তারকপদনি শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতি রাধিকাদা, ''মকোকথক্তা শ্রীমতিগী মখোঙনা থন্বীদুনা কামগী মৈচাক ঈংহনবীরো'', অসিনচিংবা হায়দুনা চূড়া-ধরানচিংবা কৎনগদৌরিবসি।

মৈতৈ-লাইনীঙলোন্দা মমিং-মথা লৈবা লাইশিং থোক্লকপা

মৈতৈ লাইনীঙলোন্দা, মথক্তা উৎচখিবা খরসিগী থাক অসি ফাওবসিদা মমিং থোন্দুনা মশক তাক্লবা লাই অমত্তা লৈত্রি। য়াওখ্রিবা লাইশিং অসি কোন্না/কাইনথংদা তপশিন-হাপচিল্লকপা ঙাক্তনি। হায়জরিবসিগী খুদম-চাংদমদি মণিপুর ইতিহাসকী অথোইবা মচাক ওইরিবা চৈথারোল কুম্বাবা [মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবদগী হৌই, নিংথৌ ওইবা কলিগী-কুমশীং ৩১৩৫ শুব (খৃঃ ৩৩/৩৪ গা মান্নে/চানৈ) দনি, হায়না পীবীরম্মী (চৈ:কু: ১৯৮৯, ১)] না হৌরকপদগী খৃঃ ১৫৮৯ (শকাব্দ ১৫১১) য়ৌদ্রিবা ফাওবদি মৈতৈ-লাই(শিং) গী নাইতোম ওইবা মমিং (মথা) অমত্তা পল্লোই, খ্বাইগী ওইবা লাই (মথক্কীসিদা, ১, ৩, ৬, ৯, ২৮) হায়বা খঙনবীসিদা অদুম চৎনৈ।

মৈতৈগী খুন্নাই-লাইনীঙলোনগী মপা-মপুশিংগী পরীংদগী চত্থরকপা ৱারী-ৱাখোঙ অমসুং হায়জিনবা/শাজিন্নবা নত্তবা লাইনীঙলোন অমদি লাইনীঙ-লীচৎকী চৎলিবা কাংখুন অমসুং তুখুন্দা লাইনীঙগী, লাইনীঙ-মনাৎকী অমসুং মচৎকী ওইনা মমল লেপ্পদা মশক থোকহল্লিবা মমিং-মথা লৈবা লাইশিংনা লাইনীঙলোন ফম্বাক্তা থোক্লকখিবা/কুন্নকখিবসি থোক্লি-ওইরিবা থৌদোক ৱাথোক্কী পরীং-পরেংবু মতম-তাংকক, কুমশীঙ-থাবান [Year, month and date] অমসুং নোংজা নুমিৎ পীদুনা ঈ-পাউশিংগী ৱারোল চনখৎ-ইখৎলিবা চৈথারোল কুম্বাবা [Eventual and chronological records of royal chronicle and annals of Manipur] গী ৱাশক্কুনা পীবা অইবা ৱারোলগী মতুং ইন্নদি য়াম্না থেংনা পীরি। খৃঃ ১৫৮৯ দা হায়রিবা থৌদোকসিগী লমদাংদা থন্বীরল্লিবা ৱারোন্দুদিঃ-

...লোইতোংবম তেংকোনগী কুম শক ১৫১১ (খৃঃ ১৫৮৯) ... খাচারাইচাগী মী শিএ। লৈরোং কৌবীগা নুংকারাং কৌবীগা ঈরাৎতুনা মীয়াম শিবা ফয়ে (মথক্কীসিদা, ৩০)।

অসিনি। অদুগা মতাংসিদা পল্লিবা অহানবা থাক্কী ওইনা মমিং-মথা পীরবা লাইনুপী/লাইরেম্বী অনিসি মৈতৈগী মতুংদা শেম্লকপা লাইরেম্বী/লাইরেম্মা/লাইরৈমা/লাইনুরা (লাই নুপী) শিংগী মমিং পরেংদা য়াওদে/পন্দে। লাইরেম্বী অনিসি কুমচৎ-লাইচৎ ঙাকথোক/কোকহনবা লাইরেম্মশিংনি। মখোয়'নীসিনা হিয়াঙ্গে কুম লাৎপগী লাই অনি ওইথ্রিবরা নৎত্রগা করম-করম্বা লাইরেম্বী ওইখিবগে হায়বসি খঙঙমদবগী ফিথুপনুংদা লৈরি। অদুনা লমদাংসিদা পীবা য়াবা ৱাফমদি মখাগীসিনিঃ-

No name/nomenclature of such other gods/goddesses is mentioned anywhere in amids the write ups/transactions of events/occurrences of the aforesaid chronicle and annals, prior to the above cited date. Some commentators/scribes or writers/authors who give/provide/produce their identities as anonymous one for the anonymity of their true/real/factual identity(ies) where projecting to afford/furnish their views in the oldness/remoteness of the Meitei nomenclatured

deity(ies) in their cultic and cultural pantheon against the said royal chronicle and annals with the furnishments/ provisions of evidences/witnesses of the newly established religious/cultic materials as of the ancientness even when those are of new fit ups of recently written scriptures as the subsidiary and/or supplementary works as if reproduced/ expounded the material with taking oath by using the names of some popular, familiar and conventional scholars of bygone centuries, like Apoinana/Apoilatna, Apoi-macha, Kanak/Konok Thenggra, Louremba Khongnang-thaba, etc. as it were done in the Hindu vedic Brahmanas supplemented Samhitas with Aranyakas and Upanishads expounded the Brahmanas in their turns.

The anonymous writers have/had produced some hymnal rituals, rites, prayers, praises, etc. of gods and goddesses for observances/performances in worships/ venerations Such appreciations and acknowledgements of supernatural being(s) appraise/evaluate or assess the status, dignity, standard, etc. of an ethical/mental belief/creed as in the class of "CULT". It is because of the facts that these creed are not supplemented, supported, uplifted and/or expounded/reproduced by/with no philosophic(al), ethical, moral and theological sermons/dogmas/doctrines which are the essential elements and essence of a true religion as provided by universal theologians. So the above mentioned attempts of anonymous writers will fall before or in front of the international door of religions and theology as the void motto/view as those were the baseless theoretical hypotheses of manufactured/forged views of fanatic vision beyond the Meitei true pantheon as evidenced by the premodern and modern vernacular, vocabulary, dialects or the midmodern lingua-franca in the linguistic views.

ম্শক নাইবা মৈতৈ-লাইনীঙশিং হওরকপা অমসুং মখোয়না চথরকপগী থৌদৌ-মতাশিং

মৈতৈগী মবুঙো লাইয়িংথৌ খাগেম্বা (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) হায়বসি মৈতৈগী অমসুং মৈতৈ-লৈপাক্কী লৈঙাক-খুন্নাইলোনগী, খুন্নাই-লৈঙাক-খুনঙাক্লোনগী, ৱায়েল-চৈরাক্লোনগী, খুন্নাই-শেন্দান-শেনচৎলোনগীনচিংবগী অমদি লাইনীঙশিং, লাইনীঙলোনশিং অমসুং মৈতৈগী মনাৎশিং, মচৎশিং, লোনচৎ-শাজৎনচিংবগী হৌদোক্লকপগী অমদি হওরকপগী শেংলবা লাইগী থৌজাল ফংলবা ঈফুৎনি। মহাকসি হৌখ্রবা মৈত্রবাক অমসুং ঙসিগী মণিপুরগী লাইনীঙলোন-পরম, লাইনীঙ-খুদা, ঈরাৎ-থৌনী কাংলোন অমসুং লাইনীঙ-পরীংশিংগী পোমিৎ-ৱাখুল পীবীরম্বা চীঙলৈপাক্কী থুমখোং-থুমহীগী থুমময়োন্দুগী মচিগী মওং ওইবা থুম্বাল-শঙ্গোমপালনি অমসুং পুম্নমকসিগী লাংজেগী পুংজৈনি। হায়রিবা চীঙলৈপাক্কী থুমখোং-থুমহীগী থুমময়োন-থুম্বাল অসিনা মৈতৈগী মরৈপাক-মরমদমসিদা হওরকপা লাই-তীন অমসুং লাইনীঙ-তীন্নীঙদা পুক্নীঙ-হকচাং থম্বগী চীঙনুং-ঈফুৎ অমদি ঈশিংখোংগী ঈচেন পুরিবা লাইনীঙলোনগী মহাউ পীদুনা থুম থাক্লম্বনি। মৈদিংঙু খাগেম্বনা লৈপাক্কী মপী-মপা ওইবা নিংথৌ অমা ওইনা য়েক্লবনা লান্দারকপগী লাল্লক্তা মশাগী মপুন্সি মাঙবা য়ানা থোকখিবা থৌদোক্লসু মহাকপু থম্মোই শোকহনবা অমসুং অৱাবগী ৱাখলনা মকোক ঙাওহনবা লৈখিদে। অদুবু মহাক্কী থম্মোই কায়খিবা, ৱাখল ঙাওচৎনহনখিবা থৌদোক অমনা ওইহল্লকখিবা মহাক্কী লাইনীঙলোনগী ৱাখল্লোন পরীংদুদিঃ-

He had a thoughtful turn of mind as a beloved father with regard to his first son who departed from this humanly form and human world leaving a relic of divinity as a living memorial at the advance of his eighth birth year/day and so Meitei-lord Khagemba inhered an inherent of strong aspiration/desire and as it was made to creep/encroach/enter in his mind/heart by the shocking stroke of the expiry of his first son "SANA WAPEEHAN" which motivated him in the belief of his late son as the physical body/personification

৭৫

in the human worldly life of incarnation of divine ASIBA (Ashiva) to stay only eight years in the human form and figure and to unite with the Supreme Almighty in his divine formless and unfigured feature after the eight years. [স:ল:(অ)। স:ল: (খ):ম:]

অসিনি। হায়রিবা পরীংসিদগী লাইনীঙলোনগী লাইশিং, মৈতৈ নিংথৌজা/ ৱাং(ৱাংঙম) গী হান্না লৈরম্বগা অতৈ কাংলুপ-ফুরুপশিং অমসং য়েক-শল্লাইশিংগী ইন্দিজেনস/নেটিভ [Indigenous/native] অমদি প্রিমিটিভ [Primitive] লাইশিংগা য়ানশিন-তোৎশিন্নদুনা লৌখৎলগা অমসুং লাইনীঙ-লীচৎশিং, লাইনীঙলোন্নচিংবগী ঈৱাৎ-থেল্লাৎ, থৌনী-খাজঙ্, লাইশোন-তীনশোন্নচিংবা পুম্নমক শৌজিন-শুংজিন্নদুনা, তোৎখায়-তোৎশিন্নদুনা অমসুং য়ানশিন-য়ানখায়দুনা অপুনবা মৈতৈ জাতিগী লাইনীঙ-মচৎশিং অমদি লাইনীঙলোনগী মনাৎশিংসি মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা, মথক্তা পীজখিবা অরিবা লাইনীঙ, লাইনীঙ-লীচৎনচিংবগী উফমদা অনৌবা চঙলকপা থাজবা অমসুং নীঙনবগী উচন্না চনশিন্দুনা শেম-শাখি। মখোয়শিংসু লৈরকপগা লোইননা লৈশেম-নোংশেমলোন, কোরৌ-মালেম-লৈমায়গী লৈরোন-মরোনশিংগী লৈশারোন, লৈশী-লৈতেমলোন, নমু পোংশক মিতমলোন, মালেম লৈখোঙ [Horizon] নোখোঙ লৈকায়রোন, থৱাই-অপকমা [Living being] মৈহৌরোন, অসিনচিংবগী ৱারী-শীঙবুন, ৱাফোং-ৱাখোঙ, ৱাতাই-ৱাতেম পুম্নমক শেম-শারকখি। মরম অসিনা লাইয়িংথৌ তাইবং-খায়বা নৎত্রগা লাই-ৱাহায়বা নৎত্রগা শম্হোঙ নিংথৌ অপানবা নৎত্রগা লাইনিংথৌ/লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাইনীঙসিনা মৈতৈ লাইনীঙলোন অমসুং লাইনীঙগী মরূ অমসুং মরানি [Primary and fibrous roots] অদুগা অপোকপা নত্রগা মপা-মপু লাৎপগী লাইনীঙসিনা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙগী মরূ লেনফু/লেম্ফু [Primary radicle] নি।

মৈতৈ লাইনীংলোনগী নোংশেম-লৈশেমলোনগী ৱারী-ৱাখোঙদা য়াওরিবা কোরৌ-নোংলোন মরোনশিংগী কোরৌ নোংশেম্বা, মালেম-লৈরোন মরোনশিংগী মালেম লৈশেম-লৈশাবা "লাইয়িংথৌ অসিবা/অশিবা" হায়বা তেংবান মপু [Lord of universe] অতিয়া গুরু শিদবা ([Immortal

Spacious One who drove the drakness/ignorance and lit the light of knowledge/intelligence] গী মচানুপা অহন, লাইয়িংথৌ সনামহীবু লাংওনবীরকপা চীঙজু, খোয়ুম, লাই পুম্নমক্কীসি নিংথৌ, কোঞ্জন-তিংথোকপা হায়বা পাখংবা [মশক-মমিং ৩৬৪ দগী তাদনা লৈ (মখাদা য়েংবীয়ু] গীসু লমজিং-লমতাকপীবা মপা শকপা লাইয়িংথৌসিনা মৈদিংঙু সনা ৱাপীহন ওইনা লাংওল্লম্বগী মতম লোয়দুনা চৎখ্রবদসু মৈদিংঙু খাগেম্বগী মমং-মহা অমসুং তরং-মালং মংলানচান্দা অতৎপা লৈতেনা পীক্লিবা সনা ৱাপীহনগী শকফমদুদা লাক্কুনা মচা ওইবনা মপাগী মফমদা মপোৎ-মরন নীবগুম, পীননবা তত্তনা লমন থৌররি। মহাক্না হায়রিবদি মহাক্না লাংওন-কুমশীঙ শুদুনা তাইবংপান থাদোক্লবদসু নমু পোংশক লেপ্তুনা তাইবং-মীগী মপোক্তা পোক্লম্লবনিনা মী অমগী চাক্তা-য়াতাফম লৈফম থোকপনা মহাক্কী ময়ুম শাবিয়ু- হায়রিবসিনি। মরম অসিনা মৈদিংঙু খাগেম্বনা মচা ইবুংঙোসিগী ময়ুমসি চেক্লা ''ফুরা লাইয়িম'' কৌদুনা খৃঃ ১৬১৭ তা কংলা কোনুংগী মনুংদা শাবীখি (চৈ:কু: ২০০৫, ৩৬)। মসিনা মৈত্রবাক্কী/মণিপুরগী মনুংদগী খ্বাইদগী ইহান হান্না শাবা লাইশঙ অমসুং চেক্কী লাইশঙনি।

মৈদিংঙু খাগেম্বসিনা লাইয়িংথৌ ওইরবা মচা ঈবুংঙো সনা ৱাপীহন, মৈদিংঙুচাগী মপা ওইরবসিনা অমসুং লাইয়িংথৌসিনা মপাইবুংঙো খাগেম্বদা খোয়ুম লাইগী মহী-ময়াই পীবী হায়না খনবসিনা মৈদিংঙুসি তাইবং-মীগী হকচাংদা কুয়োম-নাউয়োম্না কুপশিন-য়োমশিনবা লাইগী মতীক-ময়াই লৈ হায়না খঞ্জে অমসুং লৈপাক খ্বাইনসু খন্নে। মরম অসিনা মহাক মশাসিদা মীওইবগী মহৌশা নত্তবা হেন্দোক-থোইদোকপা লাইগী মহী-ময়াই, মতীক-মপাঙ্গলনচিংবদু চেনবদা মতীক চাবা গুণদু চেল্লি হায়না নীঙনৈ। অদুনা মৈদিংঙুসিনা মহাক মশাগী মিংগী মমাঙদা/মতুংদা লাইয়িংথৌ হায়বা লাইগী মতীক-ময়াইগী লৈথেৎ-মিংথেৎকী লৈতেংসি খৃঃ ১৬০৮ দা মহাক মশানা লৌজখি (মথক্কীসিদা, ৩৪) অমসুং হায়রিবা ৱাফমসি লৈবাক খ্বাইনা খৃঃ ১৬২২ দা অয়াবা পীখি (মথক্কীসিদা, ৩৭)। হায়রিবা ৱাফমসি, নিংথৌশিংদি লাইগী মতীক-ময়াই চেল্লি, নিংথৌদি বিষ্ণুগী অংশনি, অসিনচিংবা হায়নবদুনি। মসি মীরৈপাক্কী লোন্দাদাঃ-

"Assumption of the divine right of kingship in the social contract theory of Political Science"

হায়বদুনি। অসুম্না লাইগী মহী-ময়াই চেনবগী/লৈবগী থৌগায় অমসুং থৌদাং লৌখিবসি মৈতৈ নিংথৌশিংগী মরক্তা মৈদিংঙু খাগেম্বসিনা খ্বাইদগী ঈহান হানবা মৈতৈ নিংথৌনি।

মৈদিংঙু খাগেম্বসি লাইয়াম লাৎপা/নীঙবা মীশক [Polytheist] অমনি। অদুবু মঙোন্দা "তাইবংপানবগী মপু, হেক লৈরিবা পুম্নমকসিদগী পুমহেন হেল্লবা অমা লৈ, মহাক অদু অমখক্তনি [Supreme Almighty One] হায়বসিগী য়াম্না কনবা থাজবা, অনীঙবা অমসুং অরোয়বা ব্রাখল ওইবসিগী ব্রাখল অমসুং ব্রাখল্লোনসি চেল্লি। অদুগা মহাক্না লৈরিবা মৈতৈগী অতৈ লাই, খোইয়ুম-খোইমোমশিং অমসুং চীঙখোঙ-চীঙঙুশিং অসি তেংবানবা মপু শিদবা অমম্ববু অঙানবা ওইহল্লিবা, অঙানববুসু অমম্বা ওইহল্লিবা মহাক্কী শানওন/সাইয়োন [Manifestation] অমসুং লাংওন/লাংঙোন [Incarnation] ঙাক্তনি, হায়বসিমসু চেৎনা থাজে। মহাক্কী চীঙঙু খোইয়ুমশিংবু থাজজবা, মখোয়দা পুক্নীঙ-হকচাং থম্বা অমসুং অনীঙবগী ব্রাখল-লৌশিং পীথোকখিবদগী ফংলক্লিবা মঙাল/মতীক অসি অদুক্কী মতীক মপাঙ্গল কল্লি অমসুং তৌবা ঙমই, মদুদি, মহাক্কী মতমদুদা মৈতৈ লাইনীঙ-তীন্নীঙ, লাইশোন-তীনশোন্নচিংবা লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী হিরমশিংদা মমিং চৎলবা/ লৈরবা অমসুং

মহাক মশামক্তসু "শিদা'য়াই-নাদ'য়াই/শিদয়েন-নাদয়েন" পীবীখিবা গুরু/ মাইচৌ/য়োঙ্গরেন মঙাবু শিহন্নবগী খুজীন থৌরাংবা, য়াইবী-মিরেন থোঙঙাক অশি'থেন্দা চনশিনহনখিবা ঙমখি। মহাক্কী মরান-লানফা [Victim] ওইখিবা শিদ'য়েন-নাদয়েন খঙবা অথোইবা অখঙ-অহৈশিংদুদি - (১) অপোই (লৎনা/ নানা) মচা, (২) শল্লাম সনা, (৩) য়ুম্নাম তোম্বা, (৪) খাইদেম তেনবা/তেম্বা অমসুং (৫) গনক/কনক (গোনোক/কেনোক) থেঙ্গ্রা (থেঙ্গু-রাবা) (ন:ম:প: ১৯৯৮, ৩১-৩২) - অসিশিংসিনি। লাইয়িংথৌ খাগেম্বসিনা লাই-ময়াম নীঙবা/লাৎপা মীওই অমা ওইনা মৈতৈ-লাইনীঙ নিপান (তাইবং-খাইবা/ সনামহী), (২) উমংলাই-মাপন, (৩) মায়কৈ-ঙাকপা লাই মরি, (৪) মুব্রা

নিংথৌ, (৫) লাই নোংশাবা, (৬) থাংজীং, (৭) লাই কাসা (সোরারেন) অমসুং (৮) অপানবী/পাছোইবী লাইনীঙশিং (মথক্কীসিদা, ৩৬, ৩৭, ৩৮, ৩৯ অমসুং ৪১)] সি হৌদোকখি অমসুং লাইনীঙ অনি [(মারজিং অমসুং কৌব্রু লাইনীঙশিং (মথক্কীসিদা ৩৬ অমসুং ৩৮)] অনিগসু হৌদোক্লম্মা য়াবগী থাজবা লৈ। মৈদিংঙু খাগেম্বগী ফম্বাল-ফমশিন্দুনা ফম্বাল লাংহৌবা মৈদিংঙুশিং, মৈতৈগী মবুংঙো ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ মহারাজ (খৃঃ ১৭০৯-৪৮) ফাওবগী মতমদা মৈতৈ লাইনীঙ মনাৎ নিপান (১) নুঙ্গোইবী লাৎপা, মেরা শন্দুবা (মীশীঙ হন্থদনবা থৌরাং- "ম:চ:স: ১৯৭৯, ৬৫-৬৬: ফর্টালিটী কল্ট), (২) লম্মাবী অনি, তাম্বোং অমসুং লেমথোং লম্মাবীশিং, (৩) (ফৌগৈ-শঙবী) ফৌওইবী, (৪) লাইরেন লাৎপা, (৫) লাই পুথিবা, (৬) থুমখোং-লাইরেম্মা, (৭) তুবী লাইরেন (পাখংবা) অমসুং (৮) শা-লানগী লাইরেম্বী নুঙ্গোইবী লাৎপগী লাইনীঙশিং (চৈ:কু: ২০০৫, ৪৪, ৫৩, ৫৪, ৫৭, ৬৯, ১১৯) হৌদোকখি। মথক্কী লাইনীঙশিংসিগী মনুংদা খঙজীনবদা মথৌ লৈবা লাইনীঙশিং খর (১৭শুবা অমসুং ১৮শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাদা হৌদোকখিবশিং) শন্নপ্না মখাদা থমজরি।

(১) লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙ

লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙসিনা মৈতৈ-লৈপাকসিদা হওজ-শাৎচবা, হায়বদি, মৈতৈশিংনা হৌদোকচবা অচুম্বা, খ্বাইদগী ঈহান হানবা অমসুং অশেংবা কল্টকী মগুণ চেনবা লাইনীঙনি। মসি, মৈতৈগী মবুংঙো লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা খৃঃ ১৬০১ গী অদুৱাইদা হৌদোকখি (মথক্কীসিদা, ৩২)। মসি, মহাক্না মহাক্কী খ্বাইদগী ঈহান হান্না পোকচবা মহাক্কী তাল্লোই অপানবী নোংবাল্লোন (অঙোম য়েক/শাগৈ/য়ুম্নাক্কী চনু/নিংঙোল) নোংথিল চাইবীনা চহি অমগী (চহি শক/কুমদু পীবীরমদে) ঈংঙাগী নোংমা পানবা শগোলশেন নুমিত্তা পোকখিবা মচা নুপা অহন, মৈদিংঙু মচা অহনবা সনা ৱাপীহন নৎত্রগা ৱাপীহন (ও:ভ: ১৯৬৭, ২৩) গী নীঙশিঙ্ পরীংদা তাবা নীঙশিঙ্-থৌরমগী মশক ওইবা লাইনীঙ-মচৎ/পরম অমনি। মৈদিংঙুচা সনা ৱাপীহনবু মহাক্কী মমিংদা/পাউথোংদা লাইনীঙ-লোনচৎ অমা হৌদোক্কুনা লাই ওইনা লাৎখ্রবগী মতুংদদি লাইয়িংথৌসি তাইবংখায়বা [The one who shows the partition between divine

and human worlds/spheres], লাই, ৱা-হায়বা [The god who speaks in human language/tongue] অমসুং সনামহী [The god whose complexion is in liquidized/melted gold] হায়বা মিংলেনশিংসিনা কুপ্পারোনগী ওল্লিবা খোঙচৎকী লৈখৈনুংদা মিংথোন্নরকখি (চৈ:কু: ১৯৮৯, ৫২, ৭৩ অমসুং ১১৫)।

মথক্তসু হায়জখ্রে, লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙসিনা মৈতৈগী অতৈ লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনশিংগী মরূ অমসুং মরানি, য়ুম্ফম-ফম্বাক্কি অমসুং য়ুমলেপ-ফানখোঙনি; মৈতৈ-লাইনীঙগী পাৱারী/পুৱারী/ইতিহাসকী লীক্লু-লীকলেংগী লংশু-লংলানি অমসুং মৈতৈগী ওইনা মপা-মপু ওইবশিংদগী ফংহৌবা লাইনীঙ-পরম-লীখুন-খোংলমগী নীঙশীঙ মিতল্লিবা সনা হৈরুনি। তশেংনমক হায়রবদা মসি, মৈতৈ জাতিসিগী লাইনীঙলোনগী নীঙশীং ফুরা [স্মৃত্তি মন্দির (Memorial monument)] অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাইশঙসিনা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী মিয়ুজিয়ম [Museum, the home/temple of nine Muses (9 daughters of Zeus and Mnemosyne, viz, CALLIOPE, of epic poetry; CLIO, of history; ERATO, of love poetry; EUTERPE, of music and lyric poetry; MENPOMENE, of tragedy; POLYHMNIA of sacred lyrics; TERPSICHORE or dancing; THALIA of comedy and URANIA, of astronomy] নি। লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙলোনগী মনুংদা লাইয়িংথৌসিগী লাইশক মচৎসি তরেৎ লৈ অমসুং মখোয়দুদিঃ- (১) নিংথৌগী ওইনা কংলা-কোনুংগী লৈমা নিংথৌকোন্দা ফুরা শাদুনা লাৎলিবা সনামহী, (২) লৈপাক অপুম্বগী ওইনা কংলাগী ৱাঙ্গোন্দা, ইম্ফাল কংলৈগী তেল্লোং/তোল্লোং লৈকায়গী উফোং য়ুম্ফমদা অমসুং ৱাঙ্গৌই লৈশাংখোংদা লাইশঙ শাদুনা লাৎলিবা সনামহী, (৩) মৈতৈগী অচৌবা উমং লাইশিং-থাংজীং, ৱাংব্রেন, লোকনিংথৌ/চীঙনিংথৌ/উতীন-উকাংনিংথৌনচিংবগা লাৎমিন্নরিবা সনামহী, (৪) মৈতৈগী উমংলাই লাইকোন খুদিংমক্কী লাই লাইদুগী লাইবুংথৌ (লাই-ঈপুধৌ/ঈবুধৌ) মাপনগী মনুংদা য়াওরিবা সনামহী, (৫) মণিপুর তম্পাক্কী খা-নোংচুপ কাচীন্দা শঙ্খোঙ নিংথৌ (অপানবা) কৌদুনা মায়কৈ ঙাকপা লাই ওইনা লাৎলিবা সনামহী; (৬) মৈতৈ-য়ুমথোং খুদিংমক্তা য়ুমগী মপু ওইনা

লাৎনরিবা য়ুম্লাই লাইনিংথৌ সনামহী অমসুং (৭) লাইয়িংথৌ অপোইবা সনামহী [সনামহী অপোইবা/অকোয়বা (কোয়চৎ-চৎপা)] অসিশিংসিনি। অদুগা লাইয়িংথৌসিনা লাইয়িংথৌ অশিব [অশিবগী লাই (God of death) হায়বা নত্তে মৈতৈগী অশিবগী লাইদি থোঙঙারেন (থোঙঙাকলেন) নি, অদুগা মমিংসিদা "অশিবা [(Performer of order or alloted work/duty) হায়না কর্ত্তা (Subject or subjective performer) বু কর্ম্ম নৎত্রগা কর্ম্মী (Object or objectified/directed performer/worker) ওন্থোক্তুনা লৌনরিবসি কুইদ্রিবা (1930) মওংগীনি অমসুং অশেংবা ওইনা চেল্লিবা ৱাহন্দোক্কী কায়দাদদি অশিব, শিব নত্তবা, শিবগী শক্তি অমসুং মগুণদি লৈবা, শিবগুম্বা অদুগা শিবমক্তি নত্তবা" হায়বসি ওইগদ্রা হায়না থাজজে, খুদম ওইনা, সুর=লাই, অসুর=লাই নত্তবা, লাইবু ফাওবা মায়থিবা পীবা দানব; লক্ষ্মী=লল্লৈমা, অলক্ষ্মী= লল্লৈমা নত্তবী; অসিনচিংবনি]। লাংওন অথোইবা ওইবনা লাইয়িংথৌ অশিবগী লাইওন-লাইচৎ পুম্নমক মহাক্কী ওইনা লৌনৈ অমসুং মরু ওইবা লাইওন-লাইচৎকী লাই মশীঙ ৩৬ পীরি (ই:অ: ১৯৮১, ২৭-২৮)।

মৈতৈগী লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙ চৎচবা/ইঞ্জবশিং অসি, মৈত্রবাক্তা মৈতৈ নিংথৌনা হিন্দুগী শক্তি/দেবী লাইনীঙলোনগী দেবী কালিকা লাইনীঙ অমসুং শ্রীবিষ্ণু লাইনীঙলোনগী কৃষ্ণ, রামনচিংবগী লাইনীঙ লৌবা অমসুং লৈপাক-খ্বাইবু লৌহন্নবগী থৌরাং অমদি লাইনীঙ(শিং) সি চৎহন-ইনহন্নবগী থৌশীন্দা নিংথৌগী মীচঙদা অমসুং/নৎত্রগা মায়য়োক্তা লেপখিবা অকনবা/অচৌবা শাফু(শিং) পীবা খোঙলোই অমসুং লম্বানি। মৈতৈ নিংথৌনা মৈত্রবাক্তা হিন্দু ধর্ম্মা লৌননবা অমসুং লাইনীঙগী মপান-মউ-লীংনবা থৌশীন-থৌরাংখিবসি লৈঙাক্লোনগী [Political], সমাজনিতি/খুন্নাইলোনগী [Social and cultural], শেন্দান-শেনচৎলোনগী [Economic(al)] ৱারম-ৱাফম, থৌদাং-থৌশিন্নচিংবা কয়াদগীনি। মসিদা মিৎয়েং থম্লকপদা মখাগীসিগুম্বা ৱারোল থম্বা য়াইঃ-

The Meitei monarch had the knowledge of needs and essentials for conversion and adaptation to/of the Hinduism in their socio-political conditions and position for the smooth running of the administration and defence of their kingdom as caused and affected or brought/carried out by the factors and factorial by-products of political, socio-political, socio-economic(al) and other related and allied phenomena to meet/withstand the Buddhistic Burmese/Mramma/Myanma and to save/rescue/ relieve, protect, defend and reserve/preserve the thinnestly populated Meitei kingdom and her population of rural communal/ social populances from the drive/drift of sweeping away forever from the surface of this globe/earth by the Buddhist Mrammas who were their permanent enemy and to retain themselves successfully with fame, name, etc. through the cultic/religious and cultural gains obtained from the neighbouring far and near Hindu kingdoms on the west".

হায়রিবশিংসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ঈশা শিখিবদি য়াই, জাতিগী য়ুমলেপ্তি মাঙনবা য়াদে; মীশীঙ য়াম্বদা, খুৎলাই ফবা (নোংমৈ শীজিন্নবদা), নোংমৈ মশীঙ য়াম্বদা, কুইনা শীজিন্নরকপদগী হৈ-শীংবদা, লন-থুম লৈবদা, লমকন চাওবদা, পোত্থোক-চাকথোক্কী চাংদা, অসিনচিংবা হিরম অয়াম্বদা য়েক্লবা অৱা [The residents of AVA, the capital city of Myanmar in the first half of the 18th century A.D.] না হেল্লি। অদুনা নোংচুপ লমদমশিংদগী মীচঙ খোম্নবা অমসুং তেংবাং লৌবা ফংননবগীদমক্তা নোংচুপ-চাশিংগা ধর্ম্ম তীন্নবা, লাইনীঙলোন পুনবগী মথৌ তাই, হায়বা ৱাখল্লোন অমসুং থৌদোক্কী পরীংদা মৈতৈ-নিংথৌনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌখিবনি অমসুং চৎখিবনি হায়না নীঙজে।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙসিগী লাইনীঙলোনগী ওইবা মিৎনা খোঙনা ফংবা পোৎলম-চৈরম, মচাক-মরন অমসুং মপোৎ-মচৈ কয়ানা লাইনীঙসিবু হিংহন্নবা, য়োকখৎনবা অমসুং ঙাক-শেন্নবগী ইতিহাসকী ঈচেলগী তোরৈ কয়াদা অমাঙ-অতা থোকখিবা অমসুং অকায়-অতোয় নংখিবগী

শাখোক-লাহোক, লাহোক-ৱাখোক অমসুং থৌদোক-ৱাখোক কয়া খোকপ্রবসু কনাগুম্বা মৈতৈ নিংথৌ অমত্তনা লাইনীঙসিবু পুমমুৎ-মুখৎপা নৎত্রগা মরূ ফুক্তোক্তুনা লংথোকখিবা ঙমখিদে নৎত্রগা ঙমখিবা য়াওখিদে। মৈদিংঙু, গরিবনিৱাজ [(খৃঃ ১৬৯০-(১৭০৯-৪৮)-১৭৫২] মহারাজনা হিন্দু শাক্ত ধর্ম্মদগী হিন্দু বৈষ্ণব রাসেশ্বর কৃষ্ণ উপাশক সমপ্রদায় [Hindu vaishavite sect of Krishna, the lord of spiritual balletic dance drama (Rasa) worship cult] ওইরবদসু শাফম-লানফম চৎপদা লাইয়িংথৌ ৱাহায়বসিবু লাল্লোইনখিবনি। মসিগী খুদম চাংদমদিঃ-

... হাইস্রাম লাইবগী কুম শক ১৬৩৯... পোইনু থা থাঅহন্নোং শগোলশেন (ডিসেম্বরগী অহুমশুবা চয়োন, ১৭১৭ ইং) লাইয়িংথৌ ৱাহায়ববু মতূ মনাই য়াওনা লৈমা য়াওবা ওইনা দোলাইবু ফি লৈ শঙবনা কোয়দুনা চঙখিএ (চৈ:কু: ২০০৫, ৭৮)।

অসিনি। অদুগা নিংথৌসিগী মতুং তারকপা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মাধবী সম্প্রদায় চৎলবদসু মখোয়গী হিন্দু ধর্ম্মগী ওইবা লাইনীঙ ৱাখল্লোন অমসুং চৎনরোনগী ৱায়েল-ৱাখুন্না শৌগৎহন্দুনা থল্লম্মী, মসিগী ৱাপাং-চাংদমদিঃ-

... কুম্বী নাথাবগী কুম শক ১৭৭৩... ফাইরেন থা... থানীন্নোং শগোনশেন্দা (ফেব্রু: মার্চ, ১৮৫২ ইং) লাইয়িংথৌ সনামহীদা মমাঙঙৈ বিষ্ণু থল্লম্ববু মাঙলে হায়দুনা মহাবিষ্ণু ১ হৈএ (মথক্কীসিদা, ৩১১)।

অসিনি। মসিনা খঙহল্লিবদি, "লাইয়িংথৌ সনামহীগীদি লাইশঙ শাদুনা লাৎলে, বিষ্ণুগী লাইশঙ লৈতবনা লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাইশঙদা থমদুনা লাৎলি" হায়বসিনি অমসুং লাই অনিসি লাইশঙ অমত্তদা লাক্তুনা সনামহী লাইনীঙসিবু শৌগৎলি হায়বসিসুনি।

মৈতৈ নিংথৌশিংনা হিন্দু লাইনীঙদা চপ য়ুংনা চৎশ্রবসু মখোয় মশা-মশামকশিং অমসুং মখোয়গী প্রজাশিংসি লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং লাইয়িংথৌ পাখংবগী চাদা-নাউদানি নৎত্রগা চাদা-নাউদাদগী শমথরকপা মশূ শূরোন-শূথাংশিংনি হায়না লৌই। হায়রিবা লাইয়িংথৌ অনিসি অহানবগীসিনা চীঙঙু সোরারেন/পুরৈরোম্বা ওইনা পোক্লক্লগা থাগী শাগৈ অমসুং অকোনবসিনা নোংদা লাইরেন পাখংবা ওইনা পোক্লক্লগা নুমিৎকী শাগৈ অমসুং নুমিৎ-থা

অনিদগী শমথরকপা মচা-মশূগী শূরোন শূথাং ওইনা হিন্দুগী সংস্কৃতকা মৈতৈলোনগী ৱাহৈগনা য়ান্নবা ৱাহৈপরেংদা "সুর্য্যবংস" অমসুং "চন্দ্রবংস" হায়না পন্দুনা পীরি (ম:স:ক:এ: ১৯৯৪, ৪৭, ১২৭, ২২১-২৩)। হায়রিবসিনা হিন্দুগী লৈরিবা সুর্য্যবংস অমসুং চন্দ্রবংসকা চপ চানা অদুম্মক মান্ননবা খন্নাংনবা পরীংদা পুবনি। অদুগা লাইয়িংথৌ অশিবগী লাইচৎ-লাইওন/লাইওন-লাইচৎ ওইরিবা পুরৈরোম্বা/সোরারেননি অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহীসুনি। অদুগা সনামহীগা পুরৈরোম্বগা অমত্তা ওইনা থা ওইহনবনি। অদুবু অতোপ্পা ৱাউঙ্লোনগী লাইরিকশিংদদি লাইয়িংথৌ সনামহীবু "নুমিৎ" ওইনা [মসি লাইয়িংথৌ সনামহীগী টেম্পল কোইন (Temple coin worshipped in the representation divine Sanamahee) শিংনসু প্রমান তৌই] অমসুং পাখংববু "লোইদাম থাজ পাখংবা" হায়না শৈথাদুনা "থা" ওইনা খুরুম্মে। অদুগা মৈতৈশিংদা বৃটিশশিংনা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ [খৃঃ ১৮২৫-৩৪] গী স্না হাক্তক্তা মৈতৈগী হৌরকফম পীয়ু হায়দুনা হংলকপা মতমদা মতমদুগী পণ্ডিতশিংনা মহাভারতকী হিরো [Hero] "অর্জ্জুননা চিত্রঙ্গদা পান্নরগা পোকপা বব্রুবাহনগী ধারানি" হায়না পীখি অমসুং মসিগী ৱাফমসি ২০শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাগী অহানবা তংখায় ফওবদা ফোং-ফোং শানা চখনখি। মসি ওইবা তারবদি মৈতৈ নিংথৌ অমসুং মহাক্কী শাগৈ (পুন্না ৯, খুদম, লৌরুং পুরেনময়ুম), শল্লাই (২, "কর্ত্তা" অমসুং "নরসিং") অমসুং য়েক (নিংথৌজা) অসি "চন্দ্রবংস" ওইফম থোকই, মরমদি বীর অর্জ্জুনা চন্দ্রবংস ওইবনিনা। অমবু ওইরো,অমবু ওইরো, ৱাফমসিদা লাইনীঙলোনগী মচৎ-মান্নবগী লমদাংদা লৌগদৌরিবা ৱাখোমদিঃ-

There is bilateral and/but similar concept and conception of the theories/hypotheses of both the Hindu and Meitei indigenous origins, regarding the descendents or being descendants of Suryya Vangsa [Solar lineal family race or sun's descended family] and Chandra-Vangsa [Lunar lineal family race or Moon's descended family] as well as Sanamahee or Pureiromba and Pakhangba were attributed as the progenitor of the Angom and Ningthouja clans in Meitei sphere equivalent to the cited families.

মৈতৈগী লাইয়িংথৌ অশিবা, হায়বা লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাংওল্লকপগী মরু [Evolute/seed] অসি মৈতৈগী শেংলবা লাইরিকশিং-লইথক লইখারোন, লইসেমলোন, পুদিন/পুতীন [Works on the accounts of creation/genesis of universe] অসিনচিংবনা লৈশেম-নোংশেম্বা লাই [Creator of universe including the celestial, terrestrial and nether/hellish spheres] ওইনা লৌনৈ অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহীদা লৈশেম-নোংশেম্বা লাইয়িংথৌ অশিবসিগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াইনচিংবা পুম্নমক পীবনিনা মহাকপুসু লৈশেম-নোংশেম্বা নৎত্রগা থবক-থৌরমশিংসি ঙম্বনি হায়না শীঙথানৈ। মরম অসিনা হায়রিবা হিরমসিদা হিন্দু বৈষ্ণব সমাজগী সংসারগী লমদাংদদি ভগবান ব্রহ্মা/ব্রহ্মদেবনিনা লাইয়িংথৌ অশিবা/সনামহীসি ভগবান ব্রহ্মাগা মান্নে। মৈতৈগী লাইয়িংথৌশিংগী মকোক কোকলেন তৌঙমদ্রবা লৈত্রবা নৎত্রগা পুম্নমক তৌঙম্বা লাইয়িংথৌসি, মতুং তারকপা মতমগী অখঙ-অহৈশিংগী খূৎ চঙদ্রিঙৈদদি, অতিয়া গুরু শিদবনি ["গুরু" হায়বা ৱাহৈসি আর্য্য/হিন্দুগী মরোন সংস্কৃত নত্তে, অনার্য্য/অদিম জাতি (Non-Aryan primitive tribe) গী মরোন প্রাকিত (প্রাকৃত) লোনগী ৱাহৈনি; ৱাহন্দোক্লা, "গু" অমম্বা(বু) "রু" ঙানহনবা হায়বনি; আর্য্যশিংনা পুজদুনা শীজিন্নখিবনি]। মহাকসিনা মৈতৈগী জগৎ থোক্লনবগী মচি/মচং ওইনা মরম [Ultimate cause] অদুনি। মসি হিন্দু উপনিষদকী লৈশেম-নোংশেমলোনগী ময়োন/মমুৎ ওইরিবা ৱাখুনশিংঃ-

(i) God creates the universe out of nothing,...
(ii) God creates the universe by transforming himself into it,
(iii) God alone is real and there in no creation at all.

[B.N.L., 1988-89, 78]

অসিগী খুৎপায়নরিবা হিন্দুগী অমত্তা ঙাইরবা ঈশ্বর (ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর, থোক্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙগী) অদুনি। মসি লৈশেম-নোংশেমগী-শাগৎ-ৱাপুঙ [Established theory/hypothesis] শিংসি চুঙশিন্নদুনা পুথোক্লিবা ৱাফম/ৱারমঃ- "God is the ultimate cause of the Universe from whom indeed these beings are born, through whom they live and unto whom they return and merge in" হায়বসিনা প্রমান তৌরি।

তেংবানবা মপু অতিয়া গুরু/য়াইবীরেন শিদবনা মপারী অনিনা শামা পাঙ্গল চাওরক্লদুনা মহাক্কী মখুৎশেম তেংবানবু ৱায়েল থৌদাবা ঙম্লগনি নীঙদুনা কোরৌ নোংনাংপান, মাল্লং-কাউখঙকোন্দা শাথুপখ্রগে খল্লক্লবা মতমদা মপারী অনিগী মতীক-মঙম চাংয়েংলগা মাগী মাগী শীন্নফম থোকপদা শীন্নরম্লগা মাল্লং কাউখঙকোন [The aura in the atmosphere] দা তিনখি অমসুং খুৎশীন্নবীরম্বগী মওং তৌদুদিঃ

"লাইয়িংথৌ অশিবনা তেংবান মপু মাগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াই, মপাঙ্গল-মহৌশা পুম্নমক পীরবনি। তেংবান-মপুগী মথৌ-মশীন, থৌগায়-থৌপু, থৌদাং-থৌদৌনচিংবা পুম্নমক লৌবা অমসুং পুবগা লোইননা মহাক্লা মৈতৈগী লৈরিবা লাইনীঙলোনগী অমসুং হীকাপ-য়াইকাপ্লচিংবা লাইৱা-তীনৱাগী লাই-নুপাশিং অমসুং লাই-নুপীশিং পুম্নমক, মনাউ-নুপা কোঞ্জিন তিংথোকপা (য়োঙ্গরেন-তোমপোকপা পাখংবা, লইথিংকায়, হারাবা, অসিনচিংবা) ফাওবা য়াওনা পুম্নমক্কী মপু/মবুংঙো, শেন্বী-শাবীবা, ৱারক-ৱাতেম্বা, ৱায়েল-চৈরাকপা, থৌদা-থৌশীবা, অসিনচিংবা পুম্নমক তৌদুনা তেংবান-মপুগী ফিবম-ফিরেপ, থাক-পাদম অমসুং ফমথোন-ফম্বেনচিংবা ফংবা অমসুং লাইয়িংথৌ পাখংবনা তাইবংপানবা লৈরিবা মীওইবা হায়বা থৱাই-পানবগী জাতি/কাংলুপকী মপুম তিংবগী মপু/মবুংঙো ওইবা অমসুং মখোয়বু ৱায়েল থৌদাবা"

অসিশিংসিনি। মরম অসিনদি লাইয়িংথৌ অশিবনা তেংবান মপুগী ঙমথং, তেংবান-মপু অতিয়া গুরু শিদবা য়াওদ্রবদি মহাক্লা পুম্নমক্কী মপু হায়বদু ওই। অদুগা অতিয়া য়াইবীরেন/গুরু শিদবদি মপারীশিংদা মথৌ মঙম শীন্নরম্লগা নোংনাং কাউখঙকোন্দা পোথাখ্রবনিনা লাইয়িংথৌ অশিবসিনা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লৈরিবা লাইশিং পুম্নমক্কী মবুংঙোনি অমসুং মাল্লংপান তাইবংপান পুম্নমকসিগী নোংদম্লিবা মপুনি। লাইয়িংথৌ সনামহীনা লাইয়িংথৌ অশিবগী লাংওন ওইনা শ্রীবিষ্ণুগী পূর্ণ/সমপূর্ণ অবতার [Complete (perfect) or wholly/all total/absolute incarnation who could utilize all the powers, energies, etc. of Lord Vishnu] শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীবিষ্ণুগী শক্তি পুম্নমক শীজিন্নবা, সুদর্শন চক্র কৌবা অমসুং পায়বা ঙম্বগুম লাইয়িংথৌ সনামহীনসু লাইয়িংথৌ অশিবগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াই, মথৌ-মশীঞ্জাংনচিংবা পুম্নমক শীজিন্নবা অমসুং পুবা ঙমই।

লাইয়িংথৌ সনামহীসি সনামহী লাইকন [Protective and defensive measures for the idol and cultic faith of divine Sanamahee] লাইরিক্লদি হিন্দুগী তেত্রতস কোটি দেবা-দেবী [33 crores (33,000,000) of gods and goddessess in Hindu pantheon] গী মপু অমসুং ঙাকপী-শেনবীবা ওইরিবা (Saviour) শ্রীবিষ্ণুগা মান্ননা নৎত্রগা শ্রীবিষ্ণুনি হায়না পীরি (ও:ভ:, ১৯৭২, ৭৫)। লমদাংসিদা মৈতৈশিংনা লাইয়িংথৌসিবু খুরুম-খাজঙবগী লাইশোনবদা য়াওরিবা ''অয়ুক ঙান্না কোনথাবিয়ু/কোম্থোকপীয়ু, নুমিদাং থেংনা কোনশিনবীয়ু'' (স:ল:খ:১) হায়না য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা শোন্নরিবসিনা শেম্বী-শাবীবা, অয়োক-অকন তৌবীবা অমসুং ঙাক-শেন থৌরাং-থৌশীনবীবা, অসিনা হিন্দুগী শ্রীবিষ্ণুগী মথৌ-মঙমশিং থৌদাং-থৌগায়শিংনচিংবদু তৌই। মরম অসিনা লাইয়িংথৌসিবু শ্রীবিষ্ণুনি হায়না খৃ: ১৮৫০-৭০ ফাওবগী অহনশিংনা হায়বীরম্বনি।

অদুগা অমুক অতোপ্পা লাইরিক অমদনা তেংবানবগী মপু, পোকপা-শিবা নাইদবসিনা মালেম-তাইবংপানগী য়াইফনবগীদমক্তা ত্রেতাযুগ/হয়া(ঈমা) চক [The 2nd Hindu or Meitei epoch/age] তা অযোধ্যাদা শ্রীরামচন্দ্র ওইনা অমসুং মৈত্রবাক্তা কুপত্রেং কৌনা অমসুং দ্বাপুরযুগ/খুনুং-লাংবা চক [The third Hindu or Meitei epoch/age] দা মথুরা/গোকুল [গোলোক বৃন্দাবন (The sphere/abode of cows/sun rays entitled as the brower/grove/arbour/forest of group goddess = D.D.K, 1964, 166)] দা ''কৃষ্ণ'' ওইনা অমসুং মৈত্রবাক্তা লাই শিদবা [Immortal/undying divinity] কৌনা পোকখি, হায়না পীরি (র:স:স:গ: ১৯৯০/১৯৯৮, ৭৮-৭৯)। হায়রিবশিংসিনা পীনীঙলিবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনসি লাইয়িংথৌ সনামহীসি শ্রীরামচন্দ্র অমসুং শ্রীকৃষ্ণবু লাংওন তৌরিবা শ্রীবিষ্ণু অদুনি, হায়বসিনি।

অমরোমদা ''সনামহী লাইকন'' লাইরিক্লা অমুকসু লাইয়িংথৌ সনামহীবু মাঙহন-তাকহনবা, থুগায়-য়ৈখায়বা অমসুং অকায়-অতোয় থোকহনবগী লাই ওইনা পীরি, মদুদি- ''খোইমোম য়াইবী হুমজাওবনা, কনজাও মৈরা হও, লমপোই পুক্লীঙ ঙমনা ৱাওইরকএ; কোরৌ চীঙহে কাপ,

ৱাংপল লেনহৈ থা, মাল্লং মথি নাই, পামেন উজাও তেক, মরান থুম্বী মৈগা থা, থৌদু নুঙদুম হুন, কাঙদেন ফৈনা লং, মরাললোনগা থুমনা পনথেংলবদা [মথক্কীসিদা, ১৮(২)]- অসিনি। অমসুং মসিনা তম্ন'লাইগী শকথোং-শকলোনসু উহল্লি। অসিদসু নত্তনা অমুকঃ-

...অৱাংগী নোংনসু উদবা, মাল্লেম লৈনসু খঙদবা, চেকবু ওনবা কোরৌ নোংলোনপান সাফুখোল, কোরৌ নোংলোন পাই, সাফু খোঞ্জেন ৱাং পোনবী মমৈতোন্দা চকমোম খাম্বী মৈগা পুন্না থাঙঙা যুম্মুম খুদিংবু চকমোম মরাং হৌনা খাম্বী মৈগা থারে। লৈকায় পানসাং কেন, লৈরক খুদিং হাঙদনা ফাইরেন লম্মৈ থানা পনথুংলে... [মথক্কীসিদা, ৩৫(১-২)]

হায়না পীরিবসিনা মাঙহন-তাকহনবগী লাইসু ওই, হায়বদু ফোংদোক্লি। হায়রিবা লাইয়িংথৌ সনামহীনা ওল্লকপা মাঙহন তাকনবগী লাই অদুবু খ্বাইনা খঙনবদা "সনামহী অপোইবা" হায়না কৌই, অমসুং মসিসু মথক্তা পঞ্জখ্রে। হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী স্বভাবতা সংসার, মালেম তাইবংপানবু মাঙহন-তাকহন্দুনা লোয়শিনহনগখিবা লাইবু মহেশ্বর (মহা+ইশ্বর-মহা+ইশা-বর) (the great fulfiller/accormplisher of hope/desire) কৌই, শিব ভগবানগী মহাকাল [the great desroyer or dissolutionist/destructionist] গী রূপ/শক্তমনি। শিব ভগবানগী অশাওবগী মশকপু রুদ্র (ঋগ বৈদিক দেবতানি মমৈদা শিবগী অশাওবা/অকিবগী শক্তম ওইরকখি, রুদ্র ১১ শুই) কৌই অমসুং শিবনা মশানা হকথেংননাতৌবা নত্তনা মাঙহন-তাকহনবদা থৌদা পীদুনা তৌহনবা লাইদুবু বীরভদ্র কৌই শিব-রুদ্র শক্তিনি।

মথক্কী সনামহী লাইকনগী ৱারোলশিংসিনা তাক্লিবসি লাইয়িংথৌ সনামহীসি সনামহী অপোইবা হায়বা মমিংসিদা মাঙহন-তাকহনবা, কায়হন-তোয়হনবা অমসুং থুগায়-য়ৈখায়বগী থবকশিং তৌই অমসুং অফবগা ফত্তবগা তংখায়-তংখায় ওইনা লাইগী মতীক-মগুণসি লাইয়িংথৌ সনামহীদা চেল্লি অমসুং মসিনা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনগী মহেশ্বর (ভগবান শিব) গসু মান্নে অমসুং মহাক্কী অশাওবগী শক্তম অপোইবসিগা শিবগী অশাওবগী শক্তম রুদ্র(শিং) গা মান্নে।

মথক্কী ৱাফম অসিদা ৱাখোম-ৱারোয় ওইনা পুরক্লিবদি মৈতৈগী লাইয়িংথৌ সনামহীসি হিন্দুগী লৈশেম-নোংশেম্বা অমসুং তাইবং-থৱাই পানবা পুম্নমকপু শেম্লিবা শৃষ্টি-কর্ত্তা ব্রহ্মাগসু মান্নে, মালেম তাইবং পানববু য়োকপী-থাকপীরিবা অমসুং লাইশিংবুসু ঙাকপী-শেনবীদুনা মখোয়গী উকল পাম্নে (চৈঙাক) ওইরিবা বিষ্ণুগসু মান্নে অমসুং খণ্ডপ্রলয় [Ending dissollution] গী মতমদা সংহার তৌরিবা ''মহেশ্বর'' গসু মান্নে। হায়রিবা হিন্দুগী অচৌবা লাই অহুমসিনা অমত্তা ওইনা পুনববু হিন্দুশিংনা ত্রিমূর্ত্তি [Trimoortti/Trimurti (Trinity)] [BNL, 1988-89, 32] হায়না কৌই। মসিগী মরমদা হায়রিবদি ["Brahma, Vishnu and Mahesh were three gods associated with creation, preservation, destruction of the universe respectively... the concept of Trinity (Trimurti)... [Ibid, 132] অসিনি। মরম অসিনা লাইয়িংথৌ সনামহীসি হিন্দুগী ত্রিমূর্ত্তিগা মান্নে, হায়বদি মসিগী মতীক-মঙম,মহী-ময়াইনচিংবা চেল্লি।

লাইয়িংথৌ অশিবদি লৈশেম-নোংশেমলোনগী ৱারী-শীঙবুনশিং, গুরুগী ফানখোঙকোয়বগী ৱারী-ৱাখোঙ অমসুং থৌনী-লাইশোনশিংদা পন্দুনা শীজিন্নবা অমদি থৌনীবা নত্তনা লাইশঙ-শঙলেন শাদুনা মৈত্রবাক্তা লাৎনদে। মহাক্কী লাংওন লাইয়িংথৌ সনামহীগীদি অকক-অখন্নবশিং অমসুং খ্বাইগী ওইবা লাইশঙশিং কয়ামরুম লৈ। মরম অসিনা লাইয়িংথৌ অশিবগী মতীক-মঙম্নচিংবা পুম্নমক লাইয়িংথৌ সনামহীদা পীশিন্দুনা হায়রিবা লাইয়িংথৌ অসিবুসু তেংবানবা, তাইবং-পানবা অমসুং মখোয়দা লৈরিবা পুম্নমক্কী মবুংঙো/মপু ওইনা শেমগৎ-শাগৎপগী য়ুন্সফমদা থম্বনি।

(২) উমংলাই মাপনগী লাইনীঙ

মৈতৈগী ''উমংলাই মাপনগী লাইনীঙ'' হায়বসি মৈতৈ লৈপাক মণিপুরসিদগী হওজরকপা লাই মাপনখকপু উমং-ৱামং/উয়োক-উকোনগী শরুকপু কোল্লিবা লাইনি হায়দুনা পুন্না লাৎমিন-নীঙমিন্নবগী লাইনীঙনি। মখোয়বু উমং লাই নৎত্রগা মৈতৈনা মশাগী মপোৎ ওইনা লাইনীঙলোনগী পরীংদা পুথোকচবা নীঙনা-লাৎনবগী ময়াই/পোৎশকশিংবু উমংলাই কৌবসিগী অখণ্ড-অহৈ কয়াগী খেন্ন-তোপ্পবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনগী ৱাহন্দোক কয়ামরুম

লৈ। অদুবু মরু ওইনা খঙজবা ব্রাফমদি, হায়রিবা চীংঙু-লাইশিংসিগী লাইকোন-লাইফমশিংদি চীঙগী নৎত্রগা তম্পাক্কী উমং-ব্রামং/উয়োক-উকোন নৎত্রগা খুৎশেম উমংশিংদা নৎত্রগা উ-ব্রানা শুক্লা-মংনা কোয়শিনবা লম(দম) শিংদা লৈ, হায়বসিদা উফম-উচন ওইদুনা লৈ। হায়রিবা লাইনীঙসি লাইয়িংথৌ খাগেম্ব (১৫৯৭-১৬৫২ ইং) না খৃঃ ১৬১৭ কী অদুব্রাইদা হৌদোকপীরম্মী অমসুং লীংখৎপীরম্বনি (চৈ:কু:, ২০০৫,৩৬)। লাইনীঙসি লাইয়াম নীঙ-লাৎপা লাইনীঙলোনগী ব্রাউঙ্ ' ফৈদোম-কাংখুন্দা অমসুং ফিদম 'তুখুন-লীক্লমদা হৌদোকপীরম্বনি।

লাইনীঙসিগী অহানবা য়েলহৎওঙৈগী থাক্তদি হিন্দু লাইনীঙলোনগী ব্রাউঙ্ -ব্রাখল্লোনগী য়ুস্ফম/ফম্বাক্তা শাগৎখিবনি। অদুবু মমৈথংদা টিবেটান বোন লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোন [Tibetan Bon cult and its religious thought and philosophy] না মচু শংদুনা অমসুং মহাউ হাপ্পুনা লাইনীঙলোনসিগী মশক থোক্লকখি। মৈতৈনা মতীক-মথৌনা লৈবা, লৈপাক-নিংথৌগী থৌগায় পুবা অমসুং খ্বাইগী থৌদাং লৌবশিংবু, মৈতৈগী মবুংঙো নিংথৌ খাগেম্বনা লাইগী মহী-ময়াই পুবা অমসুং মতীক-মঙম চেনবনি হায়দুনা "লাইয়িংথৌ" হায়বা মিংথোল লৌখিবা অমদি লৈপাক খ্বাইনসু অয়াবা পীখিবদগী, মখোয়সু লাইগী মতীক-ময়াই লোইনবনি হায়দুনা লৌনখি। মরম অসিনা লৈপাক ব্রায়েল থৌদা তৌরিবা, মরু ওইনা, অঙম-অথৌশিংবু মাগী মাগী লাৎন-নীঙনগদবা লাই অমমম নৎত্রগা মখোয়গী মফম ফমথোন্দুগা মান্নবা, মপা চাবা লাই অমমম লাই-পা [Matching divinity(ies)] ওইনা পীশিল্লি। হায়রিবা উমংলাই মাপন অসিবু লাইয়িংথৌ সনামহীনা লাইগী নিংথৌ/নিংথৌরেন ওইরগা (মথক্কীসিদা, ৯১) পাখংবনা মীগী নিংথৌ ওইবদা মহাক্কী লৈঙাক-খুনঙাক্লোনগী ফমদৌ-খোঙলুপ/ফমলুপ লৈবদুগুম লৈহন্দুনা শেম-শাই। হায়রিবা খোঙলুপ/ফমলুপ-ফমদৌশিংদুগী লাইপাশিং, মখোয়গী হৌরকফম্লচিংবদু মখাদা থমজরিঃ-

মশীং	লাইমিং	মমলুপ	থোক্লকফম	মখৌ-মওম	লাইচং
১	মুন্না নিংথৌ	য়াইস্কুল লাকপা	গুরুগী মিং য়েত্তগী	য়াইস্কুল লৈয়াংকী লৈঙাক-ৱায়েল-থৌদাগী মপুনি।	কোঞ্জিন তিংথোকপা (পাখংবা) গী লাইচংনি
২	লাইখ্রিংথৌ-হনবা	খুরাই লাকপা	গুরুগী মিং ওয়দগী	খুরাই লৈয়াংকী লৈঙাক ৱায়েল-থৌদাগী মপু ওইবনি।	অশিবগী লাইচংনি।
৩	নাউকল	খ্বাইরাকপা	গুরুগী নাকোং ওইদগী	খ্বাই লৈয়াংকী লৈঙাক-ৱায়েল থৌদাগী মপুনি।	কোঞ্জিন তিংথোকপগী লাইচংনি
৪	মোংবহনবা	ৱাংখৈরাকপা	গুরুগী নাকোং য়েত্তগী	ৱাংখৈ লৈয়াংকী লৈঙাক-ৱায়েল থৌদাগী মপুনি।	অশিবগী লাইচংনি, য়োইমোংবনি।
৫	চাখাবা	পুক্ৰনবা	গুরুগী য়েংথংবা নাতোন মখুন্দগী	চীঙ্গাক অমসুং হিংবা-পানবদা চঙবা পোংলমশিং শীবা অমসুং তম্বগী মপুনি।	অতিয়া শিদবগী লাইচংনি
৬	কৌবরেন (কৌবু/কৌবা)	চোঙখানবা হঞ্জবা	গুরুগী ওয়থংবা নাতোন মখুন	লৈপাক-নিংথৌগী মেঙ, পে, শেকপিল্লচিংবা পুবা, শীবা খনবগী মিনিষ্টর	অতিয়া গুরু শিদবগী লাইচংনি
৭	খল্লাংবা	নোংখোনবা	গুরুগী য়ানুং	লৈপাক্কী শেন-থুমগী থৌরম পুবা মিনিষ্টর অমসুং খ: ১৭০৯-৪৮ গী মমাঙদদি চিফ মিনিষ্টর	লাইয়িংথৌ পাখংবগী লাইচংনি। লাইয়িংথৌসিনা য়োংশুং য়োংশা অমসুং য়োংকী মপু ওইবসিনা শ্রাম্মা নাট (লাই)শিংগী মবুংঙো মন (লোর্ড) মহাগিরী কৌবা মাউন্ট মেরু/পোপাদা লৈবদুগা চাংদম্লবা য়াই।
৮	লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা	অহল্লুপ লাকপা	গুরুগী ফিনুং হকচাং-কায়াংকী মতোন্দগী	মণিপুর তম্পাক্কী অৱাং-নোংচুপ থংবা মশুঙ অহল্লুপ পানা/ডিবি-জনগী ৱায়েন-থৌদাগী মপুনি	অতিয়াগুরু শিদবগী লাইচংনি। মহাকপু লুৱাং য়েক-শল্লাই পোকপা হোঙ্নেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা হায়না খঙনৈ।
৯	মারজিং মারচীঙ/মারজীং	হিয়াঙলোই হঞ্জবা	গুরুগী লৱাই লেম্ফুন্দগী	লৈপাক-নিংথৌগী হিয়াঙ-হিরেন/হিনাচিংবা শীবা, হিরোই পান্নবা, অমসুং ঈশিং লম্বীগী থৌবুবা।	অতিয়া গুরু শিদবগী লাইচংনি মণিপুরগী চীঙখৈ ঙাকপা লাইনি।

হায়রিবা উমংলাই মাপনগী লাইনীঙসিদা লাইশিং অসি মৈতৈ উমংলাই খুদিংক্কী লাইবুংদা লাৎলিবা লাইদুগা শাগোন্নরিবা "লাইবংথৌ/লাইবুংথৌ/লাই-ঈবুংথৌ/ইবুধৌ মাপন অমসুং লাই নুরা তরেৎ" হায়বসিদা য়াওরিবা লাইবুংথৌ মাপনসিগা মান্নবনি। অদুগা মতুং তারকপা মতমদা লাই মাপনসিগী লাই অমমমসিগী মশা-মশাগী ওইবা লাইকোন-লাইফম [Shrine] লীংখৎ-শেমগত্তুনা লাৎনরকখি। উমং-লাই মাপনসি অহানবা ওইনা ঈরাৎ-থৌনি তৌখিবগী লমদাংদা থম্বীরম্লিবা ৱারোনদি মখাগীসিনিঃ-

লাইশ্রম মাইতেক্কী কুম শক ১৫৫৩ লাইনিংথৌ খাগীঙম্বনা লমদা থা ১০(৫) পানবা য়ুমশকৈশ [খৃঃ ১৬৩২ গী এপ্রিলগী অনিশুবা চয়োন] দা কংলা হৎওএ। তান্না হোঙএ। কৌব্রুনচিংবা লাই খিবিকপু কুচুদা ফীজং খন্দুনা ইরোই ১০০, হামেং ১০০, য়াউ ১০০, শন ১০০, কাঙঙা ১০০, ঙানু, ১০০, খুনু ১০০, য়েন ১০০, ওক ১০০, হুই ১০০, হৈ-লৈ লৈরিবা খিবিকপু মশিং ১০০/১০০, শীং মরম খৈবিকপু মশিং ১০০/১০০, থীঙম হায়মদনা থৌনীদুনা পুন্সি লৈনিএ, লাইবু খোং চিংএ [চৈ: কু: ২০০৫, ৩৮]।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

লাইনীঙ মনাৎসিগী ওইরিবা লাইশিংসিনা মতমদুগী নৎত্রগা মণিপুরনা নিংথৌ পাল্লিঙৈ, নিংথৌনা লৈঙাক-ৱায়েল-থৌদারিঙৈ মতমগী লৈঙাক্লোনগী ফমদৌ ফম্বৈশিংগা চাংদম্নুনা অমসুং মান্ননা পীবীরম্লিবসিনা লাইনীঙসিগী লাইনীঙলোনসি লৈঙাক-খুনঙাকলোনগী পরম অমসুং পরীংদা খুৎ থিন্দুনা লৈ। হায়রিবা লাইশিংসিনা নৎত্রগা মখোয়গী মরক্তগী অমনা মৈতৈ-নিংথৌ মৈদিংঙু অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংদা ঙাকপী-শেনবীবা/শেনবী-কোনবীবা লাইশিং/লাই [Guardian deity (ies)/God(s) (মখোয়দুদি, য়ুমজাও-লাইরেম্মা, পাখংবা অমসুং নোংশাবা অহুমসিনি] নৎত্রবসু/ওইদ্রবসু মখোয়সিগী লাইনীঙসি হৌদোক-লিংখৎলকপগী মতম অদুৱাইদা নৎত্রগা মতুং তারকপা মতমশিংদা মৈতৈ নিংথৌগী ঙাকশেন-থৌশিন অমসুং চেকশিন-থৌরাংগী লাইশিং ওইনা মৈদিংঙুগী লৈঙাক-ৱায়েল-থৌদাদা তেংবাং-লাইশিং ওইনা উহল্লি।

মৈতৈ উমংলাই মাপনসিনা থোক্লকপা/হৎওরকপগী গুরুগী হকচাংগী কয়াৎশিং পীরিবসিনা পীরিবা ৱারমদি মৈতৈনা মখোয়গী লাইশিংবু মীওইবগী

শারেপ-শাবান, মওং-মতৌ অমসুং ফিভম-ফিরেপ্তা লৈবা ওইনা লৌই, হায়বসিনি অমসুং অসুম্না মীওইবগী মূর্ত্তি [Anthropomorphic form, figure, feature, posture, etc.] দা অফবা লাইশিংবু নীঙন-লাৎনবা অমসুং অকিবগী শক্তম [Terrific appearence], মীওই-লাল্লুপ চাদবা শকফম [Unhuman posture and countenance], অসিনচিংবা, লাই ফত্তবশিংবু কিনবসিদি জগৎসিগী জাতি-কাঙলুপ পুম্নমক্কী/খুদিংমক্কী মচৎ/মহৌশা ওইদুনা লৈরিবনি। মখোয়বু মী/মীওইবা ওইনা লেপহন/লৈহনবা [Personification of divinity(ies) in human physical feature/structure] অসিদদি মৈতৈগীসু হিন্দুগীসু অদুম্মক চপ মান্নে অদুবু হিন্দুগী লাই খরদা মকোক কোকলোঙ ওইবা, মখুং-মপান্নোম খুৎলোঙ-পান্নোমলোঙ পানগুম্বসিদি মৈতৈ-লাইনীঙলোনগী লাইশিংদা উবা ফংদে অমসুং মসি কনফুসিয়ানিজম [Confucianism], গী ৱায়েল-ৱাখল লৈবননি, হায়জনিংই। অদুম ওইনমক লাইখুরেম্বীদা লাইখুৎলোঙবী ওইহনবগী ৱাখল্লোন অমদি পীশিল্লি, কুইনদি চৎনখিদে।

মৈতৈগী উমংলাই মাপনসিনা তাইবং পানবা-মপু-শিদবা অতিয়া গুরু শিদবগী হকচাংদগী থোক্লকপসি মথোক্লক লমচৎ অসি শ্রীক্ষীরোদশাই ভগবান বিষ্ণুগী খোয়দৌদগী হৌরকপা থম্বালদগী শৃষ্টি কর্ত্তা ব্রহ্মানা পোক্লকপগী মওং মচৎকা মান্নদে মান্নরিবদিঃ-

কল্প-না লোইরকপা মহাপ্রলয়গী মতমদা বিষ্ণু ভগবাননা ক্ষীরসাগরদা শেষ-শয্যাগী মথক্তা তুমদুনা লৈরম্মী। মাগী মনাকোংদগী মধু অমসুং কৈটভ হায়না কৌবা দৈত্য অনি পোকখি। মখোয়না ভগবান নারায়নগী শক্তিদগী পোক্লকপা থম্বাল মথক্তা ফমদোংলিবা ব্রহ্মাবু হাৎকে থৌরাং তৌখি (খঃচঃসঃ, ১৯৯৪, ৬),

অসিনি। অদগা মসিদগী হেন্না মান্নরিবা হিন্দুগী বণ/য়েক (Colour) মরিনা লৈশেম-নোংশেম্বা মপুগী হকচাং-কয়াৎশিংদগী থোরকখিবগী মওং মতৌদুনি। মসিগী পীবীরল্লিবা মওং-মচত্তুদি মখাগীসিনিঃ-

ব্রাহ্মণোঽস্য মুখমাসীদ্ বাহূ রাজন্যঃ কৃতঃ
উরূ তদস্য যদ্বৈশ্যঃ পদ্ভ্যাং সূদ্রোঽজ্প জায়ত ॥
(ঋগবেদ, ১০, ৯০, ১২ ১সুং যজুরবেদ, ৱাজ, ৩১,১১,)

ৱাহন্দোকঃ-

"লৈশেম নোংশেম্না মপুগী য়ানুংদগী/চীন্দগী ব্রাহ্মণ, পাম্বোমদগী নিংথৌ, লৈঙাক থৌবুবা ক্ষেত্রি, ফৈগন্দগী বৈশ্য অমসুং খোঙদগী সূদ্র হৌরকখি।"

হায়জরিবসি ঋগবেদগী পুরুষ মণ্ডল অমসুং সূক্ত (১০, ৯০, ১২) নি, অথেংবা মতম তাংকক্তা পুথোক্লকপা লাইশোননি হায়না পীদুনা মখাগীসি ওইনা ঈঙ্গ্রেজিদা হন্দোকপীরম্মী–

The Purushhasookta (X,: 10, 90, 12), which states the Brahmans, Kshetriyas, Vaishyas and Soodras originated respectively from the mouth, arms, thighs and feet of the Creator.

(R.S.T.,1987, 48).

(৩) মাইকৈ-ঙাকপা লাইশিংগী লাইনীঙ

মৈতৈগী মায়কৈ-ঙাকপা লাইশিংগী লাইনীঙ (The cult of 4 directional boundaries/borders presiding gods' worship) হায়বসি মৈতৈ লৈপাক মণিপুরগী নিংথৌপানবা লৈপাক্কুগী লমকনগী লমখৈ/ঙমখৈগী লমদমশিং অদুবু ঙাক্লি-শেলিলবা নৎত্রগা শঙলি-পান্নরিবা অমসুং মফমদুদা মায়কৈ অদোমগী ঙাক্লি-শেল্লিবা লাইশিংবু ঈরাৎ-থৌনী, খুরুম-খাজঙবনচিংবা তৌবগী মচৎ-মনাৎ অদুবুনি। মসি মৈতৈ লাইনীঙলোনগী ৱাউঙ' শীন্দম-শীন্থা-শঙগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্দা লৈরিবা/তারিবা লাইনীঙ পরৈগী মমি অমসুং মচুগী চুদানা পীরিবা ৱাখল, মৈতৈনা খুন্দা-লৈতারিবা লমকনশিংগী লমখৈ নৎত্রগা মণিপুর তম্পাক, ইম্ফাল/মণিপুর তুরেনগী ঈতিল্লবা অমসুং মঙোন্দগী ঈখায়খিবা তুরেল, খোংলম, তুখুন-তুরম্না কোল্লিবা, ঈশিং পীরিবা লমদমশিংগী ঙমখৈদা লাইশিংসিবু থমদুনা/লৈহন্দুনা নৎত্রগা খুন্থোক-খুন্দাহন্দুনা, মখোয়গী লৈফম, ময়ুম-মকাইফম/মশাইগোন নৎত্রগা লাইকোন/লাইফম/লাইবুঙ-লাকথোঙ লীংদুনা লমদম অদুগী অকোয়বদা নৎত্রগা মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা মীশিংবু য়োকপী-থাকপীদুনা, কোনবী-শেনবীদুনা অমসুং মপান লৈপাক্কী/লমগী লাই ফত্তবশিং চঙলকপা, মখোয়না কাপশিল্লকপা-থাজিল্লকপা হীকাপ-য়াইকাপ, য়াইথা-য়াইয়ৈ/লাইয়ৈনচিংবা ঙাকথোক-কন্থোক্তুনা ঙাক্লি-শঙলিবা লমখৈ/ঙমখৈ ঙাকপা লাইশিংগী লাইনীঙনি।

ইতিহাসকী ঈপাক্তা তিনখ্রবা মনীঙ-মখা তম্লা মতোমতা লৈঙাক ব্রায়েল-থৌদাজবা, কনাগীসু মখা থাদনা হাইনা হুম্লা পাঞ্জবা, মনীঙ মখা তম্বা, খৃঃ ১৮৯১ মমাঙগী মণিপুর অমসুং মখা শমথরক্কুনা খৃঃ ১৯৪৯ ফাওবদা লৈরম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক মণিপুরগী মায়কৈ ঙাকপা লাইশিং, মরু ওইনা মশীঙ মরিখক লৈরম্মী। মখোয়সি অফবা, থৌজান-লনকু পীবিবা মৈতৈগী লৈপাক নিংথৌ অয়োক-অকন তৌবীবা, মৈত্রবাক/মণিপুরদা লৈপাক মরা তপ্লা পান্নবা, লৈপাক লাংবা, কায়বা অমসুং খুন্তাকপা থোকহনবীদনবা, চাওখৎ-খোঙথাং অমসুং লনগৈ-থুমগৈ থলহন্নবদা খুমাঙ চাওশিন্নবা, লৈমা-নিংথৌ পুন্সিনবা, লৈঙাক-খুনঙাক্তা শাফহন্নবা, অসিনচিংবা হীরমশিংদা ফাওবা থোকহনবীদবা পীবিবা লাইশিং ওইনা লাৎন-নীঙনরম্মী। উমংলাই মাপনগী লাইনীঙ লীংখৎপগা থংমুন-নাউমুন ওইরম্বা য়াই। হায়রিবা লাই মরিসিগী লাইফম, মাইকৈনচিংবগী ব্রাফম খর মখাদা টেবুলেসনগী মওং-মতৌদা থমজরি।ঃ-

মশীঙ	মৈতৈ লাইগী মমিং	ঙাক্লিবা/পুরিবা মায়কৈ	অশেংবা খুবম লৈরিবা মফম অমসুং ডিষ্ট্রিক্ক	খুবম য়ারিবা মফম অমসুং ডিষ্ট্রিক	মান্নবা হিন্দু লাই	মরোন লোনফম
১।	ব্রাংব্রেন খানাচাওবা	মৈরম নৎত্রগা খা-নোংপোক্কী লমখৈ/ ঙমখৈ	তুম্বী চীঙগী চীঙথক, চুরাচান্দপুর ডিষ্ট্রিক, শুগ্নুগী তুরেন ব্রাংদা কিঃমিঃ ৪/৫ চৎলগা লৈবা চীঙনি।	শুগ্নু খুঞ্জাওগী কৈথেল মনাক থৌবাল ডিস্ট্রিক, ব্রাঙ্গোই, ইম্ফাল ব্রাষ্ট ডিস্ট্রিক	১। বরুন ২। যম	১। ঈশিংগী লাই ২। অশিবগী লাই অমসুং অচুম্বা লেপ্পগী লাইনি।
২।	থাংজীং কোয়রেন লাই/ নিংথৌবা	শাম্বোঙ নৎত্রগা থাঙহি-ঙাংঙোই নৎত্রগা-খা নোংচুপকী লমখৈ	থাংজীং চীঙজাওগী চীঙদোন চুরাচান্দপুর ডিষ্ট্রিক	মোইরাং কংলৈ বিষ্ণুপুর/ বিশেনপুর ডিষ্ট্রিক	১। বিষ্ণু ২। কৃষ্ণ	১। অকোয়বা খুৎলাই পায়বা, চক্র (wheel/ discus) শীজিন্নবা লাইয়িংথৌনি।
৩।	কৌবরেন/ কৌব্রু	লীক্লম নৎত্রগা কৌব্রু লাইজী নৎত্রগা অব্রাং-নোং-চুকী লমখৈ	কৌব্রু চীঙজাওগী অব্রাংবা চীঙদোন, সেনাপতি ডিষ্ট্রিক	অব্রাং শেকমাই, ফয়েং, ফুমলৌ, অব্রাং পোৎশংবম, হাওরং-শাবন, তাউথোং, কমেং, লম্বান অসিনচিংবা ইম্ফাল ব্রেষ্ট ডিষ্ট্রিককী মফম ২৬।	১। কুবের	লন-থুম, হী-য়াই চারীক নোংথৈ, পুহামনচিংবা থোকপা ফংবা লাইয়িংথৌসিগী লমখৈনি।

৪।	মারজীং	চীঙখৈ নৎত্রগা অরাং নোংপোক্কী লমখৈ	হৈঙাং-চীঙগী চীঙদোন, সেনাপতি ডিষ্ট্রিক	ইম্ফাল ঈষ্ট ডিষ্ট্রিক্কী মফম কয়ামুক অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্কী ইম্ফাল তুরেনগী নোংচুপথংবা তোর্ব্বানগী পরেংদা তাবা লম খর।	গৌতমী পুত্র সিদ্ধার্থ	শাগোলগী অমসুং শাগোল তোংবা/ থৌবা অমদি শ।গোলগা মরী লৈনবা থৌরম ৱারমশিংগী লাই ওইবা লাইয়িংথৌনি।

হায়রিবা মায়কৈ ঙাকপা লাই মরিসি পুন্না মথং-মনাউ নাইনা লাইশোন-তীনশোন্দুনা লাৎপসি শরোই খাংবা হায়বা থৌরমসি য়াওবা খুদিংমক্তা তৌনৈ। মখোয়না চৎপা-কোয়বা, ফম্বা-লৈবনচিংবা পুম্নমক্তা শরোইশিংনা ইন্নদুনা লৈ। মখোয় অমমমগী মরুওইবা শারোইশিং মশীঙ ৬১ (হুমফুমাথোই)/৬১ শুই (রঃমঃ ১৯৭৭, ১৫৪-৫৫)। মায়কৈ ঙাকপা লাই মরিসি অমমমতা/নাইতোম-নাইতোম ওইনসু লাৎনৈ অমসুং নীঙনৈ। মখোয়সিগী মনুং-খ্বাইদগী হেন্না কিনবা লাইসি, ৱাংব্রেন খানা চাওবনি।

মচৎ-মান্নবশিং (Similarities)

মায়কৈ ঙাকপা লাই মরিগী লাইনীঙসিদা খানা চাওবা ৱাংব্রেনসিনা খ্বাইদগী হেন্না মহাকপু নীঙজ-লাৎচবা অমসুং ঈরাৎ-থৌনী তৌজবশিংদা চানবী হৈবা, পীনহৈবা অমসুং অফবা পীবা লাই ওইরবসু খ্বাইনদি অকিবগী মশক ওইনা লৌনবসি মথক্তা পঞ্জখ্রে অদুবু লৈপাক নিংথৌগী ওইনদি অতৈ অহুমসিদগী হেন্না মরু ওইবা লাইয়িংথৌ ওইনা লৌনৈ, মহাক্কী লাইকোন্দা মৈতৈ নিংথৌশিংগী মিতম-উ [Representative plant of the astral body of the kings(s)] শিং থানৈ। মৈত্রবাক্তা ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিবা খুদিংমকসিসু মহাক্না ঈশিংগী লাই ওইবনা মহাক্না লৌদুনা (লাইনা লৌবা, হায়) শিবনি, হায়না, মৈতৈনা লৌনৈ [অঃশঃরঃ, ১৯৪২, ২২১]। লাইয়িংথৌসিগী লাৎপগী থৌদাংদি "শুগ্ন হঞ্জবা" হায়বা শুগ্ন খুনগী খুল্লাকপসিনা লৌই অমসুং লাইথৌ থৌরম পুম্নমক অমত্তা চিংখদনা, থাদোক-হুন্দোক্তনা অমসুং কায়দনা মহাক্না পাংথোই অমসুং পুই। মরম অদুনা মহাকসি ৱাংব্রেন হায়রিবা ঈশিংগী লাইসিগা মতম পুম্নমক্তা লোইনদুনা লৈ-চৎলি হায়না কন্না থাজনৈ। ৱাংব্রেনসিনা

ঈশিংদা শিবা মখৈ মহাক্কী থৌশিল্লা ওইবা ঈশিংগী অমসুং অশিবগী লাই অনিমক তুনা ওইবসিনা শুগ্নু হঞ্জবসিনা ইম্ফালদা কারকপা/লাকপা মতমদা ইম্ফাল মচা কনা অমত্তনসু তুরেন্দা, পাত্তা নৎত্রগা ময়ুমগী/খুঙ্গংগী মপান্দা লৈবা পুখ্রিদা ঈরুজবা চৎনদে অমসুং শুগ্নু হঞ্জবগী মমাঙদা ঈশিং মখুৎনা ফাওবা শোক্ল-থেংনদে [মথক্কীসিদা, ২২১]। মরম অসিনা মৈতৈ-লাই ৰাংব্রেনসি হিন্দুগী অশি' লৈপাক্কী নিংথৌ অমসুং অশিবগী থৰাই লৌদুনা পুখিবা নৎত্রগা অচঙবা/অহিংবা মীবু মথৰাই লৌথোক্তুনা শিহনবা যম/কাল হায়বা লাইদুগী মতিক-মঙম, পুকচেন-লীংজেন্নচিংবা চেল্লি হায়না হিন্দু বৈষ্ণবশিংনা লৌই অমসুং চাংদম্লে।

অতোপ্পা ৰাখল্লোন অমদা মৈতৈশিংনা হিন্দুনা বৈষ্ণব অমসুং শৈব, শাক্ত, জৈন, বৌদ্ধ উপাশক/সাধক/ভক্ত [Worshipper/aspirant/devotee] শিংগুম্না খা নৎত্রগা মখা থংবা মায়কৈসিবু অশিবগী লৈপাক্লা লৈবা মায়কৈ ওইনা লৌই [খুদম, খোংজোমনুপী নোঙ্গারোন, চোথে থাংৰাই পাখংবা, অসিনচিংবা মৈতৈ লাইরিকশিংদা য়েংবীয়ু]। অদুগা লাইয়িংথৌ ৰাংব্রেন্না পুরি-কোল্লিবা লমসি খা নৎত্রগা মৈরম/খা-নোংপোক্কী লমদমশিংনি অমসুং মহাক্কী লাইকোন লাইফমসি খা/মৈরমদা, মণিপুর তম্পাক্কী খা-মৈরমগী লমখৈদা অমসুং ইম্ফাল তুরেননা মণিপুর তম্পাক থাদোক্লমদায়গী মফম অমসুং লমদমশিংবু মৈতৈ লাইনীঙলোনগী শৈথারোনগী অমসুং লাইরিক-লাইশুরোনগী ৰাহৈ-ৰাতাদা 'লাইজ ঈমই খৈবা'' হায়বদি ঈচেন্না লোয়শিল্লকপা লমদম হায়না পী/পল্লি। মৈত্রবাক্কী লমদমসিবু লৈথক [কৌব্রুদগী লমফেল পাৎকী অৰাং ফাওবা], লৈয়াঈ [লম্ফেল পাত্তগী থৌবাল/ময়াং ইম্ফাল ফাওবা], লৈখা থৌবাল/ময়াং ইম্ফালদগী শুগ্নু-শেরৌ ফাওবা] অমসুং লৈনুং/খম্নুং [শুগ্নু-শেরৌদগী মণিপুর চীঙলোনশিং অমসুং মসিশিংসিগী খারোমদা শন্দোকখ্রিবা লমশিং অমদি মসিগী কোনুংসি খম্নুং শৰাদা ওইবগুম পী] হায়না মৈতৈ লাইনীঙ-লৈয়াৎলোন্না খায়রিবসিগী অশি'লৈপাক, খম্নুং/লৈনুংগা হেক তাইনরিবা লৈখা [Nether] লমদমগী অরোয়বা থরৈগী মখা লেমলৈগী লৈয়াৎসিদা লাইয়িংথৌ ৰাব্রেনগী লাইকোন-মশাইগোনসি লৈ। অদুনা মহাকপু খা মায়কৈদা হাইনা হুম্না পাল্লিবা ''খানা চাওবা ৰাংব্রেন'' হায়না মিংথোন্নৈ। অদুগা অমুক খা মায়কৈদা অশিবগী

লৈপাক্কা থংননা পাল্লিবা, হাৎকে ঙম্বা, কনবীগে ঙম্বা লাই ওইনা হিন্দুগী হাৎকে তুপকে ঙম্বা, হাৎপা তুপ্পদা মনীঙ তম্বা লাই "কাল" (যম্বরাজগী শাখীরবা শক্লোননি) হায়বদুগা চাংদম্নরি অমসুং মান্নবনি হায়না পীরি।

মায়কৈ অমরোমদা অমুক মৈতৈগী লাইয়িংথৌ ৱাংব্রেনসি অচুম্বা ৱায়েল-থৌদাগী লমদাংদা ধর্ম্মরাজ যম Yama, the truthful judge] গা চাংদম্নদুনা মান্নবগী মতৌদু উৎলি [মথক্কীসিদা, ২২২]। হায়রিবা ৱাফমসি লমতা থাঙজা অহানবা শারোই খাঙবগী লাইশোন্দা ৱাংব্রেনগী শরোই খাঙবগী লাইশোন-মরোনসিনসু ফোংদোক্লি, মদুদিঃ- ৱাংব্রেন শরোই ৬১মক, (লাইবুং) শরোই ৯মক! ইবুংঙো ৱাংব্রেনগী কংলৈ মশুম্মাঙদা-ইবুংঙো চীঙঙুবা উমংলাই ৭৬১গা শরোই ৩৬১ গা খুন্দিন্নৈ হায়য়ে... ফত্তবা মখৈবু লমলেন চীংনুং হুত্তংঙা [চীঙনুংহুৎ (the terminal point of the valley course of the Imphal river from where the hilly course of the river starts)] কৌবা লমদা হোইথবীয়ো, ৱাংব্রেন খানা চাউবা ইবুংঙোগী কংলৈ মশুম্মাঙদা নহান নোংমগী পাম্বা কৈরেন মমা-মচা লৈ হায়এ, থৌদু নুঙপাক মথক্তা মমা মচানা কোরফেল কোরফাল থক্তা চোয় কাইদোয় শিবী, মনম নুংশা য়াইদুনা লৈএ, মদুদা ৱাইথুংহনবীয়ু, অরেম্বনা চীঙনুং হুত্তংঙাদা হোইথবীয়ু, নুঙগী পোরোন লোনবীয়ু হায়না ইবুধৌ ৩ [ৱাংব্রেন, সনামহী অমসুং লোকনিংথৌ] মক্তা খুরুমজরি য়ে, ...। (রাঃমঃ, ১৯৭৭, ১৫৫) অসিনি। অতৈ মায়কৈ ঙাকপা লাই ৩দদি অসুম্না হায়দে, চুম্না ৱাংব্রেনগী কংলৈ মশুম্মাঙদা নৎত্রগা চীঙনুংহুত্তা হোইথবীশ্রো হায়বসিদনি। লাইয়িংথৌ ৱাংব্রেনগী মফমদা লাক্লিবা থৱাই পানবদু কৈ মপী মচা অনীসিনা চীকপা/চাবা নৎত্রগা চাদবা, চীক্তুনা অরানবা নৎত্রগা অচুম্বগী ৱায়েল মথং শীৎনা তৌখিগনি। মসি লাইয়িংথৌ ৱাংব্রেনগী থৌশিন-থৌরাংনি। মরম অসিনা অশি'লৈপাক্তা লাক্লবা তাইবং-থৱাইবু হিন্দু বৈষ্ণবনা, ধর্ম্মরাজ যমনা অচুম্বা ৱায়েল তৌরগা মাগী মাগী চৈরাক পীবগুম মৈতৈগী লাইয়িংথৌ ৱাংব্রেন্নসু শিরুরো থারকপা নৎত্রগা অশি'থৱাইবু ৱায়েল্লগা অশি'লৈপাক লৈনুং/খম্নুংদা থাই। হায়রিবশিং অসিনা লাইয়িংথৌ ৱাংব্রেনসি অচুম্বা ৱায়েন তৌবগী লমদাংদা হিন্দুগী ধর্মরাজ যমগা মান্নৈ।

ব্বাংব্রেনগা বরুণগা মান্নবাঃ হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনগী বরুণ হয়রিবা লাই অসি শ্বগ বেদ মতমগী লাইশিংগী মরক্তা অথোইবা লাই হায়বদি ইন্দ্রনা লাইগী নিংথৌ ওইবসিগুম থাক ব্বাংলম্বা লাইনি। মহাক্কী মরমদা পীবীরম্বশিংদিঃ-

Varuna was the most sublime deity of the of the early vedic pantheon. He was very powerful god. He was regarded as being in charge of truth and upholder of physical and moral order symbolized in rite. The Varuna hymns are predominantly ethical and devout in the Rigveda. He is supposed to have a golden abode in heaven. He made a wide path for the sun. The wind which resounds through the air was Varuna's breath. He regulated waters and caused the rivers to flow. He supported heaven, earth and air. He stood out pre-eminently as the moral governor among all the deities. He was supposed to enjoy the overlordship of the cosmic waters. He was conceived as the omniscient ruler of the universe, no sinner could escape his vigilant eye. To him people turned for forgiveness of sin just as they did to Vishnu in later age [B.N.L., 1988-89, 92].

Emergence of new Deities:-

The old gods Agni, Varuna, Indra, Surya were worshipped by the people with less zeal. Thus the lustre of older Rigvedic gods were gradually growing dim, though here and there, especially in, Atharvaveda, we find magnificent hymns celebrating the omniscience of, Varuna or the beneficence of the Earth goddess.... [মথক্কীসিদা, 116]।

অসিশিংসিনি। অদুনা বরুণ দেবতাগী শ্বগ মতুংগী বেদশিং [যজুর, সাম অমসুং আথর্ব্ব] গী মতমদা চথরকপা ফিভমসিদা ঈশিং-লাই ওইবদুদি হোংদ্রগা লাইওই-তীনওইনা হিংচা-য়াইতম্বগী শক্লোন্দা চোংথোক্লকপগী মমিদা অফবনা ফত্তবা ওলহনখিবগী পরমদুদা ব্বাংব্রেনবু ঈশিংগী লাই ওইনা বরুণ দেবতা, হিন্দু বৈষ্ণবকী অকিবগী শক্তম পুবা ঈশিংগী লাই বরুণগা মান্নবগী মতীক-মঙম্লচিংববু পীরি। [অঃশঃবঃ, ১, ১৯৪২, ২২০-৩১]।

অতৈ মায়কৈ ঙাকপা লাই অহুমঃ- অতৈ মায়কৈ ঙাকপা লাই অহুম থাংজিং, কৌব্রু, মারজিং- অসিসু মাগী মাগী মতিক-মঙম, মহী-ময়াই, মথৌ-মশীন, থৌদা-থৌদাংনচিংবগী হিরমশিংদা মান্নবা অমসুং লৌশংপা য়াবা হিরমগী মতুংইন্না মাগী মাগী মান্নবা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙগী লাইশিং মথক্তা উৎচখিবদুনি। অদুবু লাইয়িংথৌ মারজীংকী মতাংদা "গোতমী পুত্র সিদ্ধার্থ গৌতম" হায়বসি মহাক্কী মপুন্সিগী তুংলমচত্তা ভগবান বুদ্ধ (দেব) হায়দুনা হৌজিক্কী মালেমসিগী অপূনবা মীশীঙগী শরুক অহুম থোকপগী অমনা চৎনরিবা বুদ্ধ/বৌদ্ধ ধর্ম্ম হৌদোক্লিবা অরান-খুবম ফংলবা নৎত্রগা পুক্লীঙগী মৈচম-মৈরানা থম্মোই অমসুং ৱাখলবু ঙাওহল্লম্বা কোক্লবা মীশক্কুনি। অদুবু কাউবীরোইদবদি বৌদ্ধ ধর্ম্মগী বুধদেবসি হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্ম শাখাগী শ্রীবিষ্ণুগী মরু ওইবা অবতার তরাগী মনুংদা ৯শুবদা লৈরিবা "কেশব ধৃত বুদ্ধ শরীর" বিষ্ণু ভগবাননা বুদ্ধগী হকচাং ওইনা পোকপীরকপা হায়বদুনি। মহাক্না মী ওইনা লৈরিঙৈদা বুদ্ধগী হকচাংসি ফংননবা ময়ুমদগী শগোল তোংদুনা, হায়বদি, শগোলবু লাক্কুনা মহাক্না চৎহন্নীঙবা মাগী লম্বীদা পুরক্কুনা লাকখি অমসুং মতুংদা অরাম-খুভম ফংখি। অদুগুম্না লাইয়িংথৌ মারজীংবু লাকঙম ফাঙমদ্রবা অপাইবা শগোল, শামদোন অয়াঙববু ফাদুনা মশোং-মকোই ফোয়, মতু-মমান কক্কুনা অমসুং য়াঙ্গোই শাবোৎ হাপ্তুনা শীজিন্নখি। অদুনা মান্নবা লমদাংসিদা মৈতৈ অহল লমন্না থাঙ্গৎলম্বা ৱাফম্নি।

হিন্দুগী মায়কৈ ঙাকপা লাইশিংঃ- হিন্দুশিংদা মায়কৈ ঙাকপা লাইশিংগী ৱাখল লাকপসি মখোয়গী চাওখৎ-মনাৎ [Civilization] কী থেংলবা মতম আর্য্যশিংবু সিন্ধ/হিন্দ/ইন্দ কৌরমদায়গী মতম, হায়বদি মেসেডোনিয়ান [Macedonian] নিংথৌরেন গ্রীক সম্রাজবাদী আলেক্সজেণ্ডর [খৃঃ মাঙঃ ৩৩৬-৩২৩] না ভারত্তা লান্দারক্ল মদায়গী মমাঙ [খৃঃ মাঙঃ ৩২৭ তগী লান্দারকখি] অদুৱাইদনি। মায়কৈ ঙাকপা লাই ওইরক্লিবশিংসিগী মরমদা ইতিহাসনা থম্বীরম্বা ৱারোন্দিঃ-

Yakshas were regarded as the attendants of the greater gods and sometimes as objects of reverence. They gradually acquired prominence. Manibhadra and Purnabhadra were two well-known Yakshas. Their worshippers are referred to in the

Buddhist literature. Manibhadra appeared as the chief attendant of Kubera and he was called Yakshendra, Dhanapati, etc. Later on Yakshas were regarded as DIKPALS (guardians of the four quarters) [B.N.L., 1988-89, 225].

The worship of Dikpala ... etc. was fairly common among the lower classes of the population. The Dikpalas were conceived as the gurardians of the four major and four minor quarters: they are Indra (the Lord of the East), Yama (the Lord of the South), Varuna (of the West), and Kubera (of the North), Agni (of the South-east), Nirriti (of the South west), Vayu (of the North-west) and Isana (of the North-east). Indra and Agni, important powerful Gods of vedic period are relegated to the position of guardians of quarters. The figures of these Ashta Dikpalas are found observed on the outside walls of Vaishnava and Saiva temples. (Ibid, 358)

অসিনি। হায়রিবা হিন্দুগী ব্রাখল্লোনসিগা মৈতেগী মায়কৈ ঙাকপা লাইয়িংথৌ মরি লৈবসিগা ব্রাখল্লোন মান্নে। পুম্মান/চপ মান্নবা হায়বসি খক ওইথোক্কবা ওইবনা খর খেন্নরবসু মান্নবা ওইনদি শীঙথাগনি।

(৪) লাইয়িংথৌ নোংশাবগী লাইনীঙ

"লাইয়িংথৌ নোংশাবা" হায়বা মমিংসিগী অকক্লবা মিংলেন ওইরিবা 'নোংশাবা' হায়বসিদা লাইয়িংথৌসিগী শক্তম লাংলিবা মওং-মতৌ, ফিভম, শকফম, অসিনচিংবনা ব্রাখল্লোনগী ঈথিন অমা পীরি। ব্রাহৈসিগী ব্রাহন্দোকসি- 'থেঙ্গ্রা' হায়রগা থেঙ্গুরাবা/থেঙ্গু লাবা" খঙনবগুম 'নোংশাবা' হায়রগা নোংশা লাবা' খঙনরিব্রা; 'নোং, হায়বদি ঈশিং মরীক তাহল্লক্লিবা লৈচীল্লা শাবা হায়রিব্রা নৎত্রগা নোং, হায়বদি, নোংমদোন অতিয়া (Sky) নৎত্রগা অহাঙবা (Space) না শাবা হায়রিবরা নৎত্রগা 'নোং' হায়বদি, নোংঙানবা/নুমিৎ তাবা খায়রিবসিনা শাবা ওইরিবরা হায়বসিনি। অদুবু খ্বাইনা পাম্না লৌনরিবসি ময়াঈগী অসিনি। লাইয়িংথৌ নোংশাবা [Leonine god or the deity created/manifested (transformed by a Atiya)/Tiya (Tien in Tai/Chinese tongue) meaning sky or skyish space/emptiness

or rain/cloud/fog/mist] হায়রিবা লাইয়িংথৌসি মহাক্কী হওরক-থোক্লকপগী ওইনদি "মোইরাং" কাংলুপ-ফুরুপকী/য়েক-শল্লাইগী লাইনি, লাইয়িংথৌ থাংজীংগী লাইবুংথৌ ৯গী মনুংদা য়াওরিবা মোইরাংগী মুৎথ্রবা/মাঙথ্রবা নিংথৌ পানবা লৈপাক (মচা) কী অৱাংগী লমখৈ পুবা লাংপুম অরিবসু কৌবা লাই অদুনি [নঃয়ঃখঃ]। "মোইরাং", মৈতৈ/ৱাংঙম/নিংথৌজা য়েক্কী নিংথৌপানবা লৈপাক-খুন্নাইগা নুংশি-চান্ননা অমসুং/নৎত্রগা য়েক্ল-য়েংথিননা খৃঃ ১৪৪২ ফাওবদা মনীঙ মখা তন্বা লৈপাক-মচা [Principality/Princedom] অমা ওইরম্বনিনা মখোয়গীসু লাইনীঙ পরম, লাইনীঙলোন্নচিংবা লীক্লম-লীখুন নাইনা লৈরম্মী। মোইরাংগী লাইনীঙলোনগী লাংজে/ময়োৎ [centre/Axis] তি লাইয়িংথৌ থাংজীং কোয়রেন লাইনি অমসুং মহাকপু 'কেগে পোকপা সরারেন, মোইরাং কোকপা কসারেন' হায়না লৈশি-লৈথোন্দুনা মোইরাং' লাইনীঙলোনগী মঙানগী মশেকশিংগী পুনশিন-তানশিনফম [Convergent juncture] অমসুং থক্তোক-পীথোক্লকফম [Divergent point] ওইরগা অতৈ লাইয়িংথৌশিংনা মোইরাং লৈপাক্কী লমকন মনুংদা অমসুং লমখৈদা শন্দোক্লুনা লৈ অমসুং লাইয়িংথৌ লাংবুম অরিবা [The old part and partial in union/ unification] সিসু অকোনবগীশিংসিগী মনুংদগী অমনি। অদুগা লাংবুম অরিবা লাইয়িংথৌসিবু থাংজীং কোয়রেন লাইগা মশা অমত্তা ওইবা লাই ওইনা নীঙনৈ/খুরুম্নৈ।

লাইয়িংথৌ শেনবী খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা লাইয়িংথৌ নোংশাবসি মৈতৈ লৈপাক্তা য়ৌরকখিবনি। লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা হিন্দুগী লাই হয়গ্রীব [A demigod with the head of horse and body and limbs of human being, conceived to be an incarnation of Lord Vishnu as one of the gods of music] বু শগোল মকোক পাল্লি হায়দুনা শগোল্লাই [God with the head of horse] হায়না কৌরম্লবসু নোংশাবগী শাবান-মূর্তিদা মতোন খায়দোকপা চীদোমপোক্লা লৱাই লেমফু/কোয়রেন্দা পানবনা শক্তম-শকফম লাংলিবা [(Carnivorous leonine beast with a tiplly/tippedly bifurcated unihorn of hervibrous animal] লাইয়িংথৌসিবু হিন্দুশিংনা নরসিংহ (মীনোংশা) (Demigod with the head of lion and body and limbs of man)], চাইনীজ টাইশিংনা চীঙলাই [Dragon] অমসুং অৱা/

ম্রান্মাশিংনা লাইরেন-চীঙলাই/চীঙলাই-লাইরেন [Demigod of pythonic dragon or dragonised/dragoish python] বু তরাম্না ওকখিবগুম ওকখি। লাইয়িংথৌ নোংশাবসিবু মৈতৈনা তেংবানবা পোকপা মপু অতিয়া শিদবগী শানওন/শাইওন, মশানা ওন্থোক্লকপা (Tansformation of body or bodily transformation) নৎত্রগা মশাগী ওন্থোক্লকপা শক্লোন (Own transformed appearance/countenence or conversion of own body) হায়বদি, মেনিফেষ্টেসন (Manifestation), ইনকার্নেসন (Incarnation) নত্তবনি হায়না চেৎন থাজনৈ। অহাঙবা অতিয়াদা/অতিয়ানা নোং শুংবগুম অহাঙবা নোংলৈপাক্কী নোংনা/অহাঙবনা শারকপা লাইয়িংথৌনি লৌনৈ।

লাইয়িংথৌ নোংশাবগী লাইনীঙ মচৎসি, মোইরাং কাংলুপ/য়েক্কী ওইনা হান্নবা লৈজরম্বা/লৈজরমদবা থিদনা মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু খাগেম্বনা চাওরাক্লা খৃঃ ১৬৩০ গী অদুৰাইদা হৌদোকখি। [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৩৮] হায়রিবা লাইয়িংথৌসিগী য়াইওই-হীওইবা নুঙ [Precious/Semiprecious stone] অদু মৈদিংঙু খাগেম্বগী অমাইবা য়ুম্নাম তোম্বা অমসুং মাগী মরোই হোঙবা ঙাইরাংবনা মোইরাং (থেম) শাথিগী ময়ুমদা মহাক্কী/শাথিগী মপা-মপুশিংগী মরক্তগী অমনা মেন্দে চীঙ [হৌজিক্কী লোক্তাক প্রোজেক্কী হাইদ্রো-ইলেক্ট্রিক প্রডক্সনগী বেজ (Hydro-electric production base of Loktak project)] গী খুল্লাকপগী ময়ুমদগী পুরক্তুনা লাৎলম্বদু হুরান্দুনা পুরকখি। মখোয় অনিনা মদুগা লোইননা ককচীঙ মান্তক [Mantak, a section of the Kom Tribe] চীঙদা মতম খর লোৎলগা লৈশাংখোং/ৱাঙ্গোইদা চহী অমরোম লোত্তুনা লেল্লগা মৈতৈ কংলৈ কোনুং কংলাদা পুরক্তুনা মৈদিংঙু খাগেম্বদা কৎখি [নঃয়ঃ, খঃ ১সুং নঃ লঃ খঃ] হায়রিবা হীওই-য়াইওইবা নুঙ অসিনা অহানবা লাৎন-নীঙনবগী পোৎশক [Object of worship] ওইরগা লাইবুঙ-লাইকংলা শাদুনা লাৎপা হৌদোকখি। হায়রিবা লাৎন-নীঙনবগীপোৎশকসিগী মরমদা থম্বা য়াবা ৱাফমদিঃ-

This god, divine Nongshaba, as described in the Meitei religious scripture, Nongshaba Laihui [The virtues, efficacies and qualities of divine Nongshaba], the particularized work on the account of the divinity is provided as a precious/semi precious

stone of high intensity which shone during the night in where there is no light energy and defused artificial light.

অসিনি। হায়রিবা মমল য়াম্লবা য়াই অসি কদায় লৈখ্রবগে, হায়বগী মরমদা অখঙবা অমত্তা লৈত্রে। মমৈথংদা হৌজিক উবা ফংলিবা লাইয়িংথৌসিগী শাহিং-চাবা শা [Carnivorous beast] অমসুং হাজং/মনা-মশীং চাবা শা [Herbivorous animal] অনিগী তোংশিন-য়ানসিন্নবা মনাংকী শক্তম লাংলিবা মূর্তিসি পুথোক্কুনা শেন [Belmetal] না হৈরগা লাৎনরকখি।

লাইয়িংথৌ নোংশাবগী উয়োক-উমংগা কোন্নবা লাইকোন-লাইফম মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী লমখৈ-লমকন মনুংদা শেমদুনা লাইবুঙ-লাইকংলা শাদুনা খ্বাইদগী ঈহান হান্না মৈদিংঙু খাগেম্বনা খঃ ১৬৩৩ দা লাৎখি। হায়রিবা লমদাংসিদা পীবীরল্লিবা অতেনবা ৱারোল্দিঃ-

...হৈরাংখোংজম থারোইগী কুম শক ১৫৫৫ ... কালেন থা [May to June] দা লাইয়িংথৌ নোংশাবগী কংলা হোঙএ [চৈঃ কুঃ, ২০০৫, ৩৮]

অসিনি। মৈতৈগী কংলাদি লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা খৃঃ ১৬০০গী মতম অদুৱাইদগী শেমগৎ-শাগত্তুনা মহাক্কী কোনুং ওইননবা, মোংশাংগৈ কৈবুঙ কোনুংদগী লৈপাক্কী ময়াঈ ওইবা মফম থোকপা কংলাসিদা পান্ননবা ৱাখল্লোন থমদুনা লৈরকখিবনি। মসিগী খুদম-চাংদমদিঃ-

হকৱানথেম খুঞ্জানগী কুম শক ১৫২৬ (খৃঃ ১৬০৪) ...ময়াং লাক্কুনা চেকশঙ মনাক্তা খাল্লে [খোংবান/খোংলম] তৌরমএ (মথক্কীসিদা, ৩২)।

হায়বসিনি। অদুনা মতুং তারকপা মতমদা কংলাবু মৈতৈগী অমসুং মৈত্রবাক্কী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেন্দান-শেনচৎলোন অমসুং মখোয়সিগা মরী লৈনবা অমসুং শাগোন্নবা হিরমশিংগী মকোয়গী ময়াঈ [Centre] ওইনা মৈদিংঙু খাগেম্বনা শেমগৎ-শাগৎলকখিবনি। অদুনা মৈতৈ কংলাবু শেম-শাগৎলকপগী থৌরাংসিদা মৈদিংঙুসিনা মহাক্লা হৌদোক-পুথোকপা লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনশিংগী লাইশিংগী লাইবুঙ-লাইকোনগা কোন্নবা লাইশঙ-লাইকংলাশিং উ-ৱানা শাদুনা কংলাগী লমকন মনুংদা থমখ্রবনি। অদুবু লাইয়িংথৌ তাইবং-খায়বা (সনামহী) গী চেক্লা শাবা ফূরা লাইয়িমদি খৃঃ ১৬১৭ তা কংলাগী ৱাঙ্গোন [The residence of Princes, Princesses and other

household members of the monarch inside the palace yard of the capital complex of Kangla] দা শাখি। মমৈদা লাইয়িংথৌ নোংশাবসি মৈতৈ নিংথৌগী ঙাকপী-শেনবীবা অমসুং য়োকপী-কোনবী লাই [Guardian god/deity] অহুমগী মনুংদা চন্দুনা লৈমা-নিংথৌকোন [কংলাগী নিংথৌকোন (palace compound) গী মনুংদা লৈবা] গী মনুংদা লাইশঙ শাদুনা কংলা লানবাউ তম্বদা চিখবা য়াদবা লাইয়িংথৌ ওইরকখি।

লাইয়িংথৌ নোংশাবগী লাইফম-লাইশঙ শাদুনা য়াইষ্কুল য়ুম্নাম মোইবুঙলোকপা লৈকায় (মথক্তা পঞ্জখিবা লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী মমাইবা য়ুম্নাম তোম্বগী ময়ুম-মশাইগোন লৈরম্বা মফমদা), ৰাকৈথেন্দা, ৰাঙ্গৈইদা, ককচীঙ-মন্তক চীঙথক্তা, লিল্লোং-চজিং করামদা, অসিনচিংবদা লাৎনরিবশিংসিদগী মপী-মপা ওইবা লাইগী ফম্বাল লীংখত্তুনা লাৎলিবসি মোইরাং লমদম অমসুং কাংলুপ-ফুরুপ/য়েক-শল্লাইগী লাইথংবমগী [অৰাংথংবা ময়ুমগী] ঈংখোন্দা লৈরিবা লাইয়িংথৌ নোংশাবগী খুবম অমসুং মোইরাংগী/মৈত্রবাক্কী ওইনা লাইয়িংথৌসি লাৎপগী লৈপাক নিংথৌ পীরম্নবা লাইফম-মফম অসিনি।

মচৎ মান্নবশিং (Similarities)

মৈতৈ-লাইনীঙলোনগী চৎনবা মতুং ইন্না মৈতৈগী লাই পুন্নমকসি পাল্লিবা মৈতৈ-নিংথৌগী মবুধৌ-মবেনথৌগী ৰাখল্লোন্দা পুশিন্দুনা লাৎলবসু মালেমগী তেংবানবা-মপুগী লাংওন নত্তবা শানআোন/শাইয়োন ওইনা লাৎন-নীঙনরবসু অমসুং মৈতৈ নিংথৌগী ঙাক-শেন অমসুং য়োকপী-কোনবীবা লাই ওইনা ৰাখন্নরবসু মহাক্কী শাগী ওইবা শক্তম্না ফোংদোক্লিবা ৰাখল-পরীং অমসুং ৰাখল্লোনগী লমদাংদদি হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লাই, তেংবান মপু শ্রীবিষ্ণুগী ৪শুবা লাংওন, মী অমসুং শা য়ান্নবগী শক্তম নরসিংহ [মীনোংশা (Leonine man) অসিগা মান্নবগী মওং-মতৌ কয়ামরুম লৈ। লাই অনিসিগী মায়থোঙগী শকফম, লমশাশিংগী খুজীন পানবা মখুৎ/খুমাঙগী মতৌ, অকিবা পোকহন্নবা কাথোক্লিবা ময়া, মখায়াৎ অমসুং মচীনগী শরুক্কী মওং অমসুং অউবা/অয়েংবা মীবু থুক্কৎ-পাখৎহন্নবা তমথিরবগী ফিভম-ফিরেপ, শাবান মূর্তি, চোংশিন-চেনশিল্লক্কদবা অমসুং লাক্ল-চীক্লগদবা শকওং অমসুং শকপান অমসুং অরানবা,

মপুক ফত্তবা অমদি মপুক্লিংডা মরৌ লৈবশিংবু চৈরাক পীরগদবগী মওংগুম্না মশক-শকওইশিং অসিনা মান্নবগী মতৌসিদা চেৎশিনহল্লি। অদুগা অনিমকসিনা অচুম্বা তৌবশিংবু য়োকপী-কনবীবা,ঙাকপী-শেনবীবা, অমসুং ফত্তবা তৌবশিংবু মাংহন-তাকহনবা, চৈরাক পীনবগীদমক চোংথোক্লকপা লাইশিং ওইবসিনা লাই অনিসিগী মান্নবা চাংদম্নবগী হিরমশিংদা পুখৎহল্লক্লিবসি।

হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনগী নরসিংহগী থাজবা অমসুং নীঙনা-লাৎন'গী লাইনীঙ চেৎশিনহন্নবা অমসুং অচুম্বগী লম্বী লম্বেলশিংবু লাই অমসুং মীশিংনা শৌগৎলি, ঙাক্লা চৎলি অমসুং মখোয়না মমৈদা মায় পাক্লকই [The truth succeeds in the long run] হায়বসিগী সাক্ষী-প্রমান অমসুং খুদম-চাংদম উৎননবগী লাইনীঙলোনগী ৱারী-ৱাতায়, লীক্লম, খোংলম-পরীংনচিংবা কয়া হিন্দুগী মহাকাব্যশিং [রামায়ন অমসুং মহাভারত] ইবগী মতমসিদা শাগৎখি অমসুং মদুগীদমক্তা শ্রীবিষ্ণুনা কয়ারক হন্না অবতার/লাংওন তৌবিখি। ৱাফমসিদা য়াম্না শম্না অমসুং তেন্না পীবীরম্বদিঃ-

New gods, superseded the Verdic gods arose in the Epic Age. The nature gods of the Vedas were relagated into subordinate position by the new gods Brahma, Vishnu, Shiva, Ganesh, Laxmi, Parvati, Surya, Skanda, etc. A popular belief was that Vishnu takes incarnation to punish the wicked, to restore religion, and establish righteoursness on earth [B.N.L., 1988-89, 132],

অসিনি। অদুগা মৈতৈ লাইশিংগী মকোক/পুঙজৈ [Axis] ওইরিবা অতিয়া গুরু শিদবগী শক্লোন লাইয়িংথৌ নোংশাবা অমসুং হিন্দু লাইশিংগী মকোক/ময়োৎ বিষ্ণু ভগবানগী লাংওন ওইবা নরসিংহ ওইবসিনসু মান্নবগী চাংদমদা হেনবনি হায়না লৌবদা অকায়বা লৈতে, মরমদি, শায়ওন অমসুং লাংওন অনিমকসি মশাগী মশানি, আত্মা/থৱাই [soul/energy] দি অমখক্তগীনি, মফম অমসুং মতমগী মতুংইন্না পুথোক্লকপা/থোক্লকপা ঙাক্তনি।

হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনগী দেবতা নরসিংহসি মী অমসুং শাগী য়ান্নবা/ তোৎনবা ৱাখল্লোনগী শক্তমগী লাইনি অমসুং মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লাইয়িংথৌ নোংশাবসিসু শাহিং চাবা অমসুং মনামশিং চাবা শা মখল অনিগী য়ান্নবা তোৎনবা ৱাখল্লোনগী শাবান অমসুং শকফমগী লাইনি। অনিসিগী খেন্নবমখৈ

শেন্নরবসু য়ানবগী মচৎকী লমচৎ-শাজৎকী মতীক-মগুণসিদি অদুম্মক চেন্নরবা ঙাক্তনি। অদুনা মান্নবা মরমচৎকী লাইশিংনি হায়না লৌগনি নৎত্রগা লৌবা য়াই হায়বসি ভিজিটরিয়ান ফুড হেবিৎকী মী ওইবনা হিন্দু বৈষ্ণব অমসুং মৈতৈবু খন্ন-লৌনরিবগী য়ুমফম লৈরিবসি অসিননি।

(৫) লাইয়িংথৌ কশা-সরারেনগী লাইনীঙঃ-

লাইয়িংথৌ কসা/কশা-সরারেনগী লাইনীঙসি মালেমসিগী চাওখৎলবা জাতি অয়াম্বগী হৌগৎলকপা অমসুং চাওখৎলক্লিবা লাইনীঙলোনগী থাকশিংদা ঈরৈদা-লৈনবা/ঈয়াওদা-য়ানবা লাইনীঙ মচৎ/মনাৎনি। মহাকসিবু হিন্দুনা ''ইন্দ্র', গ্রীকনা জেঅস (Zeus), রোমানা জুপিটর [Jupiter], কবুইনা রগুৱাং [Raguang] অহোম-শাননা লেঙদোন [Lengdon], অসিনচিংবা কৌনৈ মৈতৈশিংনা মহাকপু ''কসা সরারেন, খোইয়ুম/চীঙঙু ঈকসা'' হায়না শৈথানৈ। হায়রিবা লাইয়িংথৌ কসা/সরারেন [Sky god or king of divinities or presiding deity of Human fate or fortune and luck in Meitei school of though and beliefs] গী লাইনীঙসি মৈতৈগী মবুংঙো খাগেম্বনা খৃঃ ১৬৩১ গী অদুৱাই, খৃঃ ১৬৩৫ গী মমাঙদা হৌদোকখি। [চৈঃকুঃ ২০০৫, ৩৮ অমসুং ৩৯]। লাইয়িংথৌসি, মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তকসিদা খৃঃ ১৬৩৫ দা নৎত্রগা চহীসিগী মমাঙগী মতমদা, মতমদুগী কংলা-কোনুংগী লমকন মনুংদা উয়োক-উমংগী লাইকোন-লাইফম লীংখত্তুনা লাইশঙ-লাইবুঙ/লাইকংলা শাদুনা লাৎলে। মসিগী চাংদমদি-

...মোইরাং তোনাগী কুম শক ১৫৫৭ [খৃঃ ১৬৩৫] থৌবান্দা লমশন তান্দুনা নামুন-চীঙদা ফায়ে। লাই কসাদা থুংদুনা খুফম খুদিং শা য়েনএ [মথক্কীসিদা,৩৯]।

অসিনি। অদুবু লাইয়িংথৌসিগী লাইনীঙ অমসুং ঈরাৎ-থৌনী/থেল্লাৎসি করম্না, কদায়দগী নৎত্রগা করিদগী লৌদুনা/শমথরক্কুনা হওক্লিবনো নৎত্রদা হৌদোক্লক্লিবনো, হায়বসিগী পাউখুমদি খঙ্ঙমদবগী লারোনুংদা লৈরি। অদুগা লাইয়িংথৌসিনা মীওইবগী লাইবক-নোংদম্বা ওইবগী লমদাংসিদা মীওইবনা হেক পোক্লকপদা মীদুগী মপোক-লাংওনগী ওইগদবা মতৌ অমসুং মালেম-তাইবংপান্দা হিংদুনা লৈগদবা মপুন্সিগী নোংদম-ৱারোল ইন্নবা লাইয়িংথৌসিগী

থৌরাং-থৌশীনগী মখাদা লাইবক-খেল্লাই-ইবা লাইগা লাইয়িংথৌসিগা অঙাং অমখক্কী পুন্সি নোংদম্বগী মরমদা লাইবক খেল্লাই ইবনা ককথ্রবা পুন্সিগী মতমবু লাইয়িংথৌসিগী থৌজান্না লাইবক খেল্লা ইবগী নোংদমসু কায়হন্দনা অঙাংদুবু মপুন্সিগী মতম শাংদোকহনখিবা [বিঃ নোংঃ খুঃ] গী লমদাংসিগী থাজবগী ৱাখল্লোনসিনা পুন্দুনা লাইনীঙসি হওরকখিবরা হায়না চেৎনা থাজজে।

লাইয়িংথৌ অসি মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ফম্বাল লাংদুনা পাল্লিবা মৈদিংঙুশিংগী মপোক-লাংওন নোংদম্বা, পুন্সিগী থৌদোকশিংগী শেম্বী-শাবীবা অমসুং নোংদম-নোংখায়বীবা ওইনসু লৌনৈ। লাইয়িংথৌসিদা পাল্লিবা মৈদিংঙুগী পুন্সিগী মরু ওইবা থৌদোকশিংগী পাউ তাক্কুনা/পীদুনা খঙহল্লি। মসিবু 'কসা পাউতাকপা' হায়না কৌই অমসুং পাউতাকপসিদা কোরী থরাউ-চী [শৈথাদুনা নৎত্রগা মমিং-মথা থাদুনা/তাক্কুনা লাউবদা খোংননবা শন মচীগুম্বনা কামদুনা মখোন থোকহনবা খুৎলাই] খোংদুনা তোইবীজম য়ুম্লাক/শাগৈগী নুপা অমনা থৌরমসি পাঙথোক্কনি। হায়রিবা কোরী থরাউচীসি অহানবা ওইনা ফংলকপগী ৱারোনদসু কাসা পাউতাকপগী ৱাফমসিদা পল্লিবদুদিঃ-

....মৈদিংঙু নাউথিংখোং মঙাংঙম্বা ... লমলেন নোংচুপ তাফুরোন, অতে শাফু তাউ মঙাং হাউতময়া ...শরোনয়াদা থৌশাথবদি ...মঙাং য়াগা চায়রে। মচন লৈমাঙ কাউ, মনীঙলৈমা ষণসুং, মঙাং পুংসু, মঙাং শেনসুং, মঙাং কোরী থরাউচি থোঙলেন লানপাউৱাক, কাসা পাউতাকৱাকসু লোক্লকয়ে। [ওঃভঃ ১৯৬৭, ৩]

অসিনি কাসা পাউতাকপগী থায়নদগী চৎনরকপা মচৎ-মনাৎসিগী থৌরমসি পাংথোক্লিবা থৌদোকতি– (১) মৈতৈ নিংথৌগী মচা পোকপা, মরু ওইনা, মচা ঈবুংঙো অহল, মচা ঈবেম্মা অহল অমসুং অতৈ মচা ইবুংঙোশিং, (২) মৈদিংঙুনা কংলা ফম্বাল তোংবা, অমসুং (৩) মৈদিংঙুনা কোরৌ নোঙ্গাবা– হায়রিবসিগী মতমদা পাংথোক্লম্মী। হায়রিবা থৌদোকশিংসি থোক্লবদা তোইবিজম নুপাদুনা মৈদিংঙুগী য়ুমগী শুমাঙদা থোক্তদুনা মমায় মথক্লোমদা ওনখত্তুনা থরাউচীদু অহানবদা খোংলগা মচীন্না, "মৈদিংঙু তাইবং সরারেন নমু পোংহন্নবগী মপারী/মমোম (অহন) পোক্লে নৎত্রগা ফম্বাল তোংলে নৎত্রগা নোঙ্গারে" হায়বসি নোংথক্তা লাউখত্তুনা লাইয়িংথৌ কাসা সরারেন্দা পাউ হঙ্গৎকদবনি তাক্কদবনি।

লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা লাইয়িংথৌ কাসাগী লাইনীঙসি মীওইবগী লাইনীঙ-লোনচৎকী পুক্লীঙ-ৱাখল্লোন চুম্নবগী অমসুং য়াইফনবগী মচৎ-মনাত্তা লীংখৎখিবনি অমসুং মালেমসিগী ওইনা চৎনরিবা লাইনীঙলোনগী ৱায়েল-ৱাখুলনা পুন্দুনা লৈবা অমা ওইনা থমখিবনি। মসি কাসা পাউতাকপদা লাইয়িংথৌ কাসানা লৈবা মফমসি অহাঙবা নোংদোন্দনি, খয়ুম/লাইশিংগীদি নোংদোন অতিয়াদা মাপ্লং হুমওইনদুনা, হায়বদি, মহুম/ময়ুম ওইদুনা লৈ; হায়বসিগী ৱায়েল মখাদা নোংথক ওনখত্তুনা পাউতাক্লিবসিনসু ফোংদোক্লি। অদুবু মৈত্রবাক্তা লাইৱা-ভীনৱা, পোৎশেম-লাংশেম, হীকাপ-য়াইকাপ্নচিংবগী অকনবা মনাংকী ঈহও অমসুং য়াওলগী ঈথিন-ঈনোৎনা য়ৈবদগী মমৈথংদা লাইয়িংথৌগী মিংলেনসিদা মিংমান্নবা ফত্তবা লাই নৎত্রগা হকতীন-ফমদিন্ননীঙবগী পুক্লীঙ ঈখক কাহনবা লাইমু-তীনমু ওইবা অমসু চোংথোক্লকখি। মসিগী মরমদা থম্বা য়াবা ৱাফমদিঃ-

"Meitei lord Khagemba had instituted the cult of divine Kasa on/in the spiritual religious fundaments and disciplines of ethical conduct and moral science with the conscience of pantheistic cultic aspiration. But in the later periods when Tantricism and tantric renaissance was in full swing, an offshoot with the profile of erotic black art/witchcaft arose. It is a profane attitude of creation/personification of another malevolent spirit under the same nomenclature of "Kasa" with evil qualities and vices in satanic/hellish character and characteristic. This evil Kasa was an insertion of endemic penetration rendered and retained by some aspirants/practitioners of black arts, witchcraft/wizardry, exorcism, etc. to gain their popularity, monetary benefits, etc. The creedal nature of this practice is nothing but the diversification of the conduct and character of the benevolent god to evil spirit by transferring the reverentially good nature/characters of divine Kasa to awful characetistics and manners within/in the apparent framework of Meitei fertility cult. This black artistic Kasa is defined as seed/root to produce loose character, immoral ethics, degraded obscenity/indecency, etc.

অসিশিংসিনি। মখোয়সিগা অপুন্নী-শোরেনশিংগা য়াম্না নক্লে। মৈতে ৱাহৈদা কাসা চৎপা [The discharge of semen by dreaming sexy/erotic enthusiam], কাসা লাৎপা [To worship hellish spirits to ward off their hunts] অসিনচিংবনসু মশক তাক্লি। অফবা লাইগী শক্লোন্দগী ফত্তবা লাইগী শক্লোনদা ওল্লক-হোংলকপসি লাইয়িংথৌ তাইবং-খায়বা [সনামহি] গী লমদাংসিদসু 'অপোইবা সনামহি' নৎত্রগা "সনামহী অপোইবা" হায়দুনা লৈরিবসিনি।

মচৎ মান্নবশিং (Similarities)

মৈতৈগী লাইয়িংথৌ কাসা সরারেনসি হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনগী দেবতা অনিগী শক্তমসি পুই। লাইয়িংথৌসি অহানবদা বিধি-বিধাতা [লাইবক নোংদম্বা (Presiding deity of human fate, fortune, luck and chance, etc. as the writer/giver of the fate, etc. of the new born child on the 6th day of the birth under the birth ceremony by name of "Shhasthi-Puja" in Hindu and Yupan/Ipan-thaba" in Meitei)] হায়বা বৈষ্ণব হিন্দুগী লৈশেম্বা/নোংশেম্বা ব্রহ্মাগী শানওন/শাইয়োনগী শক্লোনসিগা মান্নে [বিঃনোঃ, খুঃ ১সুং বায়ু পুরান] অদুগা অমুক কাসা লাইয়িংথৌসি হিন্দু বৈষ্ণবকী 'ত্রিমুর্ত্তিগী ত্রিদেবতা [The three gods, i.e, Brahma, Vishnu & Maheshwara] নত্তবা অতৈ লাইশিং পুম্নমক্কী নিংথৌ, স্বর্গগী অমরবতীপুরদা পানবা ইন্দ্রদেব নৎত্রগা দেবরাজ ইন্দ্র/নরেস (নরেন্দ্র) হায়বা লাইসিগসু মান্নে। হায়রিবা ইন্দ্রসিনা ঋগবেদগী মতমদা ওইরম্বা শক্তমগী মরমদা পীবিরম্লিবা ৱারোম্দিঃ-

Indra: He was the most popular of all the gods and was given the largest number of hymns, nearly 2500 i.e. about one fourth of the total number of hymns in the Rigveda Samhita. He occupies the chief place among the Vedic gods. His physical proportions and powers were stupendous, almost cosmic. His arms born his weapon the Vajra. He also carried a book and wielded the bow and arrows. He was conceived as the liberator of the water. "He pierces the mountains and release the pent up waters". Frequently we find him fighting with the atmospheric

demons (called Vrita) who were supposed to have stolen the rain water. Indra chased them, smote them with his thunderbolt and released the water, which then fell in streams on the land of his worshippers. He was supposed to cause the rain to fall and relieve the dryness of the earth. As the destroyer of demons, he was the favourite god of battle and warriors often invoked him. He was called the fort destroyer (purbhid). He was also supposed to be the god of thunder-storm. His relation with the thunder-storm is depicted "When he is said to have created the lighting of heaven and directed the flow of the water downwards". [B.N.L., 1988, 89-94].

অসিনি। অসিগুমদুনা মৈতৈগী লাইয়িংথৌ কাসাসিগী মরমদা মৈতৈ ফাথিবশিংনা শৈথারম্বা ৱারোলসু মখাদা উৎচরি।

১) 'কোরৌ নোংদোনথক্তা চীঙঙু নোংথৌ সরারেন, অৱাং-পাখং য়োইরেনবা, খাকপা নিংথৌ তেনহৈবা, কোনখৈ অতাম্বা, ঈমু খাওন্নবা, ঈঙৌ চাংখীনবা, মিৎয়েং তাৎচুম্বা, নাকোং নাচুম্বা'' [বিধি নোংদম্বা খুঃ]

২) খাকপা নিংথৌ লীহৈবা, ৱাংবা নিংথৌ পাঞ্জুম্বা, অৱাং পাখং য়োঙ্গরেনবা, থংবা নোংনিংথৌ, কোনখৈ অতাম্বা, সৱাং অথাপ্পা, থংবা য়োঙ্গলেন সীঙকাপ লোংনা থাবা শীঙদুম নীঙ্গোয় য়েকপা মাকমৈ লুরেন খনবা, লাইপক খেল্লাই ইবা, নমু ফম্লম সিনবা, তাইবং অচঙ-অসি রুংবা ...'' [খঃচঃসঃ ১৯৮৪, ২৪]

মথক্কী অনিসিদা অকোনবগীসি পুরৈরোম্বগী থেল্লোন ওইনা পীবীরম্মী। অদুবু নীঙশীংজগদবদি কৌব্রুদা পাল্লগা ''সরারেন'' অমসুং নোংমাইজীঙদা পাল্লগা ''পুরৈরোম্বা'' মিংথোনবনি, অঙোম নিংথৌশিংগী ওইনা চৎনরকপা থেল্লোন নৎত্রগা শৈথানি।

মথক্কী 'কসা/সরারেনগা' 'বিধি বিধাতা' গা মান্নবগী লমদাংসিদা মৈতৈগী ওইবা অশেংবা লাইরিক 'বিধি নোংদম্বা [লাইরিকসিবু 'চীঙঙু নোংদম্বা' হায়না থোন্দুনা ওরিজিনেলদা য়াওবা ৱাহৈ ৱাতা খর ওহ্মোক্তুনা ফোংবা থেংনৈ]' কৌবা লাইরিক্তদা য়ুমফম ওইনা হঙ্গৎচবনি। হায়রিবা

লাইরিকসি মণিপুরগী লোইয়া-তময়াদা লৈরিবশিং, মরু ওইনা চকপা ফুরুপশিং [সেকমাই, অন্দ্রো, ফয়েং, লৈস্রাম, কৌদ্রুক, থৌবান্দোংনচিংবা চিটাগোংগী চীঙখোঙ চীঙয়া (বঙ্গলাদেস) দা তাবা চকমা (Man of Chak with the same meaning of Chakpa in Manipur) অমসুং 'প্যু (Pyu) হায়বা ম্যান্মারগী খ্বাইদগী হেন্না লীরবা মী কাংলুপনি হায়বদুগা য়াম্না নরুবা মরী লৈনবা মণিপুরদা লৈবা মী কাংলুপ] না মখোয়গী চাবোক-নাউশোংবগী য়ুপান থাবা [To offer nourishing drink to the deity who presided over the human fate, etc. (অদুবু ইপান থাবা হায়না মমিং ওন্থোক্লুনা চৎনরি)] গী থৌরম নৌনা মালেমদা খোঙদারক্লিবা অঙাংদুগী পুন্সি নোংশাংনবা পাংথোক্লুনা মৈতৈগী ৱারী-লাইরিক তাবগুম তানবা চৎনরি। মসিনসু লাইয়িংথৌ কাসাসি লাইবক নোংদম ইবা লাইনি হায়বদুগী শাক্ষী ওইরি।

(৬) নোংপোক-অপানবী, লাইয়িংথৌ-লাইরৈমা লাৎপগী লাইনীঙ

নোংপোক-অপানবী লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মা লাৎপগী লাইনীঙসি মৈতৈ লাইনীঙলোন্দা লাই নুপা-নুপী মতৈ-মনাউ পুন্না লাৎমিন্নবা লাই নুপা নুপীশিংগী মপা-মপা, মতৈ-মনাউ ওইনা শেম্নবগী ৱাখল্লোন চঙলকপা/পুথোক্লকপা অমসুং লাইনুপীশিংবু মহৌশা লাইরেম্বী পীগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াইনচিংববু মশক পান্দুনা লাৎপা লাইনীঙ মচৎ হৌদোক্লকপগী অখন্নবা থৌদোক থোকহনবা মতম তাংকক্কী/থাক্কী মশক নাইরবা লাইনীঙ মনাৎনি। হায়রিবা লাইনীঙ, লাই মতৈ-মনাউ পুন্না লাৎমিন্নবসি মৈদিংঙু খাগেম্বনা খৃঃ ১৬৪৮ গী অদুৱাইদা হৌদোকখি। মসিগী লমদাংসিদা থন্বীরক্লিবা ৱারোন্দুদিঃ-

...নিংথৌজম খারাগী কুম শক ১৫৭০ [খৃঃ ১৬৪৮]... নোংপোক [লাইয়িংথৌ নোংপোকনিংথৌ নৎত্রগা কাইনৌ চীঙশোন্বা নৎত্রগা অপানবা নৎত্রগা নোংপোক মাল্লং হুমওইবা] কা অপান্বী [মমৈদা পান্থোইবী হায়দুনা খঙনরকখি] চীঙখৈদা লুহোঙএ [চৈঃকুঃ ২০০৫, ৪১]।

অসিনি। মতৈ-মনাউ ওইরিবা লাই নুপা-নুপী অনি, নোংপোক-নিংথৌ [King of the east or the direction of day-break or rain/cloud-bear/breed] নৎত্রগা নোংপোক-কাইনৌ চীঙশোন্বা [The victor over the star which

overcomes the beauty of the hills/mountains on the east] নৎত্রগা নোংপোক মাল্লং হুমওইব [The one who abides in the house of the air/wind on the east] অমসুং অপানবী [Lady of fair complexion] অনিসি পুন্সি-লৈপুন শেমদুনা পানমিন্নখিবগী ৱারী-ৱাতাইসি 'পাহোইবী খোঙ্কুল'' কৌবা মৈতৈগী অশেংবা লাইরিক [Sacred scripture] তুদা নীঙখিনা ইদুনা য়াওরি। হায়রিবা লাই অনিসি অহানবদা খুৎনা শোকপা ঙমদবা, নাতোন্না নম্বদা ফাওদবা, নাকোং তাবা ফংদবা, মিৎনা য়েংবদা উদবা অমসুং লৈনা তংবদা খঙঙমদবগী য়ুম্ফম [Abstract fundament] দা শাগৎখিবনি অদুবু মমৈথংদদি অঙোম য়েক্কী লংমাই/নোংমাই শল্লাইগী নিংথৌ/নুপা কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং নিংথৌজা য়েক্কী নিংথেমচা শল্লাইগী নিংঙোন তম্ফা ৱাংঙমলোন [মৈদিংঙুগী মজাইবেম্মা অহন] পাহোইবী [Lady of fairest complexion] ওইনা শক্তম পুথোক্লকখি। মখোয় অনিমকসি চীঙদা তোংবা/ পানবা মীওই অমমম ওইনা মথংশীৎনা শেল্লোই-লংমাইচীঙ [হৌজিক্কী নোংমাইজীঙ] অমসুং লাঙ্গোল চীঙশাংগী [নোংচুপ থংবা শরুক্কী লৈমরোক্কী মনীঙ থংবা চীঙমায়গী] চীঙশা নাপোম অমদা পাল্লম্বদগী পাহোইবীনা খাবদা ওংলুরবা মতুংদা গন্ধর্ব্ব বিবাহ [Love Marriage] নোংপোক্কা তৌদুনা লৌন-লৈনরগা শেল্লোই লংমাইজীঙ চীঙজাওগী চীঙয়াঙ/চীঙয়াঙ্গ, কাইনৌ চঙশোম্বী ময়ুমদা মতৈ-মনউ ওইনা পানমিন্নখি। মসি পাহোইবী খোঙ্গুল লাইরিক্কী ৱারোল মতুংইন্ননি অদুবু মাইবী-মাইবশিংনা শাগৎপা পাহোইবী অমসুং নোংপোক নিংথৌবু খাবা তরং খোইনুচা [পাহোইবীবু হান্না লৌরম্বা নুপা] না তান্নবদগী ''লাঞ্জেন-লমকোয়-ৱারী'' গদি খর-মখৈ খেন্নে।

লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মা অনিসি পুন্না লেপমিন-ফম্মিন্নদুনা মতৈ-মনাউ ওইনা, রাধা-কৃষ্ণ নৎত্রগা হরগৌরী/শিব-পার্ব্বতি, যুগল-মূর্ত্তি [Idol/image in coupling/pairing fashion] ওইনা লাৎপগুম লাৎপনি। হায়রিবসিগী লমদাংদা থন্বীরম্বা ৱাফমদিঃ-

...''কাওরেন শনতনবা শায়াঙথকততি সনা ফমপাল ওইনা হেনমোইপপু নুমিৎ লীশিঙ থোককুমনা মালং য়াইপী খাপাংননা তমপা মৈরা ফনীকনা, য়ীশিং কানকনা, সনা লৈখাম তোললোঙ চিননা, তাঙচা লিললা

খৌয়েৎনা টিমেল টারোঙ শূপা, য়োৎকী খুরুম তোংপা, শেনকী কাতি শূপা, শমলাং তরৈনপপু খাপ্রাং লেপমনবা, মৈরা ফনিক্লা থাওপী লাইচা কানকনা অঙৌপা থাপাক লীকশিরমততি নুমিৎ লীশিঙ মঙালকুম শকলেন শংশঙনা উৎপীরে" (মঃচঃসঃ, ১৯৯৯, ১৩৫-৩৬)।

...মালং নোংপোক হূমওইপনা, খাবা প্রুম-খাচঙ ব্রাকীপু চীঙভু পুকনীঙ হরাউ চঙনতি নোংপোক মশকথোংপু শংশঙনা উৎপীনা উহনলে। তমপা ওয়রম থা, তাঙচা লিলা পাখংপপু লিললা খাউওন্ননা লিললা ঙককোয় খৌয়েৎননা মায়কৈ ফিশেৎনা নুমিৎ লাখকী মঙালকুমনা ...। [মথক্কীসিদা, ১৪০]।

অসিশিংসিনি। অদুগা লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মসি তোংঙান-তোংঙান্না মাগী-মাগী মমিংদা লাৎনবা, ঈরাৎ-থৌনীদদি "অনিমক অদুম মতৈ-মনাউ ওইনা লাৎনবা", "নোংপোক নিংথৌ লাইনীঙ" অমসুং 'পাম্হৈইবী লাইনীঙ' হায়দুনা মখা তারকপা চহি ২০/৩০ গী মতমদা থোক্লকখি [মখাদা য়েংবীয়ু] অসুম্না লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মা অনিসিগী লাইনীঙসি মশক অহুম নাইরকখি। অদুবু হায়রিবা অহুমসিদগী পাম্হৈইবী লাইরেম্মগী লাইনীঙসিনা খ্বাইদগী হেন্না মাঙজীন থাবা, খ্বাইনা পাম্নবা-য়ানবা লাইনীঙ ওইনা মহৌশা লাইরেম্বীগী নৎত্রগা তেংবানবগী/তাইবংপানগী ওইবা নুপীগী মহী-ময়াইগী ব্রায়েলগী লাইরেম্বী লাৎপগী ফম্বাক্তা চাওখৎলকখি।

অপানবী লাইনীঙ অসিনা মশাগী ফিজোন হোংদোক্নুনা পাম্হৈইবী লাইনীঙ শক্লোন লৌরকখিবসি খৃঃ ১৬৭১ গী মতম অদুব্রাইদনি [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৪৮- চহিসিগী হিয়াঙ্গৈ থাগী ১০নি নিংথৌকাবদা নিংথেম শীজ লংমাইচীঙদা লাই খুরুম্বা কাএ"] অসুম্না পাম্হৈইবী লাইনীঙ ওইনা ঙসি ফাওবদা চত্থরি।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

নোংপোক নিংথৌ অমসুং অপানবগী খম্ব্রাংননা মতৈ-মনাউনা পোপা লাংদুনা লাৎপগী লাইনীঙ-মচৎসি হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনগী মনাক্তা শ্রীরাম অমসুং সিতা, শ্রীরাসেশ্বর কৃষ্ণ অমসুং বৃষভানুনন্দিনী শ্রীমতি রাধিকা, লক্ষ্মী-নারায়ন (শ্রীবিষ্ণু অমসুং লক্ষ্মী), অসিনচিংবা অমসুং বৈষ্ণব, শৈব অমসুং শাক্ত লাইনীঙ মনাৎশিংগী সমাজশিংদা হরগৌরী [শিব অমসুং শিবা/পার্ব্বতী/

হিম্নাবতী] বু খম্বাংননা ঈরাৎ-থৌনি-ফম্বাল/ফম্বাক থক্তা নৎত্রগা সিংহাসন [নোংশানা মখোঙ ওইবা ফম্বাল ফিদা], অসিনচিংবগী মথক্তা লাৎপগা মান্নে, হায়বসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে। লমদাংসিদা 'পান্থোইবী খোঙ্গুল' অমসুং মাইবী-মাইবগী ৱারী-শীবুনগা চাংদম-শুদম্নবগী মিৎয়েং থম্নুবদা তারক্লিবা থমজনীঙলিবা ৱাফমদিঃ-

It is the first and foremost attempt to try to bring forth the character-role and characteristic feature of Apanbee/Panthoibee in the tune and intonation of Shreemati [Title of respect of a married lady] Radha/Radhika, the legal/lawful wife/consort of Ayana, the born castrated man. In the same manner/nature of theme, plot, style and idea of princess Panthoibee whose archetype or prototype was Apanbee was lawfully married consort of Khaba prince Tarangkhoinucha who had married to Panthoibee with prompt and grandeur/splendour ceremony [মঃচঃসঃ ১৯৯৯, ৩৯-৪৮] prior to her first meeting with Angouba [prince/chief of Nongban/Angom clan] Kainou Cheengshomba or Nongpok Ningthou, [Ibid, 48-59]. As there were several events of meeting, talking, dancing of Rasas, the love-plays of the lover Krishna and his beloved Radha and her feminine friends and rivalry Chandravalee in the renown Vaishnavite scripture Shreemadbhagavata [in the 10th Mandala (Circle)/Chapter] there were also love-plays in the love-marriage of Wangngamlon Panthoibee and Kainou Cheengshomba along with the several sudden flight leaving their now born children to get rid of the attacks and chases of Khaba Tarang-Khoinucha [রঃমঃ, ১৯৮০, ২১-৩৯] for revenge. But the theme and plot of the story of Wangngamlon Panthoibee and Angouba Kainou Cheengshomba were wisely/scholastically diverted/deflected in Panthoibee Khongkun (The foot-print of Panthoibee) penetrating, concentrating or confining on the idea and theme of deifications of both the consorts/spouses [মঃচঃসঃ ১৯৯৯, ১২৫-৪১] so as to differentiate from the idea, theme, plot and problem of the

Hindu Vaishnavite love story of Radha and Krishna.

অসিনি। অদুবু 'পাম্বোইবী খোঙ্গুল' লাইরিকসি ইৰগী মতমদুদা শক্তি হিন্দু ধর্ম্মনা ঈহও ৰাংনা, ঈচেল কন্না চেম্থখিবা অমসুং মতমদুগী মমাঙদা শাফু কল্লবা শক্তি লাইনীঙলোনগী ৰাখল অমসুং ৰাখল্লোন চেৎনা মৈত্রবাক্কী লৈহাওদা মরা তাখিবনা অইবগী প্লোত অমসুং থীমগী ঈচেনশিংদু থৈখিবনি।

মৈদিংঙু খাগেম্বগী মমাঙদা লাই-নুপী লাৎপা হায়বদি, চুম্নদমক ঈরাৎ থৌনিবগী ৰাফম অমা লৈখ্রবসু মদুমক্লা 'লাই-নুপী লাৎপা লাইনীঙ' হৌদোকপগী ৰাফম ওইনা লৌবা য়াদে। খৃঃ ১৫৮৯ দা লৈরোং কৌবীগা নুংকারাং কৌবীগা ঈরাৎখিবা অদুদি ঈরাৎ-চাবান থাবা অমসুং অনা-অয়েক্লচিংবদা লাইথৌ থৌ তৌবা অদুগী মচৎ-মনাৎকীনি [চৈঃকুঃ ২০০৫, ৩০]। নোংপোক অমসুং অপানবী লাইনীঙগী লমদাংসিদি লাইনীঙলোনগী ওইবা লাইনীঙগীনি। মরম অসিনা মসিসু হিন্দুগী গুপ্ত সম্রাজবাদিগী চক্তা [Gupta Imperial Period] হৌদোকখিবা হিন্দু ব্রাহ্মনিয়/বৈষ্ণব ধর্ম্ম [Bramhanical/Vaishnavite religion] গী দেবী লাৎপা লাইনীঙ [Devi worshipping cult.] হায়বা [মথক্তা '(৩) অমম-অঙান শাগোন্নরিবা তন্ত্রিক লাইনীঙ'' গী মতাংদা য়েংবীয়ু] অদুগা মান্নবা মচৎ অমসুং মনাৎনি। হায়রিবা দেবী লাৎপা লাইনীঙসিদা মিৎয়েং থন্নগা মৈতৈগী অপানবী লাইরেম্মসিদা য়েংলকপদদি দেবী লাৎপগী লাইনীঙলোন্দা দেবীগী শক্তম অমসুং মচৎ-মনাৎতা য়েংলগা খায়দোক্লিবা--- পুকচেন তপ্পবী অমসুং ৰাবী-চানবী হৈবী [Gentle and compassionate etc.] দেবী অমসুং অকি'শকফম্নবী [Ugra (Terrific)] দেবী অনিসিদা পুকচেল তপ্পী অমসুং ৰাবী-চানবীহৈবী [শিতল-কমল (Gentle and compassionate etc.)] দেবী কাংলুপ্তা চনগনি। মসিগী ঈচম চম্বা প্রমান্দি– অপানবী হায়বসি 'গৌরী' হায়না শিবগী তাল্লোই পার্ব্বতীগী/হিমাবতিবু খঙনরিবা ৰাহৈ/মিংসিনা ৰাহন্দোক পীবা য়াই অমসুং অপানবী অমসুং গৌরী অনিমকসি ''কুচু ঙৌবী'' হায়বা ঙাক্তনি।

মৈদিংঙু খাগেম্বগী মমাঙগী মতমদা লাইনুপা-লাইনুপী অমগা অমগা মপা শেম্নবা পোপা-পোপা/জুরা-জুরা মতৈ-মনাউ/মতু-মৰা ওইনবগী ৰাখল্লোনসি লৈরমদে। মৈদিংঙুসিগী মতমমক্তদসু খৃঃ ১৬৪৮, মহাক্লা চহি ৫১ হেন্না নিংথৌ ওইদুনা পাল্লক্লবা মতমসি য়ৌদ্রিবা ফাওবদি হায়রিবা

লাইনীঙ-মনাৎ মখলসি থোক্লক্ত্রি। অপোকপা/মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙগী মচৎ-মনাৎকী পরীং মখাদা অপোকপগী অমসুং মপা-মপুগী মবেন-মবেন্থৌ লৈবগী পরম্পরা লৈরবসু নুপানা যুম্বুরেন ওইবগী চৎনবী লৈবা মৈতৈ খুন্নাইনিনা [Custom of paternal society] অমসুং মপা-মপু লাৎপগী মচৎনা মপাদা/নুপাদা ব্রাখল্লোন থমখিবনা খৃঃ ১৬৪৮ গী মমাঙদা লাইনীঙ মখলসি লৈরমদবনি হায়না থাজজে। হায়রিবা হিন্দু লাইনুপা-লাইনুপী মতৈ-মনাউ শেম্বগী লমদাংসিসু গুপ্ত সম্রাজবাদিগী মতম [খৃঃ ৩২০-৫৫০] দগীনি অমসুং দেবী লাৎপা লাইনীঙদগী থোক্লকখিবনি। মরম অসিনা মচৎ-মনাৎশিংসিদা থোইদোক্লা খেন্নবা লৈতে। অদুবু মান্নদবগী মওং-মতৌ অমত্তং উজবদি হিন্দুশিংগী দেবী লাৎপা লাইনীঙদগী লাইশিংগী মতৈ-মনাউ শেম্বা অমসুং পুন্না লাৎমিন্নবসি হৌরকখি অদুগা মৈতৈগীদি মসিগা ওন্ন-তৈনবদা লাই মতৈ-মনাউ লাৎপসিনা হান্না থোক্লগা লাইনুপী/লাইরেম্বী লাৎপসিনা কোন্না থোক্লকপগুম উজে।

(৭) শরেন চনবা/কৎপগী লাইনীঙ

মৈত্রবাক্তা শরেন চনবা/কৎপগী লাইনীঙ [The Bloody Sacrificial Cult.] নৎত্রগা কংলৈ শায়ী/শা-ঈ তাহনদগী লাইনীঙ [The cult of blood shedding on the surface of earth as offering to the Mother-earth by sacrifice] অসি মৈতৈ লৈপাক্তা মৈদিংঙু খুঞ্জাওবা [খৃঃ ১৬৫২-৬৬] না পানবা মতমদা মেরা শন্দুবা [মেরাদা শন-তুবা (the slaughter of cow/bull in the Meitei lunisolar month of Mera or October-November in Gregorian calendar] হায়বা মমিংসিগী মখাদা হওরকখি। মসিগী পীবীরল্লিবা ৱারোল্দিঃ-

...চনম্বম মুবগী কুম শক ১৫৮০ [খৃঃ ১৬৫৮] মেরা থা... লাইগী থোংসুং মেরা শন্দুবা কুম্মৈ য়েংবনা হাকমল্লদুনা তেকথরে [মথক্কীসিদা, ৪৪]

অসিনি। অদুগা লাইনীঙসিগী লাইনীঙলোনগী মরূ লেম্ফূ [Primary root] নৎত্রগা ময়োন চোংলক্লবা মরু [The seed from which the peducle is to be germinated] দু মখাগী ৱারোনসিদা লৈবগুম উহল্লিঃ-

(১) ...পারী নঙসিদী তাইবং মালংপানতা হলৱাইখি - ও। পানথৌ নপা চীঙখোঙ পোইরৈতোনতা হায়রু-ও। নঙনা নপারী খায়না য়াম, মমোম

তোকনা হকপতি লাহান নঙনা মালেম খুনফাওনখীবা থৌতু নুঙথোঙ হাঙন-শন, মানপী কসোম শন লাইমানপপু চীঙখোঙ নমি য়োক, নশান কন্নন-ও। তরং লইমচা য়াংলৈঙমপপু মরোং চইকা তমহল ও... (মঃচঃসঃ, ১৯৭৯, ৬২)।

(২) ...হোয়তা পনথৌ লইনুং থোঙ্ঙারেন অহনপনা পাউমেললকয়ে॥ লাহান মালেম খুৎফাও শন, থৌতু নুঙথোঙ হাঙনা শনপু। মানপী লীকা থুনা, তেৎনৌ লুমায় থাংনা। তরং লইমচা য়াংলৈঙমপপু মরোং চুঙকা তমহল্লো, কংলই শায়ী তানা চীঙখোঙ নমি য়োকনা লুৱাং নশান কন্নন-ও হায়খৎলকয়ে (মথক্কীসিদা, ৬৪-৬৫)।

অসিনি। মথক্কী অনিমকসি অমত্তনি। হায়রিবসিগী ঈঙ্গ্রাজীদা শমজিনবা ৱাহন্দোক পীরবদি মখাগীসিনিঃ-

Divine Thongngaren, the god of death and deads' land sent his advice to Poireiton, his youngest brother through Sheengtabung, the last son of Poireiton. The advice says that if he (Poireiton) was to sustain/retain his humanly/worldly image/shadow and protect himself or his personified body from the wears and tears of time and fate, he was to shed blood on the dry surface of the land on the lap to divine Mother earth to divert or ward off the misfortunes by sacrificing the bull/ox which he had redered to open the stone/stony gate which led to the human world/inhabitation and the blood was to let to fall on the earth with the piereing/thrusting of spear on the body of the fastened/bound bull/ox with covering its head/face with iron mask for that fashion of slow killing with ritual/ritualistic dance to be performed by Yanglei-Ngamba, the son of the lady by the name of Tarangleima after he had fully equipped with spear and shield of half elliptical/oval shape.

মথক্কী ৱারোনসিদা শরেন চন্দুনা/কত্তুনা ঈরাৎ/করাৎসিগী ঈদু করম্না/কমদৌনা কৎকদবগে নৎত্রগা লৈমায়দা তাহনগদগে হায়বদুগী মওং-মতৌ, থৌরাং-থৌশিনগা লোয়ননা ঊৎলি অমসুং কংলৈ [অকংবা, চোৎ-চোৎ লাউদবা লৈমায়] শা-ঈ তাহন্দুনা ঈকৎ-থেল্লাৎসি লৈপাক-খ্বাইগী অমসুং

ঈশাগী ওইনা পাংথোকপা নৎত্রগা ঈকৎ-থৌরম তৌবসিগী পান্দমশিসু লৌখৎ-শৎকৎনবগী লমজিং-লমতাকসু পীরি। অমসুং পীবীরম্বসিদা লৌখৎপা য়াবশিংদুদিঃ-

(১) মৈত্রবাক্তা লৈরিবা মীশিংনা মপুন্সি খোয়রেন য়ৌদনা [তেংবান মপু নৎত্রগা লাইবক-নোংদম্মা পীবা মীওইবগী হিংফম থোকপা মতম য়ৌদনা] মহৌশাগী মীশি নত্তবা, উদগী তাদুনা, ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা, শানা-ঙানা চীক্কুনা, মীনা হাত্তুনা, মৈনা চাক্কুনা, অসিনচিংবগী মীশিদা শিবা থোক্তনবা/থিংননবা [For prevention of unnatural death in Meitei kingdom],

(২) লাই-ফত্তবশিংদগী ঙাকথোক্লবা [For protection against evil spirits],

(৩) মহৌশা লাইরেম্বী উপদ্রবশিং নোংকাংবা, ঈচাও থোকপা, লৌ, শীৎপা, মতীন-মকাং কনবা, অসিনচিংবগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাং ওইনা [For precaution of/for natural calamities, like drought, flood, failor of harvest, raids of insects on crops, etc.],

(৪) কুমগী নৎত্রগা মরক্কী লাইনা-লাইচৎ ঙাকথো-তাম্থোকখিনবা [For warding off seasonal or occassional epidemics] অমসুং

(৫) মীদা, লৈপাক্তা, অসিনচিংবদা লৈহাও চেলহন্দবা থোক্তনবা [For avoidence of infertility(ies)]

অসিশিংসিনি। অদুগা অমুক অতোপ্পা লাইরিকশিং থারোন অমসুং থালোই নোংখাইলোন্দা পীবিরম্বনাঃ-

তরং লৈমচা য়াংলৈঙম্বা, লৈরাং মশুং মানবনা, মরোং সনথিন তাবু মাঙইন্ননা, থৌদু নুঙথোঙ হাঙন-সন, চীঙথং-সন লাইমানববু তেৎলৌ লুমায় থাংনা খুনবী নোংলৈশংবু ঙকোয়ননা চকফি লাইকুপ সীবা সনবু, মানবী সনলাই থেং, চেংলৌ মিৎয়েং খাননা মরোং চৈগা তমনা তুবী মমি য়োক, লাইরেন মশান কননা থানে [য়ঃবঃ, ১৯৮৬, ২৬]।

অসিনি। মথক্কী ব্রাফমসিদদি মৈতৈ নিংথৌনা লাইথৌ-থৌরমসি পাংথোকপা, ঙাকপগী ব্রাফমদা পীরি। অদুগা মেরা থা-সিদা মৈদিংঙুনা মহাক্কী

মশা কন্ননবা কংলৈ শা-ঈ তাবগী থৌরমসি তৌরি। নিংথৌ কনবা, নিংথৌ শাফবা, অসিনচিংবা পুন্নমকসি লৈপাকসিগী প্রজাগী য়াইফনবনি।

মৈতৈনা হিন্দু বৈষ্ণব ধৰ্ম্ম খৃঃ ১৭১৭ তা লৌখিবদ [চৈঃকুঃ ২০০৫, ৭৮] গীদি শা-শন হাৎপগী মচৎসি হুম্বরকখি। মরুওইনা, হিন্দু বৈষ্ণবশিংনা শনবু লাই ওইনা নীঙবগী মনাৎসি লৈবনিনা [মথক্কীসিদা, ২৫২] মনাৎ অসি হরাউ-তয়ামগী মশক অমদা কাক-তানবগী থৌরমদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্ব [খৃঃ ১৭৬৩-৯৮] গী মতমদা ওম্বোক্লগা অতৈ থৌওং খর হাপচিন্দুনা চৎনখি।

মচৎ মান্নবশিং (Similarities)

মৈতৈগী কংলৈ শা-ঈ তাহন্দুনা মালেম লৈমা লাইরেম্বীদা শারেন কত্তুনা ঈ কৎপা লাইনিঙ মনাৎসি হিন্দুগী [বৈষ্ণব ধৰ্ম্মগী সমপ্রদায় (Sect) শিং, শৈব-ধৰ্ম্মগী সম্প্রদায়শিং, শাক্ত ধৰ্ম্মগী সম্প্রদায়শিং, অসিনচিংবা] যজ্ঞবুনা মরু ওইনা লাইথৌ পাংথোক্লবা অদুগা মান্নবা ওইনা লৌনৈ। মখোয়গী যজ্ঞগী মরমশিংগী ব্রাফম খর চাবোক-কাংথংশিন্নবা লাইনীঙ'গী মখাদা উৎচব্রে। অদুবু মখা তানা খরদংগা অমুক থমজরিবদিঃ-

(1) Even a cursory reading shows that the pastoral life formed the basis of Yajurvedic society as of its rituals. Nevertheeless the growing importance of agriculture and of metals, is made very clear in a prayer (still recited) that would not have filled into the earliest Rigvedic frame: 'May for me... milk, sap, clarified butter, honey, eating and drinking at the common table (sagdhi and sapiti), ploughing, rains, conquest, victory, wealth, riches, prosperity... low grade-grain (Kuyava), food, freedom from hunger, rice, barly, sesame, kidney beans, vetches, wheat, lentils, millet, pancium miliacum, pancium frumentaceum and wild rice (prosper through the sacrifice). May for me the stone, clay, hills, mountains, sand, trees, gold, bronze, lead, tin, iron, copper, fire, water, roots, plants, what grow on ploughed land, what grow on unploughed land, tame and wild cattle prosper through the sacrifice (Yajna). This may be dated at about 800 B.C. and shows that the Aryans had begun..., [D.D.K. 1977, 85]

(II) The sacred books deals overwhelmingly with Yajna blood sacrifice. Such collective sacrifices, were made other vedic gods besides Agni, through always in the presence of the sacred fire. The duration and complication of the ceremony began steadily to increase. The number and variety of animals sacrified seem incredible today. The highest ranking sacrificial "beasts" were man, bull, stallion, but almost every beast and bird was killed at these Yajnas, according to Yajurveda and Brahmana-s. Such monstrous pre-occupation with unlimited ritual killing proves that the society had begun to exhaust its means of subsistance ...The sacrifice were considered indispensable for victory in war... The horse sacrifice, for example, was no longer the simple killing and eating of an animal so important to the Aryan economy. The chief queen had to couple with the slaughter stallion in a rather revolting fertility rite, proably a substitute for some earlier sacrifice of the king or his surrogate... Yajna already had a deeper, recognised, social purpose... [Ibid, 87].

(III) The Yajna was now cited primarity for some mystical philosophy with generally fantastic interpretation, not for its original blood-and-guts performance. The Upanishadic Brahmins who had one finished their studies near or to the west of Indus, now went to eastern Kshetriyas like Asvapati Kaikeya and Pravahana Jaivali to learn the "inner significance" of the sacrifice... [Ibid, 102)

(IV) Asoka did not forbid all killing ... The emperor set the example of vegetarianism in his own palace, cutting down the royal household's consumption of meat almost to vanishing point. The Yajna was forbidden by degree as were certain froms to the saturnalia (samaja) which led to heavy drinking and public orgies,with crime or deplorable excesses. Even here, the emperor admits that some types of samaja are necessary and not evil. It has been noted that one form survives to this day, the holi spring festival whose most obsence features have been mitigated by law and public opinion... [Ibid, 162]

অসিশিংসিনি। মখোয়সি মৈতৈগী ঈরাৎলোন [sacrifical rites and rituals] গী শারেন চনবগী লমদাং চঙবা ঙাক্তনি [মখাদা লাকখিগনি]।

মৈতৈগী শরেন চনবগী/কৎপগী লাইনীঙ, কংলৈ-শা-ঈ তাহন্দুনা লাৎপা, মেরা শন্তুবা/শন্দুবগী মচৎ-মনাৎসি তশেংনমক হিন্দুগী গোমেধ [গো-শন, মেধ—হাৎপা] যজ্ঞগা মান্নে। খেন্নরিবা হায়ববু হিন্দুগীনা যজ্ঞগী মৈফম শেমদুনা/লীংখত্তুনা মৈ হৌগৎ-থাগৎলগা পান্নিবা লাই অদুগী কৎকদবা পোৎলমদু মৈদা কৎলগা/থারগা/ঈল্লগা মদুশিংদু মৈনা লাইদুদা য়ৌহন্দুনা লাইদুবু কৌথোকহনবনি অমসুং মসিদা যজ্ঞগী লোয়শিল্লকপদা যজ্ঞগী মৈদু মুৎননবা অহিংবা শন মঙক কক্তুনা মদুগী তারকপ/শীন্থরকপা ঈদু যজ্ঞদুগী মৈফমদা/মৈদা হৈথদুনা যজ্ঞগী মৈদু মুৎপা/মুত্থৎপা, অসিনি। অদুগা মৈতৈগী "শারেন চনবা/কৎপগী ওইবা মেরা শন্দুবা" অসিদনা শন্দুনা চেনখি-চৎখিবা য়াদনবা থৌরীনা পুন্দুনা থন্নগা তৌগদৌরিবা থবক্তু উহন্দনবা মমায়দা য়োৎকী/ফিগী মায়খুম্না কুপশিল্লগা তানা চোংথোক-চোংশিন তৌদুনা খর-খর থিল্লগা ঈ শিন্থহন্দুনা লৈমায়থক্তা তাহন্দুনা ঈরাৎপনি। হিন্দুগী থুনা অমসুং মৈতৈগীনা তপ্না শন্দু শিহনবনি। অদুগা মৈতৈগী থৌরমসি অহানবদা লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বগী লাইমাঙদা পাংথোক্লম্বনি [চৈঃকুঃ ২০০৫, লাঃ ৪১(২১)]ঃ (লাইগী থোং শাইএ,) অমসুং ৪৪(৭-৮) (লাইগী থোংসু ... তেকথরে)'। অদুবু মমৈদা নুঙগোইবী লাইরেম্মগী লাইবুঙ-লাইফমদা পাঙথোক্লরকখি। মসিনা "মেরা হওচোংব" গী লৈঙাক-থৌগাই অমসুং কুম্মৈগী মচৎ ওইবা থৌরমসিগী মমি তন্নকখি। অদুবু শন্দুব [শন হাৎপা] গী মচৎসিদি হিন্দুগী স্বভাবকী শাফুনা পুমথিং থিংখি।

মসিগী খুদম চাংদমদিঃ-

...মোইরাং চৈতৈন্যসিংগী কুম শক ১৭৯৯ ... (ওল্লকপা মৈতৈ কুম্বারোনগী) শাজিবু থা ... ৭ নি ঈরাই [এপ্রিল ৮ খৃঃ ১৮৭০] দা ব্রুন সাহেব [Dr. Robert Brown, British Political Agent (1867-75 A.D.) in Manipur] না শন ১ হাত্তুনা চাগে তৌরম্ববু শ্রীযুৎ মহারাজনা তারদুনা কাংঙবা মেঞ্জোরবু শীদুনা "সাহেপ ! ঐখোয়গী ইরৈপাক অসিদা শন হাৎপা হৌনদে", হায়দুনা শনগী মমল লুপা ২০ পীরদুনা শন্দি মহারাজদা - কৎলৈ [মথক্কীসিদা, ৩৮৩]।

অসিনি। মশাগী মচীঞ্চাক ওইজরবা বৃটিশ মচানা চাজগে তৌবা ফাওবা লৈপাক্কী ৱায়েল-ৱাখুন্না থিংদুনা শন হাৎপা য়াহন্দ্রিবা-হাৎহন্দ্রিবা অসিনি।

(৮) লাইরৈমা পাম্থোইবী-লাইনীঙ

"লাইরৈমা/লাইরেম্মা পাম্থোইবী-লাইনীঙ" হায়বসি "নোংপোক অপানবী-লাইনীঙ" দগী মখা শমথরকপা/তাথরকপা লাইনীঙনি হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রে [মথক্তা য়েংবীয়ু]। "পাম্থোইবী" হায়বসিগী লাইরিক-লাইশূগী ওইবা ৱাহন্দোক্তি 'অপানবী/অঙৌবী' দগী থোইনা/হেন্না ঙৌবী, হায়নি। মরম অসিনা কুচু হেন্না থোইনা ঙৌবী নুপী খুদিংমকপু/পুম্নমকপু খঙনগনি। অদুনা মৈতৈগী অশেংবা লাইরিকশিংনা পীরম্বগী মতুংইন্না ফংলিবা পাম্থোইবীশিং অমসুং মখোয়গী শক-খঙহনবা শক্তাক-লীখুন্নচিংবগী পরেং অমা মখাদা থমজরিঃ-

মশীঙ	অশুবা মিংলেন	য়েক/শল্লাই	শক্তাক ৱারোল
১।	তমপা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী	নিংথৌজা/ মৈতৈ নিংথেম ময়ুমনিংঙোল	তুবী থিংকোক লাইরেনবা অমসুং মালেম তম্পাক লৈরেনহবী অনিগী মচানুপীনি। খাবা শল্লাইগী খাবা শোকচোবা অমসুং মনু (মনেম) তেকআগী মচা খাবা তরং খোইনুচাগা হায়ন-শীংনদুনা লুহোংখি অদুবু অঙোমগী লংমাই/নোংমাই শল্লাইগী নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বগা থেংনবদগী খাবা ময়ুমদগী চেম্থোক্লক্তুনা চীঙশোম্বগা নুংশি ৱাইথুংনখি। মখোয়গী মচানুপা ১ শেকমাই নিংথৌ ১সুং মচানুপী ৩ [লীক্লাইপীচা, শন্দ্রিকচংনীঙখোম্বী ১সুং উমাইশ্না/লংমাই চীঙ্চারোইবী (৩মক 'পাম্থোইবী' ঙাক্তনি] পোকখি, শেল্লোই-লংমাইচীঙদা পানখিরম্মী।
২।	নোংবাল্লোন পাম্থোইবী লীক্লপীচা নোংদমনু	অঙোম/ লংমাই (নোংমাই) শল্লাইগী নিংথেম ময়ুম নিংঙোল	মপানা লংমাই কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং মমানা তম্পা ৱাংঙমল্লোন পাম্থোইবীনি। লঙ্গোল চীঙগী থোঙঙাক খুভম মনাক্তা মমা-মপানা পীশক পীক্লা হুন্দোক্লম্বদগী লুৱাং নিংথৌ পুন্সিব [শক্তাক্তি "হোঙনেম" ওইবা য়াই] না খুন্দুনা য়োকপীরকখি। অঙোম পুরৈরোম্বা [শক্তাক্তি, "চীঙৱাংলক্কী নিংথৌ সরারেন পুরৈরোম্বা" ওইবা য়াই] পান্নদুনা মচানুপা খোইদোম পোকখি অমসুং অমুক লুৱাংনিংথৌ পুন্সিবা ["কৌব্রু

মশীঙ	অশুবা মিংলেন	য়েক/শল্লাই	শক্তাক ৱারোল
			ওইবা য়াই] পান্নদুনা মচানুপা মান্দোম পোকখি। লুৱাং চীঙ [খম্রন্দা লৈবা]দা পানখিরম্মী।
৩।	নোংবাল্লোন পাম্থোইবী (২শুবী), শন্দ্রিকচংনীঙখোম্বী, চীঙঙারৈমা, চংনীঙ-লৈমা	মথক্কী/ (২) গীসিগা মান্নে।	লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং তম্পা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবীগী অনিশুবী মচানুপীনি। ঈরুম নিংথৌ ঈরুম লৈমনা মমোম শক্তুনা য়োকপীরকখি। চাওরক্লগা শকখঙনদবদগী নোংপোক নিংথৌগা ওক্রুব্বদগী মথক্তা (মথৱাই) হাৎচদুনা শিজবা অমসুং নোংপোক নিংথৌগী নুপী অতোপ্পী ওইনা শীঙথানবা পুন্সি ৱারী অমা অমসুং লাইয়িংথৌ খোরিফাবা/মৈরাবগী তাল্লোই ওইনা মতৈ-মনাউ খৎনদুনা চীঙঙা-চীঙদুমদা মতম খর লৈরম্বা অমসুং হঞ্জিন্দুনা নম্বোল ফোইজীঙগী চংনীঙ লৈমা চীঙদা পানখিবগী পুন্সি ৱারী অমা, অনি খোক্লা লৈ।
৪।	নোংবাল্লোন পাম্থোইবী (অহুমশুবী) লংমাই/ উমাসনা চীঙজারোইবী/ [চীঙগী মচা হেন্নৌবী, তমগী মচা লানৌবী]	মথক্কী মশীঙ ২শুবা অমসুং ৩শুবগা মান্নে।	লংমাই কাইনৌ চীঙশোম্বা অমসুং তমপা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী অনিগী মচা ৪গী মনুংদা খ্বাইদগী ঈতোন-তোনবীনি। শেললোই-লংমাইচীঙদা পোকপীনি। লাইয়িংথৌ সনামহীগী তাল্লোইনি। লাইরৈমসি খুরাই কোনশম লৈকাইদা 'লাই লুখ্রাবী' হায়না কৌদুনা লাৎলি।
৫।	তমপা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী (অনিশুবী)	নিংথৌজা/ মৈতৈ নিংথেম (নিংথেম ময়ুম) নিংঙোন	নুমিৎ কাপ্পনচিংবা লাইরিক্তা 'খাবী লেংনাউ মোম্বী' হায়না মাইবী ওইনা শক্তাক্লিবী, মাইবী পুম্নমক্কী পুকোক ওইবী 'অমাই' চামা শীন্নাকপী, খাবী চাম শীম্থাবী ওইনা য়োঙ্গময়াই খোমদোন অতোনববু মবুং মৌপ্পা ওইনা মোইরাংদগী খেমগৎলুবীদুনি। মমা-মপাগী ৱাফম পীদে, অমুকসু খাবা (ময়ুম ওঙবী), চীঙশোম্বা নুংশি ৱাইথুংনবী (অহানবগী) দু ওইনা শৈথাই, অমুকসু অতোপ্পী ওইনা হায়।
৬।	তমপা ৱাংঙমলোন পাম্থোইবী (অহুমশুবী) লাইরোকলেম্বী নৎত্রগা লৈরোং-জাম্বী/লাংবী	মথক্কী ১বা অমসুং ৫ শুবসিগা মান্নে।	মৈদিংঙু খুয়োই তোম্পাক (খৃঃ ১৫৪-২৬৪) অমসুং নোংপোল্লোন নোংমোইনু/থোইনু অহোঙবীগী মচানুপা ২ য়োঙ্গীচীঙলেন তমহৈবা য়োইমোংবা অমসুং য়োঙ্গীহৈতোন তাউথিংমাং (খৃঃ ২৬৪-৩৬৪) গী মতুংদা খ্বাইদগী ঈতোন তোনবী ওইনা পোকখিবী মচানুপীনি। মহাক

মশীঙ	অশুবা মিংলেন	য়েক/শল্লাই	শক্তাক ৱারোল
			মোইরাং থোকচোমগী শলাই য়ুমজঙবা পুকোক কৌবা অঙাংঙাদা ওঙদুনা মচানুপা মঙা (খোইনাই অহনবা, খোইনাই য়ুমথংবা, য়ুকোকথোং য়াইমবা, ঈরুম লৌথিবা অমসুং নাউরম অতোনবা) পোকখি। মবুং অনিগী ফম্বাল মুন্নবগী থৌদোক্তা তাউথিংমাংগী মীচঙদা লেপ্তুনা চকপগী লাইরবা তিমেন তাৱাইববু মহাক্না নেক্তুনা খুশু-খুৎলাই পীরগা মবুং অহন য়োঙ্গমোংববু লুম্ফু তৌদুনা হাৎহনখি।
৭।	অয়াংলৈমা পান্থোইবী (১বা) লেরা/লীৱা লৈমা লাইশন থানবী (লীৱা- লাইরেম্বী) নৎত্রগা অয়াং লৈমা কবোক চাইবী	লীৱা/লেরা- খোংনাং শল্লাই/ শাগেগী নিংঙোল	লাইয়িংথৌ থাংজীংগী অহানবী তাল্লোইনি। লাইয়িংথৌসিনা ৱাকচীংগী থানীন্দগী অয়াংলৈমা মচিন-মনাও অনিগী মনাক্তা থা অমা চুপ্পা য়াওং ইল্লি, মসিবু মোইরাংনা অয়াংলৈমা কবোক (Sweetmeat) চাইবগী লাইথৌ থৌরম পাঙথোক্লি অমসুং মদুদগী লেরা নিংঙোল অনিমকপু "অয়াংলৈমা কবোকচাইবী" হায়নসু কৌই। লাইয়িংথৌ থাংজিংনা চীঙঙাদা মমৌনুপী চংনীঙলৈমা [লাইয়িংথৌ থাংজীংনা লাইয়িংথৌ খোরী ফাববু মচা শক্না মহাক্না মালেম লৈতারকপদা য়োক্লকখি অমসুং চংনীঙ লৈমসি লাইয়িংথৌ খোরিফাবগী তাল্লোইনি, মতৈ-মনাউ খৎনবদগী চংনীং লৈমসি মতম খর চীঙঙাদা চীঙঙালৈমা/চীঙঙা- লাইরেম্বী ওইনা লৈরম্মী] শঙবদা ইল্লক্তুনা চীঙঙা মখাদা (হৌজিক্কী লীৱা লম্বীগী পরীংদা) লৈখি। মদুদগী লমসিবু কোনবী ওইনা লীৱা লৈমা/ লাইরেম্বী হায়না মমিং থৈদোক্তুনা লৈখি।
৮।	অয়াংলৈমা পান্থোইবী [২শুবী, অহানবগী মথক্কী মশীঙ (৭) কী মনাউ নুপী] লাইশন থানবী নৎত্রগা অয়াঙ লৈমা কবোক চাইবী অনিশুবী নৎত্রগা পিশুম লৈমা/ লাইরৈমা/লাইরেম্মা	লীৱা/লেরা- খোংনাং (খোংনাং শল্লাইগী/ শাগেগী নিংঙোল	মথক্কী মশীঙ (৭) তা য়েংবীয়ু। মান্দোমগী মশূ- শূথাং লেরানা ঙানুশূ পান্নদুনা পোকপনি। মচেমশূ মাসু অনিমক লাইয়িংথৌ থাংজিংদা ওঙই। লাইয়িংথৌ থাংজীংনা ৱাকচীঙ থানীন্দগী থা অমা চুপ্পা মচীন-মনাউগী মনাক্তা লৈ, মোইরাংনা মরমদমদা কবোকচাইদুনা কৎপগী লাইথৌ পাংথোকই। মদুদগী অয়াঙলৈমা কবোক চাইবী হায়না মিংথোন মচেমগালোয়ননা ফংমিন্নে। লাইথৌ থাংজীংগী খ্বাইদগীঈতোন-তোনবী,

মশীঙ	অশুবা মিংলেন	য়েক/শল্লাই	শক্তাক ব্রারোল
			হায়বা ইনবী অমসুং খোয়দারোই ওইবী তাল্লোইনি। লাইয়িংথৌ থাংজ্ঞিংনা চীঙঙাদা মমৌগী মনাক্তা লৈবদা মহাকসু চীঙঙা চীঙদুমগী মনাক্তা লৈবা চীঙদুম পিশুমদা লৈখি অমসুং পিশুম লৈমা/লাইরেম্বা হায়নসু খঙনখি।
৯।	অনাল খুলখা চনু পাম্থোইবী	অনাল/ নানফৌ ফুরুপকী নিংঙোন	মমা-মপাগী মমিং-মথা পীরমদে। মহাকসি লাইয়িংথৌ খানা চাওবা ব্রাংব্রেনগী তাল্লোই অনাল খুম্বক চনু, অনাল নানফৌ চনু, অনাল খুনখা চনু মাপনগী শ্বাইদগী ঈতোন তোনবীনি।
১০।	লৈমরেন লাংওন চঙখোনবী পাম্থোইবী	য়েক-শল্লাই খাঈদ্রি, লাই-তিনগী ব্রারী-শীংবুন্দা ওইবা শক্তম্নি।	গুরু শিদবগী শীম্বা মতুংইন্না লৈমরেন শিদবী [লইশিরেন-লইপুনবী] না মালেম তাইবংপান্দা লাংওল্লকপদা নিপানশুবনা ফৌওইবী ওইরগা মাপনশুবনা পাম্থোইবী মিঙ্গৌনদুনা লাংওল্লকপনি [থঃরঃমঃ ১৯৭৭, ৮৫]। মহাকসিগী লাইপা নুপালাই/মপুরোইবা পীরমদ্রে অমসুং মৈত্রবাক্কী চফু শাবা হৌদোকখিবগী লাইরেশ্বী ওইনা পীবীরম্মী। ফুশা-ব্রানশাবগী লমসিদা অমুক ফৌওইবীগা খোঙলোইনবগী ব্রাফম, চাইরেন্দা লৈবী ওইনা পীদুনা মথক্কী তম্নপা ব্রাংঙমলোন পাম্থোইবী [১বা মশীঙগী] সিগী শানওন-'চাইরেন হৈয়াইনু' গা অমত্তা ওইনা পীরি [মথক্কীসিদা, ১১৫-১৫]।

মথক্কীশিংসি নত্তবগী মওংদা লৈরিবা– 'নোংপোক লৌরাং পাম্থোইবী' হৈস্নাম পাম্থোইবী; লাংপোকতা লাৎলিবা পাম্থোইবী; খোইবু, ক্বাথা, য়াইরিপোক, নোংপোক সেকমাইনচিংবদা লাৎনরিবা পাম্থোইবীশিং অসিদি মথক্কীশিংসিগী শানব্রোন, মমিং-মথা তোংঙান্না থোনখিবা ঙাক্তনি। হাইস্নাম/হৈস্নাম পাম্থোইবীসিনা শ্বাইদগী ঈহেন হেন্না মমিং চৎনা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহগী অমসুং মৈদিংঙু নরসিংহগী মতমদগী হৈস্নাম লৈকায় [তোল্লোং লৈকায় অমসুং য়াইস্কুল য়ুম্নাম মোইবুংলোকপা লৈকায়গা অনিগী মরক্তা (হৌজিক্কী মণিপুর স্টেট রোড ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন) দগী ফার্স্ট মণিপুর রাইফলসকী ওফিসার ক্লব অদু ফাওবা হৈস্নাম শাগৈনা খুন্দারম্বা মফম) লৈবা লম] দা নিংথৌজা য়েক্কী

হৈন্নাম শাগৈনা মখোয়গী নিংঙোন্নি হায়না [লোইয়াম্বা শীনয়েন্না লাইরৈম্মসি শাগৈসিবু লাৎলু হায়না পীরম্মী (খঃচঃসঃ ১৯৭৫, ১৯)] লাৎলম্বনি। লাইরৈমসিগী কোনমায়/কোললদু বৃটিশ মচাশিংনা খৃঃ ১৮৯১ গী এঙ্গলো-মণিপুরী ৱারদা মৈতৈ/মণিপুরীনা মায়থীরবদা লণ্ডন্দা পুখিদুনা মখোয়গী রিভরাইন মিয়ুজিয়ম [Reverine Museum] কৌবা মিয়ুজিয়ম থমখি।

মথক্কী পান্থোইবীশিং অসিগী মনুংদগী মৈতৈ-লাইনীঙলোন্দা চেৎনা লৌরিবা পান্থোইবীসি তমপা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী, খাবা ময়ুমদা লুহোঙ-য়ুম্বানবী, অঙোম ময়ুমদা নুংশি ৱাইথুংদুনা লংমাই/নোংমাইগী য়ুমলৈমা ওইবীসিনি। মৈতৈগী লাইরৈমা পান্থোইবী লাইনীঙসিদা লাইয়িংথৌ নোংপোক নিংথৌ অসিনা তম্ফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবীগী মথৱাইগী মবুংঙো ওইজরবসু অমসুং মৈতৈ খুন্নাইসিদা নুপানা য়ুম্বুরেন ওইবা নৎত্রগা নুপাগী মমিংদা য়ুম্বানবা/য়ুম-পুবগী চৎনবী লৈজরবসু লাইনীঙসিগী পরীং-লাংশঙ অমসুং য়ুম্বুম কাঙফৈ থাবগী উরেপ যাত্রাদি লাইরেম্মা পান্থোইবীনা ওই। লাইরেম্মসি মতোমতমক লাৎপগুম লাইনীঙলোনসিগী মিতম-কয়াৎ অমসুং ৱাখল্লোন পরীংসি লাইরেম্মসিদা তুংনফম ওই। নুপা য়াওনা য়াওনা য়াওদবগুম লাইনীঙ লমদাংগী ঈচৈনেসি চেন্থে। লাইরেন্বীসি মমা-মপাগী অমসুং মপুরোইবগী ময়ুমদা লৈদুনসু মখোয়দগী মনীঙ মখা তন্বী, "মপন তাংশক্তবী, মদু মীথাদবী" ওইনা শৈথাদুনা পীরি।

মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা হান্না লীংখৎ-হৌদোকখিবা অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙ অসি ওইনা খ্বাইনা কা-হেন্না পাম্নবা অমসুং থোইদোক্না লুনা তৌনবা লাইনীঙ ওইনা চত্থরকপা অমসুং তুংলমচৎকী লমদাংশিংদা খ্বাইনা য়ানবা লাইনীঙ ওইদুনসু মৈতৈগী লাইরেম্মা পান্থোইবীগী লাইনীঙসি মশাগী মখোঙদা মতোমতা লেপচবা ঙম্নবা খৃঃ ১৬৮৬ তগীদি চাওখৎলকপা অমসুং খ্বাইনা পাম্নরকপগী লন্বীসিদা চঙশিল্লকখি (চৈঃকুঃ ২০০৫, ৫২)। হায়রিবা চহিসিদা মৈতৈগী কোনুং কংলাগী মনুংদা লাইরেন্বীসিগী থায়নদগী চৎনরকপা মওং-মতৌগী নত্তবা অখন্নবা য়ুমওং-য়ুমদাগী লাইশঙ শাখি। মসিগী মরমদা পীবীরল্লিবা চৈথারোল কুম্বাবগী ৱারোল্দিঃ-

...নোংপোকপম খোম্বগী কুম শক ১৬০৮ মেরা থাদা পান্থোইবী শঙ নম্বোনবা শাবা হৌএ, তন্না লোয়এ [মথক্কীসিদা ৫২]।

অসিনি। হায়রিবা য়ুমশা-শঙশাসিগী মরমদা ঈংলিস মরোনদা পীবা তারবদি মখাগীসিনিঃ-

The architectural design/style of the newly built temple of divine Panthoibee was of the square ground plan of Mramma/ Myanma In [Im/Yim/Yum" in Meitei vocabulary denoting the same meaning with the Mramma "In"]/hut type with walling four sides and roofting in the style/nature of a humped/hunched back or dome shape-roof and the material in the textural fabrics of the temple were the thatch and bamboos.

লাইরেম্মা পান্থোইবীগী লাইনীংসি মৈতৈগী খ্বাইদগী হেন্না চৎনরিবা, মমিং চৎলিবা অমসুং পাম্নরিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙসিগা খা-ফাংননা [In parallel] খাবক লাকপগুম খৃঃ ১৬৮৬ কী মতুংদগীদি চৎমিন্নরকখি। লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাইথোঙসিদা মৈতৈ পুম্নমক্তা পাচা য়েক-শল্লাই থিদবা শাগৈ-য়ুম্নাক য়েংদা, অচৌ-পীশক খায়দা অমসুং নুপা নুপী খাক্তনা হাঙবগুম অমসুং লাইয়িংথৌসিগী ফম্বাল মথক্তা মীপুম তিংনা হৈকৎ-লৈকৎপা, লৈরোং-লৈরাংবা, ঈরাৎ-থেল্লাৎপা, লাইনীঙ-পাউকৎপা, মৈরা-মেক্রুক লাংবা, শরেন-শাকৎপা, অসিনচিংবা অপাম্বা মওংগী ঈরাৎ-থৌনিবা য়াবগুম লাইরৈমা পান্থোইবীগী লাইবুঙ-লাইথোঙদসু হাঙখি, লাকখোঙ ফানখোঙ শোকপগী অথিংবা থমখিদে।

লাইনীঙসিগী ময়াঈ তাংবন লাংলিবী লাইরৈমা পান্থোইবীসিগী মূর্তি [কোনমায়/কোমায় (Facial anatomical idol/image)] নৎত্রগা কোনল্/কোল্লূ (Metal head i.e. head anatomical structure /sculpture/icon) ওইবা য়াই, মীওইবগী ফিভম শুবা শক্তম [(Anthropomorphic icon/image)] দি মৈতৈদা (মৈতৈ-লাইদা) হৈবা/শাবসি অথিংবা লৈবা (মথক্কীসিদা, ২৯৩)] অসিনা মৈতৈগী লাইশিংগী মূর্তি/কোনমাঈ/কোল্লূ হৈবগী/শাবগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী ঈহান হানবা ওইনা খৃঃ ১৬৯৯ দা হৈখি অমসুং মসিগী ব্রাপাংদিঃ-

শাইরেম মানসৈগী কুম শক ১৬২১ ... পোইনু থা ... ৬নি ঈরাই [December, 1699 A.D.] দা পান্থোইবীগী মূর্ত্তি হৈগদবগী অহৈবা হঞ্জবা তারিনা লৈমি তমএ। ১১নি য়ুমশকৈশদা পান্থোইবীগী মুর্ত্তি হৈএ (মথক্কীসিদা, ৬২-৬৩)।

অসিনি মসিগী মতুংদা লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বা নংত্রগা লাই-ব্রা-হায়ব (লাইয়িংথৌ সনামহী) গী মূর্ত্তি শকাব্দ ১৬২২ (খৃঃ ১৭০০) কী ঈংঙাগী ৪নি ঈরাইদা হৈখি (মথক্কীসিদা, ৬৩)। মসি মমাঙদা কোন হৈবগী মচৎ-মনাৎসিদা লাইগী মূর্ত্তি/কোমায়/কোল্লূ মতম অমত্তদা হৈখিবগী ব্রাফম লৈতে। হায়রিবা লাইরৈমা পান্থোইবীগী মূর্ত্তিসি হৈবগী শীনশূ-শীঞ্জাংগী ওইবা মহৈ-মশীংগী ব্রাফমদু মথক্কী চৈথারোল কুম্বাবদগী লৌথোক্লকপা ব্রারোল মতেকসিদা 'লৈমি/লই-মি তমএ' হায়বসিনা অদুমক ফোঙদোকচরি। মসিগী মরমদা শীল্লমগী ব্রাফম ওইনা হায়রবদিঃ-

The facial or head modelled statue of divine Panthoibee was moulded by casting with the molten belmetal in the Mramma/ Burmese tact of wax lost technique as they did in the cases of their native cultic deities called "NAT" in their own tongue [Ibid, 62-3 and M.M. 1980, 285]

অসিনি। মখোয় ব্রাম্মাশিংগী 'নাট' লাইনীঙলোনগা মৈতৈ উমংলাই লাইনীঙলোনগা য়াম্না মান্নবগী শক্তমদু ব্রাফমসিদসু উবা ফংই। লাইরৈমা পান্থোইবী-লাইনীঙসি ঙসি-ঙসিমক হিংলি।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

মচৎ মান্নবগী লমদাংসিগী ব্রাফম খরদি লাইরৈমা লাইনীঙসিগী মমা-মপা ওইবা লাইনীঙ- ''নোংপোক-অপানবগী লাইয়িংথৌ-লাইরৈমা লাৎপগী লাইনীঙ' গী মতাংদা মথক্তা য়াওখ্রে। অদুবু অহোংবা অমসুং অওনবা হায়বসি মীওইবা জাতিগী ইতিহাসকী মতম অমসুং থৌদোক্কী পরেং-পরীংগী ব্রায়েল কাংলোন ওইনা লৈবনিনা চুম্না কুচু ঙৌরবী লাইরেম্মা অপানবীদু মতমগী অমসুং থৌদোক্কী ঈথক-ইপোম্না য়ৈদুনা চামথোকলগা হেন্না কুচু ঙৌবী, থোইনা হেন্না চঙখোন্না নীঙথিবী লাইরেম্মা পান্থোইবী'' ওইরক্লিবসিনি অমসুং লাইনীঙ-মচৎসিসু অনৌবা মওং-মতৌগী লাইনীঙলোন, ঈরাৎ-থৌনিগী লোনচৎ,

লাইনীঙ-লাইশোনগী চৎলম্নচিংবগী অওন-অহোংবা কয়া পুরক্লিবসিনি। অদুবু লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী অহোংবা-অওনবা পুম্নমকসিদি লাইনীঙদুগী লাৎনরিবা লাই অদুদা থাজবগী মচাক-মথুম চেনহনবা অমসুং হাপকৎপদুগী মথক্তা তোংদুনা লৈ।

লাইরৈমা পাম্ফোইবীসি মৈতৈ-লাইনীঙলোন্দা লাইশক অনিগী শক্লোন পুবী লাইরেম্মা ওইনা লাৎনৈ। মহাক্কী অহানবা শক্লোন্দা তাইবংপান-পোকপী-মমা [Universal Mother Goddess] ওইনা লাৎলি। মসি আর্য্যশিংগী বেদধর্ম্মদদি য়াওদে অদুবু মখোয়না ময়াঙ্গ থংবা এসিয়াগী লমদমদগী সিন্ধু তুরেন অমসুং মসিগী মশা-মরেংশিংনা কোনবা লমদম, ঈচেল-মঙাগী লম [পঞ্জাব (Land of five rivers/water)] অমসুং ঈশিং-ঈচেন অনিগী মফম [দোআব (Place/land of two streams)] দা লাক্কুনা খুন্দাররবদা লমদমদুদা মখোয়দগী চহি ১,৫০০ গী মথক্তা হান্না খুন্দা-লৈতারম্লবা অনার্য্য কাংলুপ কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্না/শাবা দ্রাবির জাতি [The Dravidian (B.N.L., 1988-89, 46-47)] দা লৈরম্বদুদগী তাইবংপান মমা লাইরেম্মগী ৱাখল্লোনসি অনার্য্যশিংগা তোৎন-তিন্নবদগী খর মখৈদি লৌশিনখি অদুবু গুপ্ত সম্রাজবাদীগী নিংথৌরেনশিংগী ব্রাহ্মনিয় ধর্ম্ম [The Brahmanical religion] দা দেবী লাৎপা লাইনীঙ (The Devi worship cult) লাক্কুনা শৈব ধর্ম্মগী শাখা শক্তি/মতীক-মঙম/মপাঙ্গল লাৎপা লাইনীঙ [The Shakti (Power or force/energy of ability/capability) adoration/veneration, religious branch of Shaiva or Shiva worship religion] থোক্লক্ত্রিববা ফাওবদি ময়েক লাদে। তাইবংপোকপী মমাবু মৈতৈনা হায়া/হয়া [Haya] অমসুং তাইবং পোকপা মপাবু হয়ি [Hayi] হায়না তেনশিন-শমজিনবা নৎত্রগা তন্ত্র লাইনীঙগী বীজ নাম/মন্ত্র [Seed name/spell] ওইনা শোন্নে, ইনৈ অমসুং লৌনৈ অদুবু খুন্নাই-লোনচৎকী 'পা' না 'পী' গী মথক থংবগী পরীংদা 'হয়ি হয়া' হায়দুনা শোন্নে/থম্নে। মরম অসিনা লাইরৈমসিবু শৈথাবদা।

(১) ...তমপা ৱাংঙমলোন কোরৌ অৱাংপপু তেংথানপী ... পুন্সি ঈৱাল লৈপু মপাল থাপী, ওইনমপা খুত্তা শূপী, অথুমপা লৈতোন তোংপী, মালেম লইপু লুমপী, কোরৌ নোংপু খোনপী, মালেম চীথেক মরিমা, মায়কৈ

নিপালমা, শুংদাই ১৬মা, শীঙখায়৬১ মা, লইরোন নোংলোন ৭ মকি নরা মালেম লীচৎপী, কোরৌ নত্তে য়ামপী, ৱাংপন নওঙ য়ামপী, য়াঙপী খুফম য়াম, কাইপী মুঙশোন তোংপী, খোংপান লইখোং খুতিংতা লইরক শীনশূ হাঙতনা শানওন য়ামপী ... [মঃচঃসঃ, ১৯৯৯, ১০]।

(২) ... মালেম লই লৈতরিঙৈদা লাইচা তরঙ ঈপাকথক্তা মিরেন শেকমোম কাইপী পানতমকুমনা পরিং মরী তত্তনা তাহ্মোঙ মযুং তম, লেমখোঙ মফৈ ওনপী, পরিং লাংশঙ থাপী, লাইচা ঈফম ওইবী, মালেম লইপাক পোৎলুম খাঙপী, নোংথৌ পোৎলেন য়াপী, চীঙলেন পোৎলুম পুপী, খুনুং-লাংপকোক চনু তমপা লাইনামুং নামুংপী [মথক্কীসিদা, ১৬],

অসিনচিংবা শীজিন্নদুনা শক্তাক্লি। হায়রিবা মথক্কী ৱাফমশিংসিগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াইনচিংবদা মিৎয়েং থম্লবদি লাইরেম্মসি হিন্দু শাক্ত লাইনীঙলোনগী, মথক্তা মাবু হেনবা লাই অমত্তা লৈত্রবী, মী-লাই পুম্নমকপু অরান-খুবম পীবা ঙম্বী কলিকা/কামাখ্যা/কালি নৎত্রগা ত্রিপুর সুন্দরীগা চাংদম্নবা য়াই অমসুং মান্ননা লৌই। আর্য্য সমাজদদি লাই-নুপীনা চাওবসি চৎনদে অনার্য্য সমাজদদি চৎনৈ অমসুং লৈনৈ।

লাইরৈমা পাহ্মোইবীসি মৈতৈশিংনা অমুক হিন্দু ধর্ম্মগী বৈষ্ণব, শৈব, শাক্তনচিংবা শাখাশিং অমসুং মখোয়গী সম্প্রদায় [Sect] শিং, মরুওইনা শাক্ত-তন্ত্র ধর্ম্মগী অথোইবী লাইরেম্বী দূর্গা [Durga (The fortress with protective and defensive measures/powers/forces)] ওইনা চেৎনা লৌনৈ। হায়রিবা লাইরৈমা দূর্গাসিগী মরমদা পীরম্বা মরোন খরদিঃ-

Durga (devi), Tam, Turkai; the n. is translated by "Difficult of access, impossable, unattainable" referring to D. as the daughter of a mountain god, cp. Parvati: but it is also interpreted as "the Unassailable, Unconquerable One") 'n. of a terrific (sometimes mentioned as a half terrific) aspect of the Sakti of Shiva. She is however, also worshipped as an unmarried maid (Kuamri). D. is generally represented as a beautiful woman and is met with in many manifestations (see the epithets and varieties below) the best known of them is Mahisasuramardini. Besides

Parvati, Ambika and Kali she forms the central personality of the Sakti cult. It should be noted that D. like Kali but unlike Parvati, takes up an independent position towards Siva. D is also counted among the group of navasakti.

Char: vah: Sinha, sardulia, yali or padmapitha. She is also surrounded by several gradhras:

Attr: ajina, asthi, carka, churika, dasabhuja, dhanus, ajagava, gada, ghanta, jaba, khadga, khatvanga, khetaka, mundamala, pasa, sakti, sankha, sara, savamala, sriphala, suka, trisula, vajra.

– According to an India text (see R 1:202) D. may be found standing between Krishna and Balarama (it may be questioned whether this goddess is not rather Subhadra, cp. Jagannatha. D. is further represented by the bijamantra DUM (Dung).

Epithets and varieties: Agni-Durga, Aparajita, Balavikarnika, Bhadrakali, Bhairavi, Bhowani, Brahmacharini, Camunda, or-i, Canda or i, Candakhanda, Chinnamsataka, Dasadhuja, Harasiddhi, Jagaddhatri, Jaya-Durga, Jayanti, Kalaratri, Kalika, Kamakshi, Katyayani, Ksama, Ksemankari, Kumari, Kusmandi (or other name form), Maha-Gauri, Mahamari, Mahisasurmardini, Maya, Manaksi, Muktakesi. Mula Durga, Nilakanthi, Nisumbhasudani, Ripumari-Durga, Rudrani, Rudransa-Durga, Sailaputri, Sarda (devi), Sarvabhutadamani, Siddha-Camunda, Siddha-Yogesvari, Siddhidoyini, Sinharathi, Sinhavahini, Sivaduti, Skandamata, Sodasabhuja-Durga,Tara,Vama, Vana-Durga, Vindhyavasi-Durga: See also Kalaratri sragala (G.L. 1986, 83).

Mahisasuramardini (or-ani Mahisamardini; "slayer of the buffalo demon"), n. of one principal forms of Durga, under which she subdued the buffalow-demon (Mahisa, Mahisasura). In this form she received form all the gods their special weapons which she carries in her hands. She is usually

8-or 10 armed, and is often depicted treading with one foot upon her Vah. and with the other foot upon the subdued buffalow-demon. The demon has usually a human head of human upper body, his buffalow head lying severed on the ground beside him.

Char : Vah. is Sinha (or sardula):

: attar, ankusa, cakra, danda, darpana, dhanu, dhvaja, gada, ghanta, godha, kamanalu, khadga khetaka, mudgara, parasu, pasa, sakti, sankha, trinayana, trisula, vajra.

: Other n. & epithets: Candi, Canda, cp. also Camunda, Katyani. (Ibid, 164-65).

অসিশিংসিনি। মসিশিংসিদা দূর্গাগী শক্লোনসি অনি শুরি হায়বসি মথক্তা পীখিবসিদা য়াওরিবা - D. (Durga) like Kai, but unlike Parvati" হায়বসিনসু তাক্লি। মরম অসিনা হায়রিবা মওং-মতৌ অনিসি খঙজিন-য়েংশিনবগী মথৌ তারি, মদুদিঃ-

Kali: (or Kali Ma: Tam, Kali, Kali(y) amman; the n, is interpreted as "the Power of time, the Destroyer-of-Time" ...or probably less correctly as the Black One)

1. (Hind) K. is epithet of serveral goddessess, usually, however, K. signifies a terrific aspect of Shiva's sakti. She is then often confused with Durga (and said to be a form of Durga), but generally she is regarded as a particular form of the Sakti, and along with Parvati, Ambika and Durga constitutes the central figure of the Sakti cult. K. forms the aspect of the natural force of destruction but is also personification of the Supreme power.At many place (esp. in South India) Kali Devi is regarded and worshipped as a cholera goddess. She also belongs to the group of Mahavidyas and then represents the Maharabi, K. is also mentioned as the Sakti one of the Videsvara-s, K. is usually represented as an ugly women. She is usually no particular Vah, but in certain manifestation she appears dancing (or standing) in Siva prostrate on his back (or Siva-sava).

Char : Colour :back

Veh. : (Sometimes) : yali

attri. : ankusa, churika, damaru, dhanus, jihva, kapala, kesamandala (agni), mundamala, nagna, pasa, raksasamunda (in one hand), lalas (?) trisula, vibhuti, vikarni, she shallows asya, gaja, mahisa, nara.

K. is also represented by the bijmantra adyabija (KRIM) and a "lefthanded" form of svastika.

Epithets and varieties: Bhandrakali, Kalka-mata, Kankalini-Kali, Karali, Maha-Kali, Syama, Viramakal-Kali, cp. also Kalaratri. The small pox demonesses Marayamman, Sitala and others are also regarded as being forms of K.

2. (Jain) K. is NP (nomen proprium) of a Sasanadevata attending on the 7th Tirthankara, also n. of a Vidyadevi.

Parvati ("the moutain-daughter"), the usual n. of the chief wife of Siva. Her n. shows her original connection with Mongoloid mountain tribes of the Himalaya. As such she is regarded as the daughter of Himaban and Mena and young sister of Ganga. In South India, however, she is said to be the sister of Visnu,– P. is the gracious friendly aspect ("a permanent peaceful, all pervading, spatial aspect", DHP) of Siva's Sakti for the cruel, cp. esp. Durga and Kali; see also Sakta astastavasaras), and she may generally be looked upon as a fertility and mother deity, as is shown by Ganesa in the form of an attr. V. of hers (as image or baby).

Sons : Ganesa, Skanda.

Char : Vah :- in her gracious aspects she shares the Vah. Nandin with Siva but sometimes she is also represented with sinha, properly, the Vah. of Durga.

attr : of Kuncitapada

Mu : abhaya-kataka-, varda-mudra

attr : She is usually two arms with accompanying Siva, but four arms when represented independently, aksamatla, darpana, gajamukha (sometimes, South India), Ganesa (as a baby or statuette), ghanta, jambhira, jita-or karanda or Kirita-mukuta or kesabandha, kamandalu, linga, padma (rarely), pattabandha, sankha, yajnopavita. The aniconic, lithomorphic form of P. is suvgranarekha.

Varieties and epithets: AhladiniSakti, Aja, Amba, Ambika, Annapurna, Bhagavati, Bhavani, Bhutamata, Daksaja, Deer, Exanansa, Ganesajanani, Gouri, Himavati, Jagadamba, Jagadgouri, Jaganmata, Kanya, Kundalini, Lalita, Mahadevi, Mansa, Mangala, Minaksi, Nanda, Rajarajesvari, Rambha, Sarvamangala, Sivakami, Svayamvara, Tripurasundari, Uma, Vajra prastarini (?) Vamadevi-Uma, Vicalalciyamman - As to other epithets see DHP (A Danielou; Hindu Polytheism, London 1964. (G.L., 215-16).

অসিশিংসিনি। হিন্দু বৈষ্ণব, শৈব, শাক্তনচিংবনা দূর্গা লাইরেম্বীসি শা-লানগী লাইরেম্বী ওইবী, ঙাকপী-শেনবী-কনবীবগী মবেম্মা ওইবী অমসুং শীঙথানীঙঙাই ওইদ্রবা থাক অমসুং চাংগী মওংগী মপাঙ্গল-মরৌশিং, মথৌনা-মরীংজেন অমসুং মতীক-ময়াই চেনবী লাইরেম্বী, হিন্দুগী খ্বাইদগী হেন্না চাওবা লাইয়িংথৌ অহুম– লৈশেম-নোংশেম্বা ব্রহ্মা, য়োকপী-থাকপীবা অমসুং লাইশিংগী অৱাবা, খুদোংথীবা পুন্নমক কোকহল্লিবা ভগবান বিষ্ণু, অমসুং মাঙহন-তাকহনবগী মতীক-পুন্নমক্লা তাশিন-পুশিন্দুনা লৈরিবা মহেশ্বর মখোয়না নাইতোম্না নৎত্রগা অহুম্মক্লা পুন্না তৌবা ঙমদ্রবা থবক, মৈ কৌবা লাইগী বরদগী পোকখিবা মহিষাসুর হিংচাববু হাৎপগী থবক্তা লায়না মায় পাকখিবী লাইরেম্বীনি হায়না খঙনৈ। মখোয় হিন্দুগী লাই-তীনগী ৱারী-শীঙবুন্দা লাইরেম্মা দূর্গাসি হিন্দুগী ত্রেতশ কোটি [লাই কোটি ৩৩ (৩৩০০০০০০)] গী মনুংদা মৈ কৌবা লাইসিদং য়াওদবা লাইয়ামশিংদুগী মতিক-মপাঙ্গল মহী-ময়াইনচিংবা পুন্নমক্তুনা পুল্লপ-পুনশিন্নবা মশক্তুনা শকপাল্লকপনি। মসি হিন্দুগী ‘দেবী পুরান’ হায়না কৌবা পুরান্দুদা য়াওরিবা লাইরেম্মসি চোংথোক্লকপগী ৱারীদুনা শাক্ষী ওইরি অদুদা হায়রিবদিঃ-

মহিষাসুর (ঈরোইগী মশক ওইবা হিংচাবা) না, শিরবা মপাগী চিতা শন্দুক্তগী মৈ কৌবা লাইগী বরদগী চোংথোক্লক্তুনা স্বৰ্গগী লাইয়ামশিংবু মপা হাৎখিবগী লমন খুম্নবা হোৎনরকখি। লাইয়াম্না মহাক্কা মায়য়োক্লবা ঙমদ্রবদা ভগবান ব্রহ্মাদা, ভগবান শ্রীবিষ্ণুদা অমসুং ঈশ্বর মহেশ্বরদা মহাকপু হাৎপীনবা হায়জবদগী অচৌবা লাই অহুমসিনা অমমম ওইনা লাম্বা পানবদা ঙমদ্রদুনা মখোয়না অহুম্মক পুন্না মতম অমত্তদা মহিষাসুরগীমথক্তা লান্দাখি। মদুদা করিসু তৌবা ঙমদ্রদুনা ৱাখল চমন্নমা লৈরিঙৈদা ত্রিমুর্ত্তিগী ত্রিদেবী [লক্ষ্মী, সরস্বতী অমসুং পার্ব্বতী] অহুম তানদুনা শ্রীবিষ্ণুনচিংবা মখোয় লাই পুন্নমক্কী শক্তিশিংদু মফম অমদা পুল্লপ পুনশিনহন্নবা য়াথং পীবদগী শ্রীবিষ্ণুনচিংবা লাইয়াম অমসুং দেবী অহুমদুগী শক্তিশিংদু মফম অমত্তদা পুন্না পীশিনবা মতমদা অপুনবা শক্তি অদুদগী নুপীগী শক্তম ওইবী শ্রীদুর্গা দেবীসি চোংথোক্লকখি। মতমসিদা লাই য়াম্না মহাক-মহাক্না পায়বা মা-মাগী শক্তি লৈরবা খুৎশূ-খুৎলাইশিংদু দেবী দূর্গানা শীজিন্নবীনবা কৎচখি। হায়রিবা দেবী দূর্গাসিনা মহিষাসুরগা লান থেংনরগা তানা লেঙদুনা হিংচাবদুবু হাৎখি। দূর্গা দেবীনা মহিষাসুরবু হাৎখিবসিদা হরাউজরবা লাইয়াম্না দেবী দূর্গাবু লৈশি-লৈথোন্দুনা খুরুম-খাজঙখি। মখোয়গী লৈশি-লৈথোন ৱাহৈশিং অদুদি মখাগীসিনিঃ-

দূর্গা স্মৃতা হরসি ভীতিমশেষজন্তোঃ
স্বস্থৈঃ স্মৃতা মতীমতীব শুভ্যাং দদাসি।
দারিদ্র্যদু ঃ খভয়হারিণি কা ত্বদন্যা
সর্ব্বো পকারকরণায় সদাদ্রচিত্তা॥১৭॥

[পঃচঃদঃ, ১৪০৯ (বা)/২০০২, ৬০ঃশ্রীশ্রীচণ্ডী ৪।১৭।]

অসিনি। অদুগা দূর্গানা মহিষাসুর হাত্তুনা লাইশিংগী অৱাবা কোকহনবা [নঃইঃসঃ, ১৯৮১, ৯৮-১০০ অমসুং খঃচঃসঃ ১৯৯৪, ৭-৮] অসিদা নত্তনা অতৈ হিংচাবশিংবুসু হাত্তুনা লাইয়ামগী অৱাবা লৈখৈদগী কনখি। দূর্গা দেবীনা লাইয়ামগী অপুনবগী শক্তিদগী চোংথোক্লকখিবা মতমদা লাইয়াম্না মাগী মাগী খুৎলাই দেবীদা কৎখিবসিনা দেবীনা বিষ্ণুগী সুদর্শন চক্র, শিবগী ত্রিশূল, ব্রহ্মাগী কমণ্ডলু, ইন্দ্রগী বজ্র, যমগী দণ্ড, অসিনচিংবা খুৎশু-খুৎলাইশিং পায় অমসুং

দরকার লৈরকপা মতমদা শীজিন্ননীঙবা মতমদা অমসুং মওং-মতৌদা শীজিন্নবা ঙমই/য়াই।

মথক্তা পীখিবা দূর্গাগী শক্লোনসি অকি-তুজুং [Terrific] নৎত্রগা অকি-হঙ্গৈইনবী [Half-terific] শকফম্নচিংবীগীনি। হায়রিবা লমদাংসিদা মৈতৈগী লাইরেম্মা পাম্ভোইবীসিসু মওং-মতেক অমদা পুশিল্লম্মী। হায়রিবসিগী লমদাংসিদা পীবীরম্লিবদিঃ-

(১) ...তম্পা কোরৌ নোংমাপীনা অঙানপনা থোঙলেন খমলপতা তংকানুপী পুয়তিং ৱাকতি তম্পা খাপী খেরাং থাং, ৱাংঙম অমাই মরাঙ হওনা নাইফা থানফম মাঙ, লৈচোন মীরৈকাইকি নমু পোংনাউতোন, নাউৱা অখুপা সুমায় কাঙখোম লোয়, লৈপুঙ য়াকাপপু নমু চঙনা ৱায়, মীকোক মীরূ খেক, মীকোক মীরূ ককনা নাউৱা মীখুতোনপু তোঙকোল ৱাইরও নুংতা ৱায়না হাপখিয়ে [মঃচঃসঃ, ১৯৯৯, ৪৫]।

(২) ...তম্পা ... নুমিতাং খাপা মরান য়ায়তা য়ুমচঙখিপপু মুনু তেকঙা খাপা হোতোনকোকপমনা ... ৱাংঙম নঙনা ঙাতারুপতি তোম্ছা মৈমুপপু ফারকপা, ঙাতোন তেলমৈরোঙপু হইরকপরা, হায়না তোংকোল ৱাইরও মখুম হাংনা মিৎয়েং শানখৈরুপপু লেমলৈ ঙাতি লৈঙমতে। নাউৱা মীকোক মীরূতোনপু লৈঙমলপকি খাপা হোয়তোন কোকপম নিংঙোনপী মনুং তেকঙানা থৱাই মিরেন পাই, থীকলেন থাকা ফুনা শোংকিখিয়ে॥ (মথক্কীসিদা, ৫৬-৫৭)

অসিনি, অদুগা অমুক লাইরৈমা পাম্ভোইবীসিবু সিংহ-বাহিনী দূর্গা [নোংশা/কৈ তোংবী দূর্গা নৎত্রগা নোংশা/কৈবু শাদোং ওইবদগী দূর্গাদা পীবা মমিং অমা] গা মান্নবগী মওং-মতৌদা অমুক পুখৎলি, মসিগী ৱাপাংদিঃ-

...ৱাংঙম খোঙকুলপু লীরকপতা অঙৌপা লংমাই নিংথৌ নোংপোক অপানবা মালং হুমওইপনতি কোরও মতে য়ামপনে, ৱাঙপন অওল হকপনিকিনা পানপা কৈ য়েকলা নিঙথিপপু শানওললে। কৈরেন রুমপীশা, খোয়মা নাতোন চোংপা অথৌপপু শানওললকলে। ...তম্পা ৱাংঙমলোনতি লাইচা পাশানা, ঈঙৌ খোঙকাওনা ঈমু ঙমলোনননা ...শানতেংলিঙৈতা অঙৌপা মশাপীনা পানপা মথি নাই, কৈরেন মরাঙ হওনা ...চঙনা লাককে তৌকুমলকপতা

তম্পা ৱাংঙমলেননা ... পানপা তাংশক্তা ... পানবা মায়োক য়ানা কৈরেন থাফংননা পানপা ঙকথী লুমলাং কোননা কৈরেন শায়াঙ থক্তা তোংখৎলে, পানপা শাথও থোইনতি তম্পা মরাঙ হওনা ৱাংঙম চুপপু থোইনা শাথওরপতা অঙৌপা অরুপা কৈশাপসুং মালং মাথি নাই ... কোরৌ নোংখোঙ মতেকমনা মালেম লৈখোঙ কোয়, কোরৌ নোংতোন পাই, লৈরোন-নোংলেন অহুমমপু ফাওনা কোয়মললপকি... [মথক্কীসিদা ১২৫-২৭]।

অসিনি। অসুম্না লাইরৈমা পান্থোইবীবু দূর্গাগী শক্লোনসিদা পুরি। অদুগা অমুকসু দূর্গা, কালী/কালিকানচিংবী অকি-তুজুঙ শকফম্নবী দেবীশিংনা শিব নৎত্রগা মহাক্কী লাইপা ওইবা মপুরোইবা লাই-নুপাদগী মনীঙ-মখা তম্না লৈবগুম লৈমরেন পান্থোইবী অমসুং লাইরেম্মা পান্থোইবীগী শক্লোন অনিমকসি নোংপোক নিংথৌদা থোইদোক্লা তাংজ-পকচবা [Attachment] য়াওদনা মনীঙ-মখা তম্বগী মওংদা মতোমতা লাৎপগুম [মরুমদা নোংপোকনিংথৌ লৈজরবসু] মফম অয়াম্বদা লাৎনরি। তৌইগুম্বসুং শাথীনা খেন্নবা অমখক্কী ৱাফমদি দূর্গাদদি হিন্দুলাই কোটি ৩৩গী খুৎলাই কৎখি/শিন্নখি/পীখি অমসুং শীজিন্ননীঙবা মতমদা, মফমদা অমসুং থৌদোক্তা শীজিন্নবা ঙম্বগী/য়াবগী/ৱাফম মথক্তা পঞ্চখ্রে। লাইরেম্মা পান্থোইবীসিদদি মৈতৈ উমংলাই পুম্নমকসিদগী অমত (লাইয়িংথৌ/লাইরেম্মা/লাইনুরা)না মখোয়গী খুৎলাই পীবগী ৱাফমসি লৈতে, মীনুখাঙ/মীহিংচা অমতগা খৎন-মুক্নবগী ৱারমসু লৈতে, নুংশি' মশুংলাংগী খোইবু, কোম্থোং/কোন্দোং-ক্কাথা, চাইরেন্নচিংবদা চেনবগী-ৱারী ৱাখোঙদি লৈ।

লাইরেম্মা পান্থোইবীসি দূর্গাগী অতোপ্পা শক্লোননি, হায়না হিন্দুশিংনা লৌরিবা পার্ব্বতী (চীঙ-নিংথৌগী মমোমলোই)/হেমাবতি [হিমাবন (হিমালয় চীঙনিংথৌগী মমোম] গী শক্তমসিদা অথোৎপা-অমেঙবনা তীনবী, কুচু-কুমেন ফজবী, মশক উবদা নুংশিবা [মীনুংশি নৎত্রগা নুংশি-নুংঙোন] পোকহনবী অমসুং ঈকাঈথীবনা মাগী লৈতেং ওইবী অমগুম্না খন্নদুনা লৌনৈ। অদুবু মসিগী শক্লোনসিদা মচাবু লুনা তৌবী গনেশপু পমদুনা নুংশি খুদোন্না মশাগী লৈতেং ওইবী পার্ব্বতীগী শক্লোনসিদি য়াওদে, লমদম অনিদা মচা হুন্দোক্লমদুনা চেনখিবী মমা ওইনা লৈ। অদুবু শিব-পার্ব্বতিনা বৃসন-নন্দি/বৃষভ [শল্লাবা নন্দি (নন্দিনা ওইবা শল্লাব)/শল্লাবা] দা তোংদুনা মালেম তাইবংপানবগী য়াইফ-মঙ্গল পীবগী

শক্তমসিগী লাইরৈমা পান্থোইবীগী শকফমদি লৈ হায়বসি মথক্তসু উচচগ্রে, মতাংসিদা মশাগী মতাং চানা উৎপদুসু উৎচরিঃ-

...কাওরেন শনতনপা শায়াঙথকততিসনা ফমপান হেনমোইনপপু নুমিৎ লিশিঙ থোককুমন, মালং য়াইপী খাপাংননা তম্পা মৈরা ফনীকনা, ঈশিং কানকনা, সনা লৈখাম তোল্লোঙ চিন্না ... শমলাং তারৈনপপু খাপ্রাং লেপমন্ননা ...শঙশংনা উৎপীরে।[মথক্কীসিদা ১৩৫-৩৬]।

Translation to English:-

The divine appearences of both the spouses were shown with sitting together on the back of the bull veihcle by name of shantanba [the male bovine animal equivalent/similar to Vrisav-Nandi of Lord Siva & Parvati)] as if shinning with one thousand suns and facing with the breezing wind the divinities in the attires of flaming fire as loin-dress and bluish water as the wrapping cloth of divine Panthoibee and the bifurcated golden floral design of Leikham [Goniothalamus sesquipedalis] as the adornment on the headgear, the male serpent coiling around the neck as necklace, Trisula on the right hand as the habitual weapon, iron scales on the feet as foot-wear, belmetal shears/scissors on the left hand as symbol of administration of justice and matted hairs [corresponding to the Jata (matted logs of hair of Lord Siva not those/that of USHHANISHA (Coiffure) of Lord Buddha] on the head as the significant of asceticism or ascitic austerity of divine Nongpok-Ningthou, to their vision by standing postures of the two divinities in couple closely side by side or left and right.

মথক্কী পান্থোইবী খোঙ্কুলগী ৱারোলসিদসু অমসুং অতোপ্পা লাইরিকসিগী মফম অতৈদসু নোংপোক-নিংথৌ কাইনৌ চীঙশোম্বগী শক্তম শৈথাবদা মহাকসি শিবা মহাদেবকী শকফম, ফিজেৎ-লৈতেংগা মান্ননা খোরজৈ/কলমনা য়েক্কুনা শক্তাকলি। মদুদিঃ-

...লংমাই লংপা চীঙমঙল, মঙল তরং ৱাংপা চীঙমঙনতা মতোম পানফপা লাইয়িংথৌ, শেল্লোয় চীঙখাঙ লাকপা, চীঙলেন শোমপা নিংথৌ,

অঙৌবা কোরৌ খোঙচোমপা, ...মালং য়াইপী হূমলেন তোংপা, তাঙচা ঙককোয়না, পানপা কৈৰূল শেৎপা, লিললা খাউওন য়েৎনপা, শমলাং তারৈনুংতা লাইচা ঈপুপা, সনা লৈখাম তোললোঙ চিনপা, টিমেল টারোঙ শূপা, য়োৎকী খোরুম তোংপা, শেনকী কাটি শূপা, মীৎয়েং হূমপাল লোঙপা, কাওরেন শলতনপা তোংপা লাইয়িংথৌনা ...(মথক্কীসিদা ৪৬-৪৭)।

ৱাহন্দোক ওইনা পীবিরম্বাঃ-

...লংখৎলকপা চীঙনি হায়না লংমাই কৌবা অচৌবা চীঙ, চাওবগী মতীক ৱাংবা চীঙজাওদা মতোমতা পানবা লাইয়িংথৌ, চীঙখাঙ লাকপা চীঙশেম্বা লাই, অঙৌবা খোঙজোমবা ...পুম্নমক্কী থৱাইগী মপু ওইরিবা [অথোইবা অচঙ-অহিংবগী ময়াই পীরীবা] নুংশিৎপু শাদোংনবা/য়ুমওইনবা, ঙক্তা লিন য়েৎপা, কৈ মউন শেৎপা, লিননা খাউওন্নরিবা [লিন লাবনা খাউওন্ননা য়েৎলিবা], মশম জটা মনুংদা ঈশিং [গঙ্গা] পুবা, সনানা শাবা মতোন লোঙবা লৈখাম লৈখাম পাম্বীগী মনাগী] মওং-মতৌ তমদুনা শাবা সনাগী মতোন খায়দোকপা লৈতেং থেৎপা/চিনবা [থা মচেৎকী মহুৎ], তা তাজীন অরোঙবা [ত্রিশূল (তা অহুম, হায়বদি মচীন/তাজীন অহুম ফাংবা তা] পায়বা, য়োৎকী খুরুম তোংবা, শেন [Bellmetal] গী কাটি পুবা/পায়বা [ৱায়েনগী মপু ওইবা], মিৎয়েং অহুম শুবা [মমিৎ অহুম পানবা], ষণ লাবা [বৃষ-নন্দি/বৃষভ]না শাদোং ওইনবা লাইয়িংথৌনা [মথক্কীসিদা, ৪৭-৪৮]।

অসিনি। মথক্কী নোংপোক নিংথৌগী য়েক্লিবা শকয়েক অসিদি হিমালয় চীঙজাওগী কৈলাশ চীঙথক্তা ঙানথোইবা শিব ভগবানগী চপ চাবা শকপাম্ছোং/শকথোং অদুনি, মহাক্কী শিবা [শিবগী নুপী লাইপা নৎত্রগা তাল্লোই/মতুদি সতি/উমাগী লাংওন্নি হায়না লৌনরিবী চীঙনিংথৌগী মমোমলোই 'পার্বতী' নৎত্রগা হিমাবন, হিমালয়গী মপুগী মচা নিংঙোন হিমাবতী/হেমাবতী নৎত্রগা কুচু ঙৌবী গৌরীনি। মরম অসিনা মায়কৈ অসোমদা মিৎয়েং থম্নবসু মৈতৈগী লাইরৈমা পাম্ছোইবী, পার্বতীগুম লোইবী চনুরা ওইবীসি তশেংনমক পার্বতী/হিমাবতী/গৌরীগা মান্নে। হায়রিবা পার্বতী অসিদি বিশ্ব-ব্রহ্মণ্ড [Universe of various solar system] পুম্নমকসু ঙন্বী, তৌঙমদবা লৈত্রবী সহস্রশ্রীযুক্তা দূর্গা [Durga whose auspicious name is adorned with the words of 1000

honourables] গী অঙ্গৈং-অতপ্পী [কমল/শীতল] গী শক্লোননি। মরম অসিনা লাইরেম্মা পান্থোইবীসিসু মৈগী মৈরীদা মৈশা অমসুং মঙাল্লি, ঈশিংগী ঈয়োন্দা অঙ্গৈংবা অমসুং মচু নাইদবা/লৈতবগী মশক্তুনি।

(৯) লাইরেম্মা লম্মাবী(শিং)গী লাইনীঙ

"লাইরেম্মা লম্মাবী(শিং) গী লাইনীঙ" হায়বসিদা য়াওরিবা লাইগী লাইমিং, "লম্মাবী" হায়বসিনা পীরিবা ৱাহন্দোক, খণ্ডনবী অমসুং শন্দোক্লা খণ্ডন-হায়নবী অসিশিংনা খণ্ডহল্লিবদি- "লম [লমবু (An objectified/objective land, belt, region, domain, etc)], মবী [ঙাকপী-কোনবীরিবী, য়োকপী-শেনবীরিবী, ৱায়েন-থৌদারিবী, অসিনচিংবা তৌরিবী (Presiding over)]" হায়বসিনি অমসুং লাইরেম্ম(শিং) অসি লম কোনবী/পুবী/ঙাকপী ঙাক্তনি। মখোয়গী লাইনীঙ অসি মৈত্রবাক্তা লাইরৈমা পান্থোইবীবু মালেম তাইবংপানবগী চাদা-নাউদা শন্দোকপী/পুথোকপী, অঙাং ওইহন্নবগী পোখোকপু থাবুম তরাখক্তা নাউ পুরগা অহিংবা-অচঙবগী য়ুমলেপ চারা শমথহন্নবগী ময়াই [Universal female principle] ওইনা লাইনুপী/লাইরৈমা লাৎপগী লাইনীঙসিদা য়ুমথং-য়ুমলোন্নবা নোংপোক্লোমগী লৈপাক্কী মীওইশিং বর্মন/গ্রাম্মা/ম্যাম্মশিংদা তৌবগুম কৈরোই-লৈকায় ওইবা লৈপাক টিবেটকী টিবেটান/টিবেট-পা [Tibet-pa (man/inhabitant of the land of snow)] গী বোন লাইনীঙ [Bon/Pon] মনাৎ অমসুং মচৎকী অকনবা শাফু পীরকপদগী হৌরকখিবনি।

লাইরেম্মা লম্মাবী-লাইনীঙসি করম্না মতমদা হৌরকখিবগে হায়বসিগী তাঙদাংবা মতম, খণ্ডবগী ফিদুপনুংদা লৈরি, অদুবু লাইনীঙসিগী লাইরেম্মশিংসি লাই ওইনা মৈদিংঙু পাইখোম্ব [পাই (Payi/Pai, a Tai section in the Shan States)] বু খোম্বা/ঙম্বা, পাইখোম্বা (খৃঃ ১৬৬৬-৯৭) কী স্নাহাক্তক্তা খৃঃ ১৬৮৮ দদি লাৎনরে [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৫৩]। মসি হয়ি (Father Cosmos) লাই মরূ শিদবগী ময়াইনা শানওনবী হয়া (Mother Nature), ঈমাগী লাইনীঙগী শক্তমদা মশাগী মখোঙদা লেপচবা ঙমখিবসি হায়রিবা মতমসিদগী ওইরে, হায়বসি মখাগী ৱারোল অসিনা প্রমান ওইনা লেপ্লিঃ-

...ৱাংখৈরাকপম খোঙচোম্বগী কুম শক ১৬১০ শজিবু থা ...থাশি লংমাইচীং [২শুবা চয়োন, মে, খৃঃ ১৬৮৮]... লম্মাপীদা পুঙ পীদববু অদুঙৈ পুঙ পীয়ে [মথক্কীসিদা, ৫৩]।

মৈতৈগী লম্মাবী লাইরেম্মগী লাইনীঙসি মশা অনি লোঙই, মসি লাইরেম্মা অনি শুবদগীনি। মখোয়নিসি মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী মনুংদা লৈবীনি। মৈত্রবাক-মণিপুরগী লমদম, অকক্লনা মণিপুর/ইম্ফাল তম্পাক্কী মৈতৈগী কোনুং ওইরম্লা কংলাগী লমকনসিবু মিৎ উনা নৎত্রগা শোকপা-থেংবনা খঙবা ঙম্বগী ওইবা লমখৈ/ঙমখৈ-লৈয়াৎ/লায়াৎ থমদনা ময়ুং অমসুং মফৈগী ওইনা অনি থোক্লা লৈ হায়না লৌনরম্মী। ময়ুংগী ওইববু "তান-থোং/তাম্থোং" অমসুং মফৈ/মরাক্কী ওইববু "লেম-থোং/লেমথোং" হায়না খঙনরম্মী। হায়রিবসিদা অহানবা থাক্কী নৎত্রগা হৌরকপগী/হওরকপগী ওইনা মৈতৈগী কোনুংলেন কংলাগী ময়ুং অমসুং মফৈ [খ্বাইদগী ঈকোন কোনবা কংলাবু শেমগৎ-শাগৎপগী কংলাগী লমকনসি ময়ুং গজ ১,০০০ (মিঃ ৯১৪.৪) অমসুং মরাক/মফৈসু গজ ১,০০০ (মিঃ ৯১৪.৪)] ওইনা লৈখিবনি। হায়রিবা কংলাগী ময়ুং ওইবা অসিবু তাম্থোং হায়না খঙনৈ অমসুং লমসি তাম্থোং লৈমা/লাইরেম্মনা পুই/কোল্লি অমদি মফৈ/মরাকপু লেমথোং হায়না খঙনৈ অমসুং লেমথোং লৈমা/লাইরেম্মনা পুই/কোল্লি হায়না লৌনৈ। অদুনা কংলা মনুংসিদা মখোয়গী লাইফম-লাইকোন শেমদুনা লাইকংলা লীংদুনা, লাইশঙ শাদুনা, লাইশঙ মনুংদা লাই-ফম্বাল, ফম্বে-ফম্বাক থম্লগা লাইগী খুবম [Shrine-sanctum] শাদুনা লাৎলম্মী। অদুনা মখোয়বু নৎত্রগা অতৈ লাইশিংবু থৌনীবদা- "তাম্থোং ময়ুং কুইবা/শাংবা, লমথোং মফৈ পাকপা", হায়বদি, লৈপাক্কী লমখৈ/ঙমখৈ শাংদোক-পাকথোকপা, হায়বদি লৈপাক্কী লমকন শন্দোকপা, পীনবীয়ু হায়না থৌনীনৈ, খুরুম-খাজঙনৈ।

হায়রিবা লাইরেম্মা অনিসি লৈপাকসিগী "য়ুম্লাক লাইশঙ-বা কৌবা লাইরিক্তা য়াওদে, অমসুং য়ুম্লাক/শাগৈনা লাই সেবা তৌবগী নিংথৌনা পীবা-য়েনবদা য়াওদে, মরমদি কংলা মনুংদা মখোয়গী লাইফম-লাইশঙ লৈবা অমসুং নিংথৌনা লাৎপা লাইশিং ওইবননি, কোনুংগী য়োঙ্গীরেন-অমাই-অশৈ, লোইশঙ অহুম্লা মখোয়গী ঈরাৎ-থৌনী, থৌগল-লাংগন্নচিংবা তৌবা

লাইরেম্মশিংনি। অদুবু লম্মাবী অনিসি থাংগ্নি/চেংলৈ য়েক্কী শল্লাইশিং, লৈশাং অমসুং শরাংগী য়ুমলেন নিংথেমময়ুম লৈশাংথেম অমসুং শরাংথেম শাগৈ অনিনা মখোয়গী শাগৈ-লাই [Family deity] শিং ওইনা লেমথোং লৈমবু লৈশাংথেম লাইরেম্মা অমসুং তাম্বোং লৈমবু শরাংথেম লাইরেম্মা হায়না মথংশীৎনা য়ুম্নাক অনিসিনা মখোয়গী ময়ুম-ঈংখোন্দা খৃঃ ১৮৯১ গী অদুৱাইদগী পুদুনা লাৎনখিরম্মী। মসি মৈত্রবাক্কা মৈতৈ নিংথৌ পান্দবদগীনি হায়না থাজজে।

মচৎ মান্নবশিং (Similarities):-

লাইরেম্মা লম্মাবিশিং অসিগুম্না লমদম, লমতুপ, লমচী, নৎত্রগা লৈয়াৎ (পানা অমসুং অপুন-খুঙ্গং) পুবা/কোনবা লাই নুপা অমসুং লাই-নুপী কয়ামরুম মৈত্রবাক্তা লৈ, খুদম ওইনা চীঙথাং লাইরেম্মা, ফুবা লাইরেম্মা, ৱাংব্রেন, কৌব্রু, লোক্তাক লাইরেম্মা, অসিনচিংবনি। অসিগুম্না মখোয়গুম্বা লাইশিংসি উনগী লৈপাক (টিবেত) অমসুং সনাগী লৈপাক [স্বর্ণভূমি (Svarnabhumi = Land of Gold)] ম্যাম্মার/বর্ম্মাদসু লৈ। মখোয়দুগী খুদম খর মখাদা থমজরিঃ-

(১) টিবেত (উনগী লৈপাক) গী

The gNyan, who roam around or mountains and valleys and make their lairs in slaty rocks, woods and ditches as they please, are easily annoyed by human being and then they send sickness and death... The god of the powerful Thang-lha mountain chain, who is named after it is also known as a great gNyan.... The white goddess of Heaven (gNyan-iha dkarmo) lives in the neighbourhood of Mount Everest together with friendly five "Sisters of Long Life", each of whom has her special pool and the waters of the five pools are of different colours. Near the frontier of Bhutan lies the domain of Yar-!ha sham-po, who is the god of the mountain chain of the same name [E.F. 1956, 18].

(২) স্বর্ণভূমি/ম্যাম্মার (সনাগী নৈপাক) গী

Hills as well as forests are inhabited by nats ... each hill has its own nat. The most important hill adjacent to Yeigyi (village) ... This hill, however, also has its nat, a female spirit known as YEIDIGOUN TAUNG THAKINMA, ...

the Lady of Yeidigoun hill... In addition to individual propitation of this nat there in Yeigyi at least one annual public ceremony (nat pwe) in her honour...

Nats have jurisdictions over cultivated fields as well as over forests and hills. The paddy field nat in Yeigyi is a female spirit called Tabindain Thakinma (Our Solitary Lady) or alternatively Aungpinle Thakinma (Our Lady of Aungpinle, a dry lake near Yeigyi). [M.E.S. 1967, 48-49].

(ii) Neither of these field nats is to be confused with still another female nat, called BOUNMAGYI* who is associated with agriculture.Bounmagyi is protitiated at the harvest (usually in the month of Tabaung), either on the threshing floor or in the granary. At that time she is offered sticky rice, fried peas, and pickled tea leaves with the expectation that she will continue in the future to grant a good harvest. If she is not pacified, the harvest will be poor (Ibid, 50).

[*Bounmagyi very likely is the Burmese variant of the South-east Asian rice-mother. Hall (1951) describes the Indonesian practice of using a sacred sheaf of rice (the rice-mother) to "attract and preserve the soul-stuff of the rice field". It, too is placed in the granary. In Thailand peasants perform rituals invoking theRice Goddess to dwell in the field and to be fertile, to return to the threshing floor after harvest without taking offense at the brutal dismemberment of stalk... and to remain in the storage bin until the next year's planting (Planner and Ingersoll 1962:354-Ibid:F.N.)

মৈতৈগী লম্মাবীশিং অসি মৈতৈ লাইফমশিংগী অথোইবা অমসুং খ্বাইদগী শেংলবা লাইকোন্নি হায়না লৌরিবা মৈতৈ কংলাগী মরাক/মফৈ অমসুং ময়ুং কোনবা লাইরেম্বীশিংনি। মৈতৈ কংলা [মোইরাং কংলা (হৌজিক্কী মোইরাংদা আইঃএনঃএঃ মিয়ুজিয়ম লৈরিবদুগী নেটাজী সুবাসচন্দ্র বসু/বোসকী মূর্ত্তি থীল্লিবা মফম), খুমন কংলা (থৌবান্দা থৌবাল নিংথৌগী লাইকোন লৈরিবা থৌবাল নোঙ্গাংখোংগী মফম অমসুং ময়াংইম্ফালদা কোনচাক মমাঙ লৈকায়দা লৈরিবা খুমন-নিংথৌগী লাইকোন), অসিনচিংবা লৈবনা ''মৈতৈ কংলা'' হায়জবনি] সি মৈতৈশিংগী মফমদদি মালেমসিদা অচৌবা ধর্ম্মশিংগী অথোইবা লাইফমশিংগী-হিন্দুশিংগী ব্রজবৃন্দাবন'', বৌদ্ধ সাধকশিংগী ''বোধগয়া'', শৈবশিংগী কৈলাশ পর্ব্বত, শাক্তশিংগী দেবী পিঠশিং, মুশ্লিমশিংগী মকা, পোলিজম/পাউলিজমগী জেরুজালেম, অসিনচিংবগা মান্ননা লৌজে। মরম অসিনা মৈতৈগী লাইরেম্মা লম্মাবীশিংসি হিন্দু বৈষ্ণব সমাজগী ব্রজবৃন্দাবনগী মবেম্মা, বৃন্দাবননবু কোল্লি-শঙলিবী অমসুং ঙাক্লি-শেল্লবী বৃন্দা দেবীগা মান্নে হায়না লৌগনি। বৃন্দাবন [The Forest of group goddess (D.D.K.,1977, 116)] বু কোল্লিবী/ঙাক্লিবী বৃন্দা লাইরেম্বীসি অসুর নিংথৌ শঙ্খাসুরগী সতি ওইবী তাল্লোই [Chaste consort] তুলশীগী লাংওন্নি হায়না হিন্দু বৈষ্ণবশিংনা লৌনৈ। হায়রিবী সতি তুলশীসি মহাক্কী মপুরোইববু হাৎননবগীদমক্তা বিষ্ণুনা লৌনম তৌদুনা মপুরোইবা শঙ্খাসুরগী শক্তম লৌদুনা লাক্লগা নমদুনা ফমদীন-হকতীন্নবীদুনা মহাক্কী সতিত্ব [Chastely] দু থুগায়বীখি অমসুং তুলশী দেবীনা পুন্নমকসি খঙলক্লবদা বিষ্ণু ভগবাননা মহাক্কী মতম চুপপিগী মপুরোইবা ওইগনি হায়দুনা তুলশীনা পান্বী ওইনা লাংওনখ্রবদা মখোঙদা নুঙ/শালগ্রাম/বিষ্ণু-চক্র ওইনা লৈখি (মথক্তা ''এনিমিজম কল্ট'' তা য়েংবীয়ু)। অদুগা শ্রীবিষ্ণুগী নিপানশুবা পূর্ণ অবতার ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী মতমদা বৃন্দাবু শ্রীকৃষ্ণগী তাল্লোই ওইনা লৌখি [মথক্কসিদা, 116]।

মৈতৈগী লম্মাবী অনিমকসি গুরুগী খোয়দগী পুথোকখিবী নোংথাঙলৈমা [Goddess of Lightning], মহাক্কা হারাবা (গুরুগী মচা অতোনবা কোনজিন-তিংথোকপা নৎত্রগা য়োঙ্গরেন তোমপোকপা পাখংবগী শানওন) বু অশিবনা লৈশেম্বা লোয়দ্রিবা ফাওবা শুমহৎ-য়াই থাদুনা ফাদুনা

৩৬৪ লৈ অমসুং মখোয়গী অয়েকপা শক্তমশিং, পাফনশিংগী অপুনবা লাইরিক্তুবু "পাফন লম্বুবা" হায়না মমিং থোন্দুনা লৈ। মৈতৈশিংনা মখোয়গী লৈরিবা পাখংবশিং পুন্নমকসিবু তেংবানবা মপু অতিয়া গুরু শিদবগী অনিশুবা/অতোনবা মচানুপা (অতিয়া গুরুগী মচাশিংসি নুপীনা পোকপা অমত্তা নত্তে] কোঞ্জিন-তিংথোকপা, হারাবা/লইথিংগায়সু কৌবা, মপাগী মফমদগী "কোঞ্জিন-তিংথোকপা, য়োঙ্গরেন তোমপোকপা পাখংবা" হায়বা মিংথোল-মিংহুন ফংখিবা অমদি মৈতৈগী লাইনীঙলোনগী পরীংদা "পাখংবা" মিংথোনসি খ্বাইদগী ঈহান হান্না ফংখিবনি হায়না খন্নরি-লৌনরিবা মহাক্কুগী শানওন [Manifestation] নৎত্রগা/অমসুং লাংওন [Incarnation] ঙাক্তনি হায়না চেৎনা থাজনৈ।

মৈতৈ লাইনীঙলোনগী পরীংদা লৈরিবা লাইয়াম পুন্নমকসিগী মথক্তা খ্বাইদগী চাওবা অথোইবা লাইয়িংথৌ অহুম- (১) অতিয়া গুরু শিদবা, (২) অশিবা অমসুং (৩) কোঞ্জিন-তিংথোকপা নৎত্রগা য়োঙ্গরেন তোমপোকপা পাখংবা অমদি খ্বাইদগী চাওবী অথোইবী লাইরৈমা/লাইরেম্মা অহুম- (১) লৈমরেন শিদবী (লইশীরেন-লইপুনবী) (২) নোংথাঙলৈমা অমসুং (৩) লাইখুরেম্বী লৈ। লাইয়িংথৌ অশিবগী লাংওন লাইয়িংথৌ তাইবং-খায়বা নৎত্রগা লাই-ৱা-হায়বা নৎত্রগা সনামহীবু অচৌবা লাইয়িংথৌ অহুমসিগী থাক্তা পুখৎপগুম য়োঙ্গরেন তোমপোকপা পাখংবগী শানওন (শাইয়োন)- লাংওন ওইবা পাখংবশিংসিবুসু হায়রিবা থাক্কুদা লৌখৎলি। লাইয়িংথৌ অহুম অমসুং লাইরেম্মা অহুম্মু হেন্না থাক ৱাংখৎনা থমখ্রিবসি মৈতৈ লাইনীঙলোনগী ওইনা শেমগৎ-শাগৎলবা ৱাখল্লোন, ফুঙ্গা লোঙজুম শাবা (নুঙ অহুম্না মৈথক্তা চফূ-উয়ান্নচিংবা থাঙ্গৎপা য়ানবা মখোঙ অহুম লোঙনা) কাচীনগী অরাও-অখু চপ মান্ননা (At the angle of 45° each) থম্বা নৎত্রগা য়োৎশবী/শামুক মখোঙ অহুম পানবা [Tripod stand] হায়বসিদনি। অদুবু অচৌবা লাই নুপা অহুম অমসুং লাই নুপী অহুম লৈবগী মওং-মতৌসি হিন্দুগী ত্রি ভগবান/ঈশ্বর/মহাদেব [Three great gods, viz. Brahma, Vishnu & Mahesh] অমদি ত্রিমহাদেবী [Three great godesses, viz, Sarasvati, Lakshmi and Parvati/Durga] লৈবগী ৱাখল, হিন্দুগী মহাকাব্য অনি, রামায়ন অমসুং মহাভারত

পুথোকখিবনা হারাবনা তুগা-ৱাগা ওইনা লোইতান্নবা তাল্লোইনখিবী নোংথাঙলৈমগী লাংওন/শানওন ওইবনা মখোয়নিসি 'বৃন্দা'' গা অদুম্মক মমান্নরে। অদুগা মখোয়নীগী লাইপা, নুপা-লাই/মপুরোইবসি মখোয় অনিনা থোক্লক-লৈরকপা মতমসিদা লাইনিংথৌ পাখংবগী লাইনীঙসি মউ লীংদ্রিবনিনা (মখাদা য়েংবীয়ু) লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাইচৎ ওইনা লৈ। অমুকসু লাইয়িংথৌ সনামহীসিনা হিন্দুগী পালন-পৌষণগী মপু শ্রীবিষ্ণুগা মান্নবগী থাকসি খৃষ্টগী ১৮শুবা কুমশীঙ চাগী অহানবা তংখায়দা লৈখ্রবনিনা মৈতৈগী লাইরেম্মা লম্মাবীশিংগা হিন্দুগী দেবী বৃন্দাগা মান্নবা চাংদম্নবগী পরীংদা মান্নবগী থাক্তুন্দা লেপ্তুনা লৈ হায়বসিগী প্রমান তৌই।

(১০) লাইয়িংথৌ পুথিবগী লাইনীঙ

লাইয়িংথৌ ''পুথিবা'' নৎত্রগা মপু-থিবা/মবুধিবা'' লাইনীঙ হায়রিবা লাইনীঙসিগী লাংজৈগী ময়োৎ/পুঙজৈ [Axis] ওইরিবা লাইয়িংথৌসিগী মিংলেন-মিংফমসিগী মখাদা করিগুম্বা ৱাফম খরদি থুপ্লি। থুপ্লিবা ৱাফমসিদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা ৱারমদি, মহাক কনানো অমসুং করি তৌরম্বনো হায়বসিনি। মসিগী পাউখুম হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফংলিবদি মহাক অঙোম য়েক্কী মতীক-মঙম লৈবা নুপা অমনি, অঙোমগী সরারেন, পুরৈরোম্বা, অঙৌপানবা অমসুং অঙোম নিংথৌ (অঙোম নিংথৌশিংবু ইতিহাসকী খোঙথাংগী ওইবা মতম তাংককশিংদা খঙনখিবা মিংথোনশিংনি) গী থাক ফাওবা য়ৌখিবা মীশক্লি। অদুবু লাইবক থীবদি অদুগুম্বগী ৱায়োলগী রেকোর্ডশিংদু ঙসিদি ফংহনবীরমদ্রে। মৈত্রবাক্লা নিংথৌপানবা লৈপাক ওইদ্রিঙৈদা/ওইরগা লৈপাক কায়দুনা নিংথৌ পান্দ্রবা মতম অমদা লৈপাক্কী মপু ওইবীনবা মতীক চাবা মীশক/মপু অমা থিরুদুনা পুরকপা মীওই অদুবুনি পুথিবা নৎত্রগা মপু থিবা হায়রিবসি। অদুগা থাংয়ি/চেংলৈ/চেংলৈ-শরাং-লৈশাং য়েক্কী ওইবা মপুথিবা/মবুধিবা মিংথোনবা, মশাদু ৱাইখু [Crab] ওনখিবা লাই-তীনগী, লাইওই-তীনওইবগী অমসুং শা-ঙানা মীরোন-ৱারী শাবগী ৱারী-শীঙবুন [Mythical/mythological, legendary and Fabled/Fabling tale] না থন্না য়াওরবা লাইরিক্কী মরু ওইবা নুপাগী শক্তম লাংবা [Chief male character or hero] ওইবা অমগী মশকসু লৈরি।

মৈত্রবাক্তা নিংথৌ পান্দবদগী মতমদুদা লৈরম্বা মী কাঙলুপ-ফুরুপশিংনা খুৎ লীংনদুনা অমগা অমগা লৈঙাকলোনগী মতীক-মঙম মুন্নবগী থৌদোক থোকখিবসি নোংদা লাইরেন পাখংবনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লগদবগী হেক মমাঙগী মতমসিবু মরুওইনা মৈতৈগী পণ্ডিতশিং অমসু পাৱারী-পুৱারীগী ঈশৌ-লাংলবশিংনা লৌনৈ। মসিদা পুরৈরোম্বনা লৈপাক্কী মপু ওইনবা পাখংবা পুরকই [কনানা "নোংলুম (Egg of air/atmosphere/cloud)", কনানা "মী" ওইনা (as a human being)" অসিনচিংবা] হায়বসিনা খ্বাইনা য়াননা চৎনবা ওই। মরম অসিনা লাইয়িংথৌ পুথিবসি পুরৈরোম্বশিং [(১) চীঙৱাংলক্কী পুরৈরোম্বা, (২) পুরাং নাকাবা পুরৈরোম্বা, (৩) খমনুং-ঈৱাইথং পুরৈরোম্বা, (৪) তুপু/তুবু পুরৈরোম্বা, (৫) থাংহাঙ পুরৈরোম্বা (শঃভঃয়ঃ,১৯৭১, ৫৬) (৬) অঙৌ পুরৈরোম্বা, (৭) কাইনৌ চীঙশোম্বা পুরৈরোম্বা (৮) হঙ্গেন লোংনা-থাবা পুরৈরোম্বা (লুৱোংজম অমসুং লাইরেনলাকপম শাগৈগী পুকোক্নি, চজীঙদা লাংলি), (৯) চীংমিৎ (য়োঙ্গীরেনবা) পুরৈরোম্বা (শঃভঃয়ঃ, ১৯৭১, ৫৬), (১০) ৱাংমৈ লাম্বাবা পুরৈরোম্বা (লংমাই পেতাঙঙাগী মপা, য়ুমলেম্বম শাগৈগী পুকোক), (১১) পুরিংলেন পুরৈরোম্বা [পাখংবগী মপা, লংমাইজীঙ/ নোংমাইজীংদা নোঙ্গাখিবনা মহাক্কী য়ুম্ফম লৈরিবা)] অসিনচিংবা গী মনুংদা অমনি। অদুবু শাগৈ অমসুং শল্লাই লৈতবগুম য়েকখক্তমক লৈবগুম পীবীরম্মী।

লাইয়িংথৌ পুথিবগী লাইনীঙসি মৈদিংঙু পাইখোম্বগী স্না হাক্তক্তা নৎত্রগা মদুগী মমাঙদা হওরকখিবগুম পীবীরম্মী অদুবু হওরকপগী লংলা লংজীন্দি উৎত্রগা/পীদ্রগা লাইনীঙসি লৈরবা অমসুং লাইনীঙসিগী লাই লাইয়িংথৌ পুথিবগী খুবম য়াদুনা লাৎনবা মতমগী ওইবা ৱারোল পীবীরম্মী, মদুদিঃ-

...নোংপোকপম লংমাইগী কুম শক ১৬১৬... ইঙা থাদা নোং কাংদুনা লাই পুথিবা খোমকৎএ (চৈঃকুঃ ২০০৫,৫৭)।

অসিনি। মসিগী ৱাহন্দোক ঈঙ্গ্রেজী মরোন্দা ওল্লোকপদাঃ-

When there was no rain/rinfall in the Meitei lunisolar month of Eenga [June-July], the time at the peak of rainy season in 1694 A.D. the worshipping articles and other objects treated

as the properties of the deity Puthiba were seized by the authority of the kingdom.

অসিনি। ৱাফমসিনা তাক্লিবদি লাইয়িংথৌ/লাই পুথিবসি কুমগী নোং [Seasonal monsoon and rain] বু নোংদম্বা/তাহনবা লাইনি হায়দুনা লৌনৈ। হায়রিবা নোং-লাউবা/কৌথবগী থাজবগী মচৎ-মনাৎসিদি মৈতৈনা অঙোম য়েক্তা হায়বদি অঙোমগী লমদমদা লৈরিবা লাইফম নুঙখোং নুঙলাউবীদগী নুঙ মচেৎ অমা তুরেন্দা থাদবা, অঙোম নিংথৌবু কোংবা তুরেন্দা ঈরুপহনবা/তিঙবা অমসুং অঙোম নিংথৌ য়াওনা ঈশিংদা শান্নবদা থাজবা থম্মী। হায়রিবসিগী খুদম চাংদমগী ৱারোল অমদিঃ-

...লাইশ্রম বলদেবগী কুম শক ১৭৭৯... ঈঙেন থা ২২নি লৈপাকপোকপা (আগষ্ট খৃঃ ১৮৫৭) দা নোং চুদে, কুম কাংঙে হায়দুনা মহারাজগা অঙোম নিংথৌগা ২মনা হি তোংদুনা নোং লাউএ। (মথক্কীসিদা, ৩৩৯)।

অসিনি। মরম অসিনা লাই পুথিবসি অঙোমগী য়েক ওইবা নৎত্রগা অঙোম নিংথৌ (পুরৈরোম্বা) ওইরম্বা মীশক্লি। লাইসিগী লাইচৎতি লাইয়িংথৌ অশিবগী লাইচৎনি অমসুং মসিনসু অঙোম য়েক-ওইবা লাইনি/মীনি হায়বদু তাক্লবনি/ ফোংদোক্লিবনি।

মচৎ-মান্নবশিং [Similarities]

লাইয়িংথৌ পুথিবগুম নোং চুহন্নবগী নৎত্রগা নোং লাউনবগী লাই [Presiding deity of rain or seasonal monsoon] সি খা-নোংপোক এসিয়াগী মচাশিং অমসুং উনগী লৈপাক্কী মচাশিংগীদি লৈ। হায়রিবা লাইসি হিন্দু বৈষ্ণবশিংগী ওইনদি ইন্দ্ররাজনি। হিন্দুগী বেদশিংসি ইবগী খেন্ন-খেন্নবা মতমশিং ওইবনা হিন্দুগী লাইশিংসিগী মতীক-মঙম, মহী-ময়াই, মথৌ-থৌদাং, মশীন-থৌগায়নচিংবা হোংবগা লোইননা লাইশিংসিগী অমগা অমগা ওইনরিবা ফিভম-ফিরেপ, চাওবা-পীকপা, মতীক লৈবা-লৈতবা, অসিনচিংবসু হোংই। অদুবু দেবরাজ ইন্দ্রসিগীদি ফিভম-ফিরেপ, মফম-ফমথোননচিংবা খর ওঞ্জরবসু মথৌ-মঙমদদি ওন্দে [B.N.L., 1988-89, 94]। অদুনা নোং চুহনবা/তাহনবসি মহাক্কী মথৌ-থৌদাং ওইবনিনা মৈতৈগী লাইয়িংথৌ পুথিবগা অদুম্মক মান্নে [Ibid, 94]।

(১১) লাইয়িংথৌ পাখংবগী লাইনীঙ

লাইনীঙলোনসিগী লাইনীঙনফমগী মশক্কী ময়াঈদা লেঙলিবা লাংজৈ পুঙজৈ [Central/axial rod of circular oscillation] ওইরিবা লাইয়িংথৌসিগী মিংছুন-মিংখৈ "পাখংবা" হায়বসিদা ৱাখল্লোনগী মিত্রং অমা য়াওরি। মসিগী ৱাখল [Thought], খঙনবী [Denotation] অমসুং হায়নবী [Connotation] সি ৱাহন্দোক্কী মখাদা লৈফম থোকই। অদুবু ৱাহন্দোকসি– (১) পা=মপা [Partner of matching/mating companions of opposite sex] খংবা [Alarm/astonomish] নৎত্রগা পা=মপা [Father] খংবা (বনান (Spelling) সি "খঙবা (Know/understand/recognize, etc.)" হায়না ইবীরমদে, অদুবু মসিদা, থায়নগী অহলশিংদু নীঙশীংদুনা, হেক্তমক লৌনৈ) - খঙবা নৎত্রগা পা=নুপা [Man] খংবা/খঙবা হায়রিব্রা মসিগী অরেপ্পা থিনদে, ৱারী-ৱাখুনগী/ৱাফোং-লীখুন, ৱাখুন-ৱাখায়গী মতুংইন্নদি "অশিবা-কোঞ্জিন-তিংথোকপা নোংখোঙ কোয়বা" গী ৱারীদগী "মপা খঙবসিদা লৌনৈ অদুগা পাখং ([Youth/lad or young man] বা=ওইবা [Is/being]" হায়বসিমসু লৈরি। মথক্কীসিদগী খ্বাইদগী ঈহান হানবা, "ম-পা উরগা খংবা/পাখৎপসিগা নৎত্রগা মপা (Father) বু খঙবসিগা খ্বাইদগী ঈরোয় লোয়বগী পাখং ওইবা নৎত্রগা "ওইদুনদা লৈবা "অসিগা অনিসি চুশিন-শমজিন্নবা য়াই। মরম অসিনা "পাখংবা" হায়বসি "মপাবু মশক খঙবা" অমসুং মতম চুপ্পদা নৌদুনতা লৈবা, পাখংদা ওইদুনতা লৈবা" হায়বা ৱাহল্লোক অনিসি লৌখৎলি। অদুবু মৈতৈনা অহানবা লাৎখিবা লাই পাখংবা অদুদি লিল্লাই-চীঙলাই [Serpentine dragon], লাইরেন-চীঙলাই [Pythonic dragon] নৎত্রগা চীঙলাই-লিল্লাই (Dragonish serpent/snake) নৎত্রগা চীঙলাই-লাইরেন [Dragonish python] নি (চৈঃকুঃ ২০০৫, ৬৯)। মীগী মূর্ত্তি/শাবানগী শক্তম নত্তে।

"পাখংবা" হায়বা মমিং/মিংসি অমরোমদা অমুক অকক্লবা অখন্নবা মিং [Proper name] খঙনবা ৱাহৈ [Proper noun] নত্তে। ময়াম খঙনবা মিং [Collective name] খ্বাইগী ওইবা মিং [Common name] অমসুং মখোয়বু খঙনবা ৱাহৈশিং ([Collective/class and common nouns] নি। মরম অসিনা মৈতৈগী লাইনীঙলোনগী লাইশিংগী মনুংদা পাখংবগী মশীঙ

ইবগী মতমদা হিন্দু লাইনীঙলোনগী পরীংদা হৌদোক্লকখিবা [B.N.L., 1988-89, 132] অসিগা থোইদোক্না খেন্নদে। হায়রিবা হিন্দু লাইনীঙলোনগী ৱাফমসি ঙল্লবদা খৃষ্ট কুমশীঙ চা ১০গী মতুংদা ওইবা য়াই।

হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মদা শ্রীবিষ্ণু ভগবান্না অকক্ল-অখন্নবা থৌদোক ৱাথোক্না মতমগী তাংকক শক্তাক্লবগী লীখুন্দা অবতার/লাংওন কয়ামরুম লৈবা অমসুং মখোয়দুগী অখন্নবা লাংওন তরাখক (১) মীন/ঙা (ঈশিংদা লৈবা শা), (২) কচ্ছ (কুর্ম্ম)/থেঙ্গু (ঈশিং অমসুং কংফান অনিমক্তা লৈবা ঙম্বা শা), (৩) শূকর/ওকলাবা (মখোঙ মরি পানবা কংফানগী শা), (৪) নরসিংহ/মীনোংশা (কৈবুই-কৈওইবাঃ মী অমসুং শাগী য়ান্নবা শক্তমগী থৱাই পানবা Demifeature/leonine man or human lion) (৫) বামন/থিকনেম-থানেম্বা (মী অপীকপা, পিগমী/পীগমী-Pigmy/Pygmy/Dwarf) (৬) ভৃগুপতি (পরশুরাম, শীঙজঙ পায়বা রাম, মীদি মীওইরগা হিংচা-য়াইতম্বা, মপুক্লীঙদা শাগী পুকচেল লৈরিবা, এনিমেলিটী অমসুং রেসনেলিটীদা এনিমেলিটীনা হেল্লিবা মীগী শক্তম), (৭) রাম/মীচম (ঈচম চমবা মীগী মতৌ), (৮) হলধর/লাঙ্গোন খুৎলাইনবা (বিষ্ণুগী/ঈশ্বরগী মতীক-ময়াই পুন্নমক শীজিন্নবা ঙম্বা মীলাই কৃষ্ণ অমসুং লৌউ-শীঙউদুনা তঙ-তারবা পুন্সিদা হিংবা মহৌশাগী জ্ঞান অমসুং বিজ্ঞান-নোলেজ/knowledge এন্দ সাইন্স/Science, খঙলবা মী), (৯) বুদ্ধ/শান্তি-পাউজেনবা (পুকচেল তপ্না-ঈংনা থৱাই পানবশিংবু য়োকখৎ-শৌগৎলিবা মীগী শক্তম) অমসুং (১০) কল্কি/পোক্লক্কদবা-থৱাই (পোক্লক্কদবা লাকঙম-ফাঙম্লরোয়দবা, ফত্তবশিংবু মাঙহল্লবগী থাজবা থম্লিবা মীগী শক্তম- মসিনা বৌদ্ধিকশিংগী অনবোর্ন/Unborn Buddha (বুদ্ধিস্তত্বা অমসুং ওল্ড এণ্ড নিয়ু টেষ্টামেন্টকী সেকেণ্ড কমিং/Second coming গী য়ুম্ফম মাল্লি) খনগৎলগা তরাসিদগী যুগ মরিগী ওইনা শ্রীবিষ্ণুগী অবতার মরি লৈবগুম/থম্বগুম লাইয়িংথৌ পাখংবগীসু মহাক্কী শানওন-লাংওন ৩৬৪ সিদগী মরিখক খনগৎলগা মৈতৈগী চক [ৱাহৈসি জক/জুগ (যুগ) তগী লাকপনি] মরিগী পাখংবা অমমম লৌখত্তুনা শ্রীবিষ্ণু অবতারগা মান্নহন্দুনা থম্মী। হায়রিবশিংদু, মরী লৈনবা ৱাফমগা লোইননা মখাদা থমজরি—

মশীং	মৈতৈগী পাখংবগী লাংওন			হিন্দুগী বিষ্ণুগী অবতার			মরোন লোনকম
	মিং	চক	ৱারোন	মিং	যুগ	ৱারোল	
(১)	(২)	(৩)	(৪)	(৫)	(৬)	(৭)	(৮)
১)	য়োঙ্গিরেন তোমপোকপা	হুয়িচক হুক্কেলচক (লাইগী চক) তগী মীগী চক ফাওবা।	অতিয়া গুরু শিদবা অমসুং লৈমরেন শিদবীগী মচানুপা অতোনবনি, মাইদগী অহানবা পাখংবনি। নোংথাংলৈমা অমসুং মহাক্কী শানওন-সনাখোংনাং লৈমা পানৈ।	নরসিংহন/ নৃসিংহ (নরহরি)	কৃত/সত্য যুগ	মনাই ভক্ত প্রহ্লাদগী অৱাবা কোকপীনবা, হিরণ্যকশিপু হিংচাবা হাৎননবা লীক্লাই মুখীদগী চোংথোক্লকখি।	শ্রীবিষ্ণুগী অহোইবা অবতার তরাগী মনুংদা মঙাশুবনি, অদুগা মৈতৈগীনা কোপ্পিন তিংথোকপগী পাখংবা লাংওন্দা অহানবনি।
২)	লইনুং লোঞ্জা (লৈনুং লোঞ্জা) পাখংবা	হুয়াচক	নুংজেং পাৎ/পুক্ৰিগী ঈরোম্নুংদা লইগী ফম্বাল লাংদুনা লৈ।	শ্রীরামচন্দ্র	ত্রেতাযুগ	সূর্য্যবংসগী অযোধ্যাদা পানবা দশরথ নিংথৌ অমসুং মহাক্কী মহারানী কৌশিল্যাগী মচানুপা অহল্লি।	শ্রীবিষ্ণুগী অবতার তরাগী মনুংদা তরেৎশুবনি, অদুগা মৈতৈগীনা কোপ্পিন তিংথোকপা পাখংবগী অনিশুবা লাংওন্নি।
৩)	তাঙজা লিল্লা/ লাংওন পাখংবা নৎত্রগা লিল্লা পাখংবা	খুনুং-লাংবা চক	অৱাং ফাল্লৌ লাই-কোন্দা লৈ, হংঙোই কোনথিং নুরাবী তাল্লোইনৈ।	শ্রীহলধর বলরামগী মক্রমদা/ মমিংদা লৈবা শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র	দ্বাপর যুগ	যাদব নিংথৌমচা বাসুদেব অমসুং মাগী তাল্লোই দেবকী ৮শুবা মচানুপানি, ভোজ বংসগী কংসগী কৈশুমশঙদা পোকখিবনি।	শ্রীবিষ্ণুগী সমপূর্ণ অবতারনি, লাংওন ১০গী ৮শুবনি, বাল গোপাল, রাসেশ্বর অমসুং বাসুদেব কৃষ্ণ হায়না অহুম থোক্ল লৈ, শক্তি পুম্নগী তুংফম ওইবনি।
৪)	নোংদা তুকুপ্পীক নৎত্রগা নোংদা লাইরেন পাখংবা	কোম্ন-চক	মৈত্রবাক্কী ইতিহাস হৌফমনি, কংলাদা পানখি, হায়না লৌনৈ, লাইস্রা/লাইশ্রা তাল্লোইনৈ।	শ্রীবুদ্ধদেব (গৌতমী পুত্র সিদ্ধার্থ গৌতম)	কলি যুগ	নেপাল তেরাইগী লুম্বিনী লৈকোন্দা মমা মায়া দেবীনা শুদ্ধধন নিংথৌগী মচানিপা ওইনা পোকখি, মন্দোমচা গৌতমীনা য়েক্লকখি।	শ্রীবিষ্ণুগী অবতার ১০ গী মনুংদা ৯ শুবনি, শান্তি অমসুং অহিংসাগী পাউজেনবনি, মৈতৈগীনা নিংথৌজা য়েক অমসুং নিংথৌজা রাজ্য, মৈতৈ লৈপাক লীংখৎলম্না-পুথোক্লম্না নিংথৌনি।

লাইয়িংথৌ পাখংবগী লাইনীঙসিদা লাইয়িংথৌসিবু লাইশঙ শাদুনা লাই ওইবা লাৎপা হৌদোকখিবসি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনি অমসুং মতমনা খৃঃ ১৭০৬ তগীনি (চৈঃকুঃ ২০০৫, ৬৯)। অদুবু মদুদা লাইয়িংথৌসিবু চীঙলাই-লাইরেন/লাইরেন-চীঙলাই [Dragonish python or Pythonic dragon] ওইনা লৌনরবসু শক্তম শাদুনা ফম্বাল লাংদুনা লাৎপগী ৱাফমসি পনবীরমদে। অদুগা লাইয়িংথৌসিগী লাৎন-খুরুম্নবা শক্তম [Image of worship/veneration] শাবগী ৱাফমসি খৃঃ ১৭৯৯ দা মখাদা থমজরিবসি ওইনা পীবীরম্মীঃ-

...থৌদাম খোঙজোম্নগী কুম শক ১৭২১ ... থৱান থাদি ঈরাইনা হলএ। অদু নুমিত্তা পাখংবগী মূর্ত্তি শাবা হৌএ। [মথক্কীসিদা, ১৭৬]॥

মতমসিদা শাখিবা মূর্ত্তি অসি, মথক্তা হায়জখিবা মরম, চৈথারোল কুম্বাবদা য়ুন্ফম ওইবা শক্তম, হায়বদি, – "লাইরেন অঙৌবা মচী পানবা অমনা কোনুংদা চঙখি" হায়বসিদা কাইদোংফম ওইবা নৎত্রগা ওইফম থোকপসিনা মীওইবগী শাবান-ফিভম ([The Anthropomorphic form and figure] দা নৎত্রগা রুসিয়াগী লেনিনগার্ডতা থম্লিবা লণ্ডনগী মের্মেড টাবের্ন ([Mermad Tavern] গী শক্তমগুম্বা মের্মেন [Merman] শিংগী শকফম [O.I.D., 1970, 315 & R.D.A., 1974, 135] অদুদা শাবা নত্তে। হায়রিবসিগী লমদাংদা থম্না য়াবা ৱাফমদিঃ-

The image of adoration in the Divine Pakhangba cult is presumed to have been patterned in/under the composite design of amalgamated features of the cultural and cultic/religious motives, motivations and models of the Sino-Tai Lung/Dragon veneration cult originated and prevail (ed/s) in south China [P.G. 1968, 42-43] and its Indian counterpart of Naga/Serpent (Snake) adoration cult orginated near Prayaga/Kashee/Baranas (Allahabad) prior to the establishment of the Maurya empire (324-187. B,C)]. The snake/serpent wroship cult was exhibited since the Harrapan Period of Indus Valley civilization (3000-2000 B.C.) but this new one was marked by the symbol of snake on the forehead of each aspirant for their common objective(s) and still enduring in the south India (G.N. nil, 50-51)]. Both the counterparts cited preceedingly poured into ancient Myanmar from the north by land road and south by sea route and fused together to mix/amalgamate and compound on the launching ped of central Myanmar, esp. and particularly on and outside the outskirt of Pagan. This composite religious belief is supposed and appeared to have been induced to filter through the Buddhistic Mahayana tantric phases as the cultural/cultic filter on the plain of the mid/middle Myanmar until the 4th century A.D. and uptil the regime of Hinayana Buddhistic emperor Anawrahta (1044-77 A.D.) of the Mramma Pagan dynasty.

অসিনি। মথক্কী লাইনীঙ মচৎ-মনাৎকী ফিজুমদগী চুমথোরক্লবা তোৎশিন-য়ানশিন্নরবা লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙ লোনচৎশিংগী মচৎ-মনাৎশিংগী মশক্কুনা মৈত্রবাক মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদমসিগী নোংপোক অমসুং খা-নোংপোক্কী চীঙলোনগী পল্লংলাশিংসি লানশিল্লক্কুনা খুমুক-কাংলোন শাগোন্নরবা মচৎকী লাইনীঙ-মনাৎ [Formulaic traditional form of cultic faith] অহানবা ওইনা ১১-১২ শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাশিংগী লোন্নবা চৈরক্তা খোঙদারকখি [চৈঃকুঃ, ১৯৮৯, ৯]। হায়রিবসিনা তম্পাক য়ৌরকপদা চীঙ-মচাশিংনা কিন-মৌনবা নৎত্রগা নামুং-পরৈনবা থৱাইপানবশিং/পান্দমশিংগী মচৎ-মনাৎশিংসু ঈরোইননা লাকমিন্নখি অমসুং পুম্নমক্কুগা পুনশিন্নদুনা চীঙমী-তম্মীশিংগী থাজবা অমদি ৱাখলগী ফিদুপনুংদা লৈখি। হায়রিবা অসিনা মকা ফোংলকপগী হিরমদা পীরম্বা ৱারোন্দিঃ-

... লাইতোঞ্জম ফানাগী কুম শক ১৪৯৪ (খৃঃ ১৫৭২)...

নোংথৌদা লাইরেন পাইএ॥ [মথক্কীসিদা, ২৮]॥

অসিনি। হায়রিবা মতমসিদদি নহানমখৈ কুম-থা চুপ্পা ঈতীঙ্দুনা [Seasoning] লৈরক্লবা লিললাই লাইনীঙ, চীঙলাই লাইনীঙ, হায়না বৌদ্ধিক তন্ত্রিক লাইনীঙ, লাইরেন-মৌন'/নামুং-ৱাখলনচিংবগী শুংজীন-শৌজিন্নরবা লাইনীঙদু লাইরেনগী শকপান্নবা লাইনীঙ ওল্লকখি। মরমদি লাইরেন [Python/Boa, subfam. Pythoninoe. fam. Boidae] অসি মতমদুগী মণিপুরদা য়াম্না হোঙনা লৈবা/ফংবা লিনগী মশক্কি অমসুং মখোয়গা ওক্ল-উনরগা ফুগাম [Ascites: ...abnormal accumulation of liquid from the blood in the peritoneal cavity occuring in dropsy of abdomen] থুংদুনা নাই, হায়না কিনবা লাই অশাংবগী শক্তম্নি।

লাইরেনগী শক্তম ওইবা লাইসিদা লাইনীঙগী থাজবা থম্বসিদা য়াম্না কন্না ঈথীন, শাফুনচিংবা পীরিবা সিনো-টাইগী লুঙ/চীঙলাই লাৎপা অমসুং দ্রাবিদা-অরিয়ান [Dravida-Aryan] গী নাগ-নাগিনী লাৎপা লাইনীঙ অনিসিগী লাইনীঙলোন্না লমজিংদুনা চীঙলাই [A fabulous winged scally armoured, fire breathing monster. Often a guardian of treasure, ravaging a country when its hoard is rifled and in Chinese throught, "The

Dragon is regarded as benevolent and is associated with divine forces and with rain, cloud and water. Its Indian equivalent is undoubtedly Naga (P.G., 1968, 43)]. লাইরেন [the great snake killed by Apollo (Greek sun-god) at Pytho (Delphi), according to legend from pythein to rot, because it rotted] নৎত্রগা লাইরেন-চীঙলাই লাৎপগী লাইনীঙসি ওইরকখি। মরম অসিনা লাইরেন-চীঙলাই/চীঙলাই-লাইরেনসিগী মকোক্তা চীরেন অমসুং লাংয়েন; লুখমদা মশোং, ঙাগী মশাইগুপকুম্বা লাংয়েন অমসুং হুইয়াগুম্বা শোংলেন, মমিৎনা মীগী, উচেক্কী নৎত্রগা শাগী, মখায়াৎনা শেন্দ্রাং-মচাগী অমসুং ময়াঙলেন পরেংদা হুইয়াগুম্বা নৎত্রগা ঙাগী অকনবা মকুগুম্বগী শোংলেন পরেং অমদি মমৈ মতুম তানা হূয়থরকপা নৎত্রগা মতোন খায়দোকপা পানবগী শক্তম মখল-মখলগী ওইবশিং থোক্লকখিবসিনি। হায়রিবা লাইরেন্দা হাপচিন-পানশিল্লকপশিং অসিনা হেক উবদা অকি-অথুকপা, অখং-অরাকপা, মিপাই-থাবাইবা, অসিনচিংবা অকিবগী মশকশিং ওইহল্লকই। হায়রিবা অসিনা অমুকসু লমজিংদুনা থোৎনা-নৌনা, মথুপ-মথুপ, মকোয়-মকোয় অমসুং মথেক-মথেক চৎলম্বা লিনগী/লাইরেনগী ফৈদি মকোন, লাইয়েক-মথেক, তুথেক-লৈরোংনচিংবদসু অকিবা-অথুকপা হাপকত্তুনা কিনীঙঙাই ওইবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন পোকহনবা মথুপ-মথেক, পাফল-লাইয়েক্লচিংবা ওলহল্লকই। হায়রিবা অকি-অথুকপগী শকওই-শাওইনবগী মচাক-মরলশিং হাপ্লক্লিবসিদি তশেংনমক অমম্বগী ময়াইগী মতীকপু থাজবশিং [Practitioner of black arts] গী মখুৎশেম-মখুৎশাগী খুজীন/থৌশীন-থৌরাংনি অমসুং মদুগী মচাক-মথুমগী পোৎচাক-পোৎলমশিং/পোৎশকশিংনি।

মৈত্রবাক্তা লাইরেন্দা থাজবা থম্বা অমসুং লাইনীঙলোনগী ওইবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্দা চিংশিনবা হৌরকখিবগী মথি ফোংলকখিবসি খৃঃ ১৫৭২ দনি, হায়বসি মথক্তা উৎচখ্রে। অদুবু মৈদিংঙু/লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা খৃঃ ১৬০০ কী অদুৱাইদা লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বগী লাইনীঙ, লাইয়িংথৌ নোংশাবা, লাই কসানচিংবগী লাইনীঙশিং হওরকখিবা অমসুং মখোয়শিংদুদা লাইনীঙলোনগী থাজবা পুম্নমক লাহ্লোকখিবনা লাইরেন লাৎপা লাইনীঙসি মকা ফোংদনা লৈ। অদুম্মক ওইদুনসু লাইরেন হায়বা লিন অসিনা চীকপদা মহু,

তাংলৈ অমসুং খারৌগুম্না কাদ্রগসু নৎত্রগা কন্দ্রগসু দ্রেগোননা মৈগী নুংশা হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবগুম লাইনাগী মহীক-মতাংনা থন্না য়াওরবা মহাক্কী (লাইরেনগী) নুংশা হোন্দোক-হোঞ্জিনগী নোংশিৎকা মায়য়োক্নবা য়াদবগী মহী ময়াই চেনবসিনা লাইরেনগী অকিবদুদি মাঙহনবা ঙম্লমদে। মরম অসিনা লাইরেনসিবু ঈরাৎ-থৌনী তৌনবা লোইশঙ লীংখত্তুনা, মদুগী লাকপা অমসুং হিদং ফম হাপ্তুনা লাইরেন্না থোকহনবা লাইনা-তীননাশিং ঙাকথোক-কঞ্থোক্নবা থৌরাং লৌখৎলম্মী। হায়রিবা লোইশঙসি করম্না মতমদা লীংখৎখিবগে হায়বগী চপ চাবা শোক-তারিক [Date & year] দি পীবীরমদ্রে। অদুবু লাইরেন লাকপা হায়বা ফমসি লৈরে হায়বগী শাক্ষি পীরিবা ৱারোন্দি খৃঃ ১৬৬০ গী মতমগী থৌদোক ওইনা ফংজৈ, মদুদিঃ-

... লাংদেম সানম্বগী কুম শক ১৫৮১ হিয়াঙ্গৈ থাদা শমজোক নাইএ॥ ...পোইনু ৱাকচীঙ থা ৩ থেঙেঙ। অকন-অথৌবা খন্দুনা তেঙ্গোন্দা মতু মতু পীনৈএ। নিংথেমসু লাইরেন-লাকপী চেন্নৈ। শামু মরাম্বসু, মাহুৎ মচা শঙ্গাইসু ... লৌরৌএ। ফাইরেন থাদা চেন্নরকএ। [চৈঃকুঃ ২০০৫, ৪৪]॥

অসিনি। মসিদা লাইরেন লাকপীসি লাইরেন লাকপগী মতুনি। হায়রিবা লাইরেন লাকপসি লৈমপোকপম মচানি, খৃঃ ১৬৭৫ গী থৱান থাদা শিখি [মথক্কীসিদা, ৪৯] অমসুং মহাক্কী মতুংদা কৈশামচা থিংকোন্না লাইরেল্লাকপা ওই [মথক্কীসিদা, ৫১]। অদুগা হায়রিবা লোইশঙসিগী শঙদু তেকপগী ৱারোন অমা থন্বীরল্লিবদিঃ-

...কবো লাসোংগী কুম শক ১৬৬৩ ... থৱান থা... ২৯নি ঈরাই [সেপ্তেম্বর,খৃঃ ১৭৪১] দা নোং চুতনা নুংশিৎ-শিত্তুনা লাইরেন লোইশঙ তেকএ [মথক্কীসিদা ১০৫]।

অসিনি। অসুম্না লাইরেন লাৎপগী মনাৎসি লাইয়িংথৌ পাখংবগী লাইনীঙ কৌদ্রিঙৈদা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা খৃঃ ১৭০৬ তগী লাইশঙ লীংখৎ-শাগত্তুনা লাৎপা হৌদোকখিবনি। অসুম্না লিল্লাই-লাইরেন লাৎপগী মনাৎসি খৃঃ ১৭৪৫ য়ৌদ্রিবা ফাওবদি পাখংবা লাইনীঙ হায়বসিগী মখাদা চঙদ্রি হায়বদি কৌদ্রি। হায়রিবা খৃঃ ১৭৪৫ গী চহিসিদদি পাখংবনা লিন ওনবা/ওইবগী ৱাফমসি লৈরে হায়বসিগী প্রমান্দিঃ-

স্নসম মাইচৌগী কুম শক ১৬৬৫ ... লাংবন থা ...৬ নি য়ুমশকৈশ [Sept., 1745 A.D.] দা পাখংবা নোংথৌদগী খাওরৌ [Common cobra] মচা ওইনা ফিফৌ মমাঙদা তারকএ [মথক্কীসিদা, ১১৩]॥

অসিনি। মতমসিদদি তুবী [তু-পী= ঈশিংগী মপী, হায়বদি ঈশিংদা হৈনবা, ঙাগুম্না ঈশিংদা লৈবা ঙন্বা ঙাগ্রুম, লিলবোপনচিংবগুম্বদা অচৌবা মখল নৎত্রগা ঈশিং পীবীবা লাই] লাইরেন ওইরম্বা লাইসি ‘‘পাখংবা’’ হায়বা মিংসিগী মখাদা লাইশঙ শাদুনা লাই-ফম্বাল শেমদুনা লাৎলে। মসি খুদম-চাংদমদিঃ-

স্নসম মাইচৌগী কুম শক ১৬৬৭... হিয়াঙ্গৈ থা... ১৭নি য়ুমশকৈশ [December 1745 A.D.] দা পাখংবগী শঙ্গায় য়ুমজাও মনুংগী লাইশঙ মথোল নাইবা ইংগ্রি তৈবা হৌএ (মথক্কীসিদা, ১১৩)।

অসিনি। মরমশিং অসিনা লাইয়িংথৌসিবু ‘‘পাখংবা’’ হায়ৱাঁ মিংথোলসিগা কোন্ননা লাই ওইনা লাৎখিবসিদি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনি, তুবী-লাইরেন ওইনা লাৎপা হৌদোকপীখিবনা মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনি। অকোনবগী ৱারমসি খঙননবা মৈতৈগী মাইচৌ-পণ্ডিত, ৱাকমা-ফাথিবনচিংবনা নিংথৌসিগী মমিংদা ‘‘তুপী/তুবী’’ হায়বা মিংহৌ-মিংনপসি হাপ্লল্লিবনি।

লাইয়িংথৌ পাখংবনা লাইরেন নৎত্রগা তুবী লাইরেনগী শকফমদা লৈরম্বদগী হান্না লৈরম্বা শকফমদুনা শক্লোন অমা ওইনা থমখ্রগা মীওইবগী শাবান শক্তমদা ওল্লক্লিবসি শীঙথানবীদবগী মীৱা-মীশা লাংলবা মৈতৈ নিংথৌ নিংথেম পামহৈবা [নোংপোক ৱাইরং পাম-হাইবা] নৎত্রগা মৈতৈগী-মবুংঙো গরিবনিৱাজননি। মসিগী লমদাংসিদা থম্লীঙলিবা খুৎয়ি-লাকয়িদুদিঃ-

With the great and hardship efforts and attempts of the greatest and most powerful Meitei monarch Mayamba/ Garibaniwaza, the Meitei Dragonish/Dragonized Python/Serpent god Pakhangba was rendered to enable to attain/assume the power of transforming himself and to alter/convert his reptilian dragonish and pythonic/serpentine form and figure into the anthropomorophic personification as the great grand progenitor of the royal dynasty and families and other families and subclans of the clan, descended from royal princes, in 1747 A.D. [মথক্কীসিদা,

১১৮]. Again divine Pakhangba was further more changed in later period from his feature of the abstract god to the ancestor god who had survived/existed once in flesh and blood.

অসিনি। মথক্তসু হায়জশ্রে, খৃঃ ১৫৭২ দা লাইরেন থাজবগী ৱাখল্লোনগী মমি তাপ্লবসু থেংথবা চহি ১৩৪ গী মতুংদা হৌদোকখ্রিবসি লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বা (সনামহী) লাইনীঙগী মতীক-ময়াইনি। অদুগা হৌজিক ফাওবদসু মৈতৈ নিংথৌমচা অমসুং নিংথেমচাগী য়ুম্লাক/শাগৈ অমসুং শল্লাইশিংদা নত্তনা মীশীঙ য়াম্না মৈত্রবাক্কী মীয়ামদদি লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাইনীঙসিনা মথক থংলি।

লাইয়িংথৌ পাখংববু মৈতৈ নিংথৌ শাগৈ, নিংথেমচা শাগৈশিং অমসুং নিংথৌজা য়েক্কী পুকোক ওইনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা পুশিনখিবগী লমদাংসি "পাখংবা লাইহুই [The virtues/qualities of divine Pakhangba]" কৌবা লাইরিক্তা লৌখৎলমদে। মসিবু পুখৎলম্লিবা ৱারোলদু মখাদা থমজরিঃ-

...কোনশম মাইমুগী কুম শক ১৬৬৯ ... কালেন থা ২৩নি য়ুমশকৈশা [June, 1747 A.D.] দা লাইয়িংথৌ পাখংবনা হনচীঙদগী ফম্বাল কায়এ [মথক্কীসিদা, ১১৮]।

লাইয়িংথৌসিবু হনচীঙ [হেঁঙাং খুন, ইম্ফাল ঈষ্টকী নোংপোকলোমদা লৈরিবা চীঙগী হূয়থরকপা নাপোম অমা] দা ফম্বাল তোংহল্লিবসিদগী মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা হেঁঙাংখুনগী চীদায়গী মখারোম থংবা শরুকসি "রামনগর" হায়না থোন্দুনা শেমগৎ-শাগৎখ্রবনি অমসুং মফমসিদা মহাক্কী শঙ্গাই, মহাক্লা নিংথৌ ফম্বাল থাদোক্লবা মতুং খৃঃ ১৭৪৮ গী ঈঙা থাদা শাদুনা পাল্ল-লৈরখিগনি [মথক্কীসিদা, ১১৯]। মফমসিদগী হনচীঙসি লাপত্রে। অদুগা ফম্বাল তোংহল্লিবসিনা লাইয়িংথৌ পাখংববু "মৈদিংঙুনি" মৈতৈগী মবুংঙোনি/ নিংথৌনি হায়না শকখঙবা অমসুং লৈপাক খ্বাইগী অয়াবা লৌবা অমদি সাক্ষী থম্বনি। মসিনা মরম ওইদুনা লাইয়িংথৌ পাখংবনা "মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা" হায়বা ফম্বাল মিংহন/মিংথোনসি লৌদুনা মণিপুরগী অহানবা ঐতিহাসিক রাজা [The first Historical King of Manipur] ওইনা লৈরিবনি/লৌনরিবনি।

লাইয়িংথৌ পাখংবসিনা অহানবা পাৱারী-পুৱারীগী ওইবা নিংথৌ ওইনা লৈরবা/লৈহল্লবা অসিমক্তসু অমসুং মহাক্কী মপুক্না শীত্তুনা নৎত্রগা উপ্পা চৎপা চীঙলাই ওইনা লাইরেন ওইবা নৎত্রগা লাইরেন ওইনা চীঙলাই ওইবগী শকফমদা/ফিদুপ্তুদা নৎত্রগা মীওইবগী শাবান মীওই শুবগী শক্তমদুদা/শক্তাদুদা মীওইপোক ওইনা লৈজরবসু মথায় থায়নঙৈদগী চৎনরক্লবা মঙলৈপাক্কী মাল্লংপান্দা লৈৱা, মশক শক্লোন অনিশুবা অমসুং শক্লোন অনিমক্তু পুবা/পুথোকপা ঙম্বা লাই অমা ওইনা অদুম লাৎলি/খুরুম্লে। অদুনা মহাকপু মতীক-মঙম চাওহন্নবা মিংথোল ওই, থাগৎপা ওই অমসুং শক-লোৎপা ওইনা "তুবী অহিং মী ওইবা, নোংথিন খোইমোম লাই-ওইবা [The divine Giver of water, who can become a man at night and a divine being in day-time]" হায়না শৈথাদুনা [ওঃভঃসঃ, ১৯৬৭, ১] লৈ। অদুম ওইদুনমকসু নিংথৌ শাগৈ অমসুং নিংথেমচা শাগৈগী নুপাশিংনা লাইয়িংথৌ/ঈবুধৌ পাখংবসিবু পন্দুনা ৱাশকখ্রবদি, ৱাশক্লিবা মহাক্তু শিখিবদি য়াই, থবক্তু মায় পাকপা/পাক্তবদুদি তাইবং মপুগী নোংদম্লি, মহাক্না মায় পাক্লনবা হোৎনা য়াবা মখৈদি হোৎনজরমগনি।

মচৎ-মনাৎ মান্নবশিং [Similarities]

মথক্কী ৱাফমশিংসিদা লাংওন পুথোকপগী লমদাংদা হিন্দুগী তেংবান মপু বিষ্ণুগা যুগ অমসুং চক ৪/৪ গী লাংওন্দা মান্নবগী/মান্নহনবগী হিরম মথক্তা উৎচখ্রে, অদুবু লাইয়িংথৌ সনামহীনা বিষ্ণুগী মফমদু লৌখি। অদুগা লাইয়িংথৌ পাখংবসি শানওন-লাংওন ৩৬৪ শুজরবসু/লৈরবসু মখোয়দু মাগী লাংওননি, লাংওন মপুনি হায়বসিগী লমদাংদদি শ্রীবিষ্ণুগা মান্নে, মরমদি লাইয়িংথৌ অশিবগীদি হিন্দু শিবগী লাংওন লৈতবা তৌইগুম্বসুং মহাক্কী অশাওবগী মশক ওইবা রুদ্রগী অবতার নৎত্রগা রুদ্র অবতার হনুমানখক্তা অমতমক লৈবসিগুম লাইয়িংথৌ সনামহীখক্তমক লৈ, অতৈদি শানওন ওইনা লৈ।

অদুগা লাইয়িংথৌ অশিবা (মফম কয়াদসু লাইমিংসিদা খুবম লীংদুনা লাৎনদে, হিন্দুগী ব্রহ্মাগীসুনি, য়াম্না তাঙঙি) অমসুং লাইয়িংথৌ কোঞ্জিন-তিংথোকপা/হারাবা অনিগী গুরুগী ফানখোঙ কোয়বগী ৱারী শীঙবুন/লাই-ৱারী (Myth) অসি হিন্দু শৈব অমসুং শক্তি সাধনাগী সাধকশিংগী শ্রীশিব

পুরান্দা য়াওরিবা গনেশ বিবাহ্ (গনেশ লুহোঙবা) গী ৱারী-শীঙবুন অমসুং পুরানসিদগী লৌথোক্তুনা বঙ্গ/গৌরদেশ (বাঙ্গাল/বেঙ্গল) গী মীশিংগী "ফুঙ্গাৱারী" গী ৱারী-শীঙবুনসিগা চপ মান্নবা, খেন্নবা হায়ববু ৱারীগী প্রোব্লেম [Problem] গী মতাঙদা হিন্দুগীনা গনেশ লুহোঙনবগী অদুগা মৈতৈগীনা গুরুগী ফম্বাল ফংহৌনবগী (মহুৎ শীলহৌনবগী) ওইহনবা অসিখক্তনি। হায়রিবা ৱাফমসিগী মতুংইন্না লাইয়িংথৌ পাখংবসি শ্রীগনেশকা মান্নে।

শ্রীবিষ্ণুনা আনন্ত/শেষ আনন্ত শয্যাদা পোখাফম ওইবা অমসুং গরুড়না শাদোং ওইবা অমসুং লাইয়িংথৌ পাখংবনা তাউরোইনাই শাদোং ওইবসিগী লমদাংদা অনিসিগী মান্নবা খর অমসুং অকোনবগী গরুড় শাদোং ওইবসিদা শ্রীকৃষ্ণগা মান্নবা খর লৈ। মরম অসিনা হায়রিবা শাদোংশিংসিদা মিৎয়েং থম্লকপদা—

(i) Ananta. 1. ... 2. (Hind.,Vah) NP (Normen proprium) of the world snake (cp. naga) upon which Vishnu reposes in his aspect of Adimurti (and Vaikunthan natha). Hence A. may be regarded as a Vah., but is also considered to be a partial incarnation (*an*sa) of Vishnu. A. symbolizes eternity and cosmic ocean: cp. naga as a symbol of water (cp. also Jala), the element out of which the new world is born and hence also of fertility. A. is further the king of nagas and the lord of patala. He is mentioned in group of mahanagas.

Char:- colour: purple; attr: hala, musala.
Epithets:- Adisesa, Sesa [G.L., 1986, 5]
(ii) Garuda (interpreted as "devourer")
I. (Hind. Vah) N.P. of a mystical being originally regarded as a kind of bird later as half vulture, half man...

G. is the Vah, esp, of Visnu (and Visvarupa) but also of Laksmi (Vaisnavi) ... [Ibid, 92]

(৩) তাউরোইনাই, পাখংবগী শাদোং লাই অমা, অতিয়া-গুরু শিদবগী মমিং অমা (ন:খ:স: ১৯৭৮, ৬৬)।

হায়রিবশিংসিনি। "অনন্ত' নাগরাজ লিননি, তাউরোইনাইসু লিননি। অদুগা শাদোংনরিবা অনিসি হান্নদা মান্নহন্নবা (লাংওন যুগ ৪গী পুথোক্লবগী

লমদাংদা) হোৎনখিবদুনা মান্ননা লৌবনি। গরূড়গা তাউরোইনাইগগী মতাংসিনা মতীক-মগুণদা চাংদম্লবনি। অদুনা বিষ্ণু লৈরবদি গরূড় লৈ, পাখংবা লৈরবদি তাউরোইনাই লৈ, (অ:শ:, ১৯৫৪), হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইবনি।

অতৈ লৈপাকশিংগী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনশিংগা চাংদম্লবগী ৱাফমশিং অয়াম্বদি লাইনীঙসিগী মশাগী ৱারোলশিংদা য়াওজখ্রে (মথক্তা য়েংবিয়ু)।

(১২) লাইরেম্মা নুঙগোইবী লাইনীঙ

লাইরেম্মা নুঙগোইবীগী লাইনীঙসি মৈতৈশিংনা এনিমিজম (নুঙ, উনচিংবা পোৎলমশিং/পোৎশকশিংবু লাই ওইনা লাৎপা) গী লাইনীঙগী মখাদা য়াম্না ঙন্না পুখত্তুনা থমই। মদু চুম্লমবদি য়াই তৌইগুম্বসুং নুঙগোইবী লাললূ চনবা, হায়বদি নুঙগোইবী লাইরেম্মদা মী মকোক কৎপগী লাইনীঙ-লাইরাৎ, নমু মীকোক-তানবা [Head-hunting] গী ৱাখল্লোন থারোইনবা লাইনীঙসিগী ওইনদি ১১-১২ শুবা খৃষ্ট কুমশীঙ চাশিংদা পুখৎলিবদু মতমসিগী চহি ৭০০/৬০০ কী মতুংগী মচৎ-মনাৎনি। লাইনীঙসি তশেংনমক অকোয়বা নৎত্রগা মকোয় নাইবা নুঙ, নুঙকোইবী/নুঙগোইবী লাৎপগী লাইনীঙ মনাক্তা নুপী-লাই/লাই-নুপী লাৎপগী লাইনীঙ অমসুং থৱাই/য়াইবীনা হন্না হন্না লাংওনবগী ৱাখল্লোন্দা মথৌ শঙলিবা মচৎ/মনাৎ মীকোক লৌবা/তানবগী মনাৎসিগা অহুমসিনা তীনশিন্নরগা তারকপা মচৎ-মনাৎকী লাইনীঙনি। লাইরেম্মা নুঙগোইবীসি মৈতৈনা শা-লানগী লাইরেম্বী, লাললৈমা; শা ফাবা চৎলে, শা য়াম্না ফাবা পীনবী; লান্দাবা, লান-ঙাকপা, লান-তানবা (য়েক্লবগী লাম্মী-তেঙ্গোনবু মতুং ইন্নদুনা তান্নবা), অসিনচিংবা লানফমদা চৎলবসু লানফা [অশিবা ওইরগা মকোক্তু নুঙগোইবীদা কৎনবা অমসুং অহিংবা ওইরগনা মীনাই ওইহন্নবা] য়াম্না ফাবা পীনবী লাইরেম্মনি হায়না লাৎচৈ। লাইরেম্মসিগী লাইয়িংথৌদু নুঙগোইবা হায়না কৌই।

নুঙগোইবী লাইরেম্মদা লাল্লু-চন্দুনা (মীগী অককপা মকোক কক্তুনা) ঈরাৎপা/চরাৎপগী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনসি খঃ ১৭৪৮ দা মৈতৈগী মবুংঙো মেখলেশ্বর গরিবনিৱাজ মহারাজনা হৌদোকখি। মসি হৌদোকপগী হিরমসিগী ওইনা থম্নীরল্লিবা ৱারোন্দিঃ-

...খুৎলেম পাংঙনকী কুম শক ১৬৭০ শজিবু থাদি নিংথৌকাবনা হনএ। নিংথেম ময়াংঙম্বনা চরোই নাবা চৎএ। ... লাংখোংসু নারম-এ। নিংথেম তননা ওঙলকএ। ১রক ঈতোক নাইএ। শেকমুনা লান ২ ফাইএ। নুঙগোইবীদা লানমিং চনএ। মনাদি তেনকাপ অমা পীএ। [চৈঃকুঃ ২০০৫, ১১৯]।

অসিনি। হায়রিবা লাইনীঙসিগী লাইনীঙলোন্দা পোৎকৎ-চৈকৎ [Rites of/for worship] সি মীগী অককপা মকোক (মমৈথংদদি মী মকোক্কী মহুৎ শীনবশিং পুথোক্লরকখি) ওইবনিনা লাইরেম্বীসি য়াম্না অকিবা পোক্লীঙঙাই ওইবী নৎত্রগা অকিবা পোকপী লাইরেম্মা [উগ্রিকা (Terrific/dreadful/frightsome) দেবী] অমা ওইনা লৌনৈ, মরমসিনা লাইনীঙলোনসিদা কালা তন্ত্র [Black Tantra] গী ৱাখল্লোন চঙই। মৈতৈশিংনা লাইরেম্মসিদা কৎননবা মীগী মকোক(শিং) লানফমদগী কক্কুনা মখোয়না লান চৎলুবগী লানঙম'খুদম [Trophy of conquest] ওইনা খোমদুনা পুরক্লগা লাইরেম্মসিদা কত্তুনা মখোয়না ফারকখি-হাৎখিবা লানফাগী মশীঙদা মমিং পানশিল্লি/হাপচিল্লি। হায়রিবা পোৎকৎ-চৈকৎসি নমু মীকোক-তানব [Head-hunting] গী মচৎ-মনাৎকীনি। অসুম্না নুঙগোইবী লাইরেম্মবু পুক্লীঙ-ৱাখল তপ্না খুরুম-খাজঙবগী লাইনীঙলোন্দুদা ঈগী মহাউ অমসুং মচু, তন্ত্র অমসুং হেড হন্টিংগী ৱাখল্লোন্না তুখুন খোংলম থৈহল্লকখি। অসুম্না থৈরকপসিনা লাইনীঙসি মী খরদগী থৌদাং ওইনা লৌখি। অদুবু মৈত্রবাক্তা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙগী মশা মচা-মচাশিং লাকপদগীদি নুঙগোইবী লাইনীঙগী অকি-তুজুংনবগী মতৌদুসু খর মেঙথহল্লকখি। হায়রিবা থৌদৌসিগী লমদাংদা থমজনীঙলিবা ৱারমদি মখাগীসিনিঃ-

The spiritual worship of divine Nunggoibee was motivated by black artistic Tantrism and head-hunting culture to turn/transform into a frightening dreadful cultic course, Afterward, when the Hindu Vaisnavite sects such as, Nimandi/Nimvarka [confined to the Krishna and Radha as the champion and championess of Rasa], Ramat/Ramandi [adoration of Rama as the hero of sorrows and sufferings], Madhvee [veneration of Vishnu-Krishna with other divinities as the creative forces], etc. were adopted on the soil of Manipur and one of them was

installed as the Kingdom's religion, the representative and representable objects/articles of the human chopped off head(s) such as , the hair, skin, wearing/gearing and bearing thing(s) of the victim; hairy betal nut for human head, etc. were introduced to offer to the deity as ruled over by the Vaisnavite trait and trend of representations of aggrieved persons so as to save the life (ves) of human beings and to protect humanity.

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী নুঙগোইবী লাইরেম্মসি লানগী লাললৈমা অমা ওইনা হিন্দু বৈষ্ণব সমাজগী লাললৈমা দূর্গা লাৎপগা মান্নবা লাইনীঙলোনগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্দা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লাইশিংগী মরক্তা হৌদোকখিবনি। হায়রিবা নুঙগোইবী লাইরেম্মসিগা চপ মান্নবা লাইনীঙলোনগী ৱাখল পুবা/চেনবা লাইরেম্বী অমা মণিপুরগী নোংচুপ থংবা চীঙগী শরুক্তা অমসুং মণিপুর তম্পাক্কী মফম খরদা মচোই-মচোই তারিবা কবুই/রোংমৈ (Kabui/Rongmei) চীঙমী কাংলুপসিগীসু লৈ অমসুং লাইরেম্বীসিগী মমিংসি হাইপৈ চামপৈ। (ঈবেন্ধৌ চামপৈ (Great grand mother Champei) হায়না কৌই। লাইরেম্বীসিগী মরমদা তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্কী অৱাংখুনগী খুনয়াঈদা য়ুংলিবা লাইরিক ময়েক হকপা নুঙদুগী ৱারোন্না হায়রিঃ-

কবুইলোন	*ফিভম কায়হন্দনা*	*মৈতৈলোন* *ৱাহন্দোক চাননবা শেল্লবা*
লাংবংখৌ	পনথোঙদা	খুনগী পঙ্থোঙ [Village
খুনলৌমৈ	খুনগী	gate] দা য়ুংলিবা নুঙসি
হাইপৈ-চামপৈ	হাইপৈ-চামপৈগী	ঈবেন্ধৌ চামপৈ লাইরেম্বীগী
লাইবুথে	ফুঙ্গানি	ফুঙ্গা ওইরম্বা/লৈরম্বা
অবুংনা	অবুংনা	মফমদুনি [মফমদু তাকপনি]।

হায়রিবা কবুইগী লাইরেম্বীসিসু শাদানবা চৎপগী লাইরেম্বীনি। কবুইশিংনা শাদানবা চৎলমদায়দসু শা য়াম্না ফাহনবীনবা খুরুমগনি, শাদানবা হল্লকুগসু শাগী মনা, মচী অমসুং মমৈ অহুমদগী অমা/অনি/অহুম্মক কত্তুনা থৌজানবীবগী থাগৎ-ৱাহৈগা লোইননা খুরুম্নরম্মী।

নুঙগোইবী লাইরেম্মসিবু মৈতৈনা মী-মকোক চাই নৎত্রগা লৌই হায়না লৌন-নীঙনরিবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনসি লমদাংদা মিৎয়েং থম্লবদি লাইরেম্মসি হিন্দু বৈষ্ণব, শৈব অমসুং শাক্ত লাইনীঙশিংগী অকিবী শক্তম পুরিবী লাইরেম্বী, উগ্র দেবী, মীগী মকোকশিংগী নৎত্রগা মীকোক-শরূ (Skul) শিংগী পরেংনা লৈ-পরেং ওইনা শিরিবী কালীশিং, খুদম ওইনা ''ভদ্রকালী'', ''মুণ্ডমালিনী'', ''চমুণ্ডা'', অসিনচিংবগা মান্নে, হায়না চাংদম্নবা য়াই। অদুগা মী মকোকপু মহুৎ শিনবা পোৎলম্না/পোৎশক্না কৎপগী মনাৎ অসিসু হিন্দু বৈষ্ণব সমাজনা মী মকোক্কী মহুত্তা য়ুবী (Coconut) কৎপসিগা মান্নে।

(১৩) নিংথৌগী ঙাকপী-শেনবীবা লাইশিংগী লাইনীঙ

মৈতৈ-নিংথৌগী ঙাকপী-শেনবীবা/কনবী-কোনবীবা লাইশিংগী লাইনীঙ [The cult of Royal Guardian Deities] হায়বা লাইনীঙসি মৈতৈ-নিংথৌ (ফম্বাল ফল্লিবা) অমসুং মহাক্কী ঈমুংবু ঙাকপী-শেনবীবা লাই(শিং) লৈ হায়বসিদা থাজবা অমসুং মখোয়দুবু ঈরাৎ-থেল্লাৎপা, লৈনী-থৌনীবা, খুরুম-খাজঙবা, অসিনচিংবগী মচৎ-মনাৎনি। লাইনীঙসি অয়াম্বা মতমদা, নুঙগোইবী লাললু চনবগা শাগোন্নে। অদুগা হায়রিবা লাইশিংসিনা নৎত্রগা মখোয়গী মনুংদগী অমনা/অনিনা লৈপাক্কী নিংথৌগী থোক্লগদবা থৌদোক্কী মরুওইনা, অৱাবা/লাইবকথীবা থৌদোক্কী মাঙজৌননা চেকশিন্নবা, চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনবা লাইবাউ নৎত্রগা খুদম তৌদুনা/উত্তুনা তাকপী অমসুং চৎলিবা থবক্তা য়াইফবা ওইনবা থৌজাল লানকু পীনবী হায়না চেৎনা থাজনৈ। খুদম অমত্তং ওইনাঃ-

... থৌরম মতৌ অসিবু উরবগা মৈদিংঙু [নাউজীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা নৎত্রগা সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ ১৮৫০-৮৬), কেঃসিঃএসঃআই] না পাউমেল্লবগা লমলেন হোগাঙ্গবী লমথুংফম, ময়ু তুবী চরাইরোংবা য়াতা ফম, কোরৌ নোংশীঙজঙনা খাকপা তেনমৈ শমফমদা ''ময়োল খোইমোম য়ুমজাও লৈমনা মনোংয়াইগীদমকপু তাইবং মীশক-মীতৌ তম, চৈরৈ ফিঙৌ থোন্না মনোংয়াইবু থৌজাল লমকুবীখিএ [ও:ভ: ১৯৭৯, ৩২]।

অসিনি। মসি, মৈদিংঙু সার চন্দ্রকীর্ত্তিনা কছাড়দা জিলা দরবার তৌরুনবা খোঙচৎকী খৃঃ ১৮৭৪ গী জুলাই ৩০ দা যাত্রা তৌবা নুমিৎকী থৌদোক্তা থারিবনি।

[চৈঃকুঃ ১৯৮৯, ৪২০]। মসিদা মৈতৈ-নিংথৌগী ঙাকপী-শেনবীবগী লাইশিংগী মরক্তগী য়ুমজাও লাইরেম্মনা য়াইফনবা লনকুবীবগী মশক্তু উৎলিবসিনি।

মৈতৈ নিংথৌবু ঙাকপী-শেনবীবা অমসুং য়োকপী-কনবীবা লাইশিংগী লাইনীঙ অমসুং মসিগী থাজবগী ব্রাখল্লোনসি মৈতৈগী মবুংঙো গরিবনিব্বাজ মহারাজনা খৃঃ ১৭৪৮ সিদা শেমগৎ-শাগৎখিবনি অমসুং হৌদোকখিবনি। হায়রিবা ব্রাফমসি মৈদিংঙুসিনা চহিসিদা হৌদোকপীখিবা নুঙগোইবী লাৎপী লাইনীঙ (হেক থংননা মথক্তা উৎচরিবা) সিগা ঈরোইনদুনা লাকপা মনাৎ "নুঙগোইবী লাললূ চনবা অমসুং কংলা লানবাউ তম্বা" হায়বসিগী শরুক অমা ওইনা লৈবা লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোন্নি। মৈতৈ নিংথৌগী ঙাকপী শেনবীরিবা লাইনীঙসিগী মনুংদা লৈবা লাইশিংদিঃ-

(১) লাইয়িংথৌ পাখংবা [মৈতৈ নিংথৌ মশামক্কী য়ুম্লাক-শাগৈ অমসুং য়েক-শল্লাইগী পুকোক ওইরিবা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা],

(২) লাইয়িংথৌ নোংশাবা [তেংবান মপু চীঙঙু অতিয়া শিদবগী নোংশা শাবান ওইনা শানওনবীরকপা অহাংবা নোংনা শাবা লাইয়িংথৌ],

(৩) য়ুমজাও লাইরেম্মা [পিরিৎনু, অহুমনু, অরেঙবা মাইরেঙহওবা চনু নোংদা নোংখললেম্বী ইমজাও (য়ুমজাও) লৈমা ওইবী, লৈমা অহুমলক তানফংবী, নিংথৌ অহুম্না পান্নবী লৈনুং য়াবিরোক (নোংদা লাইরেন পাখংবগী অপোকপী অমসুং নাউয়োক-নাউকোল্লকপী মমা) অমসুং মহাক্কী লাংওন ওইবীশিং-লৈমরেন লাইম্লা/লাইখুরেম্বী মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী তাল্লোই), লংমাই লীক্লু লৌথীবী পেতঙঙা (মৈদিংঙু লাইরেন নাউথিংখোং (খৃঃ ৬৬৩-৭৭৩) গী অহানবা তাল্লোই) অমসুং ঈঙাল্লে নৎত্রগা তরুং-লাইরেম্মা (মৈদিংঙু পাইখোম্বগী অহানবা তাল্লোই), অসিশিংসিগী মনুংদা নোংদা নোংখল্লেম্বী নৎত্রগা লৈনুং য়াবীরোক অমসুং লংমাই পেতঙ্ঙাগী য়াইবী/থব্রাই মমিরেন ওইনা অকক্লনা অমসুং অখন্ননা অনিগী মনুংদগী অমবু লৌনৈ]।

অহুমসিনি। হায়রিবা লাই অহুমসি লাইশঙ অমসুং লাইবুঙ-ফম্বালসি মৈদিংঙু গরিবনিব্বাজগী মতুং তারকপদা পানবা তঙ তানা খোঙলেপ য়ুমলেপফম ওইবা কোনুং লিংদুনা নিংথৌগী নিংথেমকোন [Palace complex] গী লৈমা-

নিংথৌকোন [Royal residential private yard] কী লমকন মনুংদা শেম-শাদুনা থম্লরম্মী। হায়রিবা লাই অহুমসি লাইয়িংথৌ পাখংবনা য়েৎ ঈথং থংলগা ময়ায়দা য়ুমজাও লাইরেম্মা লৈরগা ওঙ্গ ঈথং থংনা লাইয়িংথৌ নোংশাবগী/বু থম্লগা পরেং চপ মান্নবা কোনুংগী মায়ওন মতুংইন্না মমায় ওল্লগা নিংথৌগী শঙ্গাইগী চীঙখৈ পাংবদা থম্লরম্মী। হায়রিবা লাইনীঙসিগী লাই অহুমসিগী লাইশঙ অহুমসিগী মশক অমা হৌজিক হৌজিক বাঙ্গলা দেশকী চিটাগো ডিভিজনগী সীহ্লেট [Sylhet] ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা সীহ্লেট সহরগী লামা বাজার [Lama Bazar] কৌরম্বা হৌজিকী সীহ্লেট মদনমোহনজী কলেজগা মায়োক্লনা লেপ্পুনা লৈরি [M.M., 1980, 36]। মণিপুরগী মৈতৈ নিংথৌগী কোনুং লৈরম্বা মফমশিং অমসুং কোনুংলেন কংলাদদি মসিগী খুদমগী মমি তাদ্রে।

লাইনীঙসিগী লাই অহুমসিদা মৈতৈ নিংথৌনা নৎত্রগা মহাক্কী মহুৎ শিনবা মচা-মনাউ/অঙম-অথৌনচিংবনা নিংথৌনা লান চৎলুরগা লানফমদগী কল্লকপা মী মকোক পুরক্লগা লানগী লাল্লেমদা মী মকোকশিংদু কত্তুনা লাল্লু চল্লবা অমসুং লানমিং থারবা মতুংদা কংলা লানবাউ তম্বা হায়দুনা চৎলুরিবা লান্দুগী লানফমদু মায় পাক্লকপা/পাক্লক্তবগীনচিংবা থৌদোক-লাহ্মোক্কী পাউ তম্বগী থৌরম অমা লাই অহুমসিগী ফম্বালমাঙ-লাকথোঙদা চথৈ। লানবাউ তম্বগী থৌরমসি লাইয়িংথৌ পাখংবদগী হৌগনি, মথংদা লাইয়িংথৌ/গুরু নোংশাবদা তমগনি অমসুং য়ুমজাও লাইরেম্মদা লোয়শিনগনি (বঃকঃ, ১৯৯৮, ৬১)। লাই অহুমসিদা লানবাউ তম্বগী লাইশোনশিং অদুদিঃ-

(১) লাইয়িংথৌ পাখংবদা লানবাউ তম্বগী লাইশোনঃ-

চীঙঙু খোইয়ুম লাইয়িংথৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা! লাইরেন ননোংয়াঙ্গী, নশূ হেবুংথৌ, তাইবং সোরারেন, নমু পোংহনবনা ৱাইরা শা দা চৎলুবা, হুয়েল লান্দা চৎলুবদি হুয়েন লানফম থোইরক্লবগী চীঙনুংগীদি নোঙ্গৌবী, চেক্লা থৌরৈ ৱাকমপোংবু ৱাইরা শাফারক্লে। হুয়েন লাহ্মোইরক্লবগী মবেম্ধৌ চেঙচা নুঙগোইবীদা হুয়েন লাললু চল্লম্লে। লাইরেন ননোংয়াঙ্গী, নশূ হেবুংথৌদি তুবী মহী হীনা মেঙবা, লাইরেন ময়াই য়াইনা ৱাহৌনববু ৱাকমা তেরানঙৈনে। কোলৌ কয়াগে হা-য়েং॥ (মথক্কীসিদা, ৬১-৬২)।

(২) লাইয়িংথৌ নোংশাবদা লানবাউ তম্বগী লাইশোনঃ-

মথক্কী লাইয়িংথৌ পাখংবগী লানবাউ তম্বগী লাইশোনগী ৱাহৈশিংসিগা চপ মান্নবদা ৱাহৌদোক ওইরিবা লাইয়িংথৌগী মিংলেনসি– "হে গুরু লাইয়িংথৌ নোংশাবা!" হায়বসিদং ওহ্বোক্লগা য়ারে। লাইয়িংথৌ নোংশাবদি কংলাগী নিংথেমকোনগী নিংথৌকোন [Royal official/ institutional yard] গী মনুংদা কংলা [Coronation hall and its inmates], কোনুং [Palace comlplex], কুচু [Monarch's office-cum-court], চৈরাপ [Chief court of 64 jurors and a chief justice], চৎলম-ফনশাং [Royal residenial court], উত্রা [Royal waiting/drawing hall], লাংশঙ-শঙলাংমৈ [Royal dressing hall], নচিংবা ঙাকপী-শেনবীবা লাইয়িংথৌনি (মথক্কীসিদা, ৬২)।

(৩) য়ুমজাও লাইরেম্মদা লানবাউ তম্বগী লাইশোনঃ-

হে মোংবা থাঙঙা য়ুমজাও লাইরেম্মা য়াইফবী। য়ুমজাও কারেন মাপনমক্তা হেনমোইবী! কারেন ১দি ফদিবী মৈরীং-কানে, কারেন১দি নেনে য়াহীপ কানে, কারেন ১দি তরা-চউম কানে, কারেন অমদি অঙৌবা পুরৈরোম্বা কানে, করেন ১দি নোংমাইনু অহোঙবী কানে, কারেন ১দি লৈমা অরেম্বী খোঙহাম কানে, কারেন ১দি চৎলম-ফানশাং কানে, কারেন ১দি লাইয়িংথৌ সনা কানে, কারেন ১দি লংমাই পেতঙঙা লীকলু লৌথিবী নোঙ্গাকানে; হে ঈবেম্মা কারেন ৯ মথক্তা হেনমোইবী-ও! ঙসি কোরৌ নোংদা নশূ-হেবুংথৌ, তাইবং সোরারেন, নমু পোংহনবনা ৱাইরা শাদা চৎলুবা, হুয়েন লান্দা চৎলুববু চেক্লা চাদি থৌরৈ ৱাকমপোং, চীঙনুং চাদি নোঙ্গৌবী ৱাইরা শাফারক্লে। হুয়েন লানফম থোইরক্লবগী পোইরৈ মীপুম হাঙলক্তে, ৱাঙম মীকোক তেক্লক্তনা হলৱাইরক্লবগী মোংবা মরানয়াঈদা হলৱাইখরে। পোইরৈ মৈতৈ লৈমগী ফৈরা তাজিনথক্তা হুয়েন-লানপাউ তম্লম্লে। চেঙচা নুঙগোইবীদা হুয়েন লাললু চল্লম্লে। নশূ হেবুংথৌ, তাইবং সোরারেন নমু পোংহনববু পুন্সি চারী কুই, ৱাংঙম খোঙদোন শাং, তাম্বোং ময়ুং কুই, লেমথোং মফে পাকনা খুঞ্জাও-লৈচাও, খুনহোঙ-লৈহোঙববু কুবী-ও, হে ইবুংঙো ইবেম্মা। (মথক্কীসিদা, ৬৩-৬৪)।

অসিশিংসিনি। অসুম্না লাই অহুমসিদা লানবাউসি তন্নন্নগা মৈদিংঙুনা শঙ্গাইদা লেংশিল্লগা য়ুমজাওদা লৈরিবা লৈমশিংদসু লানগী পাউগী লানফম থৌদৌ-থৌদোকশিংদু লীদুনা তাহনগনি।

মৈতৈ-নিংথৌগী ঙাকপী-শেনবীবা অমসুং কোনবী-য়োকপীবা লাইশিংগী লাইনীঙ অসিনা শাগৈ-শাগৈগী য়ুমজাও লাইরেম্মশিং, খুদম ওইনা— ৱাহেংবম য়ুমজাও লাইরেম্মা, খোইস্নাম য়ুমজাও লাইরেম্মা, কাংঙবম য়ুমজাও লাইরেম্মা, য়ুম্নাম য়ুমজাও লাইরেম্মা, অসিনচিংবগী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনশিংগী মরূ-লেনফুনি।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈ নিংথৌগী ঙাকপী-শেনবীবা লাই(শিং) গী লাইনীঙ অমসুং মসিগী মচৎ-মনাৎ অসি হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মপুঙ ওইরিবা বিষ্ণু মশামক লাৎপা লাইনীঙগী মনুংদা তুঙদুনা লৈরিবা লক্ষ্মী দেবীগী শানওনশিংগী মরক্তগী খরগী লাইনীঙগী মচৎ-মনাৎশিংগা মান্নে অমসুং অকক-অখন্ননা মান্নরিবসি মৈতৈগী য়ুমজাও লাইরেম্মা অমসুং লক্ষ্মীগী শানওন অনিগনি। হায়রিবা লক্ষ্মী অনিসিগী মরমদা পীবীরম্বা ৱারোল্দিঃ-

...Conception of Lakshmi or Sri as Vishnu's wife is a feature of Vaishnavism in the Gupta period. She was concevied as RAJALAKSHMI and NAGARLAKSHMI (guardian-angel of kings and cities) ... [B.N.L., 1988-89, 357]

অসিনি। হায়রিবা অসিগী মতুংদা হিন্দু নিংথৌশিংগী ঙাকপী-শেনবীবা লাই(শিং)গী ৱাফমসি লাই নুপাশিংদসু থোক্লক্কনি। হায়রিবা ঙাকপী-শেনবীবা লাইশিংগী মখলসিদা ম্যান্মা/ব্রাম্মাশিংগী অরিবা অমসুং অনৌবা লৈপাক্কুদগী হওজরকপা নট [Nat] লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী লমদাংদদি মশীঙ থীঙমদনা লৈ। খুদম ওইনা পীজরবদাঃ-

(I) Many villagers, quite independently, to me of the assistance of Myinbyushin, the village guardian nat, during the recent insurgency. When insurgents occupied Yeigyi (village), they became angry with Boudougyi (as most villagers refered to Myinbyushin)

because he did not protect them from mosquitoes, and in retaliation, they destroyed his shrine. He in turn retaliated against them by aiding the government forces in the battle in which the insurgents were finally defeated. When the government army, after a pitched battle with the insurgentts, entered Yeigyi at dawn, the figure of an old man on a white horse was seen circling the village [The village guardian nat is believed to be an old man and he is always represented in his shrine by a statue not of himself, but of a white horse. The association of Myinbyushin with the Burmese army is a old one. Myinbyushin was reputed to have fought with the Burmese against the British in the First Anglo Burmese war of 1824 (Htin Aung 1962, 98) and, seventy five years before that, he fought with Alaungpaya's army against the Talaing (Harvey 1925:220)- Foot Note No. 8.] [M.E.S., 1967, 84-85].

(II) When I first began to investigate those nats whom the Burmese call MIZAIN-HPAZAIN, and whom I am designating as "Mother's side-Father's side" nats, I expected to find a very small number of such nats in any village... These nats and the number of their adherents are shown in Table (shown below):-

	Name of Nat	Sex of Respondent		Total
		M	F	
1.	Taungbyon	29	26	55
2.	Badoun	7	5	12
3.	Koumyoumin	2	10	12
8.	Bakamin	0	2	2
10.	Talain	1	0	1
Others 4, 5, ... 15, 16		16	8	24
17.	Taungbyon Ameiyayin	0	1	1
	Total	**55**	**52**	**107**

মখোয়শিংসি ঈমা-ঈপাগী মায়কৈদা লৈবা নোংদা লাইরেন পাখংবগুম অপোকপগী কাংলুপ্তা লৈবা ঙাকপী-শেনবীবগী লাই ঙাক্তনি (Ibid, 99-100)।

খোমজিন-তাশিনবা/ৱারম

মথক্তা উৎচখিবা লাইনীঙ খরসিগী মতুংদা য়েক-শল্লাই পোকপা অমসুং য়ুম্নাম শাগে পোকপা লাইশিং, খুন-খুন/লম-লম কোনবা লাইশিং, লন্নাই নাইতোম মীওইশিংগী মরন্নাইগী/ময়ুমগী ওইবা লাইশিং অমসুং হান্না লৈরম্লবা লাইশিংসিগী অতোপ্পা মফম অমদা অতোপ্পা অনৌবা লাইবুঙ-লাইফম অমা লিংখতুনা লাৎপা [খুদম ওইনা, লাইয়িংথৌ খল্লাংবসি উরিপোক্তা লৈরম্বসিদগী ককচীঙদা অমসুং ককচীঙ মশাদসু খুনখায়-খুনহোংলকপগী মতুংইন্না খুল্লেন্দা লাৎলম্বদগী ৱাইরীদা, ককীঙ খুননৌদা অমসুং ককচীঙ/সুমা (সুইশা) কমেংদা লাৎনরি] অমসুং নীঙনরকপসিনা লাইফমশিংগী মশীঙ, লাইশিংগী তোংঙান্না থোনবা মমিং-মথা [খুদম ওইনা "য়ুম্নাম (য়ুমজাও) লাইরেম্মা/লাইরেম্বী"] হায়বসি লংমাই পেতঙঙা, (য়ুমজাও লাইরেম্বী) নি, লাই অঙৌবা (তাউথিংমাং) অমসুং ঙাংলৌলাকপা (তাউথিংমাং), অসিনচিংবা] অসিনচিংনা মৈতৈ লাইশিংগী মশীং হেনগলকখিবনি। অদুবু অরেপ্পা উমং লাইশিংগী মশীঙদদি ৩৬৪ (চহুম হুম্ফুমরি) খক্তনি [রঃমঃ, ১৯৭৭, ৮২]। মখোয়সি লাই-নুপা (লাইয়িংথৌ) ঙাক্তগী মশীঙনি। মখোয়গী লাইপা লাইনুপী (লাইরৈমা/লাইরেম্মা) অমমমসু লৈগদবনি।

মৈতৈ-লাইনীঙলোনগী ঈরাৎ-থেল্লাৎ

মৈতৈশিংনা মখোয়গী লাইনীঙলোনগী পল্লোন মনুংদা লৈরিবা লাইশিং অসি মালেমসিগী অতৈ জাতিশিং অমসুং কাংলুপ-ফুরুপশিংনা তৌবগুম মখোয়গী শাবান-শারেপ, ফিভম-শক্তম, শাওং-শাদানচিংবা পুম্নমকসি মীওইবগা/মীগা চপ মান্ননা লৌই। মসিদসু নত্তনা লাইশিংসিগী মচৎ-মনাৎ, হৈনবা-হৈনদবা, লীচৎ-চৎলম্নচিংবসু মীওইবগা মখোয়গী লাইওইবগী মহী-ময়াই, মতীক-মঙম্নচিংবদা হেনবদনি অয়াম্বদি মান্নে, অদুগা মখোয়সু মীওইবনা হিংবদা চঙলিবা পোৎচঙ-চৈজঙশিং মখোয়দসু মথৌ তাই; মীওইবগুম্না ফি শেৎলি, লৈতেং চিল্লি, খুৎশূ-খূৎলাই পায় অমসুং মখোয়গীসু মতু-মৱা, মচা-মশূ, মমৌ-ময়ানচিংবা মীওইবনা লৈবা পুম্নমক্তু লৈ, তৌবদবু মখোয়দা না-য়েকপা চঙদে, লাইথুং-তীনথুং লৈতে, মনবা-শিবগী ৱাফম লৈতে অমসুং চৎনীঙবা য়ৌনীঙবা মফমদা করিগুম্বা অথিংবা য়াওদ্রবদি/লৈত্রবদি হেক্তমক

য়ৌবা ঙমই, অদুগা মখোয়গী খ্বাইদগী হেন্না পামজবা মচীঞ্জাক "খয়োম" তাইবং-মীনা মীওইবগী মচীঞ্জাক ওইবা "চায়োম/চয়োম" গা মান্ননা শেন্বীদুনা কৎলকপা/পীজবদা মখোয়না খ্বাইদগী হেন্না পেনবীবা ওই, হায়না মৈতৈশিংনা চেৎনা থাজে। অসিদসু নত্তনা মৈতৈনা পৃথিবীগী জাতি অতৈনা তৌবগুম মীনা চাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলম পুন্নমক, শেৎন-ইন্নবা, থেৎন-চীন্নবা পোৎলমশিং, হেক মীনা শীজিন্নরিবা পোৎশকশিং পুন্বা লাইগী মফমদা কৎলি।

মৈতৈশিংনা মখোয়গী খুনবান-লৈপান অমসুং খুন্নাইলোনগী যুমলীং কৈরীংগী যুমলেপ খোঙ্ফম-খোঙ্ফাঙ [Social set-up/institution] শিং লৈবগুম্না মখোয়গী ব্রাখলনা শাবা লাইশিং [Abstract/Fanciful divinities] ফাওবদসু য়ুম্নাক-শাগে, য়েক-শল্লাইশিং লৈহল্লি, লৈঙাক্লোনগী লৈপাক-ব্রায়েল-থৌদাগী ফমলুপ/ফমবৈ ফম্নাইবশিং লৈহল্লি [পাঃফঃ, খঃ] অমসুং শেন্দান-শেনচৎলোনগী শীহ্মোঙ-শীহ্মাশিংগী থবক্তা য়াওহল্লি [রঃ মঃ, ১৯৭৭]। মরম অসিননি মৈতৈনা মখোয়না অয়ুক য়াহওরকপদগীনা নুমিদাং ফমুং চঙবগী মতম ফাওবসিগী মনুংদা মী অমনা হেক শীজিন্নবা অমসুং শীজিন্নবা য়াবা পোৎলম-পোৎশকশিংগী মনুংদগী মখোয় মখোয়না ঙমবা লাইদা কৎলিবা অমসুং লাই খুদিংমকপু লাইয়িংথৌ হায়দুনা মহাক্কী অঙম-অথৌ (লাইবুংথৌ মাপন, লাইনুরা তরেৎ) লৈবা নিংথৌ অমমম ওইহন্দুনা নিংথৌগী পোৎলোই-শমপোৎ/শমপ্রেৎ, চোঙ্, পে, থাকন-কাংখন, খুদা-খোঙনেৎ, খুদৈশেন, ক্বাশেন্নচিংবা কৎলিবা অমসুং থৌগল/সেবা চঙলিবসি অমদি অসিগুম্বা পোৎলম-চৈরম অমসুং পোৎশক-চৈশকশিংসিবু ঈরাৎ-থেল্লাৎকী পোৎকৎ-চৈকৎশিং [Object for/of offering] ওইনা শীজিন্নরিবা অমসুং তৌনরিবসিনি। অদুগা মালেমসিগী অতৈ মী কাংলুপ-ফুরুপশিংগী/জাতিশিংগী মখল-মখা য়াম্লবা লাইনীঙশিং অমসুং মখোয়দুগী লাইনীঙলোনগী পরীংদা তাবগুম্না অচন্বা পোৎকত্তা হৈ, লৈ, মৈরা, মৈখু/মেক্রুক, উনা-নানৌ শয়োম [Floral bud] শিং অমসুং ঈশিংনা ঙমজবা কৎচবগী থাক্তা থমদুনা লাইদুগী নীঙজবা থাজবা মাঙদ্রি, লৈরি, হায়বা উৎনৈ। মৈতৈশিংগী অকক্লবা অমসুং অখন্নবা ঈরাৎ-থেল্লাৎ, মখোগী মরমদম-মরৈপাক্তগী হওজরকপা লাইশিংসিগী ওইনা থল্লি লৈরিবশিংদু শল্লপ্না মখাদা থমজরিঃ-

(১) চারাৎ/চুরাৎ

মৈতৈগী লাইশিং অসিদা মৈতৈনা হিন্দু লাইনীঙ লৌদ্রিঙৈ অমসুং বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লাইনীঙলোনগী ঈথিন চঙদ্রিঙৈদদি মখোয়না চীঞ্জাক চাবগী হৈনবা মচৎসি মনা-মশীঙ্ চাবা [Vegetarian] মচৎসি নত্তবনা, ঈথোকপা থৱাই-পানবশিংগী ঈ অমসুং মশাবু চীঞ্জাক-পোৎকৎ ওইনা কৎপা লাইঙাক্তা ওইরম্মী। খুদম ওইনা পীরবদাঃ-

...ময়ু খোইমোম লাইয়িংথৌনা॥ লাইরেন ঈনোংয়াঈ-ও! নঙনা খমলাং নপারোন, ঈরেং নপুরোনকী চীনচাক নহওশারমপু॥ নমতা হুননা॥ বৈরাজ্ঞ লমপোইপা, পানপা কৈউন ইনপকী॥ চীনচাক মহৌশা, রামান্দি ধর্ম্ম লাইনীঙ মরমচৎপু পুক্লীঙ হনথোক লইতানা লাকপতি খোইমোম ঐনা হরাওএ। খোইমোম লাই-চীনচাক, সংলও মেরামেস (নিরামিষ) ... তৌয়িকুম নপেন খোইমোম লাইরেম্মা লংমাই চীঙচারোইপীতা মচেক হকমা ওইনা ৱাতানরুখিকে। [ওঃভঃ, ১৯৭২, ৯৬-৯৭]।

...খোইমোম লাইয়িংথৌতি মাল্লং ফেনচি ওইনা য়োঈপু মশানৌতা পাউমেল্লুই-এ "...শংলৌ মেরামেস শেংখোইপপু লুকলেন পাম্না হাপ্না য়োঈচান্নকে, হায়রকএ"॥ অসুম পামেল্লুপপু য়োঈপু মশানৌনা, "তমপা ঐতি য়াওরৌ শাকী চাকতি করম তংসি হায়পনো" হায়না পাউ খুমলকএ...

(মথক্কীসিদা, ৯৭)।

অসিশিংসিনি। অসিদসু নত্তনা মথক্তা কংলৈ শা-ঈ তাহনবা লাইনীঙগী মতাংদসু হায়রিবা মচৎসিগী লমদাংগী মশক খর উৎচক্লে।

মৈতৈগী "চারাৎ হায়বা ঈরাৎ-থেল্লাৎ অসিনা মৈতৈগী উমংলাইশিংবু ঈরাৎ-থৌনী তৌবসি মীবু/মীওইববু শরেন চনবা/কৎপগী লাইরাৎ-থেল্লাৎনি। হায়রিবা চারাৎসি খা-নোংপোক এসিয়াগী পাক চাওরবা লমমদসি ফাওদুনা ইন্দোনেসিয়া, ফিলিপিন্সনচিংবদগী লাকপা হেড-হন্টিং [Head hunting] গী মনাৎনা ঈথিন অমসুং ঈনোৎ হাপ্তুনা ঈরাৎ-থেল্লাৎ অসিনা অতৈ শরেন চনবা/তুবগী মশকশিংদগী খ্বাইদগী হেন্না থাক ৱাংবা শরেন-লাইরাৎ ওইখি। লাইদা শরেন কৎনবা লম্লক্কী শা তানববু লাইশা তানবা

অমসুং মীবু শরেন চন্নবা, তুনবা নৎত্রগা কৎননবগীদমক্তা মী থিননবা/ফাননবা অরোনবা মী থাদোক্কুনা থিহনববু "চুরান থাবা" অমসুং থারিবা মীদুবুনা "চুরাছাবা" হায়না কৌই, মীনা য়াম্না কি-হঙ্গোইনৈ অমসুং খুদম চংদমদিঃ-

...থিঙ্গুজাম্বা চীঙশোম্বগী কুম শক ১৭৭৫ ... ঈংঙা থা... ১১নি ঈরাই [June, 1853 A.D.] দা চুরান থাদববু থাই হায়দুনা লৈপাক পুম্নমক কিনৈ [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৩১৯]।

অসিনি। অসুম্না মী শরেন চনবগী ৱারী-ৱাতাইসিদা য়ুম্ফম ওইবা ড্রামা লীলাদা য়াইরীবোক থম্বান্নুগী শক্তম পুথোক্কুনা মৈতৈ সমাজদা উৎলি। অদুনা মসি তশেংনমক মীগী ঈঙাং-ঈমু পাক্তক্লহন্না মীওইবগী ঈখেং-শীছনবগী লাইরাৎ-থেল্লাৎ [Bloody sacrifice of man or sacrifice of schedding human blood] নি।

মীকোক তানবগী মরমচৎ নৎত্রগা মরান-লানফা নৎত্রগা লূখা থানবা লুরেন তানবা, লূখা-শা/লান শাথি-লানথিবা [Head hunting or hunting/ searching or human/animal head to lay below the head of the aspirant when he died] গী মনাৎ অসিগী হিরমসিদা মখল-মখা য়াম্লবা মওং-মতৌ, ৱারী লীখুন, থৌদোক ৱাথোক্লচিংবা কয়ামরুম মৈতৈগী লাইরিকশিং, চায়নরোল [Episodes of dual combats under the Meitei code of challange in a fixed arena], অহোঙপুঙ লাল্লূপান [Moulds/ platforms on which human heads/skulls were hung for exhibition to the invities of celebration in meritorious/praiseworthy aspiration/ desire], চদা লাইহুই [Accounts of genetive history of Meitei queens], নিংথৌরোল লম্বুব(শিং) [History (ies) of activities and achievements of Meitei monarchs] অসিনচিংবদা শন্দোক্লা অমসুং শুগায়না ইদুনা লৈরি। অদুবু হায়রিবা মচৎ/মনাৎ অসিনা মৈত্রবাক্কী চীঙলোনগী পল্লোনশিংসি করম্বা মতমদা লানশিল্লক্কুনা মণিপুর তম্পাক্কী লৈহাউসিদা কৈদৌঙে হওরকখিবগে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবদি অশেংবা খঙদ্রি। অদুম ওইদুনসু মনাৎসিগী মমি চৈথারোল কুম্বাবদা তাবগী ৱারোন্দিঃ-

...বামোন মনিগী কুম শক ১৬২৯...ফাইরেন থা ... ১৩নি থাঙজা (ফেব্রুঃ, ১৭০৮ ইং) ঙাংবমচা লমলোইনা চিংদুনা তুসুক নাবা চৎলে। ক্ষেত্রি

পৈরাকি শিরৌএ। ... হৈস্নাম অতোনগী কম শক ১৬৩০...। ...থৌকাইজম খুনঙমগী কুম শক ১৬৩১ শজিবু থা ...৭নি লৈপাকপোকপা (এপ্রিল, ১৭০৯ ইং) দা নিংথেম্না তুসুক নাবা চৎলে। ক্ষেত্রি কৈরা/পৈরাকিগী মকোক লৌরকএ। লান ১৫ ফাএ (মথক্কীসিদা, ৭১-৭২)।

অসিনি। অদুনদি হায়রিবা মচৎ-মনাৎসি মণিপুর তম্পাক্তা খৃষ্ট কুমশীঙ চা ১৮ হৌরকপগী অহানবা চহি ১০গী মতমদুদদি লৈরে। অদুবু মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌদ্রিঙৈগী শাগৎপা ৱারী-শীঙবুন কয়াদদি পঙহাপতা হাপচিন্দুনা লৈ। অদুগা হায়রিবা মনাৎসিগা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী ঈরাৎ-থেল্লাৎকী নৈনবদা থানবা য়াদ্রিবসি নুঙগোইবী লাললূ চনবগী মৈতৈগী মনাৎ অসিনি অমসুং মীকোক-তানবগী মনাৎসি লৈখ্রবা (খৃঃ ১৭০৮-০৯) মতুংদা নুঙগোইবী লাললূ/লানমিং চনবসিনা কোননা (খৃঃ ১৭৪৮ দা) হৎওরকখিবদুনি।

মৈতৈগী চারাৎ/চুরাৎকী লাইরাৎ-থেল্লাৎকী মওং-মতৌসি মতুং তারকপা মতমশিংদা মতম-তাঙ্কক্কী মচৎ-মনাৎকী অহোংবগী শাফুনা পুরক্তুনা মথেল কয়া শুরকখি। অহানবগী তমথীরবা ঈঙাং-ঈমু পাক্তক্লবগী মওংগী অসিগী মহুত্তা ঈমু-নাইমু তানবা উহন্দনা (১) চঙনা ঈশিংদা লাক্তুনা/লুপশিন্দুনা লাৎপা/কৎপা অমসুং মসিদগী হেন্না থোত্থ-নৌথহনবগী মওং মতৌশিং- (২) মীদুগী মথৱাই মাঙহন্দনা/হাত্তনা মীদুগী মশাগী হকচাংদা কয়াৎশিং মখোঙ, মখুৎ, অসিনচিংবা নৎত্রগা হকচাং-কয়াৎকী শরুকশিং-মফৈ, খুৎশা, খোঙশা, মনা, অসিনচিংবদগী অমনা মহাক্কী/মীদুগী মহুৎ শিন্দুনা লাৎপা, (৩) মীদুগী হকচাংদা পাল্লিবা মশাদা নাবা ফাওহন্দবা হকচাং কায়াৎকী শরুক নৎত্রগা শরুক্তুগী শরুক [Exo-skeleton (শম, খুজীন, তু, পা, অসিনচিংবা)] না লাৎপা অমসুং (৪) শরেন ওইগদৌরিবা মীদুগী, উপান-ৱাপানগী/পান্বী-শীঙবী মনা-মশীঙ, মহৈ-মপান্নচিংবগী পোৎলম [Floral produce(s)] গী পোৎশক অমনা, মহুৎ শিন্দুনা কৎপা/লাৎপা, অসিশিংসিদা চত্থরকখি। হায়রিবশিংসিগী খুদম চাংদম অমমমতং মখাদা থমজরি।

(১) চঙনা ঈশিংদা লাক্তুনা লাৎপাঃ- মথক্তা হায়খ্রবা লৈশাংখোং থিংঙেন কায়বা থিংননবা য়াইরীবোক থম্বান্নুবু ৱাংব্রেন্দা শরেন চন্দুনা কৎখিবদুনি। অইবা মৈতৈগী লাইরিক্তদি মমি তাদে।

(২) মশাগী হকচাং কায়ানা লাৎপাঃ-

লাইশ্রম বলরামগী কুম শক ১৭৭৯ ... পোইনু থা ....১৬ নি য়ুমশকৈশা (নবেম্বর খৃঃ ১৮৫৭) ... মোইরাং লাইফ্রাকপা নোদিয়া, শ্যাম হেমনাইবা অশৈবহনবা ২মগী মশম মনা লেন্দুনা মোইরাংখোমদা লু চল্লে [মথক্কীসিদা, ৩৩৫]। অসিনচিংবা,

(৩) উপান/ৱাপানগী মপান-মহৈনা লাৎপাঃ-

নুঙগোইবী লাল্লু চনবদা ক্বা-মমায়দমক ফাক্তোকপা, হায়বদি ক্বা মকুগী মশিঙশিংদু তংখায়খক্তমক লৌথোকপনা মীগী মকোক্কী মহুৎ শিন্দুনা নুঙগোইবী লাললূ চনবসি হন্দক্কী ক্বাক তানবগী থৌরম পাংথোকখিবা (ওক্তোবর, ২০০৪ ইং) অদু ফাওবদা চথখি।

অসিশিংসিনি। অদুগা মৈত্রবাক্তা "চারাৎ" কী লাইরাৎ/ঈরাৎ-থেল্লাৎসি করম্বা মতমদা কনানা, করম্বা অমসুং করিগী হৌদোকখিবগে হায়বদুগী অরেপ্পা খঙনবা ঙমদ্রি। অদুগা মহুৎ শিনবা পোৎলম্বা ঈরাৎ-থেল্লাৎপগী লমদাংসি মখাদা য়ুরাংবগী মতাংদসু য়েংবীয়ু।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী লাইরাৎ-থেল্লাৎকী লাইশোন-তীনশোন অমসুং পোৎকৎ চৈকৎকী লমদাংদা য়াওরিবা লৈপাকসিগী লহাউদগী হওরকপা লাইশিং অমসুং মখোয়গী লাইনীঙ, লাইনীঙলোন্নচিংবগী মচাক-মথুম অসি হিন্দুগী বেদ ধর্ম্ম চৎপা আর্য্যশিংগী যজ্ঞ ময়ামগী মনুংদা য়াওরিবা পুরুষমেধ নৎত্রগা নরমেধ যজ্ঞ [Purusha-medha or Nara-medha Yajna (Bloody sacrifice of Male Human Being)] হায়বসিগা মান্নে। হায়রিবা যজ্ঞসি মরমদা থন্নীরল্লিবদি-

...According to Gopath Brahman, one becomes a raja by performing RAJASUYA, while BAJPEYA was for Samrat, ASVAMEHDHA was for a Svarat, and PURUSHAMEDHA for Virat. These sacrifices demonstrated the degree of power and prestige attained by the ambitious kings [B.N.L., 1988-89, 107].

অসিনি। মখোয় আর্য্যগী/ব্রাহ্মণগী যজ্ঞসিদি যজ্ঞগী মৈদুদা মীদুগী ঈ হৈজিন্দুনা নৎত্রগা মঙক ককপদগী কামথোক্লকপা ঈদুনা মৈদুদা/মৈফমদুদা

তাহন্দুনা মূৎহনগদবনি। অদুগা মৈতৈগীনা মশাদু থোংলগা লাইদুদা কৎননবনি। অদুবু অনিমকসি ঈঙাং পাক্তক্লবগী থৌরম ঙাক্তনি অদুগা ঈমু-নাইমু তাবা উহন্দনা ঈশিংদা লাকশিন্দুনা লৈনুংদা ফুমদুনা, অসিগুম্বা মওং-মতৌদা মী শরেন চনবা নৎত্রগা মশানা মশাবু শরেন চঞ্জবসি ম্যাম্মা/ব্রাম্মাশিংগীসু মরাং কায়না লৈ। মখোয়দুগী মরমদা পীবীরম্বা ৱারোন্দিঃ-

The Burmese, like many other people, formerly believed that human beings, it buried alive under the foundations of any construction, would become its guardian spirits. Thus it is well known (Harvey 1925: 320-21; Scott & Hardiman 1900:35-36) that when the construction of Burmese city was completed, human victims were buried alive at the four corners of the city so that their spirits known as MYOUSADE, might protect the city from other evil spirits, as well as human enemies. The custom was practised as late as the 19th century, when, in connection with the construction of Mandalay, 52 persons were buried alive beneath its walls and within the palace grounds (Shway Yoe, 1896, 477). [Stern informs me that as late as 1954, the practice of MYOUSADE was reported from the countryside in the Burmese press. He also reminds me that the identical custom was practised in Thailand to produce the Lord Father of the City Post. In Bangkok the shrine for this spirit stands near the royal palace, and in Cheingmai it is adjacent to the old pagoda at the corner of the compound of the American consulate]... When the complex and impressive irrigation system of the Kyaukse District of upper Burma was constructed by the Burmese kings, it was deemed necessary, when any of its constituent weirs was completed, to sacrifice a human victim to serve as its guardian associated with many of these weirs is a story of a royal queen who, by throwing herself into the waters, preluded the necessity for any further sacrificial victim. After her death she became the guardian spirit or Lady (Thakinma) of the weir, for whom an annual festival is held (Brown 1916: Harvey 1925:25) [M.E.S., 1967, 104-105].

অসিনি। মসি মৈতৈ জাতিগী ওইনা থাজনবীদা থোং-শাবদা মী হাপ্পা, পন থিংবদা মী হাপ্পা অমসুং তুরেন থৈবা-থিংবনচিংবদা মী হাপ্পগী মচৎ অমসুং ৱাখল্লোনগী মনাৎসি মসিদগী তোপখিবা নত্তে। মসিগী খুদম ওইনা শীঙজমৈদা ইম্ফাল/মণিপুর তুরেন (তুরেন অচৌবা) থৈবগী তুখুনগী পন থিংবদা অব্দুল মিয়াগী খোয়জী মিহুন লাংলবী তাল্লোই আমিনা (বেগম) মৈদিংঙু/লাইয়িংথৌ খাগেম্বা [খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২ (লেখক্লদি শক ১৫৫৭, খৃঃ ১৬৩৫ হায়না পীবীরম্মী, অদুবু চৈথারোল কুম্বাবদদি চল্লমদে...) গী, ম্না হাক্তক্তা হাপখিবগী ৱাফম অমসুং ৱারী অতৈশিংগী ওইবা থাজজবগী লীখুন লৈজে [নঃমঃ ১৯৯৪, ৩২-৬৫]। অদুবু মনাৎসিগী হৌজিক ফাওবদা চত্থরিবা মশক্তি ক্না মকুগী মতু য়াওবা, মীগী মশমগুম শেম-শাবা কৎপা অসিনি।

(২) করাৎ/কোরাৎ

মৈতৈশিংনা মখোয়গী মহৌশাগী লাইশিংগী লাইনীঙলোনগী করাৎ/ কোরাৎ [বাঙ্গালী খোল্লোক অমসুং খোল্লৈদা "ক" বু "কো" হায়না পাই] না লাইরাৎ-থেল্লাৎপা হায়বসি মখোঙ মরি পানবা শাশিং [য়ুমশা/লমশাশিং] না ঈঙাং পাক্তক্লা ঈমু পামফেন্না লাৎপা/কৎপা অদুবুনি। মথক্তসু হায়জপ্রে, মসি শৈব, শৈব-শাক্ত, শাক্ত অমসুং শাক্ত-তন্ত্রগী লাইনীঙলোনশিংগী পশু-মেধ [শা-হাৎপা] পশু/পাক্ষী-বলি [Animal/bird slaughter-offering in sacrificial form and norm] অদু নত্তে। মৈতৈগীদি হিংনা কৎকনি অমসুং লাইমাঙদা নত্তবা অতোপ্পা মফম অমদা হাৎলগা মশাদু থোংদুনা অথোংবা শাগী য়েঙ্খাংদু লাইদুদা কৎকনি। মতাংসিদা বলি হায়বসিগী মরমদা পুরক্লিবা ৱাহন্দোক্তিঃ-

...the bali evolved out of traditional gifts to the king at tribal yajna (jajna) [D.D.K., 1977, 148]; some taxes had emerged out of presents to the chief at the birth of child/son, convocation of general assemboly, etc. (Ibid, 148).

...The first taxes were called bali because they were gifts brought to the chief at the sacrifice by the members of the tribe or clan. There was a particular official. His job seems to have been the proper sharing out of the bali gifts among the tribal

king's immediate followers, and perhaps assessment of taxes as well (Ibid, 87).

অসিনি। অদুবু মসিগী অহানবা ৱাহন্দোক্তদি শাবু শরেন চনবগী ৱাফমসিদা লৈবনি [Ibid, 214]।

মৈতৈগী শরেন চনবা/কৎপগী ৱাফমসিদা মখোঙ মরি পানবশিংদা নত্তনা ঈশিংদা লৈবা ঙাশিং, মরু ওইনা, শরেং [Wallago (Wallago attus)] অসিসু মনুং চল্লি। অদুগা ঙাক্রা [Clerius batraclus, fam, Cleriadae] সি মৈতৈনা শরেন কৎপগী লমদাংসিদা চীঙদনা শগুং [Bison/Gayal] অমা তমদনা ঙাক্রা অমা হায়না চাংদম্লদুনা চৎন-ৱাহৈদা থম্মী। মৈতৈনা করাৎকী মনাৎসিদা খ্বাইদগী ঈহান হানবা থৌদোকসিঃ-

...শকাব্দ ১৩৯২ দা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা কবো ক্যাং ঙমগে হায়দুনা খারি চীঙখোঙদা শগুং অমা ঈরাৎলে। কবো ক্যাং ঙমএ।

[চৈঃকুঃ ২০০৫, ১৯]।

অসিনি। অদুবু খারি চীঙখোঙদা লাৎলিবা লাই, নৎত্রগা কবো ক্যাং ঙম্লগা ক্যাং ঙম্বা, "ক্যাম্বা" কৌরগদবা মৈদিংঙুসিনা শরেন কৎলিবা লাইসি কনানো হায়বদুদি তাকপীরমদ্রে। অদুবু অখঙ-অহৈ, অহল-লম্মনশিংনা তাকপীরম্বগী মতুং ইন্না পাহ্থোইবীনি, মতমসিদা পাহ্থোইবী-লাইনীঙ লৈত্রি অদুনা কবো তম্পাক্কী খারি [হৌজিক্কী মংসাগী অকোয়বদা অৱা/ম্যান্মাররোমদা চঙশিনবা লমদমগী শরুক অমা] দা লৈরম্লিবা লাইসিগী মমিং পীরমদবনি, মরমদি অওক-অথোম খঙলবা শান্নরোইনা ফিবুল হাবী শান্নবদা ফিবুলদি লৈপাক্তা খক তাহন্দে। অদুগা মথক্কী শরেন খুৎকৎসিদা কৎলিবদি শা মশাদু কক্লগা ঈদু কৎপগী মওং-মতৌদা ইরি।

মৈতৈগী করাৎকী ঈরাৎ-থেল্লাৎকী মশকসি লাইমাঙদা ঈঙাং পাক্তক্লবা ঈ কৎলম্বসিদগী, (১) শাদু হিংনা লাইমাঙদা কৎলগা মফম অমদা পুথোক্তুনা হাৎল-শেল্লগা শাদুগী মশাদু থোংলগা কৎপা (২) শরেন চল্লবা শাদু হাত্তনা মনীঙ-তম্না চাখিনবা থাদোকপা (কাউ থাবা) অমসুং (৩) শাগী মহুৎ শরেং (ঙা) না শীন্দুনা শরেন কৎপা হায়বা মথেলশিংসি থোক্লকখি। মৈতৈনা লাংবন ইশা/লাইশা তানবা হায়দুনা অপোকপা/মপা-মপু লাৎপা লাইনীঙগী মপা-মপুগীদা

কৎনবা শা তানবা [নঃমঃসঃ, ১৯৮৯, ২৯] অমসুং শাদু মপা মপু লাইদা কৎপগী মনাৎসি মথক্কী মশীঙ (১) গী মনাৎসিগা মান্নে। হায়রিবসিগী খুদম অমদিঃ-

মোইরাং তোনাগী কুম শক ১৫৫৭ [খৃঃ ১৬৩৫] থৌবান্দা লমশন তান্দুনা নামুন চীঙদা ফাএ। লাই কাসাদা থুংদুনা খুফম খুদিংদা শা য়েনএ। [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৩৯]।

অসিনি। মসি লাই কাসা (সোরারেন) দা হিংনা কৎলবা মতুংদা শেল্লগা অতৈ লাইফমশিংদা অশেম্বা শাদু থোংদুনা কৎপগী ৱারমনি। অদুগা অমুক, অতোপ্পা মওংগী, শাদু হিংনা শরেন চল্লগা মনীঙ-তম্না থাদোকখিবগী মওং-মতৌসিগী খুদম চাংদমদিঃ-

অশৈবা মুহনসিংগী কুম শক ১৭৫৭ শাজিবু থা... ১৬নি ঈরাই (এপ্রিল খৃঃ ১৮৪৫) দা ক্যামকৈতগী হৌনা তুরেন নমখায়রকপা লম ৭ শুয়ে। অতু নুমিত্তা খোমপীতোক্তা ঈরোই অঙৌবা ১ য়েনহিং থাদুনা থিংলেন অমরক থিংহৌএ॥ [মথক্কীসিদা, ২৭১]

অসিনি। অমসুং শাগী মহুৎ শরেংনা শিন্দুনা শরেন কৎপসিদি হৌজিক-হৌজিকমক তৌনরিবা মচৎনি। অদুগা কাউ থাবা, লাইদা কৎলবা শন-লাববু মনীঙ তম্না থাদোকখিবা, য়েলহিং থাবা [লাইদা কৎলবা অহিংবা য়েনবু মনীঙ তম্না থাদোকখিবা], খুনু য়েনহিং থাবা, উশীন ঙমু থাবা, অসিনচিংবসু হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা মনাৎনি।

মচৎ-মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী লাইনীঙ-লাইশোনগী লাইরাৎ-থেল্লাৎকী পরীংদা করাৎ/কোরাৎ হায়বসি হিন্দুগী বৈদিক লাইনীঙ [Hindu vedic religion] গী খ্বাইদগী অহানবা ঋগবেদগী মখা শমথরকপা বেদশিং-যজুর, সাম অমসুং অথর্ব্বনা পীবগী মতুংইন্না মখোয়গী মহাকাব্যশিংগী চক/যুগ [Epic age] গী মতম অমসুং মখা শমথরকপা ইতিহাসকী মতমগী অঙনবা শরুক্তা য়াম্না চৎনরম্বা মনাৎনি। মসিগী মনুংদা অথোইবদি অশ্বমেধ যজ্ঞ [The horse sacrifice] নি। মসি অকক্নবা মতম অমা (চহি অমা) চুপ্না যজ্ঞগী ঈরাৎ-থেল্লাৎকী লাইশোন তীনশো-

ন্দুনা মৈ কৌবা লাই [Fire god: the mouth/messanger of all the gods (individually or collectively) বু পেলহল্লিঙৈদা শগোনদুনা চৎনীঙবা মফমদা চৎহল্লুরগা অকক্লবা মতমদুগী চপ চ াবা মতমদুদা যজ্ঞ তৌরিবা মফমদুদা পুরক্লগা যজ্ঞ কুণ্ড মপান্দা শগোন্দুগী মঙক্কু কক্লগা মদুদগী শীহুরকপা ঈদুনা যজ্ঞগী মৈদু মুৎপনি। তশেংনমক, মসি মৈতৈগী অহোঙ লোইরেন খৈবা (অহোঙগুঙ লালল্পান্দু য়েংবীয়ু, মদুদা মী মকোকশিং থৌরমসিদগী মিংচৎ ফংনবা হোৎনবগী মীয়ামদা উৎপা/লেন্নবগী শক্তম অমনি) গা মান্নবা থৌওং-থৌদোগী থৌরম্লি। অনিমক অকন-অথৌগী মিংচৎ ফংনবা থৌরম [Celebration to earn the fame, reputation, attitude, dignity, status, etc. of hero and which was called by the foolish Britannia-s as "feast of Merit"] নি। অদুগা মরী নত্তবদা গোমেধ, মেষমেধ, ছাগমেধ অমসুং মহিষমেধ [Bull, Ram, Hegoat and Buffalo sacrifices] কয়ামরুম লৈরি অমসুং করাৎসিবু সংস্কৃত লোন্দা ‘‘পশু-যাগ’’ [Animal sacrifice] হায়না কৌই। অদুনা হিন্দুগী ওইবা মওং-মতৌদা পীরিবদিঃ-

"An animal is the offering in this sacrifice; hence it is called Pasu-yaga. A goat is the offering; all the limbs of the goat are not offered. On such, special organs such as heart, fat, etc. are offered as oblation. The deities are Prajapati, Surya or Indra and Agni jointly. Six priests are necessary for the performance...

In this sacrifice stakes called Yupas are necessary for tying the sacrificial animal thereto. These stakes are made of one of the four kinds of trees... The different varieties of stakes subserve different purposes [D.J.B., 1969, 157].

অসিনি। অদুগা হিন্দুশিংনা যজ্ঞ তৌবদা অমসুং মৈতৈশিংনা শরেন চনবদা মী/শা হাৎপসি লাইনীঙলোনগী লঙজবা/পাপ [Sin against god] অমসুং লৈঙাকলোনগী মরাল [Crime against the State] ওইনা লৌনদে। মসিবু শৌগৎপা ব্বারমদা হিন্দুশিংগী ওইনা পীরল্লিবদি য়ামই অদুবু অশুপ্পদি মখাগীসিনিঃ-

...Manu also lends support to this philosophy at the back of animal sacrifice when he asserts in clear terms, - "Yajne vadhah a vadhah", is 'killing in sacrifice amounts to non-killing'. [Ibid, 158].

(৩) মরাৎ/মোরাৎ

মৈতৈ-লাইনীঙলোনগী লাইরাৎ-থেল্লাৎকী অহুমশুবা মশক "মরাৎ মোরাৎ" হায়বসি মশা পানবা অমসুং মশা পানবদা মরুম কোকপা থৱাই পানবশিংবু ঈঙাং-ঈমু পামফেন্ননা অমসুং মখোয়গী মরুমশিংবু মচীন হুৎনা/হুত্তনা হিংনা/মুননা কৎপা ঈরাৎ-থৌরাৎ অদুনি। কৎলিবা নৎত্রগা শরেন চনলিবা মশা পানবা উচেক অমসুং মখোয়গী মরুমশিংসি লল্লক্কী উচেকশিং লমঙানুশিং, লমকাংঙা, ঙানু ঈরুপ্পী, ঙানু খারা, ঙানু খেরে লাওবী, ঙানু থঙ্গোং, ঙানু থঙ্গোংমান, ঙানু থোইদিংনম, ঙানু পীরেন, ঙানু পেদেক, ঙানু মৈতুংঙা, ঙানু লৈঙাংচাবী, উরোক নাউশং, উরোক লমপ্রা, উরোক লমপ্রা অমুবী, উরোক লাংখোংশাং, উরোক লোকলেনবা, উরোক শন্দুংইন, উরা, উরা ওকমান, উরা খোমদোন, উশাই, উশাই শাইঙাং, ৱাইনু, উথুম, ৱাবা/লময়েন, লমকাংঙা, লমখুনু অসিনচিংবা ওইবা য়াই নৎত্রগা য়ুমদা য়োকপা লোইবা ঙানু, কাংঙা, খুনু, য়েন, অসিনচিংবা ওইবসু য়াই [অকোনবগী য়ুম উচেকশিংসিনা য়াম্না হেন্না তোয়না কৎনৈ, মরমদি মখোয়দদি অফং-ফংদগী মতম লৈতে] অমসুং মখোয়গী মরুমশিং হিংনা কৎপসুনি। মরাৎকী থৱাই পানবশিংবুসু করাৎকী মতৌগুম হিংনা কৎলগা হিংনা থাদোকখিবগী মতৌসি লাকখি। মথক্তা হায়জখিবা চারাৎ অদুদং য়াওদনা করাৎ, মরাৎ অমসুং ঈরাৎ [মখাদা লৈজরি] অহুম্মক শুনা কৎখিবগী খুদম মখাদা থমজরিঃ-

...লাইশ্রম মায়তেক্কী কুম শক ১৫৫৩ লাইয়িংথৌ খাগী ঙস্বনা লমদা থা ৫নি পানবা য়ুমশকৈশ (মার্চ, খৃঃ ১৬৩১) দা কংলা হওএ। তননা হোঙএ। কৌব্রুনচিংবা লাই খিবিকপু কুচুদা ফিজং খন্দুনা ইরোই ১০০, হামেং ১০০, য়াউ ১০০, শন ১০০, কাঙঙা ১০০, ঙানু ১০০, খুনু ১০০, য়েন ১০০, ওক ১০০, হুই ১০০, হৈ-লৈ লৈরিবা খৈবিকসু মশীঙ ১০০/১০০, শীঙ মরম খৈবিকসু মশীঙ ১০০/১০০ থিঙম হায়ঙদনা কৎলগা থৌনীদুনা পুন্সি লৈনীয়ে (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৩৮)॥

খুনু অমসুং য়েনবু হিংনা থাদোক্কুনা মনীঙ-তম্না চৎহনবগী ঈরাৎ-থেল্লাৎসি হৌজিক-হৌজিক হিংলিবা মনাৎনি। লাইরাৎসিবু "য়েনহিং থাবা" হায়না কৌই অমসুং ঈরাৎ মমিংসিগী ৱাহন্দোক্লসু য়েনবু হিংনা থাদোক্কুনা লাইদা কৎপনি, হায়বসি তাকচরিবসিনি।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী মশা পানবা, মরুম কোকপা থৱাই পানবশিং অমসুং মখোয়গী মরুমশিংবু লাইমাঙদা ঈ তানা নৎত্রগা হিংনা কৎলগা মফম অমদা হাত্তুনা শেল্লগা মশাদু থোংলগা অথোংবা য়েঙ্খাং ওইনা নৎত্রগা লাইদা কৎলবা/লাৎলবা মতুংদা মনীঙ তম্না চৎহনখিনবা থাদোক্তুনা লাইদা কৎপগী লাইরাৎ-থেল্লাৎ অসি করাৎ ঈরাৎ-থেল্লাৎকা মান্নবা মচৎনি। করাৎ অমসুং মরাৎসিদা শা/উচেক্তু হাৎপা মতমদা শাবৈ [শাগী পৈ (Spleen of the animal)] য়েংবগী মাঙতাক-লাইবাউ/লাই পাউতাক লৌবগী থৌরমসি অয়াম্বনা পাংথোক্লে। মথক্তা ঈরোই কৎপগা ঙাক্রা কৎপগগী লমদাংদা চাংদম্নখিবসি লাইনা-তীন্নাগী লাইগী মচাক থাকপা/পীবা/তন্বদা শীজিন্নে অদুগা লাইনীঙলোনগী পোৎকৎ ওইনা ঙা হিংনা নৎত্রগা থোংলগা য়েঙ্খাং ওইনা কৎপসিদি "মরাৎ" কী মনুংদা চল্লি। মরাৎসিসু হিন্দুগী যজ্ঞশিংগী মনুংদগী অমগা মান্নবগী থাক, চাং অমসুং মওং-মতৌদা লৈবনি। অদুগা থমজনীঙলিবা ৱাফমদিঃ-

The bloody sacrifice of animals including human being is in the concept and conception of offering foodstuff(s) to the divinities and hence, the offerings by bloody, alive or cooked animals specially four-footed and winged animals as well as the fishes lying under the Meitei Marat is in the coverage of bloody or/and unbloody Hindu sacrifice(s).

অসিনি। হায়জরিবা হিন্দুগী লাইদা উচেক কৎপা অমসুং মৈতৈগী মরাৎসি হৌজিক হিংলিবা মনাৎশিংনি অমদি কৎনরিবা উচেকসিদা হিন্দুগীনা খুনুনা অমসুং মৈতৈগীনা য়েন্না, মরুওইনা লৌনৈ, অদুগা ঙানুসিনা অমগীসু অমগীসু য়াবা ওইনা চৎনৈ। মণিপুরী হিন্দুশিংদদি ওক অমসুং য়েনসি লাইদা কৎনদবা (অমাংবা) শা ওইনা খন্নে।

হিন্দু ধর্ম্মগী লৈরিবা মশাশিং-বৈষ্ণব, শৈব, শাক্ত অমসুং তন্ত্র, মখোয়সিগী কাংবুশিং অমদি তোৎন-য়ান্নরবা খুৎশিংদদি দূর্গানচিংবী উগ্র [Terrific] গী শক্লোন পুবীশিংসিদদি বলি কৎপগী মনাৎসি লোয়নমক লৈ অমসুং হায়রিবা বলিসি মৈতৈনা শরেন চনবা হায়বনি। বলি কৎপা/তৌবসি হিন্দু বৈদিক/ব্রাহ্মণ্য ধর্ম্মগী যজ্ঞগা মান্নে। হিন্দুগী দূর্গা লাইরেম্বীসি বৈষ্ণবগী ৱাখল্লোনবু

য়াবা অতৈ হিন্দু ধর্ম্মগী মশাশিংনসু য়াবা লাইরেম্মনি। মহাক্কী পূজাগী মতমসি শরদিয় পূজা [Worship in the autumn season] অমসুং বসন্তী পূজা [Veneration in the spring season] হায়না অনি লৈরিবসিদা উচেক্কী বলিসি মরাং কায়না তৌই, অদুবু মণিপুরদদি মৈতৈ নত্তবশিংনা অহানবগী পূজা মতমসিদা ঙানু বলি তৌবগী লাইরাৎসি উবা ফংই। মণিপুরী/মৈতৈ বৈষ্ণব সমাজনদি বলিগী পোৎলম/পোৎশকসি হিন্দু শাক্ত ধর্ম্মগী মহুৎ শিনবা পোৎলম-পোৎশক্লা পোৎকৎ-চৈকৎপগী ৱায়েলগী মতৌদু তমদুনা মখোয়গী ওইবা ৱায়েল অমা শেমজরগা মহুৎ শিনবা পোৎলম/পোৎশক্লা বলি কৎলি। সনাগী মহুৎ য়াইঙঙনা শিনবা, লুপাগী মহুৎ পাননা শিনবগুম য়েন, ঙানু, খুনুনচিংবগী মহুত্তু মৈতৈনা য়েরুম্না/ঙানা শিন্দুনা কৎলি।

(৪) ঈরাৎ/য়ীরাৎ

মৈতৈগী অরিবা চৎনরোনগী ৱাহৈদা "য়ী/ঈ" হায়বসি অয়াম্বা মতমদা হকচাংগী ঈ [Blood] বু খঙনদে, লাইজা ঈশিং [লাইগী মচা ওইবা ঈশিং (God's/Nature's child, the "Water")] বু খঙনৈ। মরম অসিনা মৈতৈনা মখোয়গী লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মশিংবু ঈরাৎকী লাইরাৎ-থেল্লাৎ অসিনা পোৎকৎ-চৈকৎ তমদুনা লাইনীঙ-লাইশোন তৌবা, খুরুম খাজঙজবা, পুরুম-থৌনীজবনচিংবদা পুরিবা ৱাহন্দোক অমসুং চেল্লিবা খঙনবীসি উপাল-ৱাপাল/পান্বী-শীঙবীশিংগী মনা-মশা/মরোং, মপাল-লৈ, মহৈ-মরোংনচিংবা মনা-মশিঙগী পোথোকশিং; শা-উচেকশিংগী পোথোক্তা লৈতেং-লৈথেৎ ওইনবা উচেক মতুশিং, মচী-লাংয়েনশিং, শামু ময়া, লীক্কোন [Cowry], মোইবুঙ-মোইচেৎ, অসিনচিংবা পোৎলমশিং; লৈনুং-খোংনুংগী পোথোক্তা মমল য়াম্বা, মমল খরা য়াম্বা নুঙশিং, [পুহাম, নোংথৈ, লীকশং, অসিনচিংবা]; কোন/ধাতু [মরু ওইনা য়োৎ, লুপা, সনা অমসুং শেন] শিং অমসুং লৈমায়গী পোথোক্তা "ঈশিং", হায়রিবশিংদগী অমনা/খরনা, মরুওইনা পীজরিবশিংসিগী অহানবা অমসুং অকোনবগী পোৎলম/পোৎশকশিংসিনা লাইদা কৎচবা অসিনি। হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লাই-পূজাদা তুলশী [Holy basin] য়াওদবা য়াদবগুম মৈতৈগী লাই ঈরাৎ-থৌনীদা লাংথ্রৈ [Eupatorium birmanicum, fam. Asteraceae] য়াওদবা য়াদে, নাহৈনবা তাইরেন [Toonwood (Cidrela toona or Toona

ciliata, fam, Meliaceae), পুংফাই [Dactyloctenium aegyplium, fam. Gramineae/Poaceae] নচিংবা চঙদবা য়াদে।

ঈশিং হায়বসিদা হৌজিক্কী সাইন্টিফিক ভিয়ু [Scientific view] দা ফিসিওলোজী [Physiology] গী মিৎয়েং থল্লকপদা অঙাংবা হাইমোগ্লোবিনশিং [Haemoglobins] না চগুঙননা তাউদুনা মচু ঙাংনা উহল্লিবা মীওইবগী হকচাংগী ঈগী রেড এন্দ হ্বাইট ব্লদ কোর্পস্কলশিং [Red and White blood corpuscles] না তাউফম ওইরবা ঈরু মহী [Lymph] অদুনি। অদুনা মসিনা মীওইবগী হকচাং শাবদা শরুক ১০০ দা ৯০ দগী তাদনা য়াওরবা/চঙলবা ঈশিং অসিবু খঙবদা মতীক চাই। অদুনা "ঈরাৎ" হায়বসিনা ঈশিংনচিংবা অচম্বা পোৎলমশিং লাইদা কৎপবু খঙনবনি। অদুবু ইতিহাসকী চেহ্নরক্লিবা খোঙজেন্দা "ঈরাৎ" কী ব্রাহন্দোকসি শন্দোক-পাকথোক্লক্কুনা ঈঙাং পাক্তক্লবা অমসুং মদুগী মহুৎশিনবা পোৎকৎ-চৈকৎশিং নত্তবনা লাইদা কৎচবগী থৌরাংদা লৈরিবা পোৎলমশিং কৎপদু ফাওবদা কনশিল্লকখি। মসিনা মনা-মশীঙগা ঙাগা চাবগী চীঞ্জাক্লা মনাৎ ওইবশিংগী চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং, ফিজেৎ-লৈতেংনচিংবা পুম্নমক লাইদা কৎপা পোৎলম-চৈরম ওইহল্লকখি।

ঈরাৎ হায়বসি মীদুনা ঙমজবা থাক্কী মতুং ইন্না ঈশিংখক্তা ফাওবা লাইগী পোৎকৎ-চৈকৎ নৎত্রগা খুরুম-খাজঙবগী পোৎচঙ ওইনা শীজিন্নদুনা লাৎচ-থৌনিজবা য়াবা, খ্বাইদগী ঈহেন হেন্না চম্বা মখলগীনি। লাইদা মৈরা অমসুং মৈখু/মেক্রুক কৎপসিসু ঈরাৎকী মনুং চল্লি। অদুগা মৈরা কৎপা [Flame offering] অমসুং মৈখু-কৎপা [Scented Smoke offering]/মেক্রুক কৎপা [Insense offering] গী লমদাংদা লাইগী হকচাংগী মপাদা হাইদুনা কৎপসি মৈতৈদা চৎনদে।

মচৎ-মান্নবশিং [Similarities]

মাগী মাগী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী লাই(শিং) দা ঈশিং, হৈ, লৈ, নাচোম, উনা-ৱানা শায়োন [Floral bud]; শা-ঙাগী ওইনা মোইবুঙ, লীক্কোন্নচিংবা পোৎলমশিংবু লাইগী পোৎকৎ-চৈকৎ ওইনা শীজিন্নবসিদি মালেমসিগী মচী খুদিংমক্তা লাৎন-খুরুম্নরিবা লাই খুদিংমক্কী ওইনা লৈরিবনি। মসি হিন্দু বৈষ্ণবশিংগী খ্বাইদগী হেন্না পামজবা, হৈনজরবা মচৎ মনাৎ ওইনা

লৈবগুম মৈতৈশিংগীসু ওই। হায়রিবশিংসিদা লাই-লাইশিংদুনা হেন্না খোয়দাই, থৌজানবী হায়না লাইনীঙলোনগী মীওইশিংদুনা শাগৎপা পোৎশকশিংসু লৈরিবনি।

হিন্দুগী শ্রীবিষ্ণুদা থম্বাল চামনিপাল অঙৌবা, দেবী দূর্গাগী শাইয়োন-লাংওনশিংদা থম্বাল অশংবা, শিব মহাদেবদা শঙ্গোইদাক অমুবগী মপান কৎপা, কালী/কালিকা দেবীদা অপ্রাজিতা কৎপা, অসিনচিংবসিগুম মৈতৈগী লাই(শিং)-লাইয়িংথৌ সনামহীদা লৈরি অমসুং কুশুমলৈ, লাইয়িংথৌ থাংজিংদা উথম্বাল, লাইয়িংথৌ পাখংবদা থম্বাল অঙাংবা, অসিনচিংবা লৈশিং কৎচবসি মহে চাওই হায়না মৈতৈশিংনা লৌনৈ।

মৈতৈশিংসিনা চীঞ্জাক্তা মোরোক শারপ তৌবা মনম অমসুং মোরোক শাবা পোৎলমগী চীঞ্জাক [Hotly pungent and acrid foodstuff, ie, curries flavoured with chilli or ginger] তা হৈনবা অমসুং হিন্দুশিংনা থুম্পেৎ-লাকপেৎ তৌবা অমসুং অথুম্বা মথেলগী চীঞ্জাক্তা হৈনবা ওইবনা মাগী মাগী লাইশিংসু মখোয়গী মনাইশিংগী চীঞ্জাক্তু হৈনৈ হায়না খন্দুনা মনাইশিংসিনা মানা মানা অপাম্বদু কৎনৈ। মৈতৈগী অমসুং হিন্দুগী লাইশিংদা নৎত্রগা মালেমসিগী লাইনীঙলোনশিংগী লাইশিংসি মৈরা অমসুং মৈখু/মেক্রুক কৎপগী মচৎ-মনাৎসি লোইনমক চৎনৈ।

(৫) য়ুরাংবা (য়ু কৎপা)

মৈতৈ লাইনীঙলোনগী ''য়ুরাংবা'' নৎত্রগা ''য়ুকৌবা'' হায়বসি মথক্তা পীজখ্রিবা লাইরাৎ-থেল্লাৎশিংসিগী মনুংদা অকোনবগী 'ঈরাৎ' পগী মখলসিগী মনুংদা চনবা, লাই(শিং) দা খুরুম-খাজঙবা/পুরুম-থৌনীবদা 'য়ু' না পোৎকৎ-চৈকৎ ওইদুনা পাঙথোকপা লাইথৌনি। মতাংসিদা ''য়ু'' হায়বসিনা খঙনরিবসি ৱাংলৈ/কালৈ অয়াকপা/কোককাবা [Wine, the intoxicated local/native liquer/liqor or the alcoholic (at least 50% of Alcohol) drink of distilled kind as the produced product of rice] অমসুং হাওদৈ অথুম্বা [Rice bear or soft beverage, prepared locally as soft alcoholic (at least 15% of Alcohol) drink by fermentation] অসিবুনি। মমাঙঙৈগী মতমদদি ৱাংলৈ অয়াকপা, কালৈ কোককাবা [Intoxication] অসিদি কুম্মৈ-

ফিয়োং, অহোঙ-লোইরেন খৈবা [The celebration to earn/procure the public approval as a meritorious aspirant], লম্বাল/লম্লক-চকচা-হৈজানবা [Picnic] গুম্বা নত্তবদদি পঙশী শীজিন্নরমদে। অদুগা হাওদৈ অথুম্বা, লাইয়ু/ ৱাইয়ু অহাওবা অসিবুদি খোম/খোল্লাং [Breast-milk] ওইনা মতম চুপ্পদা শীজিন্নরম্মী। মরমদি হায়রিবসিদি পলেম ঈমাগী খোল্লাংগা মান্নবনি হায়না পী, মরমদিঃ-

It is because of the fact that the rice bear can produce the equivalent dietary nutrients and energy(ies) which can be produced by the mother's breast milk rather than intoxication and the mother's breast milk is the best of all kinds of milk with regards to the activeness, alertness, etc. for the activities, acts, etc. of a child.

অদুগা মসি মৈতৈশিংনা হরাও-তয়াম্বগী মতমদসু অদুম্মক থক্লে। য়ু (কালৈ অমসুং ৱাইয়ু/লাইয়ু) হায়রিবসি শীজিন্নখিবগী খুদম-চাংদম খরদি-

(১) মোইবুংলোকপম ময়াংগী কুম শক ১৫৩২ (খৃঃ ১৬১০) ... লাইয়িংথৌনা নুপীবু নোংনিংখোই চিনহন্দুনা তেন কাপনা য়ু থকনৈএ। কবো মোংকাশা নাএ। মুনুরাকপা মংদ্রাবু লুপা কোকলৌ য়ু থকনৈএ।

[মথক্কীসিদা, ৩৪]

(২) থৌদাবা খাকীগী কুম শক ১৫৩৫ [খৃঃ ১৬১৩] দা মুনু ঙমএ। ... খাগেম্বনা মাইবা য়ু থক্লেএ। [মথক্কীসিদা, ৩৫]

(৩) ... ঙাইরাংবম মুংয়াংগী কুম শক ১৬৬৮ (খৃঃ ১৭৪৪) লাংবন থাদি য়ুমশকৈশনা হনএ। অদু নুমিত্তা ফমদৌনা য়ু থক্লগে হায়দুনা সনামহীদা য়ুপান খাএ। ... ২১নি লৈপাকপোকপদা নাইচানা য়ু থক্লগে হায়দুনা হনুমন্তদা য়ুপান থাএ। ...২৬নি লংমাইচিংদা মহারানী য়োইবু য়োইহৈ পুম্নমক ফিরেন শেত্তুনা সনামহীবু কৈথেন্দা য়ু থকনৈ (মথক্কীসিদা, ১১৫)॥

অসিনচিংবনি। মথক্কীশিংসিদি হরাউ-কুম্মৈ ঙাক্তনি। অদুগা মৈতৈনা খোম, য়ুগী তুম্বাবু খোম-তুম্বা কৌই অমসুং খোমসি তুম্বাদা হাপ্তুনা হকচাংগী পাঙ্গলনা শূবা থবক্কী থবক-শূফমদা, লৌকুম্বগী লৌবুক্তা, পাম য়ানবগী পামদা

অমসুং শাদানবা চৎপদা পুদুনা চৎনরম্মী। মসিনা থবক ৱানা শূবগী, চেল্লু-চোংলুবগী ঈখৌ লাংবগী খৌরাংবা কোকহন্নবা পাম্বে অমা ওইবতা নত্তনা চোকথরবা হকচাংবু তেকখৎহন্নবা পোৎশক [Refreshing drink] অমসু ওই অমসুং মদুনা থবক শূবদা থৌগৎপা অমসুং থবক পাঙ্বা পী॥

মখাই কাহনবা কালৈ/ৱাংলৈ (Alcoholic distillate) গী লমদাংসিদদি পুক্নীংগী অনীংবা ৱাখলদুদা চপ য়ুংনা পুক্নীং থিজিনবা পীবা অমসুং থবক্তুদা পুক্নীং-ৱাখল পুমথম থমখিবনা অকি-অখং, নুংনাং-মিপাইবা, অসিনচিংবগী ৱাখলশিংবু নমথবা/নমহৎপা ঙমই। মরম অসিনা মসি হিন্দুগী শাক্ত-তন্ত্র অমসুং তন্ত্র লাইনীংশিংগী সাধক [Aspirant] শিংনা মখোয়গী লাইনীং পরৈ থাবা, পুক্নীং/ৱাখলনা লাইনীং-হীরী কোনবনচিংবা [Mind concentration, ascetic meditation, etc.] দা পীজিন্নে। মসিগী লমদাংসিনা পীবীরম্লিবদিঃ-

...MADYA (wine) many mean coconut water or any other liquid or even intoxicating knowledge. The MAHANIRVANTANTRA, says that Madhura-traya may be substituted for wine. The KAULAVALINIRNAYA substituted hemp (bhang or vijaya) for wine and states that if a man after partaking bhang engages in meditation he will directly visualise the goddess. In the KAULAJNANANIRNAYA and also in Bhaskararaya's writings it is stated that when Kundalini is roused it reaches the thousand petalled cakra known as Sahasrara from which drops nectar which is figuratively spoken of as madya or wine [N.N. B., 1978, 143].

অসিনি। অদুগা লাইদা য়ু কৎপগী মনাৎসিসু মালেমসিগী মী-কাংলুপ ফুরুপশিং অসিগী থায়নদগী হৌনা চৎনরক্লবা মনাৎ ওইবনিনা মৈতৈনসু মখোয়গী লাইশিংদা য়ুরাংবা অমসুং য়ুকৌবসি তৌরম্লিবনি।

মালেমসিদা জাতি অয়াম্বগী লাইনীংলোম্দা লাইদা য়ু কৎপা অসি য়াম্না চম্না মহৌশাগী মহৌশা ওইনা পোৎকৎ-চৈকৎ খুদিংগী য়াওবা মওং-মতৌগী মচৎ লৈরবসু মৈতৈদদি য়ুরাংবা অমসুং য়ুকৌবগী মচৎ/মনাৎসি অকক্লবা, অখন্নবা, অতম্লবা অমসুং অপান্নবা হিরমশিং অমদি হিরমদুগী থৌদোক-থৌরমশিংদদা পাংথোক্লে/তৌনৈ। মৈতৈশিংনা মসি পাংথোক্লবদি কৎচরিবা লাই অদুদা

মপুক্লীঙ নুংঙাইবা, হরাউ মথোই কাবা, অপেনবা, হরাউ-তোয়তাউনবা/তয়ামবা ফংহন্নবগী লম্বী ওই, অদুনা কৎচরিবা মীশক অদুনা পামজরিবা, নীজরিবা পোৎশক/মরম অদু লাই অদুনা থুংহনবী হায়না লৌই। মরম অসিনা মাগী মাগী অপাম্বা পোৎলমগী-মরমগী হিরম-ব্রারমদু পুরিবা লাইশিং অদুবু য়ুরাংবগী অমসুং/নৎত্রগা য়ুকৌবগী থৌরমসি পাঙথোক্লে।

হিন্দুশিংনা লাইদা য়ু কৎপগী লাইনীঙলোনগী মচৎসিনা হওরকখিবসি বৈদিক যুগকী যজ্ঞশিংগী মরক্তা য়াওরিবা অগ্নিস্তোমা সোম যাগ (জোতিষ্টোমা) কৌবসিদগীনি। মসিগী মরমদা থম্বীরম্লিবদিঃ-

Agnistoma (Soma-yaga):-

Agnistoma sacrifice is the model for all soma sacrifice. It is also called Jyotisoma. The juice of the creeper soma is the main oblation in this sacrifice...

Every year in the spring this sacrifice is to be performed by the twice born caste with his wife. Soma juice is the main oblation. This rare creeper is procured from distant places and preserved with care. As Soma is not availble now-a-day another creeper called Putika is used in substitution. All the 16 priests are required for performance of Agnistoma. Some authors of Srauta sutras count another priest called "Sadasya" as the 17th one. Some again consider Yajamana or sacrificer to be the 17th. On the first day the sacrificer welcomes these priests and appoints them for the performance promising sacrificial fees (Daksina)... This is followed by the initiation ceremony called Diksaniyesti. The sacrificer and his wife are initiated... Hence, the initiation (Diksa) ir regarded as the birth. On the 2nd day the initial sacrifice (Prayaniyesti)... is followed by the ceremony of purchasing soma creeper... Soma is the king of gods and Brahmanas.... a rite is performed known as Atitheyesti or the rite of hospitality. On the 3rd a great altar (Mahavedi) is erected. On the 4th day animal sacrifice. On this day Soma is carried to the right Havirdhana altar. On the 5th day the ceremony of the extraction of Soma

juice (Somabhisava). The juice is placed in a vessel called graha and strained (percolated) by means of a stainer... made of the hair of ram or goat. The strained juice is kept in a pitcher. Soma is pressed thrice per day for 3 oblations. Morning... Midday... Twilight ... The priests along with the sacrificer partake of what remains of the Soma juice after libations are over from spoons called camasa. The... last oblation of Soma is followed by the ablution ceremony called Avabhrtha isti. This sacrifice is performed in the water where all the priests along with the sacrificer go to take bath which maks the conclusion of the Agnistoma .... The special preparation made of milk, curd, honey, sugar, etc. called caru is offered as oblation [D.J.B., 1969, 159-61].

অসিনি। হায়রিবা 'সোম' হায়রিবা উরীসি হিমালয় চীঙজাওগী চীঙ্গোন্দা হৌবগী ৱাফম থেংনৈ। অদুবু মসি ঐখোয়গী লৈপাকসিদা ফংলিবা য়াংলী, ঙামুয়াইনচিংবা উরী পাম্বীশিংসিগা কদায় ফাওবদা মান্নরিবগে হায়বসি খঙদোকপগী কান্নবা লাক্লনি। হিন্দুশিংনা মখোয়গী লাইশিংদা য়ু কৎপগী মনাৎসিতি য়াম্না ঙন্না লৈরে হায়বসি মখোয়গী বেদশিংনচিংবনা পীদুনা লৈরে, অদুদা মৈতৈগী য়ুরাংবা অমসুং য়ুকৌবগী হওরকফম, হওরকপগী মতম, মফম্নচিংবগী ৱাফম পুম্নমকসি হৌজিক্কী সাইন্টিফিক রিসার্চ [Scientific research] কী মমিত্তা অমম্বা-ফিজঙ খঞ্জিন্দুনা লৈরি নৎত্রগা মায়খুম হাইদোক্রি।

মৈত্রবাক্কী লমদমসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী লাইনীঙলোনগী মচৎ-মনাৎশিংদা লাইদা য়ু কৎপগী মনাৎ অমা, চাওরাক্লা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদগী লৈরক্লিবসি লৈপাকসিনা মথক্তা পঞ্জখ্রবা এরি সাধক অমসুং মখোয়গী শিষ্যশিং [Buddhistic Mahayana inferred culture of 60 Ari aspirants and their 60,000 desciples] না নৎত্রগা লাইনীঙলোনসিগী মচৎ-মনাৎ লৌবা কাংবুনা/খরনা মণিপুরদা পুশিল্লক্লম্বা য়াই, মরমদি, হায়রিবা এরি সাধকশিংদু য়ু থকই, অদুনা লাইনীঙলোনগী লমদাংদা লাইদা য়ু কৎপা/লাংবা য়ারমগনি/তৌরমগনি, হায়না চেৎনা থাজৈ। হায়রিবা এরি সাধক অমসুং মখোয়গী শিষ্যশিংগী মকোল থুগায়খিবসি শ্রাম্মাগী নিংথৌরেল অনাউরাটা (খৃঃ ১০৪৪-৭৭) না মহাক্কী পাগান্দা কোনুং ওইনা সম্রাজ্য অদুদা মহাযনা

মুখত্তুনা হিমাযনা বৌদ্ধ ধর্ম্ম লীংখৎনবগী থৌশীল-থৌরাংদনি। নিংথৌরেন অনাউরাটা [Anawrahta] সি মৈদিংঙু লোইয়ুম্ব [খৃঃ ১০৭৪-১১২২] গা থংমুন-নাউমুন ওইবা নিংথৌনি অমসুং মহাক্না এরিগী মকোন থুগায়বদুগী মনীন মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী য়ুমথংনা লৈপাকসিদা ফাওখি [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৯]। মরম অসিনা লাইনীঙ মনাৎকী ঈরাৎ-মরাৎসি অৱা লৈপাক্তগী চঙলকপা মাল্লি মরমদি নোংচুপলোমগী হিন্দুশিংগা মৈতৈশিংগা লোন ফাওনবসি কুইদ্রি। অদুনা খৃঃ ১৭০৪ দা হিন্দু ধর্ম্ম মৈতৈনা লৌরিবনি।

লাইনীঙলোনগী লাইদা কালৈ/পুকয়ু কৎপগী মচৎসি, অমরোমদা হিন্দুগী শক্তি লাৎপা লাইনীঙ, তন্ত্র লাইনীঙ অমসুং শাক্ত-তন্ত্র লাইনীঙগী কাংবুশিংদা মশাগী মরূ লৈবা উই। হিন্দু বৈষ্ণবকী অখঙ-অহৈ শাবশিংনা মখোয়সিদগী মচৎ-মনাৎকী শরুক লৌথোক্লগা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ওইনা ওইশিনবগী মখোয়গী হোংলরোয়দবা মরমচৎনি, খুদম ওইনা, দ্রাবিড়শিংগী পশুপতিবু শাক্ত, শৈবনচিংবনা "শিব" থোঞ্জববু বৈষ্ণব মখোয়না "মহাদেব" হাপচিল্লগা মখোয়গী "রুদ্র" হায়বা লাই-ককনাউ [Rudra. He is a subordinate deity in Rigveda. He was the god of thunder and storm. He was fierce like a terrible beast. He was regarded as a fierce, terribly bright and irascible personage. He was exalted as the mightiest of the mighty. He was conceived as the lord (Ishan) and father of the world. He was easily invoked and auspicious (Shiva). He was implored to protect his worshippers from which destroyed cows and men. He took offence at the slightest defect in his worship (B.N.L. 1988, 89, 94)] অসিগা মান্নহন্দুনা পুথোক্লম্বদগী অমুক বিষ্ণু [Vishnu: He was a minor deity in Rigveda. He is described as covering the whole universe in three strides... Vishnu is the guardian of all (Ibid, 93)] বু যজুর, সাম অমসুং অথর্ব্ব বেদশিংগী মতমদা হেন্দোক-থোইদোকপা শক্তি পীশিন্দুনা পশুপতি শিবগী মথক্তা থাক ৱাংনা পুখত্তুনা থমখি। হায়রিবা বৈষ্ণবশিংসিনা পৃদুনা শীজিন্নরিবশিংসিগী মরূ অদুদদি হায়রিবা য়ু অসি মখোয়না মখোয়গী লাইদা পোৎকৎ-চৈকৎ তৌদুনা ঈরাৎ-পূজা তৌবা মতমদা কত্তবা য়াদবা, থাদোকফদ্রবা "ম" না হৌবা পোৎলম

মঙাগী মনুংদা য়াওরি। মসিসু হায়রিবা শৈব, শাক্ত, তন্ত্র অমসুং শাক্ত-তন্ত্রগী ধর্ম্ম সম্প্রদায় [Religious sect] শিংদুনা, পঞ্চ ''ম'' দ্রব [Five object of Ma/M] হায়না পীরি। মসিদগীনি।

মথক্কী হায়রিবা ধর্ম্ম সম্প্রদায়শিংসিগী মনুংদা অমুক শ্রেনী [Class] অহুমথোক্লে দক্ষিনচরী [Rightist: Those who keep regards to the Vedic tradition], মধ্যচরী [Intermediate/Intermediary: Those who follow the amalgam of Vedic and indigenous traditions] অমসুং বামচরী [Leftist: Those who accustom the indigenous/native/local custom] হায়দুনা খায়দোক্লি। মখোয় অহুম্মকসি ম-মঙা [পঞ্চ-ম (Five Ma-s)] কৎপগী চৎনবীসি লৈ। অদুবু কৎলিবা পোৎলমশিংদুদা মশানা পীরম্বা পোৎলম/পোৎশক অদুম্মক কৎপা অমসুং পোত্তুগী মহুৎ শিনবা অতোপ্পা পোৎশক অমনা পোত্তুনি হায়দুনা কৎপা [Prescribed original object and representative object in substitute of the original object]। অহানবগী পীরম্বা পোৎশক্লা কৎপসি বামচারী শ্রেনী ইনবশিংনা তৌই, মরমদি, মখোয়না খল্লি, মখোয়গী লাই(শিং)সি মীতোপ-মীরমদগী লাকপা নত্তে; লৈপাক্তুদা পোকপনি, চাওবনি; লৈপাক্তুগী ঈশিং থক্তুনা, চেঙ চাদুনা লৈবনি; অদুনা লৈপাক্তুগী/মফমদুগী থায়নগী চৎনবীদা লৈরম্বা পোৎশক্তুমক কৎফম থোকই- হায়বসিদা মখোয়গী ব্রাখল চপ য়ুংনা লৈ। মহুৎ শিনবা পোৎলম্লা কৎপসিনা দক্ষিনাচারী শ্রেনী ইনবশিংনা তৌই; মরমদি, মখোয়না খল্লি মদুদি, বেদগী শাস্ত্র ময়াম্না শেংদোক্লবা [সংস্কৃত (Refine)] চৎনবীনা পীবা অদু তৌগদবনি, হায়বসিদা ব্রাখল থামায়বদগীনি। অদুগা মধ্যচারী শ্রেনী ইনবশিংদি অমসু হোয়, অমদসু হোয়নিনা মখোয়না ঙমজবগী মতুং ইন্না মফম, মতম, ফিভম, তাঞ্জানচিংবনা পুরকপদু অদুম কৎলম্মী। অদুগা দক্ষিনচারী সাধকশিংনা মখোয়না পঞ্চ''ম'' গী মহুৎ শিনবা পোৎলম/পোৎশক ওইনা লৌখৎলিবা পোৎশক-চৈশকশিং অসিসু তরাই-তরাইনা অমা হেক্তা লৌশিনবদি নত্তে। মখোয়না মখোয়গী ধর্ম্মগী অশেংবা লাইরিকশিংদা পীরিবা অপীবা পোৎলম/পোৎশকশিং অদুগী মরমদা অমসুং মখোয়না মহুৎ শিনবা ওইনা লৌখৎকদৌরিবা পোৎলম/পোৎশকশিংগী অদুগী মরমদসু য়াম্না মুন্না খঙলবা অমসুং মখোয় মশেনগী মরক্তা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা পোৎলমশিংসি লৌখৎলকপনি। মরম অসিনা মহুৎ শিনবা ওইনা লৌখৎলিবা পোৎলমশিংসি, অপীবা মশাগী ওইবা পোত্তুগা মশক্তা, মচত্তা

মতীক-মগুমদা, মহী-ময়াইদা, মদুদা য়াওরিবা হকচাং ফাহনবগী/তেকখৎহন্নবগী পোৎয়াও-চৈয়াওদা,মগুণ-মহাওদা, মনম-মহাদা, অসিনচিংবগীদা অমা/খর মান্নবা নৎত্রগা চাংদম্নবা য়াবদা ঙাক্তনি। হায়জরিবা ম-মঙাগী পোৎলমশিং অমসুং মখোয়গী মহুৎ শিনবা পোৎলমশিংদু মখাদা উৎচরিঃ-

মশীঙ	বামচারীনা কৎপা পোৎশক	দক্ষিনচারীনা কৎপা পোৎশক(শিং)		মৈতৈগী মপাগী ওইবা লাইনীঙগী ওইনা কৎপা পোৎশক(শিং)
		হিন্দুগী দক্ষিনচারী	মণিপুরী বৈষ্ণব	
১।	মদ [যু(wine)]	শঙ্গোম, থোইহী, চুহিং, চুহী, যুবী মহী/পঞ্চামৃত [(Oblation) of five anbrosias]	(i) শঙ্গোম, (ii) থোইহী (iiia) পঞ্চামৃত [Oblation of five ambrosias, i.e. শঙ্গোম, থোইহী, চিনী, লফোই অমসুং শঙ্গোম অকম্বা], (iiib) পঞ্চমৃত Oblation of 5 ambrosias, i.e. অপৌবা য়াম, শঙ্গোম অনৌবা, চিনী, চুহী অমসুং শঙ্গোম অকম্বা]	চুহী, ঈশিংদা য়াম পা-না হীৎলবা মহী অমসুং রাইযু (লাইযু)।
২।	মৎস্য [ঙা (Fish)]	হৱাইপ্পাক, হৱাই-মুবীগুম্বগী মরুপা অতৈ হৱাই উরী, কালস্ত্রী-নচিংবগী মরুপা শুগায়মিন্নরগা শেন্না লদু/বোরী মতুম।	হৱাইপ্পাক, হৱাইমুবী, ক্যা, মাইরোংবী, শগোল হৱাই, হৱাই উ রীনচিংবা শুগায়মিন্নরগা শেন্না লদু/বোরী মতুম, চানা, মুগ হৱাই, কালস্ত্রীনচিংবা হৱাইশিং, চেঙ, হৱাইশিং তকখায়রগা ঈশিং তোৎশিন্দুনা শেন্না লদু/বোরী মতুম, থোইদিং (অমুবা/অঙৌবা), থোংদ্রুম, তোর্বোং, লফু মউ-মপান, য়েন্দেম।	মনা-মশীঙগী য়েনশাং নাপীশিং, ফৌনচিংবা মহৈ-মরোং, হৱাই উরী, কালস্ত্রী, নুঙহৱাই, লফু মউ-মপান, য়েন্দেম
৩।	মাংস [শা (Flesh/meat)]	শিঙ, চনম, etc.	শিঙ, হৈঙ্গাগোক মহৈ, হৈঙ্গাগোক মনা, কালা /গোল মরিচ (Black chilli/ piper)	ঙা, শিঙ, মোরোক,
৪।	মুদ্রা [শাথেক/শেন ময়েক [Gesture eps.of hands and coin. etc.]	চেঙ/গেহ্নচিংবগী ভৌরবা মশক [Fried cereals], লাইরেন মথেক্কী পাফলশিং [Geomatrical diagrams] অমসুং নুপী (মৌ/লৈশবী) গী শাথেক	লাইরেন মথেক্কী পাফল, খুৎলোন শাথেক	জগোয় অমসুং শেল ময়েক, চেঙ, থোইদীং অমসুং তিংথৌ [Durba grass] অমদি শেল-ময়েক
৫।	মৈথুনা [(খ-পুষ্প/ কুসুম-পুষ্প,) থামাংবগী ঈ নৎত্রগা হকতীন্নবগী মতৌ]	রক্তচন্দনা (Red sandal wood paste) অমসুং সিন্দুর (Vermillion)	রক্ত চন্দন অমসুং সিন্দুর	কুসুম-লৈ (Saflower) লৈসিদগী মৈতৈনা খ্রাইদগী হেন্না ঙাংবা মচু অমসুং মখল মখেল কয়াগী অঙাংবগী মচু মতৌশিং থোকহনবা য়াই।

মচৎ-মান্নবশিং [Similarities]

লাইদা য়ু কৎপগী লাইনীঙলোনগী মচৎ-মনাৎসিদি মালেমসিগী জাতি ময়ামসিগী কাংলুপ-ফুরুপ পুন্নমক্কী ওইবা ঈরাৎ-থেল্লাৎকী মতৌনি, হায়বসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে। পাউলিজম/খৃষ্টানিটিগী নিয়ু টেষ্টামেন্ট [New Testament] তা মেসিয়া [Messiah] জেসসনা মীয়ামগী য়ু কোন্নদবা/ওক্তবদগী য়ু য়ামথোকহনবগী ৱারী য়াওরি। হিন্দু বৈষ্ণবকী পুরানগী ৱারীদা- শ্রীকৃষ্ণনা মধুর [হৌজিক্তি "মধু" হায়নরে] পান/থকপগী ৱারী, মহাভারত্তা ভীমনা আমৃত থকপগী ৱারী, অসিনচিংবা লৈনরি। অদুগা মৈতৈনা য়ু থক্লম্বদগী হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মদা মাধ্বী সম্প্রদায় [Madhvee/Madhvacharyya sect of Hindu Vaishnavite religion] লৌদুনা য়ু থাদোকখ্রবদা মৈতৈ-মশাগী লাইনীঙলোন দা য়ুন্নেপ চারা লীংহৌবা কাংবুসু ঈকাই খাঙদগী য়ু থক্তবা শাখ্রে, লাইয়িংথৌ "নোংশাবা য়ুকৌরোন" কৌবা লাইরিক্তা লাইয়িংথৌসি য়ুকৌব [Offering of wine/rice-beer] গী থৌরমশিংসি কাউশিন্নখ্রে, "লাইয়িংথৌ সনা মহী য়ুরাংব"গী থৌরম-লাইথৌশিং খঙখিদ্রে।

পোৎকৎ-চৈকৎকী লমদাংসিদা লম-লমগী ওইনা খেন্নবা খর খর লাকপসিদি লম-লমদুগী ফংলিবা ঈশিং-নোংশিৎ নোংজু-নুংশা, লৈমায় লৈফমগী ফিভম-ফিরেপ, চীঙ-পাৎ তুরেনগী ফিভম, অঈং-অশাগী চাং, মহৌশা লাইরেন্বীগী ওইনা ফংলিবা উ-ৱা, শা-ঙা, উচেক-ৱায়ানচিংবগী খেন্নবা অসিদগীনি। অদুনা লমদাংসিদা থল্লম্বা মিৎয়েংদু লাইনীঙলোন্না শেল্লিবা চৎলমদুদা য়েংগদবনি। মরমদি লম-লমগী চৎনবদুনা অপুনবগী ওইনা শেমখিবা ৱায়েল-ৱাখুন্দুদগী চাওবা হেল্লি।

(৬) চেঙ-হঈবা

মৈতৈগী চেঙ-হঈবা হায়বা লাইদা পোৎ-চৈ কত্তুনা ঈরাৎ-থেল্লাৎপগী মনাৎসি লাইদা চেঙ [Uncooked rice], লাই অদুগী লাইমাঙদা লুক/থুম্মোক-তাইরুক অমদা হাপ্তুনা থল্লগা কৎপা নত্তবা, লুক/থুম্মোক্তুদা হাপ্তুনা পুরক্লিবা চেঙ অদু লাইমাঙদুগী লৈমায়দুদা হৈথদুনা কৎপগী লাইরাৎ-লাইকৎকী মশক্তুনি। মসিদগী ফৌ-হঈবগী মচৎ অসিসু লাকখি। মসিগী মচৎসি লাইগী চেঙ হোঙবা, হায়বদি থুম্মোক-চেঙতাইরুক্তা হাপ্তুনা কৎপা, লৈপাক-নিংথৌগী মথৌ-মঙম

ওইবা কুম্মে-ফিয়োংগী মচৎসিগা অমসুং মেরা চাওরেন হৌবা, লাইয়িংথৌ সনামহীনা লৈবাক্কী মপু ওইনা কুমগী চনৌ তংবগী/কৎপগী থৌওং-থৌদৌসিগা খেন্নে। চেঙ-হঙ্গবা অসিনা অঙন্বা/ঙমজবা মীনা মরন্নাই নাইতোম পাংথোকচবা লাইথৌ থৌরম্নি।

চেঙ-হঙ্গবগী মচৎ-মনাৎসি, কৈদৌঙৈ, কনানা, করম্না, করিগী হৌদোকখিবগে হায়বগী লমদাংসি খঙদবগী লারোন্নুংদা লৈরি। হিন্দুশিংগী যজ্ঞদা "নিত্যযজ্ঞ [Daily or usual sacrifice]" অমসুং কাম্য/কর্ম্ময় যজ্ঞ [Sacrifice for a purpose]- হায়না খায়দোকপা [D.J.B., 1969,156] গুম মৈতৈগী লাইনীঙলোনগী ঈরাৎ-থৌনীগী হিরমসিদসু লৈ অদুবু হিন্দু আর্য্যশিংগুম তঙ-তারবা লৈপাক্তা লৈতবা করম্বা পুংজাদা লান্দারক্কদবগে অমসুং/নৎত্রগা লানহওরক্কদবগে খঙবা ঙমদবা লৈপাক্কী ফিভমদা লৈখিবনা পুন্নমক্তু লৈতবগুম উবনি। লাইদা চেঙ-হঙ্গবগী মনাৎসিদগী মৈতৈদা চৎনরিবা সিধা [থোংননবা পোৎলম] থিনবা/কৎপসি থোক্লকখিব্রা হায়না খঞ্জে।

চেঙ-হঙ্গবগী পোৎকৎ-চৈকৎকী লাইরাৎ-থেল্লাৎসি মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌরবা ফাওবদা চত্থরকখি। মৈতৈগী ওইনা উমংলাইশিংদা চেঙ হঙ্গবসি লৈকংদা খয়োম লাকপা/কৎপগী মশক অমা ওইনা থোক্লকখি। অদুগা হিন্দুগী ওইনা মৈত্রবাক্তা লাৎলিবা লাইশিংদদি খয়োম কত্তবনিনা চেঙ-হঙ্গবগী লাইরাৎ-থেল্লাৎসি তৌনরমদে। অদুবু হিন্দুগী লাই ওইদুনসু মখোয়গী মশাদা মৈতৈ উমংলাইগা মরী লৈনবা লাইশিং, খুদম ওইনা শ্রীগোবিন্দজী, শ্রীঅরাম্বম নিত্যাইনন্দ, হিয়াংথাং-লাইরেম্মা, অসিনচিংবা, লাইশিংদি চেঙ হঙ্গবগী লাইরাৎ-লাইথৌসি তৌনরম্মী।

মচৎ-মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী চেঙ-হঙ্গবগী লাইদা পোৎকৎ-চৈকৎপগী মচৎ/মনাৎসি মথক্তা পীজখিবা "ঈরাৎ" কী মনুং চন্না লৈবা লাইরাৎ-থেল্লাৎকী মশক অমনি। মসি লাইদা থোংদুনা কৎনবা পোৎলম(শিং) দু মৈ-চঙদনা অহিংবা ওইনা কৎপনি। লাইদা চীঞ্জাক, চীঞ্জাক পোৎলম(শিং), কৎপগী লমদাংসিদি মালেমসিগী জাতি পুন্নমক্কী ওইনা লৈরবনি, তৌবতবু অকক্লবা-অখন্নবগী মওংদা মীমাঙদা উৎনীঙবগী ৱাখল্লোন অমগা লোইননা কৎচবনি।

লাইথৌ থৌরমশিং অমসুং লাইশোনশিংগী মহৌশা

মালেমসিদা লৈরিবা লাইনীঙ নৎত্রগা লাইনীঙলোনগী ওইবা থাজবা মশক খুদিংমকসি পোৎকৎ-চৈকৎকী পোৎলম-পোৎশক(শিং) অমসুং লাইরাৎ-থেল্লাৎকী লাইশোনশিং লৈনৈ। হায়রিবশিংসিগী মহৌশা, মরমচৎ, মওং-মতৌনচিংবসি লাইদুগী লাইবুঙ-লাইফম [Shrine], লাইশঙ-লাইয়িমগী মফম অমসুং লাইফমদুনা কোল্লিবা লম অদুনা মালেমসিগী লৈমায়গী শরুক্তা তারু-লৈরুরিবা অদুগী মতুংইন্না ফংলিবা ঈশিং-নোংশিৎ, অঙ্গং-অশা, পোখোক-পোৎফং, অসিনচিংবগী মখা পোল্লি। ৱাফমসি মথক্তসু থমজগ্নবনি। লাইনীঙগী লাইদা কৎকদবা পোৎলমশিং অমসুং লাইরাৎ-থেল্লাৎ, পোৎকৎ-চৈকৎনচিংবদুদা শোনগদবা লাইশোন(শিং) অদুনা লাইনীঙদু চৎনরিবা অমসুং লাইনীঙদুগী লাইনীঙলোন্দুদা থাজজরিবা মীশিং অদুগী জাতি, ফুরুপ, কাঙলুপ, য়েক, শল্লাই, অসিনচিংবগী মখা তাবদুদি লমদুদা ফংলিবা উপান-ৱাপান/পান্থী শীঙবী, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীন-কাং, নোং-চীঙগী, অঙ্গং-অশা, অসিনচিংবগী ফিভম-ফিরেপশিংনা পীরিবা/থোকহল্লিবা মহৈশিংদুগা চাংদম্নরবদি অরায়বা ওইনা শীঙথাবা য়াই।

(১) লাইথৌ-থৌরমশিং [Rites]

(ক) অপোকপা খুরুম্বাঃ- মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লাইথৌ-থৌরমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি য়েক-শল্লাইগী অপোকপা খুরুম্বগী থৌরমসিনি। হায়রিবা লাইথৌসি য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতম হায়বদি মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু নাউফংব [খৃঃ ৪২৯-৫১৮] না পানবা মতম [চৈথারোল কুম্বাবনা পীবা] দা পাংথোক্লবা, লৈরবগী মওংদা পীবীরম্মী। পীবীরম্লিবা ৱারোন্দুদিঃ-

...হয়েং লাংহৈ কুমমা ওললবদা থাংয়ি তাওপুং খোংদৌবনা ময়ুম থাংয়ি পুমনা হও, চেংলৈ পাকনা তাইনা লাংবন ইশা/লাইশা তানগে হায়বগী মরোই শোকঙাইরাববু ঙাইরোইননা কৌবা মদাইমা, লুৱাং মখলমা, খোইদোম ষনশেনবনা ষনসেন-লোক... ৱাকয়ৈ খোঙওইননা খুমু পাল্লোইননা চেংলৈ লুৱাং ঈদা লাংবন ইশা তানববু য়াওরৌ শাশীঙ ১০০ শুনা ফা, ওকলেন লাবা খরোনবসুং পানবা অথৌবা কৈরেন

য়েকলাবনচিংনা... শায়াম ফারবদা শারেন ফাহাপননা মরান ওন্দেরক, মচাঁও হলৱাইরক্লবদা... [নঃমঃসঃ, ১৯৮৯, ২৯]

অসিনি। মসিদা থাংয়ি তাওপুং খোংদৌবা হায়রিবসি থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী মচানুপানি। হায়রিবা থাংয়ি খোংজ্রোম্বসিগী নুপী অহল য়াওরৈব-চনুসি মৈদিংঙু নাউখম্ব [খৃঃ ৪১১-২৮] না মুন্দুনা লৌখিবনি। অদুগা মৈদিংঙু নাউফংবা পোক্লিবনি অমসুং থাংয়ি খোংজ্রোম্বগী নুপী অতোনবী পেনু লৈমনা থাংয়ি তবুং খোংদৌবা পোক্লিবনি। মথক্কী কোটেসনসিদা য়াওরিবা "লাংবন ইশা/লাইশা তানবা হায়রিবস মপা-মপু/অপোকপা লাৎপা লাইনীঙগী চহিগী ওইবা লাই খুরুম্বা/ঈরাৎ-থৌনী তৌবদা শরেন তুননবা/কৎননবা শা তানবগী থৌরম্লি। হায়রিবা অসিসু লাইনীঙসিগী লাইথৌ থৌরম-পরেংগী থৌরম অমনি। য়েক-শল্লাইগী অপোকপা/মপা-মপু লাৎপসিগীদি পাংথোক্কদবা নুমিৎকী অরেপ্পা লৈজখ্রবনি অমসুং মসি চহি-চহিগী/কুমওন-কুমওনগী ওইবা থৌরমনি। মৈত্রবাক্তা লৈরিবা য়েক শল্লাইশিংগী লাইথৌসিগী ওইনা পীরম্বা খরদি মখাদা পীজরিবা অসিশিংসিনি। অপোকপা খুরুম্বগী লাইথৌসি থৌরম-পরেংদা চখরিবদিঃ-

(I) শাগৈ/শল্লাই/য়েক্কী মী পুম্নমক তীন্নরগা তৌগদবা থবক্কী থৌদাং-থৌগায় য়েহ্বোক্লগনি।

(II) লাইশা হায়বদি লাইদা শরেন চন্নবা শা তানগনি [হৌজিক্তদি শরেংনা মহুৎ শিনখ্রবনিনা শরেংদু ফংনবা হায়না শীঙনগনি/থিগনি]।

(III) লাইথৌ তৌগদবা নুমিত্তুদা য়েক্কী মী/মচা পুম্নমক য়েক/শল্লাইগী পীবাগা লোইননা অপোকপগী লাইবুঙ/লাইশঙ মনাক্তা কারক্কদবনি।

(IV) পীবানা লাইশঙ-শঙলেন/লাইবুঙদগী লাইগী মহুৎ শিনবা পোৎলম, লাইগী কোললূ/কোনমায়, অসিনচিংবদু অশেংবা ঈশিং, হায়বদি য়েক্কী পীরিবা ঈশিং শোকফমদগী শোক্লুবা ঈশিংদুনা চায়থরগা য়েক্কী মচুগী ফিজোলনা ঈবুধৌ-ঈবেম্মৌবু লৈতেংলগা লাইগী ফম্বাল [হান্নগী লৈরমদ্রগা উতংনা ফম্বাক নৎত্রগা লীফক/কৌনা ফক্লা ফম্বাল শারগা] দা ফম্বাল লাংহনগনি।

(V) লাই ঈকৌরুগনি, ঈশাইফুনা ঈশিং শোক্তুনা পুরক্লগা নৎত্রগা লাইগী য়াইবী-মিরেন শিনবা লৈয়োম পুরক্লগা লাইগী মহুৎ শিন্দুনা থল্লিবা পোৎশকতুদা থব্রাই মিরেন চনগনি।

(VI) হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি।

(VII) লাইবাউ লৌগনি,

(VIII) লাইশা/ইশা শরেন হিংনা শাপাং-ঙাপাংগা লোইননা কৎকনি,

(IX) লাইগী লুক পীবানা হৌগনি, চামায় য়েংগনি, লাইরুক চনগনি,

(X) য়েক-শল্লাইগী মচা পুম্নমক অপোকপগী হৈমন-লৈমন, চাক্লচিংবদু চামিন-থকমিন্নগনি।

অসিশিংসিনি। তৌরিবা থৌরমশিংসি পীবাগী য়াথং মখাদা তৌগদবনি ঈরাৎ-থৌনীগী থৌরম পুম্নমক পীবানা তৌগনি, লাইশোন-তীনশোন পুম্নমকসু পীবানা তৌগনি, ঙমদ্রগা মাইবী-মাইবা নেক্কনি অদুবু লাইরুক হৌবদি পীবা নত্তনা অতৈনা হৌবা য়াদে। শাগৈগী অপোকপা খুরুম্বা ওইরবদি নুমিৎসিদা শাগৈ-শল্লাইরোনসু চনখৎ-ইখৎপগী থৌরমসু তৌনৈ। হায়রিবা য়েক-শল্লাইগী অপোকপা খুরুম্বসিদা মাগী মাগী শল্লাই/য়েক্কী ওইবা থায়নদগী হৌজিক ফাওবদা চৎনরিবা চঙদবা য়াদবা পোৎচঙ খর লৈরি। হায়রিবশিংদু মখাদা য়েক শল্লাই-শল্লাইগী ওইনা উৎচরিঃ-

মশীঙ	য়েক-শলাই	পুকোক	থা অমসুং থাবান	ঈশিং	মচু	মরোন লোনফম
১।	অঙোম	পুরৈরোম্বা	ঈঙেন থা ১২নি (পানখৎলকপা)	কোংবা (তুরেন) মরূ	অঙৌবা	পুরৈরোম্বা- ১) অঙৌ, ২) চীঙশোম্বা অমসুং ৩) হঙ্গেন লোংনা থাবা
২।	নিংথৌজা	নোংদা লাইরেন পাখংবা	ঈঙা থা ১৫নি থানীন থাবুং	নুঙজেং (পাৎ)	অঙাংবা	নুঙজেংপাৎকী মপান্দা চীঙথ্রাউ পাম্বী হৌগদবনি নৎত্রবদি নুঙজেং নত্তে, কৌদে।
৩।	লুৱাং	লুৱাং-নিংথৌ পুন্সিবা (হোঙনেম)	ৱাকচীঙ থা ১২নি পানবা (পানখৎলকপা)	লমফেল পাৎ	হীগোক	লুৱাংশঙফম

৪।	খুমন	লুংবা অহনবা	শজিবু থা ১৫নি থানীন থাবুং	পুমলেন (পাৎ)	অমুবা	কোনুং/কংলা ২ শুই ১) থৌবাল ১সুং ২) ময়াং ইম্ফাল
৫।	খা-ঙানবা	খমজীঙকোন (হায়হৈবা)	কালেনগী পানখৎলকপা তরানি পানবা	লৈতাং (পাৎ)	মেমানবদা অশংবনা লাংবা	খাবগী-পুকোক কুরুম/তুরুম কোয়বনা ওই।
৬।	চেংলৈ/শরাং-লৈশাংথেম	নুঙঙৌ যুমথংবা	ফাইরেন থা ২৬ নি পানবা (থা শিথরকপা)	তাক্লা (পাৎ)	শংবান্নবা	
৭।	মোইরাং	ঙাংনীংশিং অতেংবা	লমদাগী পানখৎলকপা ৩নি পানবা	লোক্তাক (পাৎ)	ঙাংনা লাংবা	মোইরাং থোকচোমগী ঙাংহল্লোকসু পুকোকনি।

(১) অঙোম শল্লাইগী/য়েক্কী পোৎলমঃ-

নাহৈনবা-তাইরেন মরোং/মনা, লৈ-থরো অঙাংবা, হৈ-হৈবী, লা-লারোঙ, শীঙ-উপন, মৈ-মৈবা-মৈ, থাঙ-পুক্কক-থাঙ, ঙা-শরেং অঙৌবা, ঙাপাং-মচী পান্দবা ঙাদা চঙ তাবা মশীঙ ১, ঈশিং-লাইফম-নুঙ, পাৎ-উ-কোংবা মরূ/মৈরোম্বীদা(গী)নি [শঃরঃমঃ, ১৯৯৬, ৫]।

(২) নিংথৌজা শল্লাইগী/য়েক্কী পোৎলমঃ-

নাহৈনবা-তাইরেন মরোং, লৈ-থম্বাল অঙাংবা, হৈ-থম্বাল ১০৮গী থমচেৎ, শা-শরেং ঙাংলৈনবা, ঙাপাং-মচী পান্দবা ঙাদা চঙ তাবা মশীঙ ১, লা-থম্বাল ১০৮ অঙাংবগী থম্না নৎত্রগা চঙবী-লা, শীঙ-সয়ি, মৈ-মৈয়ৈ-মৈ, থাঙ-চকথাঙ, ঈশিং, লাইফম, নুঙ-পাৎ-উ, নুংজেং-পাত্ত(গী) নি [মথক্কীসিদা, ৪]

(৩) লুৱাং শল্লাইগী/য়েক্কী পোৎলমঃ-

নাহৈনবা-উখোক/তাইরেন মনা, লৈ-খোঙ্গমেল্লৈ, হৈ-কিহোম, লা-লারোঙ, শীঙ-হৈগ্রু, মৈ-খোইজু-মৈ, থাঙ-তোন্দুম্বা, ঙা-শরেং শংলুনবা, ঙাপাং-মচী পান্দবা চঙ তাবা, ঈশিং-লাইফম, নুঙ-পাৎ-উ, লমফেল পাত্ত(গী) নি। (মথক্কীসিদা, ৪)

(৪) খুমন শল্লাইগী/য়েক্কী পোৎলম

নাহৈনবা-পুঙফাই/তাইরেন মনা, লৈ-শনকুপলৈ(শংব্রৈ)/ক্কাকলৈ/লৈশং, হৈ-হৈগ্রু/হৈবোঙ (কাংগ্রৌ), লা-ক্কাকলা/চঙবী-লা, ঙা-শরেং অমুবা,

ঙাপাং-মচী পান্দবা ঙাদা মশীঙ চঙ তাবা, শীঙ-চাওখোং/হৈবোঙ, মৈ-মৈথাং ৭, থাঙ-তোনককপা, ঈশিং-লাইফম-নুঙ-পাৎ-উ-পুমলেন-পাত্ত(গী) নি। (মথক্কীসিদা, ৪-৫)

(৫) খা-ঙানবা শল্লাইগী/য়েক্কী পোৎলমঃ-

নাহৈনবা-নাপু-নাশেন/তাইরেন মনা/মরোং, ঙা-শরেং ঙাংলৈনবা, ঙাপাং-মচী পান্দবা ঙাদা মশীঙ চঙ তাবা, লৈ-চহুই, হৈ-হৈজাং/হৈথুম, লা-লৈহওরা, শীঙ-হৈনৌ/চীঙয়েনশীন, মৈ-লৈখাম-ৰাইবমৈ, থাঙ-চীনাইবা, ঈশিং-লাইফম-নুঙ-পাৎ-উ-লাইরম পাত্ত(গী)নি। (মথক্কীসিদা, ৪)

(৬) চেংলৈ/শরাং-লৈশাং শল্লাইগী/য়েক্কী পোৎলমঃ-

নাহৈনবা-নাপী-শীঙবী/তাইরেন মরোং, লৈ-লৈশং খেকৰাইবা, হৈ-সোলোম, লা-লায়াই, শীঙ-নোংলৈশং, ঙা-শরেং ৰাউরুনবা, ঙাপাং-মচী পান্দবা ঙাদা মশীঙ চঙ তাবা, মৈ-মৈথাং ৫, থাঙ-খুন্দোং-থাঙ, ঈশিং-লাইফম-নুঙ-পাৎ-উ-তাক্লখা পাত্ত(গী) নি।

(৭) মোইরাং শল্লাইগী/য়েক্কী পোৎলমঃ-

নাহৈনবা-লৌদ্রৈ-চাদ্রৈ/তাইরেন মরোং/মনা, লৈ-লাংথ্রৈ/য়েরুমলৈ, হৈদি-হিতুপ/কাংগ্রৌ, লাদি-খাঙগ্রা, শীঙ-কুহী, ঙা-শরেং ঙাংলৈনবা, ঙাপাং-মচী পান্দবা ঙাদা মশীঙ চঙ তাবা, মৈদি-মৈথাং ৩, থাঙ-য়েনবা তোকশাবা লাইথাঙ, ঈশিং-লাইফম-নুঙ-পাৎ-উ লোক্তাকপাত্ত(গী) নি। [মথক্কীসিদা, ৪]

(৮) হাওরোক কোম্হৌ শল্লাইগী পোৎলমঃ-

নাহৈনবা-নাখাই-নাতাং/তাইরেন মরোং, লৈ-য়েরুমলৈ, ঙা-শরেং ঙৌরুনবা, ঙাপাং-মথক্কীগা মান্নে, হৈ-হৈবুঙ, লা-হৈলা, শীঙ-বোরোই, মৈ-মৈথাং ২, থাঙ-তোনকোনবা, ঈশিং লাইফম-নুঙ-পাৎ-উ, শুগু নুঙথোঙ(দ) নি। [মথক্কীসিদা, ৬]

(৯) উরোক-উশা শল্লাইগী পোৎলমঃ-

নাহৈনবা-থিংনা থাংতিং/তাইরেন মনা, লৈ-ক্বাক্লে, হৈ-কাংগ্রৌ, লা-ক্বাকলা, ঙা-শরেং ঙাংলৈনবা, ঙাপাং-মথক্কীগা মান্নে, শীঙ-হৈবোঙ, মৈ-

মৈথাং ৪, থাঙ-কুপফেৎ-থাঙ, ঈশিং-লাঙ্গোললোক, লাইফম-নুঙ-পাৎ-উ-লাঙ্গোন নিংথৌগী লোক্ত(গীনি)। (মথক্কীসিদা, ৬)

অসিশিংসিনি। মসি নত্তবা, য়েক-শল্লাই খুদিংমক্কী ওইনা চঙদবা য়াদবা পুম্নমক্কী ওইবা পোৎলমশিংসু লৈরি, মখোয়দুদিঃ-

১) লৈশং ৩, ২) ক্না মতোন থোকপা ৪, ৩) মনা ৪, ৪) লফোই লাফাং চঙ থোকপা ৪, ৫) খুদৈ মরাক তাইবা ১, ৬) চাবানফু ১, ৭) নাহৈফু ১, ৮) হৈরুক, ৯) পানা, ১০) খুদৈ, ১১) লফুৎ, ১২) খোইরু/উচান মৈরা, ১৩) কোন য়াই পু, অসিনচিংবা (মথক্কীসিদা, ৩))

অসিশিংসিনি। পীজরিবশিংসি হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবশিংদু পীজবনি, মরমদি, থায়না শীজিন্নবশিংদুদি ফংবা ঙমজদে। অদুগা মমাঙঙৈগী মতম, হায়বদি মৈদিংগু খাগেম্বগী মতম অদুৱাইগী শেমগৎ-শাগত্তুনা পীরম্লিবা/থম্বীরম্লিবা ওইনা খন্ন-লৌনবনা পোৎলমশিংসি উৎচবনি। হায়রিবা মপা-মপু অপোকপা খুরুম্বসিদা লাইশোন ১৪ অমসুং শরেন কৎপগী লাইশোন ২ শীজিন্নৈ। মখোয়দুগী মমিং-মথাশিংদিঃ-

(১) থৌনী মিংখৈরোন, (২) অনম-অথৌ থোকপা, (৩) লাইজা ঈকৌবা, (৪) ঈরু লাইশোন, (৫) নাহৈরোন, (৬) য়ুমতাই-নাকশেং, (৭) হৈশোয়-য়ুপান, (৮) নুমিৎ নাহৈরোন, (৯) তৃতেংলোন, (১০) পোংথৌরোন, (১১) পুরৈরোম্বা নাইহৈরোন, (১২) হেবুবরোন, (১৩) খুম্হোক্লোন, (১৪) অপোকলোন, (১৫) শরেন কৎপ'মিংখৈরোন, (১৬) শরেন কাইবা' মিংখৈরোন।

অসিশিংসিনি। অদুগা মখোয়সিগী মওং-মতৌশিংদি "ঈরাৎ লাইশোন"গী মতাং-মখাদা লাক্লিবদুদা য়েংবিয়ু। লাইশোনশিংসিসু হৌজিক-হৌজিকমক চৎনরিবশিংদুদা থমজবনি, মরমদি ঙসিদি ঙরাংগী মচানি অমসুং ঙরাংসি লহান/নহানগী মচানি।

(খ) অয়াঙ লমলোইবাঃ-

মৈতৈগী অয়াঙ-লমলোইবা হায়রিবা লাইথৌসি মৈতৈগী স্পিরিট ৱোর্শিপ [Spirit wroship] অমসুং উমংলাই মাগনগী লাইনীঙ অনিসিগী য়ান্নবা লাইনীঙলোনগী লাইথৌনি। লাইথৌ অসি হিয়াঙ্গৈ হিদোংবা/কুমশাবা/কুমলাৎপা/

কুমজনবা'' কৌবা লাইথৌসিদগী মখা শমথরকপা মাল্লি অদুবু অরেপ্পদি হায়জবা ঙমদে অমসুং লাইথৌসিনা অথু-অয়াঙ তান্নরকপদগী ''হিয়াঙ লমজেন/তান্নবগী মশান্নসি হওরকখিবনি হায়জনীঙই। হায়রিবা লাইথৌসিগী মনাৎসিগী হৌরকফমগী পরীংদা তারিবা ৱারোল অমদিঃ-

...শঙ্খাম ময়াংগী কুম শক ১৫৪০ [খৃঃ ১৬১৮]... মার্জিং নিংথৌবু থেমথাইএ। ওক লমশা, হুই, ঙানু, য়েন, থৱাই পানবা খৈবিক য়াওন থৌনিএ। হিদেন খুদিংদা ঈরাৎএ [চৈঃকুঃ, ১৯৮৯, ৩৬]।

অসিনি। অসুম্না তুরেন্দা হি তোংদুনা চৎলগা তুরেন মপান্দা হিদেন মনাক্তা লৈবা লাইয়িংথৌশিং, খুদম ওইনা, উমং লাই ৯গী মনুং চল্লিবা চাখাবা লাংমৈরেম্বা, মোংবহনবা, অসিনচিংবদা ঈরাৎ থেল্লাৎলুবসিনি অয়াঙ লমলোইবা হায়বসি। হায়রিবা লাইথৌসিগী মমিংগী ৱাহৈশিংসিনা ফোঙদোক্লিবদি- ''অয়াঙ'' হায়বদি অকন-অথৌ/অয়াঙ ওইবা নিংথৌগী লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংবুনি, অদুগা ''লমলোইবা'' হায়বসিনা লমশেং-তুশেংবগী থবক পাংথোকপা, হায়বসি তুরেন মপান্দা লৈরিবা লাইফমশিংগী লমশিংদু শেংদোক-খোত্তোকপা, হায়বনিঃ-

অয়াঙ লমলোইবসি অয়াঙ ঈরুপ্পা কৌদুনা ইম্ফাল কংলৈগী-মরু ওইবা ঈরেল-হিদেন খরদা ঈরুপ্লগা লাইথৌ তৌবা, কাখৎলগা লাইথৌ তৌবা, লাইশিং খুরুম-খাজঙ তৌদুনা লৈপাক্কী অমসুং লৈমা নিংথৌগী য়াইফবা নীবনি। হিয়াঙ্গৈ থাদগী থৌরম হৌবনা ৱাকচীঙ থা ফাওবা নিংথম পাঙ্খাগী মতমসিদা পাংথোকই। য়াম্না তোয়না ঈরুপলিবা ঈরেন-লাইফমশিংদি-থাংহুৎৱা, থোঙশঙগী মপা, য়োংয়ানফম, নুঙপাক হিদেন, লাইফম শঙলেলগী মপা, শীননাইশঙগী মপা, অহোঙ্গৈ, হিখাম, ফৈদেনবী, নিংথৌ মং/মংলেনগী মপাগী ঈরেন, অসিনচিংবনি [মঃসঃঅঃ, ২০০৩, ৪১-৪৮]। অদুগা কংলাগী য়ুমজাও, শীন্নাইবা লোইশঙ, লাইফম/অহল্লুপ শঙলেল লোইশঙ, থোঙশঙ লোইশঙ, অসিনচিংবদা লেকপা, ফি ফৌবা, চাক থোংদুনা চাবা, অসিনচিংবগী ৱাফমসু চৈখে [মথক্কীসিদা, ৪১-৪৫]। অসুম্না লৈপাক্কী অকন-অথৌ লাম্নী-লাল্লোইশিংনা অয়ুক-নোংথিল, নুমিদাং-অহিং থিদনা লৈপাক্কী য়াইফনবা পাংথোকপা লাইথৌনি।

(গ) হিয়াঙ্গৈ হিদোংবা/কুমশাবা/কুমলাৎপা/কুমজনবা

মৈতৈগী হিয়াঙ্গৈ হিদোংবা/কুমশাবা/কুমলাৎপা/কুমজনবা হায়বা লাইথৌসি মৈতৈগী চাগোক-কাংথং শিন্নবা লাইনীঙ [Fertility-Cult] গী মখাদা পাংথোকপা লাইথৌ থৌরমনি। লাইথৌ অসি মৈতৈ নিংথৌনা হিয়াঙ মথক্তা তোংদুনা কুম পুখিবা অমসুং পুগদৌরিবা লাই অনিবু ঈরাৎ-থৌনী তৌবনি। লাইথৌসি পাঙথোকখিবগী থৌদোক কয়ামরুম চৈথারোল কুম্বাবদা চনখত্নুনা লৈরি, মদুদগী খর খুদম ওইনা মখাদা উৎচরি, মদুদিঃ-

(I) ...হাওবম মোরিয়াগী কুম শক ১৪৩২ (খৃঃ ১৫১০) মৈদিংঙু কোইরেম্বনা হিয়াঙ্গৈ হি তোংবদা মৈতৈলৈমা লুৱাংবীবু তেরাননৈএ হায়দুনা মপা অঙৌপানবা লোইজাঙম্বনা তাথিএ। লাংমৈপুঙ চাকখাঙঙৈদা খামলৌএ। মৈদিংঙু কোইরেম্বনা অঙৌপানবা লোইজাঙম্ববু ফম্বাল কাহন্দনা তাথিখি-এ [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ২১-২২]॥

(II) ...তারিনাপা চাওবগী কুমদি শক ১৪৬৪ (খৃঃ ১৫৪২)... হিয়াঙ্গৈ কুমশাবা শিৎলে [মথক্কীসিদা, ২৫]॥

(III) ...কোনশাবা লম্মাগী কুম শক ১৪৮৭ (খৃঃ ১৫৬৫)... মৈদিংঙু মুংয়াম্বা হিসুং তোংএ, লমসুং থোকএ [মথক্কীসিদা, ২৭]

(IV) ...মোইরাং তোনাগী কুম শক ১৫৫৭ [খৃঃ ১৬৩৫] ... হিয়াঙ্গৈ হিতোংবদা লাইগা নিংথেমগা হি তোংবসুং অদুঙৈ হৌএ [মথক্কীসিদা, ৩৯]।

অসিনচিংবনি। হায়রিবা লাইথৌ খৃঃ ১৭৫৪ অদুৱাইদগী বর্ম্মীশিংনা তোয়না লান্দারকপদগী মুৎথ্রবদা মৈদিংঙুচা আনন্তশাই মন্ত্রী পুন্সিবনা খৃঃ ১৭৮০ গী অদুৱাইদা মহাক্কী লৈফম খ্বাই শগোলবন্দদা হৈক্রু হিদোংবা হায়বা থৌরমসি হৌদোক্লুনা লাইথৌসিগী অনৌবা মওং অমদা হিঙ্গৎহনখি।

লাইথৌসিদা থৌদাং লৌরিবসি মৈদিংঙুনি। চত্থরিবা থৌরম পরেংদিঃ

(১) অঙম-অথৌ ময়াম তিন্দুনা লাইথৌ পাঙথোক্কদবা নুমিৎ অফবা অমা হিয়াঙ্গৈ থাগী মনুংদা লেপ্পা, (২) হিয়াংলোই হঞ্জবনা হিয়াঙ-হিরেনগী থৌরাং তৌবা, (৩) কুম পুখিবা অমসুং চঙলক্লিবা কুম পুগদৌরিবা লাই অনি পোৎকৎকী পোৎলম-চৈরম অনৌ-অপেৎ লাঙবা (৪) লাইথৌ নুমিত্তুদা হিয়াঙ

মথক্তা নিংথৌনা [মশা নারগদি মহুৎ-শিনবা মীনা (মথক্কীসিদা, ২৮)] হিথক্তা ঈরাৎ পোৎকা লোইননা তোংখৎলগা হি হোন্দুনা চৎন-চৎনা নৎত্রগা ঈপাক্কী মচী অমদা লাই খুরুম্বগী থবক্তু পাংথোকপা অমসুং নুংঙাইনবা ঈশৈ-নোংমাইগী কুম্মৈ হিথক্তা তৌবা অসিশিংসিনা মরুনি। মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা লাইগা [(লাইয়িংথৌ তাইবং-খাইবা (সনামহী)] গা নিংথেমগা হি তোংমিন্নবা (অতোপ্পা হি অমদা লাইসু হাপ্তুনা হোনবা) হাপকৎলকপসিনা নুংঙাইনবগী খ্বৗরম (Entertainment programme) দুদা হিয়াঙ তান্নবগী মশান্নসি হৌদোক্লুনা হাপকৎলকখি।

(ঘ) লাইদা নুপী থাজবা

মৈতৈনা উমংলাই/লাইশিংবু মীগুম্না লৌই, হায়বসি মথক্তা হায়জখ্রে। মরমসিনা মখোয়গী মতু/নুপী [Wife/consort], মীওইবগী লৈবগুম লৈগদবনি হায়বগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন, লাইশিংবু থৌগল-লাংঙন/সেবা তৌবীনবা পীগী শরুক্কী মী লৈহন্নবা মৈতৈ নুপীশিংবু থাজৈ অমসুং চাওনা লুহোংঙবীদুনা লাইদুগী লাইবুঙ-লাইশঙ মনাক্তা লৈহল্লি। হায়রিবা মচৎ-মনাৎ অসি হিন্দুশিংগী খা-ভারত, মধ্য ভারত [Central/Middle India] অমসুং সমুদ্র-মপানগী ভারতনচিংবা, দক্ষিনাত্য [The Deccan] গী লমদমশিংগী লাইশঙশিংদা চৎনরিবা দেবদাসী [Devadasi] গী লাইনীঙ-লোনচৎ [Religious nature] কা য়াম্না শাথিনা মান্নবা উই। দেবদাসীশিংসি মখোয়-মখোয়গী লাইশিংদুগী মতু ওাক্তনি অমসুং লাইদুগা মাগা সিম্বোলিক মেরিএজ [Symbolic mariage] তৌরগা দেবদাসী [লাইগী মনাইনুপী] ওইবা ওাক্তনি। মৈতৈগীসু মসিনি। দেবদাসীশিংসি লাইগী লাইশঙ মনাক্তা লৈগদবনি, লাই-পূজা তৌবা মতমদা অমসুং অতৈ মতমদা মখোয়না ঈশৈ শক্কনি, জগোই শাগনি, লৈ থিগনি; অসিনচিংবনা লাইগী ঈরাৎ-থেল্লাৎকী লাইথৌশিংদা মপুঙ ওইবা শক্তম অমা পীরিবনি অমসুং মখোয়গী মফম কল্লিবনি। হায়জরিবসি মৈতৈগী লাইদা নুপী থাজবসিদসু তৌরিবনি। মদুগী খুদমদি লাইয়িংথৌ সনামহীবু খৃঃ ১৭১৭-১৮ দা অৱাগী লানফমদা লেঙবদা মতু য়াওরিবদুনি, মদুদিঃ-

...হাইস্নাম লাইবগী কুম শক ১৬৩৯ (খৃঃ ১৭১৭)... পোইনু থা অহননোং, শগোনশেন্দা লাইয়িংথৌ ৱা-হায়ববু মতু-মনাই য়াওনা লৈমা য়াওবা

ওইনা দোলাইবু ফি লৈ-শঙবনা কোয়দু চঙখিএ [মথক্কীসিদা, ৭৮]

অসিনি। অসিগুম্বা লাইগা সিম্বোলিক মেরিএজ তৌবসি শ্রাম্মাগী নাট লাৎপা লাইনীঙসিদসু লৈ। হায়রিবা মনাৎসিনা মৈতৈগী ওইনা পীবীরম্বা খরদিঃ-

(I) ...চনম্বা খারোইগী কুম শক ১৫৩৯ (খৃঃ ১৬১৭) ... কবো নুঙ্গোইতোংবা চনুবু থংচীং নিংথৌদা থাজে [মথক্কীসিদা, ৩৬]।

(II) ...ঙাংলোম লমচাগী কুম শক ১৫৮৮ (খৃঃ ১৬৬৬)... ঈঙেন থা ৫নি নিংথৌকাবদা শীজ য়াওসোন্বীসুং... লাইয়িংথৌ নোংশাবদা কৎএ। [মথক্কীসিদা, ৪৬]।

(III) ...নিংঙোম্বম মাইচৌগী কুম শক ১৬২২ (খৃঃ ১৭০০) ...কালেন থা ২১নি লংমাইজীংদা লাই নোংশাবগী মতু শোইবম চনুগীদমক চেঙলুক পুএ, নোংমদা লুহোঙএ... [মথক্কীসিদা, ৬৩]।

(IV) ...হাইন্নাম লাইবগী কুম শক ১৬৩৯ (খৃঃ ১৭২৭) ... ঈংঙা থা... ৩নি শগোনশেন্দা শীজ মনাউ খুনুবু লাই-ৱাহায়বদা থিহ্নৈএ॥ [মথক্কীসিদা, ৭৮]।

(V) ...সরাইসম পাংঙনগী কুম শক ১৬৫২ ... ফাইরেন থা ... থানিননোং য়ুমশকৈশ [মার্চ-এপ্রিল, ১৭৩১] অঙোমচনু লৈমখুবী হঞ্জবীবু লাইৱা হায়বদা থিহ্নৈ [মথক্কীসিদা, ৯১]॥

অসিনচিংবসিনি। অসুম্না মীগা লাইগা লুহোঙ্বগী থৌরম অসি লাইথৌ অমা ওইনা পাঙথোক্লরকখি। মসিদা লুহোঙবগী পোৎচঙ্ পুন্নমক অমসুং থৌরম পুন্নমক চঙই।

লাইদা নুপী থাজবগী মচৎ-মনাৎসিগা ঈরোইননা নুপানা মাইবী ওইবগী মনাৎসি থোক্লকখিব্রা, হায়বসি থাজজৈ। অহানবদদি নুপাশিংসি মাইবা/অমাইবা ঙাক্তমক ওইরম্বনি। অদুবু মতম খরগী মতুংদগীদি নুপাদা লাই তোংবা, মাইবীগুম লাইবাউ পীবা, অসিগুম্বা মচৎশিংসি থোক্লকখি। হায়জরিবা ৱাফমসি শ্রাম্মাশিংগীসু মৈতৈগী উমংলাইগী মচৎ মনাৎসিগা মান্নবা নাটকী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনসিদসু য়াওরিবনি। মসিগী ৱারোল অমত্তং থম্বা তারবদিঃ-

In the annual Nat festival of Mt. Popa, dances in trance become possessed by the particular spirit which has chosen then

as human vehicle. Male dancers are possessed by female spirits, female dancers by male spirits. This dancer, who portrays "the Mother of Mt. Popa" is a man, a medical practitioner from Rangoon, [M.M., 1980, 285].

অসিনি। অদুবু মৈতৈগী মচৎসিবু লিংখৎহন্দুনা থম্বা পান্নিবসিনা শকপান্দবা মাইচৌ খরগী মমিংদা শকপানবা খর হাপচিন্দুনা মিৎলং-মায়রংগী য়ুখন্না খল্লি। অদুবু লাইদা নুপী থাজবগী লাইথৌ/লাইনীঙথৌসি মতমগী ঈপাক্তা লুপথখিদুনা অমুক শাফোংলকখিদ্রে।

(ঙ) লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মা লুহোঙবা

লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মা লুহোঙবগী মৈতৈ-লাইনীঙলোনগী লাইনীঙথৌ/লাইথৌ অসি মৈতৈ লাইনীঙ-পরমগী মরু ওইবা শক্তম অমসুং মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লাইয়াম, লাইনুপা-লাইনুপীশিংগী মপা/মপা-মপা/মতৈ-মনাউ শেম্মনবগী/শাননবগী নৎত্রগা থোকহল্লকুনবগী অথোইবা পাম্বৈ অমসুং চৈঙাক্লা নোংপোক-অপানবী লাইনীঙ্নি। মসিগী পীবীরল্লিবা ৱারোল "নোংপোক্তা অপানবীগা চীঙ্খৈদা লুহোংএ" হায়বসি লাই অনিসি মতৈ-মনাউ ওইহনবগী ৱাফম্নি অমসুং "পান্থোইবী খোঙ্কুল" কৌবা লাইরিক্তু ইদ্রিডৈগী আ-মমাঙগী ৱারম্নি। অদুগা হায়রিবসি নত্তবা অতোপ্পা ৱারোল অমনাঃ-

...খুমন চৈরাকপম লমফেনগী কুমদি শক ১৬৫৬... ঈংঙা থা... থানীননোং য়ুমশকৈশদা লাই মারচিঙকা স্নচীংজারোইবীগা লুহোংএ। (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ১৪)

অসিনি। হায়রিবা ৱাফমসিসু- "সনামহী লাইকন (লোন)"- হায়বা লাইরিকসি ইদ্রিডৈগী মমাঙগী ৱানি। মরমদি, সনামহী লাইকন্নচিংবা লাইরিকশিংনা পীবগী মতুংইন্না সনা চীংজারোইবী (উমাশ্না চীঙজারোইবী নৎত্রগা লংমাই চীঙজারোইবী) সি লাইয়িংথৌ সনামহীগী তাল্লোইনি, মদুদিঃ-

...খোইমোম লাইয়িংথৌতি, য়োঈপু মশানৌকা সনা দুলাইরেংচাও তোং, নমু পোংপুম ৪মা সমু খোঙওইনা... সনা চোঙলেন খান, থাঙলেন য়ৌথৌ ফান্না পোইরৈ পুম্না হুপ্পা য়োঈপু মশানৌকী সেল্লোই মপাম-চীঙতা

কুমখিরে...॥ লংমাই মপামচীঙকীলোইতাম ঈঙা থামৈ ৫নি পানবা ঈমশকৈশ নুমিৎ মতনপতা খেল্লেন মতম য়েংনা চীঙঙু মঙাল চাও, মনুং য়াংলও তেরা লমলাই ঙানপা চেককুম মরান নুহোঙ খোঙশাল্লকএ... কংলৈ থোঙলেন লমশাং ইন্না খোইমোম মাকী য়োঙ্গীকোনুং সনা য়োঙ্গীকংলাতা... ৱাইথুংলে॥ ...খোইমোম মতৈ মনাউপু ফমফম-হল্লপকা... লাইরেন মৈতেংঙু... না য়োঙ্গীপু মশানৌকা খাকী ফরাংগী চরৈ ফিথাথকতা... শমু খুথেক লৌ, খোঙলৈ নোংথাঙ কুপতুমকুপ খোইমোম সনা মখোঙ খাতা জুকোই লেপলৌ শামন্নরে। মতাইরেম ফিশক চকনাইরোই, লাংশঙ কোংয়িরোই পুন্নমকসুঙ তাল্লোই মরূম পাল্লোইননা খোঙলৈ চুকোই শাপপু, ২ লেঙশিন চৈরেপ্তা, হরাউ পুকমান্ননা মীনোক খোঞ্জেল মনীল নাই... মালেম মনারোয়, থবী মতাং তেন্না শামান্নরকপা... (সংলঃখঃ)।

হায়বসিনা মখোয় অনিগী লুহোঙথৌ পাংথোকখিবগী ৱারোলনি। থৌদুগী থৌবুরিবনা মৈদিংঙু গারিবনিৱাজ॥

অহানবগী মৈদিংঙু খাগেম্বগী থৌশীন-থৌরাংনা পুরক্লিবা লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা লুহোংবগী পরীংসিদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লাইয়িংথৌ মারজীং অমসুং সনা চীঙচারোইবীগী লুহোংবগী ৱাফম চৈথারোল কুম্বাবদা পীরম্বগী অরানবদু/অশোয়বদু সনামহী লাইকন্দা চুমথোক্তুনা লাইয়িংথৌ লাইৱা-হায়বা (সনামহী) গা লংমাই/উমাম্না চীঙজারোইবীগা লুহোংবীবগী থৌরম পাংথোকপীবগী ৱাফম পীরি। অদুনা থৌরাং চাওরবা লাইথৌসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা পাংথোকখি। চৈথারোল কুম্বাবগী "লাই মারচিঙকা" হায়বসি, লাই মহারাজগা হায়গদবনি, খোঞ্জেগী মচীন শোয়খিবা মাল্লি। লাই মহারাজ হায়বসি লাই ৱাহায়ববুনি [চৈ:কু:, ২০০৫, ৯১]।

(৬) মৈতৈ-উমংলাই হরাউবা

মৈতৈ-উমংলাই হরাউবা হায়বা চহিগী ওইনা পাংথোকপা লাইনীঙলোন-লাইথৌ অমসুং হরাউ-কুম্মৈথৌ অনিগী য়ান্নবগী মশক ওইরিবা থৌরম অসিনা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা মশক্লি। ফনমক হরাউ-কুম্মৈগী মচাক য়াওদুনসু লাইনীঙ-মনাৎকী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্দা হেন্না নকশিন্না লৈবা থৌরমশিংগী পরেংনি। হায়রিবা লাইথৌসিগী হৌরকফমগী মরূসি লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মা লুহোঙবীবগী লাইথৌদা চঙদুনা

লৈ। মরম অসিনা লাইথৌসি মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক খৃঃ ১৬৪৮ গী লাইয়িংথৌ নোংপোক নিংথৌগা লাইরেম্মা অপানবী পান্থোইবীগা লুহোঙবগী লাইথৌসিগা খৃঃ ১৬৩১ গী কুচুদা কৌব্রুনচিংবা লাই খিবিকপু ঈরাৎ-থেল্লাৎপগী লাইথৌসিগা লোইননা পুন্না লৌখৎমিন্নরগা মৈদিংঙুসিগী সনা হাক্তক্তা হৌদোকখিবনি হায়না মমাঙঙৈগী অহল-লমনশিংনা লৌনৈ। অদুবু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ সনা হাক্তক্তা খৃঃ ১৭৩৪ দা পাংথোকপা সনা/উমাস্না/লংমাই চীঙজারোইবীগা লাই মারচীঙগা (মহারাজগা) লুহোঙবদগী শেমদোক্লকপা মানবা মওংদা লাইরেম্মসিগা লাইয়িংথৌ তাইবং-খায়বা/লাইৱা-হায়বগা লংমাইজীঙ/নোংমাইজীঙদা পুদুনা চৎলগা লুহোঙবীরুবা অমসুং কংলাদা অমুক পুরক্লগা লাইয়িংথৌসিগী মশাগী লাইবুঙ-লাইকংলাদা হৱাউ-কুম্মৈগী থৌরম লৈমা-নিংথৌনা জগোই কৎপা, ফম্নাইবা-ফম্নাইবীনা জগোই কৎপা [থৌরমসি মোইরাংগী লাইয়িংথৌ থাংজীঙ হরাউবদা হৌজিক-হৌজিকমক য়াওরি], অসিনচিংবা থৌরম পরেংগী মশক শুবা অসিদগী হৌরকপনি হায়জনীঙঙি। অকোনবগীসিদা লাইরেম্মা চীঙজারোইবীনা লুহোঙলিবা লাইয়িংথৌশিং-লাই মারজীঙ অমসুং লাইয়িংথৌ লাইৱা-হায়বা অনিগী লমদাংদা লাইচৎ-লাইওন, লাইচন-লাইয়াৎ মান্নদবা হায়বদি অহানবগীসিনা অতিয়া শিদবা অমসুং অকোনবগীসিনা অশিবা (সনামহী) গী মথং শীৎনা ওইবসিনা চম্মনবা অমদি পোকহল্লি।

সনামহী লাইকন (লোন) লাইরিক্তা পীরিবা লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং লংমাই চীঙজারোইবী লুহোঙবগী তৌরিবা থৌশীনসিদা উৎলিবা থৌরমগী মশক, লাংলিবা থৌরাং, চৎলিবা খোঙচৎনচিংবসি মৌর্য্য নিংথৌ-শাগৈগী নিংথৌরেন অশোক [খৃঃ মাঙঃ ২৭৩-২৩৬] না বুদ্ধদেবগী মহুৎ শিনবা পোৎ [Relic] কাংদা হাপ্লগা পুদুনা পাটলিপুত্রগী লম্বেলদা মীয়ামগী পরেংগা লোইননা চৎপগী খোঙচৎ-খোঙথাং অদুগুম্বনি। নিংথৌরেন অশোক্কী ৱারোলদুদিঃ-

> Asoka... also arranged religious processions to impress the imagination of the people [R.C.M. 1979, 35].

অসিনি। হায়রিবা মৌর্য্য নিংথৌরেন অশোক্কী থৌদৌসিদগী মতৌ তমগনবা বৈষ্ণব ভক্তশিংনা "জগন্নাথ" পুরীগী জগন্নাথকী রথ-যাত্রা [Chariot

Riding Festival of Jagannatha of Puri/Pooree/Orissa] হৌদোকখি খঞ্জে, অদুগুম মৈতৈগী মবুংঙো গরিবনিৱাজগী লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং, লংমাই চীঙজারোইবী লুহোঙবগী লংমাইজীঙদা চৎপা খোঙচৎসিদগী মৈতৈগী লাই-লমথোকপা [মোইরাং থাংজীঙগীদদি "খোং-চিংবা" হায়] হৌদোকখিবনি, লৌজে॥

চৈথারোল কুম্বাবগী মতুং ইন্নদি লাই হরাউবগী লাইথৌসি মৈদিংঙু চৌরজিৎ [খৃঃ ১৮০৩-১৩], নিংথেমতোন মহারাজগী সনা হাক্তক, খৃঃ ১৮০৬ কী ঈংঙা থাদা লাইয়িংথৌ পাখংবা হরাউবগী থৌরমসিনা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা থেংনৈ [চৈংকুঃ ২০০৫, ১৯৪]। অদুবু চত্থরক্লিবা লাইথৌ খৃঃ ১৮৯১ দা বৃটিশনা মণিপুর লৌখ্রবদা বৃটিশনা মৈতৈ লাইরিকশিং চহিসিগী জুঃ ৩০ দা খোম্লগা [মথক্কীসিদা, ৪৯৯] লাইরিকশিংদু মৈ থাখিবগা লোইননা অতৈ মাঙহন-তাকহনবগী থবকশিং পায়খৎপগী থৌরাংদা মৈতৈগী হিয়াঙ লমজেন্নচিংবা কুম্মৈ পুন্নমক তোকহনবা [মথক্কীসিদা, ৪৯৯] চহিসিগী জুলাই ২০ দা লৌখৎপসিদা য়াওখিবদুনা তোকখি। খৃঃ ১৮৯৮ গী এপ্রিল লোয়রমদায়দা সার চুরাচান্দগী মমা পোকপা মবুধৌনা বড় সাহেব মেজর মেক্সৱেলদা হায়জদুনা উমংলাই হরাউবগী লাইথৌসি হিংগৎহল্লকপগী লমদাংসিদগী মৈত্রবাক্তা লাইথৌসি অমুক পাক্লা-শন্না চত্থনরকখি। লাইথৌসি হিংগৎহল্লকপগী ৱারোন্দুদিঃ-

...সেকমাই লবঙ্গগী কুম শক ১৮২০... কালেন থা ৬নি ইমশকৈশ (তাং ২৭।৪।১৯৮) দা মবুধৌ ইবুংঙো মোইরাং নিংথৌনা মৈতৈ লৈপাক্কী উমং-লাই হরাওবা লেপখ্রববু বর সাহেবনা হায়দোক্তুনা মমাঙঙৈগী মতৌগুম্না হরাওহল্লে [মথক্কীসিদা, ৫৩০]।

অসিনি। অসুম্না খুঙ্গং খুদিংগী লম-কোনবা লাই অমমম লীংখত্তুনা লাইফম শেম্লগা ম্রাম্মাশিংগী নাটকী লাইনীঙ-লীচৎ অমসুং নাট লাই-হরাউবগী লাইথৌ পাংথোকপগা মান্ননা মৈত্রবাক্তসু লাইথৌসি চত্থরকখি অমসুং চত্থরি।

লাইথৌসি নোংমা পাংথোকপদগীনা থা অমা চুপ্পা পাংথোকপগী চাং অমসুং থাক ফাওবা লৈ। নোংমা-নোংমগী ওইবা থৌরম পরেং য়াত্তুনা লাই-ঈকৌবদগীনা লাই-নোঙ্গাবা ফাওবগী থৌরমশিং পরেং শানা লেঙদুনা লৈ।

মসিদা লাই-হুরাউনবগী থৌরাং তৌরকপগী থৌরম-পরেংদু থাদ্রিবনি। লাইগী পোৎচঙ-চৈজঙ অমসুং মীগী পোৎচঙ-পোৎলম মখল-মখা য়াম্মী। মসিগী হীরমশিংসিদা লাইরিক ইনদুনা তোপ্পা ফোংদুনা লৈনরি।

মৈতৈগী লাইথৌশিংগী পোৎচঙশিং

মৈতৈগী লাইথৌ থৌরমশিংগী পোৎচঙ-চৈজঙগী মরমশিংসি মথক্তা খর মখৈদি পঙ্খ্রে। মসি, মথক্তসু হায়জখ্রবদুনি, মীওইবনা মী অমা ওইনা পানবা-হিংবদা চঙবা পোৎচঙশিংগী পোৎলম-পোৎকৎশিং পুন্নমক [All the essential commodities, objects, articles, etc. of a human being] চঙই। হায়রিবসিগী মথক্তা মীওইবনা লাইশিংবু মীওইবগী থাক্তগী হেনগৎনা লৈবা ওইনা খনবা/নীঙবা অমসুং ঈকাই খুম্নবা থম্বা/উৎপনা অথোই-অহেন ওইবা মীওইশিংগী অৰ্দ্ধ-অহেনগী পোৎলমশিং-পোৎশকশিংসিগী মথক্তা লাইনি হায়বসি হেক্তমক য়েংবদা/উবদা খঙবা ঙম্নবা শক্তাক-খুদমসু মৈতৈগী ওইনদি চঙই। হায়রিবসিবু মৈতৈনা "চোঙ [Insignia]" হায়না কৌই। অচম্বা পোৎলম-পোৎশক, ফিজেৎ-লৈতেং, চান-থক্লবা, অসিনচিংবগী মথক্তা চোঙ, শেকপীন, পে, থাক্কন/থকখন, খুৎতৈশেন/খুদৈশেন, ক্কাশেন, হুমাই, অসিনচিংবসু লাইগীদমক্তা চঙই। মীওইবনা লাইনীঙলোনশিংদা মরু ওইনা থম্নরিবা ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনসি "পুক্লীঙ-হকচাং শেংবা" হায়বসি ওইবনিনা ঈশাগী ঈহকচাং শেংদোকপা অমসুং পুক্লীঙ শেংনা চঙশিনবা য়ানবা লাইগী থৌরমদা চঙগদবা লাইগী থবক্তা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিংবু/পোৎশকশিংবু শেংদোকপা হায়বসিনি। অদুগা লাইনীঙলোন খুদিংমকসিদা শেংদোক্লবগী পোৎলমসিদা "অশেংবা ঈশিং" হায়বদি, অৰুবা, মনম-মহা চেন্দবা, ফত্ত-হৌদী লৈতবা মফমদা লৈবা পুখ্রি/কোম/তু-খোং/তুরেল/পাৎ অমদগী শোক্লকপা ঈশিং, অয়োকপা/য়োক্তবা অসিমদি ঈয়াওদা য়াওনরে। অদুগা খা অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী চৎনবা মতুং ইন্না হায়রিবা অশেংবা ঈশিংসি খীক্লনবা, হায়বদি শেংদোক্লবগী খীক্লবা উপান-ৱাপানগী/পান্বী-শীঙবীগী মনা, মনা-শয়োম/মরোঙ, মশা,অসিনচিংবা অমদি মশীজিন্নরে। হায়রিবসিগী মীরৈবাক্কী খুদম অমনিদি- (১) হিন্দুগী তুলশী [Holy basin (Ocimum sanctum, fam Labiatae)] অমসুং (২) ব্রাহ্মাগী থাব্যে [Thabye

(Eugenia, clove genus, fam. Myrtaceae) [M.E.S., 1967, 125] অসিনি। হিরমসিদা মৈতৈনা য়েক-শল্লাইগী, লাইখল-লাইশক্কীনচিংবগী মরমদগী মখল-মথেলগী পাম্বীশিং, খুদম ওইনা, উহল, নাপী-শীঙবী, উখোক, লৌদ্রে-চাদ্রে, নাপু-নাশেন, নাখায়, নাখায়-নাতাং, থিংনা-থাংতি অসিনচিংবা ওইনা থমজরবসু/তৌনরবসু পুম্নমক্তা ঈশীদা শীজিন্নবা য়াবদি তাইরেন [Toon tree (Toona ciliata, fam.Meliace)] অমসুং পুংফাই [Dactyloctenium aegyptium, fam. Gramineae] অসিনি। হায়রিবসিনা ঈশিং শীক্তোক্লুনা কোকথোক-শেংদোক্লবদি মীসু শেংদে, পোৎকৎ-পোৎসু শেংদে, হায়না মৈতৈনা লৌনৈ।

মৈতৈগী উমং লাই হরাউবগী লাইথৌ-থৌরম পরেংদা ব্রাম্মা/বর্মাজিশিংগী নাট লাই-হরাউবগী থৌরম পরেংগা য়াম্না মান্নবগী মশকশিং লৈ। হায়রিবশিংদু মখাদা উৎচরিঃ-

Taungbyon (names of 2 nats) Festival draws visitors by the ten thousands each years... With its enormous bazaar, hundreds of shamans available for consultation, exciting side-shows and plays not to mention the dramatic nat dancing, it is in some respects, a combination of Burmese-style, of an American state fair and a medieval miracle play, Perhaps a more apt analogy is the Catholic Fiesta in Latin culture.

...The complex internal organization of the festival however, is the responsibility of a hereditary "palace custodian" (NANDEIN (লাইশঙবা)]. U Pou Zoun, the present incumbent, claims that the custodian is merely the administrator for the "Keeper of the images (NAT TEIN (লাইকোনমায়/কোমায়)]", the former being a brother (unterine of classificatory) of the latter.

Immediately under the custodian in the official heirarchy and appointed by him is the chief shaman (NAT-OUK)... Under him... are four principal female shamans, known as "Queens [MIBAYA (মাইবী)]". They are the principal performers of the dances, which, during the ceremony reenact the main events in

the lives of the brothers. The custodian also appoint 4 male shamans, known as "royal ministers [WUNGYI (ফম্নইবা)]", who serve as the principal male officiants in the ceremonies.

The Shrine [NAT SIN (লাইবুঙ/লাইকংলা)] holding the image of the Taungbyon Brothers is probably the most impressive nat shrine in all of Burma... The nat image again like the Hebrew Scrolls are kept inside the ark which is opened at special occasions only but which remains open for the duration of the festival [লাইথোঙ হাঙবা].

On the palace floor, standing with the orchestra is a Shaman who serves as an "announcer". Precising each dance the announcer sings the ode [NAT THAN (লাইরোন-ঈশৈ)] which in the first per recounts the life of the nat about to be impersonated, and which ends with an invocation to the nat to possess the dancer. Following the invocation [Kadaw gan], the orchestra plays the music of the nat, and the shaman now possessed, commences to dance (লাই তোংদুনা জগোয় শাবা)... This impression was strengthened by the observation that when the end of the dance was signaled by the final crescendo of he orchestral music, the dancers obviously incapable of stopping, continued to shake uncontrollably, eyes glassy and unfocused, When this happens another shaman sprinkles water on the dancer, rubbing her head and back and sometimes fanning, until she comes out of trance... (পেনা চৈজীঙনা নম্বা).

...In addition to the ritual offerings and ceremonial dancings which occur through out the 8 days of the festival, there are 3 other ritual events which take places on the first, 5th and last day. The first of these ritual as consists of ceremonial bathing of the images of the Taungbyon nats carried on royal palanquins and accompanised by the entire official heiarchy dressed in court custom, the image towed on the royal barge into the Irrawaddy

where they were bathed with water scooped from the river in bowls of silver and gold... (মৈতৈগী লাই ঈকৌবগী থৌরমগা মান্নবা).

...On the 5th day of the festival occurs the 2nd of these 3 ritual event. The hare-offering ceremony. Since the Taungbyon Brothers at their first meal of wild rabbit meat in a village near Taungbyon, it is the duty if this village to provided them with wild rabbits at the annual Festival. [শরেন চন্নবা শরেন-শা তানবা].

On the morning of the last day of the festival occurs the 3rd of the special ceremony, the tree cutting ceremony ...In essence this ceremony consists of the ritual cutting of two branches, one for each Brother of the leinbin tree (in Meitei উনিংথৌ)... মৈতৈ হিচিং হিরাউগী মতাং [Ibid, 110-125].

মথক্তা পঞ্জরিবসি খরখক্তনি। নাট-হরাউবগী থৌরম-পরেংসিদা পৌ চিংনবা [With the banks crowded with on lookers, there then ensues a tug-of-war between two teams one of men and one of women... (Ibid, 111)]. পান্থোইবী (হৈস্নাম) লাইথৌগী ফৌ পেক্লবা (Ibid, 112), নোং লাউবা (Ibid, 112), লাই-লম-থোকপা (Ibid, 112), লাইবৌ ঈশৈশিং (Ibid, 119), তাংখুল শাবগী লফোইগী মশক্তুগা মান্নবা (Ibid, 125), অসিনচিংবা কয়ামরুম য়াওরিবনি।

(২) মৈতৈগী ঈরাৎ-লাইশোনশিং

মৈতৈনা মখোয়গী মরৈবাক-মরমদমসিগী লমখৈ মনুংদা তাইবং মীগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোন্না লৈহাউ ওইরগা হওরকখিবা মখোয়গী লাইনীঙশিং অমসুং মদুগী লাইনীঙলোনশিংগী পল্লোন মনুংদা লৈরিবা লাইশিং অসিগী মনুংদগী অমগী ঈরাৎ-থৌনী, লাইরাৎ-থেল্লাৎ, লাইথৌ-থৌরমশিংনচিংবা তৌবদা শীজিন্নরিবা ঈরাৎ-লাইশোন পুন্নমকসি মখোয়গী মমালোন অসিদনি। হায়রিবা লাইশোনশিংসি হৌজিক্কী মতমগী অনৌবা লোন অসিদদি লৈতে অমসুং লাইশিংসি চাউরাক্লা লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী মতমদগীনা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী সনা হাক্তক ফাওবগী মতমগী তাংকক [খৃঃ ১৫৯৭-১৮৮৬] মনুংসিদা শেম-শাখিবা ঙাক্তনি। মখোয়না লাইশোনশিংসি চীন্না (১) ঙাংবা (২) থীবা (৩) শকপা অমসুং (৪) ঙঙবা [(i) Speaking, (ii) Reciting/Spelling,

(iii) Singing and (iv) Humming/Murmering] গী মওং-মতৌদা শীজিন্নে।

মৈতৈনা মখোয়গী ঈরাৎ লাইশোন [Ritual] শিংসিবু মখল-মথেল তরারোম খায়দোক্কুনা থম্মী। মখোয়দুগী মমিং মথাগা খুদম অমমমগা লোইননা মখাদা থমজরিঃ-

(ক) য়াকৈরোন/য়গৈরোন (হৌদোকপগী লাইশোন)

মসি অশৈবা/শৈশকপনা পেনাগা লোইননা শকপসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৎনবা ওইনা শীজিন্নে। মৈতৈ উমং-লাই হরাউবগী লাইথৌদা নুমিৎ খুদিংগী চশ্বরিবা থৌরম-পরেংগী অহানবা থৌরম ওইনা শীজিন্নে।

শেল্লোই লংমাই নিংথৌ, থংবা কাথংবগী মমাইববু
চকপা কাশিঙম্বা,লংমাই থেনবুঙ লাঙাবা
মোইবা ব্রাকুশু-ও তৌনা কৌএ। মানা নুমিৎপু তেংথাবদি
খোইমিৎশিংগী চুনবা, লাইমিৎশিংগী নীঙথিব-ও, কৌ-এ॥
কোরৌ খোংজোমনুবীবুদি তাইনু তরুকমা-ও কৌএ॥
নীংনাংবুদি চীঙনাং-ও কৌ-এ, হারিবুদি শেরনবীচা-ও তৌনা কৌএ।
হংঙোইবুদি লাইমৈশাং-ও; তৌনা কৌএ॥
অসুম্না চীঙখোঙ য়াগা শকনৈ-এ। [খঃচঃসঃ ১৯৮৪, ৩২-৩৩]

(খ) তেংথা [লৈশি-লৈথোনবা (থাগৎ-শৈশকঃ ...Praise]

লৈমরেনগী তেংথা-
হে গুরু! ঈমা লৈমরেন শিদবী!
মাঙশোক লাইনা পাংবরমদা ফম্মেন লূখায় ফমলিবী,
নথক পুঙগা থোল্লিবী, নখা খোংগা তওরিবী
চকপী লাইশম নোংদার খুনেৎনরিবী, লীক্কোন অচঙবনা খুদানরিবী
লুমাঙ শম্বুন পুল্লগা পন্থৌ কৌবদা পাউখুম্নী,
লূতুং শমজী কিরগা পলেম কৌবদা পাউখুম্নী,
লূব্রাই শম্বুন পুল্লগ পলেম-পন্থৌ শক্লিবী

মোংবা য়ুমজাও কারেন মাপনমক্তদা হেনথোইবী,
য়ুমজাও কারেন অমদি অঙৌবা পুরৈরোম্বা কা,
য়ুমজাও কারেন অমদি নেনে য়াহীপ কা,
মোংবা য়ুমজাও কারেন অমদি ফদিবী মৈরীং কা,
য়ুমজাও কারেন অমদি লংমাই পেতংঙা-কা
য়ুমজাও কারেন অমদি লৈমা অরেম্বী খোঙহাম কা
য়ুমজাও কারেন অমদি তরা চউম কা
য়ুমজাও কারেন অমদি মোংবা লপলেন কা
য়ুমজাও কারেন অমদি চৎলম ফানশাংকা
য়ুমজাও কারেন অমদি লাইয়িংথৌ সনা কা
য়ুমজাও কারেন মাপনমক্তা হেনমোইবী
য়ুমজাও কারেন অমদা য়ুমজাও লৈমা ওইরিবী, হে গুরু!

চীঙঙু ঙাংলৌ খাদা হৈকৎ-লৈকৎ তমজরিএ [মথক্কীসিদা, ৮০-৮১]।

(গ) থেল্লোন [Descriptions of Environment & Companions]

থাংজীঙগী থেল্লোনঃ-

হে গুরু!
ফেনচী নোংহুম লম, মাল্লং মথোঙচীন,
খমকোন মরাকচীনবু তাননা খল্লিবা
কেগে শঙ্খোঙ মোরিবা, খুয়োন ফকতোম ফম্বা
থাঙ্গা তোনবন নিংথৌ, কেগে লইশাবুঙ
মোইরাং কাশারেন নামুংবা, য়াইবী পল্লোই তানবা,
তখেন লাকচীন ফম্বা, ময়াং শকাং তোংবা!
পাঙল তম্পাক কোয়বা, চীঙলেন নাপোম অতোঙবদা ফমফম্বা,
খারম মোনথৈ ঙম্বা, হুয়েন চীঙকবাক ফাবা লাইয়িংথৌ।

[মথক্কীসিদা ১৬]

(ঘ) লাইহুই [Enumeration of Activities & Achievements]

লাইয়িংথৌ (সনামহী) লাইশোন/লাইহুইঃ
চীঙঙু ঈবুংঙো, খোয়ুম লাইয়িংথৌ! অৱাং ফাৎলৌ লইমা খোম্বা!
কোরৌরক্কী তমথরকপা ৱাংবল্লক্কী খাইথরকপা,
নুঙ্গাংশগাংথক্তা লাইজ ঈরোইননা
তরং ঈপাকথক্তা শেকমোম কাইবী-লীবু
পরীং লেপতম হুননা মালেম লইবু লইশেম্বীবা!
য়াইবী থৱাই মীপোকপা নমু পোংবু পোংশেম্বা!
মিরেন তোংমারাবা, মালেম লৈকোয় লইমাবা
তীনগী তীল্লুপ লূচিংবা, থৱাই তীল্লীরেন য়াইওইবা,
পামেন উপুনসিদা কাইদোংবা, নতীক ঙমখৈ লৈতবা
খোইরা লীহও নাইদবা, শিদ' মপান থাবা, নাদ' মউ লীংবা
তাইবং অপকমা পুন্নমকপু খুজ্জী মিতম কোন,
অয়ূক ঙননা কোনথোকপা, নুমিদাং থেংনা কোনশিনবা
লাংবন কাওরেন শনশেনবগুম শেনবীবা!
লাইয়িংথৌ য়াই-মনিক তরংবা!
হে“স” কৌবা লাইয়িংথৌ সনামহী!

[(সঃরেঃ, ১৯৯২, (থ, V-VI)]

(ঙ) থৌনীরোন [Prayer]

পাখংবা থৌনীরোন (চবান কৎপা)ঃ-

হে গুরু, লাইয়িংথৌ!

তূবী য়েকশোয়দবা, লাইরেন য়েকমাংদবা; তূবী মৈনা পুঙ, লাইরেন লূনা ৱাংবা; ময়াঈ শুমতোংপান, য়াংগোই শরোকপুঙ, তাইবং মীরু তোংনা ফমফম ৱায়েল্লকপা; নশানৌ ঈবেম্মা চীঙখৈ য়াইফু নিংথৌচনু খোইমোম লাইস্না মৈতৈলৈমগা চীঙঙু খোইয়ুম অনিমক্লা সনা ফম্বাল লাংদা ফমফল্লবা অসিদা নদাইরেম নখুন খুনবুকলেন অচঙবা অসিনা কুমসি চহি কুমজাগী চাবী চানৌ

কৎচরিয়ে। মিৎয়েং শানখৈরগা লুকলেন পামনা, পায়মা খোয়জঙনা তীল্লাং খোয়দানা হাবীয়ু, চীঙঙু ঈবুংঙো-ঈবেম্মগী তরা লূকলেমখাক অসিবু নশু হেবুংথৌ হেবেম্মশিংনা ফংজরগা চীঙঙু য়াব্রা, পুন্সি চরৈ নুংশাংববু পীনবীরম্মু। [খঃচঃসঃ, ১৯৮২, ৫১]

(চ) লাইরোন [Hymn]

ব্রাংব্রেনগী হেকৎ-লৈকৎ লাইরোনঃ

হে গুরু খানা চাওবা ব্রাংব্রেন!

পীশুম য়েকপা খোঙফৈ চাওবা

মুনা য়েকপা মুনা লাংবা

ঙাচিক কোনসু কোনমা লীংবা,

ঙারেন কোনসু কোনমা খাবা

লাইজা ঈথোঙ লোনবা, লেমলৈ ঙাথোঙ থিংবা

নশানৌ ঈবেম্মা তাল্লোই লুমলেন ৯ মক্কী

ফমফম ব্রায়েল্লিবা হে গুরু!

চীংঙু ঙালৌগী খাদা হৈকৎ-লৈকৎ তমজরিয়ে।

[খঃচঃসঃ, ১৯৮৪, ৪৩]

(ছ) লাইশোন [Spell]

য়েন্‌থৌরোনঃ-

উং-হৈ, উং-হৈ, উং-হৈ! কেয়োইমেনগা য়াইমেনগা থৌরী থৌরা লাংবু, থৌরী থৌদিল্লাংবু থাবা পোংথৌ তমলিয়ে, থাবা মাবু লান্নংদে। নুমিৎ পোংথৌ তল্লিয়ে, নুমিৎ মাবু লান্নংদে। য়াওব্রা কোনখাংশাগী পোংথোক মথং পীজগে। কুমজা পাল-লো থৌরিএ, থাজ পাল-লো থৌরিয়ে, ঙান্নরে, তেনরগে; উং-হৈ। ... [মথক্কীসিদা, ১-১২]

(জ) লাইশোন-তীনশোন [Incantation]

I) লইখোঙ-লইরায় কায়বগী লাইশোন-তীনশোনঃ

চীথেক ৪ মদা চক মরিংবা, তাং মরিংবা, মুং মরিংবা, কনতও-ও! নখোয় ৪মনা লইখোঙ-লইরায় কায়রববু চেৎনা ঙাক-ও! (মঃগঃ, ১৯৮৮, ৩০-৩১)।

II) খোইজু লমওককী লাইশোন-তীনশোনঃ

কোরৌ নোংথৌরেন-ও! ইক, ইক, ইক; লাইরেন ৱাংবা মৈদিংঙু! সনা নমিরেন, মিরেন থৌয়াংববু-ও:, ও:, ও:; ইক, ইক, ইক; থরই লেমলইলক্কী, ঈমু-ঈঙৌলক্কী, লইকু লইরায়নুংগী; তূরেন কাউশীঙ-কাউরানুংগী তীন্নরকএ-এ-এ-ইক!ইক!ইক!

পল্লেম নমানা তরেঙ খোঙথাং লঈনা লাইরেন নঙবু মিকৌরকপদি
ৱাহি-মোনু লাংদা থুগরবা হায়ববু থুফদবা লাং
হয়িং পেঙলোই লাংদা থুগবরা হায়ববু থুফদবা লাং
মোংবা অউপ লাংদা থুগায়বা হায়ববু থুফদবা
শল্লম ফৈথিং লাংদা থুগবরা হায়ববু থুফদবা লাং
লাংলোন মরম য়াম্ববু, মী-কপ্লাক নেৎথু
মীৱাইরেন তোংনা চরোৎ লাংদোন ৱাইনা
লাইরেন নঙ্বু হিং হিং খেনগারকলেদা-ও:!ও:!ও:!,ইক!ইক!ইক!
তুবী নশোং চাও, লাইরেন লূনা ৱাংনা হিং হিং খেনগারক্লেদা

[ঙঃকঃসঃ, ১৯৮৮, ২৮]

(ঝ) লাইশোন-লাইমিং [Invocation by Name]

চীঙমু-চীঙচাও কৌবদি শুমশঙনে। লাৎকদবদি খোইরু

লীক মাপননা কোনয়াই ওইয়ু। খুয়া ২গী তুনা লাইশম ওইয়ু।

লাদি খুবাক্তা হাপউ। মায়দি খোং অয়ুংবা চেনবা পাংও।

লাইমিংদি ঃ-

"ওঁ স, র, হ" ----- হায়না শোল্লু [নঃঅঃপঃ, ১৯৮০, ৩]

(ঞ) থৌগল লাইশোন [Entertainment]

হিচিং-হিরাউ/উয়াল্লোনঃ

চীঙডু খোয়ম লাইয়িংথৌ, খোয়ম য়াইবী য়েলহওগী

অমম লইশা হাল্লকপা য়াইবী ওংথি হুম ওইনা

....

কিয়োং লাইশঙ অসিদা চীঙডু নতৈ-ননাউনা ফমফমলবা অসিদা

.... কোরও নুমিৎ শীঙবুমদি

হরাউ শকশেম তম থৌদোক কুমৈববু ইয়োং শংদিং লাক্কে হায়রক্লে

ৱাকয়ৈ নখুনেৎ তোংচেৎ ননুংচঙ্ অসিবু ....

ৱাকয়ৈ হি চিংথোক্কে হায়বগী ....

পাখং লাংজেং মথোক লকপা নখোয়বু

হি হি হি ....

নহান নোং ঈয়ু নোংবান হোঙনেম লুৱাং পুনসিবনা

....

লুৱাং ৱাংমনাউ শীনহৈবা ....

কৌবা চীঙদা কানা তল্লা অঙনবা চাওথোইবা

পামেন চাওথোইববু হোয়াথরকপবু ....

অনসিনচিংবনি। মসি নত্তবা হীকাপ-য়াইকাপ, পোৎশেম-লাংশেম্, যাদু-য়াই থাবনচিংবগী মন্ত্র [Spell/incantation/charm, etc.] যন্ত্র [Formuliac and diagramatic representations, symols, etc.] কয়ামরুম, অমসুং হীথা-লাংথগী, অয়োক-অকনগী, ঙাকথোক-ঙাকশিনগী, অসিনচিংবসু লৈরি। মসিগী হিরমসিগী খঙ্জীক্তং ঈঙ্গ্রেজীদা থমজনীঙবদিঃ-

There are also charms, incantations, etc. under the category and style of Mantra-s for sorcery, wizardry, witchcraft, exorcism, shamanism, tantricism and black artistic norms, traits

and trends, etc. for evil spiritism and malevolent beings of inhuman supernatural spirits,

অসিনি। অদুগা লাইনীঙলোনগী ওইবা লমদাংদসু থৌরম খুদিংমক্তা থাদোক্লম্বা য়াদ্রবা নাহৈরোন/নাহাইরোন [Hymns for sanctification/ consecration], অনোইরোন [Spell relating to dance and dancing art], কোম্বারোন [Prayer for offering metals], য়ুকৌরোন [Spell related to offering of liquour], খয়োমলোন [Spell for offering oblation], হোঙনেমলোন [Praise songs related to meritorious aspiration], অহোঙলোন [Prayer song with regards to fertility cult], অসিনচিংবা কয়ামরুমসু লৈরি।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

"ঈরাৎ-লাইশোন" হায়বসিদি লাইনীঙ খুদিংমক্কী পীকপগীসু পীক্লা, অচৌবগীসু পাক্লা-চাওনা লৈনরিবা ঙাক্তনি। তৌদবু লাইনীঙদু ইল্লিবা চৎলিবা মীশিং অদুনা লোনবা/ঙাংবা মরোনগী মতুংইন্না মখোয় মখোয়গী মরোল্দা থম্লবা/লৈনবগী ৱাফম্নি। হিন্দুশিংনা মখোয়গী মরু ওইবা ঈরাৎ-লাইশোন পুম্নমক সংস্কৃত লোনদা থম্মী। অদুগা সংস্কৃত হায়বা লোন অসিদি ককেসোইড [Caucasoid] শিংগী ওইবা আর্য্যশিংগী মরোল্দগী লৈপাকসিদা হান্ননা লৈরম্লবা দ্রাবিদা, হিমালয়ান, নেগ্রোইট, অসিনচিংবা মী কাংলুপশিংগী মরোনশিং, প্রাকৃত [Native/indigenous vernaculars or local dialects] খরগা য়ানশিন-তোৎশিন্নদুনা শেন্নগা ফিজুম থারে, শেংদোক্লে [Refine] হায়দুনা খ্বাইগী ৱাখল ফাওনবা লোন [Lingua-franca] ওইহনখিবনি অমসুং লোনসি ঙাংবা অথোইবা অফাওবা মীওই খর পোকখিবনা মখোয়গী শেমগৎ-শাগৎপগী পরীংদা চাওখৎখিবনি। হিন্দুশিংনা বেদগী সংহিতা (শৈরেংগী ৱারোল/ৱারম (Poematic verses)] গী শ্লোক [Praise in the form of verse] শিংবু "মন্ত্র [Hymn] " হায়না কৌই, মসি মরু ওইনা ঋগবেদ সংহিতাদা কাইদোং ওইবনি অদুগা মখোয়গী বেদশিংসিগী ব্রাহ্মনশিংদি ৱারেংগী পরেংদা ইবনি। হায়রিবশিংসি মৈতৈগী ঈরাৎ-লাইশোনশিংদসু মচৎ অনিমকসি অদুম্মক লৈ। অদুগা তন্ত্র ধর্ম্মসিগী অমন্বা/অমুববু থাজবগী ৱাখল্লোনসিনা হৌরকখিবদগীদি

লোন ২/৩ য়ান্ননা য়াওবা মন্ত্র/লাইশোন্দুনা মহী-ময়াই কনবা হেল্লি হায়বা ৱাখল অমুক হাপচিল্লকখি। মদুনা ভারতবর্ষগী মনুংদা লৈরিবা ধর্ম্ম শাখা, সম্প্রদায় অমসুং শ্রেনীশিংদা লোয়না চঙখিবনা মদুগী মহৈদু মৈতৈ লাইনীঙ-লাইশোন্দসু মমি তাই। খুদম ওইনাঃ-

১) লাইয়িংথৌ মৈ তরং, ঈশিং তরং, নুংশিৎ তরং, তরং অহুমমপু নঙকী খুৎথুমতা চঙলে॥ নহাকপু সনাথাঙ কৌয়ে। হ, র, স, হিং, হিং, হিং, খিং, খিং, খিং কৌএ॥ [ব:ক:, ১৯৮৯, ৪৭]।

২) লাইয়িংথৌ মৈসুং তরং-ও, ঈশিংসু তরং-ও, নুংশিৎসু তরং-ও! তরং ৩মকপু নঙকী খুতুমতা চঙলে নমিংপু পুরান কৌনা লৈরে। নমিংতি শং শং খিং খিং কৌয়ে [মথক্কীসিদা, ১] ॥

অসিশিংসিনি। মন্ত্র মশা অমতদা মতমগী খোঙথাং অমসুং মনাৎকী লীচৎনা পুরকপা খুদোন্না মশক খর মখে হোংদুনা সংস্কৃত ৱাহৈ য়াওরক্লিবসিনি।

মৈতৈ-লাইনীঙগী থৌমীশিং/থৌবুবশিং

মৈতৈ-লাইনীঙগী ওইবা থৌমীশিং/থৌবুবশিং অসি মশক অহুম থোক্লা খায়দোক্কুনা লৈ। মখোয়দুদিঃ- (১) য়োঈরেন/পণ্ডিত, (২) অমাইবা/মাইবা অমসুং (৩) অশৈবা/পেনা হায়বা অসিশিংসিনি। মৈতৈ উমংলাইশিং অসিদা নীজদুনা/লাইরাৎ-থেল্লাৎচদুনা অফবা/শেন্বী-শাবীবা নৎত্রগা ফত্তবা/থুগায়-য়ৈখায়বগী মহৈ থোকহন্নবগী লাইথৌশিংদা হায়রিবা অহুম অসিনা খ্বাইদগী ঈহেন হেন্না চঙদবা য়াদনা মথৌ তাবশিং হায়বদু মখোয় অহুমসিনি অমসুং কনাগুম্বা লাই অমা করিগুম্বা মখল অমগী ঈরাৎ-থেল্লাৎপদা পাল্লিবা মহৈদু থোকহন্নবগী মরম পুম্নমক অদু মখোয় অহুমসিগী পুকচেল তিঙবা, কথোকপা, ৱাখল চাওথোকপা অমসুং মখোয়না লাইশিংবু থাজজবা-নীঙজবগী মতীক-ময়াইশিংদুদা শাদোং ওইদুনা লৈ। হায়রিবা থেংনমনবদগী হৈ-শীংলবা অমসুং তোয়না তৌবা অমদি থাজনা ওঝা-গুরু খল্লকপদগী খঙ-হৈরবা অহুমসিগী মনুংদগী অমত্তং লাইথৌদু-থৌরম তৌরমদায়দা ৱাৎলবদি মৈতৈশিংনা পাঙথোক্লিবা লাইথৌদু মশাগী অচুম্বা পরীংদুদা তাদবা/পাংথোকপগুম খন্নে/লৌনৈ। মরম অসিনা মখোয়গী ঈকাই-খুম্নবগী থাকসি

মৈতৈ সমাজদা য়াম্না ৱাংনা লৈ। হায়রিবা মখোয়সিগী চাওরাকপা শক্তম খর মখাদা থমজরি।

১) য়োঙ্গীরেন/পণ্ডিত

"য়োঙ্গীরেন" হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্দোক্তি "লুনা-চান্না তৌদুনা থম্বশিংগী মরক্তগী অথোইবা মী/পোৎ" হায়বনি। নিংথৌশিংনা মহৈ-মশীং হৈবা মীশিংবু য়োক-কন্দুনা থম্মী, লুনা তৌই, হায়বসিদগী মসি পণ্ডিত হায়বা সংস্কৃত ৱাহৈসিগা ৱাহন্দোক মান্নহনখিবা মাল্লি। "য়োঙ্গীরেন" হায়বসি মৈতৈ লাইনীঙলোনগী অমসুং লাইনীঙশিং মরমদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা, লৈরিবা মৈতৈ উমংলাইশিংগী মরমদা মখোয়গা মরী লৈনবা হিরমশিং অমসুং লাইফম-তীনফম্নচিংবগী লমদাংশিংগী কুপ্পা থি-হুন্নবা অখঙ-অহৈনি। মখোয়গী মহৈসি ওঝা নাইদ্রবদি অমসুং গুরু খন্দ্রবদি পাক হেক্তা ফংবা য়াদ্রবা, অদুগুম্বা মহৈ-মশীংনা মপুঙ ওইবনি। মৈতৈ লৈপাক্লা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা মখোয়গী লোইশঙ-"য়োইরেন-শঙ/শঙনামুং" নৎত্রগা "য়োঙ্গীরেন লোইশঙ" কৌদুনা লৈরম্বদগী 'পণ্ডিত লোইশঙ" হায়দুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতমদগী কৌখি [নঃখঃসঃ ১৯৮৯, ১০]। মখোয়গী লোইশঙগী মকোকপু য়োঙ্গীরেনহনবা অমসুং মাগী মথংবু য়োঙ্গীরেন হিদং কৌম্মী। অদুবু মখোয়গী লোইশঙসি লীংখৎখিবগী অশেংবা কুমশীঙ, থাবান, নুমিৎনচিংবদি অমম্বগী ফিদুপনুংদা লৈরি।

মৈতৈ উমংলাইগী করিগুম্বা থৌরম অমা তৌবা তারকপদা য়োঙ্গীরেন্না লাই অদুগী মরম পূন্নমক-হওরকফম, মতীক-মঙম, মহী-ময়াই, লাইওন-লাইচৎ, মরোই-মতাল্লোই, থৌরমগী পোৎচঙ-চৈজঙ, লাইশোন, মিংখৈ, অসিনচিংবদু অমাইবা-অমাইবী, মাইবা-মাইবীদা অমসুং অশৈবদা খঙহনগদবনি/তাক্কদবনি। অমাইবা অমসুং অশৈবগী মথক্তা য়োঙ্গীরেন্না লৈদুনা লাইথৌ-থৌরম তৌরিঙৈগী মতমদা মখোয়বু শেন্নদুনা অরান-অশোয় থোকহন্দনবা য়োঙ্গীরেন্না শীল লাংগদবনি। অদুগা লাইথৌদু করম্না মায় পাক্লা, মখোয় মশাগীসু শাফনা, কৎচরিবা মীগীসু য়াইফনা অমসুং লৈপাক-খ্বাইগীসু অফ-নুংঙাই ফংনবা/ওইনবগী অকুপ্পা অমসুং অরোনবা লম্বীশিং মহাক্কা থৌরম তৌমিন্নরিবশিংদুদা তাক্কদবনি। তশেংনমক হায়রবদি য়োঙ্গীরেন, মৈতৈ-লাইনীঙলোনগী উকায় মথক্তা তোংলি-নেৎলিবা মীশক্কুনি। য়োঙ্গীরেন লোইশঙ

অসি মৈত্রবাক্কী মহৈ-মশীং লোইশঙ শঙলেন [এজুকেসন ডিপার্টমেন্ট (Education Department)] সুনি, লাইনীঙলোনগী ব্রায়েল কাতি শঙলেন [Religious court] অমসুং লাইনীঙ-তীন্নীঙগী লাংজৈ-ময়োৎ ওইরিবা লোইশঙলেন-শঙলেন [Axial religious department/institution] নি অমদি য়োঙ্গরেনহনবসিনা মৈতৈ লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী ওইনদি রোমান কেথোলিক [Roman catholic] কী পোপ (Pope) কুম্বনি।

মচৎ-মান্নবশিং [Similarities]

য়োঙ্গরেনগা মচৎ-মান্নবা লাইনীঙলোনগী ওইবা মীশকশিংসি লাইনীঙলোন পুম্নমক্কী লৈনরিবা ঙাক্কনি। টিবেটানশিংগী লমাশিং [Tibetan Lamas], ব্রাম্মাশিংগী পূঙগ্যী [Hpoon-gyee] শিং, হিন্দুশিংগী পুরোহিত [Hindu Purohita] শিং, খৃষ্টানগী বিসোপশিং [Christian Bishops], অসিনচিংবগা মান্নৈ হায়না চাংদম্নবা য়াই। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না নক্কনা মান্নরিবদি হিন্দুগী যজ্ঞ অমসুং পুজা [Sacrifice and worship] কী পুরোহিত [Priest] শিংগী মরক্তা ব্রহ্মা [Brahmaa, the scholastic preceptorial priest] হায়বদুগনি অমসুং মান্নবগী চাংদম-থাক লৈরিবসি মখোয়-মখোয়গী মথৌ, মঙম, মপাঙ্গল, মথৌদাং, অসিনচিংবদা য়ুম্ফম ওইবনি।

২) অমাইবা/মাইবা

"অমাইবা" খর থেংথরক্লগা "মাইবা" হায়না খঙনরিবা মৈতৈ লাইনীঙগী থৌমী/থৌবুবা অসি লাইথৌ-থৌরমগী লাইরাৎ-থেল্লাৎশিং-চরাৎ, করাৎ, মোরাৎ, ঈরাৎনচিংবগী মরুওইবা থৌগায় অমসুং থৌদাং লৌরিবা মীশক্নি। মহাক্কা মান্নবা ব্রাম্মাশিং নাট লাইনীঙলোনগী থৌমী/থৌবুবশিংবু য়ুরোপিয়ান মচা(শিং) না শমান [Shaman] হায়দুনা শীজিন্নৈ। শমান হায়রিবসিদিঃ-

(i) Shaman ... a doctor-priest working by magic, primarily of N. Asia [T.C.C.D., 1974, 124.]

(ii) Shaman. Originally a Siberian medicine man; by extension, a medicine man in any primitive society. A shaman has supernatural power which stems from its original source to

which he has accessed. He has not only the power to cure but sometimes also the power to harm some societies had contested among the shamans.

Among the Siberian Chukchee, a shaman was a man who lived as a woman, taking the passive role in Sodomy. The shamans and their "husbands" sometimes both had female mistressess.

[E.B.T., 1991, 478]

অসিনি। মরম অদুনা ৱাফমসিদা মৈতৈগী অমাইবশিংসিগা খর মখৈ খেন্নবদি লৈরে। মখোয়না হায়রিবসি মৈতৈগী লাইনা-তীন্না, লাইচু-লাইতোংবনচিংবগী লাইয়েং-লাইকন্নরিবা মাইবশিংগী ওইনদি চপ চান্নে। অদুবু মৈতৈ লাইনীঙলোনগী অমাইবদুনা হীদাক্লোন-লাইয়েংলোনগী মাইবা ওইরবদি হায়রিবা মমিং মথাসি চানৈ।

মৈতৈগী লাইনীঙলোনগী লমদাংগী অমাইবশিংনা লৌরিবা মশকসি মৈতৈগী লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মশিংগী লাইবুঙ-লাইকংলাগী লাইশঙ-লাকথোঙ মমাঙদা লাইথৌ-থৌরম পাংথোক্লবা থৌশীল্লিবা/থৌরাংলিবা মী অদুগী মহুৎ শিনবা, মাগী ৱা ঙাংবীবা/ৱা-পুবীরিবা মীওই [Pleader/Advocate/ Barrister] ওইনা লেপই। ৱায়েল-শঙদা উকিলশিংনা জজগী মমাঙদা তৌবদুগা অমতগী মশক্লি। মহাকসি লাইথৌ-থৌরম অমগী থৌরম-পরেংদা য়াওরিবা থৌরমশিংদু লাইগী লাইরী-লাইরম [মখাদা পীজরিবা চার্ট (Chart) তা য়েংবীয়ু] পরীং চুম্না লাইরাৎ-থেল্লাৎ পাংথোক্লবগী থৌদাং পুম্নমক পুরিবা মীশক্লি। মহাক্না লাইথৌদুগী ঈরাৎ-লাইশোন পুম্নমক কৎকনি অমসুং য়ুম্লুগী মহুৎ শিন্দুনা লাইদুদা খুরুম-খাজঙগনি। অমাইবনা য়োঙ্গৈরেন্না পীবা-তাকপা লাইশক-লাইচৎনচিংবগী মতুইন্না ঈরাৎ-লাইশোন শোনগনি, থীগনি অমসুং লাইথৌ-থৌরমশিং লৌখৎ-পায়খৎকদবনি।

মৈতৈগী অমাইবশিংসি লাইনীঙলোনগী অচেৎপা থাজবগা লোইননা লাইথৌ-থৌরম তৌবগী শক্তমশিংনি। অদুবু মীওইবগী থাদোক্লবা য়াদবা লাইনা-তীননা অমসুং মখোয়সিগী লাইকোক-তীনকোক্লবা লাইয়েংবগী ৱাখল্লোনগী ঈথীন্না য়ৈরকপদগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌশীল-থৌরাংগী পান্দম অমসুং পাদমগী মখাদা লাকপনা অমাইবসিদগী ‘‘মাইবা’’ হায়বা লাইয়েং-

লাইকন্দা য়ুম্ফম ওইবসি থোক্লকখি। মসি থোক্লকপগী লমদাংসিদা থমজনিঙলিবদিঃ-

The Amaibas are religiously spiritual priests, but when the Maibas the shamanic, exorcizing, witching, sorcerous, etc. therapists/therapeutists were turned up in the Meitei society, the Amaibas who worshipped/worships spiritually for curing/healing diseases or ill/sick people were also began to denote by the nomenclature "Maiba".

অসিনি। অসুম্না লৈরিবা অমাইবশিংসিগী থায়নদগী চৎনরকপা ওইনা মখল/মথেল খর খায়দোক্লুনা লৈ, মখোয়দুদিঃ-

১। অমাই মনাউয়োকঃ- নিংথৌগী অনা-লাইয়েংগী ওইনা থম্বা অমাইবনি। লাই-তীনগী লাইশোন-তীনশোনগা হীদাক-লাংথক্কা ঈরোইননা অনা-লাইকন লাইয়েংনৈ।

২। খাবী থিয়াথৌঃ- লৈপাক খ্বাইগী মঙচঙ-মঙদাবা অমাইবনি। মশাগী ওইনদি হীরী কোনবা [Ascetic meditation], লাইনীঙ পরৈ লৈবা [Concentration of mind on a divinity] অসিনচিংবা তৌজবা মীনি। লাই-তোংহন্দুনা লাইরোন হংনবগী, মাইবী চঙবগী ফিভম [Trance: ecstatic/exalted stage] ঈশ্বরনা পীথোক্লকপগুম তৌবা অমাইবনি।

৩। অমাই শুমতোংলাংঃ- কিথুম পুবা [Fortune teller]; লাই-তীন্না পুব [Diviner/dowser] গুম লাইবক নোংদমগী খুদম-চাংদম য়েংবা (খেন-চাং য়েংবা) মখলগী অমাইবনি।

৪। কোন্দে নাকথং-মাই(বা)ঃ- ঈরাৎ থৌনী (Veneration) তৌদুনা, লাই তাইনবা [Pacification of divinity] অমসুং মশা হীরী কোন্দুনা লাইশিংবু ফাথবা অমসুং ফাবা ঙম্বা অমাইবগী মখলনি। মখোয়সি, ব্রাখল ফাজিন্দুনা ব্রাখলগী মতীক (Mind power) শীজিন্নবা ঙম্বশিংনি।

৫। অমাই-লাইরম-পুঃ- য়োঈরেনবুনি।

৬। কোন্দে খুচুম-মাইঃ- ফাথিবদা মমিং লৈবা, লাইরিক লেঙবা [Writer], শৈরেংবা [Composer of Lyrical and poematic verse],

ৱারী-শীঙবুন সেম্না-শাবা [Commentator of story/tale] অসিনচিংবগী মতীক-ময়াই চেনবা অমাইবা মখলনি।

৭। **অমাই থিয়াথৌঃ**- লাইনীঙলোন, লম্মিৎলোন, উরোন, ৱারোন, থুমখোংলোন, অসিনচিংবা লৈঙাকলোন, খুন্নাইলোন, শেন্দান শেনচৎলোল অমসুং মখোয়শিংসিগী মরী লৈবা হিরম পুন্নক্তা খঙ-হৈরবা অমাইবা [Professorial personnel] গী মখলনি। মখোয়সিদি য়াম্না তাঙই। খুদম অমত্তং পীবা তারবদি- মৈদিংঙু থাংৱাইনিংথৌ সেনপী মুংয়ামপা... গী মমাইবা অকোং থিয়াথৌ [নঃঅঃ,১৯৮৩, ৭০] অসিনি।

অসিশিংসিনি। অদুবু মৈতৈ লাইনীঙলোনবু বৃটিশ মচাশিংনা মাঙহন-তাকহন্নবা হোৎনখিবশিং (চৈঃকুঃ ২০০৫, ৪৯৬-৫৫০) অসিনা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী থৌমী/থৌবুবশিংদা পুক্নীঙ শোহ্নহনব [Moral assassination] গী ৱাখল্লোন পীখিবনা লাইনীঙদা পুক্নীঙ থিংজিনবা ৱাহল্লকপ্রা হায়না থাজজে।

মচৎ-মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী অমাইবশিংনা মৈতৈ লাইনীঙগী অমসুং লাইনীঙলোন্দা অমদি মখোয়শিংসিগী লাইথৌ-থৌরমশিং, ঈরাৎ-থেল্লাৎপশিং, অসিনচিংবদা লৌরিবা থৌদাং, পুরিবা থৌগায়, পাঙথোক্লিবা মথৌনচিংবসি শ্রাম্মাশিংগী নাট লাইনীঙগী থৌদাং পুরিবা নানদেইন [Nandein=লাইপু], নাট-ওক [Nat-ouk= অমাইবহনবা] অমসুং ৱুংগি [Wungyi= অমাইব] শিংগা চপ মান্নে। খেন্নবা হায়ববু লাইশক-লাইমিং খেন্নবা অমসুং জাতি কাংলুপ তোংঙান্নবা অসিখক্তা মাল্লি। অদুগা অমাইবশিংসি হিন্দুগী লাইনীঙলোন খুদিংমক্কী ওইনা লৈরিবা 'পুরোহিত [মৈতৈনা, "পুরিৎ" (Priest)] হায়বা, মরু ওইনা বেদগী যজ্ঞ অমসুং মতুং তারকপগী পূজা তৌবদা অথোইবা শরুক য়াদুনা মন্ত্র থীরিবা অদুগা মান্নে। ৱাফমসি, চাংদম্নরিবা অনিসিগী মথৌ-মঙম, মতীক-ময়াই, থৌদৌ-থৌওংনচিংবদা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিং অমসুং পুরিবা থৌগায়শিংদুদা মিৎয়েং থমদুনা হায়জবনি। মখোয়সি হিন্দুগী যাগ-যজ্ঞগী পুরোহিত মরিগী মনুংদা ঋগবেদগী পুরোহিত হোতৃ [Hotr] গা মান্নগনি (মখাদা হিন্দুগী মতাংদা য়েংবীয়ু)।

অমাইবশিংগী মান্নবা "পী" গী শক্তম "অমাইবী"

মৈতৈ অমাইবশিংগী "পী/নুপী" গী শক্তমদা লেপ্লিবা, হায়বদি অমাইবগা হাইরপ মান্নবা মথৌ-মঙমগী মিৎয়েংদা থৌদাং লৌরিবা অমসুং থৌগাই পুরিবশিংবু "অমাইবী/মাইবী" হায়না কৌই। করি-করিগুম্বা মতমদা অমাইবী/মাইবীশিংনা অমাইবশিংগী মহুৎ শিন্দুনা থৌরম পাঙথোকখিদবা নত্তে নৎত্রগা মখোয়না ঙমদ্রবা থবক্তু অমাইবীনা পাংথোকখিবা য়াওদবা নত্তে। তশেংনমক্তি অমাইবীশিংসি অমাইবশিংগী লাইথৌশিংদা তেংবানবা থোক্লকখিবগুম তৌরবসু মখোয়গী মতীক-মগুণ হেনগৎহন্নবগীদমক্তা লাই-তীনগী [Mythical] নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী [Legendary] ওইবা ৱারী-শীঙবুন শাগত্তুনা থম্মী। হায়জরিবসিগী খুদম চাংদমদিঃ-

...নিংথৌ পোংপা তরামনা ৱাতাথিএ॥ তৌয়িকিতি, তুপী ঙাংয়েক চনু, তংকানুপী ফুয়তিংৱাক, কোরৌ নোংমাইহনপী, মালেম লৈমাইহনপী-ও! নপন লাইরেন তাউরোইনাইপু পাউথেমলু-ও। হায়না থৌনেকখিপতা... তুপী ঙাংয়েক চনুনা লাইরেন মকোননুং, তুপী ময়ানুংতা ৱাইথুংখি-এ। মপন লাইরেন তাউরোইনাইপু পুনেমখিএ। মরোই অঙানপপু পাউথেমখিএ... খাপী মচীন লেঙ-লেংনা... অমাই ময়া-থংকিপু, য়োইময়াই তাউতনপা তুপী মকোননুংকীপু য়াঙনা লমহওখৎলকএ।... য়োঈময়াই তাউতনপনা অৱাং চীঙখে লঈনাথোং সতু চীঙলাই ঙাল্লকলপতা [ও:ভ:, ১৯৭৭, ৩৫-৪০]॥

অসিনি। অদুনা মাইবা-মাইবীশিংগী লাইরোন ৱারীদদি হায়রিবী লাইরেম্মা পাম্থোইবী, নুমিৎপু থেমগৎখিবীসিনা মাইবী পুন্নমক্কী পুকোক ওইবীনি [ল:ক:, ১৯৮৮, ১৯৫-৯৬] হায়না পীরি।

অমাইবীশিংগী মহে-মশীং অমসুং মচৎ-মনাৎসি য়াম্না লিনা লাইওই-তীনওইবগী ৱাখন্দা পুখত্তুনা থল্লিবসি নত্তনা "মীগী থবক্তা মীনা তৌবা, লাইগী থবক্তা লাইনা তৌবা" হায়বা শোয়দ্রবা ৱাফমসিদা মিৎয়েং থমদুনা য়েংলকপা তারবদি "মৈতৈনা" লাইদা নুপী থাজবা" গী লাইথৌ মচৎসি হৌদোক্লিবা মখৈদি খন্ন-নৈনরিবা মচৎ-মনাৎনি ওইরক্লবগী মরূ লৈতে। হায়রিবা লাইশিংগা সীম্বোলিক মেরিয়েজ [Symbolic marriage] তৌরিবী নুপীশিংনা মখোয়গী মপুরোইবা ওইরিবা লাই(শিং) দুনা ঈ-পাউ/ৱা-লান ফাওনৈ, মখোয়দা লাইবাউ

পী অমসুং মখোয়না লাইবাউদু মী অতৈদা তাকপী, হায়বসিনা মাইবী-চঙবা, নৎত্রগা অমাইবী ওইরক্লবগী অহানবা খোঙথাংনি। মমৈথংদা অসুম্না লাইগা লুহোঙদবীশিংদসু অসুম্না লাউবাউ পীবসি থোক্লকখি। মাইবী-চঙলে, লাই তোংলে, অসিনচিংবা কয়াসি লাকপদগী মাইবীগী শীনফম, মাহে-মশীং অমসুং মচৎ-মনাৎশিংসি তমদবা য়াদবা ওইনা লৌরকখি। মাইবী-চঙবা লাই তোংবনচিংবা ত্রাঞ্চ [Trance] তা লৈবগী ফিভমসি এস্টাটীক ষ্টেট [Ecstatic state] হায়বা নৎত্রগা কটালেপটিক ষ্টেট [Cataleptic state] হায়বসিদা পীরিবসিঃ-

Catalepsy: Noun, condition where a patient becomes incapable of sensation, his body is rigid and he does not move for long periods, especially in schizophrenia.

Schizophrenia noun, mental disorder where the patient withdraws from contact with other people,has delusion and seems to lose contact with the real world.

[P.H.C., 1990, 52, 306]

অসিনি। মসিবু অমুক মৈতৈ মাইবীনা পীরিবনাঃ-

খাবী নপী খঙনা খোইয়ুম লীতীন-নোংদীনল্লৌ-ও! অসিবু খঙলবদি হে খাবীশিং-ও! কোরৌ মালেমগী শুঙদায় ব্রোই, তাইবংগী পাউহংববু মাল্লং লাংওন-পাউবু শেংনা হায়বা ঙম্বনে, তরেৎ শেনমিৎ থৌবনে। শমু খুত্তোন খৃৎচা খুদিংদা খোয়ুম লাইনা লৈগদবনে। তাঙনা খঙ-উ। খোঙকাপ নাওরৈ থাংবদা চীঙ্ঙু শাব্রুম থিনগদবনে। য়াব্রা খোনফম হায়বদা চীঙঙু লাইপাউবু ওইজবনে হায়না তাঙনা খঙউ [লঃকঃমঃ, ১৯৮৮, ১৯৭]।

অসিনি। অসুম্না অমগা-অমগগী পল্লেপফম-পচ্ছুংফম খঙনদনা লৈহল্লি। ইতিহাসকী মিৎয়েংদা মৈতৈনা লাইদা নুপী থাজবগী মনাৎসি খৃঃ ১৬১৭ তা হৌদোকখি (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৩৬) অমসুং মসিবু মৈতৈ মাইবীগী মনাৎকী হৌরকফম মরূ ওইনা লৌবা য়াই। লাইয়িংথৌ পাখংবশিংগী, অতিয়া গুরুগী,অসিনচিংবগী লাইগী ব্রানি, লাইনা তৌববু মীনা খঙবা হৌনদে। মাইবীদি মীনিনা মীগী ওইবা হওরকফমদুদা লেপ্পনা শাফগনি হায়না খঞ্জে।

মৈতৈগী অমাইবীগী মচৎ-মনাৎসিদা মখোয়গী মখল খর অমাইবশিংগী ওইনা খায়দোক্কুনা লৈবা অদুগুম্না লৈ। মখোয়দুগী চাওরাকপা মশক-শক্তমগী মরমদা ৱারোল খর মখাদা থমজরিঃ-

১। খাবী [Seriously ascetic priestess]:- মখোয় অসি "তম্পাক লইহও অমাইবীশিংনি। লাইথৌ-তীনথৌদা পুক্লীঙ-থিংজিন্না ঈরাৎ-থৌনীজবী, পুক্লীঙ লাইনীঙ-হীরী কোননা লাইরাৎ-থেল্লাৎ তৌবীগী মখলনি। তম্পা ৱাংঙমলোন পাম্ফোইবীনা মখোয়গী পুকোক্লি, মমানি।

২। খোমলেন মঙজঙ থৌবী [Priestess, communicating divinity(ies) in dream(s)]:- মখোয়সি "ঈপী" হায়নসু কৌই (লঃকঃমঃ ১৯৮৮, ১৯৬)। পুক্লীঙ হীরী কোন্দুনা য়াতাখ্রগা মঙপাউ-লাইবাউ লৌবীশিংনি। মখোয়গীদি চকপা লমলাং মাইবী/অমাইবীনা পুকোকনি, মমানি।

৩। অমাই-পাদম্বী [Fore casting priestess on seeing the divine signs, hints, etc. such as, looking the surface of rice in the cooking pot, seeing the spleen of animals of sacrifice]:- মখোয়সি লাইগী খুদমবু পাদমদুনা [Measuring in the mental scale] তুংলমচৎপু পাউতাকপীনি। লাইনীঙ পরৈ লৈরগা লাইবাউ পীনৈ।

৪। তরেৎ-শেনমিৎ অমাইবী [Female soothsayer by judging/studing the position of coins dropped on the floor]:- মখোয়সি খবীগী শীঙলুপ্তা চনবীনি। অদুবু খাবীশিংনা শেনমিৎ য়েংবসি তাথীবদগী খায়দোক্লকপনি।

৫। শরীক চোমজাও-শূবী [Habitual ringer of hand-bell]: মখোয়সি শরীক পায়দুনা খোযুম লাই থেম্বী, লাউবাউ লৌবী অমসুং চেনবীনি। শরীক পায়বসি ইন্দিয়া অমসুং খা-নোংপোক এসিয়া, ইন্দিয়ান ওসিনিক [Indian oceanic] আইলেণ্ডশিং, ইন্দোনেসিয়া, অষ্ট্রেলিয়ানচিংবা লমগী অদিবাসি [Primitive people] শিংগী খ্বাইগী ওইবা মনাৎনি অদুবু মৈতৈ মাইবীনা চীঙঙু লাইমাঙ ফম্বসিগা খরদি খেন্ননা উজৈ।

অমাইবীশিংসিগী লোইশঙলেন অমসুং লোইশঙশিংসি মৈত্রবাক্তা করম্বা মতমদা লীংখৎখিবগে হায়বসিগী চপ-চাবা অইবা ৱারোল ফংবা ঙম্লদ্রি।

অদুবু মখোয়শিংসি লোইশঙ অহুমখক্কী মখাদা লৈ। হায়রিবা লোইশঙশিংদুবু শঙলেন, নোংমাই অমসুং ফুরা লোইশঙশিং হায়না থোন্দুনা থম্বীরম্মী। মখোয়গী চাওরাকপা শক্তমদিঃ-

(ক) শঙলেন লোইশঙঃ-

অমাইবী লোইশঙ হায়বসি "মঙাং" হায়বসি নুমিৎনা তরং-তরং হুন্দোক্লকুনা তঙাং-তঙাংবা মশক চেল্লিবা নুমিত্তুগী/নুমিত্তবু শাইয়োন অমসুং/নৎত্রগা লাংওন ওইবা লাই(শিং)বু ঈরাৎ-থৌনীদা, লাইরাৎ-থেল্লাৎপনচিংবা পাংথোকপা হায়বদি নিংথৌজা য়েক্কী ওইবা লাইশিংগী লাইথৌ তৌবা অমাইবীশিংনা তীনবা/কাবা লোইশঙবু খঙনৈ অমসুং মসিগী অমাইবীশিংবু শঙলেন অমাইবী/মাইবী হায়না খঙনৈ। হায়রিবা শঙলেনসিগী অমাইবীশিংনা লাইথৌ তৌগদবা লমকনগী লমখৈদি-নোংচুপ্তা কাংচুপ চীঙখোঙ, নোংপোক্তা ইম্ফাল তুরেন, অৱাংদা ইম্ফাল তম্পাক্কী অরোয়বা শরুক্তা লোইননা কৌব্রু চীঙজাওনা কোনবা অমসুং খারোমদা হৈপোকচীঙগোন ফাওবসিগী মনুংদা পোকখি-শাৎখিবা, হওখি-থোকখিবা মী-লাইশিংগী থৌরমশিং তৌই অমসুং থায়নঙৈদগী মফম কল্লি হায়না লৌনবা লাইয়িংথৌশিং অমসুং লাইরেম্মশিংগী লাইথৌ থৌরমশিং তৌই।

(খ) নোংমাই/লংমাই লোইশঙঃ-

অমাইবী লোইশঙসি "লুৱাং" হায়বদি, নুমিৎনা কোক্তোন লোম্না মহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা মফম [Meridianal climax/zenith] দা লৈবা মতমদুগী নুমিত্তুগী/নুমিত্তুবু শানওনবা অমসুং/নৎত্রগা লাংওনবা লাইশিং অদু অমসুং মখোয়গী লাইচৎ-লাইওনগী লাইশিং অদুগী লাইথৌ পাংথোকপা অমাইবীশিংবুসু নোংমাই/লংমাই অমাইবী হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লংমাই/নোংমাই লোইশঙগী অমাইবীশিংসিনা লাইথৌ-থৌরম পুগদবা লাইশিংগী লমখৈদি মণিপুর তম্পাক্কী নোংপোক্কী ঙমখৈ লোয়বা, অৱাংদসু মৈত্রবাক্কী লমখৈ থেংবা অমসুং খাদা খুমনগী ঙমখৈ হায়বদি ৱাইথৌ-পাৎ য়ৌবা ফাওবগী লমদম অসিদনি। হায়রিবা লমকনসিগী মনুংদা লৈরিবা লাইশিংসি অঙোম য়েক্কী ওইবা লাইশিং ঙাক্তনি অমসুং হায়রিবা লাইশিংসি অয়াম্বনা লাইয়িংথৌ অশিবগী-লাইচৎ লাইওন্না আয়ম্বনি।

(গ) ফুরা লোইশঙঃ-

অমাইবী-লোইশঙসি ''খুমন'' হায়বদি খূনা মন্না তাথরক্লিবা নুমিৎ [Setting sun] গী লাংওন নৎত্রগা/অমসুং শানওন ওইবা লাইশিং নৎত্রগা লুৱাং চেংলৈ, খা-ঙানবা অমসুং মোইরাং য়েকশিংগী লাইশিংবু লাইরাৎ-থেল্লাৎ তৌবা, ঈরাৎ থৌনী তৌবনচিংবা পাংথোকপা অমাইবী/মাইবীশিংনা কাবা লোইশঙনি অমসুং লোইশঙসিগী অমাইবীশিংবু ফুরা অমাইবী/মাইবী'' হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লোইশঙসিগী অমাইবীশিংনা লাইথৌ থৌরম তৌগদবা লাইশিংগী লমকন অমসুং মদুগী লমখৈশিংদি- নোংপোক্তা ইম্ফাল তুরেন, নোংচুপ্তা মৈত্রবাক্কী ঙমখৈ থেংবা, অৱাংদা হৈপোক চীঙগোন অমসুং খাদা মৈত্রবাক্কী ঙমখৈ লোয়বা ফাওবনি।

অসিশিংসিনি। হায়রিবা মাইবী/অমাইবী মখল অহুম, মখোয়গী লোইশঙনা খায়রকপগী মতুংইন্নাথোক্লিবসিগী ''লাইহওরোন লাইরোন'' শিং মান্নদে, তোংঙান্না অমসুং তোপ্পা-তোপ্পা অদুম্মক লৈনৈ। মখোয়গী মচৎ-মনাত্তা চাওরাক্লা য়েংবদা খঙদ্রবসু অকূপ্পা মিৎয়েংগী লমদাংদি খর মখৈ খেন্ননা অদুম্মক লৈ।

ব্রাম্মাগী নাট লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী পরীংদা লৈবগুম মৈতৈ উমংলাই লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনসিদসু ''নুপা মাইবী'' গী মচৎ অমসুং মনাৎসি লৈ [M.M., 1980, 285]। হায়রিবা নুপা মাইবী, নুপানা নুপী শাবশিংগীসু লাই-তীনগী নৎত্রগা লাইওই-তীনওইবগী ৱারী-ৱাখোঙ কয়ামরুম, শাগত্তুনা, পুথোক্তুনা লৈ। মখোয়শিংসি হিন্দুগী অহে-অশিং শাবা মুনি-ঋষিশিংগী মমিং পানশিন্দুনা লাই-ৱারী পঙশেমদা শেম্বা, ইন্দিয়ান হিষ্টোরীগী মুস্লিম যুগ [Muslim Age] গী খেন্ন-খেন্নবা পেরিওডশিং স্লেব ডাইনেষ্টি, খিলজী, তোঘলোক ডাইনেষ্টি, অসিনচিংবগী মতম তাংককশিং। [Periods of Slave, Khiljee, Tughlak, etc. dynasties] দা ইশিল্লম্বশিংগুম থম্বনা শাফগনি।

৩। অসইবা/অশৈবা

''অশৈবা'' হায়রিবা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লাইথৌ-থৌরমশিং, লাইরাৎ-থেল্লাৎনচিংবদা থৌমী/থৌবুবগী মনুং চল্লিবসি অমাইবশিংগী ''তেংবাং-মী'' ওইনা তৌই। হায়রিবা অমাইবশিংসিনা লাইথৌ-থৌরম(শিং)

গী ঈরাৎ-থেল্লাৎপদা (১) লাইথৌদুগী শেনবী-শাবিবা [Sponsorer], (২) থৌরম থৌশীন-থৌরাংজরিবা(শিং) গী হকথেংনবা মীহুৎ অমসুং (৩) মহাক-মশানা অফ-ফত্তবগী থৌদাং পুগদবা মীশক ওইনা লৌরিবা মথৌ-মঙমশিংদুদা ঙমজবা মহৈ-মশীং পুথোক্তুনা তেংবাংঙি। লমদাংসিদা য়োঈরেনশিংদি মহাক্কী তৌফম থোকপা মথৌদু তৌরম্লগা তুমিন্না লৈথোকখিবগুম উই।

অশৈবশিংসিদি পেনা [Meitei/Manipuree Viol] থাদা পাম্না শৈশকপা [Singer/songster with accompaniment of viol] অমসুং লাইথৌদুগী থৌরমদুগা মখোয়গী শৈথা-শৈরোনগা শাগোন্নবা অশৈবশিংনি। মখোয়না লাইশোন-শৈরেংশিংবু শৈশক-শৈশেমদা ওহ্নোক্তুন শক্লগা শোল্লিবা/থীরিবা লাইশোন্দুগা চানহন্দুনা ঈশৈনা শৈবাংবনি। মখোয়না ঈশৈদা ওহ্নোক্তুনা থল্লিবা লাইশোন, লৈশি-লৈথোনশিং, শৈথা-শৈরোনশিং, শৈরেং-থৌনীনচিংবশিংদিঃ-

(ক) অয়ুক্কী য়াকৈরোনঃ শেকমায় লাই হরাউবগী-

হৈয়াহে হে লীক্লাই ও! নহাননোং হৈয়িঙৈগী লৈনুং অশৈবা খাবা লাংথংচা তাউরোই পুংলেনগী অশৈ-পানমাবা, ঙাংনা লোনচা তওসূবা, খানীং লোনচা পুং-তোইবা, লৈরক অশৈ তেরানবা, লুখুম ফমশকপা পুংপু লেংলোইথোং, পুংচৈ ফৈনা হাইনা য়াইথোং নমলকপা, পলেম মমা... হাওশম তুংথাংনবী চীঙঙু নগাই নানৌপুঙবু ইনুং শীঙখোঙ য়াকৈরকলে (ৰঃলঃসঃ, ১৯৮৯, ২৩২-৩৩)

(খ) অহোঙলোনঃ চাকহোঙ-ঙাহোঙনবা ঈশৈ [Prayer song for fertility or abundence of foodstuff and higher population] শিং খুদম ওইনা স্নামহী অহোঙলোনঃ-

হে হৌ হে হৌ হে হৌ, হোঙনেমলো হোঙনেমসে

লমলেন 'মদা হোঙনেম্বা কংলৈ য়োন্দা হোঙনেম্বা...

(গ) পাখংবা লাংয়েন-শৈঃ লাইয়িংথৌ পাখংবনা তাউরোইনাই তোংদুনা মোইরাংদগী কারকপদা শৈথাবা ঈশৈ,

(ঘ) হিচিং-হিরাউঃ মথক্তা উৎচপ্রে;

(ঙ) **লৌতারোন ঈশৈঃ** অহানবা লৌ খোয়বা হৌবগী লাইথৌদা শক্কদবা ঈশৈ, অসিনচিংবা,

অসিশিংসিনি। মখোয়শিংসিগী অপূনবগী, লাই-লাইগী, অসিনচিংবসি মশীঙ থাদুনা ইবা ঙম্লোয়, খুদম খরদং পনবদনি। অশৈবা (ঈশৈ শকপা মীশিং) সিনা মশা-মশানা পেনা খোংলগা ঈশৈশিংসি শকই অমসুং মসিদা পুংগী/পুংলোনগী মথৌ তাদে। মখোয়গী পেনাদুনা মখোয়গী ঈশৈগী ঈহুন (তালঃ Rhythm) অদুম্মক পী/ফংহল্লি। মরম অসিনা অশৈবশিংবু খৃঃ ১৭২৯ ''ঈশৈ শকপা, পেনা খোংবগী লোইশঙ লীংখৎখ্রবা (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৯০) মতুংদদি ''পেনা'' হায়রগা খঙনরকখি। হায়রিবা মমিংসি ঙসি ফাওবা চৎনরিবা মমিংনি।

মচৎ মান্নবশিং [Similarities]

মৈতৈগী লাইনীঙলোনগী অশৈবা/পেনাশিং অসি মখোয়না থৌ-বাং [Assistance to the performance] শৈশক শক্লকপা হায়বদি, লাইরোন-লীরোনশৈশিং শক্লক্কবা মতমদদি হিন্দুগী ''রাজসুয় যজ্ঞ'' পাংথোকপা মতমদা থৌরাংলিবা হিন্দু শৈশকপশিং গায়ক [Gayaka] শিংগা মান্নে। মখোয়না লীরোন-শৈশিং ([Evolution of cosmos] শকখ্রবদদি মশক-অনিসি খর থাপ্লে। অমুক অমরোমদা লাইথৌ-তেংবাং শৈশকপা ওইনা শৈরাংলকপা মতমদদি ম্যান্মারগী ''নাট'' হরাওবদা য়াওরিবা শৈশকপশিংগসু অদুম মমান্নে। মখোয়সি হিন্দুগী যজ্ঞ/পূজাগী পুরোহিত অখন্নবা মরিগী মনুংদা সাম বেদগী পুরোহিত উদগাতৃ [Udgatri] গা চাংদম্নবা য়াই। (মখাদা হিন্দুগীদা য়েংবীয়ু।

লাইরেন মৈদিংঙু লৈপাক মপু

↓

য়োঈরেনহনবা

য়োঈরেন লোইশঙ
<u>অমাই' লোইশঙলেন শঙলেন</u>
য়োইরেনহনবা
য়োঈরেন-হিদং
য়োঈরেনশিং
য়োঈরেন-শেল্লুংবা
য়োঈরেন-কৈরুংবা
য়োঈরেন-থৌচৎ-খোঙলোঈশিং

অমাইবা লোইশঙ
<u>(অমাই' লোইশঙলেন)</u>
অমাইবহনবা
অমাইবা-হিদং
অমাইবশিং
অমাই'-শেল্লুংবা
অমাই'-কৈরুংবা
অমাই'-থৌচৎ-খোঙলোইশিং

অশৈবা লোইশঙলেন
<u>(অমাই' লোইশঙ)</u>
অশৈবহনবা
অশৈবা-হিদং
অশৈবশিং
অশৈ'-শেল্লুংবা
অশৈ'-কৈরুংবা
অশৈ'-থৌচৎ-খোঙলোইশিং

↓

অমাইবা লোইশঙ
(অমাই' লোইশঙলেন)
অমাইবহনবা/অমাই'-শঙলাকপা
অমাইবা-হিদং/অমাই-শঙলাক-হিদং
অমাইবশিং
অমাই'-শেল্লুংবা
অমাই'-কৈরুংবা
অমাই-থৌচৎ-খোঙলোইশিং

অমাইবী লোইশঙ
<u>(অমাইবী লোইশঙলেন)</u>
অমাইবী-শঙলাকপী
অমাইবী-শঙলাকপী-হিদং
অমাইবীশিং
অমাই'-শেল্লুংবী
অমাই'-কৈরুংবী
অমাই-থৌচৎপী-খোঙলোইশিং

অমেৎপা লোইশঙ
<u>(মাইবা লোইশঙলেন-শঙলেন)</u>
অমেৎপা-হঞ্জবা
অমেৎপা-হিদং
অমেৎপশিং
অমেৎপা-শেল্লুংবা
অমেৎপা-কৈরুংবা
অমেৎ-থৌচৎ-খোঙলোইশিং

অমাইবা লোইশঙ
(অমাই' লোইশঙলেন)
মথক্তা য়েংবীয়ু

অমাইবী লোইশঙ
(অমাইবী লোইশঙলেন)
মথক্তা য়েংবীয়ু

অমেৎপা লোইশঙ
(মাইবা লোইশঙলেন-শঙলেন)

শঙলেন - অমাইবী লোইশঙ
শঙলেন - অমাই' শঙলাকপগী
শঙলেন - শঙলাকপী হিদং
শঙলেন - অমাইবীশিং
শঙলেন - শেল্লুংবী
শঙলেন - কৈরুংবী
শঙলেন - থৌচৎপী খোঙলোইশিং

নোংমাই - অমাইবী লোইশঙ
নোংমাই - অমাই' শঙলাকপী
নোংমাই - শঙলাকপী হিদং
নোংমাই - অমাইবীশিং
নোংমাই - শেল্লুংবী
নোংমাই - কৈরুংবী
নোংমাই - থৌচৎপী খোঙলোইশিং

ফুরা - অমাইবী লোইশঙ
ফুরা - অমাই' শঙলাকপী
ফুরা - শঙলাকপী হিদং
ফুরা - অমাইবীশিং
ফুরা - শেল্লুংবী
ফুরা - কৈরুংবী
ফুরা - থৌচৎপী খোঙলোইশিং

অশৈবা লোইশঙলেন
মথক্তা য়েংবীয়ু

পেনা অশৈবা/শৈশকপা লোইশঙ
পেনা - শঙলেন শঙলাকপা
পেনা - শঙলাক হিদং
পেনা - অশৈবশিং
পেনা - অশৈ - শেল্লুংবা
পেনা - অশৈ - কৈরুংবা
পেনা - থৌচৎ - খোঙলোইশিং

১) পুঙলোন - অশৈবা/শৈশকপা লাইশঙ
২) পুঙলোন - শঙলাকপা
৩) পুঙলোন - হিদং
৪) অশৈবশিং
৫) পুঙয়েবশিং (ধোলোক, নগনা, লাংদে, অসিনচিংবা)
৬) পুঙদিং পুঙশাবশিং
৭) পুঙলোন-শেল্লুংবা
৮) পুঙলোন-কৈরুংবা
৯) পুঙলোন - থৌচৎ-খোঙলোইশিং

পালা (সঙ্কীর্ত্তন শৈশকপা) লোইশঙ
১) পালা - শঙলাকপা
২) পালা - শঙলাক হিদং
৩) অশৈবশিং
৪) পুঙয়েবশিং
৫) পুঙদিং-পুঙশাবশিং
৬) শৈশেম - শৈরাংবশিং
৭) পালা - শেল্লুংবা
৮) পালা - কৈরুংবা
৯) পালা' থৌচৎ-খোঙলোয়শিং


অমেৎপা লোইশঙ
মাইবা লোইশঙলেন-শঙলেন
অমেৎপা হঞ্জবা
অমেৎপা হিদং
অমেৎপশিং
অমেৎ' শেল্লুংবা
অমেৎ' কৈরুংবা
অমেৎ-থৌচৎ-খোঙলোইশিং
অমেৎপা লোইশঙলেন
অমেৎ-শঙলাকপা/অমেৎপা-হঞ্জবা
অমেৎপা শঙলাক হিদং
অমেৎপশিং
অমেৎপা-শেল্লুংবা
অমেৎপা-কৈরুংবা
অমেৎ-থৌচৎ-খোঙলোইশিং
মাইবা লোইশঙলেন
মাইবা হঞ্জবা
মাইবা হিদং
মাইবশিং
মাইবা শেল্লুংবা
মাইবা কৈরুংবা
মাইবা-থৌচৎ-খোঙলোইশিং
খুত্তম্বা লোইশঙলেন
খুত্তম্বা হঞ্জবা
খুত্তম্বা হিদং
খুত্তম্বশিং
খুত্তম-শেল্লুংবা
খুত্তম-কৈরুংবা
খুত্তম-থৌচৎ-খোঙলোইশিং
অমেৎপা শঙলেন
মথক্কীগা মান্নে
অমেৎপী শঙলেন
অমেৎপী হঞ্জবী
অমেৎপী হিদং
অমেৎপীশিং
অমেৎপী -শেল্লুংবী
অমেৎপী - কৈরুংবী
অমেৎপী -থৌচৎপী খোঙলোয়শিং
অমেৎপী লোইশঙ
মথক্কীগা মান্নে
নাউশুবী লোইশঙ
নাউশুবী হঞ্জবী
নাউশুবী হিদং
নাউশুবীশিং
মায়য়োক্লবীশিং
নাউশূ-শেল্লুংবী
নাউশূ-কৈরুংবী
নাউশূ-থৌচৎপী-খোঙলোইশিং

অমেৎপা লোইশঙ
মথক্তা য়েংবীয়ু

- অমেৎপা লোইশঙলেন
  মথক্তা য়েংবীয়ু
- মাইবা লোইশঙলেন
  মথক্তা য়েংবীয়ু
  - লাইরা তীনবা
    মাইবা শীঙলুপ লোইশঙ
    (১) মাইবা হঞ্জবা
    (২) মাইবা হীদং
    (৩) মাইবশিং
    (৪) মাইবা শেল্লুংবা
    (৫) মাইবা কৈরুংবা
    (৬) মাইবা থৌচৎ খোঙলোইশিং
    - মাইবা লোইশঙ
      মথক্কীগা মায়ৈ
    - মাইবী লোইশঙ
      (১) মাইবী হঞ্জবী
      (২) মাইবী হিদং
      (৩) মাইবীশিং
      (৪) মাইবী শেল্লুংবী
      (৫) মাইবী কৈরুংবী
      (৬) মাইবী থৌচৎ-খোঙলোইশিং
  - হীদাক লাংথক্কী
    মাইবা শীঙলুপ লোইশঙ
    (১) মাইবা হঞ্জবা
    (২) মাইবা হীদং
    (৩) মাইবশিং
    (৪) মাইবা শেল্লুংবা
    (৫) মাইবা কৈরুংবা
    (৬) হীদাক-য়াই-থিবশিং
    (৭) হীদাক য়াইচনবশিং
    (৮) মাইবা থৌচৎ খোঙলোইশিং
- খুত্তম্বা লোইশঙলেন
  মথক্তা য়েংবীয়ু
  - খুত্তম্বা লোইশঙ
    (১) খুত্তম হনবা
    (২) খুত্তম হিদং
    (৩) খুত্তম্বশিং
    (৪) খুত্তম শেল্লুংবা
    (৫) খুত্তম কৈরুংবা
    (৬) খুত্তম থৌচৎ-খোঙলোইশিং
    (৭) হীদাক য়াইচনবশিং
  - খুত্তম্বী লোইশঙ
    (১) খুত্তম হঞ্জবী
    (২) খুত্তম্বী হিদং
    (৩) খুত্তম্বীশিং
    (৪) খুত্তম শেল্লুংবী
    (৫) খুত্তম কৈরুংবী
    (৬) খুত্তম্বী থৌচৎ-খোঙলোইশিং

খ) মৈতৈনা হিন্দু ধৰ্ম্ম লৌরবগী থাক নৎত্রগা মৈতৈ হিন্দু লাইনীঙলোনগী শক্তম

মৈতৈনা হিন্দু ধৰ্ম্ম লৌরবগী থাক নৎত্রগা মৈতৈ হিন্দু লাইনীঙলোনগী শক্তমগী লাইনীঙ-তীন্নীঙবগী পানা-পুনা থন্নবা মচৎ-মনাৎকী পরীংসি মৈতৈগী মবুংঙো তুবী চরাইরোংবা (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) গী সনা হাক্তক্তা য়াকায়খিবনি। মৈতৈগী মবুংঙোসিনা মীরৈপাকচাশিংগা লৈঙাক-খুনঙাক্লোন, খুন্নাই-লৈতারোন, খুন্নাই-শেনবা-থুম্বারোনচিংবদা মায়রোঙ লেপ্লকপদা নোপ্পগী ফিভম অমসুং ফিরেপ লাকপদগী নোংচুপচাশিংগী তেংবাং অমসুং মতেং লৌরক্তবা য়ারক্তবদগী মৈতৈশিংবু হিন্দু ক্ষেত্রিশিংগী ফিরেপ্তা লেপ্পুনা হিন্দু বিশ্বজগৎকী সমাজ [The sphere of the Hindu universal/solar society] দা পুশিন্দুনা তঙ-তারবা য়েক্লবা [Permanent enemy: It was vise versa to each other] বৌদ্ধিক অৱা [Buddhist people with their capital at Ava] শিংগা লাম্বা তৌননবগী চেৎলবা ৱাখল অমা পুক্লীঙদা কিশি কিদুনা লৈরম্মী।

মীশীঙ য়াম্বদসু হেনখ্রবা, খুৎলাই ফবদসু থোইখ্রবা, শেন্দান-থুমদানদসু অতোঙবদা লেপখ্রবা, লমগী-লমকন পাক-চাওবদসু হেনখ্রবা অমসুং লান্মী মশীঙদসু অৱা তরাগা মৈতৈ অমগা মায়োক্লবা তারবা ম্রান্মাশিংগা থাঙহাই, খোঙলোন-খুৎলোন মান্ননা লেপমিন্নবগীদমক্তা অমসুং মখোয়না শাহিং চাবগী মিৎয়েংদা মৈতৈশিংবু য়োৎশিনগদবগী হোৎনরিবা মতমসিদা মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনা মৈতৈগী মথৌনা হাপ্লবা হিন্দু শাক্ষ/শাক্ত ধৰ্ম্ম সম্প্রদায় লৌননবা থৌরাং শেম-শাখি। লমদাংসিগী মতাংদা গৌরিয় বৈষ্ণব ধৰ্ম্মবু খোয়দাজখ্রবা অমসুং চৈথারোল কুম্বাবা চনখৎপদা শোয়খিবদগী নৎত্রগা তৌগে হায়না তৌবগী খুথাদগী পণ্ডিত অমনা "কৃষ্ণগী কিয়োং হৌএ" হায়বসি ইশিল্লম্বদগী (মথক্কীসিদা, ৭০) বৈষ্ণব অশাবশিং [Hot Vaisnavas] না বৈষ্ণব ধৰ্ম্ম লৌবনি হায়না খঙনা-খঙনা অমসুং উনা-উনা মীচমশিংবু মীনন্মী।

মৈতৈগী মতমদুগী খুদোংথীবা অমসুং খুদোং থীনীঙাই ওইবা ফিভম অমসুং ফিরেপকী মতুংইন্না নোংচুপলোমগী হিন্দু লৈপাকশিংদগী মতেং লৌননবা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা হিন্দু ধৰ্ম্ম লৌনবা শেম-শাখি। মরম অসিনা

মহাক্লা মতমদুদা নৌনা উরিষ্যাগী ভুবনেশ্বর, সেত গাঙ্গাপুরীদগী খুনহোংলকপা রায় বনমালী চটার্জ্জী/আচার্য্যগা হিন্দু ধর্ম্ম লৌবগী ৱাফমসি খন্নখি। হায়রিবা ব্রাহ্মণ অসিনা মৈদিংঙুগী ৱাফমসি য়ারদুনা খৃঃ ১৭০৪ গী এপ্রিলগী অহুমশুবা চয়োন্দা হিন্দু শাক্ত ধর্ম্মদা (ওঃভঃ, ১৯৭২, ৪৭) মৈদিংঙু চরাইরোংবা অমসুং মৈতৈমচা খর লাইমিং লৌখি। মসিগী মরমদা পীবীরম্লিবদিঃ-

মোইরাং কোংয়াম্বগী কুম শক ১৬২৬ শজিবু থা... ৫নি য়ূমশকৈশদা নিংথেম চরাইরোংবনচিংনা লাইমিং লৌগদবা খিবিকপু চাকহেনৈএ। নোংমদা লৌএ (চৈঃ কুঃ, ২০০৫, ৬৮)॥

অসিনি। হায়রিবা খৃঃ ১৭০৪ গী শজিবুগী ৫নি শগোলশেন্দা হিন্দু শাক্ত ধর্ম্মদা লাইমিং লৌবসিদা মতমসিগী তুংলমচৎকী মৈদিংঙু ময়ামবা [নোংপোক ৱাইরং পামহাইবা/পামহৈবা, বৈষ্ণব থোংনাং ময়াং ঙম্বা, গোপালসিং, শজোক ঙম্বা, তখেল ঙম্বা, মেখলেশ্বর গরিবনিৱাজ মহারাজ (খৃঃ ১৭০৯-৪৮)] মতমদুদা ৱাঙ্গোলনিংথৌ ওইরিবসিসু য়াওখি। মৈদিংঙুচা ময়াম্বা/গরিবনিৱাজনা মপাইবুংঙোগী মতুং ইন্দুনা হিন্দু শাক্ত ধর্ম্মসিদা লাইমিং লৌবসিগী মহাক্কী দীক্ষা গুরু [লাইমিং পীবীবা গুরু] দি মপাইবুংঙোগী গুরু রায় বনমালি আচার্য্যসিগী মচা নুপা রায় গঙ্গাধর চেটার্জ্জী/আচার্য্যনি (ইঃ চঃ কঃ, ১৯৯৫, ৪ অমসুং ওঃ ভঃ ১৯৭৪, ৪৭)। অদুবু মতমগী অওনবা খোঙজেন্দা মৈতৈগী মবুংঙো গরিবনিৱাজনা খৃঃ ১৭১৭ তগী হিন্দু গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগী সম্প্র দায় ''নন্দরাজনন্দন রাসেশ্বর শ্রীকৃষ্ণ নীঙবা'', নিমান্দি অমসুং ১৭৩০ দা ''অকনবা অথৌবা শ্রীরামচন্দ্র লাৎপা রামান্দি'' লাইনীঙদা লাইমিং লৌদুনা চৎখি। মৈতৈশিংনা মহাক্কী ধর্ম্ম/লাইনীঙ হোংদোক-হোংজিন তোয়না তৌবসিদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি অদুবু খুদুংদি অদুম্মক ইনখি। অসুম্না মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্মগী শাখা [Branch] অমসুং সম্প্রদায় [Sect] শিং লৌখিবা অমসুং চৎখিবশিংদুগী চাওরাকপা মশক অমমম মখাদা উৎচরি।

(১) লাইরেম্মা কালিকা লাৎপা হিন্দু শাক্ত লাইনীঙ

লাইরেম্মা কালিকা লাৎপা হিন্দু শাক্ত/শাক্ত-তন্ত্র লাইনীঙ অসিনা মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌবগী খ্বাইদগী ঈহান হান্না লাইমিং লৌখিবা ধর্ম্ম অদুনি।

হিন্দু ধর্ম্মগী মিৎয়েংদা কালিকা হায়রিবা লাইরেম্বীসি দূর্গানি অমসুং দূর্গাগী তৌবা ওন্নবগী মতীক ময়াই ফোংদোকপগী মিংথোন্নি [G.L. 1986, 119] লাইরেম্বী দূর্গাগী মরমদা মথক্তা পীজখ্রে অমসুং অহেনবা ওইনা উৎচনীংলিবদিঃ-

(1) ... The Sakta principles find expression in the Devimahatmya section of the MARKANDEYA Purana, in which the goddess is invoked thus:-

"Thou art the cause of all the worlds. Though characterised by three qualities, even by Hari, Hara and other gods, thou art incomprehensible. Thou art the resort of all, thou art this entire world which is composed of parts. Thou verily art the sublime original nature untransformed ... Thou art Medha, O Goddess; thou haste comprehended the essence of all scriptures, Thou Art DURGA, the boat to cross the ocean of existence, devoid of attachments,. Thou art Sri who has her dominion in the heart of enemy of Kaitabha. Thou indeed art Gauri who has fixed her dwelling in that of the moon crested god.

...The epithet Haimavati (daughter of Himavat) was responsible for her identifications with Parvati and Durga. The latter was associated with inaccessible regions and it is also possible that she was originally conceived of as the protectress of forts (durga). However, fanciful explanation of Durga was invented on etymological ground by associating her with the slaying of a demon called Durgama. Whether a demon-slayer or saviour, Durga is equipped with many arms, a feature which is totally absent in the concept of Parvati- Uma who is extremely homely as the daughter of Himavat, wife of Siva, mother of Kumara [N.N.B., 1987, 207-208]

(2) The gods being for protection of Visnu and Siva, having heard their grievances, Visnu, Siva and other gods emitted flames of anger from their eyes. These were transformed into a mass of intense energy which, shortly afterwards, took the shape

of an expuistite lady, called Candika, whose face was made by Sivas energy, hair by Yama's, arms by Visnu's, breasts by moon's, waist by Indra's, legs by Varuna's, hands and fingers by the Vasu's, nose by Kuvera's, teeth by Prajapti's; eyes by Agni's and ears by Vayu's energy (Ibid, 208-209).

অসিশিংসিনি। হেক মথক্কী থংনবসিদা হায়রিবা লাইরেম্মা "চণ্ডি" হায়রিবসি "মহিষাসুর মর্দ্দিনী" দূর্গাবুনি, হায়বদি কালিকাবুনি।

লাইরেম্মা কালিকা লাৎপগী লাইনীঙসিদা মৈতৈনা লাইনীঙলোনগী ৱায়েল ঙাক্কুনা লাইমিং লৌখিবসি খৃঃ ১৭০৪ গী এপ্রিল থাদগীনি হায়বসি মথক্তা পঞ্জব্রে। অদুবু শাক্ত-তন্ত্রগী লাইমিং লৌবা অমসুং পীবগী লমদাংসিদা থম্বীরন্নিবা ৱারোলদিঃ-

The aspirant must always keep in mind that the Guru is no other than god. If a male he is Siva, if female Sakti. The preceptor will guide him completely. Diksa or initiation means rebirth. It is of many kind depending on the calibre of the aspirant. Ordinary diksa is called kriya-diksa and the extraordinary variety is called Vedha-diksa. It is necessary for the aspirant to believe in the identity of guru, mantra and the deity. Other type of diksa including tattva, bhuvana, pada, varna, yantra, sakti, nada, prana, jiva, cora, sparsva, vastra, ghata, nirvana, sadyonirnana, aloka, jnana, etc. Qualitative diksa is of three types- Sambhavi, Sakti and Mantri, Sambhavi is not for ordinary persons. It is also beyond the jurisdiction of ordinary preceptors. It is the initiation into Srividya or Lalita or Kamesvari doctrine, The Male Principle or Bhairava of Srividya is known as Kamesvara. In this system the person initiated has to perform secret rites for realisation of the samarasya or equilibrium of Siva-Sakti within his own self. In the Sakti diksa the preceptor infuses his own energy into the heart of his disciple. The Mantri-diksa is of general type according to which the novice is taught to erect ghata and mandapa, utter mantras and perform homa. He has to recite the vijamantra imparted to him by his teacher [Ibid, 318-319].

অসিশিংসিনি। অদুনা মৈতৈনা লাইনীঙসিদা লাইমিং লৌখিবসি অকোনবদা পীরিবা "মন্ত্রী দীক্ষা" হায়বা মখলসিদনি। অদুগা হায়রিবা ধর্ম্মসি মৈতৈ নিংথৌনা চহি ১৪ খক্তমক চৎখি অমসুং খৃঃ ১৭১৭ তা অতোপ্পা লাইনীঙ অমদা অমুক লাইমিং লৌদুনা থাদোকখি (চৈঃকুঃ ২০০৫, ৮৭)।

Aà Aàé A a° ã ´ã \K;Aã=ৱাই পানবা পুন্নমক্তা অরান-খুবম [Salvation] পীবা ঙম্বীসি মৈদিংঙু চরাইরোংবনা হৌদোক্লম্বনা মূর্ত্তি শাদনা নুঙগী মশক অমনা লাইরেম্বসিগী মহুৎ শিনবা শক্তম ওইনা লাইশঙ শাদুনা লাৎখি। হায়জরিবা নুঙগী শক্তম ওইবী লাইরেম্বীসি হৌজিক ফাওবদসু লৈরি। হায়রিবা কালিকা লাইরেম্বীসিগী ভৈরব নৎত্রগা নুপা/লাইয়িংথৌ ওইবা মপাদি শিবদা মহাকালনি [N.N.B., 1987, 285]। মহাকালগী মহুৎ শিনবা নুঙ কালিকা লাইরেম্মগী নুঙগী শক্তমসিগা লাৎমিন্নরম্বদুদি মফম খঙহন্দনবা লোৎশিন্দুনা থমখ্রে। হায়রিবা লাইরেম্মসিবু লাইশঙ শাদুনা লাৎপা হৌখিবসিদি খৃঃ ১৭০২ গী মমাঙদগীনি, মদুদিঃ-

...হাওৱোইবম লনহাংগী কুম শক ১৬২৩ ... ৱাকচীঙ... থাশিনোং ঈরাই (ফেব্রুৱারী, ১৭০২) দা শঙ্গাই য়ুমজাও মৈ হওএ।। থোঙলেন, শগোলশঙ, কালিকাসুং মংকনশঙসু শঙ ৬না চাকএ। নিংথেমনুপী শঙ্গাইসূগা মনাই ২ গা মৈনা চাকনা শিএ।... (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৬৬)

অসিনি। লাইরেম্মসিবু মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবা অমসুং মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা য়াম্না লুনা নীঙজরম্মী। লাইরেম্মসিগী চেক্কী কিয়োং [Kyaung: Burmese temple of thick walled and dome roofted architectural style] শাবা [(খৃঃ ১৭০৭ (মথক্কীসিদা, ৭০, ৭১)] অমসুং নিংথেম পুখ্রী মপান্দা কালিকাবু লাৎখিবা [খৃঃ ১৭২৬ (মথক্কীসিদা, ৮৭)], অসিনচিংবা কয়াসিনা খুদম-চাংদম ওইরি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী সনা হাক্তক্তা খৃঃ ১৭১৭ তা মৈদিংঙু মশামক অমসুং মহাক্কী লৈঙাক্লোই-খোঙলোই [Administrative machineries] অমসুং নিংথৌ খনবা অঙম-অথৌশিং [Royalists] না ধর্ম্মগী কাইদোংফম হোংখ্রবসু কালিকা লাইনীঙসিগী অমসুং লাইরেম্মসিগী ঈকাইখুম্নবা, খুরুম-খাজঙবা, ঈরাৎ-থৌনীবনচিংবদুদি অদুম চখ্থরম্মী (মথক্কীসিদা, ৮৭) অমসুং হৌজিক ফাওবদসু চখ্থদুনা লাইরেম্মসি লাৎলি।

(২) বৈষ্ণব নিমানন্দি/নিমান্দি-ফুরুপ লাইনীঙ (রাধা-কৃষ্ণ জুরা/পোৎপা লাংপা লাইনীঙ)

মৈতৈনা ''নিমানন্দি/নিমান্দি ধর্ম্ম' কৌবা হিন্দু বৈষ্ণব শাখাগী ''নিমাৎ/নিম্বাদিত্য/সনক সম্প্র দায়' কৌবা ধর্ম্মগী লীচৎ-মনাৎসিবু হৌদোক্লম্বা মহার্ষি নিম্বাদিত্যগী মমিং লৌদুনা মিংথোনবসি মৈত্রবাক্তা খৃঃ ১৭১৫ গী মতম অদুৱাইদগী চঙলক্লে। হায়রিবা ধর্ম্ম অসি মৈত্রবাক্তা হৌদোক্লম্বা/শন্দোক্লম্বা নৎত্রগা লাইমিং পীরম্বা মীশকসি পুন্য চেল্লবা লাইনীঙ-লমকোয়বা গোপালদাস বৈরাঙ্গী [Vairagyee: the worldly material life renounced ascetic] নি। মহাক মৈত্রবাক্তা খৃঃ ১৭১৫ দা তেখাও/অহোম (অসামী/অখোমিয়া (The Ahom or Assamese people)] নিংথৌগী গুরু, শান্তিদাস মহন্ত/গোষাঞ্জী (গোষাই/গোষামী) নচিংবা মী ৩৯ থোক্লকপসিদা য়াওরকপনি। তেখাও নিংথৌগী গুরুসি অহোম নিংথৌগী লাইবার [Envoy] ওইনা রাজনিতি/লৈঙাক্লোনগী ৱারী শান্নবা লাকপনি। মখোয়না লাকপসিগী ৱারোন্দিঃ-

> ...অশাংবম হাওচৌগী কুম শক ১৬৩৭... থৱান থা ...৬নি নিংথৌকাবা (আগষ্ট, খৃঃ ১৭১৫) দা তেখাও নিংথৌগী গুরুনা চিংনা বৈরাইগী ৩৯ থোক্লকএ (মথক্কীসিদা, ৭৬)।

অসিনি। তেখাও নিংথৌগী গুরুসিগা বৈরাঙ্গী ৩৯গা থোক্লক্লিবা মখোয়শিংসিগী মনুংদগী খর মৈত্রবাক্তা লৈহৌখি অমদি লৈহৌরিবশিংদুগী মনুংদা মণিপুর ইতিহাসতা মমিং থল্লল্লিবসি গোপালদাস বৈরাঙ্গী অমসুং শন্তিদাস/শান্তদাস মহন্তনি। গোপালদাস বৈরাঙ্গীনা মৈত্রবাক্তা খৃঃ ১৭১৫ দগীনা ১৭২০ ফাওবা লৈখি অমসুং মহাক্না মৈত্রবাক্তা লৈরিঙৈগী মতমসিদা শান্তিদাস মহন্তগী মৱা-মপাউ অমতা তাদে, থবক-থনা পায়খৎপগী নৎত্রগা লাইনীঙ-লাইশোন তৌবগী ৱাফম অমতা লৈতে। মরম অসিনা গোপালদাস বৈরাঙ্গী অসিনা শান্তিদাস মহন্তদগী য়াম্না হেন্না মগুণ লৈবা, ৱাঙাং-শাঙাং হৈ-শিংবা, লাইনীঙলোনগী থাক ৱাংবা অমসুং মীবু শুমহৎ-পেনহনবা ঙম্বগী মতীক লৈবা মীশক্তি হায়বসি শান্তিদাস মহন্তগী মৱা-মপাউ তাদবসিনা প্রমান তৌজরবনি। অসিগুম্বা মগুণশিংসিনা শান্তিদাস গোষাঞ্জী মৈত্রবাক্তা লৈন-লৈনমক মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা গোপালদাস বৈরাঙ্গীবু মহাক্কী অহানবা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী গুরু ওইনা খনখিবনি।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজনা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী শ্রীকৃষ্ণ লাৎপা লাইনীঙলোনসিদা অকন-অথৌ লাৎপা মীশক [Hero Worshipper] অমা ওইনা বাসুদেব নৎত্রগা দেবকী পুত্র কৃষ্ণ লাৎপগী লাইনীঙসি পামজরম্বা য়াই। লাইনীঙসিগী চাওরাকপা শক্তমদিঃ-

Vasudeva Cult

Reform-movements were started against the domination of the Brahmans and the sacrifice performed by them. The Vasudeva cult was also one of such reform-movements... This cult was essentially a Kshatriya movement and was not much favoured by the Brahmans. The Vasudeva cult was flourishing in the fourth B.C. A reference to the founder of this sect is available in the Chhandogya Upanishad which mentions sage Krishna, son of Devaki, as a disciple of the Rishi Ghora of the Angirasa Family. The Chhandogya Upanishad refers. to.... sage Krishna and inculcation of such virtues as Tapa (asceticism.), Dana (charity), Arjava (Simplicity/piety) and the same virtues are extolled by Krishna in Gita in his discourse to Arjuna on the battlefield. Vasudeva Krishna was also the hero of the Yadu on Yadava clan of Mathura region. He became the leader of religious movement and later on was deified and styled Bhagavat. This gave rise to Vasudeva-Krishna cult.

Later on, pastoral character was attributed to Krishna and there are numerous stories about Krishna's wanton childhood, tender bodyhood and youthful of amorous ecstasies. These are narrated in the Harivamsa (a supplement of Mahabharat) and Vayu, Bhagavata and other Purana. The stories about the early life of the pastoral Krishna were probably developed out of the Vedic legends about Vishnu who was called Gopa (protector of cow) in the Rigveda and Govinda and Damodara in Baudhayan Dharma Sutra. In Rigveda Vishnu's highest station was described as the dwelling of many horned swiftly moving cows. Govinda and Damodara depicted as herdmen. "The legends about the

wanton childhood of Krishna appear to have their origin in the Rigveda" which represents Vishnu as Kuchara (performer of bad deeds) and as stealing food and butter. In later Vedic literature also Vishnu is often found to resort to cunning devices in other to help Indra and other friends to defeat the Asuras". Then, Krishna belonged to the Yamuna regoin which was famous for its cows as early as the time of Rigveda and Gobala (one strong in the wealth of cows) Gobala and Krishna both belonged to the Vrishni family, inhabiting the Mathura region. Stories about Krishna's amoret with Radha and Gopis were developed much later probably after the Gupta period.

The Vasudeva cult which developed as Vasudeva-Krishna cult was flourishing well in the 5th century B.C.

.....[B.N.L., 1988-89, 213-214]

অসিনি। অদুবু মতুংদা, মমৈ শমথরকপা কৃষ্ণ অমসুং রাধাগী ৱারী-শীঙবুন্দা য়ুম্ফম ওইবা লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনসিবু মৈদিংঙুসিনা গোপালদাস বৈরাজ্ঞীগী মফমদা গুরু ওইদুনা খৃঃ ১৭১৭তা লাইমিং লৌখি। লাইমিং লৌখিবসিগী মরমদা পীবীরম্লিবদিঃ-

...হাইস্লাম লাইবগী কুম শক ১৬৩৯... মেরা থা....অদুগী থাচীন্দা গুরু গোপালদাসদা নিংথেম্লনচিংবনা লাইমিং লৌএ (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৭৮)।

অসিনি। পীরম্লিবাশিংসি অমত্তা হন্না য়েংদনা মশাগী মীংচৎ ফংনবগী লম্বীনা মাঙওইনবা খরনা রামাৎ-ধর্ম্ম সম্প্রদায়দা নামাদা পঙথোংদা থোংজিল্লি। হায়রিবা নিমান্দি/নিমাৎসিগী তেনখ্রবা শক্তাক ৱারোন্দিঃ-

নিম্বাদিত্যনা বৈষ্ণব সম্প্রদায় অমা হৌদোকপী। মরম অসিদগী মসি নিম্বাদিত্য, নিমাৎ নৎত্রগা সনক সম্প্রদায় হায়না কৌনৈ। রাধাকৃষ্ণগী যুগল মুর্ত্তিতনা মখোয়গী লাইনীঙফম ওই অমসুং শ্রীমদ্ভাগবত অসিনা মখোয়গী অথোইবা শাস্ত্র ওইনৈ (গঃসঃওঃ, ১৯৪৯, ৭৯-৮০) অসিনি। লাইনীঙসিদা লাইমিং লৌখিবসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মথন্তা নত্তে, মহাক্কী অঙম-অথৌনচিংবা লৈপাক হুপ্পনি হায়বা য়াই। মাইচৌ পুরেন লৌরেম্বম খোংনাং থাবনা মসিগী লমদাংসিদা ৱা হায়খিবগী ৱাফম লৈতে।

মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী বৈষ্ণব ধর্ম্মগী রাসেশ্বর কৃষ্ণ অমসুং রাসেশ্বরী রাধা/রাধিকা লাৎপা লাইনীঙগী গুরু অমদি লৈপাক পূম্নমক্কীসু গুরু ওইবা গোপালদাস বৈরাজ্ঞী মৈত্রবাক্তা কুইনা লৈরমদে। মহাক খৃঃ ১৭২০ দা মৈত্রবাক থাদোক্কুনা মরৈপাক্তা হনখি (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৮১), অদুবু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজ মশামক্লা ধর্ম্ম অসি চহি তরামাথোইগা থা মঙা চুপ্পা চৎখি। অদুগা হায়রিবা লাইনীঙলোনসি চৎলিঙৈদা হিন্দুগী লাইনীঙ মনাৎকা শাগোন্নবা খুন্নাইলোন-লাইনীঙলোনগী থৌরম কয়া হৌদোক্কুনা লৈপাকসিদা চৎনহনবা হৌখি অমসুং বৈষ্ণব হিন্দু নিমাৎ/সনক/নিমান্দি ধর্ম্মসিবু খৃঃ ১৭২৫ গী মে থাগী হৌগৎলকপগী চয়োন্দা মৈত্রবাক অপুন্বগী লাইনীঙ ওইহনখি (মথক্কীসিদা, ৮৫)। অদুবু মসিদা মৈতৈ-লাইনীঙ চৎচবশিংগী মরক্তগী থোইদোকপা অথিংবা নংত্রেগা মূক্রবগী ফিভমদি লৈতে। অসুম্না মূক্রবগী লমদাং লাকখিবসি অহানবা থাক্কী থৌদৌ অমদগী লাকখিবনি (মথক্কীসিদা, ৮৪)। অদুগা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লাইনীঙসি থাদোকখ্রবসু মহাক মতোমতা থাদোকচবা ওইনা লৈখি। লৈপাক্কী মী অয়াম্বা অমসুং লৈপাক পুবা অঙম্বশিংদি ধর্ম্মসিদগী হোংদনা অদুম লৈনখিরম্মী।

(৩) বৈষ্ণব রামান্দি/রামাৎ ফুরুপ লাইনীঙ (রাম, সিতা, লক্ষ্মন পুন্না লাৎপা লাইনীঙ)

মৈতৈনা রামান্দি ধর্ম্ম কৌবা লাইনীঙলোনসিগী ধর্ম্ম সম্প্রদায়সিবু হৌদোক্লম্বা "রামানন্দ" অমসুং মহাক্কী গুরু "রামানুজ" কৌবশিংবু নাকোয়ননা থল্লগা লাইনীঙসিগী লাইনীঙলোনগী খোইথুম্নরবা লৈহী অমসুং নুংশিরবা লৈনম পীরিবা লাইনীঙসিগী অথোইবা লাই ওইরিবা রামচন্দ্র/শ্রীরামবু হকথেংননা থম্মোই থন্বালদা থল্লগা মিংথোল্লম্বা ধর্ম্ম সম্প্রদায়সিগী অশেংবা মমিংদি রামানন্দি/রামাৎ সম্প্রদায় হায়না কৌই। হায়রিবা শ্রীরাম লাৎপগী লাইনীঙসি অকন-অথৌ লাৎপগী [Hero Worship Cult] হায়নসু শেন-ময়েক্কী মমায় নাম-নাম লৈবগী মওংদা কৌবা য়াই, মরমদিঃ-

Shree Rama is the hero who was a great heroic warrior of full vigours and animations with regards to the courage, valour, gallantry, bravery, etc. as depicted in his life-storied epic under

name and style of Ramayana, the work of sage Valmiki.

হায়বসিনি। হায়রিবা লাইনীঙ-ফুরুপসি, মথক্তসু পঞ্জখ্রবদুনি, মহাপুরুষ রামানুজগী শিষ্য শ্রীরামানন্দনা হৌদোকখিবনি অমসুং মসি রামানুজ বৈষ্ণব সম্প্রদায় নৎত্রগা শ্রীসম্প্রদায় (চাওরাক্লা ১২-১৩শুবা খৃষ্ট কুমশিঙ চাদা হৌদোকখিবা) দগী শমথরকপা মশানি (গঃসঃওঃ, ১৯৪৯, ৭৮)। হায়রিবা ধর্ম্মসিগী মরমদা পীবীরম্বা খরদিঃ-

...খৃঃ কুমজা ১১৫০ দা মাদ্রাজগী অৱাং-নোংচুপ (কৌব্র) পাংবদা লৈবা পেরুম্বুর কৌবা মফমদা কেশব আচার্য্যগী ওরসতা ভূমিদেবীগী গর্ভদা "রামানুজ" কৌবা মহাপুরুষ অমা পোকপিখী। মহাক্কী মত-তা (বিশ্বাষতা) বিষ্ণুতনা পরম ব্রহ্মনী অমসুং সৃষ্টি, স্থিতি, প্রলয়গী মরমনি। মহাকপু ভজন তৌজবতনা থৱায় পানবা পুন্নমক্কী তৌগদবা মথৌনি। অসুম্না রামানুজ সম্প্রদায়গী অতোপ্পা মমিংদি শ্রীসম্প্রদায় হায়নসু খঙনৈ। সম্প্রদায় অসিদা চল্লিবা বৈষ্ণবশিংদি বিষ্ণু অমসুং লক্ষ্মীগী তোঙানবা নৎত্রগা যুগলরূপকী ভজন তৌনৈ। কনা অমনা রাম, কনা অমনা সীতা, কনা অমনা রাম-সীতাগী যুগলরূপপু পূজা তৌনবী। রামানুজগী শিষ্য দেবানন্দ, মহাক্কী শিষ্য হরিনন্দ, মহাক্কী শিষ্য রাঘবানন্দ অমসুং মহাক্কী শিষ্য রামানন্দ মথং মথং শিষ্য মরি অসি পোক্লম্মী। রমানন্দ অসিনা রামাৎ, ["রামাৎ ধর্ম্ম" অসি শ্রীসান্তদাস গোসাঞিনা মণিপুরদা অহানবদা শন্দোকপীরম্মী। মতুংদা অতোপ্পা বৈষ্ণব ধর্ম্ম অমনা শ্রীরামগোপাল বৈরাগ্য ঠাকুরনা প্রচার তৌবিরম্লে] সম্প্রদায় শেমগৎলি। সম্প্রদায় অসে শ্রীসম্প্রদায়গী মছা অমখক্তনি। রাম, সীতা, লক্ষ্মন, হনুমান অসিনচিংবগী ভজন অসে সমপ্রদায় অসিগী মনুংচল্লি (মথক্কীসিদা, ৭৮)

অসিনি। হায়রিবা সম্প্রদায়সিগী লাইনীঙসিগী লাইনীঙলোনগী পুক্লীঙ ৱাখল থম্লিবা শ্রীরামসিনা মীথোই-মীহেল্লবা, কল-থৌরবা নুপা অমা ওইবসিনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী পুক্লীঙ চিংশিনখিবনি।

লাইনীঙসিনা থোকহল্লকপা ক্রুসেড [CRUSADE]

ক্রুসেড [Crusade], ওল্ড টেস্তামেন্টকী ধর্ম্ম চৎপশিং অমসুং নিয়ু টেস্তামেন্টকী ধর্ম্ম চৎপশিংগী খুৎলাই পায়নবা লাননি। মৈত্রবাক্তসু হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনসিনা মৈত্রবাক্কী লৈহাউদা মরূ পোকখায়রকপদগীনা মহে পাল্লবা

মতম (খৃঃ ১৭১৫ দগী খৃঃ ১৭৫২) ফাওবসিদা খুৎকী খুৎলাইমক শীজিন্নদ্রবসু কোক্কী অমসুং থম্মোইগীদি শীজিন্নখিবা ৰাথোক-লাম্হোক খরদি য়াওনখি। অদুবু মসিনা পাহাৎ-থৌদৌ [Patricide] থোকহনখিব্রা হায়বদুদি তশেংনা হায়জবা ঙমদে, অদুমকপু রামাৎ ধর্ম্মগী হায়জরিবা ৰাফমসিদা মিৎয়েং অমত্তং থম্লমদ্রগদি মৈতৈ লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোনগা হিন্দু লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোন্নচিংবা চাংদম্নবগী পাদম থম্বসিদা মিৎয়েংগী উয়োন শোনগদবা মাল্লি।

গুরু গোপালদাস বৈরাজ্ঞীনা মৈত্রবাক থাদোক্কুনা চৎখ্রবা মতুং মতম ঈকুই কুইদনা রামানন্দি/রামান্দি ধর্ম্মগী মৈতৈগী, মরূ ওইনা, মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী গুরু ওইরগদৌরিবা শান্তিদাস মহন্তগী থবক পায়খৎলকপগী মমিসি চৈথারোল কুম্বাবদা খৃঃ ১৭২২ গী ফেব্রুৱারীদগী তারকই (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৮২)। লাইরিকসিগী থৌদোকশিংগী মরক্তা চনখৎলক্লিবা মওং-মতৌদিঃ-

থৌদাবা হৈতোনগী কুম শক ১৬৪৩... ৰাকচীঙ থা ...৮নি ঈরাইদা গুরু মহন্তবু চীংঙাদগী থংবিচৌদা থিনবিরুএ (মথক্কীসিদা, ৮২)।

হায়রিবসিনা খঙহল্লিবদি মহাকসি হান্নদগী মৈতৈ নিংথৌগা মরী লৈনরে, মদু গোপালদাস বৈরাজ্ঞী চৎখিবা মতুংদুদগী ওইরমগদবা মাল্লি। তশেংনমক, শান্তিদাস গোষাঞ্জী অসি মশামকপু অকন-অথৌবু লাৎপা লাইনীঙ পামজবা মীশক অমনি হায়বসি মহাক্লা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ সনা হাক্তকসিদা লানফম ১১গী লাঞ্জিংলেন [Commander] ওইনা চৎখিবা (মথক্কীসিদা, ৭৬-১১১) অমসুং অৱা-লানফমগী লানশঙ-তেঙ্গোল মনুংদা শিখিবা (মথক্কীসিদা, ১১১), অসিনচিংবসিনা খুদম-চাংদম ওইরি। মহাক্লা লৈখিদবগী লমদাংসিদা খুজাইরোক্তা খুজাই থাদুনা হাৎপনি, হায়না শন্দোকই। গুরু গোপালদাস লৈতবদগীদি শান্তিদাস মহন্তসি খ্বাইগী গুরু হায়বদু ওইরে হায়বসি মথক্কী ৰারোলসিমক্তদসু য়াওজরি। শান্তিদাস গোষাঞ্জীসি হৈরবসু হৈত্রবসু মীথোই মীহেনবা পাম্বা মীশক্লি, অদুনা মহাক্লা মৈতৈ নিংথৌগী মফমদগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি। মসি মীওইবগী মহৌশানি, মীকোক থোংবা পাম্বা, মিংচৎ তাল্লিবা অমসুং মীয়ামগী লুচিংবা ওইনীঙলিবা মীওইশিংনা অতোপ্পদগী খুদোংচাবা লৌবদুনি।

শান্তিদাস গোষাইগী মতমদুসি চাওখৎলবা লমদম ওইনা ভারতবর্ষগী অৱাং-নোংপোক্কী লমখৈ ঙাক্লিবা 'শ্রীহস্থ/শ্রীহষ্ট/সীহ্লেট'' হায়বা মৈতৈনা ''পাশা(বাশা-বাঙ্গাল মচা)/শিলোৎ'' কৌবদুগী নরসিংহ টিল্লাদগী লাকখিবনি অমসুং অহোম লৈপাক্তা মতম খর লৈরম্লগা মৈত্রবাক/মেখলীদেশতা থোক্লকপনি। শ্রীহস্থসি মমাঙউৈদগী হৌনা মহৈ-মশীং হৈবগী লমদাংদা মতমদুগী বিশ্ববিদ্যালয় [University] লৈরবা নালান্দা [Nalanda] গা লাম্বা নোপ্তনবা হোৎনখিবা নবদ্বিপকী পণ্ডিতশিংদুগী হওরকফম্নি। মহাক্না মণিপুরদা লাক্লবদা মীতীক-মীরৌ খঙলবা নুপাসিনা মৈদিংঙুগা নকশিন্নবা হেক ফংলকপদগী নিংথৌসিনা পামগদবা থবক-থৌরমশিং ঙাক্তা তৌরমগদবা মাল্লি। অদুগা মহাক্না অকন-অথৌ পামজবা মৈতৈ নিংথৌদুদা অকনবা অথোইবা রাম, লক্ষ্মন, খ্বাইগী লাল্লোই-লাম্থৌয়াঙ ওইরবা হনুমান/হনুমন্তগী ৱারীনা থন্না য়াওরবা রামায়নগী ৱারী, মহাক্না মচীন্দা পুরকপদু লীদুনা নুমিৎ খুদিংগী তাহল্লি হায়বসি ফিগৈ শেংলবা ৱাফম্নি। মহাক্না তৌরিবা পুন্নমকসি মৈতৈ নিংথৌগী থৌজাল-মিৎয়েং ফংননবা থৌরাংগী মখাদা মশাগী খুদোংচাবা ফংনবা থৌশীল অমসুং মীগী কান্নবা তৌবদুগী মরুমদা মশাগী ওইজবা তানবগী খুজীন অমদি লৈরিবনি। মহাক্না লীরিবা রামায়নগী ৱারীশিংদুগী লাংজৈ শক্তম ওইরিবা শ্রীরামদুগী ধর্ম্ম হৌদোক্তুনা লীংখৎলগা মহাক্না নিংথৌগী গুরু ওইরবদি মৌর্য্য নিংথৌরেন চন্দ্রগুপ্ত [321-297 B.C.] না মৌর্য্য সম্রাজদা চানক্য/কৌতিল্য ব্রাহ্মন [Chanakya/Kautilya Brahmin] না তৌখিবদুগুম পানবা য়াগনি হায়বসি মহাক্কী আশানি। অসুম্না মহাক্না নোংম-নোংমগী রামচন্দ্রগী ৱারী লীরকপসিনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী পুক্নীঙদা মৈতৈ লাইনীঙ পাম্লক্তবগা লোইননা নুপীগুম কপচেৎ-কনবা রাধা-কৃষ্ণ লাৎপগী ধর্ম্ম সম্প্রদায়দুসু থাদোক্লীঙলকখি। হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মদি থাদোক্তনা যুম্ফম কাইদোং হোংবদনি, লুরিবদি মপা-মপু হাক্তক্কী চীঙঙু লাইশিং, মখোয়গী লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোনশিংদু থাদোক্লবা থৌরাংবসিনি। অদুবু হায়রিবসি ''চাশি মরু, হুন্দোকসি মতোং'' হায়বদু ওইদুনা মতম খরদি লেনখি।

মতম্না খর মখৈ হৌখ্রবসু পীক্লবা লশিঙগী লংলাদুনা তত্তনা তক্লকপদা তরেংগী ময়োৎ ওইরিবা য়োৎ অদু ফাওবা তুমশিল্লকই, লংজা-লংমি তাদুনা চাশিন-চামশিল্লকই। অদুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজসু হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মবু লৈপাক্কী

ধর্ম্ম/লাইনীঙ ওইহন্নবগীদমক্তা মৈতৈ লাইনীঙশিংগী মায়য়োক্তা থবক খরদি লৌখৎপা তারকখি। অসুম্মা পায়খৎলকপগী অহানবা খোঙথাংদা মৈতৈ উমংলাইশিংবু খুবম য়াদুনা লাৎপা তারগনা হিন্দু লাইনীঙলোনগী লীচৎ অমসুং মনাত্তা লাৎপা হায়বসিনি। হায়রিবসিনা মৈতৈশিংগী থম্মোইদা করি পীরিবগে অমদি ৱাখন্দা করি পোক্লিবগে হায়বসিগী অহানবা চাংয়েং তৌবগী থৌশীন্নি। পায়খৎখিবা থবকশিংদুদিঃ-

ৱামনবা মেরাগী কুম শক ১৬৪৫ (খৃঃ ১৭২৩) ... থৱান থা ... খুল্লক্তা ওক-য়েন লোইহন্দে, লৌৱাইদা থাএ॥ লাংবন থা... উমংলাই ৯মগী শঙ্গাইসুং লাম্মাবী ২মগী শঙ্গাইসুং লাই য়াগনুসে হায়দুনা শীদোকএ।... হিয়াঙ্গৈ... থানীননোং ঈরাইদা লাইয়িংথৌ নোংশাবা, য়িমথৈ লাই, পাম্থোইবী, তাইবং খাইবা ৪দা বামোন ঈরাৎপা চঙহল্লে। (মথক্কীসিদা, ৮৩-৮৪)।

অসিনি। থৌওংসিনা অশেংবা মৈতৈশিংগী থম্মোইদা শোকহল্লম্বা য়াই, অদুবু লানগী মৈচ্রাং পাইরকপনা ৱাজাও-লাঞ্জাওদি থোকখিদ্রে। কবোদগী, ময়াংদগী, তখেন্দগী, তেখাওদগী, খাগীদগী, খাম্রন্দগী, পাশাদগী, অসিনচিংবদগী শাইদাংলকপশিংবু অৱা/ম্রাম্মা অমসুং তখেন/ত্রিপুরী অনিগী থাঙচপ্পনা লান্দারকপগী খৃঃ ১৭২৪ গী জনুৱারী লোয়রমদায়দগী ফেব্রুৱারী লোয়বা ফাওবগী লানফমগী মৈশা লাংবনা ধর্ম্মগী মনা-মনীন নাইদবগুম তৌই।

মথক্কী থৌদোকসিদা হিন্দু ধর্ম্ম পাম্বা/পামদবা অমসুং/নৎত্রগা মৈতৈ লাইনীঙ মাঙহন্নীঙদবা/কঞ্জনীঙবা কনাগীসু মৱা ৱাকৎ লাক্রবসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মৈতৈগী হৌন-লোনচৎসু ঙাক্লা (মথক্কীসিদা, ৮৪) হিন্দুগী মনাৎকী লীচৎসু হাপকৎলক্লে অমসুং গৌরিয় হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মদা রাধা-কৃষ্ণ যুগোল রূপ [Coupling images of Radha and Krishna] লাৎপা লাইনীঙসিবু লৈপাক্কী ধর্ম্ম ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি। খুল্লক্তা ওক-য়েন লোইবশিংবু ৱাকোঙবা (মথক্কীসিদা, ৮৫) অমসুং মংলেন-মংজনফমদা ফুল্লিবা মৈতৈ নিংথৌশিং (খাগেম্বা, খুঞ্জাওবা, পাইখোম্বা অমসুং চরাইরোংবা) গী মং তৌথোক্লুনা শরূ লৌথোকপগী থবকসু পায়খৎখি [মথক্কীসিদা, ৮৫]। মসিদি মৈদিংঙু ৪ খক্তগীনি, অদুগা লৈপাক পুন্নমক্কী ওইনা মং তৌদুনা মংথোঙ হাঙখিবসিদি মৈদিংঙু পাইখোম্বনি, মদুদিঃ-

...কৈশাম লনহাংবগী কুম শক ১৬০৬ (খৃঃ ১৬৮৪) লাংবন থা ইরোম লোইনাই ঙাশীংবগা লুক্রাম মোনশাম্বগা ২মনা চিংদুনা লৈপাক পুম্নমগী লূ তৌএ। সনা লুপাদি নিংথেমদা কৎএ। শেনচাও পুখমদি কোরী তাদুনা শাং অঙাংবনা তোমাল পুংজাও শাএ (মথক্কীসিদা, ৫১)।

অসিনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মং তওথোক্কুনা শরদ্ধ ফুক্কোকপগী লমদাংসিদা লীলা-দ্রামা ইবশিংনা মখোয়গী ইবগী পীরিবা লমখৈ লাম্থোক্কুনা পঙইদা ইশিন্নবসি ইতিহাসকী পরীংদা অকায়বা ওইহল্লি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজসিনা লৌখৎখিবা থৌরমদু হৌজিক্তি জাতিসিগী চৎনবী ওইনা চত্থরি মদুদিঃ-

...মোইরাং খোঙ্গদোংগী কুমদি শক ১৬৪৬... লমদা থা ২০নি লংমাইচিং (এপ্রিলগী অহানবা চয়োন, খৃঃ ১৭২৫) নিংথেম্না মবুধৌ খিবিকপু মৈদা ইক্কুনা ইংথি [Chindwin now in Myanmar] দা তুমগে চৎএ। লৈপাক পুম্নমা মৈদা ইকপসুং অদুঙৈ হৌএ। নিংথেম্মু মহারাজ কৌবসুং অদুঙৈ হৌএ (থক্কীসিদা, ৮৫)।

অসিনি। 'মহারাজ' কৌবসিদনি হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মনা মৈত্রবাক্কী ধর্ম্ম ওইখিবসি।

হিন্দু ধর্ম্মনা অসুম্না থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাংসিদা লৈপাক পুবা অঙম্বশিং অমসুং মীচম-মীয়ামশিংদগী লাইনীঙলোনসি শৌগৎপগী পাউখুম লাকখি, হায়বসি মৈতৈ চনুরাশিংনা হিন্দুগী সতিদাহ [মপুরোইবা নীঙবীশিংনা মপুরোইবা নোঙ্গারবদা মপুরোইবগী চিতাদা মশাবু মৈদা থাদোকচদুনা মশাগী অরেপ্পা মশক উৎপা: মসিবু রাজপুতশিংনা জউহর (Jauhar) কৌই (M.R.K., 1978, 294)] গী মচৎসি ইন্নরকখিবসি (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৮৫-৮৬, ৯৩-৯৪, অসিনচিংবা) নি। অদুগা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা হান্না চৎলম্বা হিন্দু লাইনীঙশিংগী লাইশিংবু তোপ্পা থম্নীঙলকপা অমসুং রমান্দি লাইনীঙদা হেন্না পুক্নীঙ চিংশিল্লকখিবগী খুদম-চাংদমদিঃ-

...য়েংকোকপম লেংহানগী কুম শক ১৬৪৮... শজিবু... থানীন নোং (এপ্রিল-মে, খৃঃ ১৭২৬)... কৃষ্ণসুং কালিকাসুং পুখ্রি মপান্দা থমএ (মথক্কীসিদা, ৮৭)।

অসিনি। মসিদা 'পুখ্রি মপান' হায়রিবসিগী পুখ্রিসি চহিসিগী মার্চতা তৌখিবা

"কোংবদা পুখ্রি লম ১০০ শুবা তৌএ" (মথক্কীসিদা, ৮৬) হায়রিবা হৌজিক্কা "নিংথেম পুখ্রি" হায়না খঙনরিবা ৰাঙ্খোদা লৈরিবা অসিনি। অদুগা রামান্দি ধর্ম্মগী লাই অমা ওইনা রামদাস হনুমান নৎত্রগা রুদ্র অবতার, মহাবলী হনুমন্তগী মুর্ত্তি লীংখৎনবা থৌরাং তৌখি। অসুম্না মৈদিংঙু গরিবনিৰাজগী রমান্দি ধর্ম্ম স্বভাপকী মমি উৎলিবা হনুমানগী মূর্ত্তি শাননবগী থৌরাংসিগী ৰাপাংদিঃ-

...শাদোকপম শাইপুগী কুম-শক ১৬৫১... ঈংঙা থা... ১৫নি লংমাইজীং (জুলাই, খৃঃ ১৭২৯) দা সনা কৈথেন্দা য়ুংবা নুঙবু হনুমানগী মূর্ত্তি শানবা মোংবহনবা তান্না চিংশিনএ (মথক্কীসিদা, ৮৯)।

অসিনি। অদুগা মমাঙগী চহিদা শান্তিদাস গোষাঞ্জীনা চীঙঙু তাইবং খায়বা হায়বা লাইসিগী মতীক খঙদ্রিঙৈদা মৈদিংঙু গরিবনিৰাজনা মৈতৈগী উমংলাইশিং লাৎলরোয় হায়দুনা লাইফম থুগায়খিবা, লাইগী কোনমায়/কোল্লূ থুগায়-য়েশ্বায়খিবা লাইশিং-উমংলাই মাপন অমসুং মথং ঈঙেন থাদা মাঙহনখিবা-লাইয়িংথৌ (নোংপোক নিংথৌ), পাম্ভোইবী, লাই-ৰা-হায়বা, লম্মাবী ২, সোরারেন, হোইদোন পোকপী (মথক্কীসিদা ৮৭) তরেৎ অসিদগী লাইয়িংথৌ ৰা-হায়ববু মৈতৈশিংগী মখোয়দৌ শাওগৎপা ফননবা অমুক হন্না লাই কোনমায়-কোল্লূনচিংবা হঙ্গদুনা য়ুমথৈদা লাইফম শেমদুনা খুবম য়াখি। (মথক্কীসিদা, ৮৯-৯০)। অদুগা মতীক লৈরবা লাইয়িংথৌসিগী মীওই শুবা শক্তম হঙ্গনবা থৌরাংদুনা মৈতৈশিংগী মবুক ফাখি। অদুবু মীতোপ-মীরাল ওইবা মৈতৈগী মরক্তা লৈবা, খৃঃ ১৭১৯ গী মতমসিগী তুংলমচত্তা মীরন্না মপোৎ শারগদবশিংদুদি মপুক্লীঙদা অমা খন, মচীন্দা অমা ঙাং, মখুৎনা অমা তৌ অমসুং মমিৎনা ওইজবদা য়েংদুনা লৈরি।

মৈদিংঙু গরিবনিৰাজনা হায়রিবা চহি অম-নিসিদা লিনসু শিনবা চৈসু তেক্তনবা থৌওং-থৌরম কয়া পাংথোক্তুনা নাক অনিমক্কী লাকলেন লাংদাইনবা হোৎনখি। মতাংসিদা লৌখৎখিবা থবকশিংদুদিঃ-

(১) ... শাদোকপম শাইপুগী কুম খৃঃ ১৬৫১ ... থৰান থা ...২নি শগোনশেন্দা লাইয়িংথৌ ৰা-হায়ববু য়াসে হায়দুনা য়ুমথৈদা লাইফম য়ারে (মথক্কীসিদা, ৮৯-৯০)।

(২) ...লাংবন থা... ৭নি য়ুমশকৈশদা ঈশৈ শকপা, পেনা খোংবসু অদুঙৈগী মখৈ লীংহওএ (মথক্কীসিদা, ৯০)।

(৩) ...হিয়াঙ্গৈ থা... ১১নি য়ুমশকৈশদা হনুমানগী লাইশঙ শঙ্গায়ে (মথক্কীসিদা, ৯০)।

(৪) ৱাকচীঙ থা (জানুঃ-ফেব্রুঃ, খৃঃ ১৭৩০)... ১১নি ঈরাইদা লাই ৱাহায়বগী ফুরাদা মুর্ত্তি শঙ্গায়ে (মথক্কীসিদা, ৯০)। ... থানীন্নোং য়ুমশকৈশদা গুরুসুং নিংথেমসুং লিল্লোংদা ঈরুপএ। অদু নুমিত্তা মহাপুরুষনা লুকুন থাংপীএ (মথক্কীসিদা, ৯০)।

অসিশিংসিনি। অসুম্না মৈতৈ মনাৎকী অমসুং হিন্দু মনাৎকী লাইথৌ নৎত্রগা লৈঙাক-খুনঙাক্লোনগী থৌগায়-থৌদাংশিং য়ান্না-য়ান্না পাংথোক্লি। মথক্কী থৌরম মরিসিগী মনুংদা খ্বাইদগী অকোনবা অসিনি, মৈতৈ হিন্দু লাইনীঙলোনগী লমদাংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি।

মফমসিদা লুকুন থাংবা (নগুণ থাংবা) হায়রিবসি হিন্দুগী দশ সংস্কার [শেংদোকপা (Sacrement, a sacred/sanctifying ceremony) মখল ১০ গী উপনয়ন হায়বদুনি (ফঃকঃশঃ,১৯৯৭, ৬৬)। হায়রিবা উপনয়ন/নগুণ (নুগুণ) থাংবা হায়বসিগী ৱাহন্দোক ওইনা পীবীরিবদিঃ-

Upanayana 'initiation' n. of a sanskara-rite "in which a Guru draws a boy towards himself and initiates him into one of the three twice born (dvija) classes... This rite is reckoned as second birth of the "twice born" [G.L., 1986, 311].

উপনয়নঃ Investiture with the sacred thread, [V.S.A., 1993, 111].

অসিশিংসিনি। মরম অসিনা ৱাফম অসি রমান্দি/রামান্দি ধর্ম্ম সম্প্রদায় লাইমিং লৌবনি। অদুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা শান্তিদাস মহন্তবু গুরু ওইনা লাইমিং লৌখিবসি খৃঃ ১৭৩০ গী জানুৱারী-ফেব্রুৱারী তাইনবগী য়ুমশকৈশ তাবা নুমিৎনি। হায়রিবা নুমিৎসিদগী মৈদিংঙুসি রাধা-কৃষ্ণ লাৎপা হিন্দু বৈষ্ণব নিমানন্দি ধর্ম্ম থাদোকখ্রে অমসুং রাম, সীতা, লক্ষ্মননচিংবা লাৎপা হিন্দু বৈষ্ণব রামান্দিদা চঙখ্রে অমসুং মৈত্রবাক্তা রামান্দি ধর্ম্মগী মতম হৌরে।

মৈদিংঙুসিনা রামান্দি ধর্ম্মদা চঙখ্রবা ফাওবদসু মৈতৈগী লাইয়িংথৌ সনামহী লাৎপা লাইনীঙবুদি থাদোক্কে। অদুনা মহাক্না মখৃঃ ১৭৩০ সিগী জুলাইগী অরোয়বা চয়োন্দা লাইয়িংথৌ সনামহীবু লাই মহারাজ থোন্দুনা লাই কংলা, লাইবুঙ-শঙলেন [মাণ্ডপ (Religious functional hall)] শাদুনা শঙ্গাখি (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৯১)। লাইদা নুপী থাজবগী লাইথৌ খৃঃ ১৭৩১ গী ফেব্রু-মার্চতা পাংথোকখি (মথক্কীসিদা, ৯১)। অসুন্না মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লাইশিং থন্নন্নগা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী ধর্ম্মগী লান্দাসি হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎলগা মহাক্কী খুদুং ইন্দুনা রামান্দি চত্তবা, মমাঙগী নিমানন্দি ধর্ম্মদু চত্তুনা লৈহৌবশিংগী মফমদা ওনশিনখি। নিমানন্দি চৎপশিংদা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিংদু মখাদা উৎচরিঃ-

(১) চিরোম ওস্বগী কুম শক ১৬৫৩ (খৃঃ ১৭৩১) শজিবু থা ... ১৭ নি লৈপাকপোকপদা নিমান্ত্রি (নিমান্দি) চৎপা খিবিক ৱাকোংহনএ (মথক্কীসিদা, ৯২)।

(২) শাইখোম লুৱাংগী কুমদি শক ১৬৫৫ (খৃঃ ১৭৩৩) ... ঈঙেন থা... ১৭নি নিংথৌকাবদা ইবুংঙো শ্যামশাই অহনপনে, নিংথেম মনাও মনুশাইনে ২ মনচিংনা মী ৱাকোঙবা খিবিকপু পন খুদিংদা থাএ (মথক্কীসিদা, ৯৩)।

(৩) ... বামোন গঙ্গারামগী কুম শক ১৬৫৮ (খৃঃ ১৭৩৬)... ইঙা থা... ২নি নিংথৌকাবদা নিমান্দিগী ধর্ম্ম চৎপা খিবিক ৱাকোঙএ (মথক্কীসিদা,৯৬)।

(৪) ...মোইরাং কোইরেংগী কুম শক ১৬৬২ (খৃঃ ১৭৪০) কালেন থা... ২১ নি লৈপাকপোকপদা... নিমান্দি চৎপা খিবিক ৱাকোঙএ (মথক্কীসিদা, ১০২)।

খৃঃ ১৭৩০গী ডিসেম্বর থাদা শান্তিদাস মহন্তনা রামানন্দি ধর্ম্মগী অথোইবা লাইরিক ওইরিবা সপ্তকাণ্ড রামায়ন [Seven integral parts of Ramayana] লৌরুনবগীদমক্তা সীহ্লেটতা চৎখি (মথক্কীসিদা, ৯১)। মহাক লৈত্রিঙৈ তাল্লকসিদা মহাক্কী চেলা [Disciple] ওইনা লাক্লগা মৈত্রবাক্তা লৈহৌবা

ভগবানদাস অমসুং নারায়নদাসনা নিংথৌদা ইনশিন্দুনা (ওঃভঃসঃ, ১৯৬৭, ৭৫-৭৬) মৈতৈ লাইরিক মাঙহনখি (মৈ থাখি) অমসুং লাইফম লীংদুনা, লাইগী মূর্ত্তি হৈদুনা লাৎলবা লাইয়িংথৌ লাই-ৰা-হায়ববু মোংবহনবা উমংদা ফুমজিন্দুনা মাঙহনখি (চৈঃকু ২০০৫, ৯৩)। অদুবু শান্তিদাস গোষাঞীনা সীল্লেটতগী লাক্লবদা তৌরল্লিবা থৌদৌবু অফবা নত্তে, হায়দুনা লাইয়িংথৌসিগী লাইবুঙ-খুবম অমুক লীংখত্তুনা লাৎহনখি (মথক্কীসিদা, ৯৩)। মপুক ফত্তবা অমসুং ওক্রবা ভগবানদাস অমসুং নারায়নদাসস অনিবু মণিপুরদা লৈরগনু হায়না শান্তিদাস গোষাঞীনা তাম্থোক্লবদা ঈকাইবা খঙদ্রবা অনিদুনা মৈদিংঙুগী মফমদা তুজবদগী গুরুগী য়াথংদু হন্দোকখি। (ওঃভঃসঃ, ১৯৬৭, ৭৬)।

মথক্তা হায়খ্রিবা শান্তিদাস গোষাঞীনা খৃঃ ১৭৩০ গী ডিসেম্বর থাদা সীল্লেটতা চৎখিব (মথক্কীসিদা, ৭৫ অমসুং ৭৬ অমদি চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৯১ অমসুং ৯৩) দগী হল্লক্ত্রিঙৈগী মতমসিদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা মৈতৈ লাইরিক মাঙহনবগী থবকসিসু পায়খৎখি। মসিগী মরমসিদা পীরিবদিঃ-

...অমোম ৱাকোংগী কুম শক ১৬৫৪... মেরা থা... ১৭ নি লংমাইচীঙ (নবেম্বরগী অহৌবা চয়োন, খৃঃ ১৭৩২) দা মৈতৈ লাইরিক মাঙহনএ (মথক্কীসিদা, ৯৩)।

অসিনি। লাইরিক মৈথাবগী থৌদোকসি মৈতৈশিংগী থম্মোইদা খোয়শাওনবা অমসুং শাওনীঙবগী ঈথক হৌরিবনি অদুবু নিংথৌনা তৌবা থবক্লিনা মশা-মশাগী মপুন্সিদা খুদোংথীবা থোক্কদবগী মমি উবনা তুমীন্না খাঙনখি। মৈ থাখি হায়দুনা পীরিবা লাইরিকশিংদুগী মমিংশিংদিঃ-

(ক) শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ অরিবা মণিপুরী সাহিত্য ইতিহাস (ইম্ফাল-১৯৬৯)ঃ লাঃ ৩৯-৪১ঃ-

(১) তাউরোইনাই য়াঙবী (২) পাখংবা য়াঙবী, (৩) পাখংবা নাউয়োম, (৪) সনামহী নাউয়োম, (৫) সনামহী লাইহুই, (৬) তাউরোইনাই পীচা, (৭) পাখংবা থিরেন, (৮) পাখংবা লাইহুই, (৯) সনামহী লৈখন-নোংখন, (১০) লৈথক লৈখারোন, (১১) লৈখা-নোংখারোন, (১২) লৈচিনলোন য়ুম্বী, (১৩) নোংলোন য়ুম্বী, (১৪) নোংলোন লাইচম (১৫)

নোংলোন ক্রুথোং, (১৬) নোংলোন লাংবুম, (১৭) নোংদোন লৈচিনলোন, (১৮) লৈরোন য়ুমচেৎপা (১৯) লৈচিনলোন নাউয়োম, (২০) লৈপাক্তা হৌবা লৈচিনলোন, (২১) পাতাল লাংবুম, (২২) থিরেন শাকোক, (২৩) থিরেল শীংকাপ, (২৪) খুনুং শীংকাপ, (২৫) থিরেল মৈরম লীবা, (২৬) থিরেল লায়াৎ, (২৭) থিরেল লাইচম, (২৮) থিরেল চেপ্পী, (২৯) থিরেল থিপোকপী, (৩০) থিরেল ক্রুথোং, (৩১) লৈশাংখোং থিরেল, (৩২) য়ুন্বী থিরেল, (৩৩) নোংমাইজিং থিরেল, (৩৪) হৈপোক থিরেল, (৩৫) লাঙ্গোল থিরেল, (৩৬) কৌব্রু লাইখৈ, (৩৭) থাংজিং লাইখৈ, (৩৮) চীংখৈ শেকনীং, (৩৯) চীংঙা লাংখৈ, (৪০) ললাম্বুং লাংখৈ, (৪১), ৱাংব্রেন শেকনীং, (৪২) নুংলোন লম্বুবা, (৪৩) নুংলোন য়ুন্বী, (৪৪) নুঙলোন খ্রা, (৪৫) নুংলোন লাইচম, (৪৬) নুংলোন য়াঙবী, (৪৭) শাকোক লাইচম, (৪৮) খোই মহৌ, (৪৯) মহৌ লাংবুম, (৫০) মহৌ চান্তা, (৫১) মহৌ শেকনীঙ, (৫২) মহৌ ফিজপোক, (৫৩) মহৌ লাংবুমথেন, (৫৪) তাম্বোঙ মহৌ, (৫৫) লেমথোঙ মহৌ, (৫৬) নোংপাই মহৌ, (৫৭) লৈহৌ মহৌ, (৫৮) য়ুন্বী মহৌ, (৫৯) থেনখেন মহৌ, (৬০) লৈচাই মহৌ, (৬১) থেনকা মহৌ, (৬২) নোংলোন মহৌ, (৬৩) লৈরোই মহৌ, (৬৪) চকপরোন মহৌ, (৬৫) হিরি লুংশুং মহৌ, (৬৬) কিথুম মহৌ, (৬৭) চকপরোন থেনকাবা, (৬৮) কোন্না নুংঙবুঙ কোনবা, (৬৯) নোংদোন হিরি, (৭০) খুনুং শমপুম, (৭১) থিয়ানলোন, (৭২) মরাৎলোন, (৭৩) চুলাৎলোন, (৭৪) মরাকলোন, (৭৫) হিরি লুংশুংলোন, (৭৬) চোংখুলোন, (৭৭) খাম্বীরোন, (৭৮) লাইয়াৎ থেংগৌরোন, (৭৯) চরাপলোন, (৮০) অপোকলোন, (৮১) অপোক লাংবুমলোন, (৮২) লংমাইচীং চীংগোইরোন, (৮৩) হৈপোক চীংগোইরোন, (৮৪) চীংথাং চীংগোইরোন, (৮৫) থাংজিং চীংগোইরোন, (৮৬) কৌব্রু চীংগোইরোন, (৮৭) লোইজিং চীংগোইরোন, (৮৮) কোঞ্জেং কোকফাইরোন, (৮৯) চোংখু লম্বী, (৯০) খুনুং পুংগোইলোন, (৯১) খাবী থেলেনলোন, (৯২) শিবিকা, (৯৩) জতিৎ, (৯৪) খুম্বোক য়াঙবী, (৯৫) চীংশৎলোন, (৯৬) মহৌ য়াঙবী, (৯৭) উলোন, (৯৮) ৱালোন, (৯৯) পাবোৎ খাংচীংলোন, (১০০) শংবুম লাংবুমলোন, (১০১) ক্রি লংশুংলোন,

(১০২) থাংয়াং হিবুকলোন, (১০৩) শীংখল লাংখললোন, (১০৪) শীংতাপুং, (১০৫) সনা শেকনীং, (১০৬) পোইরৈতোন খুনথোকপা, (১০৭) পোইরৈতোন নিংচিৎ, (১০৮) খম্মোই য়াম্মোই শেকনীং, (১০৯) সনামহী থিরেন, (১১০) পাখংবা থিরেন, (১১১) নোংশাবা খুম্থোক, (১১২) নুংবী নুংথারোন, (১১৩) ৱাবা লাংকাইলোন, (১১৪) কোংখা লাইচৌলোন, (১১৫) শেল্লোয় নিৎচিৎলোন, (১১৬) পাফন উহৌলোন, (১১৭) নুমিৎ খেঞ্চংলোন, (১১৮) থা খেঞ্চংলোন, (১১৯) থৱানমিচাক খেনঞ্চংলোন, (১২০) তাউমা হিয়াং কোল্লোনা।

মথক্তা ইরিবশিং অসিদা নত্তনা শক্লরিবা শোন্নরিবা লাইরিক অয়াম্বা।

(খ) কোঞ্জেংবম ধন সিংহঃ মৈতৈ পুয়া ৱারী মচং (ইম্ফাল-১৯৭৪)ঃ লাঃ ১০৯-১১২ঃ-

মথক্কীসিগা মান্নবদা (১২১) সনামহী লমহিং [মশীঙ (৬) তা] হেল্লি। অদুগা পুরান ১২১ অসিদি ফংই অতৈদি মমিং ফংবা ঙমদ্রে। পুরান লাইরিক (২২০) চনি কুননি হায় অসি নত্তবা কয়া অমসু মৈদা থাখি হায়না ইরমই।

(গ) সাইরেম নীলবীরঃ লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ (ইম্ফাল-২০০২)ঃ লাঃ ১০৩-১০৫ঃ মথক্কী (ক) গা মান্নে।

অইবগী থাঙথারোন [Post Mortem]

মৈত্রবাক্কী লাইরিকশিং মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতমদা মৈ থাখিবা মৈতৈশিংনা "পুরান মৈথাবা" হায়না খঙনরম্বদগী ঙরাং-নহান খৃঃ ১৯৬০ গী মতুংদা "পুয়া মৈথাবা" হায়না মমিং ওনখিবসিগী মরমদা অফংবা খর মথক্তা থমজখ্রে। অদুবু লাইরিকশিং মৈথাবগী থৌদোক্তুদা শান্তিদাস মহন্তনা মী অশিবা পোৎলোয়বগী শীঙশেম্বগুম শেম-শারগা মৈ থাবা, শান্তিদাস মশামক্লা মৈ চুবগী ৱাফম মিৎনা উবা পাউদম পীনরি। (নঃখঃসঃ, ১৯৬৯, ৪২), (কঃবঃসঃ, ১৯৭৪, ১১২), (সঃনঃ, ২০০২, ১০৩-১০৫) অমসুং (অঃনঃঅঃ, ১৯৭৭, ১৯৬)। অদুবু লাইরিক মৈ থাবগী মতমসিদা শান্তিদাস গোষাঞ্জীসি মৈত্রবাক্তা লৈতে, সীহ্লেটতা লৈরি। হায়জরিবসিগী খুদম-চাংদমদিঃ-

(১) ...সরাইশম পাঙনগী কুম শক ১৬৫২ ... হিয়াঙ্গৈ থা... ৩নি নিংথৌকাবা (নবেম্বরগী ৩শুবা চয়োন, খৃঃ ১৭৩০) দা নিংথেম তুৰারোক্তা গুরু থিনবা চৎএ। প্রেমদাসনচিংনা মী ৬ গুরুগা লোইনখিএ। (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৯১)।

(২) ... অমোম ৱাকোংগী কুম শক ১৬৫৪... পোইনু থা থনিননোং নিংথৌকাবা (ডিসেঃ-জানুঃ গী লোন্নবা মরক, খৃঃ ১৭৩২) থা শানা ফংএ। পুম্না য়োৎএ॥ ময়াংলমদগী ঠাকুর মহন্তনচিংনা শাগৈ খিবিক য়াওনা গুরুনা কৌথোকলকএ (মথক্কীসিদা, ৯৩)।

অসিনি। অহানবগীসিনা শান্তিদাস গুরুনা মৈত্রবাক থাদোকখিবগীনি অমসুং অনিশুবগীসিনা মৈত্রবাক্তা মহাক্লা হল্লকপদা ময়াংদগী (ডিমাসা লৈপাক্তগী) বামোন শাগৈশিং পুদুনা লোইননা থোকমিন্নরকপগীনি (ওঃভঃসঃ, ১৯৬৭, ৭৫-৭৬ অমসুং মঃসঃঅঃ, ২০০৩, ৭৭৫)। মহাক্লা মৈত্রবাক্তা থোক্লিবসি খৃঃ ১৭৩২গী ডিসেম্বর লোয়বদনি অদুগা লাইরিক মৈ থারিবসিনা খৃঃ ১৭৩২ সিগী নবেম্বর থা হৌগৎলকপদনি, (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৯৩) থা অনিরোমগী মতম খেন্নরি। হায়জরিবসি চৈথারোল কুম্বাবা ঈডিট [Edit] তৌবীরিবশিংসিনা শোয়রম্লবদি খঙদ্রে, অফোংবা লাইরিকসিগী লমায় অমত্তদা লাইরিক্কী ৱারেংগী পরেং ৩/৪ দা খেন্নবা য়াওরিবনি।

মথক্কী অসুম্না লাইরিক মৈ থাবসি মৈতৈনা খৃঃ ১৮৯১ দসু নংখি। মতমদুদা মখোয়না মীখা পোল্লবা জাতি ওইবনিনা লৈঙাক মপু বৃটিশশিংদা করিসু হায়জবা ঙমখিদে। মখোয় বৃটিশশিংনা মৈ থাখিবা লাইরিকশিংদুগী মমিং মথাদিঃ-

(ক) **শ্রীলাইশ্রম মঙ্গী সিংহ, শ্রীলোংজম মনি সিংহঃ** মণিপুর ইতিহাস- সুরচন্দ্র ও টিকেন্দ্রজিৎ চরিৎ বিজয় পঞ্চালি (ইম্ফাল, ১৯৬৯)ঃ লাঃ ১৬৯-১৭১

(১) শিঙকক, (২) শিংথা, (৩) শিংথেক, (৪) হিঙশিক, (৫) সঙ্গাই ফম্মাঙ, (৬) সলাই সাগোক, (৭) ফম্বাললোন, (৮) শিংথারোন, (৯) পুদিন, (১০) কোম্ভারোন, (১১) কুম্বাবা, (১২) লাংথাবানলোন, (১৩) তাউরোইনাই য়াঙবী, (১৪) পাখংবা নাউয়োম, (১৫) তাউরোইনাই পিচা,

(১৬) সনামহী নাউয়োম, (১৭) পাখংবা য়াঙবী, (১৮) সনামহী লাইহুই, (১৯) সনামহী লমহিং, (২০) পাখংবা লাইহুই, (২১) সনামহী লাইকললোন, (২২) লৈথক-লৈখারোন, (২৩) নোংলোল লাইচম, (২৪) লৈখা নোংখারোন, (২৫) নোংলোন ক্রথোঙ, (২৬) লৈচিনলোন য়ুন্বী, (২৭) নোংলোন লৈচিনলোন, (২৮) নোংলোন য়ুন্বী, (২৯) লৈরোন য়ুমশেৎপা, (৩০) নোংদোন লাংবুম, (৩১) লৈমদা হওবা লৈচিল্লোন, (৩২) লৈচিলল্লোন নাউয়োম, (৩৪) পাতাল-লাংবুম, (৩৫) থিরেন শাগোক, (৩৬) থিরেন লাইচম, (৩৭) থিরেন মৈরম লীবা, (৩৮) থিরেন শিঙকাপ, (৩৯) থিরেন লৈয়াৎ, (৪০) খুন্নুং শিংকাপ, (৪১) থিরেন ক্রথোং, (৪২) থিরেন থিবোঙবী, (৪৩) শিবিকা লাইশাবা, (৪৪) থিরেন চেপপী, (৪৫) নোংশাবা খুম্বোক, (৪৬) পাখংবা থিরেন, (৪৭) নুঙবি নুঙহারোন, (৪৮) সনামহী থিরেন, (৪৯) থৌৰানমিচাক খেঞ্জঙলোন, (৫০) নুমিৎ কাপ্পা, (৫১) থা খেঙলোন, (৫২) থিরেন নানম্বা, (৫৩) তাউমা হিয়াই কোল্লোনা, (৫৪) শনকাও, (৫৫) নোংশুমৈ পুরান, (৫৬) চৌদিৎ, (৫৭) লাইকাও, (৫৮) লৈশাংখোং থিরেন, (৫৯) লাঙ্গোন থিরেন, (৬০) য়ুমবী থিরেন, (৬১), হৈপোক থিরেন, (৬২) নোংমাইজিং থিরেন, (৬৩) ললাম্বুং লাইখৈ, (৬৪) কৌব্রু লাইখৈ, (৬৫) খোই মহৌ, (৬৬) থাংজিং লাইখৈ, (৬৭) চীঙখৈ শেক্লীঙ, (৬৮) চান্দা মহৌ, (৬৯) নোংলোন য়ুন্বী, (৭০) চীঙঙা লানখৈ, (৭১) নুংলোন খ্রা, (৭২) নুঙলোন য়াঙবী, (৭৩) ৱাংব্রেন শেক্লীঙ, (৭৪) নুঙলোন লাইচম, (৭৫) নুঙলোন লম্লুবা, (৭৬) শাগোক লাইচম, (৭৭) মহৌ লাংবুম, (৭৮) মহৌ শেক্লীঙ, (৭৯) য়ুন্বী মহৌ, (৮০) মহৌ চান্দা খেল, (৮১) লেমথোং মহৌ, (৮২) মহৌ ফাফি, (৮৩) শাকোক, (৮৪) তানথোং মহৌ, (৮৫) মহৌ য়াইয়োক, (৮৬) থেনখেন মহৌ, (৮৭) নোংচাই মহৌ, (৮৮) লৈচাই মহৌ, (৮৯) থেনকা মহৌ, (৯০) নোংলোন মহৌ, (৯১) লৈরোই মহৌ, (৯২) চকপরোন মহৌ, (৯৩) চকপরোন থেনকাবা, (৯৪) হীরী লংশুং মহৌ, (৯৫) কোননা নুঙবুঙ কোইবা, (৯৬) কিথুম মহৌ, (৯৭) চকপরোন, (৯৮) থেবরোন, (৯৯) থীয়ানলোল, (১০০) নোংদোন হীরী, (১০১) খুনুং শম্লুম, (১০২) মরাৎলোন, (১০৩) চুরাৎলোন, (১০৪)

মরাকলোন, (১০৫) পাকলোন, (১০৬) ঙাপোক লাংবুমলেন, (১০৭) খাবী খেল্লেনলোন (১০৮) খাম্বীরোন, (১০৯) চরাপলোন, (১১০) চোংখুরোন, (১১১) নোংমাইজীং চীঙগোইরোন, (১১২) উরোন, (১১৩) ৱারোন, (১১৪) হৈপোক চীঙ্গোইরোন, (১১৫) গ্রী লংশুংলোন, (১১৬) কৌব্রু চীঙ্গোইরোন, (১১৭) চীঙথাং চীঙ্গোইরোন, (১১৮) শমসোক ঙম্বা, (১১৯) জিলা পর্ব্ব, (১২০) চোংখুলম্বী, (১২১) কুমচেং কুকফাইলোন, (১২২) খুম্ভোক য়াঙবী, (১২৩) খুনুং পুঙগোইবা, (১২৪) শিবিকা, (১২৫) শীঙশৎলোন, (১২৬) শংবুম লাংবুমরোন, (১২৭) থায়াৎ হীবুকলোন, (১২৮) শীঙখন-লাংখন, (১২৯) শীঙতাপুঙ গিয়ান, (১৩০) পোইরৈতোন খুম্ভোক, (১৩১) ৱাবা লাংগাইলোন, (১৩২) পোইরৈতোন নীঙচিৎ (১৩৩) খাবক খাঙজিংলোন, (১৩৪) পাফন উহৌরোন, (১৩৫) নুমিৎ খেনচঙলোন, (১৩৬) শেল্লোই নীঙচিৎলোন, (১৩৭) মহৌ য়াঙবী, (১৩৮) সনা শেক্লীঙ, (১৩৯) সনামহী থিরেন, (১৪০) খঙমোই য়াঙঙোই শেক্লীঙ, (১৪১) কুমজন ঈরাৎ, (১৪২) পাখংবা ফম্বাল, (১৪৩) লাংওন-লাংদাই, (১৪৪) লাইসনা ফম্বাল, (১৪৫) নারোৎ গীতা, (১৪৬) নুঙলোন থম্বাল, (১৪৭) নুমিৎ লৈচিনলোন, অসিনচিংবা লাইরিক কয়ানি, মশীঙ থাদুনা লোয়বা ঙম্মোয়...॥ হায়না ইবীরম্মী।

(খ) **কোঞ্জেংবম ধন সিংহঃ মথক্কী** লাইরিকঃ লা ১৪৫-১৪৭ অসিশিংসিনি। অদুবু মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতমদা মৈ থাখি, হায়রিবা লাইরিকশিংদসি বৃটিশনা মৈ থাখিবা লাইরিকশিংসিগী মনুংদা লোয়নমক য়াওরি অমসুং অখঙ-অহৈ অমনা অসুম্নসু ৱাফম ফোঙদোক্লি, মদুদিঃ-

মৈ থাখ্রে হায়রিবা লাইরিকশিং অসি খোঙ্গুল মুৎখ্রবরা?

...কনাগুম্বা নিপা অমগীদা লাইরিক অরুবা অমা লৈরে, মীঙোন্দা য়েংহনবা য়াদে হায়দুনা পুথোক্লদবা লাইরিক মণিপুরগী কাচিন কোয়াদা হৌজিকসু লৈনরি। মসিগুম্বা লাইরিকশিং অসি য়েংউবদা অয়াম্বদি মথক্তা মৈ থাখ্রে হায়না মমিং পনখ্রিবা লাইরিকশিং অসিনা নমই। (নঃখঃসঃ, ১৯৬৭, ৪৪)।

...মৈ থাহৌদবা লোৎশিন্দুনা থমহৌবা অরিবা লাইরিক কয়া কয়া হৌজিক ফাওবা লৈনবা য়াওরি... (মথক্কীসিদা, ৪৫)।

অসিনি। মসিনা তাক্লিবদি মৈ থাখি হায়রিবা লাইরিকশিংসি খুৎনা শিন্দোকপা, মান্নবা লাইরিক, [Duplicate/triplicate copy (ies)] শিং হৌজিকসু লৈরি/ ফংলি হায়বনি।

হেন্না তমথীবা মচৎকী ঈ-পাউঃ- মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী সনা হাক্তক্তা লাইরিক মৈ থাবগী লাইবক থীরবা থৌদোক-ৱাথোক অমা থোকখিবসি রেকোর্ড করিনো খঙদনা, উচী কল্লক্তুনা ময়ুম মৈ থাবা অমসুং মপোৎ মশক খঙদবগী তোনখ্রবা লমচৎনি। অদুবু অসি চাইনীজ সম্রাজ লীংখৎলকপগী মতমদা চাইনীজ নিংথৌরেন, শিহ-ৱাং-তি [Shih Wang-Ti (249-210 B.C.)-P.G., 1968, 33] না টাইশিংগী লাইরিক মৈ থাখিবা অদুগুম্না শাথীবা অমসুং তমথীবদি ওইখিদে। মীশি-মীনাগী পাউ করিসু লৈতে অমসুং পব্লিক [Public] শিংনা মশাগী লাইরিক মৈ থাদোকচখিবগী ঈ-পাউসু লৈতে। অদুগা লৈপাক্কী মী অমত্তা কৈশুমদা শুম্বগী (জেলদা থম্বগী) ৱারোলসু লৈতে। অদুবু খৃঃ ১৯৬৭ কী মতমসিদা ''লাইয়িংথৌ সনামহীনা মঙক থৌরী হুকপবু মৈ হৌহল্লক্তুনা ললহাম্বগী মথৱাই কনবীখিবগী'' ৱারী ইব [ওঃভঃসঃ, ১৯৬৯, (ii)] গী ওইথোক্তবা ৱাফমদা, অমা হেক্তা হায়জিনবা ৱাফম অমদি লৈ। শিহ-ৱাং-টিগী থৌদৌসিগী ৱারোনসি মথক্তসু উৎচখ্রে। মতাং অসিদসু লমদাং চাবগী খুদোংচাবদদু লৌজদুনা মতাংগী মতাং ওইনা অমুক হন্না মচা খায়না উৎচরি।

Shih Wang-Ti reorganize his administrative system and divided the territory of his empire... In 214 B.C. he issued orders to seize and destroy all calssical books, particularly those of Confucius, except the books on agriculture, medicine and the divining art. He did not spare the books containing ideas in support of feudalism. *Huge stacks of books so seized were burnt away,* To avert the penalty of death *the book-sellers throughout the whole empire closed their shops and burnt their books. The Emperor also caused four hundred and sixty men of letters to be burried alive* probably because they had remonstracted with him on his mad act of destruction of the valuable ancient writtings. *He even punished his own son Hu-Su with imprisionment for expressing disapproval of his measures...* [P.G., 1968, 37].

মৈতৈগীদা মথক্কী হাৎপা-তুপ্পা, জেল থম্বনচিংবসি থোকখিদবসিসু লাইবক ফবা হায়বদুনি। অদুবু মৈতৈগী থম্মোইদা কাউদবা থাঙফম হকখিবনা মৈদিংঙুগী নৎত্রগা মহাক্কী মচা-মশূ মৈতৈ নিংথৌশিংগী মায়য়োক্তা লেপ্পুবদি ঙমদবনিনা কোক্কী খুৎলাইনা মৈতৈ লাইনীঙলোন্দা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মনা লান্দারকপদা ক্রুসেডকী মৈফম লীংখৎনবা থৌরাং-থৌশীন থল্লম্বনা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী হকচীল্লবা খোঙথাং ফাওবদা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী হাক্তকসিমক্তগী মৈতৈ লাইনীঙশিংগী মফম কন্দুনা লাকখি, হায়বসি লাইয়িংথৌ পাখংবা লাইনীঙ, লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীঙ, লাইরেম্মা নুঙগোইবী লাৎপা লাইনীঙনচিংবনা সাক্ষীশিং ওইনা লেপ্লি।

(৪) হিন্দু প্রমার্থ ধর্ম্ম

হিন্দুগী ধর্ম্মগী শাখা খুদিংমক্তা, মরু ওইনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম শাখাগী সম্প্রদায়শিংদা "প্রমার্থ" (অশেংবা লোন্দাদা, পরম + অর্থ)/পরমার্থ ধর্ম্ম হায়বসি লৈ। মসিগী পরমার্থ হায়বসিগী ৱাহন্দোক ওইনা পীবীরল্লিবদিঃ-

পরমার্থ ঃ- a. 1. having another aim or meaning, 2. intended or designed for another, done for another...
1. the highest interest or advantage, 2. the highest interest of another (opp. to svartha) ...3. the chief or highest meaning, 4. the highest object. [V.S.A., 1993, 316].

অসিনি। মরম অসিনা মসিগী ধর্ম্মসিনা খঙনগদৌরিবসি চৎলিবা ধর্ম্মদুগী "মচি ওইবা" শরুক্তদা পুক্নীঙ-হকচাং থম্বদুবু খঙনগনি। হায়বদি রামান্দি ধর্ম্ম ওইবনিনা অথোইবা লাই শ্রীরামচন্দ্রবু তপস্য তৌবনা ওইগদবনি। মসি ওইবা তারবদি শ্রীরাম ভক্তদু "বানপ্রস্থ আশ্রম" দা চঙগনি। হায়রিবা বানপ্রস্থ আশ্রম হায়বসিগী ৱাহন্দোক্তা পীবীরল্লিবদিঃ-

Vanaprastha: 1. A Brahmana in the third stage of his religious life. 2. An anchorite, a hermit (Ibid, 501)

...As a house holder he was to.... Then, he renounced the world, and went to a hermitage in the forest for meditation.

This was the 3rd stage, Vanprastha Ashram. (B.N.L., 1988-89, 134)

অসিশিংসিনি। হায়রিবা ধর্ম্মসি মৈতৈ নিংথৌশিংগী মরক্তা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজ অসিখক্তমক লৌখি। মহাক্না ধর্ম্মসি লৌখিবগী ৱারোন্দিঃ-

...লাংপোকলাকপম মোইরাম্বগী কুমদি শক ১৬৬১... ঈংঙা থা ৫ নি শগোনশেন (জুনগী ৩শুবা চয়োন, খৃঃ ১৭৩৯) নিংথেম্নচিংনা প্রমাথ ধর্ম্ম লৌএ (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৯৯)।

অসিনি। মহাক্না ধর্ম্ম অসি চৎলবদা লৈশাংহিদেন (হৌজিক্কী কাঞ্চিপুরগী সিফাই লৈরিবা চীঙদুমদুগী মখোঙ) দা মহাক্কী লৈফম অমসুং লাইনীঙফম শেমগত্তুনা "রামশালা" হায়না থোন্দুনা (মথক্কীসিদা, ১১৯) লৈবা হৌখি অমসুং শান্তিদাস গোষাঞীসু লোইনখি (ওঃভঃ ১৯৭২), অদুবু অখণ্ড-অহৈ অমনদি গরিবনিৱাজনা মফমসিবু শেমগৎপা অমসুং মফমসিদা লৈখিবসি খৃঃ ১৭২০ দগীনি হায়না পী (রঃসঃগুঃ, ১৯৭০, ৮৯)। মৈদিংঙুসিনা লাইনীঙসি লৌরবদা শেল্লম্বা মহাক্কী লাইনীঙফম অমসু খৃঃ ১৯৯৫ মার্চ থাদা নোংমাইজীং বারুনী চীঙগী চীঙখোঙ, লফুপোকপী কৌবা মফমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটীগী আর্কিওলোজিষ্ট হিষ্টোরিয়ান ডাঃ এলঃ কুঞ্জেশ্বরী দেবীনা পুখোক্লক্তুনা লৈতৌ-চাংয়েং [Excavation] চথখি।

৫) বৈষ্ণব মাধববী/মাধবচার্য্য-ফু রুপ-লাইনীঙ (শ্রীবিষ্ণু অমসুং অতৈ হিন্দু লাইশিং লাৎমিন্নবা লাইনীঙ)

হিন্দু বৈষ্ণব-লাইনীঙ কাংলুপকী ফুরুপ, "মাধ্ববচার্য্য" শমজিন্না "মাধ্বী সম্প্রদায়" হায়বসি বিশ্বহিন্দু পরিকোর [Periphery] গী ওইনা মহার্ষি মাধ্বচার্য্যনা হৌদোকপীরম্বনি। মহাক খৃঃ ১২০০ দা দক্ষিনাপথগী মনুংচনবা "তুলব" হায়বা লৈপাক্তুদা পোকখি। মপাগী মমিংনা "মধিজী ভট্ট" হায়না কৌরম্মী। মাধ্বী বৈষ্ণব সম্প্রদায় অসিবু ব্রহ্ম সম্প্রদায় হায়নসু খঙনৈ (গঃসঃওঃ, ১৯৪৯, ৭৯)।

মাধবী সম্প্রদায়সিদা অহানবা লাইমিং লৌখিবা অমসুং লাইনীঙসি মৈত্রবাক/মেক্লেদা শন্দোক্তুনা মপান মউ লীংনা হওহনখিবা মৈতৈ নিংথৌসি

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা [(রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, জয়সিংহ, কর্ত্তা, নুঙংনাংখোম্বা নৎত্রগা চীঙশাংখোম্বা (খৃঃ ১৭৫৯-৬২ অমসুং খৃঃ ১৭৬৩-৯৮)] নি। হায়রিবা ধর্ম্মসি লৌদ্রিঙৈদা মৈদিংঙুসি মপা ইবুংঙোগী খুদুং ইন্দুনা নিমান্দি/নিমানন্দি ধর্ম্ম চৎলম্মী অমসুং মহাক্না নিমানন্দি চৎলিঙৈ গুরুসিগী মমিং পীবীরমদ্রে অদুবু লৈপাক্কী চৎলিবা লৈঙাক-খুন্নাইলোনগী পীরম্বশিংদা তারিবা মমিশিংসি য়েংলুরগা ভাগবতি ঠাকুর (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ১২৩) হায়বসি ওইরমগনি হায়না থাজজে। অদুগা মহাকসি রামগোপাল বৈরাগ্যনি, হায়না তাকপী। মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মাধ্বী বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী দিক্ষা গুরুদি ফিদম্নীংঙাই ওইরবা ব্রাহ্মন পরমানন্দ আচার্য্যনি অমসুং মহাকসি খ্বাইগী পূজা তৌনফম ওইরিবা রামগোপাল বৈরাগ্যগী শিষ্য/সেবকনি। মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী মাধ্বী বৈষ্ণব সম্প্রদায়সিগী গুরু প্রনালী [Panel of succession of preceptors] দি মখাদা উৎচরিবসিনি।

শ্রীশ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভূ

১। শ্রীলোকনাথ গোস্বামী

২। শ্রীনরোত্তমদাস ঠাকূর মহাশয়

৩। শ্রীগঙ্গানারায়ন চক্রবর্ত্তী

৪। শ্রীকৃষ্ণচরন চক্রবর্ত্তী

৫। শ্রীকুঞ্জবিহারী চক্রবর্ত্তী

৬। শ্রীনিধিরাম আচার্য্য

৭। শ্রীরামগোপাল বৈরাগ্য

৮। শ্রীপরমানন্দ আচার্য্য

৯। শ্রীভাগ্যচন্দ্র সিংহ (গঃসঃওঃ, ১৯৪৯, ৩০)

মৈতৈগী মবুংঙো চীঙথংখোম্বসি লৈঙাক্লোনগী হীরমদা মরৈপাক হল্লে দাক্লবা লাক্লখি-হোৎনখিবগী থৌরাং-থৌদৌশিংদা মিৎয়েং থম্লবদি "গ্রেট বৃটেনগী স্কোটলেন্ডগী নিংথৌ রোবার্ট ডি ব্রুস [King Robert the Burce of Scotland in Great Britain] কা চাংদম্নবা য়াই, মরমদি, মহাক্না ব্রাম্মাগী অথোইবা লাঞ্জিং-পুরেন অমসুং নিংথৌরেন অলা-উঙ-ভূরা (খৃঃ ১৭৫৪-

৬০) অমসুং মহাক্কী চাদা-নাউদাগী নিংথৌশিংগা মায়য়োক য়ানবদা মায়থীখিবা (খৃঃ ১৭৫৯, ১৭৬৪, ১৭৬৯, ১৭৭৩ অমসুং ১৭৭৪) অমসুং য়ানবা পুরক্লবা হোৎনখিবা [খৃঃ ১৭৭৪ অমসুং ১৭৭৫ অমদি খৃঃ ১৭৭৫ সিদা মচা ইবুংঙো মধুচন্দ্র ফাওবা অৱা কোনুংদা জামিন (Surety) ওইনা লৈহনখিবা (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ১৫০)] পুম্নমকসিনা মরম ওইদুননি। হায়রিবা লৈঙাক্লোনগী চৈথাসিনা মহাকপু মরৈপাক্তা লৈহন্দনা লৌই থাবগী তাংকক অমদা মহাক্না মাধ্বী বৈষ্ণব লাইনীঙসিগী মহাক্কী ঈরাৎনীঙঙাই ওইরবা গুরুসিগা শকখঙ-মায়খঙনখিবা মাল্লি। অদুবু হিরমসিগী থেংখাং থেংখাংশিংগী ৱারোল অমসুং মহাক্না লাইনীঙসিদা লাইমিং লৌখিবগী ৱারোন্দি চৈথারোল কুম্বাবদা চনখৎপীরমদবগা লোইননা মরুওইবা লাইরিক অমতদা পনবীরমদনা খোঙ্গুল মুথৎপীরল্লে।

লাইনীঙসিগী লাইনীঙলোন্না চাওবোক ওইনা মৈত্রবাক/মেখলে/মেক্লেদা হেক্তমক নিংথৌসিগী মতমদা খৃঃ ১৭৭৬ চোংথোক্লকপসিনদি মৈদিংঙুসি, মতুং ইনবা মনাই খরগা লোইননা ধর্ম্মসি খৃঃ ১৭৭৬ কী মমাঙদা লৌরে, হায়বসি তাকই। খৃঃ ১৭৬৩ দগী ১৭৭৬ কী মতমসিদা লানগী, লাল্লক্কী, লাঞ্জেনবগী পুন্সিদা লৈরিঙৈগী তাঞ্জাসিদা খর পুক্লীঙ লৈতানা ৱাখল ঈংনা লৈখিবা মতমসি খৃঃ ১৭৬৫ দগী ১৭৬৭ ফাওবদা তেখাও/অহোম নিংথৌগী দরবারদা লানবাং-মতেং নীরিবা, লাঞ্জেল্ললকপা মী অমা ওইনা শাইদাংদুনা লৈরিঙৈগী মতম অসিদনি হায়বা য়াই। হায়রিবা মতমসিদা মহাক্কী শ্রীগুরু পরমানন্দ আচার্য্যসি থেংনদুনা অহোমগী হিন্দু নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহ [চাও-শুরেমফা (খৃঃ ১৭৫২-৬৮)] দগী মতীক চাবা মতেং ফংননবগী লম্বী থিদুনা মাধ্বী হিন্দু বৈষ্ণব সম্প্রদায়সিদা লাইমিং লৌরমগনি, হায়বসি চেৎনা থাজজে। হায়রিবা ৱাফমসি মৈদিংঙুসিনা খুরোই হাওবা লম্মাঙদোং (বিষ্ণু লাৎপদগী বিষ্ণুপুর থোনখিবা অমসুং মসিদগী লৈয়েং খৎপদা ময়েক শেংজদ্রবশিংনা "বিশেনপুর" থোনখিবা) দা খৃঃ ১৭৭৬ তগী খৃঃ ১৭৭৯ ফাওবা পাল্লম্বা মতমদা বিষ্ণু লাৎপা হৌদোক্লম্বগী মখাক লম্মাঙদোংবু বিষ্ণু লাৎপদগী বিষ্ণুপুর কৌখিবা অসিনা সাক্ষী পীরি, মরমদি বিষ্ণু হায়বা লাই অসি মৈতৈ নিংথৌশিংনা খৃঃ ১৭৭৬ কী মমাঙদা খক লাৎখিদ্রি অমসুং হায়রিবা শ্রীবিষ্ণুসি মাধ্বচার্য্য

সম্প্রদায়সিগী খ্বাইদগী হেন্না অথোইবা অমসুং লাইনীঙলোনসিনা অয়াবা পীবগী মতুং ইন্না শ্রীবিষ্ণুগী শানওন [Manifestation] নৎত্রগা লাংওন [Incarnation] অমা বিষ্ণুগা লাৎমিন্নবা য়াবনিনা মৈদিংঙুসিগী মরন্নাই নৎত্রগা লৈপাক নিংথৌগী ওইবা হিন্দু লাই লৈত্রিঙৈ হায়বদি শ্রীগোবিন্দজী লীংখৎত্রিঙৈ [খৃঃ ১৭৭৬ কী হিয়াঙ্গে ১৭৭৯ দগী হিয়াঙ্গে ১১নি পানবদা শ্রীগোবিন্দজী অভিষেক তৌবদগী লীংখৎপগী মতম লৌগনি (মথক্কীসিদা, ১৩৩)] গী মমাঙদা শ্রীবিষ্ণু লাৎলম্বনি। মহাক্কা শ্রীগোবিন্দজী লীংখৎলবা অমদি লাৎলবদা অমসুং মবুধৌ গরিবনিৱাজদা পোংনিংথৌ মহিপালনা খৃঃ ১৭৪০ দা পোং-নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইনি হায়দুনা পীরম্বা শেন্বীয়াই (মথক্কীসিদা, ১০২) দুদা বিষ্ণুগী মূর্ত্তি সনা/কোন্না হৈজিং দুনা শাবদু ৱাংখৈ বিনিন্দ্রাম/বিনিন্দরাম (মথক্কীসিদা, ১২৮-২৯, ১৩৪) দা পীদুনা লাৎহনখি।

মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বসি হান্ননা নিমানন্দি ধর্ম্মগী রাধা-কৃষ্ণ যুগলরূপ লাৎপদুদা লুপচবা ওইবদুনা বিষ্ণুচক্র/সূদর্শন নৎত্রগা নাইতোম তাবা বিষ্ণুগী মহুৎ শিনবা পোৎশক/মূর্ত্তি লাৎপদুদা ঈপেন-পেঞ্জদবগুম তৌবগী ৱাখল অমা লৈবগুম তৌরম্মী। অদুগা মহাক্কা যুগোলমূর্ত্তি ওইবা লাইশিং লাৎনীঙবগী অমসুং লাৎননবগী অকনবা ৱাখল-ঈহুল অমা মশাদা শাগোন্নদুনা লৈবগুমসু তৌরম্মী। অদুনা লমদাংসিদা থমজনীঙলিবা ঈঙ্গ্রেজীগী ওইবা ৱারমদিঃ-

Rajarshhi Bhagyachandra bore a strong aspiration to sculpt images of divinities for the representations of the male and female principles of the universe in the personification of anthropomorphic forms so as to enable to feed in coupling/pairing postures for adoration in the name of Vishnu.As urged by this inspiration and mental faculties when his mind was free from the administrative works Bhagyachandra, after good discussions and consultations with his perceptorial guides and Hindu Vaishnavite scholars found out the means in the name of Govinda, one of the other names of Shri Vishnu and Lord Krishna to fulfil and feed his desire and ambition.

অসিনি। মতাংসিদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা লৌখৎলিবা গোবিন্দ [One who grouped the cows] হায়রিবা মিংসিনা শ্রীবিষ্ণু অমসুং মহাক্কী সমপূর্ন/পূর্ন

অবতার [Most perfect incarnation] ওইরিবা শ্রীকৃষ্ণবুসু খঙনৈ (ফঃকঃশঃ, ১৯৯২, ৫০ অমসুং অঃশঃশঃ, ১৯৯৫,১৮)। মরম অসিনা রাজর্ষি অসিনা মহাক্কী ৱাখল লাইমিৎকী মিতম অমসুং থম্মোই লাইয়ুমনুংগী শক্তমদগী পুথোক্লক্কুনা মণিপুরগী শ্রীগোবিন্দগী মূর্ত্তি খৃঃ ১৭৭৬ গী নবেম্বর ডিসেম্বরদা নির্পন তৌহনখি [চৈঃকুঃ ২০০৫, ১২৯-৩০] অমসুং খৃঃ ১৭৭৬ গী নবেম্বর ডিসেম্বরদা জিবন্যাস [Enlivened/spirited] তৌদুনা লাৎলক্লগা খৃঃ ১৭৭৯ অভিষেক তৌখি।

শ্রীগোবিন্দজীগী শ্রীমূর্ত্তিসি কাঞ্চিপুর/লাংথবান্দা অনৌবা শাবা লাইশঙগী চীংঙু লাই-ফম্বাল, সিংহাসন্দা লেঙশিন্দুনা লাৎখিবদগীদি দেবতা অসিনা নিংথৌ পানবা মৈতৈ লৈপাক্কী পুম্নমক্কী মপু ওইবা মনীঙ তম্বা নিংথৌরেন্নি, মহাক্কী যুবরাজনা শ্রীবৃন্দাবনচন্দ্রনি, সেনাপতিনা রামজী প্রভূনি, মণিপুরগী নিংথৌ/মৈদিংঙুনা শ্রীগোবিন্দজীগী মনাই ভান্দারী [Keeper of store house] নি অমসুং হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মাধ্বী/ব্রহ্ম সম্প্রদায়সিনা মৈত্রবাক্কী ধর্ম্মনি, ভাগবত/সনাতন ধর্ম্মসু কৌগনি, হায়না লাউথোকখি। হায়রিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বনা লাউথোক্লল্লিবা সনা য়াথং অসি লৈপাক অসিদা হৌজিক ফাওবদসু হিংলি, চৎনরি অমসুং চত্থরি, হায়বসি মৈতৈ চৈরাউবা নুমিৎ [Literally, the day of announcement of commencing year and colloquially, the New Year's day] কী চৈথাবা (চহি থাবা, চহি মশীঙ থাবা) গী থৌরম, শ্রীগোবিন্দজীগী সনা মাঙদা পাংথোক্লিবদুদগী উবা ফংবীগনি।

মাধ্বী বৈষ্ণব হিন্দু ধর্ম্মসি মালেমসিগী ওইনা চৎনরিবা লাইয়াম লাৎপা-লাইনীঙ [Polytheism]গী লাইনীঙলোনগী ৱায়েল মখাদা চৎপা লাইনীঙনি অমসুং মসিনা হিন্দুগী লৈরিবা লাইশিং পুম্নমক তোৎন-তিন্ননা লাৎমিন্নবা য়াবদা নত্তনা মৈতৈ উমংলাই লাইশিংগসু ফম্বাল/ফম্বাক অমতদা লাৎমিন্নবা য়াই। লাইনীঙসিগী লাৎকদবা লাংজৈ-ময়োৎ ওইবা লাইসি শ্রীবিষ্ণু ভগবান ওইদুনসু, হিন্দু লাইশিং অথোৎ-অমেঙ (কমল/শিতল) (Gentle/graciousness)] অমসুং অথুক-অকি (উগ্র (Terrific/terror)] গী মনুং চনবশিং, মথংশীৎনা বিষ্ণু, শ্রীরাম, পার্ব্বতী, লক্ষ্মী, ব্রহ্মা, অসিনচিংবা অমসুং

ভদ্রকালী, মহাকাল, দূর্গা, যোগিনী, চমুণ্ডা, অসিনচিংবা পুন্না লাৎমিন্নবা য়াই। হায়রিবসিগী পীবীরল্লিবা ৱায়েন্দিঃ-

...সম্প্রদায় অসিগী মমিং মাধ্বচার্য্য, মাধ্বী নৎত্রগা ব্রহ্মাসম্প্রদায় হায়না কৌনৈ। মথাং অসিগী বৈষ্ণবশিংসু বিষ্ণুগী ভজন তৌনবী, তৌইগুম্বসুং মখোয়গী দেব মন্দিরদা বিষ্ণু মূর্ত্তিগা লোইননা মহাদেব, পাবর্বতী, অসিনচিংবগী মূর্ত্তিসু লাৎনৈ (গঃসঃওঃ ১৯৪৯, ৭৯)। অসিনি।

মরম অসিনা মৈত্রবাক্তা শ্রীবিষ্ণুসি লাইয়িংথৌ সনামহীগা পুন্না লাইশঙ অমত্তদা থম্মিন্নদুনা লাৎলম্মী। ৱাফমসিগী ৱাপাংদিঃ-

...কুম্বী খুন নাথাবগী কুম শক ১৭৭৩... ফাইরেন থা... থানীননোং শগোলশেন (খৃঃ ১৮৫২ গী মার্চ) দা লাইয়িংথৌ সনামহীদা মমাঙৈ বিষ্ণু থন্নম্মবু মাঙলে হায়দুনা মহাবিষ্ণু ১ হৈএ (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৩১১)।

অসিনি। বৈষ্ণব ধর্ম্ম হায়বসিনা খ্বাইগী ওইনা চৎনবদা খঙনরিবসি, ‘‘শ্রীবিষ্ণু অমসুং মহাক্কী য়াল্লবা অবতারশিং, মরু ওইনা অবতার তরা– মৎস (Fish), কুর্ম্ম/কচ্ছ (Turtle), শূকর (Boar), নরসিংহ (Leonine human) বামন (Dwarf/Pigmy), প্রশুরাম (Axe-man or axe equipped man), রাম (Meek man), বলরাম (Mighty man)/কৃষ্ণ (Superhuman/supremo), বুদ্ধ (Man of peace) অমসুং কল্কি (Tomorrow's Saviour), অসিদগীসু অমুক অখন্ননা তরেৎশুবা শ্রীরাম অমসুং ৮শুবা হলধর (Holder of plough or agriculturist)/বলরামগী লাংওন/শাইয়োন (Manifestation) নৎত্রগা, বিষ্ণু চক্র শালগ্রামনচিংবগী মরক্তগী অমবু ময়োৎ/লাংজৈ ওইনা লাৎপা-লাইনীঙ ওইবা অমসুং মাধ্বী সম্প্রদায়সিনা শ্রীবিষ্ণু অমসুং শ্রীকৃষ্ণবু হেন্না কনশিন্না লুনা নীঙনবসিনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা রাসেশ্বর/বৃন্দাবনেশ্বর শ্রীকৃষ্ণবু ‘‘শ্রীগোবিন্দজী’’ হায়বা মিংলেনসিগী মখাদা রাসেশ্বরী শ্রীমতী রাধিকাগা যুগোলরূপ ওইনা লাৎপসি হৌদোকপীখি। হায়জরিবা লাইনীঙসি হৌজিক হৌজিকমক মণিপুরী হিন্দু সমাজনা চৎনরিবা অমসুং চৎলিবা ধর্ম্মনি।

মৈত্রবাক্তা হিন্দুগী লাইশিংবু লাৎপগী মচৎ-মনাৎকী শক্তম অমসুং মওং-মতৌ

মৈত্রবাক্তা হিন্দু-লাইশিংবু লাৎপগী লাইরাৎ-ঈরাৎ অমসুং ঈরাৎ-থেল্লাৎকী মওং-মতৌসি হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ওইবা লাইশিংদদি মৈতৈগী থায়নদগী চৎনরকপা লাইরাৎ-থেল্লাৎকী চরাৎ, করাৎ অমসুং মরাৎকী মচৎ-মনাৎ অমসুং মওং-মতৌদু থাদোক্লম্লগা ঈরাৎকী মচৎ-মনাৎকী শক্তম অমসুং মওং-মতৌদুদা লাৎপনি। মৈতৈনা ঙা চাবা ভিজিটারিয়ান ওইদুনসু হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লাইশিংদদি শাদি থমগ্রবদুনা ঙাগী মচাক-মথুম য়াওবা পোৎলম নৎত্রগা শোয়খিবদগী ঙাগী মরূনচিংবা য়াওবা ফাওবা কৎনদে। অদুগা হিন্দু শৈব, শাক্ত, শাক্ত-তন্ত্রনচিংবা লাইনীঙ সম্প্রদায়শিংগীদি বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ঈথিন্না কনমনবনা চরাৎ, করাৎ অমসুং মরাৎকী পোৎকৎ-চৈকৎশিংসি ঈরাৎকী পোৎকৎ-পোৎলম/ পোৎশকশিংগী ওইবা মওংদা মহুৎ শিনবা পোৎলমশিংনা কত্তুনা ঈরাৎ-লাইরাৎকী থৌরমশিং তৌনৈ।

মৈতৈগী হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী নৎত্রগা হিন্দু লাইশিংগী লাইরাৎ-থেল্লাৎ তৌবসি হিন্দু ব্রাহ্মণ মৈতৈ বামোনশিংনা তৌই, মখোয় নত্তনা অতৈ অতোপ্পা বর্ণ [Colour or class of colour totem] কাংবুগী মীওইশিং কনাবুসু হকথেংননা লাইদু শোকপা-পায়বনচিংবা য়াহন্দে। হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ওইনা মৈত্রবাক্তা লৈরিবা লাইশিং অসি মৈত্রবাক্তা লৈরিবা হিন্দু বৈষ্ণব-পণ্ডিতশিংনা লৈপাকসিগী ওইনা শেমজবা, খ্বাইগী য়ানবা ওইনা চৎনরবা ৱায়েল শর, ৱায়েলশিংদুগী লাইথৌশিং, লাইশিংদুগী হিন্দু-বেদ, শাস্ত্র, সংহিতা, ব্যবস্থানর্ব, অসিনচিংবনা পীবা লাইশোন-মন্ত্রশিংদা তৌই। হায়রিবা মৈতৈ হিন্দু-পণ্ডিত/ ব্রাহ্মণশিংসিগী মপী লোইশঙ অমা "বামোন লোইশঙ [Institution of Bamons/Brahmans] হায়না মিংথোন্দুনা লৈরম্মী। হায়রিবা বামোন লোইশঙসি চাওরাক্লা খৃঃ ১৭১৬ মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী সনা হাক্তক্তা লীংখৎখিবনি (মথক্কীসিদা, ৭৭)। বামোন লোইশঙসি হঞ্জবা [Chief/Head of Institution] অমসুং হিদং [Asst. Head] লৈদুনা থৌ পুরকপসিদগী মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী সনা হাক্তক, খৃঃ ১৭৯৭ গী মমাঙদা মাঙজীন থাবা থৌবুরোই লুপ [Executive Committee or Governing Body], অখন্নবা

থৌবুরোই মঙানা শাবা, পঞ্চারতন [Five gems] কৌবা অমা শেম্লকখি (মথক্কীসিদা, ১৬৭)। হায়রিবা মাঙজীন থাবা থৌবুরোই লুপ অসি খৃঃ ১৮০৪ দা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা লাইশঙ অমা নবরতন [Nine gems] থোন্দুনা শাখিবা (মথক্কীসিদা, ১৮৪) সিগী মতুংদা থৌবুরোই মশীঙ মাপন্দা হেনগত্তুনা অমসুং নবরতন হায়বা মমিংসি লৌদুনা মশক লেপ্লকখি। হায়রিবা "নবরতন" অসিনা বামোন লোইশঙগী অসুপ্পা ওইবসিনা লোইশঙসিগী মহুৎ শিনবা ওইনসু লেপ্লকখি অমসুং লুপসিগী মমিংসি "ব্রহ্মণসভা" হায়না খৃঃ ১৮৩১ গী অদুৱাইদা (মথক্কীসিদা, ২৩৮), রতন সভা হায়দুনা খৃঃ ১৯০৭ কী অদুৱাইদা (মথক্কীসিদা, ৫৫৭) অমসুং হৌজিক ফাওবদা চৎনরিবা ওইনা খৃঃ ১৯১৬ কী অদুৱাইদগী ব্রহ্মসভা হায়না (মথক্কীসিদা, ৫৮০) খঙনরকখি অমসুং হোংলকখি। মখোয়সিনা মণিপুরী বৈষ্ণবশিংনা হৱাউ-কুম্মৈশিং, চাকহেন/ব্রতশিংনচিংবা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা হিরম-ৱারম খুদীংমক্কী নিয়ম, লোনচৎ, পোৎকৎ চৈকৎনচিংবা পুন্নমক্কী ৱায়েল-ৱাখুনশিং শেম-শাই, ঙাক্লা চৎননবা ৱায়েল, থৌশীল অমসুং থৌরাংশিং তৌই।

(১) লাইথৌ-থৌরমশিং

মৈতৈ হিন্দু (বৈষ্ণব) সমাজগী লাইথৌ-থৌরমশিংদা যজ্ঞ তৌবসি কয়া চৎনদে, মসিগী মহুত্তা পূজা অমসুং সঙ্কীর্ত্তননা মহুৎ শিল্লি, মরমদি মখোয়না চৎলিবা বৈষ্ণব মাধ্বী সম্প্রদায়সি শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভু (খৃঃ ১৪৮৫/১৪৮৬-১৫৩৩)/গৌরাঙ্গনা নৌনা শেংদোক্লবা বৈষ্ণব ধর্ম্মদু চৎপনা অয়াম্বা মতমদা গৌরিয়া বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপা হায়না লেপখিবসিননি। মখোয়গী লাইথৌসিদা পীরিবা শ্রীগৌরাঙ্গসিগী ঈথিনগী মরূ লেম্ফুদিঃ-

(১) কৃতে যদ ধ্যায়তে বিষ্ণুং ত্রেতায়াং যজ্ঞতে মখেঃ।
দ্বাপরে পারচর্য্যায়াং কলৌ তদ্ধরি কীর্ত্তনাৎ॥

-ভাগবত ১২/৫/৫২ (শ্রীঃযঃ, ১৯৮৭, ১৪)

(২) ধ্যায়তে কৃতে যজ্ঞনযঞ্জৈস্ত্রেতায়াং দ্বাপরে অচচার্নঃ
যদাপ্নোতি তদাপ্নোতি কলৌ সঙ্কীর্ত্তনাৎ কেশবম॥

- বিষ্ণুপুরান ৬/১/২৭ (মথক্কীসিদা, ১৪)
(বঃকঃশঃ, ২০০১, ১০৯-১০)

ব্রাহন্দোকঃ-

(১) সত্য/কৃত যুগতা ধ্যাননা বিষ্ণুবু, ত্রেতাদনা যজ্ঞনা, দ্বাপরদনা সেবানা অমসুং কলিদদি কীর্ত্তননা নীঙজগনি।

(২) সত্য যুগতা ধ্যাননা, ত্রেতাদা যজ্ঞনা, দ্বাপরদা পূজানা অমসুং কলিদদি সঙ্কীর্ত্তন তৌরগা কেশববু ফংজগনি। ("কেশব" হায়বসি বিষ্ণু অমসুং কৃষ্ণ অনিগী-ওইবা অমমমগী মমিংনি অদুবু কৃষ্ণদনা নম্না শীজিন্নৈ)

অসিনি। মরম অসিনা সঙ্কীর্ত্তন হায়বসি মণিপুরী বৈষ্ণব ধর্ম্ম সম্প্রদায়গী থাদোকপা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমা ওইনা লৌনৈ। মণিপুরদা চৎনরিবা হিন্দু ধর্ম্মগী ওইবা লাইথৌশিংদিঃ-

(১) **শজিবু চৈরাউবাঃ**- হান্নগীগা হিন্দুগীগা য়ানশিন্নবা লাইথৌনি, অদুবু হিন্দুগী মায়কৈদা লেপ্পা অনৌবা চহি হৌবগী লাইথৌনি।

(২) **শ্রীগনেশ পূজাঃ**- থৱানগী (লাংবনগী) পানখৎলকপা ৪নি পানবদা তৌনরম্মী চন্দ্রকীর্ত্তি মহারজগী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই।

(৩) **শ্রীগোবিন্দগী নিত্যপূজাঃ**- শ্রীগোবিন্দজীগী নুমিৎ খুদিং তৌরিবা পূজা অমসুং মসিগী মতৌ লৌদুনা হিন্দু লাই লাৎপা লাইশঙ খুদিংমক্তা নুংতিগী তৌরিবা লাই-সেবাশিং। মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা খৃঃ ১৭৭৯ দা হৌদোকখি।

(৪) **শ্রীবসন্তী পূজাঃ**- নবরাত্র দূর্গা পুজানি, মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মতমদা হৌদোকখিবনি। বসন্ত/নাচোংপান্তা, শজিবু নোংমা পানবদগী ৯নি পানবা পানখৎলকপগী মতমসিদা তৌই, হিয়াঙথাং লাইরেম্মা নৎত্রগা কামাখ্যা দেবীগী লাইফমসিনা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা লাইফম্নি।

(৫) **রামনবমীঃ**- শ্রীরামচন্দ্রগী পূজা, শজিবুগী পানখৎলকপা ৯নি পানবদা পাংথোকই, মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহগী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। রামজী প্রভূগী লাইশঙ লৈফম্না মরু ওইবা লাইফম্নি।

(৬) **হনুমান জয়ন্তিঃ**- শ্রীহনুমন্ত রুদ্র অবতারগী পূজানি। শজিবুগী

থানীন-থাবুঙ নুমিত্তা পাংথোকই। মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪) গী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। মোংবহনবা উয়োক নৎত্রগা মহাবলী উমংগী শ্রীহনুমানগী লাইশঙনা মরুওইবা লাইফম্নি।

(৭) **কালেন/অক্ষয় তৃতীয়াঃ**- হিন্দুগী সত্য যুগ হৌবা অমসুং শ্রীপ্রশু/পরশুরাম (শ্রীবিষ্ণুগী ৬শুবা অবতার) গী মপোক নুমিৎকী নীঙশীং থৌরম পাংথোকপনি। কালেনগী হুমনি পানবদা পাংথোকই। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী সনা হাক্তক্তা হৌদোক্লম্বা য়াই, শ্রীগোবিন্দজীগী মাগুবনা মরু ওইবা লাইফম্নি।

(৮) **নরসিংহ জয়ন্তিঃ**- ভগবান নরসিংহ (শ্রীবিষ্ণুগী ৪শুবা অবতার) গী মপোক নুমিৎ পালন তৌবনি। কালেনগী পানখৎলকপা ১৪নি পানবদা পাংথোকই। মৈদিংঙু চুড়াচান্দ সিংহ (খৃঃ ১৮৯১-১৯৪১) গী মতমদা হৌদোকখিবনি। ককৰাগী নরসিংহ মণ্ডিরনা মরু ওইবা লাইফম্নি।

(৯) **কাং-চিংবা/রথযাত্রাঃ**- শ্রীজগন্নাথ, বলভদ্র অমসুং সুভদ্রাগী কাং/রথ তোংবগী লাইথৌনি। ঈঙেনগী পানখৎলকপা ২নি পানবদগী ১০ পানবা ফাওবদা পাংথোকই। অহানবা অমসুং অরোয়বা নুমিৎ নিনিসিদা কাং চিংই, জগন্নাথনচিংববু কাং তোংহল্লি। মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা খৃঃ ১৮৩২ দা হৌদোকখি। মরুওইবা লাইফম কোনুংদনি।

(১০) **ঝুলন লীলাঃ**- রাধা কৃষ্ণ, উরী/থৌরীনা ফাবা, হাইবা য়াবা ফম্বাক/দল অমদা তোংহন্দুনা থৌরী-হাইবী শান্নবগী থৌরম্বু নীঙশীংদুনা পাংথোকপা লাইথৌনি। থৱানগী পানখৎলকপা ১১দগী থানীন ফাওবদা চথে। মৈদিংঙু নিংথেম পীশক চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ ১৮৩৪-৪৪) পানবা মতম খৃঃ ১৮৪০ গী মমাঙদা হৌদোকখি। কোনুংদনা মরু ওইবা লাইফমনি।

(১১) **লাইরিক তাবাঃ**- ভগবানগী নৎত্রগা ধর্ম্মগী লাইরিকশিং পারগা অর্থ হন্দোক্তুনা ৱারী তাবনি। মসিসু মৈদিংঙু নিংথেম পীশক চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদগী খৃঃ ১৮৪০ সিগী মমাঙদা হৌদোকখি।

(১২) **ৱারী তাবাঃ** মহাভারত, রামায়ননচিংবা ধর্ম্মগী লাইরিকশিং, লাইরিক য়াওদনা ৱারী ওইনা লীরগা তাবনি। মসি মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী সনাহাক্তক্তা খৃঃ ১৭২০ অদুৱাইদগী মমি তমখি, মসিদগী লাইরিক তাবগী

লাইথৌসি পোক্লকখিবনি। অশেংবদি মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী সনা হাক্তক্তা হৌদোকখি।

(১৩) **জলযাত্রা/জলকেলিঃ**- বৃন্দাবন্দা শ্রীরাধা-কৃষ্ণনা ঈশিং চায়শিন্নবগী ৱারীদুদা ঈশিংদা শান্নদুনা কালেনগী নুংশাগী মৈশা খাঙবগী রাধা কৃষ্ণগী লাইথৌনি। মসি মৈদিংঙু নরসিংহ (খৃঃ ১৮৪৪-৫০) খৃঃ ১৮৪৫ গী কালেন পূর্ণিমা নুমিত্তা (খৃঃ ১৮৪৫গী মে তাং ২১ দা) হৌদোকখি। মসি থা ১ চুপ্পা শান্নবনি অদুবু নুমিৎ ৫নিদা তেনশিনখি। কোনুংদা অহানবা লাইথৌসি তৌখি।

(১৪) **শ্রীকৃষ্ণজন্মঃ**- শ্রীকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎকী নীঙশিং থৌরম পাংথোকপনি। থৱানগী শিথরকপা নিপান্নি (থাগীনা ২৩নি) পানবদা পাংথোকই। মসি মহারাজ নরসিংহগী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। হনুমান ঠাকুরগী লাইশঙ অমসুং কোনুংনা মরুওইবা লাইফম্নি, অদুবু লৈপাক নিংথৌ ওইবা হিন্দু লাইশিংগী লাইশঙদসু পাংথোক্লে।

(১৫) **শ্রীমতি রাধাষ্টমীঃ**- শ্রীমতি রাধা/রাধিকাগী মপোক নুমিৎকী নীঙশীং থৌরমসি লাংবনগী পানখৎলকপা নিপান্নি পানবদা পাংথোকই। লাইথৌসি মৈদিংঙু নরসিংহগী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। লাইফমদি শ্রীকৃষ্ণস্টমী গী পীরিবদুগা মান্নে।

(১৬) **বিশ্বকর্ম্ম পূজাঃ**- লাইগী খুৎশা-হৈবগী মপু বিশ্বকর্ম্ম/ত্বষ্টাদা পূজা কৎপগী লাইথৌনি। মসি লাংবন থাশি নুমিত্তা পাঙথোকই অমসুং মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ (খৃঃ ১৮৫০-৮৬) গী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। লাইফমদি শীন্মীশিংগী লোইশঙ, শীঙ্খাশঙনচিংবনি।

(১৭) **বামন জন্ম জয়ন্তঃ**- শ্রীবিষ্ণুগী অখন্নবা অবতার ১০গী মনুংদা ৫শুবা অবতার, থিকনেম্বা বামনগী মশক ওইবসিগী মপোক নুমিৎ নীঙশীংবগী লাইথৌ পাংথোকপনি। লাংবনগী পানখৎপা ১২নি পানবদা পংথোকই। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। লাইফমদি শ্রীকৃষ্ণজন্মাষ্টমীগীগা মান্নে।

(১৮) **তর্পনঃ**- মপা-মপুশিংগীদমক্তা হিংলিবা মীশিংগী খুথাংদা অমসুং ঈশিংদা ঙমজবা কত্তুনা পূজা তৌজবগী লাইথৌনি, লাংবনগী শিথরকপা ১৬নিদগীনা থাশি নুমিৎ ফাওবা পাঙথোকপসিবু মরুওইনা লৌনৈ। পার্ব্বন শ্রাদ্ধ, পৃতি তর্পন অসিনচিংবসু মপা-মপুনীঙবা লাইনীঙ থৌসিগী মনুং চল্লি। হিন্দুগী মচৎসি মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। লাইফমদি তর্পন কৎলিবা মফমদু লাইফমনি।

(১৯) **তর্পন লোয়বা (মহালয়া)ঃ**- মথক্কী (১৯) দা য়েংবিয়ু। লাংবন থাশিদা পাংথোকই। হৌদোক্লকপগী মতমদি খর থেংথরম্বা য়াই।

(২০) **হৈক্রু হিদোংবাঃ**- মৈতৈগী হান্নগীগা হিন্দুগী অনৌবা মনাৎকা য়ান্নদুনা পুথোকপা লৈপাক চাকহোঙ-ঙাহোঙনবগী লাইথৌনি। লাংবনগী পানখৎলকপা ১১নি পানবদা পাংথোকই। মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বগী স্না হাক্তক (খৃঃ ১৭৬৩-৯৮) তা খৃঃ ১৭৮০ গী মতুংদা মৈদিংঙুচা আনন্তা শাই, নোংপোক লৈরিখোম্বনা হৌদোকখি। লাইফম্না শাগোনবদা লৈরিবা শ্রীবিজয়নাথ গোবিন্দজীগী লাইফম্নি।

(২১) **দূর্গা পূজাঃ**- দূর্গাদেবীগী অশ্বিন/মেরাগী নৎত্রগা শরদিয়, নাকেন পাম্বাগী পূজানি। মেরাগী ৫নি পানবদগীনা ১০ নি পানবা ফাওবা লাইথৌসি পাংথোকই। মৈদিংঙু গরিবনীৱাজ হাক্তক্তগী হৌদোকপীরম্লবসু ৱায়েল চুম্না তৌরকপসিদি চৌরজিৎ মহারাজগী সনা হাক্তক খৃঃ ১৮০৪ অদুৱাইদগীনি। অদুগা লাইরেম্মা দূর্গাগী মুর্ত্তি কুইনা চৎলোইদবা পোৎলমশিংনা শারগা পূজাসি পাংথোকপা হৌরকখিবনা খৃঃ ১৮৫১ দগীনি। মরুওইবা লাইফমশিংদি কোনুং, হিয়াঙথাংগী লাইরেম্মগী লাইকোন, লবুকতোংবম কলিমায়গী লাইকোন, অসিনচিংবনি।

(২২) **লক্ষ্মী পূজাঃ**- লনগী মবেম্মা লল্লেমা লক্ষ্মীগী পূজানি। মেরা থাগী থাশি নুমিত্তা পাংথোকই। মহাক্কী ঈকাই খুম্নবা উত্তুনা থাউমৈ ময়াম থল্লি। লাইথৌসি মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা মৈয়াম-থানব-লাইথৌ/ দীপন্বিতা/দীপাবলীগা পুন্না হৌদোকমিন্নরম্বা য়াই। য়ুমথোঙ খুদিং লাইফম ওই।

(২৩) **মৈয়াম-থানবা লাইথৌ (দীপন্বিতা/দীপাবলী)ঃ**- ৱারুবদগী নুংঙাইবা ফোংদোক্তুনা মৈয়াম থানখিবগী লাইশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম

ওইদুনা পাংথোকপা লাইথৌনি। মসিসু মেরাগী থাশিদা পাংথোকই। অতৈদি মথক্কী (২২) গা মান্নরে।

(২৪) **গোবর্দ্ধন পূজাঃ-** বালকৃষ্ণগী গোবর্দ্ধন চীঙ লাৎনবা থৌরাংখিবা অমসুং চীঙসিবু থাঙ্গত্তুনা ব্রজ গোপ-গোপী কনখিবগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইনা পাংথোকপা লাইথৌনি। মসি হিয়াঙ্গে পানখৎলকপা নোংমা পানবদা পাংথোকই। লাইথৌ অসি মৈদিংঙু নরসিংহগী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। কোনুংনা মরুওইবা লাইফম্নি অদুবু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী শ্রীকৃষ্ণ লাৎপা লাইশঙশিংদসু পাংথোক্লে।

(২৫) **মহারাসঃ-** রাধাকৃষ্ণগী রাস পুর্ণিমা নুমিৎপু নীঙশীংদুনা খৃঃ ১৭৭৯ গী হিয়াঙ্গে ১১দগী পুর্ণিমা ফাওবা শান্নবা হৌদোকখিবা "মণিপুরী রাস" নৎত্রগা "মৈতৈ জগোয়" অদুবু "মহারাস" হায়না থোন্দুনা চহি খুদিংগী হিয়াঙ্গে পুর্ণিমাসিদা শান্নে। মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা পুকোক ওইরগা লাইথৌসি মহারাজসিগী মতমদা খৃঃ ১৭৯৪ গী অদুৱাইদা কুঞ্জরাস অমসুং খৃঃ ১৭৯৬ কী অদুৱাইদা বসন্তরাস থোক্লক্লবদা খায়দোক্লরকপনি। লাইফম্না কোনুংদনি।

(২৬) **সরস্বতী পূজাঃ-** "সরস্বতী পূজা", "শ্রীপঞ্চমী" নৎত্রগা "বসন্ত পঞ্চমী" হায়দুনা লাইশিং শ্রীবিষ্ণু, সরস্বতী, পৃথিবী-পূজা, রতি দেবী, পঞ্চদেবতা পূজানচিংবগা শাগোন্নরবা লাইথৌসি ফাইরেনগী পানখৎলকপা ৫নি পানবদা পাংথোকই। মসিদা মরু ওইরিবসি মহৈরোইশিংগী সরস্বতী পূজাসিনি। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা সরস্বতি পূজাসি হৌদোক্লম্বা য়াই। লাইফমদি কোনুং অমসুং মহৈ তম্ফমশঙশিংনি।

(২৭) **শিবরাত্রি পূজাঃ-** শিব মহাদেবগীদমক্তা অহিং মিৎশেন খাঙবগী পূজা লাইথৌনি। মসি ফাইরেন থাগী শিথরকপগী ১৪নি পানবা (থা মশাগী ২৯নি পানব) দা পাংথোকই। মৈত্রবাক্তা শিব লাৎপসি কালিকাগী ভৈরব ওইনা মৈদিংঙু চরাইরোংব (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) গী মতমদা হৌদোকপীরম্লবসু লাইসিগী লাইশক খঙনা লাৎপা, লিঙ্গয়াৎ (Phallus worship) ধর্ম্মনচিংবসিদি মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মতম খৃঃ ১৮০৬ তগীনি অদুগা খ্বাইদগী হেন্না মরাং কায়না কংলা কোনুংলেন মনুংদা অমসুং অতৈ মফমদা লাইসিগী

লাইশঙ শাদুনা লাৎখিবসি মৈদিংঙু নরসিংদগীনা চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতম (খৃঃ ১৮৪৪-৮৬) ফাওবনি। অদুনা লাইথৌসি মৈদিংঙু নরসিংহগী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। শিব লাৎপা মফমশিংনা লাইফম্নি।

(২৮) য়াওশঙঃ- লাইথৌসিসু হিন্দুগী লাইথৌ হোলি, দোল যাত্রা, গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী মপোক নুমিৎ পালন, অসিনচিংবা কয়ানা পুল্লগা শাবনি অদুগা মরু ওইনা রাধাকৃষ্ণগী অবের খেল হৌখিবনি। মসি লমদাগী পূর্ণিমাদগী কুন্নি পানবা ফাওবা পাংথোকই। মসিনা মণিপুরদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা হিন্দুগী লাইথৌ-থৌরম অমসুং লাইথৌ-কুম্মৈনি। মসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা খৃঃ ১৭৮২ গী অদুৱাইদা হৌদোকখি। লৈপাক্কী মফম থুংনা কুম্মৈ-ফিয়োংগা লোইননা পাংথোক্লে।

(২৯) বারুনীঃ- বারুনী/শত্রভিসা নক্ষত্রনা পানবা ফাল্গুন থাগী শিরুকপা ১৩নি পানবা (থা মশাগী ২৮নি পানবা) নুমিৎপু বারুনী নুমিৎ কৌই। হায়বদি মৈত্রবাক্তদি লমদাগী ২৮নি পানবা নুমিৎসি থোকই অমসুং হায়রিবা নুমিৎসিদা গঙ্গাদা ঈরুজরবদি/লুপচরবদি পুন্য কয়া মরম ফংই হায়না পীবগী মতুংইন্না গঙ্গাগুম্বা ঈচেন্দা ঈরুজবা/লুপচবগী থৌরমনি। মসিদা সামন্য, মহা অমসুং মহা মহা বারুনী হায়দুনা নুমিৎ, নক্ষত্র, যোগ, অসিনচিংবনা তারবদগী হেন্না পুন্য ফংবগী ৱাফমসু লৈরি। মণিপুরদদি গঙ্গাগী মহুত্তা নোংমাইজীঙ চীঙজাওগী চীঙয়াঙদা চেনবা চেঙকোয়/চীঙ্গোয় কৌবা তুরেনসিদা ঈরুপ্পবগী থৌরমসি তৌনরম্মী। মদু চীঙ্গোয় ঈরুপ্পা হায়না চৌরজিৎ মহারাজনা শকাব্দ ১৭২৬ কী লমদা ২৬ (খৃঃ ১৮০৫) দা চৎখি। হান্না মমাঙদগী লৈরক্লবসু হিন্দু স্বভাবতা বারুনীগী ৱাখলসিদা হৌদোকখিবসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনি। লাইফম্না শেল্লোই-লংমাইচীঙ/নোংমাইজীঙ/বারুনী চীঙগী চীঙ্গোয়/চেঙকোয় তুরেন্নি।

(৩০) হরি উত্থানঃ- শ্রীবিষ্ণুনা শঙ্খাসুর হাৎনবগী লানফম ইঙেনগী পানখৎলকপা ১১নি পানবদগী ৱাহুদুনা তুম্বগা হিয়াঙ্গৈ পানখৎলকপা ১১নি পানবদা জ্ঞান লাক্কুনা হৌগৎলকখি। থৌদোকসিবু নীঙশীংদুনা পাংথোকপা লাই য়াহওবগী লাইথৌনি অমসুং শ্রীবিষ্ণু পূজাগী থৌরমনি। মসি মণিপুরদা মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মতমদা হৌদোক্লম্বা য়াই। লাইফমদি শ্রীবিষ্ণু লাৎলিবা মফমশিং-

কোনুং, লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং ৱাঙ্খে লৈকায়না মরূনি।

অসিনচিংবসিনি। অসিদসু নত্তনা শ্রীগোবিন্দগী লাইথৌদা গোষ্টলীলা, কুঞ্জরাস, বসন্তরাস, অসিনচিংবা কয়াসু লৈরি।

২) লাইশোন মন্ত্রশিং

মৈতৈ হিন্দু লাইনীঙশিংগী লাইশোন/মন্ত্রশিং অসি আর্য্যশিংনা শেংদোক্লবা লোন্নি হায়রিবা "সংস্কৃত" হায়বা লোন অসিদা লৈ। অদুবু কাউবীরোয়দবদি সংস্কৃত হায়বসিদি কৌকেসোইড [Caucasoid]/কৌকিসিয়ান আর্য্যশিংগী মমারোন্দগী য়াম্না থৈদোক্লবা লোন্নি। ৱাফমসি থন্নম্লগা "মন্ত্র" হায়বসি করিনো হায়বগী মায়কৈসিদা থন্বীরল্লিবা ৱারোন্দুদিঃ-

"মননাৎ ত্রায়তে ইতি মন্ত্র"– "তোয়না খনবনা মরম ওইদুনা কনাগুম্বা অমনা পোকপা শিবগী চক্রদগী ঙাকথোকপা নৎত্রগা নানথোকপবু মন্ত্র কৌই।" মন্ত্রদা য়াওরিবা 'মন' হায়বা ৱাহৈসিমক্কীঅহানবা সেলেবলদগী লাকপনি; মসিগী অর্থদি 'খনবা' হায়বনি, "ত্রা" না "ত্রৈ"দগী লাকপনি; মসিগী অর্থদি সংসারগী শুক্ষৎলাংদগী ঙাকথোকপা নৎত্রগা নীংতম্বা" হায়বনি। 'মন' অমসুং 'ত্রা' অসি পুন্সিল্লগা 'মন্ত্র' কৌই। মদুবু থিরগা নৎত্রগা খল্লগা পাপ কোকপা, জগৎকী অমদি স্বর্গগী নুংঙাইবা ফংবা...। দেবতা অমগী মন্ত্র হায়বসি ৱাহৈ খরগী কাঙলুপনি। মসি খোঞ্জেলগী শক্তম লৌদুনা ফোঙদোকপা ঈশ্বরগী শক্তিনি। মন্ত্রসিমক ঈশ্বরনি। ঈশ্বরগা মন্ত্রগা খেন্নবা লৈতে... [খঃঅঃসঃ, ১৯৮৬, ১]

অসিশিংসিনি। হায়রিবা মন্ত্রসিগী খোঞ্জেনগী ফোর্মুলা [Formula of sound/voice], উচ্চারন [Pronunciation], খোহ্লোক [Accent] নচিংবা কায়বা য়াদে অদুবু নাম পীবগী নাম শোনবদি হায়রিবশিংসি লৈতে, হায়রিবসি, রত্নাকরনা "রাম" গী মহুত্তা "ম-রা! ম-রা!" শোন্দুনা বাল্মিকী মুনি ওইরকখিবসিনা সাক্ষী ওইরি।

মৈতৈ বামোন/ব্রাহ্মণশিংসিনা মমারোন ওইবা মৈতৈলোন (মণিপুরী) অসি মহৌশাগী অমসুং মনাৎকী ওইনা ঙাংবা, মীয়াম লোন-ফাওন-লোন [Lingua-franca] ওইনা ঙাংনবা, ঈমুং-মনুং ফাওনবা মৈতৈলোন ঙাংনবা/

ঙাংবা মীওইশিং ওইজরবসু সংস্কৃত লোনগী /ৱাহৈগী মন্ত্রশিং অসিদি খোঞ্জেনগী, খোঙ্ছোক, খোনহাই, খোন্নীক, খোনওন/খোল্লোন চুম্না, ওঝা নাইনা তম্লগা চীনফা পুই অমসুং ময়দু মখোয়না মখোয় মশা মশাগী ওইনা, ময়ামগী ওইনা নৎত্রগা লৈপাক নিংথৌগী ওইনা লাৎলিবা লাইশিংগী সেবা/পূজাদা শীজিন্নে। খেন্ন-খেন্নবা লাইশিং অসিগী লাইশোন/মন্ত্রশিং তোংঙান-তোংঙান্না লৈ হায়বসি মৈতৈগী মশাগী ওইজবা লাইনীঙশিংগী মতাংদসু উৎচপ্পে, হিন্দুশিংগীদা নত্তনা মালেমসিদা লৈরিবা লাইয়াম নীঙবা-লাৎপগী মনাৎ লৈবা লাইনীঙলোন খুদিংমক্তা লৈরিবনি। অদুগা হিন্দু লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোনশিংগীসু মৈতৈ-লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোনগীগুম্না থৌনী, তেংথা, অসিনচিংবা কয়ামরুম লৈরিবনি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী সাধকশিংনা ভক্তিগী লীচৎ চৎপনি, "ভক্ত" কৌগদবনি হায়জরগা শক্তি, শাক্ত-তন্ত্রনচিংবা ধর্ম্ম শাখাশিংগী সম্প্রদায়শিংদগী পুবা বীর্জ/মূল্য মন্ত্র [Seed/root spell, word(s)] অসুক্কী মতিক য়াম্না শীজিন্নরি। অদুগা মখোয়না থোকপা মাগী মাগী অনীঙবদু পঙহায়দা হায়জিল্লি।

হিন্দু বৈষ্ণবগী মন্ত্রদা "ওঁ" হায়বসি তত্তনা য়াওই। মসিবু "প্রণবমন্ত্র' হায়নসু কৌই। মসিগী মরমদা বৈষ্ণব অমনা পীরিবদিঃ-

ওঁ (আউম) অসি ঈশ্বর নৎত্রগা ব্রহ্মাগী খুদমনি। ওঁনা মীওইবগী অবস্থা অহুম্বু কোল্লি। ওঁ না জগত পুম্নমক্কী মহুৎ শিল্লি। ওঁ দগী জগত অসি হৌরকই। ওঁ দা জগতসি হিংদুনা লৈ। ওঁ দা জগতসি লোইশিনগনি। "অ" না ভৌতিক জগত (Physical plane) অসিগী মহুৎ শিল্লি। "উ" না মনোবিজ্ঞানগী জগত, আত্মাশিং অমসুং স্বর্গ পূম্নমক্কী ওইবা জগতকী মহুৎ শিল্লি। "ম" না তুমখুন হুন্না তুম্বা (সুযুপ্তি) গী ফিভম , মীকপ থোকপা (জাগরত) মতমদা ফাওবা খঙবা ঙমদবা, বুদ্ধিনা ফংবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা পূম্নমক্কী মহুৎ শিল্লি। ওঁ না পূম্নমক্কী মহুৎ শিল্লি। ঐখোয়গী পুন্সি, ৱাখল অমসুং বুদ্ধিগী যুম্ফমদি ওঁ নি। পোৎশিং খঙনরিবা ৱাহৈ পূম্নমক্কী কেন্দ্র ওঁ নি [মথক্কীসিদা, ২৩]।

<u>OM, om-kara (also given in the analysed from AUM "the syllable OM",</u> n. of bijamantra named brahmabija or brahmavidyamantra. This is the most celebrated of all the bijas.

In the Vedic age it was explained in many different ways in Hinduism, it is usually analyzed thus. – "A" represents Brahma (and at the same time 'creation'), "U" represents Visnu (and maintenance), "M" represents Siva (and destruction), together symbolizing the Trimurti. Sometimes it is said that OM consists of 5 sounds". A+U+M+bindu (the point signifying the anusuara = nasal m, sometimes said to symbolize Sadasiva) + nada (here in the sense of kind of echo, sometimes said to symbolize lsvara).

The syllable is used at the beginning of all rituals and all books. Thus it represents, besides Brahma, Visnu and Siva, also Ganesa. Its purpose is that it "leads to realization, to liberation from bondage, to the attainment of Supreme Reality (D.H.P.)

In Buddhism (where its symbolical sense coincides with triratna) and in Jainism this bijamantra plays an equally essential role. From this bija Vairocana originates (G.L., 1986, 200].

অসিনি। অসিদসু নত্তনা হিন্দু বৈষ্ণবশিংনা মখোয়গী মন্ত্রশিংদা শীজিন্নরিবা বীজমন্ত্রশিংসি মশীঙ থাবা ঙমলোয় অদুবু মপোৎ নত্তবা পোৎশিংদু মখোয়নদি মখোয়গী মপোৎনি হায়না খঞ্জে, মরমদি মখোয়গী ওঝাশিং অদুনা মখোয়দা তাকপীরমদবা, হায়বদি লৌনম/নমথাক তৌবীরমদুনা করিনো হায়বা তাকথোক্লমদবনা, মরমদি, পোৎ খুদিংমকসি মখোয়গী লোয়না ওইহন্নীঙডি অমসুং পূম্নমক মখোয়দগী থোকখিবা, মখোয়দগী খায়খিবা লোয়না ওইহন্নীঙডি। অদুবু শাক্ত, শৈব, শৈব-শাক্ত, শাক্ত-তন্ত্রনচিংবগী লৈরিবা "অঞ্জি [ANJI] গা প্রণবমন্ত্র "ওঁ" সিগা করি খেন্নরিবগে, হায়বদুদি থিদে, মরমদি থিরুরবদি ওঁ সিগী হৌরকফম খঙলক্কদবনা। অঞ্জিগী মরমদা পীরম্লিবা ৱারোল্দিঃ-

Añji

Regarded as a Kala or evolute of Sakti, often described as Vyapika-Sakti or all prevading energy, Kalicarna's com. on Satacakranirupana, X. It is often described as an alphabetical symbol (N.N.B., 1987, 407).

Kāla

Evolutes of varna. In Tantra every letter or varna symbolically reflects an aspect of the Great Mother. From three groups of letters - Saumya, Saura and Agneya– thirty eight Kalā-s are emanated, sixteen from Saumya, twelve from Saura and ten from Agneya. Prapancasara, III, 11-12. A Kalā is identical with varna from which it evolves. Raghava on Saradatilaka I, 111. According to another tradition there are fifty kalās having emanated from the five parts of Pranava- A, U, Ma, Vindu and Nada. Ibid, II, 17. In Tantra the term Kalā has also been used in other senses. It denote Prakriti, Sakti and Maya. Ibid. I. 6.; I. 15; Prapañcasarea 1.26. In the commentary of the Hathayogapradipika IV. I. Kalā is described as Nadaikadesah, i.e, a portion of Nada (Ibid, 434)

As regards the meaning of the name Anji– it is said to be derived from the root অঞ্জ to luminate 'অ' [the representative letter of the Alphabet (অক্ষরাণমিকরো হাস্ম Bhagavat Gita x – 33) is luminated by Her [অং অ নক্তি প্রকাশর্য়তেই তিকম্নণ্যন স্ত্রিয়ামীপ। This is the interpretation put in the word by a distinguished Savant of Bengal– Pandit Panchanana Tarkaratna – in his article on "Anji" published in the her Prasuda Samrardhana Lekha Mata. Vol I-P.267 et Seg.] indicating that no letter can be "expressed except through Her".

From what has been stated above it will be seen that the sign ৼ, ৭ does not represent any particular letter or syllable (like ওঁ)– but is the sign of the Kundalini– the serpent shaped divinity that pervades every letter and regulates its pronunciation; – She is in fact the creative energy bringing out every letter. In whatever form ৼ or ৭ or ঽ – She is seen at the beginning of any inscription, the right way is to reproduce that from [with the word "Anji" within parenthesis after it, e.g. ৼ (Angji)] and it will not be correct to put ওঁ to represent the same. ওঁ is the representative of the Vedic Brahma [ওমিত্যেকাক্ষরং ব্রহ্ম (Bhagavat Gita VIII-13)],

Whereas ꯽ or ꯹ or ꯸ (i.e. Anji) is the symbol of the Tantric divinity Kundalini. It is only the Pandits wellversed in the Tantra who know the real import of Anji. When in our bodyhood we wrote ꯸ before ক খ গ... the sign was interpreted as representing the head and belly of the Elephant headed corpulent Deity Ganesa] (K.A.S., 1984, 11).

As regards the nomenclature Anji, it may be stated that the name occurs in a Commentary of the Tantra, as follows:-

তদূর্দ্ধে তু কলা প্রোক্তা আঞ্জীতি যোগিবল্লভা

আঞ্জী তু তির্য্যরেখা মাত্রাকরা। তদূর্দ্ধে দ্বিলোর্দ্ধে।

Above the Devidala (two petalled Chakra i.e, theAnjachakra) is the seat of the Kala (literally part) which is very dear to the Yogin (devotee); this is called Ajni/Anji: this looks like a curved line. In fact this is no other than the serpentine Kundalini just emerged out of the Shat-Chakra-s and thus the devotee is delighted to see Her in this transcendent stage-on way to the go at Sahasrara Chakra within the crown of the head. (Ibid, 10-11).

In her process upward (or downward) Kundalini – of the Serpentine form – is in dancing posture "꯽" shows her turning leftwise and "꯹" her turning rightwise; "꯸" represents her turning both ways [Ibid, 10 (N.F.)].

অসিনি। অঞ্জি অসি তন্ত্র ধর্ম্মগী মশাগী ওইনা হৌজরকপদা মথাং অহুম হায়বদি, ... in the case of creation Siva is the efficient cause, Sakti the instrumental cause and Vindu the material cause [N.N.B., 1987-265] হায়দুনা লৈরিবসি ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বরদা ওহ্হোকপীদুনা অঞ্জিগী শক্তম, লীচৎনচিংবসি "ওঁ" দা ওহ্হোকখিবনি, অদুগা যুমদাংবনা কৈনাবনি। মরমদি অঞ্জিগীদি মাগী শরুকশিং [বিন্দু, থা-মচেৎ, লীন মানবা পাদম] গী মশক তাকই, ওঁ গীদি করিনা ব্রহ্মা, করিনা বিষ্ণু, করিনা

মহেশ্বরনো হায়বদু তাক্কে। মূল্য/বীজমন্ত্র শীজিন্নবগী লমদাংসিদা বৈষ্ণব ভক্তশিংনা শীজিন্নরিবসি "ওঁ" অসিদা নত্তে, মখল মখা য়াম্লনি, মখোয় খরদিঃ- বাঁ, বীঁ, বুঁ, বেঁ, হুঁ, বোঁ, বঁ, স্বাহা, ফট, ঐঁ, হ্রীঁ [ব:শ:ব:, ১৯৮৩, ৩], ক্লীঁ, শ্রীঁ [মথক্কীসিদা, ৮], অসিনচিংবনি। হায়রিবশিংদি তন্ত্র ধর্ম্মগী মপোৎ ঙাক্কনি, হায়বদি মখাগীসিনা উৎলি।

The letters are the makers of ideas and images, and from them the knowledge of the Vijamantras (mantras in the form of seed) are derived. Hrim,Krim, aim, srim, Klim, etc. are vijas, proper intonation in the recitation of which makes the meditation perfect and the deities are forced to appear before the eyes of the aspirant [N.N.B., 1987, 328]

To take the example of the vija Hrim, we find that it is composed of Ha (Siva), Ra (Sakti),I (Maya, the material aspect of Sakti) and M (Nada and Vindu). (Ibid, 329).

মথক্তা পীজরিবসিগী মওং-মতৌ, ময়েক খায়দোক্কুনা খঙনবী থন্বা, অসিনচিংবসিগী মতৌ তমদুনা বৈষ্ণবশিংনা শীজিন্নরিবা "ক্লীঁ" হায়বা কৃষ্ণ বীজমন্ত্রসিগী পীবীরল্লিবা ৱাফমদিঃ-

...শ্রীভগবাননা... আকর্ষনী স্বরদা ক্যামবীজ থোকহন্দুনা বাঁশী খোংলক্লে। বাঁশীদা থোকখিবা খোঞ্জেল মরোলদি - 'কলং বামদৃশ্যং মনোহরং', অসিনি। ৱাহৈ অসিগী চাওরাকপা অর্থদি- ভগবাননা নহা ওইবীশিংগী পূক্লিং হুবা বাঁশী খোংখি। তৌইগুম্বসুং ৱাহৈসিগী মনুং হুঞ্জিনবা অর্থ য়েংলবদি, মসি "কামবীজ" নৎত্রগা "কৃষ্ণবীজ" অর্থ থোকই, মদুদি; কলং-কল-ক্ল, অসিদা 'বামদৃক', হায়বদি স্বরগী মরিশুবা ময়েক "ঈ" - কার অসি তিনশিল্লবদি "ক্লী" হায়বসি ওই, মসিনা পূক্লিং হুরবা হায়বদি অধিষ্ঠাত্রীদেবতা ওইবা চন্দ্র (থা) নৎত্রগা চন্দ্রবিন্দু (চাঁদবিন্দু) বু হুরি (শুম্মৎলি)। মরম অদুনা ক + ল + ঈ + ँ = ক্লীং থোকই। মসি কামবীজ নৎত্রগা কৃষ্ণবীজনি, মসিনা তাইবং পানবা ওইরক্লবগী অমসুং পঞ্চ মহাভূত শেম্লকপগীসু অহানবা মরমনি, মদুদিঃ-

ল - কারাৎ পৃথিবী জাতা ক কারজ্জল সম্ভবং

ঈ - কারাৎ বহ্নিরুৎপন্নো নাদাদ্বায় প্রজায়তে।

বিন্দোরাকাশ সম্ভুতারতি ভূতাত্মকঃ বীজঃ - সাধন তত্ত্বসার

ক-কারদগী ঈশিং, ল-কারদগী পৃথিবী, ঈ-কারদগী মৈ, নাদ (খোঞ্জেন) দগী নুংশিৎ অমসুং বিন্দুদগী অতিয়া থোকখি। মরম অদুনা বীজ অসিনা পঞ্চভূত শেল্লক্লবগী মরূনি। মসিগী অতোপ্পা অর্থ অমনা- ক-কারনা লেঙদবা নুংঙাইবগী মশক ওইরবা নায়ক ভগবান শ্রীকৃষ্ণনি, ঈ কারনা মহাভাবকী মশক ওইবী প্রকৃতি (নুপী) গী মশক লৌবী নায়িকা শ্রীমতি রাধিকা, ল-কারনা — নায়ক-নায়িকা অনিগী তিন্নবদগী থোরকপা প্রেমানন্দনি, অদুগা নাদ-বিন্দু (মখোলগা থা মচেৎ বিন্দুগা) গা অনিনা অনিমক্লা আলিঙ্গন তৌনবনচিংবা বিলাস-ভাব-তগী থোরকপা মাধুর্য্য রসকী মপুং ফারবা বিকাসকী মশক্লি। মরম অদুনা ক্লীং হায়বা মহাবীজ অসিনা শ্রীরাধা-কৃষ্ণ অনিগী প্রেমবিলাসকী মশক ওইবা মাধুর্য্য রসকী সমুদ্র নৈবদা থোক্লকপা অমৃতগী মশক ওইরবা মহামন্ত্রনি।” [সু:শ: ১৯৬৫, ২১৪-১৬]। অসিনি। শাক্ত অমসুং তন্ত্রগী মচাক-মথুম মখৈ লোয়নমক লৌশিল্লগা/পৃশিল্লগা মখোয়গী রাধা-কৃষ্ণগী মপোৎ শারিবা লাঞ্জদ-লঙদনা হুরানবা ওইরিবা বৈষ্ণবসিগী মহৈ-মশীংসিবু থাগত্তবা ঙমদে।

হিন্দুগী মন্ত্রশিংসি ঈরাৎ-পূজা/যজ্ঞদা শীজিন্নবা অমসুং লন্নাই লাইনীঙদা শীজিন্নবা হায়দুনা শরুক অনি থোক্লা খায়দোকপা য়াই। লাই লাইগী মতুং ইন্দুনা মাগী মাগী ওইবা মন্ত্রশিং লৈজরগসু শীজিন্নফমগী মতুংইন্না খর খর খেন্নবগী মশক্তি অদুম্মক লৈ। খুদম ওইনা, করিগুম্বা পূজা অমা তৌনবগী পঞ্চদেবতা [বিষ্ণু, শিব, গনপতি/গনেশ, সুর্য্য অমসুং দূর্গা] পূজাদা শিবগী প্রনাম (খুরুমজব) গী মতাংদা থীরিবা মন্ত্রদি-

ওঁ মহাদেব মহাত্নানং মহাযোগি মহেশ্বর।

মহাপাতক হরং দেবং মকারায় নমো নমঃ।

অসিনি লন্নাই নীঙজবা মীওই অমনা শিববু ফংনবা তপস্যা নৎত্রগা নাম শোনবা নৎত্রগা ধ্যান তৌবদা শোঞ্জবদি, ভগবান শিব পঞ্চাক্ষর মন্ত্রসিনা নম্মা শীজিন্নৈ। অসিগুম্বা মন্ত্রশিং খর মখাদা উৎচরি।

(১) ভগবান নারায়নগী অষ্টাক্ষর মন্ত্র	-	ওঁ নমো নারায়নায়
(২) ভগবান কৃষ্ণগী দ্বাদসাক্ষর মন্ত্র	-	ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায়,
(৩) ভগবান শিবগী পঞ্চাক্ষর মন্ত্র	-	ওঁ নমঃ শিবায়,
(৪) ভগবান রামগী	-	ওঁ শ্রীরামায় নমঃ
(৫) সরস্বতীগী	-	ওঁ শ্রীসরস্বত্যৈ নমঃ
(৬) লক্ষ্মীগী	-	ওঁ মহালক্ষমৈ নমঃ
(৭) গনেশ মন্ত্র	-	ওঁ গং গনপতে নমঃ
(৮) সুব্রমন্য মন্ত্র	-	ওঁ শ্রীসরবনভারায় নমঃ
(৯) শ্রীহনুমানগী মন্ত্র	-	ওঁ শ্রীহনুমন্তে নমঃ
(১০) ভগবান কৃষ্ণগী মন্ত্র	-	ওঁ শ্রীকৃষ্ণশরন নমঃ
(১১) হরিনা মহামন্ত্র	-	হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে, হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে॥
(১২) শ্রীদূর্গা মন্ত্র	-	ওঁ ! শ্রীদূর্গায়ৈ নমঃ
(১৩) গায়ত্রী মন্ত্র	-	ওঁ ! ভূভুব ঃ স্ব ঃ তৎ সবিতুর্বরেন্যম। ভর্গোদেবস্য ধিমহি। ধিয়ো য়ো নঃ প্রচোদয়াৎ।
(১৪) মহামৃত্যুঞ্জয় মন্ত্র্য	-	ওঁ ত্র্যয়বকম যজামহে সুগন্ধি মপুষ্টিবর্দ্ধনমঃ উর্বারুকমিব বন্ধনাৎ মৃত্যোর্মুক্ষীয় মামৃত্যাৎ।

যুমলীং-কৈরীংদবা, শগোন হোইদুনা শজীক অফবা মফম মফমদা পঙলেন্দা লেল্লবা আর্য্যশিংনা ঈচেল মঙানা চেনবা লমদমদা লাক্তুনা খুন্দাবা হৌদোকপ্রবা মতুংদা তঙ তাবা পূন্সি ফংলদুনা পুক্লীঙ ঈংনা লাইরিক-লাইশূগী থম্মোই ফাওরকপা অমসুং লাইনীঙ-লাইশোলগী ঈহৌরকপা ব্রাখলশিংনা

পুনশিন-শেমজিল্লবা লাইশোন চবুন অমা মখোয় খ্বাইনা য়ানবগী থাক্তা পুথোক্লকখি অমসুং হায়রিবা লাইশোললোন লাইরিকসি ''ঋগবেদ'' হায়না থোন্দুনা চৎনরকপসিদগী আর্য্যশিংগী লাইশোলশিংসি হওরকখিবনি। আর্য্যশিংসিনা হিন্দু ওল্লক্লবা অমসুং হৌজিক ফাওবদসু হায়রিবা ঋগবেদগী মচৎকী লাইশোলশিংদু য়াওরি। হায়রিবা ঋগবেদসিগী চাওরাকপা শক্তমদিঃ-

The Rigvedic literature is colourful. There are various types of hymns in Rigveda. There are hymns in pure praise of the deity without any prayer, mantras in which the poet prays for favour without praising the deity, hymns which are like oaths and imprecations, hymns of objective descriptions of particular conditions, hymns expressive of apprehension, and hymns to administer censure or praise. From the literary point of view, these hymns are lyrical poems adapted to the purpose of ritual. Of these the hymns addressed to Heaven's daughter Usha (Aurora) are the oldest and most beautiful. (B.N.L., 1988-89, 44]

অসিনি। অতৈ বেদশিং যজুর, সাম অমসুং অথর্ব্ব বেদদি মসিগী মতৌ তম্বা ঙাক্তনি। মরম অসিনা হিন্দু ধর্ম্মগী লাইশোলশিংসিগী শক্তমদি মথক্কী মখল ৬ [ঈঙ্গ্রেজীদা পীরিবা] অসিদগী মখল-মথেল অমসুং মখোয়দুদগী শেমদোক শাদোকপা ঙাক্তনি।

মৈতৈ হিন্দু লাইনীঙগী থৌমী/থৌবুবশিং

মৈতৈগী মশাগী নৎত্রগা মরৈবাক-মরমদমসিগী লৈহাউদগী হওজরকপা লাইনীঙশিংগী লাইনীঙলোন অমসুং মৈতৈ হিন্দু ধর্ম্ম সম্প্রদায়শিংগী লাইনীঙলোন অনিসিদা থায়নদগী চৎনরক্লবা লাইরাৎ-থেল্লাৎকী লাইথৌ তৌবগী মরুওইবা মখল অনিখক লাইনীঙলোন অনিমক্তা লৈনৈ। মখোয়দুদি-

(১) লাৎপা অমসুং (২) খুরুম-খাজঙবা/ঈরাৎ-থৌনী তৌবা হায়বসিনি অমসুং মখোয় অনিসি হিন্দু মরোন্দা, মথংশিংনা (১) যজ্ঞ অমসুং (২) পূজা হায়না হায়নৈ। অদুগা নুংতিগী ওইনা চখরবা পূজাবু ''সেবা (থৌগল) তৌবা'' হায়না চৎনৈ। হায়রিবশিংসি নত্তবদা লাইনীঙলোন অনিমকসি তোংঙান তোংঙান্না নৎত্রগা তোৎন-য়ান্ননা চৎলিবা মী/মী-ফুরুপ/কাংলুপশিংদা ফত্তবা

লাইশিং- (১) মৈতৈগীদা লাইমু-তীনমু, লাইহিংচা, অপুন্বী সোরেন, হিয়াঙ-অখৌবা, হিংচা-য়াইতম্বা, লম্বু-তুপু, হনু লাইকম, শরোই-ঙারোই, তম্ন'লাই, অসিনচিংবা অমসুং (২) হিন্দুগীদা - ভূট, প্রেত, যক্ষ, রাক্ষষ, গন্ধর্ব, কিনুর, পিচ্ছাচ, যোগনী, ডাকিনী, হাকিনী, অসিনচিংবগী ঙাকথোক-কম্হোক্লবা, তাম্হোক-থৈদোক্লবা, কোকথোক-চামথোক্লবা, অসিনচিংবা মখৌ মঙম তৌবগী- (১) খৌ তৌবা [To serve offering to satisfy/please or reconcilliation/ negotiation], (২) মচাক-খাঙবা [To Pay/offer food/eatable] (২) চাবান থাবা [To offer edible materials], অসিনচিংবসু লৈ অদুবু মখোয়সিগী মহুত্তা ফত্তবা লাইশিংগীসু অফবা লাইশিংগী থৌরমশিংসু অদুম তৌনৈ অমসুং মদুদা শরেন কৎপা, য়েনহিং [য়েন, খুনু, ঙানু, শন, ইরোইনচিংবা য়ুম উচেক অমসুং য়ুমশাশিং] থাবা, য়ুরাংবা, অসিনচিংবনা মরুওইনা য়াওনৈ। হায়রিবসি অয়াম্বনা অনা-লাইয়েংথৌগী ওইনা চৎনৈ।

হিন্দুগী লাইরাৎ-থেল্লাৎকী লাইথৌশিং, লাইনীঙলোনগী ওইবশিং অসিদি মৈতৈ বামোন নৎত্রগা মণিপুরী ব্রাহ্মণশিংনা তৌই হায়বসি, মথক্তসু মতাং অমদা পঞ্জখ্রে। বামোনশিং অসিগী মনুংদসু শ্রীগোবিন্দজিগী পূজারী ওইবা য়াবা অমসুং য়াদবা য়ুম্নাকশিং লৈরি। মমাঙঙৈদগী রামজী প্রভু, হনুমান ঠাকুর, হিয়াঙথাং-লাইরেম্মনচিংবগী লাইথৌশিংগী বামোনশিংগী য়ুম্নাক চান-চানবা লৈজরম্মী। নুমিৎ খুদিংগী ওইনা পাংথোক্লরিবা বামোনশিংগী ময়ুম, ময়ুম-লাইশিং; খুন-লৈকায়গী, লৈপাক নিংথৌগী, কোনুংগী, নিংথৌগী অমসুং অঙম-অথৌ/অচৌ-অশাং/ইনাক-কৈরাক খুনবশিংগী লাইশিংগী লাই সেবা/ পূজাসি বামোনশিংনা তৌই। লাইথৌ থোকপা নুমিৎশিংগী পূজাশিং, হিন্দু অমগী দশকর্ম্মগী যজ্ঞনচিংবা য়াওরকপনচিংবসু বামোনশিংনা তৌই। হায়রিবশিংসিদা লাইশিংদু শোক্তনা অতৈ বর্ন/ক্লাসশিং [ক্ষেত্রি অমসুং বৈশ্য] গী মীওইশিংনা লাইথৌশিং তৌবা য়াব্রা হায়বা ৱায়েলসি ব্রহ্মসভানা শেম্মী অমসুং মৈতৈশিংগীনা ৱায়েলসি য়োইরেন/পণ্ডিত লোইশঙনা শেম্মী, মীওইশিংসি অমগা অমগা য়েৎশিন-চঙশিনহন্নদে, চপ মান্ননা ৱাতেম্মী [ন:শ:স:, ১৯৮৯, ৮ অমসুং ১০]। অদুবু লমদাংসিদা থমজনীঙলিবদি হিন্দুগী তপস্যা, যাগ-যজ্ঞ, অর্চ্য-পূজা/সেবা পূম্নমকসি সঙ্কীর্ত্তনা মহুৎ শিল্লি

নৎত্রগা শিনবা য়াই অমসুং হায়রিবা ৱায়েলসি খ্বাইদগী মরু ওইনা চৎনরিবা লৈপাকসি মণিপুরনি; সঙ্কীর্তনদদি মৈতৈনা পুঙ য়েবা, ঈশৈ হনবা/খোম্বাংবা অমসুং দোহার ওইবা অমদি পালা ওইবা/য়াওবা য়াই, বামোনসু, ক্ষেত্রিময়ূমসু, অতৈসু পূম্নমক য়াই: শ্রীগোবিন্দগী দুহোন [ঈশিং হোনবা/পীবা] গী শীনফম ক্ষেত্রিময়ূমগীনি, অসিনচিংবসি লৈরগা হিন্দু লাইশিংগী যজ্ঞ, পূজানচিংবদা মৈতে মশানা হকথেংননা য়াওবা য়াব্রা? ৱাহংসিগী পাউখুমদি, য়াই, হিন্দু যজ্ঞদা "যজমান/য়াজি" য়াওরিবদু ব্রাহ্মণ নত্তে; থৌরম হৈনরুবদা, থবক্তু হৈরুদবা নৎত্রগা মশানা তৌনিঙদবা, অসিনচিংবদগীনি। মসিনা থবকসি বামোনশিংনা মোনোপোল্লি। [Monopoly] লৌখিবদগী লাইথৌশিংসি বামোন্দনা তৌখিব্রা খঞ্জে। অদুবু ৱাফমসিনা অরেপ্পদি নত্তে।

লাইনীঙলোনগী লাইথৌশিংগী থৌরম পরেং, থৌরমশিং অমসুং থৌরম-পরীং য়াৎপা; লাইশিংগী মতীক মঙম, মহী-ময়াইনচিংবা তাকপা; লাইফম-তীনফমগী মরম্নচিংবা তাকপা, লাইশোন-মন্ত্রশিং মশক-মশা, মখল-মথেল শীজিন্নবগী মওং-মতৌ তাকপা, অসিনচিংবা পূম্নমক শুপ্পা খঙ হৈরবা অদুবু হিন্দুশিংনা "ব্রহ্মা" হায়না কৌই অমসুং মৈতিশিংনা "য়োঙ্গরেন" হায়না কৌই। ৱাফমসি মথক্তসু হায়জখ্রে। লাইথৌশিংদা লাইশিংগী লাইশোন, ঈরাৎ-লাইরোন্নচিংবা শোন্দুনা, থিদুনা অমসুং হায়দুনা লাইরাৎ-থেল্লাত্তুগী লাইগী থৌজাল ফংননবগী মথৌ-মঙম তৌরিবা অদুবু হিন্দুশিংনা "হোতৃ [Hotr,] [মৈতৈনা, পুরিৎ হায়] কৌই অমসুং মৈতৈশিংগীনা "অমাইবা/মাইবা" কৌই। ৱাফমসিসু মথক্তা পঞ্জখ্রে। অদুগা করিগুম্বা যজ্ঞ/পূজা অমদা থবক তৌরিবা পুরোহিতদুগী মতেং পাংননবা মী অনিখক্তি য়ামদ্রবদা য়াওগদবনি অমসুং অনিসিদা অমনা ব্রহ্মা ওইখ্রে অদুগা অতোপ্পদুনা সাম বেদগী মন্ত্র থীবা/শকপা [সাম বেদসিদি ঈশৈনি নৎত্রগা ঈশৈ-ময়েক্লি] নুপাদুনি, মদুবু হিন্দুনা উদ্গাতৃ (Udgatr) কৌই অমসুং মৈতৈনা "অশৈবা/পেনা" হায়না কৌই। মখোয়সিগী মরমদা পীবীরম্লিবদিঃ-

As a rule four priests are necessary for performing a sacrifice, viz. Hotr, Adhvaryu, Udgatr and Brahman. The Rigvedic priest is called Hotrr who invokes the deities in a sacrifice reciting

verses from the Rig Veda.The Priest of the Yajurveda is termed Adhvaryu; his task is an arduous one as he is entrusted with the work of preparing the altar, digging the fire pits, cooking the oblations like rice-pap, porridge charu, etc. offering oblations and allied paraphernalia of rites and ceremonies connected with the sacrifice. Sacrifice is called "Adhvara" and because he keeps the sacrifice going or looks after the smooth functioning of the rituals he is aptly designated as Adhvaryu;... The Samvedic priest is called Udgatr whose duties to chant hymns from the Samaveda to praise and please the gods. The fourth priest is the superintending priest of the sacrifice called Brahman who is varied in all the three veda's, Rig, Saman and Yajur. Brahman is responsible for smooth conduction, safe completion and any flaw of the sacrifice. Hence, he is called "the physician of the sacrifices as he mends the flaws of the rites to make the function flawless... In course of time... the number of priests swelled in number, three priests being given as assistants to each priest... The 4 Rigvedic priests consist of Hotr, Maitravaruna, Acchavaka and Gravastut; the group of Yajurvedic priests comprises Adhvaryu, Pratiprasthatr, Nestr and Unnetr; the Samavedic priest Udgar, Prastotr, Pratihatr and Subrahmmanya while Brahman, Brahmanacchansi, Agnidhra and Potr go to the Composition of the group of Brahmns. [D.J.B., 1969, 173-74].

অসিশিংসিনি। অদুগা মথক্তা গোবিন্দজীগী পূজারী [নিত্য যজ্ঞ/পূজাগী সেবারী] গী মরম খর মখৈ পঞ্জখ্রে। মখোয়সি তশেংনমক মথক্তা পীখিবা বৈদিক পুরোহিত যজুর বেদগী পুরোহিত ‘‘অধ্বার্যু’’ গা মান্নে হায়না লৌবা য়াই।

হায়রিবা নিত্য পূজারী/সেবারীশিং অসিনা কর্ম্মিক/নৈমিত্তিক যজ্ঞ/ পূজানচিংবদসু থৌদাং অদুম্মক পুই। অসিদনসু নত্তনা অশেংবনি নৎত্রগা শোকহৈদবনি হায়দুনা থল্লিবা লাইশিংসিগী অঙ্গরাজ [Renovation of the image/idol/icon], বেষ ভুষন [Dressing of attires], অসিনচিংবসু ব্রাহ্মনশিংনা তৌই।

হিন্দুগী দেবী-দেবতাশিং অসিগী লাইথৌ-থৌরমশিংগী নৎত্রগা নুংতিগী তৌরিবা ঈরাৎ-থেল্লাৎ/অৰ্চ্য-পূজাশিংসিদা কত্তবা য়াদবা পোৎচঙ-পোৎকৎসি আর্তি/আরতি কৎপা, তুলসী পত্র/মনা নৎত্রগা কাষ্ঠ [অকংবা মশা] অমসুং শঙ্খজল (মোইবুঙদা হাপ্পা ঈশিং) কৎপসি বৈষ্ণব ধৰ্ম্ম চৎপশিংগী থাদোকপা য়াদবগুম তৌনৈ। করিগুম্বা দীপ আরতিদা ''বর্তি'' [Flame offering of in circular swing/movement/motion] কৎপসি ধূপ [Smoke/incense offering] না কৎপসু লৈ। আরতি কৎপা হায়বসি মৈরাদু কোয়না হাইদুনা, খ্বাইদগী হেন্না চাওবা মকোয়দা মায়থোঙদগীনা খুকউ ফাওবা কোনবগী অকোয়বা অসিনি। শঙ্খজল কৎপসিসু অসুম্না বর্ত্তি কৎলি। অদুগা শাক্তগী লাইশিংগী লমদাংদদি মণিপুরদা চৎনরিবসি, মথক্তা হায়খিবশিংসিগী মথক্তা শিন্দুর [Vermilion] অমসুং হৈখ্বাগোক/হৈরিখাগোক [(Golden/Stone apple (Aegle marmelos)] মহৈ/মনা য়াওদবা য়াদবগুম কৎনৈ। দেবীদা থম্বাল অশংবা, জবাকুশুম, অপ্রাজিতানচিংবা লৈ কৎপসি মহৈ চাওই হায়না লৌনৈ। শৈব ধম্মগী লাই শিব [হিন্দু বৈষ্ণবশিংনা ''মহাদেব'' হায়] গী পূজা বৈষ্ণব ধম্মগী পোৎকৎশিংদুগী মথক্তা গঞ্জানা মৈখু ওইনা নৎত্রগা শঙ্গোমগা ''ভাঙ্গঁ'' শেম্লগা শোয়দনা কৎনৈ। শিব পূজাসিদা শিন্দুরসু য়াওগদবনি। অতৈদি মীওইবনা চান-থক্ল, শেৎন-ইন্নরিবনচিংবা পোৎলমশিংদা মানা মানা পামজবদু হিন্দু ধম্মগী লাইশিংদসু কৎনৈ।

মৈতৈগী তোৎনশিন্নরবা লাইনীঙলোনগী শক্তম

মৈতৈ জাতিসিবু খ্বাইনা শকখঙ-মায়খঙলবা অমসুং বিশ্ব হিন্দু জগৎনা মফম পীরবগী থাক্তা লাউথোকখ্রবা হিন্দু লৈপাক অমা ওইনা খৃঃ ১৮২৯ দগী লৈরবা [চৈঃকুঃ, ২০০৫, ২৩৪-৩৫] ওইদুনসু অমসুং লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শেন্দান-শেনচৎলোন অমসুং মখোয়সিগা মরী লৈনবা হিরম অমসুং লমদাংশিংদা হিন্দুনা মকোক থোংবা, হায়বদি হিন্দু ধৰ্ম্ম চৎপা নিংথৌনা ব্রায়েল-থৌদা তৌবা লৈপাক-খুন্নাই ওইনা চাওরাক্লা খৃঃ ১৮৪২ দগী খৃঃ ১৯৪২ ফাওবদা লৈখ্রবা [মথক্কীসিদা, ২৬০-৬৩৮] ওইরবসু মখোয়না মমাঙঙৈগী মতমদগী মখোয়গী মপা-মপুশিংনা থম্বীরম্বা লাইনীঙশিং অমসুং

লাইনীঙ-মচৎ-মনাৎ, লাইনীঙলোনগী মচৎ-মনাৎ, লীচৎ-চৎলম, অসিনচিংববু খক হুন্দোকপা/থাদোকপা ঙমখিদে। মরম অদুনা মখোয়না অরি-অনৌ তীন্নবা লাইনীঙলোনগী শক্তম অমদা কাইদোংদুনা লৈ। মসিগী মরমদা শম্লা থমজনীঙবদিঃ-

The Meitei follow the aspect of amalgamatively filtered/ percolated religion of the classical local/native cultic faiths and beliefs and the newly adopted foreign Hinduism under the name and style of "Gauriya Vaishnava Madhbee or Madhavacharyya/ Brahma Sampradaya [Vaisnavite Madhbi/Madhava Charyya/ Bramha Sect of Bengal in Hinduism].

অসিনি। মরম অসিনা মৈতৈশিংনা লাইনীঙলোন মখল অনিমকসিগী মকোক-মরূ ওইবা অমসুং তোল্লেন-কোকলেন ওইবা লাইশিংবু খন্থ্রাং-খাফাঙননা অমসুং অমুক মান্নবা, অমুকসু মান্নদনা পুন্না খুরুম-খাজঙবসি নোংমখক্তগী ওইবা লাইনীঙ-তীন্নীঙগী লমদাংদা ফাওবা পুন্না/তোংঙান্না লাৎলি।

মৈতৈগী তোৎশিন্নবা লাইনীঙ অমসুং য়ানশিন-তোৎশিন্নবা লাই নীঙলোনগী মচৎ-মনাৎকী লীচৎ অসি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবা [খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯], খোইমোম লাইয়িংথৌবু শাইওনবগী সনা হাক্তক্তা হৌরকখিবনি [মথক্কীসিদা, ৬১ অমসুং ৬৬]। অদুবু মসিনা মশা-মরেং ফল্লকখিবসি মৈতৈগী মবুংঙো গরিবনিৱাজ [খৃঃ ১৭০৯-৪৮] গী সনা হাক্তকসিদনি [মথক্কীসিদা, ৭৩-১১৯]। মৈতৈগী মবুংঙোসি, মৈত্রবাক্কী খ্বাইদগী হেন্না খুৎকন-পাঙ্গনবা অমসুং মৈতৈ জাতিগী খ্বাইদগী হেন্না চাওবা, ব্রাম্মা/বর্মীজশিংগী অকি-তুজুং ওইরবা নিংথৌরেন ওইবগুম ধর্ম্মগী লম্বী-লমদাংদসু খ্বাইদগী হেন্না নীঙঙ্ঠাই চাওবা, মহাক্কী অনীঙবা-অপাম্বদা তৌবা অমসুং মাগীদু নত্তনা অতৈগীদু য়াদবা মীওইনি। অদুবু মহাক্লা লাইয়িংথৌ ফাল্লৌ-লৈমা-খোম্বা (সনামহী) বুদি লাই ওইনা ঈকাই খুম্নবদুদি অদুম থল্লম্মী। হায়রিবসি মহাক্লা অহানবা খৃঃ ১৭০৪ দা লৌবা হিন্দু কালিকা/দূর্গা দেবীগী লাইনীঙ অসি খৃঃ ১৭১৭ তা থাদোকখ্রগা রাসেশ্বর শ্রীকৃষ্ণ অমসুং রাসেশ্বরী শ্রীমতি রাধিকা লাৎপা নিমান্দি/নিমানন্দি হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙ লৌরবা অমসুং চৎলবদসু মহাক্লা লাইয়িংথৌসিবু শাফম-লানফমদা লাল্লোইনবদি খক থাদোক্তে। হায়রিবসিগী খুদম চাংদমদিঃ-

হাইস্নাম লাইবগী কুম শক ১৬৩৯ ... পোইনু থা থা অহন নোং শগোলশেন্দা লাইয়িংথৌ ৱা হায়ববু মতূ-মনাই য়াওনা লৈমা য়াওবা ওইনা দোলাইবু ফি লৈ-শঙবনা কোয়দুনা চঙখিএ। ৭নি য়ুমশকৈশদা নিংথেম ময়াম্বনা সমসোক লান নাবা চৎএ॥১৪নি য়ুমশকৈশদা ... উনুংতা খুল্লাকপনা চিংনা অৱা লৈমা ওকপা ঈপান্দা নিপা অচঙবা ৯০, নুপী ১১ ফারকএ [মথক্কীসিদা, ৭৮]॥

ঈঙ্গ্লেঁজী ৱাহন্দোকঃ-

Divine lord Wa-Haiba [Literally, the deity who speaks the human language (Divine Sanamahee)], accompanying with his wife [The priestess who has symbolic marriage with the divinity] and slaves and servants and wrapping/covering his litter/palanquin all around with red dyed cloth(s) left [Imphal for Mramma/ Myanmar border] as if to join the band of escort in the name of bringing Meitei/Manipuri princess as the bride of Burmese/ Mramma emperor [whose officials sent as receptionists of the bride were to be attacked and destroyed as planned and plotted by the Meitei-s] to hand over the promised princess on Thursday, the first day of the Meitei lunisolar month of Poinu [Dec., - Jan.] in 1639 Saka (1717 A.D.), the sponsored year of Haisnam Laiba. On Wednesday, the 7th instant Meitei-monarch Mayamba (Garibanawaza) set out to invade Samsok (Thaung dut/ Hsawnghsup). On Wednesday, the 14th instant the troop under the command of Unungta Khullakpa [the chief of Forest settler's/ dwellers' village towards Myanmar] attacked and captured alive 90 men and 11 women on the bank of river (Ningthi/Chindwin (Khyendawen)] shattering the assembling Burmese there for the greeting/reception of the Meitei/Manipuri princess-bride.

অসিনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী সনা হাক্তক্তা মৈতৈ লাইনীঙ খরগী অমাঙ-অতা থোকখ্রবসু নৎত্রগা থোকহনখ্রবসু মহাক্না অনৌবা মৈতৈ-লাইনীঙ খর অমুক হৌদোক্কুনা নৎত্রগা মশক-মচু থোকহন্দুনা থম্লম্মী। মখোয়দুদি লাইয়িংথৌ পাখংবা লাইনীঙ, মৈদিংঙুগী অয়োক-অকনগী লাইশিংগী লাইনীঙ

অমসুং য়ুমজাও লাইরেম্মা লাইনীঙনি। অদুগা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী অচেৎপা মনাত্তা নুঙগোইবী লানমিং/লাললূ-চনবা, লাই ওইবা পাখংববু মী ওইহল্লকপা অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহীদা য়ুপান থাবসু হৌদোক্তুনা মহাক্লা মাঙহন-তাকহনখিবগী লমন শীংলম্মী।

মৈতৈগী তোৎশিন্নরবা লাইনীঙলোনসিগী মচলশিং

মৈতৈগী তোৎশিন্নবা লাইনীঙলোনসিগী শক্তমদা মচু শঙলিবা মচলশিংসি অপৌবা মিৎয়েংদা য়েংলকপদা উরিবদি মৈতৈ মশাগী মরৈবাকসিদা হৌজরকপা লাইনীঙশিং অমসুং নোংচুপলোমদগী চঙলকপা হিন্দু লাইনীঙগী গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লাইনীঙ-ফুরুপশিংনি। অদুবু মসিদি মপান্দা উবা মায়থোঙগী শক্তমখক্তনি। খুদম ওইনা, লৈরিবু লাইয়িংথৌ সনামহীদা চৈরাওবদা কত্তবা য়াদবা লৈ অমগুম কৎলিবা করিগীনো অমসুং মৈতৈগী লুহোং-খোঙদোংবদা/লুহোংবদা কুন্দো লৈ পরেং শীজিন্নরিবা করিগীনো? হায়বা ৱাহংশিংসিগুম্বা লাকপদা পাউখুম পীবা লুনা থোক্লকই।

মৈতৈগী তোৎশিন-য়ানশিন্নরবা ধর্ম্মসিগী মরু ওইরিবা মচলশিংদি-(ক) মৈতৈগী মশাগী ওইজবা লাইনীঙলোনগী (১) এনিমিজম, খুদম-উয়াল্লোন্দা উগী ঈরাৎপা; (২) মপা-মপু-লাৎপা লাইনীঙ, খুদম-শাগৈ/ফুঙ্গা অপোকপা খুরুম্বা; (৩) স্পিরিট ৱোর্শিপ, খুদম- শরোই খাঙবা; (৪) উমংলাই লাইনীঙ, খুদম- চহিগী উমংলাই হরাওবা; (৫) সনামহী লাইনীঙ, খুদম- নুমিৎ খুদিংগী য়ুম্লাই লাইয়িংথৌ সনামহী খুরুম-খাজঙবা; (৬) পাখংবা লাইনীঙ, খুদম-লিন উরগা ঈকাই খুম্নবা উৎপা; অসিনচিংবা অমসুং (খ) হিন্দু ধর্ম্মগী (১) গৌরিয়/হিন্দু বৈষ্ণব/শাক্তগী/শৈবগী লাইশিংগী লাইশঙ শাদুনা লাৎপা; (২) হিন্দু পোলীথেইজম (Polytheism) চৎপা, খুদম- কৃষ্ণ, রাম, শিব/মহাদেব, দূর্গা, কালী/কামখা, শনি, অসিনচিংবা খুরুম-খাজঙবা; (৩) হিন্দু পর্ব্বদিন (লাইথৌ-নুমিৎ) শিং পাঙথোকপগী লীচৎ, খুদম- য়াওশঙ লাইথৌ-কুম্মৈ; (৪) হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী মনাৎ চৎপা/ইনবা, খুদম অঙাংগী ৬নি য়ুপান নৎত্রগা লুহোঙবা/শ্রাদ্ধ (শোরাৎ) তা মৈতৈগীসু হিন্দুগীসু অনিমক পাঙথোকপা, অসিনচিংবনি।

মৈতৈগী তোংশিন-য়ানশিন্নবা লাইনীঙ/ধর্ম্মসিগী লমদাংদা বৃটিশকা মৈতৈগা লৈঙাকলোনগী মরীদা খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নবা হৌরকপগী মতমদুদা মতমদুগী বৃটিশ ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনি [The British East India Company]গী লোইশঙলোইশিংনা মখোয়গী হেড কার্টর কোলকটাদা ওইরিবঁদা মৈতৈগী হওরকফম থিরকপগী লংলা-লংজীন পীবগী মতাংদা ৱারোঙ-ৱাথোক অমা থোকখি। হায়রিবসি, মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্মগী ঈমায়দগী ঈরোন্নুংদা লুপথবা হৌরকপগী মতম্নি অমসুং মতমসিদা মৈতৈগা বৃটিশকা চৎনখিবা ঈ-পাউদুগী চাওরাকপা মশক্তিঃ-

The advance religious concept and conceptual conception or conceptualization of Hinduism within the period of writing/ composing the great Hindu epics. Ramayana and Mahabharata, in which expounded the ethical and moral doctrines of rightousness and Bhakti [unflinching/self-surrendering devotion to personal gods], Jnana [konwledge] and karma [Action] as the three paths to attain salvation [B.N., 1988-89 133] as well as the differences, esteemed magnitudes and standardised attitudes were known to the Meitei. When the Britannic officers and members of the Supreme Council of the then British East India Company inquired of the origin of the Meitei, they were given Bavruvahana, the son of Arjuna, the 3rd Pandava by this consort Chitranggada, the princess of Manipur in the Mahabharata was the evolute of the origin of the Meitei. The affidavit of the Meitei court regarding the origin and Meitei scriptual books SANAMAHEE LAIHOOI [Virtuous deeds and activities of divine Sanamahee] and PAKHANGBA LAIHOOI [Virtuous deeds and activities of divine Pakhangba] were sent to Calcutta (Kolkata) for examination of the origin (I.A., 1979, 38). But the Britannic officers intimated the Meitei with regards to the mixed cultural and cultic heritages of Vaisnbavism and animistic and spirit stirring sacrifices, etc. as their socio-religious experts found through the affidavit and scriptural books [Ibid, 39-40].

অসিনি। মসি মৈদিংঙু চীঙলেন নোংদ্রেন খোম্বা নৎত্রগা রাজা গম্ভীর সিংহ (খৃঃ ১৮২৫-৩৪) গী সনা হাক্তক্তা খৃঃ ১৮২৭-২৮ গী মতম থোকখিবা থৌদোক্তি। অসুম্না তোৎশিন-য়ানশিন্নবা লাইনীঙলোনগী মশকসিনা বৃটিশশিংনসু মৈতৈগী হওরকফম খঙবা ঙমদনা লোইনরকখিবনি। অদুবু মনুং হুঞ্জিনবা মীয়েংদা থম্লবদি মৈতৈ হওরকফম শোয়দনা খঙগনি, মরমদি মমা-মপা য়াওদনা মচা লাকপা/পোক্লকপসিদি লাই-ৰারীদদা ফংগনি অমসুং লাই-ৰারী হায়বদি মীখুৎশেম্নি, লাইখুৎশেম নত্তে।

লাইরাৎ-থেল্লাৎপগী মশক-মশাশিং

মৈতৈগী তোৎশিন-য়ানশিন্নরবা লাইনীঙলোনসিগী লাইশিংগী লাইরাৎ থেল্লাৎ, ঈরাৎ-থৌনী, অর্চা-পূজা, থৌদৌ-লাংদৌ, অসিনচিংবগী মশক-মশা, মওং-মতৌ অমসুং খুত্তৌ-লাকতৌসি, মাগী মাগী লাইনীঙলোন্দুগী ৰায়েল-ৰাখুন্না পীবদুগী মতুংইন্না পাঙথোক্লরম্মী, হায়বদি, হিন্দু লাইশিংগী ওইরগা হিন্দু লাইনীঙলোনগী মথক্তা পীজখিবা নিয়ম-নিতিশিং অদুদা তৌরম্মী, অদুগা মৈতৈ-লাইশিং/উমংলাইশিংগী ওইরগনা মৈতৈ মশাগী ওইজবা লাইনীঙলোনগী মথক্তা পীজখিবা কাংখুন-লীখুন/ৰায়েন-ৰাখুনগী মতুংইন্না পাঙথোক্লরম্মী। ৰাফমসি, লাইনীঙলোন অনিসি য়ান্ননা চৎপা মীওই কাঙলুপশিং "হিন্দু-মৈতৈ/মৈতৈ-হিন্দু" হায়বসিগীনি অমসুং মসিগী মনুংদসু ওর্থোদোক্স (Orthodox) হিন্দু ধর্ম্মদা ওইবা, মৈতৈ লাইনীঙদা ওইবা অমসুং অনিসিগী ময়ায়দা চৎপা ফুরুপশিং/মীওইশিংসু য়াওরিবনি। অদুবু খৃষ্ট কুমশীঙচা ১৯গা কুমশীঙ/চহি ৩০ গী শীঙলুপ্তা চনবা কুমশীঙ/চহিশিংদা অরিবা মৈতৈ লাইনীঙ হিংগৎহনবগী য়াওল [Revolution of Revival or Renaissance of Meitei ancient/olden Religion or Religious Cult] গী মমি তল্লক্লুনা খৃঃ ১৯৪৪-৪৫ দগী শকপাল্লক্লুনা খৃঃ ১৯৪৭ তা মৈত্রবাক্কী লৈপাক-নিংথৌনা শকখঙলবা ফুরুপ ওইনা লেপ্লকপা (সঃনঃ, ২০০২, ১৩৬-৫০) দগী মৈতৈ লাইনীঙলোনগী মশকসিদা খর মখৈ অহোংবা/অওনবা লাকখি অমসুং মদুনা লাইরাৎ-থেল্লাৎকী মশক্ত-মশাদসু খেন্নবা খর পুরকখি। অদুদগী হিন্দু

লাইনীঙদুসু য়াম্না ওর্থোদোক্স ওইনা লাকশিনবগী মশকশিং, অশেং-অমাংনচিংবগী খোঙথাংনচিংবগী খোঙথাং হন্দোক্লকখি।

মৈতৈগী তোৎশিন্নরবা লাইনীঙলোনগী লাইরাৎ-থেল্লাৎকী মশকসিদা পুনশিল্লিবা লাইনীঙলোন অনিগী মচৎ-মনাত্তু মীমাঙ থোক্লা খক মায়রোঙ য়ানা ঙাংন-শক্লদে, তৌরিবা লাইথৌদু অপাম্বনা পাম্না য়াওরে, পমদবনা পামদনা থাদোকক্তুনা চৎখ্রে। মৈতৈগী গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্মনা মৈত্রবাক্কী ওথোরিতি ওইরিঙৈদা মখোয়গা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী নৌনা য়াওল্লক্লিবা সনামহী লাইনীঙ ফুরুপকী থৌমী-থৌরাংবশিংগা খৃঃ ১৯৪৫ গী জুন থাদগী খৃঃ ১৯৪৭ ফাওবদা নীঙাই শাংদানদুনা কেস তৌনখ্রবসু মাগী মাগী ধর্ম্ম কন্ননবগী চীনগী লানফম অমসুং লানশোক্লগীনি। অদুবু মসিনা খুত্তা পায়বা মীপোৎ হুন্দোকখিনবা অমসুং চীন্দা/য়াদা হুকপা ঈপোৎ য়োৎশিন্নবা থৌরাং-থৌশীনবা ওইদুনসু তোৎশিন্নরবা লাইনীঙলোনগী মশক-মশা, মচৎ-মনাৎনচিংবদুদি হোংহনবা ঙমদে অমসুং লৈঙাক্লোনগী ওইনা তীল্লু-চঙলুরিবা লৈপাক্কী সংবীধান [Constitution] না পীবা আর্টিকল মশীঙশিং (২৫), (২৬), (২৭) অমসুং (২৮) গী মতুংইন্না ইন্টরনেসনেলিজম/য়ুনিভর্সৈলিজম [Internationalism/universalism] গী মায়কৈরোমদা নকশিনবা হেল্লক্লি।

মান্নবা চাংদম পাদম্নবগী পান্বেশিং

মৈত্রবাক মণিপুরনা নিংথৌ পানবা লৈপাক ওইরিঙৈদা মৈতৈগী মবুংঙোশিং/নিংথৌশিংগী তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গল/মতীক-মঙমসিনা ঙমখৈ লৈত্রিঙৈ নৎত্রগা মপান নাইদ্রিঙৈগী মতম [খৃঃ ১৭০৪-১৮৯১]দুদা মৈতৈগী থায়নদগী/মমাঙঙৈদগী নৎত্রগা মপা-মপুশিংগী হাক্তক্তগী চৎনরক্লবা লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোনসিবু লুনা হকচিন্না খঞ্জবা, হায়বদি, মতমদুদা নৌনা চঙলক্লিবা নৎত্রগা লাইমিং লৌরুরিবা হিন্দু ধর্ম্ম [ওইনিংবা কাঙলুপ/ফুরুপ-শাখা/সম্প্রদায় (Branch/sect)] না নিংথৌ পানবা লৈপাক অমসুং নুপানা য়ুম্থুরেন-ওইবা খুন্নাইসিগী মীপুম পুম্নমক্কী ধর্ম্ম/লাইনীঙ ওইবদু পামজদবা/য়ানীঙদবা মীওইশিং অদুনা মৈতৈ নিংথৌ মনিংথৌগী মায়োক্তা, মতমদুদা লৈপাক নিংথৌনা লৈপাক খ্বাইগী ধর্ম্ম ওইনা লৌখৎখিবা হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মবু শীঙনবা, মৈতৈ নিংথৌগী মতীক-মঙম কিবদগী ঙমখিদে। মসিগী মরু ওইবা

মরমদি মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবদগীনা কুলচন্দ্র মহারাজ [খৃঃ ১৮৯০-৯১] ফাওবগী মৈতৈ নিংথৌশিং অসিগী মরক্তা মপুকচেল ফৎত্রবা, মহাকপু পীক্লিঙৈদগী মচিঞ্জাক পীজদুনা, মহৈ-মশীং তম্বীদুনা শেম্বীরকপা, মঙোন্দা নিংথৌ-ফন্নাল পীবীবা অয়োকপা মপা হাৎপা, মী নত্তনা মী শাবা "চিৎশাই [খৃঃ ১৭৪৮-৫২] হায়বসি নত্তনা অতৈদি হিন্দু ধর্ম্মদা পুক্নীঙ থিংজিনবা, কা হেন্না ৱাখল লুপচবা অমসুং হেঞ্জিন্না শৌগৎচবা নিংথৌশিং ওইখি অমসুং মখোয়না মথৱাই কখোক্না হোৎনরিবা ধর্ম্মসি অকক্নবা মাধ্বী বৈষ্ণব সম্প্রদায়সিনি। মরমসিনা কনাগুম্বা মৈতৈ অমনা মৈতৈগী হিন্দু লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনসিবু থাদোক্লসি, হায়বগী লমদাংসিদা থাদোকপগী মায়কৈদা মখুৎ থাঙ্গৎলক্লবদি/থাঙ্গৎলম্লবদি মহাক্কী মখুত্তু ককথৎখিগনি নৎত্রগা মহাক মোংফমগী চিতাদা/লৈরোন্নুংদা চঙহনখিগনি। মরম অসিনা বৈষ্ণব অমবু কনানা ফোংনা/ মীমাঙদা চৈ-থাংবা ঙম্লরমদে, মরমদি মখোয়না মৈতৈ নিংথৌনা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী পুক্নীঙ থৌগৎলিবা শক্তিদুগী মায়রোঙদা লেপ্পা ঙমলোয় হায়বসি খঙজে। মৈতৈ নিংথৌনা বৈষ্ণব গৌরিয়া ধর্ম্মবু শৌগৎলিবসিগী মতৌসিদা মৈতৈ নিংথৌগী মমিংদা হিন্দুগী ইকাই খুম্নবা ফোঙদোকপগী ৱাহৈ "শ্রী [Honourable/ respectable]" হায় বসি হাপ্তবা/চিত্থরম্বা/লৌথোকপগী মতাংদা ফাওবা দণ্ডি/ চৈরাক পীরম্মী, মসি মখাগী চৈথারোল কুম্বাবগী ঈ-পাউসিনা সাক্ষী ওইরিঃ-

...লৈমপোকপম তানচৌগী কুম শক ১৭৭১... থৱান থা... ২১নি ইরাই... নোংথোনবা থোঙ হঞ্জবনা লাইরিক ইবদা মহরাজবু শ্রী হাপ্তে হায়না সনা কৈথেন্দা য়ৈএ॥ (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ২৯৩)।

English Translation

On Friday, the 21st day of Meitei Lunisolar Month of Thawan in 1771 Saka, (1st week of September, 1849 A.D.) the sponsored year of Leimapokpam Tanchou, Thong-Hanjaba, a family man of Nongthonbam surname, who held the post of the chief of gate-keeper's institution was punished with the infliction of beating/lashing openly at the capital market (place) for not his prefixing Shree (Honourable) in the celebrated name of His Majesty.

হিন্দু ধর্ম্মনা মৈত্রবাক্কী ধর্ম্ম ওইবসিদা পেঞ্জদ্রবা অমসুং/নৎত্রগা পামজদ্রবা মীওইশিং অদুনা মপাঙ্গল ফুদোকপদি য়াদবনা/ঙমদনা [পামজদবা/য়ানীঙদবগী মপাঙ্গল ফোংদোক্লনবা থৌদোক থোকপ্লবা মতুংদা মখোয়গী খোল্লাউগী খোঞ্জেনগী মশক (Mouth Piece) তু উররোয়দবা মী ওইনা পোকখিবা/পোকখিদবা মীওইশিংগী মতেং লৌই, [খুদম ওইনা, কনক থেঙ্গ্রা অমসুং লৌরেম্বা খোংনাংথাবা] মীমাঙ থোক্লা লেপখিদে অদুবু মখোয়গী ৰাখল অমসুং অচুম্বনি হায়রিবা ৰাখল্লোন্দুগী মরমদা ময়ুমদা নৎত্রগা মীতোপ তারোয়দবা মফমদা মরুম মরুম শোনবা, লোন্না ফোংদোকপা অমসুং মীচম-মীয়ামগী মনাকোঙদা য়ৌহন্নবগী থৌরাংশিংগী থৌশীনবদি লেপখিদে। অসিগুম্বা থৌশীনশিংসিদা ফত্তবগী খুজীল থৌরাং য়াওবগী ঈ পাউদি ফংদে। অদুবু পামদবগী/পেন্নদবগী মুরুম মুরুম শোন্নবগী খোঞ্জেনমকসি মতমদুগী মমিং লৈরবা/চৎলবা অখণ্ড-অহৈশিং, পণ্ডিত-মাঈচৌ (Scholar) শিংগী মনাকোঙদা তত্তনা ঙঙদুনা লৈবা মখোলশিং/ৰাফমশিং ওইখি।

মৈতৈগী মরৈবাক-মৈত্রবাক/মণিপুরসিনা মালেমগী/অন্তরজাতিগী থাক্তা শকখণ্ড-মায়খণ্ডলবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা খৃঃ ১৮২৬ কী ফেব্রুৱারী ২৪ দা ওইখিবসিগী মতুংদা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহনা মৈতৈ নিংথৌ শাগৈগী হওরকফম বৃটিশতা খৃঃ ১৮২৭-২৮দা পীখিবসি, মথক্তা পীজখিবা হিন্দু ধর্ম্ম পামজদবা মীওইশিংদুগী মায়য়োক্তনি। রাজা গম্ভীর সিংহনা পীখিবা ৰারোলগী খ্বাইদগী হেন্না তেনবা মওং লৌথোক-শক্তোক্লকপগী শক্তমদিঃ-

...দেশ ঈরৈপাক্তি চতুরভুজা নারায়ন বিষ্ণু লাইয়িংথৌ দেশ মরৈপাক বিষ্ণুপুরসুং কৌএ অমসুং বব্রুবাহননা মনি য়াইরংচানপু পুখৎলক্তনা আমৃত শিদয়াইগা ঙাইরোইননা লৈপাক খুননিংথৌবু ওইনা পাল্লময়ে হায়বগীদমকপু মণিপুর লৈময়োনসুং কৌএ [ইঃ অঃ, ১৯৭৯, ৩৮]।

English Transcreation

My country, as she was the abode of divine Narayana Vishnu, the four armed deity, is named Vishnupoora. And as revealed by the historical fact that Vabruvahana had turned up from the under/nether world with the dazzlingly shining gem called

MANI and assuming the power of Kingship as a monarch to rule over the country with accompanying the gem possessing the virtue of ambrosially undying powers as the deadproof, she is also adorned with the name/nomenclature of MANIPURA (the abode of Mani or gem), the core of life-budded gems.

অসিনি। মথক্কী ৱারোলসিদগী মতমদুগী লৌ-হৈরবা অইবশিংদুনা য়াম্না হৈ-শিংনা মৈতৈ নিংথৌগী শাগৈগী হওরকফমগী ৱাখলনা শাগৎপা/লৌনবা শকফমসি, পাৱারী-পুৱারীগী মমাঙগী চক [Proto-historic Age] কী ওইনা পোক্লেন-পোকপা অমসুং শাৎলেন শাৎপা [Pre-progenitor and proto-progenitor] সি ঈকাই খুম্নফম ওইরবা বব্রুবাহন হায়বা [লাংগোই শগোল অঙৌবা শাদোংনবা] ওইনা লৌখৎ-শৎকত্তুনা বৃটিশ ঈস্ট ইন্দিয়া কম্পনীগী সুপ্রিম কাউন্সিলদা পীখি। মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ শাগৈ মহাভারতকী মণিপুরগী নিংথৌ মচানুপী চিত্রঙ্গাদানা পোকপা বব্রুবাহন পাণ্ডব নিংথৌ শাগৈগী তেলহৈবা মহাভারত মহাকাব্যগী উত্তম চরিত্র [Top Character] অমা ওইরিবসিগী মচাসিগী চাদা-নাউদা ওইনা পীবসি ৱাখলনা শুংবা নৎত্রগা য়োৎশা-য়োৎশুংবনা থাঙ, শীঙজঙনচিংবা য়ৈ-ফুদুনা শাবগুন্বা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহগী মতমগী বৈষ্ণব ভক্ত পণ্ডিতশিংদুগী ৱাখলগী কোনশঙ মৈফমদগী পুথোকপনি। অদুগা হায়রিবশিংসি মৈতৈগী য়োঈরেনা পণ্ডিত লোইশঙগী লাইরিক-শঙ [The Royal Archive of Meitei Traditional Scholars' Institution] দা নৎত্রগা ব্রাহ্মন সভাগী লাইরিকশঙ [The Royal Archive of Brahmanical Insitution] দা নৎত্রগা য়োঈরেন/পণ্ডিত অমগী মরন্নাই লাইরিক-শঙ [The Private archival custody of a scholar] দা লাইরিক ওইনা লৈরবগুম পীখিবনি (মথক্কীসিদা, ৬৬)।

মথক্তা হায়খ্রিবা মৈতৈশিংগী মরক্তা মশাগী থায়নগী/মমাঙঙৈগী লাইনীঙলোন শৌগৎলগা মীমাঙ থোক্লা লাউরুবদি ঙমদবশিংগী য়ান্নদবা অমসুং পামদ-পেন্নদবগী খোম্থাংশিংগী মীখোল-মীনীনশিংনা হিন্দু ধৰ্ম্মগী মায়কৈদা লেপ্লিবা পণ্ডিত নৎত্রগা মৈতৈ মশাগী লাইনীঙলোন্দা পুক্নীঙ থমজবা পণ্ডিতশিং পূম্নমকপু/খুদিংমকপু চমম্নবগী ঈপাক্তা থাদরম্মী অদুবু মখোয় ময়াম খন্ন-তানদুনা

শাফগদবা পাম্বে অমা পুথোক্লবা/শেম্লবগী থৌরাংদা থি-হুন্বদি লেপ্লমদে। মরম অসিনা য়ানদবা মায়কৈ অনিসিগী মরক্তা লৈবা অমসুং ময়ায়দা চৎপা য়ান্নবগীদমক্তা লৈপাক নিংথৌগী ওইনা লৈরিবা মৈতৈগী য়োঙ্গরেন/পণ্ডিতশিং, হিন্দু ধর্ম্মগী পণ্ডিতশিং অমসুং লৈপাক্কী থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংনা মপূক্লিংদা হূ ফুম্নদুনা ফক/ফিদা অমতদদি ফম্মিন্নরগা মমায়দি অমনা নোংপোক অদুগা অমনা নোংচুপ্তা ওল্লিবা ধর্ম্মগী/লাইনীঙলোনগী লাম্নীশিং/লাল্লোইশিং অদুবু তাইশিন্নবা য়াননবা মৈতৈ লাইশিং অমসুং হিন্দু লাইশিংগী মরক্তা মথৌ-মঙমগী, মনাৎকী, মতীক-ময়াইগী, অসিনচিংবগী মায়কৈ-লমদাংশিংদা মান্ন-মান্নবা লৌখত্তুনা লাই অমগা অমগা মান্নহন্নবগী থৌশীনসি হৌদোকখি। অসুম্না নাকন অনিমক্কী পুকচেল ফাথখিবা, মান্ন-মান্নবা লাইশিংগী থৌরাংসিগী শোয়দ্রবা খুদম অমদি ‘‘পাম্ভোইবী খোঙ্কুল’’ কৌবা লাইরিক্তা ময়েক শেংনা উৎলি। মান্ন-মান্নবা লাইশিংদুগী মমিং মথাগী পরেং অমা মখাদা উৎচরিঃ-

মশীঙ	মৈতৈ লাই	হিন্দু লাই	মচৎ-মতৌনচিংবা মান্নবগী মরম/মরী মখোঙ
১।	অতিয়া গুরু নৎত্রগা গুরু শিদবা	(অ) প্রজাপতি (অ) শিব	নোংখোঙ কোয়বা
২।	লৈমরেন শিদবী	পার্বতী/হেমা	নোংখোঙ কোয়বা
৩।	অশিবা/অশীবা	(অ) ব্রহ্মা (আ) ইন্দ্রদেব	লৈশেম্লোন অরিবা, লৈথক-লৈখারোন, পুদিন অসিনচিংবা (অ) লাইশিংগী নিংথৌ ওইবগী
৪।	কোঞ্জিন তিংথোকপা হারাবা	মহেশ্বর, বীরভদ্র	লৈশেম্লোন অরিবা, পুদিন অসিনচিংবা
৫।	নোংথাঙলৈমা	(অ) কালিকা (আ) যোগিনী	অৱা/ওৱা ঙম্বা, সুবিকা অচৌবা
৬।	কৌব্রু	কুবের	নোংবান পোম্বী লুৱাউবা
৭।	ৱাংবরেন/ৱাংরেন	(অ) বরুণ (আ) যম/যমরাজ (ই) সমুদ্র দেবতা (ঈ) দিকপাল	(অ) অনিমক ঈশিং লাই ওইবা (আ) অনিমক অচুম্বা ৱায়েনগীওইবা (ই) অনিমক ঈশিংগী লাই ওইবা (ঈ) মৈরম মায়কৈ ঙাকপগী
৮।	খাঙজেং লাইয়িংথৌ	যম	অচুম্বা ৱায়েন-বিচারগী
৯।	কশা/সরারেন/ কশা-সরারেন	(অ) ইন্দ্রদেব (আ) বিধি (ই) বিধি ব্রহ্মা	(অ) অতিয়াগী লাই ওইবগী (আ) লাইবক নোংদম্বগী
১০।	পুথিবা	(অ) ইন্দ্রদেব (আ) মরুৎগন	নোং তাহনবগী লাই ওইবগী
১১।	পুরৈরোম্বা	ইন্দ্রদেব	নোং তাহনবগী লাই ওইবগী
১২।	নোংপোক নিংথৌ (কাইনৌ চঙশোম্বা)	শিব মহাদেব	(অ) পাম্ভোইবী খোঙ্গুল (আ) পাম্ভোইবী নাহেরোন

১৩।	অপানবী (পাছোইবী)	গৌরী	কুচু পানবী/ঙৌবী ওইবগী
১৪।	পাছোইবী	(অ) গৌরী	–do–
		(আ) পার্বতী	চীংগী নিংঙোন ওইবগী,
		(ই) রাধা,	পাছোইবী খোঙ্গুল,
		(ঈ) দূর্গা	–do–
	১) নোংবাল্লোন পাছোইবী	(উ) উমা	উমাল্লা মিংথোনবী পাছোইবী
১৫।	সনামহী	(অ) বিষ্ণু	খাগেম্বা লাংজে, সনামহী লাইহুই, সনামহী লাইকন, পাখংবা, নোঙ্গারোন,
		(আ) ত্রিমূর্ত্তি	–do–
		(ই) সূর্য্যদেব	–do–
		(ঈ) ব্রহ্মা	লৈশেম-নোংশেম্বগী –do– –do–
	সনামহী অপোইবা	(উ) মহেশ্বর, (ঊ) বীরভদ্র	মাঙহন-তাকহনবগী
	(অ) ফুঙ্গা লাইরুবা	(ঋ) অগ্নিদেব	য়ুমগী মপু ওইবগী
	(আ) লৈরক শাথৌবা,.. ….লমলোং লাংবানবা	(ঌ) ভুত/প্রেত	তম্নলাই ওইবগী/(সনামহী লাইকন)
১৬।	য়োঙ্গীরেন তোমপোক্পা পাখংবা	(অ) গনেশ/গনপতি	(অ) নোংখোঙ কোয়বা (আ) মীওইবা জাতিগী নিংথৌ ওইবগী
১৭।	হামলেন	পবন দেব	খমগোন মাল্লং (Air) গী লাই ওইবগী
১৮।	হুমলেন	বায়ুদেব	মালয়া নুংশীৎ(Wind)গী লাই ওইবগী
১৯।	খাব ভরং খোইনুচা	আয়ন (নপুংশক)	পাছোইবী খোঙ্গুল
২০।	তাউরোইনাই	(অ) শেষ আনন্ত (আ) গরুড়	(অ) অতোম্বাপু শর্ম্মাঃ পাখংবা (১৯৫৩) (আ) অতোম্বাপু শর্ম্মাঃ মণিপুর ইতিহাস
২১।	নোংশাবা	নরসিংহ	(অ) তাইবংমপুগী লাংওন ওইবগী অমসুং (আ) শক্তমূর্ত্তি হাইরপ মান্নবগী
২২।	য়ুমজাও লাইরেম্মা	রাজলক্ষ্মী	নিংথৌ অয়োক-অকন ওইবগী
২৩।	নুঙ্গোইবী	(অ) দূর্গা (আ) ভদ্রকালী	লানগী লাইরেম্বী ওইবগী
২৪।	থোঙঙারেন	যমরাজ	অশিবগী লাই, অশি'লৈবাক্কী মপু ওইবগী
২৫।	থোঙঙাক লাইরেম্মা	(অ) যমি (যমদেবগী তাল্লোই অমসুং মচন)	অশিবগী লাইরেম্বী ওইবগী –do–
২৬।	লিলতাউরেন	আনন্ত	খাহি ঙম্বা
২৭।	কোরৌহনবা	সূর্য্যদেব	মচৎ, মনাৎনচিংবা, মগুণশিংনচিংবা মান্নবগী
২৮।	লাইখুরেম্বী	দূর্গা	মৈতৈশিংনা লৌনবা
২৯।	লাইসনা/লাইশ্রা	১) যমি	তাল্লোইনা মচন ওইরকপগী
৩০।	নোংখাকনিংথৌ	ইন্দ্রদেব	নোং-নুংশিৎ অমসুং লেন তাহনবগী
৩১।	নুমিৎ ম্লাখোমদোন	সাবিতা	নুমিৎকী শোছ-নোম্বা মগুণগী
৩২।	তাউহুইরেং	মিত্র-বরুণ	নুমিৎকী শক্লোন (কান্নবা পীবগী) অমমম ওইবগী
৩৩।	ঈরৈমা	গঙ্গা	চীঙথংখোম্বা গঙ্গা চঙবা/চৎপা
৩৪।	পাখংবা	শ্রীগোবিন্দ	গোবিন্দ নির্পণ
৩৫।	লাইয়িংথৌ সনা	অরাম্বম নিত্যানন্দ	গোবিন্দ নির্পণ
৩৬।	হিয়াঙথাং লাইরেম্মা	(অ) কামাখ্যা (আ) কালিকা (ই) দূর্গা	সনামহী লাইকন, সনামহী লাইহুন কামাখ্যা ওইবনা বসন্তী পূজা, অশ্বিন/কার্ত্তিক পূজা পাংথোকপা
৩৭।	সনামহী	(অ) সুপর্ন (আ) শেন	অতোম্বাপু শর্ম্মাঃ মণিপুর ইতিহাস
৩৮।	হীপোকপী	শ্রী	লন-থুমগী মবেম্মা ওইবগী
৩৯।	হীরৈমা	লক্ষ্মী	– do –

৪০।	য়াইরৈমা	– do –	– do –
৪১।	হীকুবী	– do –	– do –
৪২।	য়াইকুবী	– do –	– do –
৪৩।	য়াইপোকপী	– do –	– do –
৪৪।	য়াইন্না	– do –	– do –
৪৫।	ফৌওইবী	লক্ষ্মী/শ্রী	লন-থুম, চীঙ্গাক্লচিংবগী মবেম্মা ওইবগী
৪৬।	য়ুমোইনু অহোঙবী (ইমোইনু অহোঙবী)	–do –	– do –
৪৭।	মৈরৈমা	স্বহা	মৈগী নুপী ওইবগী
৪৮।	চকমোম, (আ) খাম্নী	আগ্নি	মৈ কৌবা লাই ওইবগী
৪৯।	লইরিক লৈমা শীঙজাখোম্না	সরস্বতী	মহৈগী লাইরেম্মা ওইবগী
৫০।	শম্লোঙ নিংথৌ অপানবা (য়ুল্লাই লাইয়িংথৌ সনামহী	(অ) সূর্য্যদেব (আ) অগ্নিদেব (ই) দিকপাল	''টেম্পল কোইন'' না লাৎপগী ফুঙ্গা লাইরুবা ওইবগী শম্লোঙ মায়কৈ ঙাকপগী
৫১।	য়ুমজাও লৈমা (য়ুমজাও লাইরেম্মা ১)	দূর্গা	সুবিকা অচৌবা (স্বর্গদগী কুম্লকপগী)
৫২।	মারজিং/মার্জিং	(অ) গৌতম/সিদ্ধার্থ (আ) দিকপাল	শগোলনগী মপু ওইবগী চীঙখৈ মায়কৈ ঙাকপগী
৫৩।	অপোক-অশাৎ-লাই	পিতৃগন	ঈপা-ঈপুশিংবু লাই ওইহনবগী
৫৪।	হয়ি	(অ) হর-বিষ্ণু/হরে (আ) শিব	তেংবানবা মপু ওইবগী তেংবান মপা ওইবগী
৫৫।	হয়া	শিবা/পার্বতি	তোংবানবগী মমা ওইবগী
৫৬।	থাংজীঙ/থংজীঙ	(অ) দিকপাল (নির্ঋতি) (আ) কৃষ্ণ (সুদর্শনধারী)	শম্লোঙ মায়কৈ ঙাকপগী খুৎলাই হাইরপ মান্নবগী
৫৭।	ভুত	তম্নলাই/ভুত	মীরোন্দগী পুরকপনি
৫৮।	প্রেত	প্রেত	মীরোন্দগী পুরকপনি
৫৯।	লাইহিংচা	অসুর/গন্ধর্ব/কিনুর	লৈপাকসিদা শেমজবা
৬০।	শম্লোঙ হুইমু লৈমা	উষা	চীঙখৈ হুনবগী লাইরেম্মা ওইবগী
৬১।	নমু মীহিংচা	রাক্ষষ	হিংচাবশিং ওইবগী
৬২।	চীঙথাং লৈমা	দূর্গা	লৈপাকসিনা পাম্লোইবী লাইচৎ ওইবদগী লৌনবা
৬৩।	কোরৌ লৈমা নাহুইনু (কোম্লৌজম লাইরেম্মা)	শিবা পার্বতী	মচা নীঙবগী
৬৪।	লৈনুং লোঞ্জা পাখংবা	রামচন্দ্র	য়ুগ/চক পুবা লাংওন (হয়া/ত্রেতাগী)
৬৫।	তাংজা লিল্লা/লাংওন পাখংবা	শ্রীহলধর (বলবাম)	য়ুগ/চক পুবা লাংওন (খুনুং-লাংবা/দ্বাপুরগী)
৬৬।	নোংদা লাইরেন পাখংবা	গৌতম বুদ্ধ	য়ুগ/চক পুবা লাংওন (কোন/কলিগী)
৬৭।	শগোল লাই	হয়গ্রীব	বামোন য়ুম্লাক থোনবদগী
৬৮।	তম্পাক লাই	বৃন্দাবনচন্দ্র (কৃষ্ণ)	বামোন য়ুম্লাক থোনবদগী

তোৎশিন্নবা লাইনীঙলোনসিগী পুন্সি-লাইথৌদা চৎনরিবা হিংলিবা মচৎ

মৈতৈগী মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা লাইনীঙলোনসিগী মৈতৈ-খুন্নাই-পুন্সিগী মী অমগী পাংথোক্লরিবা পুন্সিগী লাইথৌ-থৌরমগা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনগী পুন্সি-লাইথৌ থৌরম (দশ বিধ কর্ম্ম) গগী মরক্তা থৌরম পরেং অনিমক লীশাং শীৎনা পুন্না পাংথোকমিন্নবা লাইথৌ-থৌরম খর য়াওরি। হায়রিবা মান্নবা লাইথৌ অনি পুন্না পাংথোকমিন্নবসি হৌজিক-হৌজিকমক পাংথোক্লিবা পুন্সি-লাইথৌ থৌরমশিং অসিদা খজিক্তং কুপশিনবা মিৎয়েং থন্নকপদা হেক্তমক উবা ফংবীগনি। খুদম অমনিদং পঞ্জরবদা- য়ুপান/ইপান থাবগা ষষ্ঠী পূজাগা, হৈজীঙ খরাই পুবগা বিবাহগা, ৫/৬ নি লৈহুন তম্বগা অস্থি সঞ্চয় অমসুং শ্রাদ্ধগা, অসিনচিংবনি। ৱাফমসিগী প্রমান ওইননবা মরান নুহোঙ/লুহোঙ খোঙদোংবগী তোৎশিন-য়ানশিন্ননা চৎলিবা মচত্তু লৌখত্তুনা উৎচরি।

মৈতৈ-খুন্নাইদা মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম চৎত্রিঙৈগী লুহোঙবা অমসুং হিন্দু ধর্ম্ম চৎলবা মতুংগী লুহোংবা হায়না মখল অনি থোক্লা লৈ অমসুং হিন্দু গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপনা মীশীঙ য়াম্না হেনখিবনা অকোনবগী মচৎ-অসিবুনা হেন্না খঙনৈ অমদি উনৈ। অদুগা মৈতৈনা চৎনরিবা হিন্দু ধর্ম্ম চৎলবা মতুংগী হিন্দু মণিপুরী নৎত্রগা মৈতৈ হিন্দুগী মচৎকী লুহোংবা অসি ''হিন্দু বিবাহগী য়ুম্ফমদা লৈবা অমসুং সংস্কৃতকী ঈরাৎ-লাইশোন্না শোনবা ওইদুনসু হিন্দুস্থানগী লমদম অমতদা চৎনরিবা হিন্দু বিবাহ [Hindu Marriage] গা মান্নদে। মরমদি লুহোংবসিগী ৱায়েল-ৱাখুন, থৌরম-পরেং, থৌরম-মতৌনচিংবা পুম্নমকসিসু দেশী [Local] নি অমসুং মণিপুরদা লৈবা হিন্দু পণ্ডিতশিং অমসুং ব্রাহ্মণশিংনা লৈপাকসিগী মীওইশিংগা চান-চুনগদবা পোৎলম-পোৎচঙ, থৌদৌ-মতৌ অসিনচিংবা কয়া য়েংদুনা শেম-শাখিবনি। হিন্দুস্থানগী মনুং চন্দুনা ''হিন্দু বিবাহ'' গী মায়কৈদা চিংলবসু ''দেশী'' ওইনা তোংঙান্না তাদুনা লৈরিবনি।

করিগুম্বা হায়ন-শীঙনদুনা লুহোংবা [Engaged Marriage ceremony] অমা পাংথোকপগী মৈতৈগী লুহোংবসিদা থায়না মশাগী

লাইনীঙলোনগী লাইথৌ-থৌরম অমসুং অনৌবা হিন্দু লাইনীঙলোনগী থৌরমশিংগা য়ান্না-তোৎননা মৈতৈ অমনা পাংথোকই। তশেংনমক হায়রবদা লুহোংলিবা (বর) অমসুং লুহোংলিবী (কন্যা) অদু মৈতৈগী লুহোংবা অমা, হিন্দুগী লুহোংবা অমা, অনিরক লুহোংঙি। থৌরম পরেংগী থৌরম মতাং-মতাংদা হঞ্জিল্লিবা লাইথৌ-থৌরমশিং পঞ্জদুনা হায়ন-শীঙনদুনা লুহোংবগী থৌরম পরীংদু উৎচরি।

(১) হায়ন-শীঙনদুনা লুহোংনবগীদমক অহানবদা নুপী ময়ুমগী অহল-লমন [মরুওইনা, নুপীগী মমা-মপা নৎত্রগা নুপীদুগী থৌদাং খুদিংমক লৌরিবা মী (Guardian)] দা নুপাদুগীদমক নুপীদু লুহোংবদা পীবীনবা হায়জগনি। নুপাগী অমসুং নুপীগী মায়কৈদগী অহল-লমনশিংদুনা হায়ন-শীঙনবদু য়ানরবা মতমদা/মতুংদা লুহোংবগী নুমিত্তু লেপকনি। অসুম্না চত্থরক্লিবা থৌরমশিংসি মৈতৈ হিন্দু নত্তবা লুহোংবা অমসুং হিন্দুগী ওইবা লুহোংবদা চপ মান্ননা চৎথে।

When both the parties of guardians are in agreement for the matrimonial engagement, the date/day of the matrimonial/ wedding ceremony is fixed. All the acts and deeds of communication, engagement, etc. are carried out in the same/ similar manners and natures in both the Meitei native/ingenous marriage and locally precepted Hinduised nuptial ceremonies.

মৈতৈ জাতিসিগী মশাগী (হিন্দু লৌরবসু/লৌদ্রবসু) মনাত্তা করিগুম্বা অমা তৌবদা লাই খুরুম্বা, লাইশোন-তীনশোন্দুনা ঈরাৎ-থেল্লাৎপা নৎত্রগা লাইগী করিনো অমা তৌবা হায়বসি য়াওদবা য়াদ্রবা, তঙাইফদ্রবা নৎত্রগা থাদোকপা য়াদবা ওইনা লৌনৈ। মরম অসিনা লুহোংবগী লমদাংদসু লাইদা চঙজ-নোঞ্জবসি তৌদবা য়াদে।

As the customary code of Meitei religious creed provides to abide any celebration, ceremony, and/or festive, socio-economic, social, etc. observance/performance by the association of paying homage to directly and indirectly concerned and related god(s) and goddess(es) of imaginary/fancy nature who are called the abstract/romantic deities and/or of memorial/ monumental characters who are called the deified divinities. So

the marriage ceremony, specially the engaged one has the rites and rituals for worships of some deities of romanticism and deification.

(২) লুহোংবগী লেপ্পখিবা নুমিত্তুগী মনুংদা (নুমিত্তু য়ৌদ্রিবৈঙদা) তোৎশিন্নবা লাইনীঙলোন চৎপা নৎত্রগা মৈত্রবাক্কী/মণিপুরগী মতোমতগী/দেশী ওইনা শেমজবা লুহোংবগী মচৎ/মনাৎসি ইনবা মৈতৈ হিন্দুশিংনা অহেন-অথোই [Exaggreated] ওইবা থৌরম অমা হাপচিল্লি। মসিবু অহেন-অথোই থৌরম হায়রুবগী মরমদি মৈতৈনা হিন্দু ধর্ম্মগী মমাঙগী লুহোংবা/লুহোংবদদি থৌরম অসি লোয়খ্রবদি/পাংথোকখ্রবদি লুহোংবা চিংখ্রে, হায়বদি থৌরমসি লুহোংবা নুমিত্তুদা পাংথোকই। অদুবু মৈতৈ হিন্দু লুহোংবগী থৌরম পরেংদদি মসিবু হৈজিঙ-খরাই পুবা [To bring/carry the prescribed kinds of fruit to the home of the bride from the side of the bridegroom for worship] নৎত্রগা হায়জপোৎ/হাইজপোৎ/হৈজবোৎ পুবা [To convey fruits for engagment] নৎত্রগা হৈচাপোৎ/হৈজাবোৎ পুবা [To transport edible fruits] হায়দুনা থৌরম-পরেংগী থৌরম অমা ওইনা খায়দোক্তুনা থম্মী অমসুং লুহোংনবগী খুদোলপোৎ পীবগী মচত্তা লৌনৈ। মসি হিন্দু ধর্ম্ম লৌদ্রিবৈ য়ুমজীন কাকফে থাবা, শুম্মায় উরোঙ খীনবা হায়বদুগা মান্ননা হাপচিল্লকপনি অদুবু হৈজীঙ-খরাই পুবগী লাইথৌ-থৌরমদুবু থৌশাদবনি হায়নসু লৌবা য়াই। মসিগী মথক্তসু (অমুকসু হেনগৎ-থোইগৎনা) ৱারোয়পোৎ-পুবা হায়বা হৈনচিংবা অচাপোৎ পুবগী থৌরম অমা হাপকৎপা নৎত্রগা হৈজীঙপোৎ পুবসিমকপুসু খঙনবগী ৱাফম লৈ। অসুম্না লুহোংবগা হৈজপোৎ পুবা অমসুং ৱারোয়পোৎ পুবগা তোংঙান-তোংঙান্না নুমিৎ তোপ্পা তোপ্পা পাংথোক্লে।

হৈজীঙ-খরাই পুবগী নুমিৎসিদা মৈতৈ হিন্দু লুহোংবগী মচত্তদি/মনাত্তদি নুপা ময়ুমদগী পুরক্লিবা হৈ-লৈ অমসুং অচা-অথকশিং অসিদা লৈদা-লৈশং, লাংথ্রৈ, য়েক/শল্লাই অপোকপগী লৈ(শিং) অমসুং লৈরি (মচু ঙৌনা পীক্লা মতুম তারপ-তারপ তৌনা শাৎপা লৈ মখল অমনি, লাইয়িংথৌ সনামহীনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্বা লৈনি, লুহোংলিবা লুহোংলিবী অনিদুগী লুহোংবগী সাক্ষী লাইয়িংথৌ সনামহীদা থমদুনা কৎনবা লৈনি)'', হৈদা— হৈক্রু, হৈনীঙ, হৈজাং, লফোই, চুঙৌ, অসিনচিংবা অমসুং অচা-অথক্তা— কবোক অফাবা, চুহী

অসিনচিংবগী পোৎলমশিং অমদি লাইথৌগী চেঙ, ঙমু, অসিনচিংবসি য়াওদবা য়াদবগুম পুরক্লগা, পুরক্লিবা পোৎলমশিংদু মাগী-মাগী লাইশিংগী ওইবা শরুক অহুম থোক্লা খায়দোক্লগা লাইদা কৎনৈ অমসুং মীনা চানৈ। শরুক অহুমসিদা (১) অমনা নুপী ময়ুমগী য়ুম্লাই, লাইয়িংথৌ সনামহীগীনি, (২) অমনা নুপী ময়ুমগী অপোক-অশাৎ' ওইবা লাইয়িংথৌশিং (য়েক্কী পুকোক, শল্লাই পুকোক, শাগৈ পুকোক অমসুং ফুঙ্গ অপোকপা) গীনি অমসুং (৩) অমনা লমলাই (লমদুবু/ লৈকায়-খুঙ্গংদুবু কোল্লিবা লাই) গীনি। অপোক-অশাত্তা মাগী য়েক্কী/শল্লাইগী/ শাগৈগী/ফুঙ্গাগী নিংঙোন্দু/মশূ-মচানুপীদু ফুঙ্গাদুগী/শাগৈদুগী/শল্লাইদুগী/য়েক্কুগী হোঙবা/চাওবা কৌবা নুপাসিদা থাজখ্রে, লুহোংবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না মখোয়গী পোৎকৎ-চৈকত্তু কত্তুনা নীজরবা মতুংসিদা লাইয়িংথৌ সনামহীদা মাগী পোৎলমশিংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা লুহোংবগী পাউ পীদুনা সাক্ষী থম্লগা নৎত্রগা অপোক-অশাত্তুদং খুরুম্লগা লুহোংবা লোয়রে। নুপা-নুপী অনিদু পুন্না লৈমিন্নবা য়ারে নৎত্রগা লৈমিন্নে। অদুগা লম কোনবা লাই(শিং) দসু মাগী/ মখোয়গী তম্বা পোৎলমশিংদু কত্তুনা লুহোংবদুগী সাক্ষী থমহৌই। কৎলিবা পোৎলমশিংদুদা য়ুম্লাইদা কৎপদু ঈমুংদুগী মী খক্তনা চাগনি, শাগৈগীমী ফাওবনা চাবা য়াদে; অপোক-অশাত্তা কৎপদু শাগৈগী মী খক্তনা চাগনি, অতোপ্পা মীনা চাবা য়াদে অমসুং লম্লাইদা কৎপদুনা মীয়াম (তীল্লিবা মীশিং) দুনা চাগদবনি, অদুনা ময়ামদা য়েম্থোক্লিবদুনি। মসিদা মৈতৈগী লুহোংবা লোয়রবনি। হায়রিবা নুমিৎসিদা মিতম ঙাসু থাগদবনি।

হৈশীঙ-খরাই পুবগী নুমিৎসিদা মৈতৈ হিন্দু লুহোংলোন চৎপশিংনা মথক্কী হায়খ্রিবা হৈ-লৈ অমসুং অচা-অথক্লচিংবদু পুরগা মথক্কী লাইথৌ থৌরম অহুম্মক্তু পাংথোকই। অদুবু নুপীদু লুহোংদ্রিবী ওইনা লৌই অমসুং থৌরমশিংসি লুহোংবগী মমাঙগী নুপা ময়ুম্না নুপী ময়ুমদা খুদোল পীবগী থৌরমশিং ওইনা লৌই, অচা-অথক্তাঃ- তল, লদু, বেরা, বরফী, গুলা, অসিনচিংবা মখল-মথেলগী কন্যা/কৈনা অমসুং মমান্নবশিংনা চানবনা মরুওইনা লৌনৈ।

(৩) লুহোংবগী লেপ্পখিবা নুমিৎ, হিন্দু লুহোংলোন চৎলবা/ চৎলবশিংগী হৈজীঙ-খরাই নৎত্রগা হায়জপোৎ/হৈজাপোৎ পুবা নুমিত্তা তৌখিবা/ শোনখিবা অদুগুম নুমিৎসিদা লুহোংবগী শোনবা/কৎপগী লাইশোনগী থৌদাংসি

মৈতৈ বামুন (অহোমী/অসামী মরোন)/বামোন (ব্রাহ্মণ) শিংনা লৌই। হিন্দু বিবাহগী যজ্ঞগী মহুত্তা সঙ্কীর্ত্তন শকই অমসুং শাত পথ [খোঙথাং ৭ (Seven paces/steps)] কী মহুত্তা লুহোঙলিবী/কন্যানা লুহোঙলিবা/বরবু ৭লক কোয়দুনা ৬লক মথক্তা লৈ চায়থদুনা কৎচবগা অরোয়বা/৭শুবা খুৎকোয়গী থুংলরগা কুন্দো/অঙ্গোৎ পরেং অনি বরদা হুক্কুনা কন্যা মশানা মশাবু কৎথোকচৈ। মসিগী মমাঙদা বর-কন্যা অনিগী পারোন-পুরোন সংস্কৃত মরোন্দা শোন্দুনা (হিন্দু নত্তবগী লুহোংলোন মমাঙগীদা অপোক-অশাত্তা তৌখিবদু) বর-কন্যাগী মখুৎ দরীনা পুল্লগা মথক্তা কুজপোৎ/কৎচপোৎ থল্লগা কন্যাগী মপানা/মবুংনা (গার্জিয়ান্না) কন্যাদু বরদুদা কৎচৈ। অদুগা লৈ কোয়বা, হিন্দু বিবাহগী শাত-পথকী মহুৎ শিনবদুদা চথখি। মসিশিংসিগী মহুত্তা হিন্দুগী খোঙথাং ৭ থাংলমদায়দা বর-কন্যা লৈ হুক্কুরবা মতুংসিদা ফিজী কিশিন্নদুনা কন্যাগীময়ুমদা চঙই অমসুং কাংশুবী (চুহি অমসুং থোইদিং অঙওবনা শাবা অচপোৎ) লান্নবগী থৌরম পাংথোকই। হিন্দুগী লৈ হুক্কুবগী লৈ মচু মখল-মথেলগী লৈ-পরেং ওইবগী মহুত্তা মৈতৈগীদি লৈ অঙৌবা কুন্দো পরেং (মসি লৈরিগী মহুৎ শিনবনি, মসিগী মহুৎ অঙ্গোৎ লৈনা শিল্লি) হুক্কদুনা বর-কন্যা অনিনা পুক্নীঙ-হকচাং/ৱাখল-থম্মোই অমত্তা ওইবগী ৱাশক্তু উত্তুনা পুন্সি-লৈপুন শেম্মে।

ৱাখোম-ৱারেপঃ-

মথক্তা উৎচখ্রিবা থৌরমশিং অসিনা হৌজিক্কী মিৎয়েংদা পুরক্লিবদি মৈতৈগী লুহোংলবা মতৈ-মনাউ/মতু-মৱা পুন্নমকসি অনিরক লুহোংলবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বদুনা ষষ্ঠী পুজা (ইপান/য়ুপান থাবা), মৃতু শ্রাদ্ধ (শোরাৎ নৎত্রগা লান-ন' থৌরম) নচিংবদসু তৌরিবনি। হায়রিবা থৌরম/কর্ম্মশিংসি মাগী-মাগী ৱায়েলশিংগী লাইরিকশিং, খুদম ওইনা, লুহোংবগীদা মৈতৈ মশাগী লৈনুংপেন তীন্নবা, শাইরুক তীন্নবা, মুংনবা, ঈ ওম্নবা, অসিনচিংবা অমসুং হিন্দু লুহোংলোনগী 'সম্বন্ধ নির্ণয় (মরী-মতা নৈনবা ৱায়েল)'' অসিগুম্বশিং লৈনরিবা ঙাক্তনি অমসুং ৱায়েলশিংদুদা মিৎয়েং থমদুনা লৈত-লায়র', খ্বাই মীয়ামগী য়াইফনবা, শাফগদবদু চৎনবনা অফবা ওইগনি হায়বগী ৱাফম খন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। শেনচৎ/চাদিং হেনবনা লাইরবা' তানবা নত্তনা করিসু পুরক্তে, মথৌ তাবদুদং তৌবনা শাফবা ফংহনগনি।

পোলোয়-ৱারোয়

মৈতৈগী লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোন্নি হায়দুনা লৈরিবা পুন্নমক, হায়বদি লৈপাকসিদা মশাগী ওইনা মিতম্লকপা লাইনীঙশিং অমসুং মখোয়গী লাইনীঙলোনশিং, মীরৈপাক্তগী চঙলকপা নৎত্রগা লৌরুবা হিন্দুগী শৈব, শাক্ত, তন্ত্র, বৈষ্ণব, শাক্ত-তন্ত্রনচিংবা ধর্ম্মশিং অমসুং মখোয়গী লাইনীঙলোনশিং, নোংপোক লমগী তন্ত্র, নাট লাৎপনচিংবা লাইনীঙশিং অমসুং মখোয়গী লাইনঙলোনশিং অমদি ময়ামসি তোৎশিন-য়ানশিন্নরবা লাইনীঙলোন অসি লাইয়াম-লাৎপা/নীঙবা-লাইনীঙলোন [Polytheism] গী মরেংবান্দা তোংলিবা ঙাক্তনি। অদুবু হায়রিবা লাইয়ামদা থাজ-চঙজবগী ৱাখল অমসুং ৱাখল্লোনসি লাই অমখক্তা নীঙবা লাইনীঙ [Monotheism] লোমদগী অমুকসু লাকপথোক-থাপতোকখি/কাথোক-ফাক্তোকখি অমসুং লাই-অমখত্তা নীঙবসিদা অমুকসু নকশিন-কোনশিল্লি। মরমদি মৈতৈশিংনা ৱাখল-পরীং-লায়াৎনা শাগৎপা থাজবগী পরীংদা লৈরিবা লাইয়াম পুন্নমক, লাইয়িংথৌ, লাইরেম্মা খাক্তনা অমসুং খায়দনা তেংবানবা পুন্নমক্কী মপু ওইবীরিবা লাইয়িংথৌ অতিয়া গুরু-শিদবগী শাখায়, শানওন/শাইওন অমসুং লাংওন ঙাক্তনি অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী মশক-মশানা ফোংদোক্লকপা শক্লোন-শালোন ঙাক্তনি হায়বা থাজবা/ অনীঙবসিদা লেপ্তুনা লৈ। হায়রিবা মৈতৈগী ৱাখন্না শাগৎপা থাজবগী পরীংসি হিন্দু ঋগবেদগী নৎত্রগা বৈষ্ণব ভাগবত/সনাতন ধর্ম্মগী "একং ইশ্বরং [EKAM ISHVARAM (There is only one God)]", "ইশ্বরদি অমখক্তনি, ঈবুংঙো মহাক্তি খেন্ন-খেন্নরবা, মখল-মখা য়াম্বা অমসুং মশীঙ-শীঙথাবা ঙমদ্রবা মিংলেন-মিংখৈশিং, মশক-শক্তমশিং অমসুং শানওন-লাংওনশিংগী মপুনি,"- হায়বসিগা মান্নে। হিন্দু-বৈদিক ধর্ম্মদা মহৌশা লাইরেম্বীগী শক্লোন'- ওইবা লাইশিং [Nature-gods] লৈবগুম মৈতৈগীসু মহৌশাগী শক্লোনগী লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মগী, খুদম ওইনা কোরৌহনবা, শম্ভোঙ হুইমুরৈমা,অসিনচিংবা লৈ অমসুং ঋগবৈদিক ধর্ম্মগী ৱাখন্না শাগৎপা লাইশিং লৈবগুম মৈতৈগীসু অসিগুম্বা লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মশিং, খুদম ওইনা অশিবা, হীরৈমা, অসিনচিংবা লৈজে। হায়রিবা ঋগবেদগী মহৌশাগী শক্লোন' ওইবা লাইশিংবু হিন্দুনা তাকপগী ৱারোল মখাদা থমজরি।ঃ-

The religious conceptions and philosophical thought of the early Aryan are revealed in the poetic garb in Rigveda. They were deeply impressed by the mysterious working of the awe inspiring forces of nature... they worshipped the glorious aspects, the various powers and manifestations of nature, such as, the Sun, the Moon, the Sky, the Dawn, Thunder, Wind, Air, etc. Whenever the Aryan perceived lively power they created a deity. At their earliest stage the gods, therefore, represented the power of nature. "Gradually they came to be divorced from the objects which they had originally represented and ultimately came to be worshipped themselves. But their fine nature was never forgotten and it is mostly possible for us to detect the natural phenomenon which each god had behind him. The gods of Rigvedic period number thirty three [B.N.L,1988, 84 91].

ঋগ অমসুং মতুংগী বেদশিংগী মতমদা লৈবা লাইয়িংথৌ-লাইরেম্মশিং

মালেমসিদা খ্বাইদগী হেন্না লিরে হায়রিবা ধর্ম্মগী লাইরিক ঋগ বেদ হায়বসি ইবগী মতমদুদা আর্য্যশিংগী লৈরম্লিবা লাইয়িংথৌ অমসুং লাইরেম্মশিংসি শুপ্নগী মশীঙ ৩৩ (কুম্হাহুমদোই) খক্তনি হায়বসি মথক্কী থংনরিবসিমক্তদসু পঞ্জরি। লাইশিংসিবু হিন্দুগী বৈষ্ণব, শৈব, শাক্তনচিংবা লাইনীঙলোনগী মশাশিং অমসুং সম্প্রদায়শিং [Religious branches and sects] না মহৌশাগী শক্লোন্না ওইবা লাই [Nature gods] হায়না খঙনৈ। মখোয়সিদিঃ-

No.	Name of of god	Nature/Kind
1.	Varuna	Water-god
2.	Mitra	God of peoples' activities
3.	Suryya	Sun-God
4.	Savitri	Thought stimulative god
5.	Pushan	Guardian god of road
6.	Aditi	Bondage released goddess

3০৭

7.	Asvin	Physician god
8.	Asvin	–do–
9.	Usha	Goddess of dawn
10.	Indra	God of rain and thunder-storm.
11.	Rudra	God of thunder
12.	Marut	Storm-god
13.	Marut	–do–
14.	Vayu-vata	Wind-god
15.	Trita Aptya	Minor gods
16.	Apam-Napat	–do–
17.	Matarisvan	–do–
18.	Aja	–do–
19.	Expad	–do–
20.	Agni	Fire-god
21.	Soma	Moon-god
22.	Prithvi	Earth-goddess
23.	Sarasvati	River-goddess, later, goddess of Learning
24.	Dyaus	Sky-god or God of Heaven
25.	Vishnu or Uru gaya and Uru karma	Guradian god of all gods or Lord of tri-world i.e, earth, air and heaven
26.	Aditya	Space god
27.	Aditya	–do–
28.	Prajanya	Rain & thunder god
29.	Apab	monor god.
30.	Brihaspati	Preceptor of gods
31.	Ganga	River-goddess
32.	Jamuna	River-goddess
33.	Vidyut	Lightening god.

অসিশিংসিনি। মখোয়সিদগী অতৈ বেদশিংগী মতমদা লাইশিংগী মশীঙসি হেনগৎলকখি। মশীঙ হেনগৎলক্লিঙৈগী মমাঙগী লাইশিংসি দ্যুলোক/দ্যুস্থান (নোংমদোন/নোংথক-নোংপান মরোন (Celestial sphere)] গী লাইশিং (মশীঙ- 1, 2, 3, 4, 5, 24, 25, 26, 27, 9, 7 & 8]; অন্তরিক্ষলোক/ অন্তরিক্ষস্থান নৎত্রগা মধ্যম স্থান (নোংয়াঙ্গী-নোংখা মরোন (Aerial or intermediate sphere)] গী লাইশিং (মশীঙ- 15, 33, 12, 13, 10, 16, 11, 14, 28, 29 & 17] অমসুং ভূলোক/পৃথিবীস্থান (মালেম লৈনেমথক (Terrestrial sphere)] গী লাইশিং (মশীঙ- 6, 18, 19, 20, 21, 22, 23, 30, 31 & 32] হায়না খায়দোকই। মখোয়শিংসিদগী মখা তানা হাপকৎলকপা ৱাখলনা পুথোকপা লাইশিং [Abstract deities] অদুদি ধাত্রি [Dhatri, the Establisher], বিধাত্রি [Vidhatri, the Ordianeer], বিশ্বকর্ম্ম [Vishvakarma, the All creating], প্রজাপতি [Prajapati, the Lord of Creature], শ্রদ্ধা [Shradha, the Faith], মায়ু/মায়া [Maya, the Wrath], ব্রহ্মা [Brahma, the Creator], শিব/ইশান [Shiva, the Ausicious one or Ishan, the father of the world], অমসুং মসিগী মতুং তারকপা মহাকাব্যশিং ইরকপগী মতমদনা অমুক হেন্না লাইশিংগী মশীঙ হেনগৎলকখি। মখোয়দুদগী মরুওইবা খরদি গনেশ, লক্ষ্মী, পার্ব্বতী, স্কণ্ড/কার্ত্তিক, অসিনচিংবনি অমসুং মতমসিদা ত্রিমূর্ত্তি [Trimurti/Trinity] সু চোংথোক্লকখি (মথক্কীসিদা, ১৩২)।

মৈতৈগী ওইবশিংগা চাংদম্নবা

মথক্কী ঋগবেদগী হায়রিবা অসিগুম্না মৈতৈগী মশাগী লাইনীঙশিংসিদসু অহানবদদি লাইশিংগী মশীঙসি য়াম্লমদে। মখোয়গী মহৌশাগী শক্লোন ওইবা লাইশিং খর- অতিয়া গুরু শিদবা [Immortal Preceptor defined by the unlimitted/boundless sky/space/air (atmosphere)], লাই কাশা [Presiding deity of human fate and fortune], নোংথাঙলৈমা [Mistress of lightning or Lightning goddess], হারাবা [Lord of earthquake], ৱাংব্রেন [Water god], অসিনচিংবসু লৈরি। গুরুনা থুপশ্রগা মথৌ-মঙম শীন্নরম্বগী মতুংইন্না লাইয়িংথৌ অশিবনা লাইশিংগী নিংথৌ ওইনা

লৈরম্বসিদগী লাইয়িংথৌসিগী লাংওন লাইয়িংথৌ লাই-ৰা-হায়বনা মৈতৈ লাই ময়ামগী লাই মহারাজ ওইনা লৈরকখি (চৈঃকুঃ ২০০৫, ৯১)। অদুবু থেংথরক্লবা মতম হায়বদি মৈত্রবাক্কী চহি ৭ খুন্তাকপগী মতুংদদি লিল্লাই- লাইরেন ওইনা লৈরম্বা লাইয়িংথৌ পাখংবনা থাক হাইগত্তুনা মরু ওইবা যুগ মরি পুবা, লাইওন-লাংওন ৩৬৪ দগী তাদবা, অসিনচিংবা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীঙলোনগী শ্রীবিষ্ণুনা থাক হাইগৎলকপদুগা মান্ননা লৈরকখি। অসুম্না খ্বাইদগী অথোইবা লাই অমা লৈবা, খুদম ওইনা, বৈষ্ণবশিংগী বিষ্ণু, শৈবশিংগী পরমশিব, শাক্তশিংগী কলিকা/কালী/ত্রিপুরসুন্দরী, অসিনচিংবা লৈবসিনা অমত্তা ওইবা তেংবান মপু (The Almighty) গী লাইনীঙলোন, মঙোন্দগী হেন্না অতৈ লাই অমত্তা লৈতবা লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোন [Monotheism] গী ৰাখল্লোন পোকহল্লকখি [B.N.L., 1988, 89, 117]। অদুবু মৈতৈগীদি হামু-হামু ওইদুনা লাইয়াম নীঙবগী ৰাখল, মৈতৈ লাইসু হিন্দু লাইসু পুন্না লাৎপা অমসুং নীঙবগী ৰাখল্লোনসিদা অদুম লৈ।

হিন্দুগী মহাকাব্যশিং রামায়ন অমসুং মহাভারত ইবগী মতমদা পোক্লক্লিবা লাইনীঙলোনগী ৰাখল্লোন, মরুওইনা- The conception of the incarnation of Vishnu to punish and destroy the wickeds; to restore Dharma (Religion of faith and belief to the god and to establish rightousness on the earth- অসি বিষ্ণুগী অবতারদা মীওইবগী শক্লোনগী শ্রীরামনা সিতা লোইনবা, শ্রী বাসুদেব-কৃষ্ণনা রুক্সনী, সত্যভামানচিংবা লৈমশিং লোইনবসিনা ৱারীশিং নৎত্রগা থৌদোক-ৱাথোক্কী ৱারীশিংসি ভারতবর্ষদা গুপ্ত সম্রাটশিং [The Gupta emperors (320 to 550 A.D.)] গী আ-মতুংদা ইবশিংনি। মরম অসিনা

The Hindu religious renaissance emphasized to the Vaisnavism and Savism and its branch Saktism are appeared to grow up in relative relations and regards to the Muslim invasions/ aggressions in the attempts for the establishment of their rule in India. So all the developments in the role of Vasudeva-Krishna, Ayodhya-Pati Shri Rama, etc. in Vaishnavite theology are assumed as the scholastic and intellectual products and reproducts of the 10th to 13th centuries A.D.

মরূ-লেনফু অমসুং লাইয়ামগী পাদম-পান্দম লৌনফম ওইরিবা মৈতৈ মশাগী লাইশিং

মৈতৈ মশাগী ওইজবা লাইনীঙশিং অমসুং লাইনীঙলোন্না হওরকপা অমসুং মপান মউ তমখৎলকপগী মতমদদি লাইনীঙলোনগী লাইশিংগী মশীঙ য়াল্লমদে, হায়বসি মথক্তসু হঙ্গৎচশ্রে। ৰাফমসি/থৌদৌসি লাইনীঙলোন খুদিংমক্কী ওইদুনা লৈরবনি। মতম, খোঙথাং, থাজবগী ঈফুত্তগী তাউথোক্লক্কুনা লাইশিংগী মশীঙ হেনগৎনরকখিবা ঙাক্তনি। হিন্দুগী লাইনীঙলোন ময়ামগী মনুংদগী বৈষ্ণব ধর্ম্ম হায়বসিগী ঈরাৎনফম অমসুং নীঙনফম ওইবা লাইসি খ্বাইদগী অহানবা হওরকঙৈগী মতমদুদি অমখক্তমক ঙায়রম্মী। হায়রিবা বৈষ্ণবশিংগী অমখক্তমক ঙায়রবা লাইদুদি শ্রীবিষ্ণুনি। হায়রিবা শ্রীবিষ্ণুসিনা মমিং মিংলেন, মিংখৈ অসুম অসুম হেনগৎলক্কুনা মতীক-মঙম হেনগৎলকপা অমসুং অতৈ লাইশিংগী মহী-ময়াই পুম্নমক মঙোন্দগী থোক্লবা ওইরকপা অমদি লাইশিংদু মহাক্কী লাংওন-শানওন্দা পুশিন্দুনা লাৎনরকখিবা ঙাক্তনি। হায়রিবা ৰাফমসি মখাদা উৎচরিবসিনা খুদম-চাংদম ওইরি–

Vaishnavism denotes "the particular theistic religion of which Vishnu is the object of worship and devotion as the Supreme God. Vishnu was usually recognized as an aspect of the Sun in Rigveda (Ibid, 214).

In course of time, Vasudeva-Krishna of the Vasudeva Bhagavata cult was identified with the Vedic deity Vishnu and henceforth Bhagavata religion came to be known as Vaishnava Dharma. The Brahmans encouraged this identification, because they were very anxious to bring this new and powerful religious sect within the pale of orthodox Vedic faith (Ibid, 214).

মথক্কী অসিগী মতৌগুম্না, হায়বদি বাসুদেব কৃষ্ণসিনা বাসুদেব-কৃষ্ণ-বিষ্ণু ওইরকপা অসিগুম্না বিষ্ণুসিদা "বাসুদেব-কৃষ্ণ-বিষ্ণু-নারায়ন", বাসুদেব-কৃষ্ণ-বিষ্ণু-নারায়ন-হরি [The deity eternal, supreme and Lord] [Ibid, 215] অসিনচিংবদা থোন্নরম্বদগী অমমমতা ওইবা মমিংশিং- জনার্দন, গোবিন্দ, গদাধর, নারায়ন/নারান, নরনারায়ন, হরি, অসিনচিংবা মমিংশিংদা

লাৎনরকখি অমসুং মহাক্কী মরুওইবা অবতার ১০বু মহাকমক্কি হায়না লাৎনখি। [Ibid, 354-55]। শ্রীবিষ্ণুদা তৌবগুম্না শ্রীশিব মহাদেবদসু সম্ভু, ভূপতি, শূলপানি, মহাদেব, হর, শঙ্কর, ভূটনাথ, পিনকিন, মহেশ্বর, অসিনচিংবা অমসুং শাক্ত অমদি শাক্ত-তন্ত্রগী লাইরেম্বীদসু কমলা (অথোৎ-অমেঙবী)/ শীতল (অঙ্গৈং-অতপ্পী) অমদি উগ্র (অকি-তুজুংনবী) গী শকফম-শক্তমশিং কয়া খায়দোক্তুনা মমিং-মিংলেন কয়া থোন্দুনা খুদম ওইনা গৌরী, অন্নপুর্না, ব্রাহ্মনী, কুমারী, অসিনচিংবা অমসুং কত্যায়নী, দূর্গা, উগ্রকালী, উগ্রচণ্ডী, চমুণ্ডা, অসিনচিংবা থোন্দুনা লাৎনরি। হায়রিবসিগুম ভারতবর্ষগী ওইবা ধর্ম্ম বৌদ্ধ ধর্ম্মসু হিনাযনা অমসুং মহাযনাগী মায়থোঙশিংদুসু লৈরবনি।

মালেমসিগী ওইনা চৎনরিবা অমত্তা ওইবা লাইদগী লাইগী মশীঙ মথং-মথং শন্দোরক্লরকপগী লাইয়াৎকী লাইগী মখায়সিদা মৈতৈগীসু অমখক্তা/ মতোমতা/মথন্তা ওইবা লাই খোইয়ুম শক্লাইদবা চীঙজু য়াইবীরেন নৎত্রগা গুরু শিদবা মহাক্কী মহকচাংবু অনি থোক্লা খায়দোক্তুনা য়েৎ-থংবা শরুক্লা য়েৎকী/ পাগী লমদাং ওইবা তেংবানবগী মপু অতিয়া গুরু শিদবা অমসুং ওয় থংবা শরুক্লা ওয়গী/পীগী লমদাং ওইবী তেংবানবগী মমা লৈমরেন (লৈশিরেন লৈপুনবী) শিদবী ওইনা মৈতৈগী তেংবানবগী লাইনীঙ অমসুং লাইনীঙলোনগী য়ুমলেপ চারা ওইবীরকখি।

তেংবান-মপু লাইয়িংথৌ অতিয়া গুরু শিদবনা চীঙজু মহাক্কী মহকচাংদগী লাইয়িংথৌ অশিবা অমসুং লাইয়িংথৌ কোঞ্জিন তিংথোকপা অনিবু পুথোকপীখি। অদুগা তেংবান মমা লৈমরেন শিদবীনা খোইমোম মহকচাংদগী লাইরেম্মা নোংথাঙলৈমা অমসুং লাইরেম্মা লাইখুরেম্বী অনিবু পুথোকপীখি। হায়রিবা পুকোক কোকলেন ওইবা লাই-নুপা, লাইয়িংথৌ অহুম অমসুং পুকোকলেন-মপী ওইবী লাই-নুপী, লাইরৈমা/লাইরেম্মা অহুম অসিনা মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লাইয়ামগী য়ুম্ফম-মিতমগী পরীং-পাদম পান্দমফমনি। মখোয়সিদগী শমথরকখিবা লাইয়াৎ-লাইচন/লাইচৎ-লাইয়াৎশিং মখাদা থমজরিঃ-

(ক) লাইয়িংথৌ অশিবগী লাইচৎ-লাইওন

(১) সমতোন অয়াঙবা, (২) খাকপা পুরৈরোম্বা, (৩) পুলাং/পুরাং পুরৈরোম্বা, (৪) নোংপোক সরারেন, (৫) পুথিবা (অঙোম য়েক্কী),

(৬) লোইয়া-লাকপা/লোইয়ারাকপা, (৭) ময়াং নহা-শারৈ থেকপা, (৮) য়োঙ্গমোংবা, য়োঙ্গচীঙলেন তমহৈবা, (৯) সনামহী (তাইবং-খায়বা)/লাই-ৰা-হায়বা/ফাল্লৌ-খোন্বা, (১০) থোংনাং নিংথৌ, (১১) তাউরোইনাই, (১২) কুপত্রেং, (১৩) খুমু তুং-ইন্নবা, (১৪) ৰাংথা মৈরোইনবা, (১৫) ৰাইকোক সরিবা, (১৬) লাইয়িংথৌ হনবা, (১৭) য়েল্লাংবা, (১৮) হঙগোই-নিংথৌ, (১৯) সেংপান, (২০) ৰাংব্রেন খানা চাওবা, (২১) ৰাখ-লাকপা পল্লুবা, (২২) কৈরাউ লাকপা, (২৩) খোংচী-লাকপা, (২৪) অরোইনুঙ, (২৫) লোকনিংথৌ (নুঙঙৌ লাইতাংবা নৎত্রগা চীঙনিংথৌ), (২৬) ঈশিং চাইবা (লীশীঙ চায়বা), (২৭) নোংকাংচেং, (২৮) ৰানঙৌবা, (২৯) নুঙকা সিঙপাক, (৩০) মোংবাহনবা, (৩১) পললূ লৈয়েনবা, (৩২) ওকশুরাকপা, (৩৩) থোঙাইবা, (৩৪) য়ুচেং, (৩৫) খোরীফাবা অমসুং (৩৬) কোরৌহনবা (ইঃঅঃ ১৯৮১, ২৭-২৮)।

(খ) লাইয়িংথৌ কোঞ্জিন-তিংথোকপগী লাইচৎ-লাইওন

(১) কোংলৌরেন (কোংলৌতোন লৌথিবা), (২) অপানবা (পাখংবা), (৩) পাখংবা (লৈনুং লোঞ্জাদগী নোংদা লাইরেন ফাওবগী পাখংবশিং), (৪) নাউহন অহনবা, (৫) খমলাংবা, (৬) মুৰানিংথৌ (চীঙগোন নিংথৌ), (৭) তাউথিংমাং (ঙাংলৌ/ঙাংঙৌ লাকপা), (৮) য়াংগোইনিংথৌ (বিশেনপুরদা), (৯) তুবু চীঙনিংথৌ (লোকনিংথৌ নত্তে), (১০) অচঙবা, (১১) য়াংগোই, (১২) থাংজীং কোয়রেন লাই, (১৩) শেন্ত্রং (অপানবা/পাখংবা), (১৪) ঈকোপ নিংথৌ, (১৫) অয়াবা, (১৬) লাইকাচেং, (১৭) ৰানমুবা, (১৮) নুঙজোংবা, (১৯) নোংথিল-চায়বা, (২০) য়ৌঙাইবা অমসুং (২১) কোংতিংলেন (মথক্কীসিদা, ২৮-২৯)।

(গ) লাইয়িংথৌ অতিয়া শিদবগী লাইচৎ-লাইওন

(১) নোংশাবা, (২) চাখাবা লাংমৈরেন্বা, (৩) মারজীং (থাঙৰাই মারা নিংথৌ), (৪) লুৰাং নিংথৌ (হোঙনেম লুৰাংনিংথৌ পুন্সিবা), (৫) লাংপুম নিংথৌ, (৬) সম্সুম নিংথৌ, (৭) থৰারেন/থোঙঙারেন, (৮) পোনবী লুৰাংবা (নোংবান/নুংবান পোনবী লুৰাউবা), (৯) শীঙতাবুঙ (তওবুঙ শীঙ-মিংনবা শীঙদবুঙ), (১০) পোইরৈতোন, (১১) খুনথিবা (লুৰাং খুনথিবা),

(১২) পুদাংকোই (খুৎকোইবা), (১৩) নুঙপোকপা, (১৪) নুঙগাং-মহারাবা, (১৫) চীঙখৈনিংথৌ, (১৬) মহৌনিংথৌ, (১৭) উতীন উকাঙ-নিংথৌ, (১৮) ঈপুনলেন, (১৯) ঈতাউরেন, (২০) মকুরেন, (২১) থোঙথোক কারান, (২২) অন্দ্রো খুল্লাকপা, (২৩) চেংঙা, (২৪) থব্রা, (২৫) কৌব্রু/ কৌবরেন (লাইসি লাই কাসা/সোরারেন ওইগনি, হায়না থাজজে) অমসুং (২৬) মমিং চিংখরম্নবা মশীঙদদি থারম্বা লাই অমা।

((ঘ)(অ)) লাইরেম্মা লৈমরেন শিদবীগী লাইওন-লাইচৎ

(১) য়াবীরোক (পীরিৎনু, অরৈনু, মাঙ্গৈরেং-হৌবচনু, নোংদা-নোংখল লেম্বী, লাইনুং য়াপী য়াখাচনু চাখা নুরোন পীরোন য়াম্বী, য়ুমজাওলৈমা ওইবী, লৈমা ৩লক শানওনবী, নিংথৌ ৩লক ওননা লৈমা ওইবী লইনুং য়াবীরোক), (২) হীরৈমা, (৩) ঈরাইলৈমা, (৪) হীকুবী, (৫) তরুংলৈমা, (৬) য়ুমজাও-লৈমা (লাইরেম্মা/লাইরেম্বী), (৭) উশোয় লৈমা, (৮) পেতাঙঙা, (৯) চীঙপানলৈমা, (১০) ঈরোঙ লৈমা, (১১) নোংকালৈমা, (১২) ঈচুম লৈমা, (১৩) চেঙলৈমা, (১৪) চীঙঙালৈমা, (১৫) হইপোক/হৈপোকলৈমা, (১৬) হিয়াঙথাং লৈমা/লাইরেম্মা (মথক্কীসিদা, ২৯)]।

((ঙ)(আ)) লাইরেম্মা নোংথাঙলৈমগী লাইওন-লাইচৎ

(১) পান্থোইবী [অপানবী (তমফা ৱাংঙমলোন পান্থোইবী)], (২) তাম্হোং লৈমা (সরাংথেম লাইরেম্মা), (৩) লেমথোং লৈমা (লৈশাংথেম লাইরেম্মা), (৪) লমদেং লৈমা, (৫) হৈনৌবোক লৈমা, (৬) খাংজিংলৈমা (খাঙজেন লৈমা কংলাগী খাঙজেন্দা)), (৭) চংনিংলৈমা, (৮) নুঙগোইবী (লাইরেম্মা), (৯) কোল্লোইলৈমা (খুদোপ চাওবী), (১০) থুমলৈমা (ৱাকচীঙ-হাওকোনবম চনু নিংঙেন নুরাবী, নোইনু থুমওইবী), (১১) ঙারৈমা (খোংচী নুঙলাইবম চনু (থাংয়ি খোংদ্রোম্বা চনু) লেমলৈ ঙারা ঙাওইবী), (১২) থারৈমা [Moon-goddess or Month goddess?], (১৩) ফৌওইবী (লাইরেম্মা), (১৪) (তেৎনৌ) য়োৎলৈমা (তোনথাঙনু), (১৭) খাকপা-নিংথৌচনু (পুরোই লেমনুশূ?), (১৮) মোইনু চনু, (১৯) পিথেৎ-লৈমা, (২০) লেরা (লাইৱা/ লীৱা লৈমা লাইশন থানবী অহন (অয়াঙ লৈমা কবোকচাইবী অহন],

(২১) লেরা লৈমা লাইশন থানবী অতোনবী (অয়াঙ লৈমা কবোক চাইবী অতোনবী নৎত্রগা পিশুম লাইরেম্বী)), (২২) খাবী লুকোকচনু, (২৩) লীক্লা পীচা/বীচা (নোংদমনু/নোংতংনু), (২৪) য়াইবীরৈমা, (২৫) পীথ্লাই-খোংদ্রাইবী (পীথ্লাইবী অমসুং খোংদ্রাইবী), (২৬) শরীকলৈমা, (২৭) পুকশ্রীলৈমা, (২৮) লৈমা নুঙলাউবী (নুঙখোং-নুঙলাউবী/নুঙনাউবী), (২৯) খাবী ঈয়েংচেং (মথক্কীসিদা, ২৯-৩০)।

(চ) লাইরেম্মা লাইখুরেম্বীগী লাইওন-লাইচৎ

(১) লাইনাউতাবী (খুনুং থোংঙাইবা মপু নিংথৌচনু), (২) লাইস্না (হৈরোঙ নিংথৌচনু), (৩) চিৎনু লৈমা, (৪) থমনুলৈমা, (৫) অহমনু, (৬) অরৈনু, (৭) থেরে-লোংবচনু, (৮) তোনথাংনু অমসুং (৯) শৌবোন লৈমা (শৌবোন য়াইরেনচনু) (মথক্কীসিদা, ৩০)।

মথক্তা মৈতৈগী/য়ুম্ফম ওইবা লাইয়ামশিংগী লাইনুপা/লাইয়িংথৌ ৮৬(৮৩+৩) অমসুং লাই নুপী/লাইরেম্মা ৫৭ (৫৪+৩) অসিগী মনুংদা পুম্নমকসি মরূ লেনফু অমনা অনি থোক্লকপা অমসুং মদুদগী মরূ মরি লোঙথোক্লকপগা থানা মরূ তরুক শুরকপা, মশক-মমিং পল্লবদা- নুপা লাইদা-অতিয়া গুরু শিদবা, অশিবা অমসুং কোঞ্জিন তিংথোকপা অমদি নুপী লাইদা-লৈমরেন শিদবী, নোংথাঙ লৈমা অমসুং লাইখুরেম্বী অসি(শিং)সিনি। হায়রিবসি লাইয়াম লাৎপা অমসুং লাই অমখক্তা লাৎপা লাইনীঙলোনশিং [Polytheism and Monotheism], চিংথোক চিংশিন তৌনবা, লাই অমতদগী লাই ময়াম খায়দোকখিবা অমসুং শন্দোকখিবা অমসুং লাই অমতদা লাই ময়াম পুনশিন্নরকপা অমসুং তীনশীন্নরকখিবগী মওং--মতৌদুনি। মসি হঞ্জিন্না মথক-মখা অমুক হঞ্জিন্না তৌনরম্বদুনি। মতমগী মতুংইন্না মশীঙ ৩৩ [কুল্লাহুমদোই (তেত্রশ)] খক্তা লৈরম্বা ঋগবেদগী লাইশিংসিনা বৈষ্ণবনচিংবা হিন্দু ধর্ম্ম সমাজগী অপুনবা লাই মশীঙ কোটি ৩৩ [তেত্রশ কোটি (৩৩,০০০,০০০)] শুরকখি। অসিগুম্না মৈতে লাইনীঙলোনগীসু লাইশিংগী মশীঙ হেনগৎলকপসি অদুম মতৌই অদুগা য়ুম্ফম ওইনা লৈখ্রবা পাদম-পান্দম লৌনফম ওইরিবা লাইশিংসিগীদমক্তদি হেনগত্তে। মথক্তা পীখ্রিবা লাইশিংসিদগী হেনগৎপা লাইশিং খরগী মমিং-মথা খর মৈতৈগী লাইরিক-মচা য়ুম্নাক্লা লাইশঙবা

[Scripture dealing the royal edict for taking responsibilities, services, etc. of State deities by the Meitei families] নচিংবদা পীরিবশিংদু মখাদা উৎচরিঃ-

মশীঙ	মমিং	মখল	পা/পী লাইচৎ
১।	য়াওরৈবী (মৈয়েংবম লাইরেম্মা)	মপা মপুগী মবেন্ধৌ	নুপী (পাহ্ণোইবী)
২।	ঈখৈ-নিংথৌ	মহৌশাগী (Nature)	নুপা (সনামহী)
৩।	সরারেন (লাই কাশা)	মহৌশাগী	নুপা (সনামহী)
৪।	কুচু/খাঙচেং- লাইরেনবা নৎত্রগা খাগেন্বা	ৱাখলগী (Abstract)	নুপা (সনামহী)
৫।	পুরোই লৈমা	মপা-মপুগী (Ancestral)	নুপী (পাহ্ণোইবী)
৬।	মৱাউ লৈমা	ৱাখলগী	নুপী (লৈমরেন)
৭।	হোইতোন লাইরেম্মা	মপা-মপুগী	নুপী (পাহ্ণোইবী)
৮।	হুইমু লৈমা	ৱাখলগী	নুপী (লাইখুরেম্বী)
৯।	নুঙথেল লৈমা	ৱাখলগী	নুপী (লৈমরেন)
১০।	লাই অৱাংবা	ৱাখলগী	নুপা (অতিয়া গুরু)
১১।	তেল্লোঙবা (সনামহী)	ৱাখলগী অমসুং মপা-মপুগী	নুপা (অশিবা)
১২।	থোঙঙাক লাইয়িংথৌ অমসুং লাইরেম্মা	ৱাখলগী	অশিবা/সনামহী অমসুং পাহ্ণোইবী
১৩।	চীঙগোন নিংথৌ	মহৌশাগী	নুপা (পাখংবা)
১৪।	মৈরৈমা	মহৌশাগী	নুপী (লৈমরেন)
১৫।	নুমিৎলৈমা	ৱাখলগী	নুপী (নোংথাঙলৈমা)
১৬।	কৌবরেন	ৱাখলগী	নুপা (অতিয়া গুরু)
১৭।	মোইরাং ফকতোম অরিবা	ৱাখলগী	নুপা (সনামহী)
১৮।	হোঙনেম-য়োই খুঞ্জাওবা (নাউথিংখোং)	মপা-মপুগী	নুপা (পাখংবা)

১৯।	লাঙ্গোন নিংথৌ	মহৌশাগী	নুপা (সনামহী)
২০।	কিয়াম লাই	ব্রাখলগী	নুপা (সনামহী)
২১।	নমবুজম লাই	ব্রাখলগী	নুপা (সনামহী)
২২।	খোই-লাই	মহৌশাগী	পা-পী (Neuter) (অতিয়া গুরু)
২৩।	শঙ্খোঙনিংথৌ/অপানবা	ব্রাখলগী	নুপা (সনামহী)
২৪।	তোকপা লাইয়িংথৌ	ব্রাখলগী	নুপা (অতিয়া গুরু/ সনামহী)
২৫।	খোংলাই	ব্রাখলগী	পা-পী (Neuter)
২৬।	ললহামবুঙ	ব্রাখলগী	নুপা (সনামহী)
২৭।	উক্রোং লাই	ব্রাখলগী	পা-পী, (সনামহী)
২৮।	চীঙঙাঙলেন লাই	মহৌশাগী	নুপা, (সনামহী)
২৯।	হিজগাংলাই	ব্রাখলগী	নুপা, (সনামহী)
৩০।	উচীলাই	ব্রাখলগী	পা-পী, (সনামহী)
৩১।	হয়িং-লাই	ব্রাখলগী	পা-পী, (সনামহী)
৩২।	হি-লাই	ব্রাখলগী	পা-পী, (পাখংবা)
৩৩।	চীল্লেঙ কালেঙ-লাই	ব্রাখলগী	পা-পী, (সনামহী)

(খঃচঃসঃ, ১৯৭৫; ১৯-২০, ২৩-৪)

মথক্কী ময়ামসিদগী মরু ওইরিবা লাইশিংসি লাইয়িংথৌদা মশীঙ ৮৬ অমসুং লাইরেম্মদা ৫৭ পুন্না লাই ১৪৩ লৈ। অসিদগী লাই-নুপা ৩ অমসুং লাই নুপী ৩দি খ্বাইদগী পাদম-পান্দম লৌনফম্লি অমসুং মখোয়দগী লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা পুন্না ১৩৭ সি মশা-মরেঙ ওইনা পোক্লকপনি। মশা-মরেঙ ওইবা লাইশিংসি ঈরাৎ-থেল্লাৎপা, লাইথৌ-লাইশোনবদা মখোয়গী পাদম-পান্দল্লিবা (লাইচৎ-লাইওন পুরিবা/লাইচত্তুগী মকোক/হওরকফম ওইরিবা) লাই অদুগী মচৎ-মনাৎ অমসুং মতীক-মগুণদুগী মতুংইন্না পীরল্লিবা লাইথৌ-লাইশোন, ঈরাৎ-পোৎলম্মচিংবগী মতুংইন্না লাইরাৎ-থেল্লাৎকদবনি মরমদি মখোয় অমমমসি মখোয়গী মকোক-মপী ওইরিবা লাই-লাইদুগী শানওন নৎত্রগা লাংওন ওইনা লৌনৈ।

মৈতৈ লাইরিক অনি "য়ুম্লাক্লা লাইশঙ" অমসুং "য়ুম্লাক মাইবা মশীন" না পীরিবা লাই ৩৩ [মখোয়গী মনুংদা লাইয়িংথৌ ১৭ (মশীঙ- ২, ৩, ৪, ১০, ১১, ১৩, ১৬, ১৭, ১৮, ১৯, ২০, ২১, ২৩, ২৪, ২৬, ২৮, অমসুং ২৯, লাইরেম্মা ৮ (মশীঙ- ১, ৫,৬, ৭, ৮, ৯, ১৪, ১৫ অমসুং পা-পী লেপ্তুবা লাই ৮ (মশীঙ- ১২, ২২, ২৫, ২৭, ৩০, ৩১, ৩২ অমসুং ৩৩ য়াওরি) অসি তীনশিল্লগা পুন্না লাই মশীঙ ১৭৬ (চামগা হুম্ফুতরা তরুক) শুরে অমসুং হায়রিবা লাই মশীঙ অসি মৈদিংঙু মারজিৎ সিংহ (খৃঃ ১৮১৩-১৯) গী স্না হাক্তক ফাওবগীনি। অদুবু খৃঃ ১৯৯১ দা সৌগাইজম রুহিনী কুমারনা সরকারদগী শেল লৌরগা "উমংলাই-উমংলাই লাইকোল" গী থিগৎপদা ফংলকপদগী অফোংবা লাইরিক্তা পীবদদি লাইয়িংথৌ ২৬৯ (২৬০ + ৯) অমসুং লাইরেম্মা ২৪৮ (২২৩ + ২৫), পুন্না লাই ৫১৭ অসি ফংই। অদুগা মখোয়সি মৈত্রবাক্কী মফম থুংনা খেন্ন-খেন্নবা মফমশিংদা লাৎপা/লৈবগী ঈ-পাউ ফংই। হায়রিবা খৃঃ ১৯৯১ গী অফোংবা লাইরিকসিদা পীরিবা উমংলাইশিংগী মিং পরেং অদু য়েংলুবদগী খঙলিবদি পীরিবা মৈতৈ-লাইশিংদুগী মনুংদাঃ-

(১) লাই ঈবুধৌ/ঈবেন্থৌ ওইবা লাইশিং- নোংদা লাইরেন পাখংবা, লুৱাং-নিংথৌ পুন্সিবা, য়ুমজাও লাইরেম্মগুম্বা মপা-মপু নীঙবা/লাৎপা লাইনীঙগী লাইশিং,

(২) মহৌশা লাইরেম্বীগী ময়াই ফোংদোকপা লাইশিং- কোরৌহনবা, কৌব্রু, মৈরৈমগুম্বা মহৌশাগী মতীক-ময়াই লাৎপা/নীঙবা লাইনীঙলোনগী লাইশিং,

(৩) মীরৈপাক্কী লাইশিং- শঙ্কুদেব [শঙ্কর দেব (অসামগী বৈষ্ণব ধর্ম্ম শন্দোকপগী অহানবা মহাপুরুষ)], রামজী নিংথৌ (অযোধ্যাগী প্রভু রামচন্দ্র, বাল্মকীগী মহাকাব্য রামায়নগী মপুঙ ওইবা পাত্র/নায়ক) গুম্বা মৈতৈ উমংলাই লাইনীঙলোনগী লাইরাৎ-ঈরাত্তা লাৎপা লাইশিং,

(৪) ৱাখল শাগৎপা ৱাখল্লোনগী লাইশিং-মারজিং, লোইয়ালাকপা, থন্বাল-লাইরেম্মগুম্বা পুক্রীঙ ফাথনবা, ৱাখল লাকশীন্নবা লাইনীঙলোনগী লাইশিং অমসুং

(৫) মীওইবদা অমাঙ-অতা থোকহনবা শা-উচেক, তীন-কাঙনচিংববু লাকশিন-থেমজিন্নবা লাইশিং-হয়িংলাই, চীল্লেং-কালেং-লাইগুম্বা লাইনা-তীন্নাগী নৎত্রগা কুম্বী-কালেনগী ঈরাৎ-থেল্লাৎলোনগী লাইশিং অসিশিংসি য়াওরি। মসিদসু নত্তনা নুঙ-উ লাৎপা [এনিমস্তিক ফেথ (Animistic faith)] অমসুং চীঙ-পাৎ-তুরেল, উমং-ৱামং-লৈপুঙনচিংবা লাৎপা বোন-কল্টিক বিলিফ (Bon cultic belief) কী লাইশিং অমসুং লাইফমশিংসু য়াওরি।

খ্বাইগী ওইবা মিৎয়েংদা

মৈতৈগী মশাগী ওইজবা লাইনীঙশিং অমসুং মতমগী লাংলক্তা লাইমিং লৌরুবা হিন্দু ধর্ম্মগী লাইনীঙশিং পুন্নমকসি অমমমতা ওইনা লাইনীঙলোনগী মহাও থোকখিবা/পীখিবা ঙাক্তনি। অদুনা ধর্ম্মদদি চাংদম্নবগী মহুত্তা চৎলিবা ধর্ম্মদুদা পুক্লীঙ তিংথোকপনা শাফৈ। অদুগা মৈত্রবাক্কী ইতিহাসকী খোঙথাংদা চৎখ্রবা অনিসিগী হৌখ্রবা থৌদোকশিংদুদি অমুক হল্লক্লরোয়দবনি। অদুবু অনিসিগী চাংদমগী খোঙফমদদি-

The similarities of the Meitei indigenous cultic faiths and the Hindu religious various beliefs lie in the karnel of the personal/ private religious core of the religious/cultic heritage, behavioural conduct and habitual motive of the amalgamated aspiration/ devotion following in parrallel as bilaterial faith/belief of the composite creed. There is not a man who has no faith (cult/ religion) and some of them say that they have nothing of this kind but they find that the answer/replay of the nothingness is their faith of logic for argumentum argumenticausa but not for philosophic/scientific theistic agrumentum and judicium.

হায়বসিনি। মরমদি মীওইবনা অৱাবা তারবদা লাই নীঙশীংলকই, নত্তবা মতমদদি খক নীঙশীংলুদে।

মৈতৈ হায়বা জাতিসি মখোয়গী মপা-মপুশিংদুনা লমদমসিদা লাকখিবা মতমদুগী হৌনা হিন্দুশিংগী মপা-মপু আর্য্যশিংগুম লাইয়াম নীঙবা লাইনীঙলোন চৎপা মীওইশিং ওইরক্লবনি। অদুবু মৈতৈশিংসিনা মশা-মশা মরন্নাই তারক্লবদদি লাই অমখক্তা লাইনীঙলোন চৎপা মীওই ওইরকই, খুদম ওইনা য়ুম্লাম তোন্বা (মৈদিংঙু খাগেম্বা মতমগী) লাইয়িংথৌ নোংশাবদগী হেন্না অতৈ লাই নীঙখিদে, ৱাঙ্গোই/লৈশাংখোং খোমা/খেমা [লোংজাম্বা খোমা (মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতম)] লাইয়িংথৌ সনামহী নত্তনা অতৈ লাই নীঙখিদে। অসুম্না মাগী মাগী থম্মোইদা চেৎনা কোঞ্জবা লাই অমমম লৈনরম্মী অমসুং মহাক্কুগী মফমদা মীদুগী থৱাই-হকচাং, পুক্নীঙ-ৱাখলনচিংবা পুম্নমক শীন্নজে।

লৈপাক-খ্বাইগী অমসুং মীচম-মীয়ামগী ওইনা চৎনবদা মৈতৈনা খ্বাই পুম্নমক্তগী হেন্না থাজবা, লাৎন-খুরুম্নবা লাইশিংসি মৈতৈ লাইনীঙলোনগী ওইনা লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং হিন্দু লাইনীঙলোনগী ওইনা শ্রীগোবিন্দজীনি। অদুবু মৈতৈ নিংথেমচাশিং অমসুং নিংথৌমচাশিংদি মখোয়গী লাইনীঙলোনগী থাজবসি লাইয়িংথৌ পাখংবদা থম্মী। হৌজিক্কী লোন্দাদা লাইয়িংথৌ সনামহীগী লাইনীঙ ইনবশিংনা ধৰ্ম্মনিতি অমসুং সংস্কৃতিগী সেবক্লি [Devotee of religion/ cult and culture] অদুগা লাইয়িংথৌ পাখংবগী লাইনীঙ চৎপশিংনা রাজনিতিগী সাধক্লি [Aspirant of Politics]। মথক্কী ৱাফমশিংসিদা মৈতৈ-হিন্দুগী হৌজিক চৎলিবা মাধ্বী/মাধ্বচার্য্য সম্প্রদায়সিনা গৌরিয় বৈষ্ণব ধৰ্ম্ম ওইবনিনা বঙ্গদেশকী লাইনীঙলোনগী ৱাখল্লোন অসি য়াম্না মনুং হঞ্জিন্না মরা চেৎনা লৈ। হায়রিবা ৱাফমসি মৈতৈগী সঙ্কীৰ্ত্তনগী থৌওং-থৌদৌ, মশক-মতৌ, ঈশৈ ময়েক্লচিংবদা ময়েক শেংনা মশক থোক্লা লৈ। অসিগুম্বা সঙ্কীৰ্ত্তনগী ঈশৈ-ময়েক্কী মতেক অমত্তং থমজরি।

শ্রীগৌরাঙ্গ ইবুংঙোসে রসরাজ শ্রীকৃষ্ণমক্লি
লমন শিংগে খল্লুবদা জীবগী লম্বী শেন্বীবনি।
অলং-শ্রীরধিকা ইবেম্মগী।
নমামি হরিদাসং তৎ চৈতন্য তঞ্চ তৎ প্রভূং।
সংস্থিতামপি যন্মুৰ্ত্তিং স্বাঙ্কে কৃত্বা ননৰ্ত্তয়ঃ॥

(য়ঃধঃসঃ, ১৯৮৮, ৯)

মৈতৈ হিন্দু বৈষ্ণবশিংনা শ্রীগৌরাঙ্গদা থাজবা থম্বসিনা মহাক্কা নক্লবা নিত্যানন্দ, অদ্বৈতনচিংবদা পুম্নমক্তা লুপশিনখিবগী ৱাখল্লোনসি শাগৎলকখিবনি। অদুনা বাঙ্গালী ভদ্রলোকশিংনা শ্রীগৌরাঙ্গগী মরূমদগী মৈতৈবু হঙ্না য়েংই। অদুবু মখোয়না ঙসি নবদ্বিপতা বৈষ্ণব দর্ম্ম চৎচবা ফংজরিবসি মৈতৈগী মপান্ননি হায়বসি খঙজিনবা ফৈ, মরমদি মখোয়গী মীশিংনা বেঙ্গোলগী গবর্নর কৈলাসনাথ কাটহদা পীখিবা "A Brief History of Nabadwip Dhameswar Shri Shriman Mahaprabhu" হায়বা চেফোংদুদা ইরিবাঃ-

"The Maharaja family of Krishnagar initiated into Shakti cult made various attempts at different times to destroy this "Sree Murti and carried on campaigns of oppression upon the Goswamis. The Maharaja of Manipur, of a devoted follower of Vasnavism came to the rescue of Sree Vigraha, the deity worshipped by his subjects. He built his residence at Nabadwip and garrisioned his troops in order to protect the Sree Vigraha"

(বঃহঃপঃ, ১৯৮১, ৩)

হায়বসি কাউথোকফদে। অদুগা শ্রীনিত্যানন্দদা শ্রীগৌরাঙ্গগী পোকমিন্নবা ময়াম্বগুম্বা অহকপা-অচেৎপা ৱাখল থম্বগী হিরমসিদা ময়েক শেংনা মৈতৈ লাইরিক্তা ইরিবা লাইরিকসি খৃঃ ১৮৭১ ইবা "ঔৱা ঙম্বা" (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ৩৯২) হায়বসিদনি। অদুগা মসি নত্তবা লাইরিক অমনা "গোবিন্দ নিপর্ন" কৌবা লাইরিক অমসুং মসিবু অমুক হন্না, অনৌবা ওইনা ইথোক্লবা লাইরিক (মমিং চপ মান্নে) অসিদা "নিত্যানন্দগী মুর্ত্তিসি শ্রীগোবিন্দজী শাখিবা থৈবোঙ-পান্বীদুগী লেমহৌবা শরুক্তগী মকক অমনা খৃঃ ১৭৯৫ দা লীংখৎখি (মথক্কীসিদা, ১৬৬) অমসুং রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মজাইবেম্মা অরাম্বম ওঙবীদা পীদুনা লাৎহনখি। মসিদা লাইরিকসিনা পীরিবদিঃ-

The Idol/image of Nityananda (of Arambam) was vitalized with the life giving seed-word of divine Sanamahee which was engraved at the place of belly just above the navel at a point lying at the distance of one finger's breadth from the navel and the ceremony was performed at 9 a.m. on Wednesday, the fullmoon day of Meitei lunisolar month of Phairen (Feb.-March) in 1717 Saka (1796 A.D.) (R.K.S.G., 1998, 80-81).

অসিনি। অদুবু পীরিবা থা, থাবান অমসুং নুমিৎসি ফোঙলবা চৈথারোল কুম্বাবগদি খেন্ননা ফংই অমসুং জীবন্যাস [Enlivement/vitalization] তৌবসি চহিসিগী ৱাকচীং [Jan.-Feb.] গী ১৩নি পানবা লংমাইজীং/নোংমাইজীং নুমিত্তা পীরি (চৈঃকুঃ, ২০০৫, ১৬৮)। অসুম্না গৌরিয়গী চঙলিবা ঈথিনসি তোপ্পা থিজিন-হুমজিনবগী মথৌ চঙলি, করিসু নত্তবদা চৈথাবগী চহি ফাওবা চহি ৩০০ ঙনখৎনা গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী মপোক চহি [Birth year] দা পীশিল্লি।

মথক্তা নৈনজখ্রবা মৈতৈ-মনাৎকী তোৎশিন-য়ানশিন্নবনা মশক-মশা খঙবা ঙমদ্রবা মনাৎকী পোৎলম/পোৎশক, থৌরম/থৌদৌ, লাইথৌ, ঈরাৎ-থেল্লাৎ, অসিনচিংবসি অমমম ফৌশুশঙদা চঙদুনা শুদোক্লগা, নৎত্রগা য়ুবী খোকপগুম অকনবা অমসুং অথাবা মকু/কুয়োমদু খোক্তোক্লগা নৎত্রগা কোনশঙদা চঙদুনা মৈ ঈক্লগা শুংদোক্লুনা ৱাইগা চেঙগা, মকুগা-মতোংগা নৎত্রগা কোছীগা-সনাগা খাইদোক্লবগী মথৌ চঙলি। মরম অসিনা মৈতৈগী মশাগী লমদমসিদা হৌজরকপা মনাৎ নৎত্রগা চঙলক্লিবা/লৌরুরিবা হিন্দুগী মনাৎ অনিমক্কী মশকশিংদু অমগা অমগা ননশিন্নদুনা/কুপশিন্নদুনা লৈরি, মায়খুম হাংদোক্লবদি মায়থোঙ উরোয়, মশক-মশা খঙলোয় অমসুং শক্তাকপা ঙল্লোয়। মরম অসিনা মৈতৈ জাতিদা লৈরিবা জাতি অতৈ খ্বাইগা মান্নদ্রবা মনাৎসিগী লীচত্তিঃ-

These religious and cultural states of affairs go inversely and reversely in positive and negative poles to form the subtle shadows/images of the Meitei/Manipuree religious and cultural heritages.

অসিশিংসিনি। অদুনা মৈতৈ পুয়ানা পীরিবা ৱাফম- "হে মী-ও! সনা কৈথেলদা পুয়া পারগদনে। লৈকায় মরীমগী পুয়া য়ৈনরগদবনে, মায়কৈ মরীমক্তা নোংমৈ কাপ্পগদনে।" (ইঃঅঃ, ১৯৮১, ২৫) - অসি কাউদনা ঙমদাইবীয়ু।

~~~~~()~~~~~
~~~~~

মরী-মখোঙ লৌজখিবা লাইরিকশিং

(ক) অফোংবা মৈতৈলোনগী লাইরিকশিং

১) চৈঃকুঃ, ১৯৮৯	= শ্রীলাইরেনময়ুম ✓ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল- ১৯৮৯)
২) চৈঃকুঃ, ২০০৫	= শ্রীলাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)।
৩) ওঃভঃসঃ, ১৯৭৪	= ওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ; সনামহী লাইকন (ইম্ফাল, ১৯৭৪)।
৪) তঃশঃশঃ, ২০০৩	= টিঃ শচিন্দ্র শর্ম্মঃ যীশু ইন্দিয়াদা লৈখী (ইম্ফাল, ২০০৩)।
৫) বঃকঃশঃ, ১৯৯৭	= বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মঃ মৈত্রবাক্কী খুম্নোক-খুন্দারোন (ইম্ফাল-১৯৯৭)।
৬) ওঃভঃ, ১৯৬৭	= ওইনাম ভোগেশ্বঃ নিংথৌরেল লম্বুবা (ইম্ফাল-১৯৬৭)।
৭) পঃঅঃ, ১৯৪৭	= পণ্ডিতরাজ অতোমবাপুঃ গীতগোবিন্দম (ইম্ফাল-১৯৫৭)।
৮) নঃমঃসঃ, ১৯৮৯	= নোংমাইথেম মনাও য়াইমা সিংহঃ চেংলৈরোন (ককচিং-১৯৮৯)।
৯) বঃকঃশঃ, ১৯৯৮	= বিঃ কুচন্দ্র শর্ম্মঃ মৈতৈগী শা-লান ফাবগী থৌরম খর (ইম্ফাল-১৯৯৮)।
১০) মঃচঃসঃ, ১৯৭৯	= মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহঃ পোইরৈতোন খুম্নোক (ইম্ফাল ১৯৭৯)।
১১) মঃসঃকঃএঃ, ১৯৯৪	= মণিপুর ষ্টেট কালা একাডেমীঃ শাগৈ শলাইরোন (ইম্ফাল-১৯৯৪)।

১২) রঃসঃসঃগঃ, ১৯৮০/১৯৯৮ = রাজকুমার স্নাহল সিংহ, গুনেশ্বরঃ সংজাল (ইম্ফাল-১৯৮০/১৯৯৮)

১৩) নঃখঃসঃ, ১৯৮৯ = নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ ফমলোন (ইম্ফাল-১৯৮৯)।

১৪) খঃচঃসঃ, ১৯৯৪ = খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহঃ হরাউ কুম্মৈশিং অমসুং ব্রতশিং (১বা) (ইম্ফাল-১৯৯৪)।

১৫) রঃমঃ, ১৯৭৭ = রাজো মাইবীঃ লাংওন (ইম্ফাল-১৯৭৭)।

১৬) অঃশঃবঃ, ১৯৪২ = অতোম্বাপু শর্ম্মা, বিদ্যারত্নঃ মণিপুর ইতিহাস (২শুবা খণ্ড) (ইম্ফাল-১৯৪২)।

১৭) বায়ু পুরান = নিংথৌজম মনিঃ বায়ু পুরান (ইম্ফাল-২০০১)।

১৮) খঃচঃসঃ, ১৯৮৪ = খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহঃ ঈরাৎ লাইশোন, ২বা (ইম্ফাল-১৯৮৪)।

১৯) মঃচঃসঃ, ১৯৯৯ = মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহঃ পাম্বোইবী খোঙ্গুল (ইম্ফাল-১৯৯৯)।

২০) রঃমঃ, ১৯৮০ = রাজো মাইবীঃ লাংদাই (ইম্ফাল-১৯৮০)।

২১) য়ঃবঃ, ১৯৮৬ = য়ুম্নামচা বুদ্ধিচন্দ্রঃ থালোই-নোংখাইলোন (ইম্ফাল-১৯৮৬)।

২২) খঃচঃসঃ, ১৯৭৫ = খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহঃ লোইয়ুম্বা শিনয়েন (ইম্ফাল-১৯৭৫)।

২৩) পঃচঃদঃ, ১৪০৯/২০০২=পণ্ডিত শ্রীচারুকৃষ্ণ দর্শনাচায্যঃ শ্রীশ্রীচণ্ডী (কলকটা-১৪০৯/২০০২)।

২৪) নঃইঃসঃ, ১৯৮১ = নিংঙোম্বম ইবোবী সিংহঃ হিন্দু পর্ব্বদিন (ইম্ফাল-১৯৮১)।

২৫) শঃভঃয়ঃ, ১৯৭১ = শ্রীভগ্য য়েংখোইবাঃ কাইবরোন (ইম্ফাল-১৯৭১)।

২৬) নঃখঃসঃ, ১৯৭৮ = নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ অরিবা মণিপুরী লোনগৈ (ইম্ফাল-১৯৭৮)।

২৭) অঃশঃ, ১৯৫৪ = অতোম্বাপু শর্ম্মাঃ পাখংবা (ইম্ফাল-১৯৫৪)।

২৮) ওঃভঃ, ১৯৭৯ = ওইনাম ভোগেশ্বরঃ চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা (ইম্ফাল-১৯৭৯)।

২৯) নঃমঃপঃ, ১৯৯৮ = নিংঙোম্বম মনিজাও, পণ্ডিতঃ মতমগী খোঙলৈ তাকপা পুয়াশিং (ইম্ফাল-১৯৯৮)।

৩০) ইঃঅঃ, ১৯৮১ = ইরোম অমুবীঃ লৈহৌ নাউফমলোন (ইম্ফাল-১৯৮১)।

৩১) নঃমঃ, ১৯৯৪ = নিংঙোম্বম মনিজাওঃ লাইয়িংথৌ পাইখোম্বা (ইম্ফাল-১৯৯৪)

৩২) সঃরঃমঃ, ১৯৯৬ = সগোলশেমবা রাজামুহোন মঙাং, অপোকপা খুরুম্বা (ইম্ফাল-১৯৯৬)।

৩৩) মঃসঃঅঃ, ২০০৩ = মণিপুর ষ্টেট অর্কাইভঃ অরিবা খুৎই লাইরিকশিং খোমজিনবা (ইম্ফাল-২০০৩)।

৩৪) সঃরঃ, ১৯৯২ = সৌগাইজাম্বা রুহিনীকুমারঃ লৈমরেন শীদবী থৌনিরোন (ইম্ফাল-২০০৩)।

৩৫) খঃচঃসঃ, ১৯৮২ = খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ লাই হরাউবা লাইশোন (ইম্ফাল-১৯৮২)

৩৬) ঙঃকঃসঃ, ১৯৮৮ = ঙারিয়ান কেরানী সিংহঃ মাইবগী লাইহরাউবা লাইশোন (ইম্ফাল-১৯৮৮)।

৩৭) নঃঅঃপঃ, ১৯৮০ = নাউরেমঅমুয়াইমা পণ্ডিত, খুনুং ঈরাৎলোন (ককচীঙ-১৯৮০)।

৩৮) বঃকঃশঃ, ১৯৮৯ = বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মঃ সনামহী পুয়া (ইম্ফাল-১৯৮৯)।

৩৯) নঃঅঃ, ১৯৮৩ = নোংথোনবমচা অঙৌঃ পাখংবা নোংকারোন (ইম্ফাল-১৯৮৩)।

৪০) ওঃভঃ, ১৯৭৭ = ওইনাম ভোগেশ্বরঃ নুমিৎ কাপ্পা (ইম্ফাল-১৯৭৭)।

৪১) লঃকঃমঃ, ১৯৮৮ = লৈশাংথেম কুমার মাইবীঃ কংলৈ উমংলাই হরাউবা (ইম্ফাল-১৯৮৮)

৪২) ৱঃলঃসঃ, ১৯৮৯ = ৱাহেংবম লুখোই সিংহঃ লাই হরাউবা (ইম্ফাল-১৯৮৯)।
৪৩) ইঃচঃকঃ, ১৯৯৫ = ইবোচৌবা, চিত্রেশ্বর,কুলচন্দ্রঃ মৈতৈ বামোন হৌরকফম (ইম্ফাল-৯৯৫)।
৪৪) গঃসঃওঃ, ১৯৪৯ = গোকুলচান্দ সিংহ ওইনামঃ শ্রীশ্রীবৈষ্ণব ইতিহাস (ইম্ফাল-১৯৪৯)।
৪৫) ফঃকঃশঃ, ১৯৯৭ = ফুরাইলাৎপম কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মাঃ ওঁ তৎ সৎ দশ সংস্কার কর্ম্ম বিধি (ইম্ফাল-১৯৯৭)।
৪৬) নঃখঃসঃ, ১৯৬৯ = নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহঃ অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস (ইম্ফাল-১৯৬৯)।
৪৭) কঃধঃসঃ, ১৯৭৪ = কোঞ্জেংবম ধন সিংহঃ মৈতৈ পুয়া ৱারী মচং (ইম্ফাল-১৯৭৪)।
৪৮) অঃনঃঅঃ, ১৯৭৭ = অুং নোদিয়াচান্দ অমাইবাঃ ৱাখুল-পোমিৎ (ইম্ফাল-১৯৭৭)।
৪৯) সঃনঃ, ২০০২ = সাইরেম নীলবীরঃ লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ (ইম্ফাল-২০০২)।
৫০) রঃসঃগুঃ, ১৯৭০ = রাজকুমার সনাহল সিংহঃ গুনেশ্বরঃ সৎজাল (ইম্ফাল-১৯৭০)।
৫১) অঃশঃশঃ, ১৯৯৫ = শ্রীঅরিবম ৺শিবদত্ত শর্ম্মাঃ শ্রীশ্রীগোপালমহস্রনাম স্তোত্রম (ইম্ফাল-১৯৯৫)।
৫২) ফঃকঃশঃ, ১৯৯১ = ফুরাইলাৎপম কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মঃ শ্রীবিষ্ণুসহস্রহস্রনাম স্তোত্রম (ইম্ফাল-১৯৯১)।
৫৩) বঃকঃশঃ, ২০০১ = বিঃ কুলচন্দ্র শর্ম্মাঃ সঙ্কীর্ত্তন নির্ণয় (ইম্ফাল-২০০১)।
৫৪) খঃঅঃসঃ, ১৯৮৬ = শ্রীখুমুকচম অঙাংয়াইমা সিংহঃ মন্ত্র যোগ (ইম্ফাল-১৯৮৬)।

৫৫) বঃশঃবঃ, ১৯৮৩ = ৺বাপু শর্ম্মা বিদ্যাপতিঃ ওঁ তৎ সৎ পূজাপদ্ধতিঃ (ইম্ফাল-১৯৮৩)।
৫৬) সুঃশঃ, ১৯৬৫ = সুরচান্দ শর্ম্মাঃ মৈতৈ জগোয়, ২বা শরুক (ইম্ফাল-১৯৬৫)।
৫৭) ইঃঅঃ, ১৯৭৯ = ইরোম অমুবীঃ ঔৰা ঙম্বা (ইম্ফাল-১৯৭৯)।
৫৮) য়ঃধঃসঃ, ১৯৮৮ = য়ুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহঃ শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং, ১বা শরুক (ইম্ফাল-১৯৮৮)।

ফোংদ্রিবা মৈতৈ লাইরিক খুৎয়িদা লৈরিবশিং

১) চেংঃখুঃ - চেংলৈরোন, খুৎয়ি লাইরিক
২) সঃলঃ(অ) খঃ - সনামহী লাইহুই অচৌবা খুৎয়ি লাইরিক
৩) সঃলঃ(ম)ঃ খঃ - সনামহী লাইহুই মচা খুৎয়ি লাইরিক
৪) নঃয়ুঃখঃ - নোংশাবা য়ুকৌরোন, খুৎয়ি লাইরিক
৫) নঃলঃ, খঃ - নোংশাবা লাইহুই, খুৎয়ি লাইরিক
৬) বিঃনোঃ, খঃ - বিধি নোংদম্বা
৭) থারোন - থারোন, খুৎয়ি লাইরিক
৮) পাঃফঃখঃ - পাখংবা ফাললুপ, খুৎয়ি লাইরিক
৯) সঃলঃ, খঃ - সনামহী লাইকন, খুইয়ি লাইরিক
১০) কুমঃঅরিঃ খঃ - কুমজল্লোন অরিবা, খুইয়ি লাইরিক

চেফোং

১) বঃহঃপঃ, ১৯৮৯ - বিশ্ব হিন্দু পরিষদ, মণিপুরঃ ওঁ মণিপুর রাজ্য হিন্দু সম্মেলন, স্মরিকা (ইম্ফাল-১৯৮৯)।

অফোংবা ঈঙ্গ্রাজী লাইরিকশিং

1. N.N.A. 1989 - N.N. Acharyya: Assam and Neighbouring States Historical Documents (New Delhi-1989)
2. I.F., 1984 - I. Frolov: Dictionary of Philosophy (Moscow-1984).
3. E.B.T., 1991 - E.B. Tylor: Dictionary of Anthropology (New Delhi-1991)
4. R.D.A., 1974 - Readers Digest Association: Last Two Million Years (London-1974)
5. S.N.M., 1989 - S.N. Madan: Dictionary of Anthropology (New Delhi-1989)
6. P.G., 1968 - Padmeshwar (P) Gogoi: The Tais and Tai Kingdoms (Guwahati-1968)
7. R.R.S., 1985 - R.R. Shimray: Origin and Culture of Nagas (Delhi-1985).
8. F.K., 1985 - F. Koroukin: History of the Ancient World (Moscow-1985).

মশীঙ	মিংলেন	মতম (খৃষ্টাব্দদা)			চৎলিবা লাইনীঙ/ধর্ম্ম	হৌদোকখিবা মনাৎ
		পোকপা	পানবা	শিবা		
(১)	(২)	(৩)	(৪)	(৫)	(৬)	(৭)
১)	নোংদা লাইরেন পাখংবা		৩৩/৩৪-১৫৪	১৫৪	মপা-মপু লাৎপা	মৈতৈ/নিংথৌজাগী লৈবাক অমসুং খুন্নাই লীংখৎখি।
২)	খুইয়োঈ তোম্পোক		১৫৪-২৬৪	২৬৪	মথক্কীগা মান্নে	শনগী মউন্না পুং তীংবা অমসুং লানবাউ লানবুং ওইবা হৌদোকই।
৩)	তাউথিংমাং		২৬৪-৩৬৪	৩৬৪	মথক্কীগা মান্নে	ঈতু-ঈখোং তেংবা অমসুং তৌবা হৌদোকখি।
৪)	খুইনিংঙোনবা		৩৬৪-৭৯	৩৭৯	মথক্কীগা মান্নে	
৫)	পেংসিবা		৩৭৯-৯৪	৩৯৪	মথক্কীগা মান্নে	
৬)	কাউখংবা		৩৯৪-৪১১	৪১১	মথক্কীগা মান্নে	
৭)	নাউখম্বা		৪১১-২৮	৪২৮	” ”	
৮)	নাউফংবা		৪২৮-৫১৮	৫১৮	” ”	
৯)	সমৈরাং		৫১৮-৬৮	৫৬৮	” ”	অকন-অথৌ চাক খাঙবা হৌদোকখি।
১০)	উরা কোন্থৌবা		৫৬৮-৬৫৮	৬৫৮	” ”	
	অঙোম নিংথৌ		৬৫৮-৬৩			
	যৌরনঙম্বা					
১১)	নাউথিংখোং		৬৬৩-৭৬৩	৭৬৩	” ”	নান-চাওগী নিংথৌমচা কুন্দিয়া অমসুং জেনরেল স্নাননা দিক বিজয় লাকখি
১২)	খোঙতেকচা মরকসিদা চহী ১১ নিংথৌ পান্দে		৭৬৩-৭৩ ৭৭৩-৮৪	৭৭৩	” ”	
১৩)	কৈরেনচা		৭৮৪-৯৯	৭৯৯	” ”	
১৪)	য়ারা-বা		৭৯৯-৮২১	৮২১	” ”	
১৫)	অয়াঙবা		৮২১-৯১০	৯১০	” ”	
১৬)	নিংথৌচেং		৯১০-৪৯	৯৪৯	” ”	
১৭)	চেংলৈ-ঈপান লান্থাবা		৯৪৯-৬৯	৯৬৯	” ”	
১৮)	য়ালৌ কৈফাবা		৯৬৯-৮৪	৯৮৪	” ”	ফনেক ফিবান্দ খোই লোনবা হৌদোকপা
১৯)	ঈরেংবা		৯৮৪-১০৭৪	১০৭৪	” ”	
২০)	লোইয়ুম্বা		১০৭৪-১১২২	১১২২	” ”	১) লাল্লুপ কাবা, ২) এনিমিজম ৩) য়ুম্নাক মশীন পীবা হৌদোকই অমসুং তন্ত্রিসিজম চঙলকই, নুঙ্গোইবী লাইনীঙগী মমি তম্লকখি।
২১)	লোইতোংবা		১১২২-৫০	১১৫০	” ”	
২২)	অতোম য়োঈরেম্বা		১১৫০-৬৩		” ”	
২৩)	ঈৱান্থাবা		১১৬৩-৯৫		” ”	
২৪)	থৱান্থাবা		১১৯৫-	১২৩১	মপা মপু লাৎপা	
২৫)	চীঙথাংলান্থাবা		১২৩১-৪২	১২৪২	” ”	

২৬)	থিংবাই শেলহোঙবা		১২৪২-৪৭	২১৪৭	মপা মপু লাংপা	
২৭)	পুরাহ্লাবা		১২৪৭-৬৩	১২৬৩	” ”	
২৮)	খুমোম্বা		১২৬৩-৭৮	১২৭৮	” ”	
২৯)	মোইরাম্বা		১২৭৮-১৩০২	১৩০২	” ”	
৩০)	থংবীলাহ্লাবা		১৩০২-২৪	১৩২৪	” ”	
৩১)	কোংয়াম্বা		১৩২৪-৩৫	১৩৩৫	” ”	
৩২)	তেলহৈবা		১৩৩৫-৫৫	১৩৫৫	” ”	
৩৩)	তোনাবা		১৩৫৫-		” ”	
৩৪)	তবুংবা		১৩৫৯-৯৪ ৫৯	১৩৯৪	” ”	হাওরৈমা শম্বুবীগী বারী হৌরকপা
৩৫)	লাইরেনবা অঙোম নিংথৌ তোল্লোংবা		১৩৯৪-৯৯ ১৩৯৯-১৪০৪	১৩৯৯	” ”	
৩৬)	পুসিবা		১৪০৪-৩২	১৪৩২	মপা মপু লাংপা	
৩৭)	নিংথৌখোম্বা		১৪৩২-৬৭	১৪৬৭	” ”	লূখা থাবা হৌদোকপা অমসুং লানঙম পুঙ থোনবা
৩৮)	ক্যাম্বা	১৪৪৩	১৪৬৭-১৫০৮	১৫০৮	” ”	১) কোরাৎ হৌদোকখি, ২) মীরৈপাক্লা (পোংগা) মরী লৈনবা অমসুং নাৎকী মপোৎ-মচৈ শিন্নবা, ৩) লৈঙাক-লৈয়াৎ খায়দোকপা, মখোয়গী শঙ লীংখৎপা, ৪) চৈথাবা/চৈরাউবগী মনাৎ হৌদোকপা।
৩৯)	কোইরেম্বা	১৪৮৮	১৫০৮-১২	১৫১২	” ”	হিয়াঙ্গৈ হিদোংবা
৪০)	লমক্যাম্বা	১৪৮৫	১৫১২-২৩	১৫২৩	” ”	লৈরক থৌগায় পুববু কোয়েৎ পাকলোই অঙৌবা য়েৎহনবা।
৪১)	নোংইন ফাবা	১৫১৪	১৫২৩-২৪	১৫২৪	” ”	অঙোম্লা উরোক মতু চাশঙবা চিনবা য়াদবা
৪২)	কবোম্বা	১৫১৮	১৫২৪-৪২	১৫৪২	” ”	১) তেখাও/অহোমগী মরী লৈনবা, ২) অতে মখলগী লৈপুঙশিং থোনবা
৪৩)	তাংজাম্বা	১৫১৬	১৫৪২-৪৫	১৫৪৫	” ”	
৪৪)	চালাম্বা	১৫১৩	১৫৪৫-৬২	১৫৬২	” ”	১) লম খুমবা, ২) ময়াংগা চারৌ-মৌরৌনবা ৩) নুঙজাও য়ুংবগী মনাৎ-মচৎ (কৈথেন্দা অমসুং লোইশঙ মমাঙদা)
৪৫)	মুংয়াম্বা	১৫৪৫	১৫৬২-৯৭	১৫৯৭	মপা মপু লাংপা	১) খোইরুদা ফুরিৎলিৎপা অমসুং লৈতেংবা ২) উক্রেঙ হোঙবা (ফিরোই), ৩) উ হোঙবা ৪) নুপী মমল লৌবা, ৫) অমেৎপা (মাইবা) লোইশঙ লীংবা, ৬) লাইরেন লাৎপা লাইনীঙগী মমি তমবা, ৭) কবোগা চারৌ-মৌরৌনবা ৮) লুপা লুহুপ শীঙনবা, ৯) য়ুম/য়ুমজাও

						হোঙবা, ১০) হরাও-তঅাম্বদা লমদা পাংথোক্তু না নুংঙাইথোকপা, ১১) চৎলম-ফাঞ্জাওগী মনাৎ, ১২) নোংথক্তা লাইরেন লাইবগী থাজবা, ১৩) য়ু থক্কবগী লাইথৌ ১৪) লম্বান চাক চানবা, ১৫) মমিং থোম্নবা ফত্তবা লাই ঈরাত্তু না অশি-অনা কনবা, ১৬) মীশা চাবা মীগী মনাৎ, ১৭) লংপীক নাইবা, ১৮) কই শাবা, ১৯) লঙজবগী মচৎ-মনাৎ, ২০) লান্দম্বীবগী মনাৎ, ২১) লৌ হোঙবা, ২২) হাৎপগী চৈরাক পীবা
৪৬)	বাগেস্বা	১৫৭৬	১৬৯৭- ১৬৫২	১৬৫২	১) মপা মপু লাৎপা ২) সনামহী লাইনীঙ ৩) লাই কাশা ” ৪) নোংশাবা ” ৫) উমংলাই ৯ ” ৬) মায়কৈ ঙাকপা লাইশিংগী লাইনীঙ ৭) নোংপোক অপানবী লাইনীঙ	১) চীঙদগী উ চিংবগী মনাৎ ২) না য়াৎপা/হৎপা ৩) লুহুপ উপ্লগী মনাৎ ৪) চেকশঙ শাবগী মনাৎ ৫) মেন (লৈখুন মেনশিনবা মফম) গী থাজবা ৬) দোলাই তোংবা ৭) সনা তান কুজবা/পীবা ৮)য়ুমলঙ্গী মং পানবান্দা/মপান্দা হোংদোকপা ৯) পাঙল খুন্দাবা অমসুং লোইশঙ লীংবা, ১০) শগোল-কাঙজৈ শান্নবা, ১১) লেঙখাঙ পাক-লৈ/লোই কোকয়েৎ চিনবা/য়েৎপা, ১২) শল্লাই কোকয়েৎ য়েৎপা, ১৩) নিংথৌদা লাইগী মতীক ময়াই লৈবগী/চেনবগী থাজবা, ১৪) শঙ্গাই অঙাংবা (নিংথৌ মতোমতগী য়ুম) শাবা, ১৫) কাংচুপ/ঙাকতং হীদাক থকপা, ১৬) স্নথোঙ চেকপন কোয়বা, ১৭) কৈথেন ১১-অ)স্নাকৈথেল, আ) অঙাং কৈথেল, ই) খা-কৈথেল, ঈ) ফয়েঙ কৈথেল, উ) মোইরাং কৈথেল, ঊ) খুমন কৈথেল, ঋ) চাইরেন কৈথেল, এ) অঙ্গোম কৈথেল, ঐ) সেক্তা কৈথেল অমসুং ও) খোইয়াখুন কৈথেল লীংখৎপা, ১৭) হীদাকফুদা হীদাক থকপা, ১৮) মৈতৈময়েক পুথোকপা, ১৯) ফুরা লাইয়িম (চেক্টী লাইশঙ) শাবা হৌদোকপা, ২০) সনামহী লাইনীঙ হৌদোকপা, ২০) লাই কাশা লাইনীঙ হৌদোকপা, ২০) উমংলাই ৯গী লাইনীঙ, ২১) মায়কৈ ঙাকপা লাইশিংগী লাইনীঙ হৌদোকপা, ২২) মোরাৎ অমসুং ঈরাৎ হৌদোকপা, ২৩) হিদেন খুদিংদা ঈরাৎ হৌদোকপা, ২৪) লমলোই (লম শেংদোকপা) হৌদোকপা, ২৫) সনা খোনবা হৌদোকপা, ২৬) শেন ময়েক পুথোকপা, ২৭) লাইনা নোংমৈ কাপ্পগী মনাৎ, ২৮) উক্রা শঙ্গাই শাবা, ২৯) নীঙ্খম, ফুরিৎ অমসুং লৈরেন লৈচাও হৌদোকপা, ৩০) লাইবু খোংদা হাপ্পুনা চিংবা, ৩১) পুক্সি নীবা, ৩২) চেক্লা স্নথোঙ শাবা, ৩৩) নিংথৌগা লাইগা হিয়াঙ্গৈ হিদোংমিন্নবা, ৩৪) লাইরিক তম্বগী মনাৎ,৩৫) হিয়াঙ লমজেন, ৩৬) নোংপোকনিংথৌ অমসুং অপানবগী লাইনীঙ হৌদোকপা, ৩৭) কুচু

						লোইশঙ অমসুং ৱায়েলশঙ পুখোকপা, ৩৮) কংলা ফম্বাল তেংক্ষম-শঙ শাবা, ৩৯) নোংমৈ অপুম্বা হৃৎপা, ৪০) লাইদা নুপী থাজবগী মনাৎ হৌদোকপা।
৪৭)	খুঙ্গাওবা	১৬২২	১৬৫২-৬৬	১৬৬৬	মপা-মপু লাৎপা অমসুং মথক্কী লাই নীঙশিং অমসুং নুঙ্গোয়বী লাইনীঙ	১) মেরা শন্দুবগী লাইথৌ হৌদোকপা ২) কংলাগী চেকপনগী অকোয়বদা লাংখোং তওবা অমসুং অতৈ লাংখোংশিং তওবা হৌদোকপা ৩) অকন অথৌ খন্দুনা তেঙ্গোন্দ মতু মতু পীনবা, ৪) নুঙগোইবী লাৎপা হৌদোকপা ৫) লাইরেন লোইশঙ লীংবা অমসুং লাইরেন লাৎপগী মরু হুম্লকপা।
৪৮)	পাইখোম্বা	১৬৪৫	১৬৬৬-৯৭	১৬৯৭	” ” ” লাই পুথিবা লাইনীঙ, পাম্বোইবী লাইনীঙ, লাম্মাবী লাইনীঙ, য়ুমথৈ লাইগী লাইনীঙ	১) ৱাকোঙবগী মনাৎ, ২) ফুরিৎ খোংনাংশাব লিৎপা, ৩) লাই পুথিবা লাৎপা হৌদোকপা ৪) লাইদা মৈতৈ নুপী থাজবা, ৫) লৈপাক্কী লৃ তৌথোক্কুনা পোৎ-চৈ লৌথোকপা ৬) পাম্বোইবী লাৎপা হৌদোকপা, ৭) লম্মাবী লাৎপা হৌদোকপা, ৮) কোনুংগী অকোয়বা চেকপল খাদুনা কোয়শিনবা, ৯) লাইরেন লাৎপগী মনাৎ কনখৎপা অমসুং চাওখৎলকপা, ১০) মথৌ কোকপীবগী মনাৎ হৌদোকপা, ১১) থুমখোং পুথোকপা, চিংবা, ১২) মী শরেন চনবগী চরাৎ (৫৭), ১৩) পাপ কেকপা হৌদোকপা, ১৪) য়ুমথৈলাই লাৎপা হৌদোকপা, ১৫) খুঙ্গোইনবগী চৈরাক হৌদোকপা।
৪৯)	তুবী চরাইরোংবা	ঈংঙা ৫নি থংজা, ১৬৭	১৬৯৯-১৭০৯	ঈঙেন্গী ৭নি নোং-মাইজিং ১৭০৯	(১) মপা-মপু লাৎপা অমসুং মথক্কী লাইনী-ঙশিং, পাখংবা লাইনীঙ, লাইবা তীনবা থাজবা লাইনী-ঙলোন লাইরেম্মা কালিকা লাইনীঙ	১) তুবী লাইরেন লাৎপা হৌদোকপা ২) লাই কাশাগী মমাঙদা ৱায়েল ৱাখুন নুঙদা ইদুনা/য়ুংবা অমসুং লাইরিক ইবা নুঙ য়ুংবা হৌদোকপা, ৩) লৃপুং খোনবা হৌদোকপা ৪) উমংলাই কোনমায়/কোম্লৃ হঙ্গৈবা হৌদোকপা অমসুং পাম্বোইবীগীগা (খৃঃ ১৬৯৯) লাই ৱাহায়বাগা (খৃঃ ১৭০০) হঙ্গৈ, ৫) কালিকাবু লাইশঙ শাদুনা লাৎপা, ৬) হিন্দু শাক্ত ধর্ম্মগী কালিকা লাৎপা লাইনীঙদা লাইমিং লৌবা (খৃঃ ১৭০৪), ৭) কিয়োংগী য়ুমশাদা চেক্কী কিয়োং শাবা হৌদোকপা, ৮) উক্রোঙ য়ুংবা, হোঙবগী মনাৎ, ৯) কাই/শগাই খীনবগী মনাৎ, ১০) হেড হন্টিংগী মনাৎ চঙলকপা।
৪৯)	ময়াম্বা/গরিবনিৱাজ	পোইনু ২২নি নোংমা-ইজিং ১৬১১	১৭০৯-৪৮	পোইনু ২৬নি য়ুমশকৈশা ১৭৫২	মথক্কী লাইনীঙশিং-মরুওইনা লই-ৱা হায়বা, পাখংবা অমসুং কালিকা লাইনীঙ অসি খৃঃ ১৭১৭ ফাওবা লৈ। খৃঃ ১৭১৭ তা নিমান্দী বৈষ্ণব ধর্ম্মদা লাইমিং লৌখিরম্মী। মসি খৃঃ ১৭৩০ ফাওবা	১) পোৎশেম যাদু হওরকপা, ২) লাই ৱা- হায়বগী নুঙ খীনবা অমসুং লৈশাংখোং খুবম শেমগৎপা ৩) থায়াঙলোন চনবগী মনাৎ ৪) মৈতৈশিংদা ‘‘শ্রী’’ হাপ্পা ৫) শেল্লাও শেন ময়েক হৌদোকপা ৬) শেন কৈদেক-ময়েক হৌদোকপা ৭) লাই ৱা- হায়বগা খৃঃ ১৭১৭ তা লাম্লোইনবা ৮) খুম্লক্তা ওক-য়েন লোইবা খিংবা

					চংখিরম্মী, খৃঃ ১৭৩০গী রামান্দি/ রামাৎ বৈষ্ণব ধর্ম্ম লৌখি অদুবু লাইয়িংথৌ তাইবংখায়গা কালিকাগদি লাংলি। অদুগা কৃষ্ণসু লাংলি (১১২), লিন/ লাইরেন লাৎপদগী পাখংবা লাইনীঙ ওল্লকপা	৯) উমংলাই ৯গী লাইশঙ অমসুং লম্মাবী ২ গী লাইশঙ লাই য়াগনুসি হায়দুনা খৃঃ ১৭২৩ দা শীদোকপা ১০) চহিসিদা নোংশাবা, য়িমথৈ-লাই, পাম্ছোইবী অমসুং তাইবং খায়বদা বামোনবু ঈরাংপা চঙহনবা ১১) মবুদৌশিংগী শরু মৈ থারগা নিংথি তুরেন্দা থাদবা, মৈদা পোংলোয়বা হৌদোকপা অমসুং নিংথেমবু মহারাজ কৌবা হৌদোকপা ১২) সতিদাহগী মনাৎ হওরকপা ১৩) নিংথেম পুন্ত্রী তওবা, ১৪) উমংলাই ৯গী কোনমায় মোংবহনবদা ফুমজিনখিবা, ১৫) লাইয়িংথৌ হনবা, পাম্ছোইবী লাই-রা হায়বা, লম্মাবী ২, সোরারেন অমসুং হোইদ্রোন পোকপী লাই ৭ মক থুগায়বা, ১৬) খাবম লাইফম লৈয়াৎ ২ হাপচিল্লকপা, ১৭) অঙম-অথৌ মগ্নামদা রায়েল-চৈরাক সীননবা অমসুং চৈরাপ রায়েলশঙ লীংবা, ১৮) চীঙবুরোই হাও খিবিকপু লাল্লুপ কাহনবা, ১৯) খৃঃ ১৭২৯ দা মংলেন তওবা, ২০) চহিসিদা হনুমানগী মুর্ত্তি শাদুনা মোংবহনবদা লাৎপা হৌখিবা।, ২১) লাইয়িংথৌ রা-হায়ববু চহিসিদা অমুক যুমথৈদা লাইফম য়াবা, ২২) ঈশৈ শকপা,পেনা খোংবা, লোইশঙ চহিসিদা লীংখৎপা,২৩) খৃঃ ১৭৩০ জানুঃ-ফেব্রুদা রামাৎ ধর্ম্মদা লাইমিং লৌদুনা ন(ল)গুন থাংবা, ২৪) খৃঃ ১৭৩০ গী ডিসেম্বরদা শান্তিদাস সীল্লেট চংখি, খৃঃ ১৭৩২-৩৩ গী ডিসেঃ জনুৱারীদা থোক্লকখি। মরকসিদা খৃঃ ১৭৩২ গী ওক্টোঃ-নবেম্বরদা মৈতৈ লাইরিক মৈ থাখি। ২৫) নিমান্দি চংপশিং রাকোঙবা, লোই থাবা, ২৬) লৈপাক্কী মৈহৌবরোন শল্লাই খায়না খৃঃ ১৭৩২ দা ইবা হৌবা, ২৭) খৃঃ ১৭৩৩ দা লাইয়িংথৌ ফাল্লৌ খোম্বগী মুর্ত্তি অমুক হঙ্গদুনা লীংবা, ২৮) খৃঃ ১৭৩৪ দা লাই মারজিংগা শ্রা চীঙজারোইখীগা লুহোংখীবা, ২৯) খৃঃ ১৭৩৭তা মৈতৈগী য়েক ৭কী মী ৩০০ না হিন্দু ধর্ম্মদা নগুন থাংবা, ৩০) খৃঃ ১৭৩৮ দসু মী অয়াম্বা নগুন থাংবা অমসুং শল্লাই ৭কী মৈহৌবরোন ইবা, ৩১) চহিসিদা গরিবনিৱাজ মহারাজনা প্রমার্থ ধর্ম্ম লৌবা, ৩২) খৃঃ ১৭৪০ দা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইবু পোং-নিংথৌ মহিপালনা গরিবনিৱাজ মহারাজদা কুচুদা ফম্মিন্নবদা পীবা, ৩৩) শেন চাইবগী মনাৎ খৃঃ ১৭৪০ দা হৌদোকপা, ৩৪) হুইরিন থংপগী রাশক/ শরি শোন্নবা হৌদোকপা, ৩৫) থাঙ্গদা ক্ষা থাবা হৌদোকপা, ৩৬) খৃঃ ১৭৪৬ তা পোং

						লৈমগী লূ অপোং ঈংখোলনুংদা ফুম্বা, ৩৭) নুপীগী ফৈজ্জা লেঙখাঙ ফিজেৎ হৌদোকপা, ৩৮) সনামহীদা যুপান থাবা, ৩৯) হনুমন্তদা যুপান থাবা, ৪০) মৈকাল্লীগী মনাৎ, ৪১) ঋায়েলবগী ঋাথিনবগী মনাৎ হৌদোকপা, ৪২) লাইয়িংথৌ পাখংবনা হনচীঙদগী ফম্বাল কাবা, ৪৩) তম্লাগুম্লা পাবা ফুরিৎ অপাবা লিংপা হৌদোকপা, ৪৪) নুঙগোইবী লানমিং চনবা হৌদোকপা, ৪৫) গঙ্গা চঙবা হৌদোকপা, ৪৬) মৈতৈ নিংথৌগী ঙাকপী শেনবীবা লাই ৩ লাৎপা হৌদোকপা।
৫১)	চিংশাই	ঋাকচীং ২৪নি থাংজগী খৃঃ ১৭২০	১৭৪৮-৫২		মপা-মপু লাৎপা অমসুং মৈতৈগী অতৈ লাইশিং লাৎপা	
৫২)	ভরত শাই	ঋাকচীং ২৪নি থাংজ খৃঃ ১৭২৮	১৭৫২-৫৩		মপা মপু লাৎপা অমসুং মৈতৈগী অতৈ লাইনীঙশিং	
৫৩)	মরাম্বা (গৌরশ্যাম)		১৭৫৩-৫৯, ১৭৬১-৬৩	থবান ২৯নি লৈপাক-পোকপা, খৃঃ১৭৬৩	নিমান্দি বৈষ্ণব ধর্ম্ম	
৫৪)	চীঙথংখোম্বা		১৭৫৯-৬১, ১৭৬৩-৯৮	মেরাওনি য়ুমশকৈশা খৃঃ১৭৯৮	মথক্কীসিগা মাল্লৈ অদুবু লাইশিং, মরু ওইনা লাইয়িংথৌ সনামহীবুদি লাৎলি, মাধ্বচার্য্য বৈষ্ণব সমপ্রদায়	১) খৃঃ ১৭৬০ দা মৈতৈ কংলৈপাক্কী শক অমা লীংখৎখি, শক মহাক্তি ৯৭১ নে। ২) এঙ্গলো মণিপুরী রিলেসন হৌদোক্রবা লাক্রবদা শ্বাইদগী ঈহান হান্না বৃটিশ ওফিসার অহুম খৃঃ ১৭৬১ দা থোক্লককখি। ৩) খৃঃ ১৭৬৫-৬৭ ফাওবদা মাধবী/ মাধবচার্য্য/ব্রহ্ম সম্প্রদায় গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্মদা লাইমিং লৌবা, ৪) খৃঃ ১৭৭৬ গোবিন্দ নির্পণ তৌবা, ৫) খৃঃ ১৭৭৯ দা রাস লীলা হৌদোকপা, ৬) লাই সাক্ষী য়েংনবা ঈরুপ্র-বগী ঋায়েল হৌদোকপা, ৭) লৈপান/ লোইপান শান্নবা (কোয়তান তান্নদনা শান্নবা), ৮) সঙ্কীর্ত্তন অমসুং সঙ্কীর্ত্তন পালাশিং হৌদোকপা, ৯) গোবিন্দগী মচীন-মনাও ওইবা লাইশিং বিজয়নাথ গোবিন্দ, মদনমোহন, আদ্বৈত, গোপীনাথ, অনুপ্রভু,অরাম্বম নিত্যানন্দা লীংখৎপা, ১০) ক্বাক তানবা হৌদোকপা, ১১) হৈক্রু হিদোংবা আনন্ত শাই মন্ত্রি পুক্সিবনা হৌদোকপা, ১২) না য়াৎপদগী না হুৎপা ওল্লকপা, ১৩) বামোন লোইশাঙগী পঞ্চরতন ফম অমসুং লুপ শেম্বা।
৫৫)	লাবন্যচন্দ্র	১৭৫৪	১৭৯৮-১৮০০	১৮০০	মৈতৈ উমং লাইশিংগী লাইনীঙ অমসুং মাধবী-বৈষ্ণব	১) কংলাগী লাইফম তীনফম নৌনা অমুক হন্না শেমগৎপা ২) পাখংবগী মুর্ত্তি শাবা, ৩) কেরী কোম্পাক্তা

৫৬)	মধুচন্দ্র	১৭৬৪	১৮০০-০৩	কালেন ১৪নি য়ুমশকৈশা ১৮০৪	গৌরিয় সম্প্রদায় মথক্কীসিগা মান্নে	লাইরিক ইদুনা কাউদ' খুদম ওইনা পীবা (৪)শনশেনবা/গোষ্ট লীলা শান্নবা হৌদোকপা
৫৭)	চৌরজিৎ	১৭৭৬	১৮০৩-১৩	শজিবু ২৪নি থাংজ ১৮২৮	মৈতৈ উমংলাই লাইনীঙশিং অমসুং মাধবী গৌরিয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়	১) লাইশঙ নবরতন কৌবা শাবা ২) বামোন লোইশঙগী নবরতন লিংখৎপা ৩) মৈদা সাক্ষী তৌবা হৌদোকপা ৪) কৈয়াঙ থেকপগী মনাৎ হৌদোকপা ৫) উত্রা মমাঙগী নোংশা অনী খৃঃ ১৮০৪ শাবা, ৬) শ্রীবৃন্দাবনচন্দ্র যুবরাজনা লাৎপগী মনাৎ হৌদোকপা, ৭) নর্ত্তনশালা শঙ শাবা হৌদোকপা, ৮) কুঞ্জ রাসমণ্ডল হৌদোকপা অমসুং পুলিনবন শেম্বা, ৯) দুকান লীংহনবা, ১০) লাই পাখংবা হরাউবা খাইদগী ঈহান হান্না হৌদোকপা, ১১) বিষ্ণু অভিষেক তৌবা হৌদোকপা, ১২) কাঙক্রম শরীক থাংবা শান্নবা, ১৩) শামুনা উকায় তকপা, ১৪) হিয়াঙথাং লাইরেম্মদা যজ্ঞ তৌবা, ১৫) কুঞ্জরাস অমসুং বসন্তরাস শান্নবা, ১৫) শিবলিঙ্গ লাৎপা হৌদোকপা, ১৬) ধর্ম্মশালা লোইশঙ লীংখৎপা, ১৭) নোংমাইজিং চেঙ্গোই ঈরুপ্পগী মনাৎ।
৫৮)	মারজিৎ	ঈঙেন ১মা পানা শগোল-শেন ১৭৭৯	১৮১২-১৯	মেরা ৫নি থাংজ ১৮২৬	মথক্কীসিগা মান্নে	১) খোরীফাবা, লাই ঈশিং চাইবগী লাইনীঙশিং লাকপা ২) য়ুমথক সনালুপ্পগী মনাৎ হৌদোকপা, (৩) রাম লীলা শান্নবগী মনাৎ হৌদোকপা
৫৯)	গম্ভীরসিংহ	হিয়াঙ্গৈ ১৬নি লৈপাক-পোকপা ১৭৮৬	১৮২৫-৩৪	পোইনু ৩০নি শগোল-শেন	মথক্কীসিগা মান্নে	১) বৃটিশগা মরী থম্নবা অমসুং মণিপুরবু অন্তরজাতিগী থাক্তা মনীঙতম্বা লৈপাক ওইনা শকখঙ-মায়খঙবা, ২) ফন্দ্রা কীর্ত্তন শকপা হৌদোকপা, ৩) বৃটিশ ওফিসার ৩-গ্রান্ট, পেম্বটন অমসুং গোর্ডোন লংখাবান্দা লৈবা হৌবা, ৪) মৈতৈবু হিন্দু জগৎনা শকখঙবা, ৫) চন্দ্রাব্দ হেন্না কুপথনা শেমদোকপা, ৬) নবরতননা ব্রহ্মনসভা ওম্নকপা, ৭) জগন্নাথ শাদুনা কাং চিংবা হৌবা, ৮) মহারাজগী খোঙ্গুন য়েকপা নুঙ খিবোমৈ/কোহিমাদা য়ুংবা, ৯) কবো তম্পাক মাঙজবা, ১০) ফাঁশি তৌবা হৌদোকপা।
৬০)	নিংথেমপীশক (চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ)	মেরা ১৩নি লৈপাক-পোকপা ১৮৩২	১৮৩৪-৪৪	মখাদা লাকখিগনি	মথক্কীগা মান্নে	১) শ্রীবিষ্ণুনা নিংথৌগী শাগোন্নবা লাই ওইরকপা, ২) পাঞ্জিগী মহৈ-মশীং চাওখৎলকপা ৩) কলিদমন লীলা শান্নবা, ৪) অর্থদোইগী লাইথৌ মনাৎ হৌদোকপা, ৫) সিফাইদা "মেঞ্জোর", পোইলা ফমশিং,, ৬) অচুম্বা মওংদা য়ুমকোক থিবা,, ৭) বৃন্দাবন ফুরা শাবা হৌদোকপা, ৮) শন/কমধেনু পূজা তৌবা,, ৯) শাঞ্জি লীলা, নৌকা লীলা,, ১০) ঘড়ীগী পুংজা চৎনবা,, ১১) বামোন খর ইম্বোকপা,, ১২) কারোং (তোপ

						গারোং) কী মনাং,, ১৩) লাইরিক তাকগী মচৎ হৌদোকপা, ১৪) ঝুলন লীলা শান্নবগী,, ১৫) মহাসঙ্কীর্ত্তন,,
৬১)	নরসিংহ	১৭৯২	১৮৪৪-৫০	শজিবু ২৮নি য়ুমশকৈশ ১৮৫০	মথক্কীগা মান্নে	১) নববিধা ভক্তিগী বাখল্লোন হৌদোকপা ২) কংলাগী লাইফম-তীনফম নৌনা অমুক শেম্না ৩) পাখংবগী পাফল, ফৈদী মকোল্লচিংবগী মচৎ-মনাৎশিং চাওখৎলকপা, ৪) কৈশাংথেম লাইরেম্মা, শরাংথেম লাইরেম্মা, অরাই লৈমা লীংখৎপা, ৫) য়েলহিং থাবা হৌদোকপা, ৬) য়ুমজাও লাইরেম্মগী মনাং চাওখৎপা, শাগে শাগেগী য়ুমজাও লাইরেম্বীশিং লীংখৎনরকপা, ৭) জলকেলি লাইথৌ মনাং হৌদোকপা, ৮) খোইন্নাম লাইরেম্মা (পিতণ্ডা), মৈন্নাম লাইরেম্মা, বাহেংবম লাইরেম্মা, থাউরোইজম লাইরেম্মা লীংখৎপা, ৯) নগর/নব কীর্ত্তন হৌদোকপা, ১০) তাউরোইনাইগী মনাং হৌরকপা, ১১) বৈথোপ শাবা হৌদোকপা, ১২) দণ্ডবৎ তৌ-তৌনা থৌবান্দগী লাক্লগা গোবিন্দ খুরুম্নবগী মনাং, ১৩) সনামহী, পাখংবনচিংবা মৈতৈ লাইশিংদা চেঙহোঙবা হৌদোকপা, ১৪) শ্রীগোবিন্দদা লুক কৎপদা ঙা মরূ য়াওবগী বাথোক (২৮১), ১৫) ভন্দ্রা উসব কৎপা হৌদোকপা, ১৬) খেঙৌ শাবগী মনাং চাওখৎহনবা, ১৭) মেরা হাওচোংবা (খৃঃ ১৮৪৭, নবেম্বর ২৬, ঈরাইদা) হৌদোকপা, ১৮) অবা/অয়া পুরেন মেঙোরগী ফম লাকপা, ১৯) মৈতৈ মাইবগী লাঙ্গোনজাম্বা হেমসিংহনা অহোম নিংথৌগী অনাবা ফহনবগী মনাং, ২০) মহারাজনা ময়াং নিংথৌমচা লাইমিং লৌবীবগী মনাং, ২১) মৈতৈ লাইগী কোল্লু হৈবগী মনাং, ২২) কংলা থোন ৭ থোল্লাংমৈগী মনাং, ২৩) শিবদা ভেক লৌবগী মনাং, ২৪) তোপ কাপ্তুনা ঈকাই খুম্নবা উৎপগী মনাং।
৬২)	দেবেন্দ্রজিৎ সিংহ	১৮০২	১৮৫০	থবান ২নি ১৮৭১ (১৮৮.৭১)	মথক্কীগা মান্নে	১) ফুঙ্গানাইগী মনাং মুখৎপা ২) পাখংবা ফৌগৌবগী মনাং
	চন্দ্রকির্ত্তি সিংহ কেঃ সিঃএসঃআইঃ	মথক্তা য়েংবীয়ু	১৮৫০-৮৬	কালেন ১০নি শগোলশেন ১৮৮৬ (২৬.৫.১৮৮৬)	মথক্কীগা মান্নে	১) য়াম্নবা লাইনীঙলোন অমসুং হিন্দু বৈষ্ণব মাধবী গৌরিয় ধর্ম্মগী খ্বাইদগী হেন্না বাংবা থাক ওইবা, ২) মৈতৈ মাইবীনা মহাদেব লাৎপা হৌদোকপা, ৩) কৈথেন্দা শগাই শাদুনা ফৌবগী চৈরাক হৌদোকপা, ৪) ময়াংদগী গৌরাই প্রভু পুথোক্লকপা, ৫) কৈথেন্দা লাইরিক য়ানবগী মনাং হৌবা, ৬) দূর্গাগী মূর্ত্তি শাদুনা পূজা তৌবা, ৭) বিষ্ণুগা সনামহীগা থম্মিন্নবগী মনাং, ৮) তরুং লাইরেম্মা, থোঙঙাক লাইরেম্মা, লানশোইবী নিংথেম পোকপা লাই, কোহৌজম লাইরেম্মা (চীঙথাং

						লাইরেম্মা), ঈনামুং, চংনীং লৈমা লাৎপা, ৯) সনামহী লাইগুই লাইরিক তাবা হৌবা, ১০) উশিন শিনবা/তৌবা মনাৎ, ১১) তম্নগী খাইদগী হেন্না কনবা মচৎকী ঈরাৎ-থেল্লাৎ হৌবা, ১২) য়োৎকী খল্লোং য়ুংবগী মনাৎ, ১৩) নিংথেমমচাশিংনা উমংলাইশিং খুরুম্বা য়াদবগী মনাৎ (১৩৯)। ১৪) খুল্লক্তা রাস শান্নবগী মনাৎ, ১৫) চেক্কী খোং শাবগী মনাৎ, ১৬) জুবার শান্নবগী মনাৎ, ১৭) নোংলাউবগী মনাৎ, ১৮) মৈবা চিংবগী মনাৎ, ১৯) নোংমৈ হীদাক শুংবগী মচৎ-মনাৎ, ২০) চা থাবা হৌদোকপগী মচৎ-মনাৎ, ২১) খুবাক ঈশৈ শৈশকপগী মচৎ-মনাৎ, ২২) অমাং-অশেংগী মচৎ-মনাৎ, ২৩) বিজয়া গারোৎ লীংখৎপা, ২৪) তাংখুল, তেংখল লোইশঙশিং, ২৫) খোং লাৎপগী মচৎ হৌবা, ২৬) খাগেম্বা, মুংয়াম্বা, খুঞ্জাওবা, পাইখোম্বনচিংবা লাই ওইনা লাৎপা, ২৭) থৌরানী জন্মা (রাধা অষ্টমী) হৌদোকপা, ২৮) লৌরুংবা লোইশঙ লীংখৎপা, ২৯) মোইরাংদা বংশিবদন লাৎহনবা, ৩০) লাইরিক শেমজিন শাজিন্দুনা ইশিনবদা লৌখৎপা চৈরাক, ৩১) মীকোক থিবগী মচৎ-মনাৎ, ৩২) ফোটো নম্বগী মচৎ-মনাৎ, ৩৩) উমংলাইগী ফানখোঙ পায়বগী লাই মনাই ওইহনবা, ৩৪) শামু অঙৌবা লৈবগী রাখলগী মনাত্তগী শামু অঙৌবা থিবা, ৩৫), চুপ শাবগী মনাৎ, ৩৬) শন হাৎপা থিংবা (৩৮৩) গী মচৎ, ৩৭) থাঙ থাবগী মনাৎ হৌদোকপা, ৩৮) লক্ষ্মী লাৎপগী মনাৎ হৌদোকপা, ৩৯) পাখংবগী লৈমন পীথক্তুনা শাক্কী তৌবা, ৪০) লম্বোইবগী মনাৎ অমসুং লম্বোইবা পালা লীংখৎপা, ৪১) নুংশিৎকী পোৎলোইবা হৌদোকপা, ৪২) বাশাইশঙ শাদুনা বাশাই তম্বীবা, ৪৩) সিটাডেল খৃঃ- ১৮৭৩ দা শেম-শাবা, ৩৫) রাধা কৃষ্ণগী লৈ পরেং লেঙবদা কাকথৈ লৈরম্বদগী কাকথৈদু য়োৎহিং চন্দুনা বন্দী থম্বা, ৩৬) চরনামৃতনা প্রায়শ্চিত তৌবা, ৩৭) লৌন-লৈনবগী রায়েল শেম্বা, ৩৮) নাকা থেংবগী মনাৎ হৌবা, ৩৯) লাম্বীলুপ্তা হিন্দু মমিং বোলদেব শৈনানচিংবা থোনবা, ৪০) লোলৈ কোকয়েৎকী মনাৎ হৌবা, ৪১) লমবোইদুনা শিবগী মনাৎ হৌবা, ৪২) থম্বাল মনা ১০৮ শুবগী মনাৎ হৌবা, ৪৩) শঙ্গাই ফম্মাঙ, বামোন মৈহৌবরোন, নিংথৌজারোয়চিংবা ইবা, মেলা তৌবা, প্রহ্লাদা চরিত লীলা শান্নবা হৌবা, ৪৫) চুরান থাবগী মচৎ-মনাৎ, ৪৬) তাশিকোন রাগ

						থিগৎপা, ৪৭) সিফাইগী য়ুনিফোর্ম য়েনবা, ৪৮) শনবী ১০৮ গী শঙ্খোম লাইদা কৎপা, বামোন ১০৮ না ভাগবত থিবা, অসিনচিংবা মনাৎশিং, ৪৯) সিফাইদা জেনরেল, ব্রিগেদ জেনরেল, কর্নেলগী ফম হাপ্পকপা, ৫০) সনামহীগী চেক্নী ফুরা উফোং য়ুম্ফমদা শাগৎপা হৌবা, ৫১) য়াইথিবী-কাংলুপ পুথোকপা, কোনোক মাংহনবগী মনাৎশিং, ৫২) হিয়াঙগী লূ-নাউ তাইবগী মচৎ মনাৎ।
৬৩)	সুরচন্দ্র	ঈংঙা ২২নি য়ুমশ-কৈশা ১৮৫২	১৮৮৬-৯০	পোইনু ১ পানবা য়ুমশ-কৈশা ১৮৯১	হিন্দু মাধবী গৌরিয় বৈষ্ণব সম্প্রদায় অমসুং য়াম্লবা মৈতে লাইনীঙশিংগী লাইনীঙলোন	১) টেলিগ্রাম মরী তীংবা হৌদোকপা ২) মিতম নুঙ য়ুংবগী মনাৎ ৩) ফম্বাল শা তানবগী মনাৎ ৪) লবাই-ইম্ফাল খায়বগী মনাৎ
৬৪)	কুলচন্দ্র	লমদা ১০নি, নিংথৌ-কাবা ১৮৫৪	১৮৯০-৯১	২৭।১। ১৯৩৪	মথক্কীগা মান্নে	১) লানগী মৈচ্রাং পাইবা মরক্তুদা লাইয়িংথৌ পাখংবগী থাজবা ২) উফোং য়ুম্ফমগী সনামহীগী ফুরা হোঙবা ৩) শ্রীগোবিন্দ খোংমন্দা থৈরম্বা
৬৫)	বৃটিশনা পানবা	শজিবু ১৮নি নিংথৌকাবা ১৯৮১	১৮৯১-১৯৪৭	থবান ২৯নি ঈরাই	মথক্কীগা মান্নে। খৃষ্টান (পাউলিজম) লাইনীঙলোন চঙলকই	১) কংলা শুরুং ফুনবা, খাংজেংগী নুঙ ফুক্তোকপা, মৈতে লাইরিক মৈ থাবা, নুঙগোইবী তেরা কাপথোকপা, চেকপন থুগায়বা, চেক্নী নোংশা ২ কাপখায়বা, কংলাগী মফমশিং, লাইফমশিং মাঙহনবা ২) চৈথারোল কুম্বাবা ঈংগ্রেজীদা হন্দোকহনবা, ৩) গোবিন্দগী সেবা কায়দনা কাং চিংহনবা, ৪) চুরাচান্দ নিংথৌ হাপ্পা।
৬৬)	চুরাচান্দ	কালেন ২৮নি লৈপাক-পোকপা ১৮৮৫ ১২.৫. ১৮৮৫	১৮৯১-১৯৪১	হিয়াঙ্গৈ ১৭নি শগোলশেন ১৯৪১ (৬.১১. ১৯৪১)	মথক্কীগা মান্নে। গোবিন্দনা মরুওইবা লাই ওই	১) খুরাই খুন্দোন কোনুংদা শ্রীগোবিন্দজীগী লাইশঙ-মাঙবনচিংবা শাদুনা নিংথৌগী কোনুংদা লাৎপা ২) কংলাগী লাইফম পুম্নমক তেম্বা, নুংজেং অপিশা ফুনবা (বৃটিশনা) ৩) স্কুলদা মৈতে মচাশিং লাইরিক তমহনবা ৪) গোবিন্দগী লাইশঙ শগুন তৌদুনা সনা লুপা পুখিবদা নত্তনা রাধিকাগী মায়থোঙ ফকখিবা, ৫) সনামহীগী ফুরাসু শগুন তৌখিবা, ৬) হিন্দু লাই ৭কী লৌগী খাজনা কোকপীবা, ৭) মৈতে লাই হরাউবা অমুক হিংগৎহনবা, ৮) নিত্যারাস হৌদোকপা, ৯) বাংখৈ লৈকাই রাজবারীদা শ্রীগোবিন্দ লেঙশিনবা, ১০) অশ্বমেধ লীলা শাম্নবা, ১১) পোত্থাং পুবগী থৌগায় অমসুং থৌদাং কোকপা, ১২) হোলিগী ঈশৈ মৈতেলোন্না শকপা হৌদোকপা, ১৩) শালগ্রাম লাৎপা য়াবা য়াদবগী বায়েল, ১৪) লাংথবান চীঙথক্তা দলান জগমুহন্নচিংবা শাবা, ১৫) বাংখৈময়ুমগী শাগৈ লাই থাঙ্গবাৎ তৌবদা ফংবা, ১৬) গৌরলীলা মৈতেলোন্না শান্নবা হৌবা, ১৭) উনা পাখংবগী মূর্ত্তি শাবা, ১৮) বেদ ৪ পুরান ১৮ গী বা, মৈতে

						পুরানগী রা, বিজয় পঞ্চালিগী রা লৌদুনা ঙাংনবা, ১৯) বৃটিশনা পাখংবগী মরম থিগৎলকপদা পীখিবশিং, ২০) নোংমাইজীঙগী সরস্বতীকুণ্ড শীংবা, ২১) মৈতেলোন্না বাসোক শকপা হৌদোকপা, ২২) যুবী লাকপী, একাগাড়ী তোংদুনা কাঙজৈ শান্নবা, ২৩) হিন্দু দশকর্ম্মগী রায়েল (৬১৭) পীবা, ২৫) হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপা মরগী কা হেন্নবা লমচৎনা মৈতে সনামহী লাইনীঙ হিংগৎহন্নবা ঈহৌগী য়াওল লাকখিবা।
৬৭)	বোধচন্দ্র	ঈংগেন ২৬নি ঈরাই ১৯০৮ (৮.১৯০৮)	১৯৪১-৪৭	পোইনু ২৬নি, ১৯৫৫ (১১.১৯৫৫)	মথক্কীগা মান্নে	১) মহাসঙ্কীর্ত্তন পালা ৮ শক্তুনা সার চুরাচান্দগী সোরাং শোল্লিবা ২) মায়কৈ ঙাকপা লাইশিং যুরুম্না, চৎখিবা অমসুং অতৈ অতৈ লাইশিং লাইকম-লাইফম চত্তুনা খুরুমখিবা, ৩), গোবিন্দগী রাসেশ্বরী নির্প্ন তৌখিবা, ৪) থারোন শুরুং, ভুবনচীঙনচিংবা চৎখিবা, ৫) পাখংবা য়েকপা মৈতৈগী ফিরাল হৌদোকপা, ৬) নোংমাইজীঙ/বারুনী মহাদেবদা তিননা কুম্না মন্দির কৎপা, ৭) গৌর গোবিন্দ লাৎপা হৌদোকপা।

-ঃ(লোইরবা)ঃ-

Shri B. Kulachandra Sharma

Name	:	**B. Kulachandra @ Nimai Sharma**
Date of Birth	:	7th February, 1948
Permanent Address	:	Yaiskul Hiruhanba Leikai, Imphal.
Present Address	:	Brahmapur Thangapat Mapal, Imphal - 795 001, Manipur
Educational Qualification	:	B.Sc. in the year 1970
At present	:	Retired from the post of Deputy Registrar, Co-operative Department, Manipur.
Research Work	:	Since 1971 original research work in terms of first learning the old Meitei scripts and collecting books and rare manuscripts of which has a sizable stock of over 1,435 manuscripts on date. Alongside, interviewed almost the living experts of old records and ancient history. The fields of his in-depth research and fresh investigation have covered, in particular, Meitei legends, origin of sylvan deities, history society, polity, art and architecture and last not but the least, Meitei religions.
As a guide	:	During the last few years, guided of over 60 scholars working for M. Phil and Ph. D. in the broad field of ancient history, literature, linguistics and culture in the Manipur University and elsewhere.
As a consultant	:	Consultancy services on comparative study of the Meitei-Japanese Linguistics through the good office of Dr. Ms. Deborah Anderson, Department of Linguistics, University of California, Berkeley. Currently working as a Consultant for the Unicode Proposal of California, Berkeley. Currently working as a Consultant for the Unicode Proposal for Meitei and Saurashtra linguistic project, sponsored by the same Department of Linguistics, University of California, Berkeley (Dr. Ms. Deborah Anderson).
Achievements	:	Since 1985, publications in the form of novels, seminar papers and research articles began to surface for the benefit of those thirsting for the ancient regime of Manipur. In particular, 35 published research works show the multi-faceted personality of this upcoming academic in Manipur.
Participated	:	Participated in various seminars and/or contributed learned articles mainly on the following broad fields: . Ancient Ethnic Groups; * Meitei Scripts; * Clan histories of ancient Manipur (sponsored by State Archives, Manipur State Museum, Manipur University, etc.) and * Origin of Sylvan Deities in Manipur.

B. Kulachandra Sharma

B. KULACHANDRA SHARMA